মণিপুর ইতিহাস

বাহৈ খরা

আলুং পায়া (১৭৫২—৬০) গী কমজিং মথাদা শম্নোয়কখিবা বর্মাগী মপাঙ্গল মথৌনা অদু বঙাল সরকারনা য়াম্না হুংশাথীনা য়েংখি। ইয়াবাদি ভূলনগী তাকমদা লৈবা নেগ্রেইস হায়বা ইংরেজশিংনা খুম্নাবা উথং মচা অমুদা বর্মীজশিংনা খংহৌদনা লান্নারকখিবা অমি লৈনকয়গাদি সরকার অসিনা হুংশা থীরম্বা অমি অচুম্বনি হায়দবা ওয়োই। অমরোমদনা, বর্মগা ব্রিটিশকা লান তৌয়কপা তাবদি মণিপুরনা ব্রিটিশকী লানবন শোইদনা ওইরকনি হায়বসিদি কোর্ট উইলিয়ামদা লৈবা অথোয়বা ব্রিটিশশিংনা মাংলোননা খল্লোকখ্রবমি। মতম অসিদা বর্মানা মণিপুরগী মথক্তা হন্না হন্না লান্না- রকখি। বর্মাবু মণিপুরদগী তাদোক্নবা উপাই থীরকপদা মণিপুরনা ব্রিটিশকা খৃঃ ১৭৬২ দা থেংনরকখনি। মণিপুর অমদি ব্রিটিশকী অহানবগী মরি অসিদি চহি অমরোমদগী হেল্লমদে। অদুবু ১৯শুবা শতাব্দী চংলকপদগী মাইকৈ অথোবগী রাজনিতিগী কীডমক্ত অমুম অমুম হোংলকখি লোয়ননা, লম শন্নোকপা পাখা বর্মাগী পোলিসি অসিমু অমুক হৌরকখি। অমাং নোংচুপ মায়কৈ য়োমদা লান্নারকুনা মণিপুরবু বার্মনা খৃঃ ১৮১৯ দা অয় তৌখ্রে। খৃঃ ১৮১৯ দগীনা খৃঃ ১৮২৩ কাওবগী মতম অসিদদি বর্মাবু তান্থোকপা ঙম্বা মণিপুরী নিংথৌ মচা অমত্তা লৈবাক অসিদা লৈরমদে। অদুম ওইনমক খৃঃ ১৮২৩ গী লোয়রমদাইদগীদি গম্ভীরসিংহনা ব্রিটিশকী মতেং লৌরগা বর্মাবু মণিপুরদগী তাদোকনি হায়দুনা চোংথোক্লকখি। মরম অদুনা লাইরিক অসি ব্রিটিশ অমদি বর্মাগী অহানবা লান হৌবা খৃ' ১৮২৬ দগী হৌরগা মণিপুরনা মনিং মথা ঙম্বা মাংখিবা চহি খৃঃ ১৮৯১ দা লোইশিল্লি। খৃঃ ১৮২৬ দগীনা খৃঃ ১৮৯১ কাওবগী ইতিহাস অসিদা মৈহৌরোলদগী মনিং অচুম্বা মণিপুরনা মচৌ কয়য়া ব্রিটিশকী মথা পানখিবগে হায়বদু মমেক শেংনা উৎকরবা হোৎনরি।

ইতিহাস ইনবগী মচাক্না পুকৈ থম্না লৈরবত্ত মরিক চুম্বা মণিপুর ইতিহাসতি ওসি কাওথদা কনানত্ত ইনবা হোৎনখিদ্রে। রাজকুমার শ্রীরমনকুমার সিংহনা মাগী 'এ সোর্ট হিস্ত্রি অফ মণিপুর' হায়বা লাইরিক্তা পাথংমুগী হৌবগা মণিপুরনা ভারত সরকারগী মথাদা লৈবা ইউনিয়ন টেরিটোরী অমা

ওইথিবা কাওবগী মণিপুর ইতিহাস অসি লমাই ২৮০ মুক্তা ইরি। মণিপুর ইতিহাসকী অরাংপা অমা লৈরদ্রা অহুগী অহাংবা অহুদি লাইরিক অসিনা থরম-থৈদি মেনখিজে হায়বদি যায়ে। অহুবু লাইরিক অসিদি ঐথোয়না পায়বা ইতিহাস অহুমকী খাকীদি ওইরে। শ্রী জেঃ রোয়না মাগী 'হিস্ত্রি অফ মণিপুর' দা মণিপুরগী ইতিহাস অসি ৮শুবা শতাব্দীদগী হৌরগা হৌজিক্কী যুগকী ময়াই চনবা মতম কাওবা অসি লমাই ১৩০ মুক্তা ইনবা হোৎনরি। প্রোঃ রোয়না ইরিবা মতাং অ'সগীদি লাইরিক অসি যরাম্না পায়রবা লাইরিক্তি। অহুবু লাইরিক অসিত্ত ওরিজিনেল সোর্চশিংদা নৈনরগদি ইয়মত্রে। ডাঃ এঃ সিঃ মেনর্জীনা মাগী মমিং চৎলব। লাইরিক 'দি ইষ্টর্ন ফ্রোন্টিয়ার অফ ব্রিটিশ ইন্দিয়া' দা মণিপুর ইতিহাসকী মতাং থরা থরা খৃঃ ১৮২৬ ডা তৌনখিবা য়ান্দাবু সন্ধীগী মতাং কাওবদা নৈনহুনা ইরি। আলেকজান্দার মেকেঞ্জীনা মহাকী 'নোর্থ ইষ্ট ফ্রোনটিয়ার অফ বেঙ্গোল' দা মণিপুরনা কামহাও অমদি লুসাই-শিংগা মরি লৈনবা পন্দুনা ইরি। সার জেমস জোনষ্টোন অমদি মিসিজ গ্রীমউদনা মখোয়গী 'মাই এক্সপিরিয়েন্স ইন মণিপুর এন্দ নাগা হীলস' অমদি 'মাই থ্রী ইয়াস ইন মণিপুর' দা ১৯শুবা শতাব্দীগী লোইরমদাইগী মণিপুরগী ইতিহাস অসি থরা থরদংতা ওইরবত্ত ইনবা হোৎনরি। অহুবু লাইরিকশিং অসিদি মরিকচুবা বাংলিবা অমদি অথয়বা মতাং থয়দত্ত নৈনবা লাইরিক ডাকনি। মরম অহুনা অকংবা ওরিজিনেল সোর্চ নৈনরগা মরিক চুবা মণিপুর ইতিহাস অমত্তংদি ইগে হায়বসি ঐগী মতম কুইনদগী নিংজ-রক্লবা অপাখনি। লাইরিক অসি ঐগী নিংজমনগী অহানবা মহৈহনি।

অকংবা ওরিজিনেল সোর্চশিং কুপ্না নৈমরগা মণিপুরগা ব্রিটিশকা মতৌ করম্না মরি লৈনবা হৌখিবা অমাদি মতৌ করম্না লৈবাক অসিনা ব্রিটিশকী মখা পোনাখবা হায়বত্থ লাইরিক অসিদা নৈমরি। কবো তম্পাকী বায়োল, গম্ভীর সিংহনা নোংগথাবা মতুংদা মণিপুরদা হৌরকখিবা সিংহাসন যুমগী লালহৌ, মণিপুরদা সিকাই লালহৌবগী কল, খৃঃ ১৮৯০ গী কোতুং লালহৌ অমদি খৃঃ ১৮৯১ গী অথৌবশিংগী বিচারনচিংবগী মতাং কয়াদা অনৌবা মচাক কয়া অমত্ত হাপচিন্নবা হোৎনম্মি। অসিদা মতমনা মণিপুরগী চাংডম প্রজাশিংনা লৈমরবা মরি, ব্রিটিশকা শম্নরবদগী মণিপুরগী রাজনিতিগী ফীভমদা, সমাজগী ফিভমদা অমদি শেলথুমগী ফিভমদা অহোংবা কয়া পীরকখিবা অসিত্ত মরিক চুনা নৈননবা হোৎনম্মি।

লাইরিক অসি ইনবা হোৎনবা মতমদা নৈনখিবা কোক্লবা অমদি কোংন্নিবা আফিসিয়েল রেকোর্ডশিং অদু লাইরিকশিগী অরোইবদা সেলেক্ট বিব্লিওগ্রাফী ওইনা হাপচরি। লাইরিক অসি গৌহাটি ইউনিভর্সিটিনা খৃঃ ১৯৬৯ দা ডাক্তর অফ ফীলোজোফীগী ডিগ্রী পীখবা থেসিসনি। ইরৈবাক মচাশিংনা নৈনবিনবা মণিপুরদা কোংদোকচখনি। নিংজরিবা অসিদং থুংহনখিরবদি হোৎনজমন মহৈ মালে হায়না লৌজগনি।

লাইরিক অসি ইনবা হোৎনবা মতমদা ঐবু লমজিংবিখিবা ঐগী পাইজ ডাঃ ঐচঃ কেঃ বরপুজারী এমঃ এঃ, পিঃ ঐচডিঃ (লন্দন) প্রোফেসার এন্দ হেড, হিষ্ট্রি ডিপার্টমেণ্ট অমদি ডিন, ফেকল্টি অফ আর্টস, গৌহাটি ইউনিভর্সিটিদা ঐনা শিংবা উররোইদবা পুন্সিগী ওইবা লমন তোঞ্জরবনি। মগুন নৈরবা ওয়া অসিনা ঐবু পুরিং চুয়া লমজিংবিরমব্রবদি লাইরিক অসি অতক থুনা কোংবা ঙমরোই। ঐনা শিজিন্নজরিবা রেকোর্ড ময়াম অসি মথাকপা নৈতনা ঐহোক্না পীবিখিবগীদমক ডাইরেক্টর, নেসনেল আর্কাইভস, নিউ দিল্লী। ডাইরেক্টর, ওবেষ্ট বেঙ্গল আর্কাইভস অমদি সুপারিণ্টেনডেণ্ট, সেক্রেটারিয়েট লাইব্রেরী, মণিপুর গভর্ণমেণ্টনচিংবশিংগী মফমদা ঐগী তৌবিমল থগবা উৎচরি।

লাইরিক অসি কোংজবা ঙমদতুনা মতম থরা লৈকরবনি। অদুবু ঐগী মুংশিজরবা মরূপ শ্রীওইনাম মাতুমসিংহ এমঃ এসসিঃ, বিঃ টিঃ না কোংদোকপীতুনা লাইরিক অসি ইরৈবাক মচাশিংগী মাংদা থমজবা ঙমজরে। পুকচেল চাওরবা মরূপ অসিগী মফমদা ঐগী তৌবিমল থংবা উৎচরি। ইংরেজীদগী মণিপুরদা হন্দোকপা মতমদা অমদি লাইরিক অসিগী প্রুফ পারকপা মতম থুদিংদা ঐবু তেংবাংখিবগীদমক রাজকুমারী অহল্যাশান্তি দেবী, রাজকুমারী রতনকুমারী দেবী অমদি রাজকুমারী সুজাতা দেবীগী মফমদসু ঐগী তৌবিমল থগবা উৎলি। নখদা অমত্তং কোংনবা হোৎনখদা ভাগ্যবতি কার্য্যালয়, চূড়াচান্দ প্রিনটিং বার্কসকী কর্ম্মিশিংনা য়াম্না থবাই য়াওবিখিবগীদমক থাগৎচরি।

ঐগী লাইরিক অসি পুথোকচনবা হোৎনবদা ঐবু মথল থুদিংদা তেংবাংবিখিবা অথং অহে অমদি মরূপ মপাং কয়ানি। পুন্নমক্তী যিং পঞ্জরবসু ময়াম পুন্নমকী মফমদা ঐগী তৌবিমল থংবা উৎচরি। থরা থুনা নম্নবা হোৎনখিবনা হন্দক্তী চেকোং অসিদদ ইন্দেক্সনচিংবা হাপচবা ঙমজখিদ্রে। মথংগী ইডিসনদা ঙমজগনি হায়না আশা তৌজে।

শগোলবন্দ, ইম্ফাল
২১। ৮। ৭০

নৈশাংথেম চন্দ্রমনি সিংহ

হিরম লামাই

হিরম **লামাই**

অষ্টমশুবা পন্দুপ

মরিশুবা পন্দুপ

মঙাশুবা পন্দুপ

তরুকশুবা পন্দুপ

তরেংশুবা পন্দুপ

ৱাহৌদোক

হৌজিক্কী মণিপুর অসি ভারতকী নোংপোক চিনাইদা লৈ। লৈবাক অসিগী অৱাংগী লেটিটুড ২৩°৫০´ অমদি ২৫°৫১´ নি অদুগা নোংপোক্কী লোংগীটুডনা ৯৩° অমদি ৯৪°৪৫´ নি। অৱাংদা নাগা হীলসকী চীংশাং, অৱাং নোংপোক, নোংপোক অমদি মখাদনা বর্মা; মখা নোংচুপ, নোংচুপ অমদি অৱাং নোংচুপ্তা হৌজিক্কী আসাম্না মণিপুরগী ঙমখৈনি। অদুবু মখক্তা পীরিবা লমশিং অসিনা মণিপুরগী মহৌশাদগী লৈঙরকপা সিমানাদি থক ওইদে মরমদি লৈবাক অসিগী পাকচাওবা অসি মতম মতমতদা পাম্বা নিংথৌশিংগী মপাঙ্গল মথৌনাগী মখা য়াম্না পোল্লমগী। কম্বিদ্বা মতমদা চিন্দুইন তুরেলগী নোংপোক থংবদা লৈরিবা লম অমাফসি মণিপুরগী ঙমখৈ ওইরমই। অদুগ কর্ণ কৱিংহাম মতমদনা কবো তম্পাক অসিদগী থরদং হেনবা লম কাওবনা মণিপুরগী ঙমখৈনি। অদুম ওইনমক মপাঙ্গল শোনবা নিংথৌশিংগী মতমদদি মণিপুরগী ঙমখৈ অসি হৌজিক্কী মণিপুরগী পাকচাওবদগী থরদংতমক মহেল্লম্মী[1]।

মরম অসিন অরিবা মুগকী মণিপুরগী পাকচাওবা অসি মরিকচুন্না য়াংপা ৱাগনি। কর্ণেল মেকক্রোক্কদি অসুম্না হায়রি: 'নাংপোক অমদি মখা মাইকৈদদি মণিপুরগী পাক চাওবা অসি নিংথিনা য়াংত্তে মরম অসিনা মণিপুর সরকারনা মাইকৈ অসোমদা লৈবা চীংগী কাংলুপ্তা শম্নোকপা ওয়্যবা পাঙ্গল অমদি শক্তি অতগী মতুং ইন্না মাইকৈ অসোমদা মণিপুরগী ওইবা পাকচাওবগী মথুংদগনি[2]।" মেকক্রোকী ৱাহম অসিমক মণিপুরগী অৱাং অমদি নোংচুপকী ঙমখৈগী মতাংদত্ত অচুম্বনি হায়রবদা অরানবা লৈতে। অৱাংলোমদা মণিপুরগী লম অসি হৌজিক্কী ডীমাপুর হেন্না লৈবদা[3] অদুগা নোংচুপলোমদনা কাছাড লৈবাক্কী মহুংদা লৈবা চন্দ্রপুর এলাকা হেন্দোক্লম্বা[4] অসি ইংং তত্তুনা থেংনগনি।

মণিপুর অসি চীং অমসুং তম অনথোক্ক থাইদোকই। তমগী শরুক অসিবু মণিপুর তম্পাক নত্রগা ইম্ফাল তম্পাক কৌই। চীংগী শরুক অসিদি চীংলোন তরুক থোক্কা তম্পাক্কী লমদম্ কোইশিল্লি। চাংগী পাকচাওবনা বর্গ মাইল ৭,৯০০ নি

---

(১) জোনষ্টোন, জেমস; মাই একস্পিরিয়েন্স ইন মণিপুর এণ্ড নাগা হীলস, লমাই ৮১।

(২) কর্ণেল মেকক্রোক, একাউন্ট ওফ দি ভেলী ওফ মণিপুর, লমাই ১।

(৩) সিক্রেট কনসলটেসন্স, মে ৩০: ১৮২৯ মশিং ১:

(৪) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, মে ২৮, ১৮৩৫; মশিং ৩০ ৩১

অদুগা তম্পাক্কী শরুক্কা বর্গ মাইল ৭,২৬ অমুক চাওগনি। মণিপুর তম্পাক অসি তশেংনমক অৱাংবা লৈচেংম,মান্নবা মমদগি। তম্পাক অসিগী অৱাংবা সমুদ্রগী লৈমাইদগী ফুট ২,৬০০ নি। তম্পাক অসি অৱাংলোমদগী মথাবোমদা থরা থরা চুমথখি অদুগা চীংশাং পরেংগী মরাংবা অসিগী অৱাংগী শরুক্ক মথারোমদগী চেল্লি। তম্পক্কী শরুক কোয়শিল্লিবা চীংশাং পরেংশিং অসি মহৌশানা অৱাং অমস্তুং মথাগী মাইকৈদা লৈ। উচেৎ হৌদবা অমদি মশোন পাংবা চীংগী মরক্তা থীনগৎ লকপা চীংদোলশিংনা চীংশাংগী পরেং অসি চাং নাইদবা হোরাই মথাগী মওং মাইখি। চীংলোন অমগা চীংলোন অমগগী তাইনকম মরক অসিগী য়াম্না লুবা অমদি চৎথোক-চৎশিন তৌবদা থুদোং চাদবা লোক ওইনা তৌই। থাইদগী ৱাংবা চীংশাংদি অৱাং নাংপোক্কী চীংশাং পরেং অসিনি। চীংশাং অসিদা সমুদ্রগী লৈমাইদগী ফুট ৮,০০০ কাওবা ৱাংবা চীংদোল লৈ।

মণিপুর তম্পাক্কী মহৌশাগী ফজবা অসি লৈবাক অসিগা থংননা লৈবা ইরাবাদি তম্পাক্কা য়াম্না মান্নৈ হায়রগা যাই[১]। এরাপ্রেম্নদগী খেংথরকপা মীওইনদি য়াগী য়াপল কয়ামক্রম চাই লোয়োন তাঙানবা মক্নমশিংদ পাং অমদি তুরেল লৈবা উবা অদুগা পাক্ল শাংনা লোং-উরিগা লোইরুক্কী মরক্তা মণিং থীডমদ্রবা থুকং শিংনা লৈবা অপাকপা তম্পাক অমা ওইনা উগনি। ঈথেলগী ফম্বীদা লৈরবা চীং অমস্তুং তম্পাক্কী অয়াম্বা শরুক্তুগী চেম্বকপ মশা কয়ামকুপগা লোইননা ইম্ফাল তুরেলনা তম্পাক অসিগী অৱাং মঈকদগী মথারোমদা চেম্বি। নম্বুল, ইরিল, থৌবাল অমদি অতোপ্পা তুরেল কয়ামকমসু তম্পাক অসিদা চেল্লি। তুরেলশিং অসি উম্নগী ঈশিংদি ফংদে। মরম অদুনা তুরেলশিং অসি অয়াম্বা ওইনা নিংথম থাদা কংই অদুবু নোংজুথাগী মতমদদি তেৎর্বান পানিং পানিং তৌনা চেল্লি। অদুম ওইনমক থংননা লৈবা আসাম লৈবাক্কী মক্নম অয়াম্বদা তৌবগুম্ন মণিপুর অসি য়াম্না শাথীবা অমদি মাংতাক্নবা মওংগী ঈশিং ঈচাওদি পংনা নংদে। লৈবাক অসিগী মহৌশাগী লৈজবদা নাকাগী মওং অসি য়াম্না কৈ। তুরেলগী ঈশিং পুম্নমক লোক্তাক্তা চিথে অদুগা লোক্তাক্কী ঈশিং অসিনা অমুক চীন্দউইন তুরেলদা চিংথখি। চীংদা তুরেল কয়ামকম অমসু লৈরি। চীংগী তুরেলশিং অসিদি মওং অমত্তনি—চীং লৈবাক্কী অশাংবা পুথ্রীনি। ইকংথা কাওবদা ফুট ৩০ দগী ৫০ য়োম্না লুবা য়াওই। তুরেলশিং অসিনা চেল্লিবা মফমশিং অসি চীংলক্তা লৈবা অরুবা লোক ওক্তুনি। তুরেলশিং অসিগী নাকল অনিমক্তা মনাপুংবা উগী উমং

(১) হদসন, টি সিঃ দি মৈতৈজ, ...লমাই ১৮০

কয়ামকম লৈ। বারাক, জিরি, মকু, ইরং, লোকচাও চৌংগী তুরেলশিংগী মরক্তা শিংখাবা য়াবা ঙাক্তনি। নোংজুপাগী মতমদদি তুরেলশিং অসিনা চীং অমসুং তমগী প্রজাশিংগী মরক্তা চখোক-চংশিন তৌবা মতমদ য়েথাইবা পী অদুবু নিংথম থাদদি মথোয়না চীং অমসুং তমগী প্রজাশিংগী চখোক চংশিনগী পাম্বৈ অমুক ওইহল্লি।

মণিপুরগী পাংশিং অসি অচৌপিশক নাই। মণিপুরগী নক্রগা নোংপোক ভারতকী থাইদগী চাওবা পাৎ লোক্তাকী পাকচাওবসি বর্গ মাইল ২৫ রোম্নি অদুগা নোংজুপাদদি বর্গ মাইল ৪০ দগী হেন্না চাওগনি। অতোপ্পা পাৎ ইকোপ, চরাং, থাইখোনচিংবৈনা তম্পাক অসিগী মরুম অয়াম্বা শন্দোক্লা লৈ। তম্পাক অসি ঈশিংগী মথাদা লৈরমগনি হায়বসিথী জিনবা কাংবু থরনা মত পীরি অদুগা মণিপুরীশিংগী চংনরকপা থাজনবনমু মসি চুম্মী হায়বা য়াই। অদুবু ভারতকী জিওলোজিকেল সর্ভেগী আর: ডি: ওলধামনদি মণিপুর অসি ঈশিংগী মথাদা লৈরম্মী হায়বা অসি জিওলোজীগী মতুং হন্না য়াদে[৬]।

মণিপুরগী উ বা হৌবগী মওং অসি মৌসুমী নুংশিংনা কংবা মকমগী মচুংদা লৈবা চৌংলৈবাকী লমদম অতৈগুম্না লমগী মওং অমদি অরাংবগী মতুংইন্না থেংনৈ। মণিপুরগী উমংদি অরাংবগী মতুংইন্না মরোল মবোল থাইদোকই। অরুবা তম্পাক অমদি তম্পাক অসিগী মথক্তা লৈরিবা ফুট ৫০০০ রাংবা চৌংদোনশিংদা মথল মথা অয়াম্বা উমং লৈ। ইকুই কুইন্ত্রিঙৈগী মমাং ফাওবদা মণিপুরগী লম পুম্নমকসি অশোংবা উমংনা থন্না লৈরম্মী। মীশিং হেনগংলকপগী মতুংইন্না লৌউশিংউনবগী লম অশুম হেনগংলকপদগী উমং অয়াম্বা লৌউননবা কোকথোকথরে। লৈবাক অসি চৌংলৈবাক ওইবা মরম্না অরাং-অনেমগী মতুংইন্না নোংচুবগী চাং থেংনৈ। মণিপুর তম্পাক অসিবুদি থংননা লৈবা চৌংগী শক্তকাশিংদনা হেন্না নোং তাই।

মণিপুর তম্পাক অসি লৈহাও য়াম্না তোল। মৈতৈশিংনা তম্পাক অসিদা লৈ অদুগা চৌংমীশিংন চৌংশিংদা মণিপুরগী অইং-অশা অসি অশাবা লমদা কংবা অইং অশা অদুদগীনা নিংথম থাদদি ইউরোপকী অইংবগী চাং কাওবা য়োই[৭]। অদুওইরবসু লৈবাক আসগী অইং-অশা অসি মেংই মরম অসিমক্লা নক্লনা লৈবা লমশিংদগী মীওই কয়ামকম্না লম অসিদা থুম্দানবা লাক্লংই।

---

(৬) দাস, তারাকচাঁদ, দি পুরুমস, লমাই ১৭:

(৭) উড্‌ল, সাও, তমেংলোং অদুগা চুরাচাঁদপুরগী লমদমশিং আস ফুট ৬,০০০,৬০০০; ৪,৩০০ অমদি ৩০০০ রাংবনিদা কালেন্দা ইংই অদুগা নিংথমথাদদি তরং-তরং চিংশিংদা ইংই।

মণিপুর অসি মহৌশা লাইরেম্বীগী শাম্নকম্নি। গাশিচা মান্নবা অশংবা লবুক, অকবা পাংশিং, থেক্লা খোয়ন চেল্লবা তুরেলশিং অমদি হকচাং করবা হবা-হুংশিং অসিনা লৈবাক অসিদা চংলকপা মীওই খুদিংবু কাশ্মীরদা লৈবগুম থলহল্লি।// তশেংনমক মহৌশা লাইরেম্বীদি মণিপুরবু যাম্না চানবী হে। খুৎশেম যাওদবা মহৌশাগী কত্থবা পুম্নমক মণিপুরদা ওইনা তখায়রি। মশিমক্তা ভারতকী অতোপ্পা লৈতেম মান্নবা লমদমশিংদদা মিংনারবা শক্তমশিং অতুগী মহত্তা মণিপুরগীদি পুক্রিং হুরবা দৃশ্য কয়ানা মিংকী পোৎথাকম পীখ্রে। কালেনগী মতমদা ঊথক হৌরবা অপাকপা লৈদুনা অশংবা কৌগী পাম্বীন পোইরু চংলকপগা লোইননা সনাগী মচু ওরকপা, মনাপুংবা উয়াংগী উমং, মনাপাকপা লফু অমদি বাগী বাপল, মুনা শংদবা উমংশিং, পুক্রি হুরবা তুরেল অমদি পাংকী কত্থবনা অয়েংবা মীবু শুম্বাংলি[৮]।

চীংলোন করনা পাল লৈনা কোক্তাননুনা লম্বা মরম মণিপুর অসি মথঙ্গা তোংভোম্না লৈজরম্মী। অতু ওইরবস্তু মহৌশাগী লৈজরুবা চীং লম্বী অমদি তুরেলশিংনা চীংমী অমস্তা তম্মী শংবুদা চংথোক চংশিন তৌনবা যাহল্লম্মী, মশিমক্তা চহি লিশিং কয়াদগী হৌনা চীংদী অমসুং তেম্মীশিংগী মরি অসি তৎনবা যাদনা পুনশিন্দুনা থলম্মী। মণিপুরগী তুরেলশিং অমসুং চংথোক চংশিন্দ খুদোংচাবা শিত্রবস্তু লৈবাক অসিগী মহৌশাগী লৈজরম, চীংলম্বীশিং অসিনদি মণিপুর অমদি নক্তনা লৈবা লৈবাকশিংগা চংথোক-চংশিন তৌনবা যাহল্লমগনি হায়না

---

(৮) মিসিজ গ্রীমউদনা মাগী 'মাইপুংগী চত্তিন মণিপুর'গী চেপ অমদা অস্মু হায়ি: "ঐন মণিপুর তম্পাক অহানবা ... খুম্বিদাংবাইয়মগী খুম্মংকী মতাংদা মৈবদা পুক্রিং হুনা মিংথিগে চিংভোম। ওরবা ঊবদ ঊটপ কাইনবা লোক্তাক পাৎকী অশংবা ঊশিংগী মপৈপা ঐথাবগী হেক মশা ওইনা শক্তোকখিনি। বাগী বাপল অমদি লফুগী বম্না লৈতেংবা খুঙ্গং অমগা খুম্মগী মবেল্লা যেথাবা লবুক অমদি অতোপ্পা মহৈ-মরোং থাবা লবুক থানা পাক্ল। শাংনা শক্তোকখি তম্পাক পুম্নমক অসি চেকশিন্না থারবা মবিক চুম্বা মহৈ মরাং থাবা লবুক ওইনা উথাব।' সার জেমস জোনস্টোন্না মাগী এড-মিনিস্ট্রেটিভ রিপোর্ট অব মণিপুর, ১৮৭৭-৭৮ গী লমাই ১৭১ অতুদা অমুক্তা হায়ি: 'কাছাড়দগী লাকপদা মণিপুর তম্পাক অসি হৌখিবদা হেক ঊবদুনা পুক্রিং শুম্বাংনিংঙাইহনি.... তম্পাক অসি মাইকৈ খুদিংদা চিংলোন থানা কোইশিনবা মখল যাম্নবা পাৎ, তুরেল অমদি মখল মখল অথাম্বা মনা মশিংগী লবুক লৈবা অশিকপা পৃথিবী অমত্তবনি। য়েৎথংবা মাই কৈদা অচৌবা লোক্তাক পাৎ লৈ। মাংদা পাঙ্কা শক্তোকখিবা তম্পাক অসিদনা খুঙ্গং পরেং পরেং ভাব্রি, ওইরমথংবদ অং মদ খু মৎকি মশেঙ্ক যৈবদা লংমা উরবা মণিপুরগী মন্দির মথায় লৈরি। তম্পাক অসিগী অবোইবন চীংশাং পরেং পরেং অমত্ত লৈরি- ময়াম অসিনা তম্পাক অসি খুদিংদগী কত্থবা অমদি পুক্রিং হুরবা মিংন উবা অপং অমত্তম তৌর।"

লৌবদা থাজনবগী মরম কয়ামুক লৈ। খুঃ হৌগদবা চহি কয়ামক্কম রাংজিডৈগী মমাংদগী চীং লম্বীশিং অসি ললোন ইতিক চৎপা, লম শম্মোকপা অমদি খুম্মাবা চৎপা কাংবুনা 'শিজিন্নরম্মী।' প্রোঃ ডিঃ জিঃ ই. হোলনা ইরাবাদী অমদি চীন্দ উইনগী তোর্বান্দা চৎখিদুনা মণিপুর ফাওথুগা মথাখংবা বর্ম্মাগা ভারতকা শম্নবা যাবা লম্বী অমা পীরি। সার অর্থর ফেরেন হায়রি: ".কত্রিগী নিংথৌ মচাশিংনা বর্ম্মা মৌরকথিবগী লম্বী অদুদি চৎনাবদা ভাক্রিবনা ইরাবাদ্দী তুরেলগী তাকমদা 'লবা মণিপুর ফাওবগা লাকপনি"[৯]। চীন্দউইন তুরেলগী মথা খরদং চৎথরগা মণিপুর ফাওনা চৎপা যাবা লম্বী অমা পীরি। লম্বী অসিদা চৎলগা উৎ তোংদুনা চৎপা ললোনবা কাংবুশিংনা আফগানিস্তান ফাওবদ থ অতম চংন চৎলগা মফম অদুদা ইউরোপকী সনাগা চাইনাগী মুগাগা শিন্নে হায়না হার্ভেনা অমুক্কা হায়রি[১০]।

মণিপুর অসি অতোনবা যুগকী মতমদাদ মামং কয়ামক্কম্না খংনবম্মী। রিনেলগী মেযোইস সিং অমদি ভারতকী মেপ্পা লৈবাক অসিবু "মেক্লে" হায়না কৌরম্মী। সিমসকী নেরেটিভ অমদি মতম অদুগী মপ্পা মণিপুরবু "কাসে" হায়না পীরম্মী। আইচিসনগী সন্ধীনচিংবদা লৈবাক অসিবু "মেক্লে" কৌই / বর্ম্মীজশিংনা মণিপুরবু "কথে" কছাড়ীশিংনা "মোগলাই" আসামীশিংন 'মেকলে" অহোমশিং অমদি বঙ্গালিশিংনা "মগলু" অদুগা নিংথি নত্রগা পেন্দউইন তুরেলগী নোংপোক্কা ভারিবা সানশিংনা "কসে" অত্তম্না খংনরম্মী। মরম অসিনা লৈবাক অসিবু করম্না মণিপুর হায়না খংনশবনো হায়বদু খংনিংকম থোকই। কনাগুম্বা থীজিনবা কাংলুপ অমনদি লৈবাক অসি মণিপুর হায়ন খংনবা হৌখিবাস ১৮ শুবা শতাব্দী অসিবাহদগী ঙ্গন হায়রি। মণিপুর হায়বা মিং অাস মহাভারতত্ত থংলথা মওম্না মথক্তা পীরিবা মত অসিদি যানিংঙাই ওইদ্রে। টিঃ সিঃ হুডসন্না হায়রিবনা "মণিপুর" হায়বা মিং অসিদি বব্রুবাহন্না[১১] পোকত্রিডৈগী মমাংদা লৈরম্নবনি অসিনি। ইবুংডোহল সিংহনদি মাহাভারতকী মণিপুরবু গঞ্জামদা অমদি কলিঙ্গদা থমসি যাদে[১২]। অরিবা যুগতদি মশক নাইবা লম অসি তোংঙান তোংঙানবা মমিং কয়ামক্কম্না খংনরম্মী। খুদম ওইনা হায়রবদা কনৌজ অসি কুসস্থলী, মহোদয়, কান্যকুব্জ, পাথিপুর অসিনচিংবা মিংনা খংনরম্মী। মরম অদুনা মথক্তা পীখিবা

(৯) কেবে সার অথর, হিস্ত্রী ওফ বর্ম্মা, লমাই ৩।

(১০) হারভে, হিস্ত্রী ওফ বর্ম্মা, লমাই ৯।

(১১) মণিপুরগী নিংথৌ মচানুপী চিত্রাঙ্গদা অমদি অর্জুনগী মচানুপা বব্রুবাহন, হুডসন টিঃ সিঃ দি মৈথৈজ, লমাই ৭।

(১২) ইবুংডোহল সিংহ লাইরেনমযুম, এন ইন্ত্রোদক্সন টু মণিপুরগী লমাই ৬-৭তা য়েংউ।

মিং ময়াম অসিনা মণিপুরবু খঙনরম্বা অসিনদি লম অসি থংননা লৈবা লৈবাক-শিংদা মমিং চৎলবা অমদি য়াম্না নিংথিনা থংনরবা লৈবাক অমনি হায়বসি তাকই।

"মণিপুরগী অঙনবা যুগকী ইতিহাসতি মরীক চুম্বা বাংলি। অদু ওইরবস কর্ণেল গিরিসননা টালেমীগী ভুগোলদা থীজিনবদা মণিপুর ইতিহাস অসি খুইনা পোক্কদবা চাহি চা কয়ামরুমগী মমাংদগী পীনব হোৎনরি। মহাক্না ইরি "বর্মীজ-শিংগী পুয়া (মহারাজ বমস) গী মতুংইন্না মণিপুরদা খৃষ্ট মমাং চহি ৫৫০ রোম অহুবাইদা সাক্য শাগেগী নিংথৌ ধজরাজা হায়বা অমা পাল্লম্মী। মতুং থরা লৈরগা মহাক্না টাঙুবাং অরিবা নত্রগা অবাংথংবা পাগান অয় তৌখি"। সার জেমস জোনষ্টোনস অঙম্না হায়রি : "ভারতা লাকখিবা আর্য্যগী কাংলুপ অদুনা চাওখৎনবা অমদি লম শন্দোক্নবা হোৎনরকপা মতমদগী হৌরদুনা বর্মাগী অথাক্না লম ফাওবা চৎখিগে হায়না খনবা আর্য্যগী লাম্দাবা কাংলুপ্না মণিপুর অসিবু অতৎপা লৈতনা ফাওদুনা চৎখিবম্মী" ১৩। মণিপুরগী গেজেটিয়ার ইবা মতমদা কেপ্তেন ডুম্না অঙম্না অমুক্তা ইরি : "ইতিহাসকী যুগ হৌড্রিঙৈগী মমাংদ অপোংবা আর্য্যগী কাংলুপ অমা মণিপুর ফাওদুনা বর্মা য়োনবা চৎখি হায়বসিদা চিংনবি তাই লৈতে"১৪। ভারতকী বৌদ্ধধর্ম চৎপা লম্বোইবা কাংলুপ থরনা মণিপুরগী চীং লম্বীদা চৎলগা চাইনা য়োনা ধর্ম শন্দোকপ চৎখি হায়বসিদা চুমনিংতাই মরম কয়ামরুম লৈ। মরমময়াম অসি লৈনরুরগা আর্য্যগী সাভ্যতা অসি মণিপুরদা য়াম্না ডনবা যুগতগী ফংবা হৌখে হায়রুবদা চুমনিংতাই মরম য়াম লৈরে। অদুবু থাজবা য়াবা মচাক হংৎপনা চাহ অসিদগী আর্য্যগী সভ্যতা অসি মণিপুর য়োরকখি হায়দুনা চাওথোক্ন হায়রুবদ দম দ্র।

অদুম ওইনমক মণিপুর ইতিহাস অসি ১৭ শুবা শতাব্দীনা লোইশিনবা ফাওবদাদি অদুক হাক্ক। নৈনবদা মুংচাইবা খোদোক বাথোক য়াওদে হায়বা তাই। অদুবু ১৮ শুবা শতাব্দী হেক হৌবদগীদি মণিপুর ইতিহাসকী অনৌবা যুগ অমা হোংলকপগী নাংঙানবা হৌখ্রবনি। চহি অদুক কুইবা অসি মণিপুরগী মহৌশাগী লৈজরবা মতিক মথোন ময়াম অসি মরিক চুম্বা মহৈ য়াক্কহনবা ওবাং মীওই অমবু ডাইরখাদোনা তৌরি। মতম অসিমগুদান মণিপুরগী থাইদগী মতিক মঙুণ লৈবা নিংথৌশিংগী মরক্তগী থমব য়ারবা গরীবনিবাজ মহারাজনা লৈবাক অসিগী নিংথৌ ওইখিবা। বর্মীজশিংনা খৃঃ ১৭১৪, ১৭২৪ অমদি ১৭২৫ দ মণিপুরদা লান্দারকখিবা অদু মহারাজ অসিনা মাইথীবা পীবদা নত্তনা বর্মাগী মপাজন

(১৩) জোনষ্টোন, জেমস, মাহ এক্সপিরিয়েন্স ইন মণিপুর এন্দ নাগা হীলস, লমাই ৮০।
(১৪) কেপ্তেন ডুমঃ গেজেটিয়ার অফ মণিপুর, লমাই ৩।

খোজবা[১৫] নিংথৌশিংনা নিংখিনা য়েংশিনবা ভমত্রবা চীন্দাইন তম্পাকী লম ময়াম অদুগা থুদুম চল্লম্মী। মহাক্কী মথাদা লেমগংথিবা হৌশিংলবা শগোল তোংবা লাম্মী কাংলুপ অদুনা মতম অদুগী অয়াং দর্শাগীদি অকিবা অমা ওইনা লোক্লম্মী। মণিপুরগী শগোল তোংবা লাম্মীশিং অদুনা থুন ময়াম অমদি লোগাদা কয়ামরুম থুগাইরম্মী অদুগা মথোয়বু থীংবিনবা লাম্মী লাকত্রিভেদা লুট কাওবা তৌরম্মী। গরীবনিবাজনা বর্মাদা লান্দাখিবা অসিগী থুদোং চাবা লৌড়না ত্রিপুরাগী নিংথৌনা মণিপুরদা খৃঃ ১৭৩৯ দা লান্দাখি। মণিপুর কাওবা লাকখিবা ত্রিপুরী লাম্মীশিং অদুবু গরীবনিবাজ মহারাজনা ইরাই লাইনা মাইথীবা পীখি। মহারাজ অসিনা মণিপুরগী মনাক নকপদা লৈব চীংগী থুল্লাকপশিংগা লান তৌরম্মী। থুল্লাকপাশিং অসি অয়াম্বনা মহারাজ অসিগী মপা পোল্লম্মী। গরীবনিবাজ মহারাজনা পানবা মতমদা ভারতকী অয়াং-নোংপোক চিদাইগী রাজনীতিগী যুদ্ধমদা মণিপুরনা অচৌবা শরুক য়াবা হৌখি। অদুবু মজা ইবুংঙো অজিৎশাইগী মথুংতা মহারাজ অসিনা নোঙ্গাখিবগা[১৬] লোইননা মণিপুরদা লৈবাক কাংখোং চাইবা অমদি মকম মরাং থংদবা চৌখি। মতম অসিদা মচানা মপাবু অমদি মনাওনা ময়াম্বু মীথুংশি থংদন অমদি মুপা থোকপগী থুদম অমত্তা য়াওদনা হাংনবা ত্তমবা চৌখি। লৈবাক মরা চেত্তবা অসিনা মণিপুরগী মহৌশাগী লৈজবদা মপাজল মথৌনা অদুম্ত শোয়হনখি। মপা হাৎতুনস্থ নিংথৌ থুভম কংকম থোকপা ময়াম্বা শ্যামশাইনা তিংলিবা মথৈদি অজিৎশাইগী কিভম অদু চেৎলমদে। মরম অদুনা অথুম্মা উপাই শিজিন্নদুনা ময়াম্বা হাৎলগা মহাক্না মণিপুরগী নিংথৌ ওইখি। অদুম অদুম ওইনমক মরাইবক থীবনা মহাক্না নিংথৌ ওইদুনা পানবা চহি মক্তাগী মতুংদা মপা অমদি ময়াম্বা হাৎলুবগী মবম অদু প্রজা পুম্নমক্না খংনরক্লম্মী। হায়না খুৎলিংদুনা লৈরবা ভরতশাই হায়বা গরীবনিবাজগী অতোংপ্পা মচা অমনা মহাক্কী মচিন মনাওগী ঈ-থৌরাংদে অদুন চুম্নতা মণিপুর থাদোক্নুনা চৎখ্রে হায়রম্মী। তৌনিংঙাই উপাই লৈত্রবা অজিৎশাইন চৎনিংদা চৎনিংদনা মণিপুর থাদোক-খিরম্মী অদুগা ভরতশাইনা মণিপুরগী নিংথৌ অমুক ওইরম্মী।

(১৫) খিনরেথোদিম্মা খৃ ১৬৯৮ দা লৈখিত্রবা মতুংদা ভুঙ্গ শাগৈ (১৬০০-১৭৫২) অসি অশোনবা নিংথৌ অমম্মা শাজন্ম—সেন (১৬৯৮-১৭১৪) টানিংগানবে (১৭১৪-৩১) অদুগা মাহাদাম্মাযাজাদিপালি (১৭৩৩-৫৩) ডি জিঃ ই. হোল, এ হিষ্ট্রি ওফ সাউথ ইষ্ট এশিয়া. লমাই ৩২৩।

(১৬) গরীবনিবাজ অসি মাগী মচাসুপা অজিৎশাইনা খৃ· ১৭৪৮ গী ডিসেম্বর থাদা মীথুংশি থংদনা হাৎখি—ঝলজিৎ সিংহ, রাজকুমার, এ সোর্ট হিষ্ট্রি ওফ মণিপুর, লমাই ১৪২।

খৃঃ ১০৫৫ দা ভরতশাইনা নোক্তাখবদা মণিপুরগী অঙম অপৌ ময়াম্না শ্যামশাইন পোক্লম্বা মঙা হবুংরে অহক্ত গৌরশ্যামনু মণিপুরগী সিংহাসনদা থাক্কংলম্মী। মহারাজ অসিগী সনাহাক্তক্তা সর্দ্দীজশিংনা খৃঃ ১৭৫৪ অমদি খৃ. ১৭৫৮ দ মণিপুরদা লান্দারকখি। বর্মাগী লান্মীশিংদগী মণিপুরবু নিংখিনা চাকথোকপা ওয়ামকক্তত্না গৌরশ্যাম্না মনাও ইবুংঙ্গো জয়সিংহবু মাগী মকোং পাউ হায়না তাক পিরম্মী। ময়ামবু গী য়াথং হন্দুন মপেল মনাওনা চং মহু মডা মণিপুরগী নিংথৌ ওইনবা হায়না য়ানরম্মী[১৭]।

মহারাজ জয়সিংহনা পানবা মতমদা ইহানহানব ওইনা মণিপুরগা ব্রিটিসকা মরি লৈনবা হৌখ। মবু চেংক্লব মণিপুরগ রাজনীতিগী কিভম অতুনা য়েনহৌ লৈবগী য়েক্লব, ওইরক্লবা বর্মাগী লান্দারকপদগী কন্নবা মপাঙল কনবা মকপ অমা থিবা তারম্মী। মতম অদুগী মণিপুরগী অকক্লবা লান্মী অমাদি পুকৈ অদুনা বর্মাবু তানথোকপা হায়বা অসি ওইথোক্কে হায়বর্সি মহারাজ জয়সিংহনা খংলম্মী। তাঙ্গা অসদা মহারাজ অজিৎশাহনা ত্রিপুরাগী নিংথৌগী মকোং লৌরগ মহাকপু মরম চুমদন মণিপুরগী সংহাসন অমদি মণিপুরদগী তাথোকপিরক্লে হায়ব বাকৎ অমা বাঙলা সরকারদা লানথংথে হায়ব অসিও জয়সিংহনা পাউ কংলম্মী। খুদোংথিব থোক্লপা য়াই হায়বগী চি নবন খৃ ১৭৬১ গী জুলাই থাদা মহারাজ জয়সিংহনা মহাক্কী পাউ পুবা হরিদাস গোসাইবু 'চট্টগোংদা লৈব 'চট্টগোং' কৈক্টরিগী লুচিংবা চেরি ভরেল্‌ষ্ট উননস অমদি বঙ্গলা সরকারদা করি মরমগী- দমক অজিৎশাহবু মণিপুরগী সিংহাসনদগী লৌথোক্‌পিনা হায়ন ইবা চিঠি অমা পিক্লবা থাখিরম্মী। হরিদাস গোসাইনা 'চট্টগোং' তাম্ন লাকতুন মবুঙোনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইকম থোকপগী মরম ময়াম অদু মার লৈনবা কাংবুশিংগা নিংখিনা তাম্নরম্মী। হরিদাসকী ওয়াইবা মরোল অদু তারবা মতুংদ মতম অদুগী বঙ্গলা সরকারনা জয়সিংহ মহারাজবু তেংবাংবা অমদি বর্মাজশিংন লান্দারকপদগী কন্নবা হোৎনবদ জয়সিং মহারাজবু তেংবাং পীবা হায়না য়ারম্মী[১৮]। হরিদাস গোসাইনা চিট্টাগোংদ থুংলবা মতাং অসি তাঙ্গা য়াম্ন চাথবা মতম ন। অলুংপাম্নাগী (১৭৫২ ড) মপ্‌ কল মথাদ পাক্লা লন্দোরকপা বর্মাজগী শক্তি অদু বাঙলা সরকারনা য়াম্না কল্লক্ত য়েংলিবা মতমনি। ইংলিশকা লান তৌনদুনা

(১৭) ফোম পব্লিক, ৪ ওক্টোবর ১৭৬২, ভেরেলষ্টতগী নেনাসটার্টতা ইবা চিঠিশিং, ইম্না মবাদ তাং ১৯, সেপ্তেম্বর ১৭৬২।

(১৮) মথক্কী য়াওকম অসিমক্তদগী।

লৈরম্বা (চহী ৭কী লান, ১৭৫৬ ১৭৬৩) ক্রেন্সনা ইনশিনবদগী বর্মাগী নিংথৌনা ইরাবাদি তুরেলগী ভাকমদা লৈবা নেগ্রেইস হায়বা ইংলিশনা খুন্দাজহুনা লৈবা ইথং মচা অমা থুগাইরম্মী[১৯]। ভাঙ্গা অসিদনি, হরিদাসনা চিট্টগোংদা লাক্লগা ভেরেলষ্টতা মরুপ শায়বগী বা হৌদোক্লম্মীবনু। মানিবা বারমগী মতুং ইন্না মণিপুর সরকারনা ব্রিটিশ সরকারদা ভন্না লৌদবা লম থগপ লিশিং নিপাল মকম চাবা য়েংহুনা কারখানা অমগা লানবন অমগা শাননব পীবা অদুগা লোইননা মথক থংবা ইরাবাদি তুরেল তম্পাক্তা লৈবা চাইনিজশিংগ ললোন ইতিক তৌবা মতমদা মণিপুর সরকারনা অয়াবা মত্তং পীবা হায়বা অসি য়ান থ। অসিদগী নত্তনা ব্রিটিশকী মত্তেং ফাংনিংমনাথবনা হেন্দুন মণিপুর সরকারনা মণিপুর তাম্না থারক্ত দবা ব্রিটিশকী লাম্মী শং অদুগী থরচ পীগে হায়বতা নত্তনা ব্রিটিশনা নেগ্রেইসকী ইথংতা মাংখবশিং অদুগীসু ক্ষতিপূরণ পীগে হায়না য়ারম্মী। মণিপুর সরকারনা পীগে হায়না য়ারিবা অসিগী মহত্তা বর্মীজশিংনা মুনপুবা লমশিং অদু হল্লিরবা হোৎননবগীদমক কম্পানি ভক্কা শাবা লাম্মী তেক্যোল অমা জয়সিংহ মহারাজগী তেংবাংনবা থাবকনি হায়না ব্রিটিশনা য়ারম্মী। মথক্কী বারমশিং অসি য়াররে হায়না খৃঃ ১৭৬২গী সেপ্টেম্বর তাং ১৪ দা লেপ্পরম্মী[২০]। হন্দক্কী অসিন মণিপুর সরকার অমদি বঙ্গালদা লৈবা ব্রিটিশ সরকারগী মরক্তা চৎনবীগী মতুং ইন্না য়ান-খিবা অহানবা সন্ধীনি। য়ানখিবা বারম অসিগী মরোল অয়াম্বদি ব্রিটিশকী কান্নবা ঙাক্তনি। সন্ধি অসিনা কংরগুম্বা ব্রিটিশকা বর্মাগা লান তৌরকপা তারবদি ব্রিটিশ সরকারগী শেম্বা য়াবা অচেৎপা যুদ্ধফম অমা মণিপুরদা শেম্বগী থুদোংচাবা অদু লপবা হোথি।

য়ানরবা বারমশিং অসি সেপটেম্বর তাং ১৯ দা[২১] বঙ্গালগী অগুম্বা কাংবুগী মমাংদা পুথোক্লম্মী। অদুবু আফগানগী নিংথৌ অহমদশাহা অবদালিগী মাইয়োক্তা অথুবা মত্তেং পাংবীয়ু হায়হুনা দিল্লিগী নিংথৌ শাহাআলমনা (১৭৫৯-১৮০৬) পরকপা চিঠিশিং ফংবদগী মণিপুরগুম্বা অথাপ্পা লমদা ইউরোপকী লাম্মী থাননবা হোৎনবা অদু ব্রিটিশ সরকারগী য়াম্না অরাবা অমা ওইনা থোক্লম্মী। অদুগা মণিপুরগী নিংথৌগা মরুপ শায়বগী থুদোংচাবা অমা ফংলিবা অসিসু মাংহনিংলমদে। মরমদি মসিনা নেগ্রেইসতা বর্মীজনা ব্রিটিশপু শাদিনা তৌথিবা অদুগী শেনমাং কুপথং-নবগী থুদোংচাবা পাইবা অমা পিরগনি হায়না থম্মম্মী। মণিপুরদা লাম্মী থাবা অদু

(১৯) প্রোসিডিংস অফ সিলেক্ট কমিটি, ১৭৬২, চেমা ৩৩২
(২০) এপেনডিক্স—এ, খৃ ১৭৬২ গী সন্ধীদা য়েংউ।
(২১) হোম পব্লিক, অক্টোবর ৪, ১৭৬২, মশিং ৫।

পন্থরম্মী। অদুবু মরুপ ওইনবগী সন্ধি অদুদি খৃ: ১৭৬২ গী ওক্টোবরগী তাং ৪ দা অরোইবা ৱারেপ লৌরম্মী[২২]। অরাং নোংচুপ ভারতকী রাজনিতিগী ফিভম অদু থরা কপংলব মতম মথংগী চহীদা ভেরেলষ্টকী মখাদা লাম্মী কাংবু অমা মণিপুরগী-দমক চিট্টাগোং থাদোকথরম্মী। ৪ লাম্মী কাংবু অসিন এপ্রিল থাদা কাছাড়গী কোন্থুং ওইরবা খাসপুরদা থুংলম্মী। অদুবু নোংজুপা ওইবনা চোং-চোং লাওদুনা ইনিল য়াম্না কাবদগী অমদি লাইনা অচৌবা থেংনবদগী মী য়ম্না নানদুনা লম্মীকাংবু অদুনা মণিপুর চংকে হোংনবা অদু ডনখিদে। খাসপুর অসি হকচাং ফত্তে হৌরবা শংবদগী মখোমনা বরাক তুবেলগী ওইথংবা তোর্কবান্দা লৈবা জয়নগরদা তোংদোক-লম্মী। অদুবু বঙ্গালগী নারাব মীরকাশিমগা শোক্লবা লান্দা ব্রিটিশকী সিফাই মায়াম দরকার ওইবদগী ভেরেলষ্টকী মখাদা থারকখিবা ব্রিটিশকী সিফাইশিং অদুবুত্ত অমুক হন্না কৌখি। ব্রিটিশকী সিফাইসিংনা খাসপুরদগী হনখিবা অসি-দগীদি কলিকটাদা লৈবা মীওইশিংনা মণিপুরগী পাও অমত্ত ফখিদ্রে। মতম অসিদা গৌরশ্যাম্না মণিপুরগী নিংথৌ অমুক ওইরম্মী। মহারাজ অসিনা সিংহাসন হেক কাপগা মনাও ইবুংঙো জয়সিংনা য়ানবদা খৃ: ১৭৬২ গী সন্ধী অদুগী মরম ময়াম অদু মহাক্লম্মু য়ারে[২৩] হায়না বঙ্গালদা লৈবা ব্রিটিশ সরকারদা পাও থারম্মী।

বর্মাজগী লাম্মীনা মণিপুরগী শরুক অয়াম্বা মাং তাকহনখুবনিনা মণিপুরগী-দমক্তা হায়দুনা থারকখিবা ব্রিটিশকী লাম্মী কাংবু অদুগী খরচ পুন্নমক অদু মতম অদুদা পীননবা হোৎনবদি ওইথোকপগী ৱাংমদ লৈবম্মী। অদু ওইরবসু মনাও ইবুংঙোনা য়ানরবা অদুগী থাজনবা ওইনা মতম অদুগী মণিপুরদা চৎনরবা সনা তাঙ্গা ৫০০ থক সনা তাঙ্গা অমদা মতম অদুগী কম্পানিগী লুপা ১২ গা মায়হল্লগা[২৪] পিগে হায়না মহারাজ গৌরশ্যাম্না য়ারম্মী। মণিপুরগী দমক্তা হায়দুনা থারকপা ব্রিটিশ সিফাইশিংগী খরচ অমদি তুংদা মণিপুরগীদমক্তা থারকদবা সিফাইশিংগী খরচ অদুসু পৈশা ওইনা পীগনি হায়না মহারাজ অসিনা বঙ্গালা সরকারদা থংহল্লম্মী। অদুম ওইনমক মতাং অসিদগীদি ব্রিটিশ অমদি মণিপুর সরকারগী মরি লৈনবগী ঈ-পাও পুন্নমক অদু কক্লখে। পেম্বরটন্না য়াম্না চুম্না হায়রিঃ "মতাং অসিদগীনা খৃ: ১৮০৯ য়ৌদ্রিফাওবদি লৈবাক মচা অসিগা ঐখোয়গা

(২২) মথক্কী বাওফম অসিমক্তদ।

(২৩) পোলিটিকেল প্রোসিদিংস ভালুম, ১৭৬৪ গা লামাই ১৩৩০—১৩৩১।

(২৪) এপেনডিক্স—বিদা য়েংউ

মন্নি লৈনৈ হায়বগী কয়িগুম্বা লংজিন অমত্তম্ লংবা ওমদে[২৫]।" খৃঃ ১৭৬৩ দা গৌরশ্যামা থুপখবদা মনাও ইবুংঙো জয়সিংহনা মৈথাই খিনগাইবা লৈতনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইদুনা চহী ৩৬ পাল্লম্মী। মহারাজ অসিনা খৃঃ ১৭৯৯ দা থুপখিবগা লোয়ননা সিংহাসন মুমবগী অতোপ্পা লান অমা অমুক মণিপুরদা হৌরকখি। লাবন্য চন্দ্রনা (১৭৯৯—১৮০০) মপা ইবুংঙোগী মহুৎ শীল্লম্মী অদুবু মধুচন্দ্রনা মমাংদুংবু হাৎলগা খৃঃ ১৮০০ দা মণিপুরগী নিংথৌ অমুক ওইখি। মধুচন্দ্র মহারাজনা মহাক্কী লম্বীদা লৈরম্ব য়েক্নবা পুম্নমকপু মক ফংনা মাংহনখি। অদুম ওইনমক মহারাজ অসিগু মতম কুইনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইয়ু হায়নদি তম্নমন্ত্রমাকে। থুদোংথিবা অসদা অমুক্কা হুম থুদোংথিহন্নব ওইনা বর্মীজগী অচৌবা লাম্মী কাংবু অমনা, ভরতকী লৈ পোক চিদাইদা থোং থাংজিল্লকপা হৌরক্লম্মী। মমামগী ওইনা থুদোং থিরবা তাঞ্জা অসদ কাওবা মণিপুরগী নিংথৌ মচাশিংদি য়েক্নববু মপান্দা তাম্হে ক্নবা চাংদমবদা অপুনবা লিচিং অমদ। পুরক্নবা[২৬] হোৎনরমদে মতুগী মহুত্তা মথোয় মশেল নাকপাক তানা থায়দোক্লম্মী। মধুচন্দ্রগী মনাও ইবুংঙো চৌরজীৎসিংহনা লুরবা তাঞ্জা অসিদা মমাংবু থাদোক্নমগা কাছাড় তাম্না চেনখিরম্মী। মারজিৎসিংহ কৌবা মধুচন্দ্রগী মনাও ইবুংঙো অমম্নু চৌরজিৎকী মিচংদা মাওথিরম্মী। চৌরজীৎ অমম্ংং মারজীৎ অনি পুনবা তেঙ্গোলমা মধুচন্দ্রবু মাইথিবা পীরগা চৌরজীৎনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইরম্মী। অদুবু 'যুবরাজ' অমদি 'সেনাপতিগী' ফম মারজীৎতা থিন্দোক্নবম্ম চৌরজীৎ মহারাজগী থুম্ভম চেৎপদি ওইরমদে। মারজীৎনা মণিপুরগী সিংহাসন পাম্বদগী মমাংংগী মথক্তা লান হৌরকলম্মী। লান অসিদা মাইথিরদুনা মারজীৎনা বর্মা তাম্না চেনথিরম্মী অদুগা মতম অদুগী বর্মাগী নিংথৌ বাদাও পায়া (১৭৭৯-১৮১৯) দা মণিপুরগী নিংথৌ ওইহনবীয় কবোতম্পাক পীগে হায়না হানোম্লম্মী। বানোথা অদু বাদাও পায়ানা হয়াওনা [illegible]য়ম্মী। অচৌবা বর্মাগী লাম্মী হেঙ্গোল অমনা মণিপুরদা লান্দারম্মী। লান অসিদা মাইথিরদুনা চৌরজীৎ মহারাজনা মনাও ইবুংঙো গম্ভীরসিংহগা লোয়ননা কাছাড়দা লেংশিনথিবম্মী। সোমদা মারজীৎনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইকৌরে। কাছাড় য়ৌরগা চৌরজীৎ মহারাজনা মতম অদুগী কছাড়গী নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্রদা তেংবাংবীযু হায়জরুই। অদুবু গোবিন্দচন্দ্র মহারাজনা য়াথিদে। কছাড় লৈবাক্তগী নিংবা কায়রদুনা চৌরজীৎ মহারাজনা জয়নটিয়াদা লেংশিনখি

(২৫) পেম্বরটন আর.বিঃ কেপ্তেন, রিপোর্ট অন-দি ইষ্টর্ণ ফ্রোনটিয়ার অফ ব্রিটিশ ইন্দিয়াগী লমাই ১৮৮:

(২৬) ঝলজীৎসিংহ, রাজকুমার ; এ শোর্ট হিষ্ট্রি ওফ মণিপুর লমাই ১৮২।

অদুগা 'মক্কম অদুদগী গোবিন্দচন্দ্রগী চেক্লবা[২৭] রামসিংহ অমদি ভুলারামগা লোতুনদুনা কছাড়দা লান্দানবা হোংনখি। গম্ভীরসিংহদি তৌনরিবা ইরাং মযাম অসি য়েংদুনা কাছাড়দা তুমিন্না লৈরম্মী।

মারজীৎনা মণিপুরগী সিংহাসন ফংলবসু মাগী কীওমদি বর্মাগী নিংথৌগী মথাদা লৈবা মথা পোল্লবা নিংথৌ অমগী খাক্কা হনথরম্মী। অদুম ওইনমক মহাক্না মন্না শপ্না মণিপুরগী নিংথৌ ওংদুনা চনী তরুক্তি পানখি। খৃঃ ১৮১৮ দা মহাক্না কছাড়দা লান্দাবম্মী। মহাক্কী লান্দারকপগী পাউ তাবগা গোবিন্দচন্দ্রনা চৌরজীৎ মহারাজদা তেংবাংবা হায়জরম্মী। গম্ভীরসিংহসু কছাড়গী নিংথৌগী মতেং পাংগে হায়না য়াবম্মী। লান্দারকইবা মণিপুর সিফাইশিং অদুনা মথোয়না লান শোক্লগদৌরিবা অদু চৌরজীৎ অমদি গম্ভীরসিংহগী মথক্তনি হায়বা খল্লবা অদুদগীদি মথোয়গী মখাদা লান শোক্লনংবগী মতিক মথোনা অদু মাংখিরম্মী। মাইথিরগনি খংলবা মারজীৎ অদু মতম চানা মণিপুরদা হনখিদুনা খুদোং থিবদি নংখিদে।

কছাড়দা লান্দাক্লবা অসগী মতুংদগীদি মারজীৎনা বর্মাগী মাইয়োক্না চৎপা হৌরক্লম্মী। খৃ ১৮১৮ দা বর্মীজশিংগ লৈনরম্বা মরি অদু ককথৎলম্মী[২৮]। মসিগী মক ওইবা মরমদ কবো তম্পাক্তা থাহৌদগীনি। হায়রিবা লম অসি মণিপুরগী ওইরম্বা লম।, মারজীৎ মহারাজনা মহাক্না প্রজাশিংবু কবো তম্পাক্তগী চীংগু উ য়ালহল্লম্মী। মণিপুরগী নিংথৌনা তৌখিবা মওং অসি উশিং খওইদবনি হাইনা বর্মীজ সরকারনা লৌখিম্মী। অসিদসু নত্তনা বর্মাগী নিংথৌ বগীদাওনা (১৮১৯ ১৮৩৭) মারজীৎ মহারাজবু বর্মাদা লাক্লবা কৌবা মতমদা লাকউ হায়বা য়াথিদে। থোদোকাসনা অমুক বর্মাগী নিংথৌবু য়াম্না হেন্না শাওহলম্মী। অদুগা* মহাবন্দুল হায়বা বর্মীজগী জেনেরেল অমবু মারজীৎ ফাক্লনবা মণিপুর তাম্না থারক্লম্মী। মতম থরা বর্মাগী লান্দারকপা ভাকথোক্লবা হোৎনবয়গা মায়থীরদুনা মারজীৎ মহারাজ কছাড়দা লেংশিনখিরম্মী[২৯]।

কছাড় য়োরগা মারজীৎনা চৌরজীৎকী নাক্তা চংজরম্মী। চৌরজীৎ, মারজীৎ অমদি গম্ভীরসিংহ মচিন মনাও অহুমক হৌজিক্তি চুংশিনখ্রে অদুগা মথোয়না মখাথংবা কছাড় পুম্নমক য়েম্নরম্মী। মণিপুরী নিংথৌ মচাশিংনা ওৎপা

(২৭) বেনর্জী, এ. সি, দি ইষ্টর্ণ ফ্রোন্টিয়ার ওফ ব্রিটিশ ইন্ডিয়াগী লমাই ২০৩।

(২৮) মথক্কী য়াওফম অসিগী লমাই ৩২৯-৩৩০।

(২৯) মথক্কী য়াওফম অসিমক্তদা।

নৈথনা থাংবা ওয়কত্রতুনা খৃঃ ১৮২০ দা কছাড় পুম্নমক ইষ্ট ইণ্ডিয়া কম্প্যানিদা তিনশিনবীয়ো হায়তুনা গোবিন্দচন্দ্র মহারাজনা দরখাস্ত থারম্মী। অতুম ওইনমক বঙ্গাল সরকারনা মত্তম অতুদা কছাড়গী রাজনিতীদা খুৎ থিংজয়ু হায়বা য়ারমদে। অতুবু মণিপুরগী নিংথৌমচা অহুম অতু মতম কুইনা পুকচেল থোইজেল তিম্নন। লৈমিয়থদি য়ারমদে। চৌরজীৎ মহারাজ অতু অমুক তানথোক্লকুনা শিলটতা চংজক্ম থিরম্মী। মণিপুরগী নিংথৌমচাশিংনা কছাড়দা থৎনা চৈনতুনা লৈরিংউদা বর্ম্মাগী লাম্মীশিংনা মণিপুরদা লান্দারম্মী। মতম অতুদদি মণিপুর কয়নবা নিংথৌ অমত্তসু মণিপুরদা লৈরমদ্রে। মরম অতুনা লান্দারকইবা বর্ম্মাগী সিকাইশিংনা মণিপুরগী বাচিন কোয়া য়ৌনা ওং নৈরম্মী অতুগা মথোয়না চংলু চংলুবা মকম খুদিংদা থেংনরকপা য়ুমকৈ পুম্নমক লুট পাত তৌরম্মী। মণিপুর ইতিহাসকী লমাইদা অমুবা কালিনা ইহুনা লৈহৌরগদবা চহী ৭ খুম্ভাকপা অসি মারজীৎনা কছাড়দা চেনখিবা চহী খৃঃ ১৮১৯দগী হৌবনা ফেব্রুয়ারী ১৮২৬ কাওবা চথরম্মী। মতম অসিদা সুবোনসিংহ, যদুসিংহ, অয়সিংহ অমদি ভদ্রসিংহনা মিংতগী ওইনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইরম্মী। মতম অসিগী নিংথৌশিং অসিদি বর্ম্মাগী মথাদা লৈবা লাইকদীবীগুম্বা ওাক্তনি মরম অতুনা মণিপুরগী প্রজাশিংগী থাজবা অতু মথোয়না থক ফংলমদে। মণিপুরগী প্রজাশিংনা মথোয়গী নিংথৌবু তেংবাংবি-দ্রবসু মথোয়না বর্ম্মাগী লান্দারকপা লাম্মীশিংবু তাম্থোক্লবা হোৎনবদি থক লেপ-লমদে। বর্ম্মীজশিংবু তাম্থোক্লবা গোরিলা মওংগী লান শোক্লরম্মী। হীরাচন্দ্র হায়বা লাবৈন্যচন্দ্রগী মচা অমনা মণিপুরী কাংলুপ অমা শেম্নগা বর্ম্মাবু তাম্থোক্লবা কয়া হেৎনিনরম্মী। রাজকুমার অসিগী তেংবাংনবা ওইনা গম্ভীরসিংহনা কছাড়দগী পীতাম্বর সিংহবু থারক্লম্মী। পীতাম্বর অমদি হীরাচন্দ্রগী লাম্মীনা বর্ম্মীজগী অচৌবা কাংবু অমবু মাইথিবা পিরম্মী। "মতম অসিদি বর্ম্মীজশিংনা মণিপুরবু মাপল ভরারক হয়া নাকল অমদগী নাকল অমা কাওবা মাংনা তাক্লনবা ওইনা তানথাই-খুবা মতমনি"৩০। হীরাচন্দ্র অমস্থুং পীতাম্বরগী অপুনবা লাম্মীনা বর্ম্মাগী লাম্মী কাংবু অমা তানথাইবা ওমলবত্ত মী তাত্রবা লৈবাক অতুদ. চানা থক্লবা মতিক চানা ফংদবদগী কছাড়দা অমুক হনবা তাখি। খৃঃ ১৮২৩ দা পীতাম্বরনা মণিপুরদা অমুক হয়া লাক্লগা সিংহাসন্দা লৈয়ম্বা মমিংতা ডাইরবা মণিপুরগী নিংথৌবু মাইথিবা পীয়ম্মী অতুগা মশামক্লা নিংথৌ ওইরম্মী। গম্ভীরসিংহনা অপিকপা

(৩০) পেম্বরতরন আরঃ বিঃ, কেপ্তেণ, রিপোর্ট ওন দি ইষ্টর্ণ ফ্রোন্টিয়ার ওফ ব্রিটিশ ইন্ডিয়া লমাই ৩৬।

লাক্নী কাংবু অমা পুরগা মণিপুরদা লাক্লম্মী অদুগা পীতাম্বরসিংবু সিংহাসনদগী তাদ্বোক্লম্মী অদুম ওইনমক মহারাজ গম্ভীরসিংহস্থ চানবা মত্তিক চানা কংববদগী মণিপুর থাদোকপা তারম্মী। মতৌ অমুম মণিপুরদগী বর্মীজশিংবু তাদ্বোক্লবা হোৎনবা অসি অরুবা রাকম অম ওন্বম্মী। মরম অদুন, গম্ভীরসিংহ মহারাজনা ব্রিটিশকী কাংবুদা বর্মা তাদ্বেক্লবা তেংবাংবীয়ু হায়না হায়জরম্মী। তৌইগুম্নসুং তাপ্পা অসিদা ব্রিটিশকী মীওইশিংনা রাকম অদুদা পুক্নিং থিংজিনবা পায়রদে। অহানবা বৃটিশ অমসুং বর্মাগী লান হৌবদগীদি অবাং নোংপোক সিমানাগী রাজনীতিগী মওং অসি অনৌবা মতাং অমদা লাকপা হৌথি। মতৌ করম্না গম্ভীরসিংহনা মণিপুরদগী বর্মা তাদ্বোক্লবা হোৎনরগা অচৌবা নিংথৌ পানবা মণিপুর অমা শেমশবা অমাদ ব্রিটিশ অমদি মণিপুরগী মরি লৈনবগী অনৌবা মাওঙ অমা লাকপা হৌবিবগে হায়বা অদু মথংগী পম্মুপশিংদা লৈনরকনি।

এপেনডিক্স—এ

হরিদাস গোস্বামীনা জয়সিংহগী মঙংশিনবা ওইতুনা অদুগা মিঃ হেরিভেরেলষ্ট চিট্টগাং ফেক্টরীগী লুচংবন। ব্রিটিশকী মহুৎশিনবা ওইতুনা য়ানখিবা সন্ধিগী ধারাশিং—তাং ১৪ সেপ্তেম্বর ১৭৬২ হোম ডিপার্মেণ্ট, পব্লিক ১৭৬২ : ৪ ওক্টোবর, মশিং ২—৩।

(১) হরিদাসকী মবুংঙো জয়সিংহ হায়রিবা অসিগী লম অমদি মবল মথুম বর্মীশিংনা লৌথিবা অদু হন্থিন্নবগীদমক মতম মতমদা থারকপা ভঙ্গা ইংলিসকী লান্মীমা হায়রিবা জয়সিংহবু তেংবাংগনি।

(২) ইংলিসকী লান্মীশিংনা তেংবাংবা লাকপা অসিগীদমক হায়রিবা জয় সিংহ অসিনা থা থাগী অরোইবা খুদিংগী লান্মী অদুনা লৈরিবা মতম ফাওবগী অচঙবা থবচ পুন্নমক পিগনি।

(৩) হায়রিবা ইংলিস অসিনা অয়াম্বা মতমদা বর্মাগী মখুৎতা নেগ্রেইস অমদি পেগুদা লৈরবড়ৈদা ফংথিবা অবাবা অমদি অমাংবা থোকখিবশিং অদু তাম্নবা হোৎনবদা হায়রিবা জয়সিংহনশু তেংবাংগনি।

(৪) সন্ধী অসি সহি তৌবা মুমিংতগী হায়রিবা জয়সিংহ অসিনা বর্মানা ইংলিসকী মনক্তা তৌরকপা খুদোংথীবা পুন্নমক মহাক মশামক্তা তৌরকপনি হায়না থনগনি অদুগা হায়রিবা জয়সিংহ অসিনা ইংলিসকী ললোনবশিংদা অনৌবা ইকাইবা পীরকপা নত্রগা পেগুগা অমদি নেগ্রেইসতা নত্রগা হৌজিকমক বর্মা নিংথৌগী সরকারগী অমদি পেগু নিংথৌগী মথাদা লৈবা লমশিংদা ইংলিসকী ললোন ইতিক অমদি ইংলিসকী মীওইশিংনা খুদোংথীবা থেংনরকপা পুন্নমক অদুগা ইংলিসকী ললোন ইতিক চৎপা কাংদা মথোয়গী লৈবাক্তা ফাওদুনা চৎপা মতমদা খুদোংথীবা পীবকপা মতুগীদমক্তা জয়সিংহ মহারাজনা মুংঙাইতবা অমদি অবাবা কোংদোকনি।

(৫) হায়রিবা জয়সিংহ অসিনা নিংথিনা থল্লগা ইংলিসকী য়েক্লববু মহাকী য়েক্লবনি হায়না থনগনি অদুগা হায়রিবা জয়সিংহ অসিগী য়েক্লববুনা ইংলিসকী য়েক্লবনি হায়না ইংলিসনা থম্মগনি।

(৬) হায়রিবা ইংলিস অসিনা মথোয়গী মশা কয়নবা অমদি ললোন ইতিকী থবক্তা শিজিন্নবগীদমক লানবন অমদি কারখানা শাবা মতমদা অদুগা হায়রিবা ইংলিস অসিনা মথোয়গী লানবন অমদি কারখানা শাগদৌরিবা অদু

মক্কম অসিদনা থুদোংচাই হায়না থন্নুনা শাবা মতমদা অসিগুম্বা লানবন অমদি কারখানা অদুগী অকোইবদা থুদুপ লির্শিং নিপালগী লম অমা হায়রিবা জয়সিংহ অসিনা থাজনা লৌদনা মতম চুপ্পদা পীগনি।

(৭) হায়রিবা জয়সিংহ অসিন ইংলিসকী ললোন-ইতিক তৌবা কাংবুনা মহাক্কী লৈবাক ফাওদুনা ললোন-ইতিক তৌবা মতমদা মাগুল লৌদবা য়েথাক থিনগাইবা তৌদবা অমদি থুদোংথীবা থোক্কনবা পাবমিশন পীগনি অদুগা হায়রিবা জয়সিংহ অসিনা মতম অদুদা ইংলিসশিংবু ঙাকপিগনি।

(৮) হায়রিবা জয়সিংহ অসিনা ইংলিসকী পাওতাক য়াওদনা বর্মাগী নিংথৌগা কন্নিগুম্বা য়ানবা থবক অমত্তা তৌবোইদবনি। অদুগা ইংলিসনশু জয়সিংহবু হায়না থংহন্দনা বর্মাগী নিংথৌগা তোংঙানবা অমদি অতোপ্পা সম্বী অমত্তা তৌরোইদবনি।

(৯) ইংলিসকী লাম্মীনা মেক্লেগী লাম্মীগা লোয়ননা তাখিবা থাদাংথীবা অদু কোক্কনবা হোৎনবা চংশিল্লকপা মতমদা অদুগা মসিগী মতুংদা মখোয়না বর্মা লৈবাক পুম্নমক্কী মপু ওইরক্লবদা হায়রিবা জয়সিংহ অসিনা অশুম্না য়াগনি মদুদি হায়রিবা ইংলিস অসিনা মহাকপু বর্মা পুম্নমক্কী মপু ওইহল্লবদি হায়রিবা জয়সিংহ অসিনা ইংলিসনা ফংলিবা অমাংবাশিং পুম্নমক অদু কুপথংকনি।

এপেনডিক্স - বি

অনন্ত সাই, পোংচো শিং ঙমদ্রেনা মেক্লেগী নিংথৌ গৌরশাহ সিংহ মেক্লেগী নিংথৌগী মিংদা অমদি মহুত্তা সেপ্তেম্বর তা° ১৪, ১৭৭২দা হরিদাস গোশাইনা জয়সিংহগী মহুৎ শিনবা অদুগা হেরি ভেরেলষ্ট-গী ঙাবা চিটাগোংগী ভদ্রলোকশিংনা য়াংশবা কায়গী সন্ধি বাপা লৌরগী মতাংদা হোদোরকপা য়ারমশিং (ফ্রোম ডিপার্টমেন্ট পব্লিক পো°সিদিংস ভোলুম ১°৬৩ লমাই ১৩০-৩১)

গৌরশাহ সিংহ, মেক্লেগী নিংথৌ ঐনা হেরি ভেরেলষ্ট, রে দোল্ফ, মোরমোৎ অমদি থোমাস রমবোল্দনা ইকাই খুম্নগী ঈশক ওইরবা ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পানিগী মহুৎ শিনবা ওইনা অপ হরিদাস গোশাইনা ঐগী ইনাও জয়সিংহগী মিংদা অমদি মহুৎ শিনবা ওইনগা খুঃ ১৭৬ গী সেপ্তেম্বরগী তাং ১৪দা য়াংশিবা সন্ধিগী ধারা অদু লেংদোক্নগা অমদি দাবা খুদম থাপুগা ঐনা য়াবে হায়না লাও-থোক্নে। হয়রনা সন্ধী অসিগী মানক্তবা বাবাদা অদুম হায়রি মথৌ ঐগী ইন ও মুপ জয়াল-হগী অচৌবা খরা পুন্নমক খাংশকচে শেংহবদা পীগনি হায়না মশাক্না য়াবগী।

য়াংশিবা য়াকম অসিদা ঐনা অদুম চায়রিংগী ভগদ বর্মাগী লান্মারকপনা মেক্লে লৈবাক্কী অয়াম্বা শরুক মাংশাকংথরমন অসিগুম থংচ অসসনা অগাদ লুপাদ পীরগদবনি। তৌরগুম্বসু হওহসকী লান্ম শংথ হন্দক্কী মেক্লেদা লাকপা মতমদা চংশিবা থরচ অমদ মখায়। মেক্লেদ মতুংদা লাকপা মতমদা চংদনা থরচ পুন্নমক এহ্ম মংন অদুদা ঐগী লৈবাক্কী অফংগা পোৎশিং অমাদ লালোন পোৎশিং পীগনি হায়না ঐনা ক্লায় নং অগগা পোৎশিং হসি বাউ কডদা এহম অদুদা পীব মথদা অমদি হকংমদ শংকসশিংদা পামশন অদুগ হাপচল লিব লিস অসিদ য়াওবরা পোৎকী চাশিং অসাদ হংজমকী লাম্মীশংনা মেক্লে হক য়োবা মতমদা থৎশিন্নগান অদুগা হৌজিক হৌজিক ঐনা য়ানরিবা ধারা অসগী মতুং ইন্না মেক্লেগী সনা পাগা চামাথক অমমদ লুপা ১২গা মায়কলগা পীগে হায়না পন্নি।

অদুগা য়াম্না থুনা হংজিসশিংন ঐন মেক্লে লৈবাক্কী মফুংদা লৈবা বরাম পুষ্করগী তোর্বন্দা লৈবা সনাগী পোনশিংদ থাব খোইহনবা হুম্বা অদুগা লোয়না লোয়নবা অতেপ্পা সনাগী থালি, লুপা, মশং, য়োৎ, টিন, কোরি, মমল য়ামবা মুং অতোপ্পা পোনশিং হৌজিক ফাওবদ থাংবা অমদি মতুংদা মেক্লে লৈবাক্কী

খংডকপা য়াবা পূম্নমক্ পুখোক্লবা অদু ওইরবদি ঐহাক্না হায়রিবা খোনিশিং অসিদা থবক তৌবদা চংখিবা থবচ পুম্নমক পীগনি অদুগা ঐগীদমক্তা হায়দুনা ইংলিসনা থারক্লদবা লান্মীশিং অদুগীদমক ঐগী পোৎকী শরুক মরি খোকপগী অচুম্বদি পীগে হায়না খল্ল।

ঐগী পোৎ অমদি ললোন পোৎ অসি মতম মতমদা ঐনা কংবা ইংলিসকী মতেংগীদা চংখিবা থরচ অদুগী লোইনমক শেদে ক্লবদা পীগনি। ঐখোয়গী মরক্তা লৈনরিবা শেল থুম পূম্নমক অসি য়ানরবা অমদি শেংদোক্লবা মতুংদা ঐহাক্না অমূক হন্না পৈশা পীররোই। অদুম ওইনমক ঐনা অশুম্না য়ারি মদুদি খৃঃ ১৭৬২ গী সেপ্তেম্বর তারিখ ৪ দা য়ানখিবা সন্ধী অদুগী ধারাগী মতুং ইন্না ইংলিসশিংনা মেক্লেদা ললোনবা ওইনা লৈগদবনি।

মসিগী শক্তি ওইনা ইশ্লাম্বাদতা বাঙালীগী চৎনবীদা শোক ১৬৮৫ গী সেপ-তেম্বরগী তাং ১ দা নম্লগা ইংরেজগী মঙদা খৃঃ ১৭৬৩ গী সেপ্তেম্বর তাং ১১ দা ঐখোয়না ঐখোয়গী সহি তৌরি। মেক্লেগী নিংথৌ গৌরসাহ সিংহনা মহাক্কীদমক হায়দুনা শীজিন্নখিবা ইংলিসকী লান্মীগীদা চংখিবা থবাকীদমক চহী অমদা পীগে হায়না য়াখিবা মেক্লেগী পোৎ :

মুগা (সিল্ক) ·· ···	১০ মন ··	সেরদা লুপা ৫ দা ...	লুপা ২,০০০
য়োৎ ·············	১,০০ মন ..	মন্দা লুপা ৪ দা ...	লুপা ৪,০০০
কোপাল ·· ···	১,০০০ মন ...	মন্দা লুপা ১½ দা ··	লুপা ১,৫০০
দাম্মার ········	১,০০০ মন ..	মন্দ লুপা ১½ দা ···	লুপা ১,৫০০
উগীথাও ··· ...	১,০০০ মন ·	মন্দা লুপা ১½ দা ···	লুপা ১,৫০০
খোইরু ... ··· ...	৫০০ মন ··	মন্দা লুপা ২০ দা ...	লুপা ১০,০০০
শামুমঙ্গা ··· ······	১০০ মন ...	মন্দা লুপা ২০ দা ··	লুপা ২,০০০
আগর	১০০ মন ···	সেরদা লুপা ৪ দা ··	লুপা ১৬.০০০
কর্পুর ············	১০ মন	মন্দা লুপা ৮০ দা ...	লুপা ৮০০
লং অমুবা ··· ···	১০০ মন ...	মন্দা লুপা ২০ দা ··	লুপা ২,০০০
লং অঙাংবা··· · ·	১০০ মন ···	মন্দা লুপা ২০ দা ...	লুপা ২,০০০
লং অশংবা··· ···	১০০ মন ···	মন্দা লুপা ২০ দা ···	লুপা ২,০০
লং অঙৌবা ·· ···	২০০ মন ··	মন্দা লুপা ২০ দা ...	লুপা ৪,০০০
ব্লেক কোস	১০ মন ...	সেরদা লুপা ২ দা ···	লুপা ৮০০

মেক্লেগী খুজুপ ২২দগী ৩ কাওবা পাকপা অতুগা
খুজুপ ১ শাংবা ৫০০ পিচ…পিচ ১ দা লুপা ১২ } ………… লুপা ৭৫০

মেক্লেগী সনা তাংগা ৫০ …… সনা তাঙ্গা ১ গা
লুঃ ১২ গা মান্নরগা } ……… .. লুপা ৬,

অপুনবা লুপা ৫৬,৮৫০

মথক্তা পীরিবা অসিগী মঙ্গু'ঙগী সিপাইশিং অসিনা রাউংরুংদা থুংলবা মতুং থা ১ গী মঙ্গু'দা গৌরশাহসিংহনা হৌজিক মথাগী অসি পীবা ওমগনি।

মুগা… … .. · মন ৫	মোং …… … .. … মন ৫০০
কোপাল… .. … মন ৫০০	দাম্মার ………….. মন ৫০০
থোইরু … … … মন ২৫০	শামুমমা… … …… মন ৫০
আগর .. ……… মন ২০	লং অমুবা … …… মন ৫০
লং অঙাংবা … … মন ৫০	লং অশংবা… …… মন ৫০
লং অঙৌবা … … মন ১০০	মেক্লে কী · …… মচেৎ ৫০০
মেক্লেগী সনা তাংগা … ১৫০	

অহানবা শন্দুপ

অনৌবা যুগ অমা হৌবা

ভারতকী [illegible] জেনেরেল [illegible] আমহর্স্টনা (১৮২৩-২৮) কছাড়গী সিমানাদা [illegible] ইরবা [illegible] দা লৈবা ব্রিটিশকী লমাংশংগী [illegible] মাংখিবা [illegible] অমা পীবানি হায়না খনখি। কোর্ট [illegible] হৌরকপা [illegible] ইবা চিঠি [illegible] কছাড় [illegible]: "[illegible] লম [illegible] লাক্লগী [illegible] পীনবা [illegible] মসিগী [illegible] মরম অদুনা [illegible]।" অদুগা অমরোম [illegible] অপুম্বা অসি মখোয় [illegible] লমজিং [illegible] হায়বা হান্নগী [illegible] অদু [illegible] শাক্লম [illegible] থৌনি [illegible] কছাড়গী [illegible] মণিপুরগী [illegible]। মাখং অসিগী [illegible] অহমদগী [illegible] অতৈ মখল কম্লাংকম্লা লমজিং [illegible] মথক্তা লান লাওখোক্লম্মী[3]।

লান তৌনবগী [illegible] অমাবা [illegible] হায়না [illegible]। [illegible] ডাকখোক্লবা মণিপুরদা [illegible] অমা [illegible] সরকার [illegible] হায়না খনখি। মাকম অসিনা [illegible] ব্রিটিশকী [illegible] মখা তুম্না মণিপুর অমা

(১) মজুমদার, [illegible] ম্যাণ্টাস এণ্ড [illegible], পার্ট ১, লমাই ১০০।
(২) মথক্কী মাওথম অসিমক্তুনা।
(৩) হোজ, ডি. জি [illegible] লমাই ১১১।

শেম্বা গম্ভীরসিংহদা পাও চংনরম্মী[৪]। গম্ভীরসিংহ অসি কাম্বা মরূপ অমা ওইবা মাই হায়নশু থলম্মী। লোকপাদগী য়েক্কবা ওইরক্কবা বর্মীজশিংবু মতাং চানা হোৎপা য়াদবমখৈ নমথাগ থনব গম্ভীরসিংহনা ব্রিটিশ সরকারগা পুন্না অবাগী মথক্তা লানথেংনানিংঙনে হায়বা প্রায়ম্মী। মরম অসিনা মহাকপু মণিপুরী অমদি কছাড়ী সিপাই ৫০০ না শেম্বা অদুগ ব্রিটিশ অফিসার য়াওবা 'মণিপুর লেভী' হায়বা সিপাই কা লুপ অম খৃ ১৮২৫ দ শেমগৎহল্লম্মী। অদুম ওইনমক মতম কুঞ্জ মণিপুর অমাদি খ্রাইমায় অসি লৌনকপা মরম ব্রিটিশকী মতেং মণিপুরদা পীবা অসি খ্যাইত শ না কক্কা অমাদ মিপাইনা থৌনগনি হায়না লৌ অমহৎনা চৌ লম্মী। মরম অদুনা মহাক্কা মণিপুরদা ব্রিটিশকী মতেং পাংনবা হোৎনবা হায়বা অসি লোয় হল্ক ক্যাপ্টেন গ্রান্ট ইন্দিয়াদা গভর্ণরগী এজেন্ট ওইরম্বা অদুগা থম্ম পত্রশু দায়া পীবা চেকশিং শে টক মবা মরংগা থমগন হায়না লেপ্লম্মী[৫]। মতাংশু মই চপা য়াওরোই হায়না ব্রিটিশ সরকারনা লোয় হল্ক গ্রান্টক্তা অনা চংনরকইব পোলিটিকেল অসি হোৎলক্কা অসোবা খোংচৎ অমগী মরমদা মণিপুরগী মনা ১থা হল্ল লৈবক ১ম থেংগৎনবা হোৎনবা মতেং পাংনবা অদুগা মণিপুর সৈন্যগী খ্যাং হোৎনবদা উপাই ওইনবা নীতি সরুবা ন পেংন হল্ল থবা ওইগনি হায়বা বাক্কম অসি পুখোক্কুনা অচৌবা গভর্ণরদা থাবলম্মী। এজেন্টনা পীখ্রকপা রেপোর্ট অদু গভর্ণর জেনেরলনা য়ানখ্রম্মী অদুগ ব্রিটিশ সরকারগী কাম্বনগী দমক মঙন মথা অখা মণিপুর অম লেপ্পদাকা ন হায়নখ্রলম্মী। মণিপুরগী 'সিংহাসন'দ লৈ হায়ন থল্লকদ ব্রিটিশকী মতেং সিদা লৈরক্কপা পীরকপা থেংবা-বা অদুগী চাপ দা লেন্দ হায়না গম্ভীরসিংহদা খ্রলম্মী।

ব্রিটিশ সরকার অমদি গম্ভীরসিংহনা বাহন অসি য়ানরবা মতুংদা চৌরজীৎ সিংহশু পোথা আসদ য়াওবা পায়রম্মী। ভৌহগুপ্ত মচিন মনাও অমগী মরক্তা য়েংথিনরবগী চাং অদু অগুকী মতক কংয়ে মতুংদ মতম অদুগী শিলটকী কম্মিশনার ওইরম্বা মিঃ টুক্করনা কছাড়দা লৈবা বদরপুর কাওবা চংলগ গম্ভীরসিংহদা কার ওন্দা মহাক্কা মণিপুর অসি লৌবা থোক্কবাদ চৌরজীৎ সিংহনা লৈবাক অসিগী শরুক অমত্তশু ফংহল্লোইদ হায়না থাজহল্লম্মী[৭]। নিংবা কাম্বরদুনা চৌরজীৎ সিংহনা

(৪) বেনর্জী, এ সিঃ দি ইষ্ট ফ্রোনটিয়ার অব ব্রিটিশ ইন্দিয়া, লমাই ২৪৪।
(৫) মথক্তা হাওফম অসিগী লমাই ৩৪১—৩৪২ দা।
(৬) সিক্রেট কনসলটেসন্স, এপ্রেল ২০, ১৮২৪, মশিং ১৪।
(৭) বেনর্জী, এ সি মথক্তা লাইরিক লমাই ২৪৪।

লেইবাগী মণিপুরী লান্মীশিং অদুদা ব্রিটিশকী মথক্তা লান হৌননবা কয়া ইনশিন-লম্মী। মহাক্কী হোৎনবা অদু অবেম্বা তারম্মী। অদুগা মহাকপুনা মরীমাদা থাদা পেন্সিল লুপা ১০০ পীদুনা থমখি[৮]।

খৃ: ১৮২৪ গী অক্টবর থাগী লোইরমদাইদা কছু ডদা লৈরম্বা বর্মীজগী লান্মী-শিং অদু লান হন্দোকখিরম্মী অদুগা কছারগী মখুংদা লৈবা চুটপাতলী হায়বা সহর মচা অমদা লানবন শাদুনা লৈরম্মী[৯]। চুটপাতলীদা লৈবা বর্মীজগী লান্মীশিং অসি তাম্বেতক্লবগীদমক লেপ্তেনেণ্ট কর্ণেল বাক্তিন অমদি মহাক্কী লান্মীশিংবু মাইকৈ অশোমদা থাখিরম্মী। মখোয়না লান্দাক্কংদু মাইখিরম্মী অদুগা সিকাইশিং অদুনা চুটপাতলীদগী মাইল থরা লাপ্না লৈব যত্রাপুরদা হন্দোক্তুনা লৈখি। খৃ: ১৮২৫ গী ফেব্রুয়ারী তাং ২৭ দা কর্ণেল ইন্স হায়বা অমত্তা লান্মী অসি তাম্না লাক্তুনা মাওরম্মী। বর্মাগী সিকাইশিং অদু চুটপাতলীদা লৈবা লানবন থাদোক-তুনা মণিপুর তম্পাক্তা লান হন্দোকখিরম্মী। অতৎপা লৈত্তনা চুবা নোং অমম খুদোংচীবা থরনা ব্রিটিশকী লান্মী অদু মণিপুর তাম্না বর্মীজশিংগী মতুং ইন্দুনা লান তকথোকপা অদু ঙম্মদে। অদুম ওইনমক ব্রিটিশকী লান্মীনা চুটপাতলী অমদি মণিপুরগী সিমানাগী মরক্তা লৈবা টেলাইন হায়বা লম অমত্তা বর্মীজশিংগী মথুক্তগী হন্দোকখি অদুগা বর্মীজশিংগী অচৌবা লানবন অমত্তু থুগাইরম্মী[১০]।

খৃ: ১৮২৫ গী শিলট চমথৈগী লান তৌবা হায়বা অসি ব্রিটিশকী অচৌবা তেজোল অমা কছাড কাওবগা মণিপুর তাম্না থাখিবা। অদুগা মসিনা বর্মীজগী দরবারদা মাইকৈ অসোমদা অচৌবা লান্মী তেজোল অমা থারক্লবগী বাথল পোকহনবা অসিনি। অনৌবা থৌরাং অসিগা লোইননা ব্রিগেডিয়ার জেনেরেল শলধাম্ নোংপোক থংবা সিমানাগী লুচিংবা ওইনা হাপ্লম্মী। মহাক্না মণিপুর তাম্না খোংশানগে হায়দুনা হোৎনরম্মী। কেপ্তেন দদজিওনবু শিলট লোকেল কোর অমদি গম্ভীরসিংহগী লেভী অদুগা ব্রায়রগী শগোল তোংবা কাংবু অমগা মাংজিন থানা থাজিনখৎবা সিকাইশিংবু তেংথাংনবা থাখিরম্মী। থৌরাং অসি মপুং ফানা পাংথোক্লবগীদমক চুটপাতলীদগী মণিপুর তম্পাক তাবা য়াবা লম্বী অমা শেম্বা হোৎনরম্মী।

খৃ: ১৮২৫ গী ফেব্রুয়ারী থাদা জীরি তুবেলগী কোক্কান ময়াদা লৈবা বাঁস-কান্দীদা ওলদাম থুংলম্মী। অতৎপা লৈত্তনা চুবা নোং অমদি লম্বীগী খুদোংচীবা

(৮) রথকী থাওকম অসিদা।
(৯) গেইট, সার এডৱার্ড, হিস্ট্রি ওফ আসামগী লমাই ২৮০ দা।
(১০) উইলসন দোকুমেণ্টস, মশিং ৯৬।

কয়ামকয়া মণিপুর তানবা শেঙবা লন্মী অদু লোয়শিনবা ঙম্মদে। মরম অদুনা মণিপুর য়োনবা চংশিনবসু ঙম্মদে। মহাক্না অসুম্না থেংনরম্মী: "বাঁসকান্দীদগীনা মণিপুর তাবা লম অসি অনেম অগ্রাং নাইবা অমদি অবাংদগীনা মথারোমদা শন্দোকখিব্রবা চীংগী চীংশাংশিংনা লন্মী অসিবু থংলি অদুগা ঈশিংখোং অমদগীনা ঈশিংপোং অমা তাখিনব লন্মীদক্ত চীংগী চীংচেপ কয়ামকয়া থংলি অদুগা লো তাখিবা থুদিংগী ঈশিংনা থলব অমদি অরুবা ফুরেলশিংনা লন্মীগী শরুক অয়াম্বা থংলি...অতংপা লৈতবা নোংনা কেক্রুমারীগী অহানবা শরুক্তগী হৌরকপদ নোং জু থা চংলকপা ফাওবগী মতম অসি ফাওবদা তাবা মবম্না মণিপুর য়োগে হোংনবা থোৌবাং পুম্নমক অংবম্বা তাহল্লি[11]। মর্চকী তারিখ ১১ দ মহাক্না সবকারদা পাও থারক'থ. 'লন্মীগী মওং ফ'স অসুক্না মতিক ফংদ্রে মদুদি হায়না চংথ্রবা কাবুংগীদমক উৎতা, মণ গড়ৈদা, শমুদা নঞ্জগা মীদা চীংজাক থানবা হোংনবা অসি ওইথোক্তে[12]।

— জেনেরেল শুলদাম' উপাই 'লক্রে হায়না শুন্দোক্লবা থবক অসি গম্ভীর সিংহনা পাংথোক্কে হায়না লেপ্লম্মী[13]। মহাক্না দতম অদুদা ব্রিটিশকী থুংলাই ফংলবা মণিপুর লেভাগী নিংথিনা তমগ্রবা সিপাইশিংগা লোইনা মণিপুরদা চংকে হায়না দেপ্লম্মী। লেপ্তেনেন্ট পেম্বরটন হায়বা নোর্থ ইষ্টণ ফ্রোনটিয়ার ওফ ইন্দিয়াগী ইতিহাসতা মমিং চংলবা ব্রিটিশকী ওফসার অদুসু গম্ভীর সিংহগা লোইননা চংকে হায়না চোংথোরক্লম্মী[14]। খৃঃ ১৮২৫ গী মে তাং ১৭ তা মথোয়না শিলচর থাদোক্লম্মী, অদুগা অশম্বা লম্বী চংপা অদুনোং চুবদুদা য়াদদুনা তারিখ ২৩ য়োত্রিকাওবাদি বাঁসকন্দ য়োবা ঙম্মদে। মে তাং ২৫ দা মথোয়না মণিপুরগীদমক্তা থোং শানখিরম্মী। নোং য়াম্না তাবনা অমদি লন্মীগী থুদোংথীবা কয়ামকয়া চংপা য়াদদুনা খৃঃ ১৮২৫ গী জুনগী তাং ১০ দা মণিপুর তম্পাক্তা উমথৈ লাম্থোক্লম্মী। মথোয়না চংশিংলকপগী পাও ফংবগা বর্মাগী লাম্মীশিংনা মণিপুর থাদোক্লুনা ইম্ফালদগী মাইল ১০ থ প্না লৈবা অক্রে দা লানবন শাদুনা লৈরম্মী। গম্ভীরসিংহ অমসুং পেম্বরটন্না মথোয়গী মথক্তা লান্দানবা চংলম্মী অদুবু বর্মাজশিংনা মণিপুর তম্পাক থাদোক্লুনা চংথে হায়বগী পাও ফংলম্মী। হবা মু শিং

(১১) উইলসন, হোবাস হেমেন, নেরেটিভ ওফ দি বর্মীজ বার ইন ১৮২৪—১৮২৬, লমাই ১৩৩—১৩৪।

(১২) উইলসন, হিষ্ট্রিকেল স্কেটস, লমাই ৪৯।

(১৩) উইলসন, দোকুমেণ্টস, মশিং ১৭১।

(১৪) পেইট, সার এডবার্ড, মথক্তী লমাই ২৮৭—২৮৮।

কত্তবা অমদি চিঙ্গাক বাংগনা মণিপুরদা লৈবা অত্থ যাম্না বানা খোক্লম্মী। উপাই অমত্তা লৈত্রহুনা গম্ভীরসিংহনা পুরকপা লাম্মীগী সিকাই ৩০০ থক মহাক্না খুৎলাই পীহুনা শেমগৎখিব মণিপুরী ভলুনটিয়ারশিং অহুগী কেংবাংনবা ওইনা থনম্লগা শিলচরকীদমক মণিপুর থাদোকপা তারম্মী। মণিপুর তম্পাক্কী অকোইবদা লৈবা বর্মাগী সিকাইশিং অহুনা মহাক্না থনম্লিবা লাম্মী অহুব মাইথীবা পীবা ঙমলোই হায়না থজম্মী। হন্নক্কী লাম্দা মাই পাকহবা অসিগী মরু ওইবা মরমদি গম্ভীরসিংহগী মথোন, থাবো কনবা অমদি হৈশিংবনা মরমনি হায়হুনা পেম্বরটনা পাও পীরম্মী[15]।

মতিক চাবা খুজু খুৎ-ই অমদি চানা থক্নবা পুরহুনা অহুগা কেপ্তেন গ্রণ্ট অমদি পেম্বরটনগা লোয়ননা অমুক হন্না খৃঃ ১৮২৫ গী ডিসেম্বর তাং ৪ দা গম্ভীরসিংহনা মণিপুরগীদমক বাঁসকান্দি থাদোক্লম্মী অহুগা তাং ৮ দা মণিপুরদা থুংলম্মী। মথোয়না লাকপগী পাও ফংনগা মণিপুবগী তম্পাক্তা লৈবম্বা বর্মাগী লাম্মীশিং অহু তম্পাক থাদোকনা চেনথরম্মী॥ তোইঙুবম্বু মথোয়গী মরক্তগী অযাম্বা লাম্মীনা তুম্মদা লানবন শাহুল লৈরম্মী। করো তম্পাক্তা লৈবা শমজোক্তী নিংথৌনা লাম্মী ১০০ খোমজিন্নগা খোমজিন্নক্লব মণিপুরি লাম্মীশিং অহুব থীংগে হোৎনরম্মী। মরম অহুনা গম্ভীর সিংহ অদি কেপ্তেন গ্রাণ্টনা মণিপুরী সিকাই কাংবু অমা মথোয়গী মায়োক্তা থাথিরম্মী। অহুম ওইনমক য়েক্লবগী মশিংনা লেপ্পা অহুদা অতোপ্পা লাম্মী কাংবু থরা থাজিনবিরকউ হায়রবদগী গম্ভীরসিংহ অমম্বুং গ্রণ্টনা মাণপুর লোঙগী লেনহৌবিব সিকাই মযাম পুহুনা মরিং চীংশাং লাহোক্লবা বর্মাগী লমদা থুংলম্মী। খৃ. ১৮২৬ কী জানুয়ারী তাং ১৮ দা মথোয়না মথক্তী লাম্মীগী মনাক্ত থুংলম্মী[16]। তাং ১৯ দা মণিপুরী লাম্মীশিং অহুনা অশোংবা অজল ফাওহুনা য়েক্লবগী মাইকৈরোমদা চংশিল্লম্মী। মযাংদা লৈরম্বা তুরেল অহু যৌ গ্রংউগী, মযাংদদি মথোয়ব য়েক্লবনা উরমদে। মথোয় হেক উবগা য়েক্লবশিংনা মোংমৈ শাপ্লা চৌরক্লম্মী। অহুব মণিপুর লাম্মীশিং অহুনা অশোংবা উমংদা চনশিনবদগী অশোকপদি ইয়াও যাওরমদে। বর্মীজগী লাম্মীশিংনা মণিপুরী লাম্মীশিংবু তাহোক্লবা যাম্না কন্না হোৎনরম্মী। মথোয়গী হোৎনবা অহুগী মাইয়োক্তা মণিপুরী লাম্মীশিংনা অমুক্তা চেন্ন তকশিল্লম্মী। অরোইবা ওইনা

(১৫) উইলসন দোকুমেণ্টস, মশিং ২০৪ (এ)

(১৬) উইলসন, হোরাস হেমেন, দি নেরেটিফ ওফ দি বর্মীজ বার ইন ১৮২৪—১৮২৬, মশাই ৫৫২—২৫৩।

ঝোংনজবা অহু কাওবা য়ায়া থুদোংথিবা নংঙদগী বর্মীজশিং অহু মমায় লৈবা হৌরক্লমী। মখোয়না অহুম মরি অহুম মরি হন্দোকখিরম্মী অদুগা তাং ২২ দা চুমিথাংদদি লানবন পুনথা থাদোক্লমী[১৭]। মসিগী মতুংদা মী ৩০০ ন শাবা লাম্মী কাংবু অমা মাং তাম্মা গম্ভীরসিংহনা থাজিনখিরম্মী অদুগা মখোয়না নিংথী তুরেলগী য়েং থংবা তোর্বান্দা লৈবা লানবং অমা লৌরগা মণিপুরী লানফা ২০০ য়োম কেয়া কনখিরম্মী। মণিপুরী কাংবু অমস্থু ফাগদবদগী কনবিরম্মী। কেপ্তেন গ্রান্টনা হায়রম্মী "......... লান অসিদা মহাক্না (গম্ভীরসিংহ) শিজিন্নখিবা, লৌশিং য়াথল অমদি থবকশিং অসিনা ঐখোয়না হায়া থবা মহাক্কী মরমচৎকী থাজবশিং অহু চুম্মী হায়বা তাক্লে অদুগা তোপক্কী মতেং য়াওদনা মখোনা শিজিন্নরগা মপাঙ্গল কল্লবা য়েক্লবনা লানবন শাহুনা লৈরম্লবা লম্বু থুগাইবসিদি মহাক্কী মতিক চাবা অমদি মপাঙ্গল কনবগী খুদম অমানি অদুগা মহাক্কী মতুংদা লাকদবশিংগীত্ত অচৌবা খুদম অমনি[১৮]।"

ব্রিটিশ অমস্থং বর্মীজগী লান অসি খৃঃ ১৮২৬ কী ফেব্রুয়ারী তাং ২৪ দা তৌনখিবা য়ান্দাবুগী সন্ধীনা লোইশিনখি। সন্ধী অসিগী অনিশুবা থারাদা "হিজ মেজেস্তি বর্মাগী নিংথৌনা অপিকপা লৈবাক কছাড অমদি জয়ন্তিয়াগী লম পূরবক অসি থাদোক্লে হায়না য়ারে অদুগা মতুংদগী লমশিং অসিদা অমুক হন্না খুৎ থিংজিল্লরোই। মণিপোর (মণিপুর) গী মতাংদা অস্থুয়া য়ায়রে মতু'দ গম্ভীরসিংহনা লৈবাক অসিদা হঞ্জিনগে হায়না থাজবদি মহাকপু নিংথৌ ন হায়না বর্মাগী নিংথৌনা য়াগনি[১৯]।" তৌইগুবস্থং সন্ধী অসিদা গম্ভীরসিংহ মহারাজ আস মনিং মথা তথ্বা নত্রগা মীথা পোনবা নিংথৌরা হায়বগী মতাংদা ময়েক শেংনা পল্লমদ্রে। মরম অদুনা মণিপুরগী ফিতম অসি বাঙলা সরকারনা য়ায়া নিংথিনা অমদি থংনিংনা খিজিল্লম্মী। মরমদি মতুংগা হায় পুক্না অদুগুমদুনা মণিপুর আস মনিং মথা তথা লৈবাক অমা ওইহনবা পাম্মী হায়বসি ব্রিটিশ সরকারগী য়াথলনি। ব্রিটিশকী লম অমদি বর্মাগী মরক্তা মতম কুইনা বর্মাগী য়েক্নবা ওইরবা মীওইশিংনা খুম্মাবা মনিং মথা তথা লৈবাক অমা থম্মা অসিনা ব্রিটিশ সরকারগীদি য়ায়া কায়বনি হায়না থল্লম্মী। অসিমস্থু থম্মরম্মী মতুদি মণিপুরনা মনিং মথা তথা লৈবাক ওইবগী মহক্তা বর্মাগী মথা পোনবা লৈবাক অমা ওইথবদি ব্রিটিশকী লমদা

(১৭) মথক্তা য়াওকম অসিগী লমাই ২০৩—২৫৪।

(১৮) উইলসন ডোকুমেন্টস, অশিং ১৬৬ (বি)

(১৯) আইটিসন, সন্ধীনচিংবগী ভোলুম ৫ লমাই ১৪৯—১৫০

ঊৈথাযবা পীরকনি মরমদি মণিপুরদা বর্মাগী শক্তি শম্বোরক্লবদি লিকাই সিমানাদা খুদোংবীবা পীরকনি। মরম অদুনা স্থপ্রিম কাউনসিলনা অস্থুমা থম্মরমী মদুদি করিগুম্বা বর্মানা মণিপুরবু মথোয়গী মথাদা লৈবা লৈবাক্তি হায়না থম্মবদি। (হায়-রিবা বাক্ষ অসিদি মথোয়না থনকম থোক্তবনি।) বাক্ষ অসি তাইশিন্নবা হোৎনরগা মণিপুরনা মনিং মথা তম্বা লৈবাক অমা শেম্বা হোৎনগনি, মসিগীদমক ব্রিটিশ সরকারনা থাদোকপা যাবা মথোয়না কংকম থোকপা পোৎ থরম্ব থাদোক্তে হায়রম্মী[20]। বিলাত্তা লৈবা কোর্ট ওফ ডাইরেক্তরসনা বাক্ষ অসি থাংগৎ-থিরম্মী[21]। অদুগা বর্মাগী রেসিডেন্ট ওইদুনা লৈরম্বা মিঃ ক্রাওফর্ডতা বাক্ষ অসি বর্মাগী কোর্টতা পুথোক্লগা থম্মনবা হায়থিরম্মী। বর্মীজশিংনা মণিপুরবু মনিং মথা তম্বা লৈবাক্তি হায়না লৌখম্মী অদুগা ব্রিটিশশিংনম্ব অত্তুমক থনগদবনি হায়না মথোয়না থলম্মী হায়বসি ক্রাওফর্ডনা খংলম্মী। বর্মীজশিংনা পাম্বদি গম্ভীরসিংহনা মনিং মথা তম্বা নিংথৌ ওইবনিনা বর্মীজগী নক্লগা ইউরোপকী ওফিসারশিংনা মহাক্কী দরবারদা লৈবা অদুম্ব পাম্মবদে। মপান্দগী লাকপা মীশিংনা দরবারদা লৈবগী বাক্ষ অদু নিংথিনা থম্মথিব্রবস্থ মণিপুরবু মনিং মথা তম্বা লৈবাক্তি হায়বত্তুদি বর্মীজশিংনা য়ারম্মী। ব্রিটিশকা মণিপুরগা লৈনবা মরিগী মতাংদদি বর্মা তাম্মোক্তুনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইরবা গম্ভীরসিংহনা ব্রিটিশকী মথ পোনগনি হায়বগী বাক্ষ অমত্তম্ব সন্ধী অসিদা যাওদে। ষ্টেটিসটিকেল একাউন্ট ওফ মণিপুর ইবা মতাংদা ব্রাউনা খৃ· ১৮৭৩ দা অস্থুম্না ইরি: "বর্মাগী লাম লোইরবা মতুংদা মণিপুর অসে মনিং মথা তম্বা লৈবাক অমা ওইরে"। মথক্তা পনথিবা থাম্না অদুদা স্থগাইনা হায়রমদবনিনা বাঙ্গলা সরকারনা মণিপুর অসে মথোয়না ডাক শেন্দুনা লৈরবা লৈবাক্তি হায়না থনবা হোৎলম্মী। তৌইগুমস্থং মণিপুরদি বাক্ষ অসি কৈদৌঙৈদম্ব থংলমদ অদুগ বাঙ্গলা সরকারনা মণিপুরবু অস্থুম্না থজি হায়বস্থ থংলমদে। অস্থুম্না শেংদোক্লদব বাক্ষ অসিনা মণিপুরগী ইতিহাসতা থুইদগী ছুডাইব্রবা থোদোক অমা খৃঃ ১৮৯১ দা থোক্লকইবনিনি। অদুম ওইনমক মতম থরগী ওইনদি ব্রিটিশ অমস্থং মণিপুরগা মরূপ শাম্মবগী মরি অদু কায়নদবা লৈরম্মী[22]।

(২০) লাহিরি, আরঃ এম এনেক্সেসন ওফ আসাম, লমাই ৫৮।

(২১) সিক্রেট কনসলটেসন্স, জুন ২৩, ১৮২৬, মশিং ১৮।

(২২) মজুমদার, আরঃ সিঃ মথক্কী লাইরিকী লমাই ১০২৮।

গম্ভীরসিংহগী শেমগৎ-শাগৎপা :

বর্মাগী লান লোইরমলাইগী মণিপুরগী কিতম অসিদি য়াম্না নিংবা কাইনিং-ঙাইনি। মসিদা লৈরবা তুপাগী মীশিং লিশিং অহুম কায়ে[23]। লান অসিদা মী কয়ামকম হাৎখি অতুগা কাংবু থরনা বর্মানা কাখিরম্বী অতুগা কাংবু থরনা মথাই কয়রবা সুরমা তম্পাক কাওবা চেনখি[24]। মণিপুরী লাঞ্জেনবা কাংবুশিংনা কছাড়গী তোঙান তোঙানবা লম, শিলট অমদি ত্রিপুরা কাওবা থুন্দাবা হৌখি। কাংলুপ থরদি মথাই কয়বা ঢাকা কাওবা চেনখিবা য়াওই। লৌউ শিংউবগী থবক অমদি থুৎলা হৈবগী থবক পুম্নমক মপুং কানা মাংখিরম্মী। লৌবুক অয়াম্বা অজললা কুপ্রশিল্লম্মী। মণিপুর তম্পাক অসি য়েংবদা থুন্দাক লানশিবগুম্না উরম্মী। মরম অতুনা গম্ভীরসিংহনা থবক পুম্নমক অসি মকোক্তগী হৌনা শেমগৎ-শাগৎপা তারম্মী। মহাক অসি য়াম্না মপাঙ্গল কনবা সিকাই অমা ওইবা অদুক মতিক মথৌনা লৈবা অমদি হৈশিংবা লৈবাক ঙাকপা অমসু ওইরম্মী। মহাক্না পানবা হৌরকপদগীদি মণিপুর তম্পাক্না অনৌবা পুন্সি পীবা অমুক হৌরকখি। মহাক্কী লমজীং মথাদা অমদি অথাপ্পা মরি ওইজরবসু মতিক চাবা মনাও ইবুংঙো নরসিংহ সেনাপতি অমদি ময়াম্বশিং অমনা পোক্পা জয়বীরসিংহ হায়বা যুবরাজগী মতেংনা মণিপুরদা মথং মথং নিয়ম নাইবা হৌরকখি। লৌউ শিংউবা অমদি থুৎলা হৈবগী থবক অমুক হন্না হিংগৎলম্মী। মণিপুরগী বাংমদা চেনখিবা মীওই থরদি অমুক হন্না মণিপুরদা হল্লিনবা হৌরক্লম্মী। খৃঃ ১৮২৭ কী নবেম্বর থাদা কছাড়গী মণিপুরদা শ্রীগোবিন্দ[25] অমুক হন্না লেংশিল্লক্লম্মী। মতৌ অদুম্না হৌখিবা লান অতুনা মাং তাক্লবা নৈথাইরম্লবা লৈবাক অসিগী মীওইশিংনা ধর্ম কর্মদা অমুক হন্না পুক্লিং থিজিনবা হৌরকপা অসিনা তাকপদি লৈবাক অসি মন্না তপ্পা হৌরক্লে হায়বা অসিনি। লান মতুংদা লখী খিংগুরবা ১৫শুবা শতাব্দীদগী হৌনা চাং নাইনা চৎথরক্লিবা ব্রাহ্মণশিংনা মণিপুরদা থুন্দাবা হৌবগী ঊচেক অসি অমুক হন্না গম্ভীরসিংহগী মতমদা চেনবা হৌরক্লম্মী। রথযাত্রা হৌদোকপা অমদি পূর্ণযাত্রা হৌদোকপা অসিনা তাকপদি মণিপুর অসি মপুং কানা মন্না তপ্লে হায়বা অসিনি। প্রজাশিংগী ধর্মগা মরি য়াম্না লৈনবা তারতকী মকম থম্মনা গোপাষ্টমী হায়না থংনবা গোষ্ঠ অষ্টমীসি মণিপুরদা গম্ভীরসিংহ

(২৩) ব্রাউন, আরঃ এন্নুয়েল রিপোর্ট অফ দি মণিপুর পোলিটিকেল এজেন্সি, ১৮৬৮—১৮৬৯, লমাই ৩৫।

(২৪) এলেন, বিঃ সিঃ আসাম ডিষ্ট্রিক গেজেটিয়ারস, ভোলুম ৯।

(২৫) শ্রীকৃষ্ণগী মূর্তি অমা।

মহারাজনা হোৎলোকখি। মণিপুরগী মহৌশাগী লৈজরবা লম্বিং-চুম্বিং য়েংলগা অমদি মখোয়গী কাম্বা অদু নিংথিনা য়েংলগা ইম্ফালদগী মথারোমদা মাইল মরি থাম্বা লৈবা কাঙ্গীপুরদা মণিপুরগী কোক্লং হোংলম্মী। মখম অসিদা মণিপুর লেভীগী হেড কার্টরস ওইরম্মী।

গম্ভীরসিংহ মহারাজনা মণিপুর তম্পাক্কী মফম অমদি মপান্দগী লাকপা অরাবা কয়ামক্কম থেংনখি। মহারাজ অসিনা পানবা মতম অসিদা মণিপুরদা লাইজাও থোকপগী লায়না অমনা চহি অনিবোম কয় নারম্মী। মণিপুরগী মী অমাবা লায়না অসিনা শিখি[২৬]। টিকা থাবা হায়বা লায়না অসিদগী কন্নবা অমথক্তং ভাবা উপাই অদুসু মণিপুরীশিংনা মতম অদুদা খংলমদে অদুগা সিন্দু শিজিন্নরমদে। মরম অদুনা মহাক্না মহাক্কী লেভীগী কমীসনার ওইরবা কেপ্টেন গ্রাণ্টতা ডাক্তর অমা থাবিরক্নবা হায়জরম্মী। মাকম অসি গ্রাণ্টনা হরাওনা য়াথিংলম্মী অদুগা বাঙ্গালা সরকারনা থন্নবা পাও থাখরম্মী। হৌথিবা লান অদুদা গম্ভীর সিংহনা ব্রিটিশকী মতেং পাংথিবা মতে অদু শল্লুবগা গভর্ণমেণ্টনা মুহাম্মদ নাজিম হায়বা মীপা অমবু মণিপুর লেভীগী ডাক্তর ওইনা থাক্নম্মী। মাগী তলবনচিংবদি গভর্ণমেণ্টকী পোলিটিকেল ফণ্ডগী কাইশোক্নম্মী। "লৈথিরবা মুহাম্মদ নাজিমনা থুংলবদগীদি লাইজাও থোক্নুনা শিবগী পাও অমত্তা ঐহাক ক্রংথিদ্রে" গ্রাণ্টনা হায়রম্মী[২৭]। মুহাম্মদ নাজিমা শিথবা মতুংদা দেবিদয়াল শুকুল হায়বা অমবু মণিপুরদা টিকা থাবা ওইনা হাপ্লম্মী।

তম্পাক্তা থোকইবা অরাবশিং অদুগী থুদোংচাবা লোক্নুনা চীংদা নাগাশিংনা মনিং মথা তম্বগী ফিরাল হায়গংলম্মী। মমাংতৈদগী মণিপুরগী নিংথৌশিংনা হায়রিবা চীংশিং অসিদা সাশন তৌরম্মী। তৌইকুমসুং চহী তরেৎ (৭) খুন্দাকপগী মতুং অমদি মমাংগী মপাঙ্গল শোন্দ্রকপা মতম অদুদদি মণিপুরগী মপাঙ্গল পুম্নমক মাংখিরম্মী। অদুম ওইনমক মহাক্কী লেভীদা য়াওবা ব্রিটিশকী ওফিসারশিং অমদি ব্রিটিশতগী মহাক্না ফংবা খুজু-খুৎলাইগী মতেংনা গম্ভীরসিংহনা নোংপোক অমদি নোংচুপতা লৈবা চীংগী মীওইশিংবু মহাক্কী মপাথোম মথাদা থম্মী। মণিপুরগী অরাং অমসুং মথাদা লৈবা চীংগী মীওই কয়ামক্কমসু মহাক্কী মখা পোল্লম্মী। চীরবা তাঙ্গা অদুদা মহারাজগী মরাক্তুং থাইরাকপনি হায়জিন্দুনা ফুলা অমনা লান হোৎনম্মী অদুগা তংশংনমক মণিপুরগী কোক্লং অদু কাওবা

(২৬) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ১৫ মে, ১৮২৯, নম্বর ৫—৬।
(২৭) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৩০ জনুয়ারী, ১৮৩৭, নম্বর ৮৩।

লৌথিরম্মী[২৮]। সেনাপতিশা লাম্মী কাংবু অমা থোক্লগা মহাক্কী মথক্তা লাল্লাখম্মী। ভৌশিন্নবা থুইরাকপা অত্থুনা চেহোকথিনবা হোৎনরম্মী। তৌইগুমস্নুং মহাকপু ভায়রগা হাৎখি। মণিপুরদা অমুক হন্না লৈবাক মন্না ওপ্পা পানবা হৌখি।

বর্ম্মাগী লান হেক লোইখিবা অসিগী মতুংদগীদি কোর্ট উইলিয়মদা লৈবা মীওইশিংনা আসাম অমস্নুং মণিপুর কাওনা চৎপা য়াবা লম্বী অমগী দরকার ওই হায়বাস থংলম্মী। মরমদি মসিনা শান্তিগী মতমদা ললোন ইত্তিক্কী থুদোং চাবা পীবা য়াই অদুগা লানগী মতমদস্নু থুদোং চাবা পীরকপা য়াই। মরম অদুনা বাঙ্গলা সরকারনা কপ্তেন জেনকিন্স, অমদি লেফ্টেনেণ্ট পেম্বরটনবু আসাম অমস্নুং মণিপুর ওয়বা থারম্মী। খৃঃ ১৮৩২ গী জানুয়ারি থাদা জেন-কিন্স অমস্নুং পেম্বরটন্ন মণিপুরী লাম্মী১০০ অমদি কুলি ৮০০গা লোইননা মণিপুর ভম্পাক্তগীনা পাপলোংমৈ, সমগদটিং অমদি ধনসিরিরোমদা চৎলগা মোহোং অমদি দিজুবা তান্না চৎলম্মী[২৯]। কাচানাগা অমদি অংগামি নাগাগী লম কাওদুনা চৎপা মতমদা মথোয়না তশেংনমক থুদোং থীবা কয়ামকম থেংনবা তারম্মী। থুদোং থীবা কয়ামকম থেংনবদগী কাংবু অদুনা আসাম অমস্নুং মণিপুর কাওবা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াবা লম্বী অমা পুথোকপদি ওমখিদরে। মরম অদুনা গম্ভীরসিংহ মহারাজনা আসাম তাবা লম্বী অমা পুথোক্লবগীদমক জেমবিন্দখোয়না চৎখিবা লম্বী অদুদগী মাইল থরা নোংপোকলোমদা চৎলগা মহাক্কী লেভৈগী সিফাই মঘাম লেফ্টেনেণ্ট গোদনগী মথাদা পুরগা খৃঃ ১৮৩২ - ৩৩ গী নিংথমথাদা থোং-শানখিরম্মী[৩০]। তৌইগুমস্নুং মাগী হোৎনবা অদুদি মহৈ য়াল্লমদ্রে।

গম্ভীরসিংহ মহারাজবু মনিং মথা ওম্বা নিংথৌনি হায়না য়ারবা মতুংদা সুপ্রিম কাউনসিলনা য়াম্না থুনা মণিপুর লেভৈগীদমক গম্ভীরসিংহদা পীরম্বা লেল থুম পুন্নমক অদু পীররোই হায়না থল্লম্মী[৩১]। তৌইগুমস্নুং মণিপুর অসি মতম অদুদদি নিংথিজনা অমদি মন্না চেৎনা পাল্লমত্রি অদুগা লাম্মীশিং অদুনা চৌংগী লালহৌবা কাংবু নমথনবা হোৎনবগী য়াম্না চৌরম্মী। অদুগা মায়থিবা থেংনরবা

(২৮) সিক্রেট কনসলটেসন্স, ১৫ এপ্রিল ১৮৩১, মশিং ৩—৭।

(২৯) পোলিটিকেল প্রোসিডিংস, ৫মার্চ, ১৮৩২, ৩০এপ্রিল, ১৮৩২, ২০ মার্চ ১৮৩৩।

(৩০) পোলিটিকেল প্রোসিডিংস, ১৪ জানুয়ারী ১৮৩৩; ৩০মার্চ ১৮৩৩, ৩০ মে ১৮৩৩।

(৩১) সিক্রেট প্রোসিডিংস, ২৩ জুলাই ১৮২৬, মশিং ৮৮।

অমাশিংনা তুংদা করি তৌরকপগে হায়বগী মরমন্তু থংলমমে[৩২]। মতম অদুদা মণিপুরদগী ব্রিটিশকী মতেং লৌখোকপা তারবদি মণিপুরগী খুদোংথীবা থোককনি মসিদন্তু নত্তনা নোর্থ ইষ্টর্ন ওক ইন্দিয়ানগী মফম পুম্নমক খুদোংথীবা থোককপা য়াই মরমদি মণিপুর অসে বর্মীজশিংগীদমক্তি আসাম অমসুং কছাড় চত্নবগী লম্বৈনি হায়বা য়াই।

শিলচরতা লৈরিবা ব্রিটিশকী ওফিসারশিংনা অহুম থমরম্মী মদুদি নোর্থ ইষ্টর্ন ফ্রোন্টিয়ারগী মরা চেৎনবগীদমক মণিপুর অসি কম্পানিগী অনিংবদা পুক্কিং চংবা মফম অমা ওইদুনা থম্বা তাবনি। মরম অদুনা মখোইনা থা অমদা লুপা লিশিং ১৮ থক তিংবগীদমক মণিপুর পুম্নমক মাংবা অসিদি অশিংবা বাকথ নত্তে হায়দুনা পাও পীরক্লম্মী[৩৩]। মসিমন্তু য়াবা তাবান মদুদি মতম অদুদা নোর্থ ইষ্টর্ন ফ্রোন্টিয়ারদা পালবা কাম্রবা অমাদ মতিক মখৌনা লৈজবা নিংথৌ-শিং অসিগী মরক্তা গম্ভীরসিংহ মহারাজদনি মতিক মথৌনা লৈরবা নিংথৌ হায়বনু। বাকথ অসি মুম্না থম্লবা মতুংদা ব্রিটিশ ওফিসারশিং অমদি মখোয়গী মতেং অদু মণিপুর সরকারদা অদুমক পীথরম্মী।

খৃঃ ১৮৩৩ গী মার্চকী তারিখ ২৮ দা মতমদুগী গভর্ণর জেনেরেল ওইরবা লর্ড উইলিয়ম বেনটিঙ্কনা মণিপুরদা অনৌবা লাম্মী অমা শেমগৎপগী মতাংদা ব্রিটিশকী মাইকৈদগী করি কাম্লবা কংগমগে হায়বা হংলম্মী। মরম্রদি মণিপুর অসি কম্পানিগী লৈবাক্কগী চৎপদা য়াম্না খুদোংথিরবা লম্নি থক্লি। মণিপুরগা মরি লৈনবগী খুদোং চাবা অসি গভর্ণর জেনেরেলগী বাথনদা, য়াম্না খুরৌ চেনবা ওইনা থোক্লম্মী মরমদি পেম্বরটন অমদি জেনকিন্সনা থিজিন খোচিনবদগী থংলে মদুদি লৈবাক অসি বর্মানা লান তারকপদগী ডাকথোকচনবা মপাঙ্গল লৈজরি। অদুম ওইনমক ব্রিটিশ সরকারনা নোংপোক থংবা সিমানা চাক্লবগী মতাংদা মণিপুরদা মতেং পাংবিয়ু হায়দুনা নিথিবা থৌদোক কয়ামকমন্তু য়াওথি[৩৪]। অশেংনমক হায়রবদা গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলনা চহী অদু-মক্তদা এজেন্টতা নোংপোক থংবা সিমানা অসি সিংফুগী শুচিংবশিংদা পীথোক্লবদি য়েথাই থিনগাইবা লৈতনা লৈবা য়াগদ্রা হংলম্মী। অদুবু এজেন্টনদি লম অসে গম্ভীরসিংহগী মথুক্তা পীথোক্লিংলম্মী[৩৫]। অদুম ওইনমক লর্ড উইলিয়ম

(৩২) লাহিরি, আরঃ এমঃ মথকী লাইরিকী লমাই ৫৫।
(৩৩) সিক্রেট প্রোসিডিংস, ১৫ সেপ্তেম্বর ১৮২৬ মশিং ৩৬।
(৩৪) লাহিরি, আর, এমঃ মথকী লাইরিককী লমাই ১০১।
(৩৫) মথকী য়াওবা [illegible] লমাই ১১০ দা।

খেজিকনদি হাকম অসি অঙাওবনি হায়রুনা য়ানিংলমদে মরমদি লম অসি গম্ভীরসিংহ মহারাজদা পীখোক্লবদি মহাকপু অতোপ্পা কাংবুনা য়াম্না কল্লক্লা খেংলগনি। মরম অদুনা গভর্ণর জেনেরেলনা গম্ভীরসিংহগী খোংজাকম অমা আসায়না পীবা হায়বসি অশিংবা থবক নত্তে হায়না লৌরম্মী[৩৬]। অদুবু খৃঃ ১৮৩২ গী থাসিগী লালহৌদা ব্রিটিশ সরকারনা তেংবাংবিদুনা হায়রুনা গম্ভীরসিংহ মহারাজদা হায়জরম্মী। গম্ভীরসিংহ মশাথক মণিপুরী সিপাই কাংবু অমা পুরুনা ব্রিটিশশিংবু তেংবাংবা চৎলম্মী। মসিগী মতুং থর লৈরগা বর্মীজশিংনা অবাং নোংপোক ভারতকী সিমানাদা অমুক হন্না লান্থারক্বা হোৎনরক্লবদি গম্ভীরসিংহ মহারাজদা মহাক্না তৌনিংবা মওংগী থবক তৌবা য়াগনি হায়রুনা হায়রম্মী। অদুগা খৃঃ ১৮৩৩ দা আঙামী নাগাশিংনা ব্রিটিশকী মথক্তা অবাবা পীবা হৌরক্লবদা গম্ভীরসিংহনা লেপ্তেনেন্ট গোর্দোনগা কোহিমাগী মথাদা লৈবা আঙামী নাগাশিংবু নয়থরম্মী[৩৭]। মথক্তা নৈনথিবা হাকমণিং অসিদগী ঐখোয়না থংলে মহুদি অবাং নোংপোক ভারতকী সিমানাবু নিংথিনা ঙাক শেনবগী মতাংদা গম্ভীরসিংহনা য়াম্না অচৌবা শরুক অমা য়াথি।

জীরি ওমথৈ :

মণিপুর অমসুং কছাড়গী থংনবা নোংচুপ মাইকৈগী ওমথৈ অসি নিংথিনা য়াংলমদে। খৃঃ ১৮২১ কী অঙনবা মতমদগী হৌদুনা গম্ভীরসিংহ মহারাজনা মণিপুর অমসুং কছাড়গী ওমথৈ ওইরবা বরাক তুরেলগী নোংচুপ থংবা লমদা তপ্পা তপ্পা থুং থিংজিনবা হৌরক্লম্মী। লম অসি অকবা উ, মমল য়াম্বা শামু মন্না, খোইরু, শজিক অমদি বা য়াম্না কৌই[৩৮]। গম্ভীরসিংহ মহারাজনা লম অসি খোপচনগে হায়না নিংলম্মী অদুগা লম অদুদা লৈবা মাগা কাংবুশিংবু মণিপুরগী মথাদা লোট চনশিল্লম্মী।

খৃঃ ১৮২৮ দা কছাড়গী নিংথৌ ওইরম্বা গোবিন্দচন্দ্রনা বাঙ্গলা সরকারদা দরখাস্ত অমা থাকবদগী মতম অদুগী শিলটকী কমীশনার ওইরম্বা মিষ্টর টকরনা মণিপুরগী নিংথৌবু মানা তৌরিবা থবক অদুগী মরম তাকুনা হায় হায়রুনা হায়রম্মী। তৌইত্থসুং গম্ভীরসিংহনা বরাক তুরেলনা মণিপুর অমসুং কছাড়গী

(৩৬) মথকী য়াওকম অসিমক্তদা।

(৩৭) জোনষ্টোন, সার জেমস, মাই এক্সপরিয়েনসেস ইন মণিপুর এন্দ নাগা হীলসঃ লমাই ৩৪।

(৩৮) বরপুজারি, এচঃ কেঃ আসাম ইন দি দেজ অফ কম্পানি, লমাই ৭৪।

অমথৌ ওই হায়বগি য়ারমদে। মহাক্না মহাক্কী চুয়গী মনিং মথা তম্বা মাপা কাংবুর খুদুম চনশিন্নবনি হায়রম্মী[৩৯]। থৌদোক অসিগী মতুং থা থয়া নৈরঙা গম্ভীরসিংহ মহারাজনা চন্দ্রপুর হায়না খ'নরবা এলাকা অমা অয় তৌরম্মী। অদুগা মণিপুরদগী খুন্দারবা মীওইশিং না নৈননবা যুম শাগৎলম্মী। কমীশনারনা গম্ভীরসিংহদা এলাকা অসিদগী মণিপুরী শ'বু লোথোকউ হায়রকপদা লম অসিদি মপা মপুগী খবনি হায়না মহাক্না খুমম্মী[৪০]। গম্ভীরসিংহনা অইবা চে পুথোকপা ওযদবা অমদি সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা হায়বদগী অমদি গভর্ণর জেনেরেলগী এজেন্টনা খুৎ থিংজিনবদগী লম অসিদা গম্ভীরসিংহ মহারাজগী অধিকার লৈবা অদু লাক্লি হায়না লাওথোক্লম্মী। এজেন্টনা অসুমা হায়রম্মী মহাক্না হায়রিবা চন্দ্রপুর হায়রিবা লম অসি গম্ভীরসিংহগী মপা ইবুংঙোদা পীরবা ওইরবসু লম অসিদি মাগীনি হায়না থনবা য়াররোই[৪১]। অদুম ওইনমক এজেন্টনা অসুমা খল্লম্মী মহুদ সিলটতগী মণিপুর তাম্না খুজু-খুৎলাই পুরকপা মতমদা খুদোং চানব মহাক্কী মণিপুরা প্রজা থয়া খুন্দাক্তনা লৈবা মানবা কছাড়গী লম মচেৎ অমা পীকম থোকই[৪২]। বাকম অসি গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলনা য়াররম্মী অদুগা দরকার ওংরব দ গোবিন্দচন্দ্র মহারাজদা নত্রপা ব্রিটিশ সরকারদা লম অসি সাথগী থাজনা থব পীগদবান হায়রম্মী[৪৩] কছাড়গী নিংথৌনা বাকম অসিদা য়ানিংবা পোক্রমদে অদুগা এজেন্টনা হায়বা অদুগুমা গম্ভীরসিংহগী খুৎলাই থমকম য়ুম অমা শাবত মাগী লমদদি য়ানিংলমদে। তোইঙ্গবসুং মহারাজ অসিনা ব্রিটিশ সরকারদা চহী ১৫ গী থইনা লম মচেৎ থয়া শান্দোকপদি য়াররম্মী। অদুগা দরকার লৈরবদি হায়'রবা লম অসি চহী ১৫ গী মতুংদা অমুক্না হন্না শান্দোক্কনি হায়না য়াররম্মী[৪৪]।

লম মচেৎ অসি ক'লবা মতু' থর লৈবগা গম্ভীরসিংহনা চন্দ্রপুরদা পুলিসকী কাংবু অমা থম্মী অদুগা ম'সগী থানাদারবু নক্না লৈবা লমদা খুৎ থিংজিনবা য়াগনি হায়না ইন'শল্লম্মী[৪৫]। গম্ভীরসিংহনা কছাড়গী মফংগী ওইবা রাজনীতিগী বাকমদসু খুৎ থিংজিনবা হৌরম্মী। থৌদোক অসিনা

(৩৯) মথক্কী য়াওকম অ'সগী লমাই ৭৫ দা।
(৪০) মথক্কী য়াওকম অসিমক্তদা।
(৪১) সিক্রেট কনসলটেসন, ৩০ মে, ১৮২৯ মশিং ১।
(৪২) মথক্কী য়াওকম অসিদা।
(৪৩) মথক্কী য়াওকম অসিগী মশিং ৬।
(৪৪) সিক্রেট কনসলটেসন ৩১ জুলাই ১৮২৯, মশিং ৬২।
(৪৫) [illegible] ঐচং কে: মথক্কী লাইরিক্কী লমাই ৫৬।

গভর্ণর জেনেরেলগী এজেন্টতু য়ায়া শাওরম্মী। মরম্মাই ওইবা চিঠি অমদা অশিগুবা থবক অসি তৌগনু হায়রম্মী। তৌইগুবমতুং মহাক্না ইবা চিঠি অতুগী মরমদা মণিপুরগী নিংথৌনা থোইদোকপা বা শুইনা থজমদে[৪৬]।

মতম অসিদা গোবিন্দচন্দ্রগী মথক্তা মহাক্কী মতম কুইনগী য়েক্লবা ওইরবা তুলারামনা লান হৌগদবগী থুদোং চাবা ভাইতুনা লৈরম্মী। গোবিন্দচন্দ্র অমতুং তুলারামগী মরি অসি অহানবদদি চায়রম্মী। অদুবু মমৈথংদদি তুলারামনা গোবিন্দচন্দ্রগী মীচং থাদোক্লগা অবাং কাছাড়দা লৈবা মপাগী মনাক্তা য়াওথিরম্মী। তুলারামগী অর্জীদা হায়রিবনা গোবিন্দচন্দ্রনা মহাক্কী মপা অমদি মথুরাবু হাৎখি অতুগা মহাক্কী মীওই থরবুসু কায়গা জেলদা থমখি অসিনি[৪৭]। মাসদম্তু নত্তনা কছাড়গী নিংথৌনা মহাকপু (তুল'রাম) মীনাইয়বীগী মচা হায়দুনা চৈরম্মী[৪৮]। অমরোমদা তুলারামনা মহাক্কী মথুরানা পোকপা গোবিন্দরাম অমদি দুর্গাচরনগা লোইননা কছাড়গী নিংথৌবু য়ায়া অবাবা পীরম্মী[৪৯]। গম্ভীরসিংহ অমদি তুলারামগা মতম অমত্তদা য়েক্লবা অসিনা গোবিন্দচন্দ্রগী ক্বিত্তম আস ময়া চেৎলমদে। অবাবা অসি অমুক্না হেন্নবা গোবিন্দচন্দ্রনা প্রজাবু ওৎ নৈবা শাসন অমা হৌদোরক্লম্মী। অনৌবা শাসন অসিগী মথাদা কছাড়গী প্রজা অমাম্বা থবক্তগী লোথোক্লম্মী। অদুগা মথা থংক বঙ্গালগী ওকিসার অমাম্বা পুরক্লুনা কছাড়গী লৈবাক ডাকহল্লম্মী। নিংবা কায়রদুনা কছাড়ীশিং অদুনা জয়নতিয়া, কুমিল্লা অমদি ত্রিপুরা তাম্না চেনখিরম্মী অদুগা তুলারামগী মীচংদা য়াওথিরম্মী[৫০]।

খৃঃ ১৮৩০ গী এপ্রিলগী তাং ২৪ দা গোবিন্দচন্দ্র অসি মাগী কোহুমা হাৎখিরম্মী[৫১]। হৌথিবা অহিংগী হুমিদাংবাইদা মণিপুরী [illegible] অমা লাক্লগা গোবিন্দচন্দ্রগী মীনাইশিংগা তায়দুনা কোহুং মতুং চংলম্মী অদুগা গোবিন্দচন্দ্র অমদি মহাক্কী ইমুং মতুংগী মীওই কয়াস্থ হাৎলম্মী অদুগা কোহুং কাওবা দৈ থারম্মী। পাও অসি হেক কংবগা শিলচকী মেজিস্ট্রেট মিঃ [illegible] কছাড়দা

(৪৬) মথক্কী য়াওফম অসিদা।

(৪৭) সিক্রেট কনসলটেসন, ৩০ মে, ১৮২৯ মশিং ২—৩।

(৪৮) বয়পুজারি, ঐচঃ কেঃ মথক্কী লাইরিক্কী লমাই ৭৬।

(৪৯) সিক্রেট কনসলটেসন, ৩০ মে, ১৮২৯, মশিং ৪—৫।

(৫০) পোলিটিকেল কনসলটেসন, ২০ অক্টোবর, ১৮৩০ মশিং ৩৫ এ—৩৪ মিঃ কিসরুলা স্কোটতা ইবা, সেপ্তেম্বর ২০, ১৮৩০

(৫১) বয়পুজ ঐচঃ কেঃ মথক্কী লাইরিক্কী লমাই ৮২ দা

সিকাই কাংবু অমা থুবা থাখিরম্মী। মাদুম অসি থবলা সরকারনা পাও পীখি-রম্মী। পাও অসি ফংবগা সরকারনা মতম অদুদা শিলচরা লম ওনবগী থবক তৌদুনা লৈবা লেপ্টেনেন্ট ফিসরবু মেজিষ্ট্রেট অমদি কলেক্টরগী পম্বাম পীরগা মতম থরগীদমক কছাড়গী চার্জ পুনবা শিন্নরম্মী[৫২]।

কছাড়গী নিংথৌ হাংপা অ'সু গম্ভীরসিংহ মহারাজনা ইনশিন্দুনা হাংপনি হায়দুনা য়ায়া কয়া চিংনরম্মী। তুলারামসু তুমিমা গোবিন্দচন্দ্রবু হাংপদা য়াও-রমগনি হায়না থাজনৈ[৫৩]। ব্রিটিশ সরকারগী মহুৎ শিনবা ওইদুনা লৈবা গোবিন্দচন্দ্রগী কোর্ট শা লৈবা রাম গোবিন্দ হায়বা অমনা গোবিন্দচন্দ্রবু হাংদনবা শিজি হায়না চিংনরম্মী[৫৪]। কৃপারাম ব্রাহ্মণ কাছাড়ীনা পীবা সাক্ষ্য[৫৫] অসুম্না হায়রি মহুদি মহাক্না মণিপুরী ৩০ মুক লৈথব্রবা মহারাজ অসিগী 'লোংমৈ অমসুং থাং' পুদুনা চৎপা অদুগা লুচিংবশিং অদুগী মরক্তগী অমগী মখক্তা গোবিন্দচন্দ্রগী 'সনাগী লিক পরেং' শিন্দুনা চৎপা উই হায়রি। মহাক্না অমুকসু হায়রি মহুদি সন্তাবা হায়বা মমিং নামা তাংবা গম্ভীরসিংহগী প্রজা অমনা মথাংইদা কৈথিবা মলোম অমগীদমক গোবিন্দ চন্দ্রবু থাংনা য়াখুনা হাংপনি[৫৬]। মীহাৎপা অসিদা য়াওরুবা মীশিংনা পীবা সাক্ষিনা হায়রবনা গম্ভীরসিংহনা মহাক্কী মী কছাড় তায়া থাদুনা গোবিন্দচন্দ্রবু হাংপ'ন অসিনি[৫৭]। অতোপ্পা শাক্ষিনা হায়রবনা মপান্দগী লাকপা খুংলাই পায়বা মী কাংলুপ অমনা গোবিন্দচন্দ্রগী থবক তৌদুনা লৈবা সিক্কাই থরনা মতেং পাংলগা কোক্লুং মখুংদা চংদুনা গোবিন্দচন্দ্রবু হাংথিবনি হায়রি। লেপ্টেনেন্ট ফিসরনা থোদোক অসিগী মরমদা নিংথিনা থিজিল্লগা অসুম্না হায়রি মহুদ হায়না থাজরম্বা। মাদুম গোবিন্দচন্দ্র অসি গম্ভীরসিংহনা ইনশিন্দুনা হাংপনি হায়বসিবুদি ইমুং মখুংগী মেংথনবা থোদোকশিংদগী মহারাজ অসিবু হাংথিবনি হায়না মত্ত পীয়। কছাড়গী নিংথৌ অসি হাংথিবা মতম অসিদা কছাড়ী কয়ামকয়া মহাক্কী থবক তৌদুনা লৈরম্মবসু গোবিন্দচন্দ্র হাংপদা মথোয় য়াওই হায়বগী প্রমাণদি

(৫২) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ১৮ জুন, ১৮৩০, মশিং ৫৩।

(৫৩) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২৯ ওক্টোবর ১৮৩০ মশিং ৩৫ এ—৩৫ সি।

(৫৪) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৪ জুন ১৮৩০, মশিং ২৯—৩১।

(৫৫) মথক্কী মাওফম অসিদা।

(৫৬) মথক্কী মাওফম অসিদা।

(৫৭) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ১৮ জুন ১৮৩০, মশিং ৫৪।

কংলে[৫৮]। কিসরনা অমুক্তা হায়রিবনা গম্ভীরসিংহনা মী থাক্নুনা নক্রগা মহাক্কী মাথংনা কছাড়গী নিংথৌ হাংপনি হায়দুনা থম্মবসু মহারাজ অসিগী ইথুং মচুংদা থবক তৌদুনা লৈবা মক ওইবা কছাড়ী প্রজা পরগী মতেংদি লোইদনা মাওরমগনি অসিনি। গোবিন্দচন্দ্র হাংপসি গম্ভীরসিংহগী মপুং ওইবা শকক মাওংনা থোইদোক্লা মরুওইদবা কাংলুপকী মীশিংনা ভাররগা হাংলমনু মাই[৫৯]। অদুম ওইনমক অফংবা শাক্তি ময়ামদু নিংথিনা য়েংশিল্লগা কংলিবা থাকয়া তাক্লিবা কছাড়গী নিংথৌ হাংপা অসিদা গম্ভীরসিংহগী থুংথরু মথৌদি মাওরে অসিনি। বাঙ্গালা সরকারনা অস্তুম্না ইরম্মী মতুদি গম্ভীরসিংহনা গোবিন্দচন্দ্র হাংনবগী মতাংদা ইনশিনখিবা অদুগী প্রমাণ্দি য়ায়া কনখে[৬০]। অদুগুম্না গম্ভীরসিংহদা মরাল পীবা মতমসিদা সরকার অসিনা গম্ভীরসিংহ অমসুং গোবিন্দচন্দ্র অনিগী অভৎপা লৈতনা থংনবগী মতাংদা পন্দুনা হায়রম্মী। অদুগা থোকোক অসি থোকদবা থা মথাযমুক্তা ভায়রবা কান্দা গম্ভীরসিংহনা তুলারামগা তায়রগা কছাড় লোগে হোংনরবা অদুগী মাইয়োক্তা মতেং পাংথিয়ু হায়দুনা গভর্ণর জেনেরেলগী এজেন্ট ত্রা হায়জখিবনচিংবা অদু পন্দুনা হায়রম্মী। মরম অদুনা এজেন্ট অসিনা গম্ভীরসিংহদা গোবিন্দচন্দ্র হাংলিবসিগী মতাংদা মক্তোন্দা পীরিবা মরালশিং অসিগী মরমদা মহাক লান্দে হায়বদু উৎলু হায়রম্মী অদুগা মীহাংপা অসিদা য়াওই হায়দুনা চিংনরিবা হীরানন্দ, সন্তাবা অমদি অতোপ্পা মীওইশিং পীরকউ হায়রম্মী[৬১]। অদুম, ওইনমক করিগুম্ব গম্ভীরসিংহনা শিলটতা লাকপা থোক্লবদি মাবু ফাগে হায়না হোংনবা অদুদা সরকারনা য়ারমদে। মরমদি মহাকমক্লা তৌবনি হায়বগী প্রমান ফংদনা চুম্বগী চিংনবতদা মরাল পীশিল্লগা মহাকপু ব্রিটিশকী লমদা লাকপা মতমদা ফাবা তাররদি মরুপ ওইবগী থাজবা অদু থুগাইবতা নত্তনা বিশ্বাসঘাটক তৌবা তাগনি[৬২]।

কছাড়গী নিংথৌ পাক্লবা লৈবাক অদুদা মপু ওইগে হায়দুনা মীওই কয়ামকম্না চোংথোরক্লম্মী। গম্ভীরসিংহনা বঙ্গালা সরকারদা চহীদা থাজনা লুপা ১৫,০০০[৬৩] পীদুনা চহী ২০ শাঙ্গগে হায়না হায়জরম্মী। কেপ্তেন গ্রাণ্টনা গম্ভীরসিংহগী থাকৎ অদু সপোর্ট তৌরম্মী। মহাক্লা থজবনা কছাড় অসি মণিপুরদা

(৫৮) পোলিটিকেল কন্‌সলটেসন্স, ২৯ ওক্টবর ১৮৩০, মশিং ৩৫ এ—৩৫ সি।
(৫৯) মথক্কী য়াওকম অসিদ।।
(৬০) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ১৮ জুন ১৮৩০, মশিং ৫৪।
(৬১) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২০ জুন ১৮৩০, মশিং ৫৫।
(৬২) মথক্কী য়াওকম অসিগী মশিং ৫৬ দা।
(৬৩) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২২ মে, ১৮৩৩ মশিং ১১১—১১১।

পীখোক্লবদি অচৌবা লৈবাক অমা শেম্বা য়াগনি অদুগা অসুম্বা তৌরবদি নোর্থ ইষ্টর্ণ ফ্রোন্টিয়ার অসি মরা চেৎনা থম্বা য়াগনি হায়রিবনি। করিগুম্বা কছাড় অসি মণিপুরদা পীখোক্লবদি মতম অমুক কুইবা কাওবা লান তৌনহুনা লৈবা কছাড় অমদি মণিপুরগী মী কাংলুপ অনি অসি অমথক্তা ওইখিনবগী থুদোং চাবা অদু ফংগনি হায়না গ্রান্টনা খল্লম্মী। অদুবু কছাড় অমসুং মণিপুর লৈবাক অনি অসিগী মরক্তা চীংগী চীংলোন কয়া অমদি অরুবা তুরেল কয়া অদুগা থোইদোক হেন্দোক্লা লৈবাক অনি অসিদা তোঙান তোঙানবা লোন লোনবা মীওই কাংবু অনিমা থুম্মাহুনা লৈবা মরম্মা কেপ্টেন জেমকিন্স অমদি লেপ্টেনেন্ট পেম্বরটন্না গ্রান্টকী মত্ত অসি য়াখিদে। মরম অদুনা গম্ভীরসিংহনা কছাড লৌজরগে হায়রিবা বাকয় অসিদা বাঙলা সরকারনা জেনকিন্স অমদি পেম্বরটনগী বাকয় অদু য়াদ্রম্মী। অসিগুম্ নত্তনা লৈখিদ্রবা মহারাজ অসিগী থৌদোক্কী মরমদা চৎথরকপা য়ারমশিং অদু ফংলবা মতুংদা অসুম্বা খল্লম্মী মদুদি গম্ভীরসিংহ মখামক্তা ইনশিনগা হাৎপনি হায়না চিংনরিবা গোবিন্দচন্দ্র হাৎপগী থৌদোক অসিগী মতুংদা কছাড়বু গম্ভীর সিংহদা পীথোকপা য়াম্বসি অশিংবা বাকয় নত্তে। মরম অদুনা কছাড অসি খৃঃ ১৮৩২ গী আগষ্ট তাং ১৪ দা ব্রিটিশ সরকারনা লৌশিনম্মী।

গম্ভীরসিংহ মহারাজদা কছাড পুম্নমক পীথোকপা য়াদ্রবদু বরাক তুরেলগী মখা অনিগী মরক্তা লৈবা অংদি জীরি তুরেলগী নোংপোক্তা লৈবা লম, হায়রিবা লম অসিদা গম্ভীরসিংহগী দখল ওইদুনা লৈরবা লম, অসি কাওবদি মঙোন্দা পীথুংসি হায়না লেপ্টেনেন্ট পেম্বরটন্না খল্লম্মী। অদুম ওইনমক গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলনা জেনকিন্সকী মাইয়োক্তা কছাড় অসি মণিপুরদা পীখিবা অসি চিংনরম্মী। মরম অদুনা কাউন্সিলনা লম অদুদা লৈবা মীওইশিংদগী অকুপ্পা মরোল থংবা পারম্মী। পাম্নবা পাও অদু ফংলবা মতুংদা অমদি গ্রান্ট অমদি পেম্বরটন্না পীরকপা মত্ত অদুদা য়ানি'লদুনা বাঙলা সরকারনা মমৈথংদা জীরিগী লম অসি গম্ভীরসিংহদা পীগে হায়না য়ারম্মী। খৃঃ ১৮৩২ গী নবেম্বর তাং ৫ দা মখাদা পীরিবা য়াম্বশিং অসিগী মতুং ইন্না লম অসি গম্ভীরসিংহদা পীবা হায়না লেপ্পরম্মী মদুদি "(১) থীম্মনমক চন্দ্রপুরদা লৈরিবা মহাক্কী থাম্না অসি লৌথোক-কদবনি; (২) মণিপুর অমসুং কছাড়গী মরক্তা ললোনবা মতমদা মহাক্না থাজনা য়ায়া লৌশিন্দুনা ললোনবা থিংনবা হোৎনরোইদবনি। (৩) মঙোন্দা পীথোক্লবা লম অসিগী চীংবা থুম্মাহুনা লৈবা নাগাশিংনা কম্পাক্তা ললোন ইত্তিক তৌনবা চংথোক চংশিন তৌবদা থিংলোইদবনি; (৪) জীরিদগীনা মণিপুর তাবা কাওবগী

লমীদা চহী চুপদা খল গাড়ী চৎপা য়ানবা মহাক্না শেমগৎবনি ; (৫) মতম পুন্নমক্তা মহাক্না মহাকী মণিপুর লেভীগী সিকাই থরা অদুগা মুদি অমদি পোং পুরশিংনা মথোয়গী মতেং পাক্লবা মতমদা ব্রিটিশ সরকারদা মতেং অদু পীগদবনি"৬৪।

কবো তম্পাকী য়াকম :

কবো তম্পাক হায়রিবা অসি মণিপুর তম্পাকী নোংপোক থংবা চীং অমদি নিংখি তুরেলগী মরক্তা লৈবা লৈতেম য়ামবা অচপ্পা লম মচেৎ অমুনি। লম অসিগী পাক চাওবসি স্কার মাইল ৭,০০০ মুক্তি। "কবো হায়রিবা য়াহৈ অসি" পেম্বরটনা ইরি, "মণিপুরগী মীশিংনা সানশিংবু থংনবতা নক্তনা নিংখি তুরেলগী অথাংগী তোর্বান্দা তারিবা জাতি ময়াম অদুগা নাওজিরি চীংশাং কাওবা শন্দোকখিবা লম অতদা তাবা মণিপুরীশিংনা মৈতৈ কবো অদুগা বর্মীজশিংনা কথেসান হায়না কৌবা লম অমদি নাওজিরি চীংগী নোংপোকথংবা চীংখোং কাওবা শন্দোক্না লৈবা সানশিং অমাদ ইরাবাদি তুরেলগী য়েৎথংবা তোর্বান্দা তারিবা অমা কবো নত্রগা ম্রেলাপসামগী লম অসিবু কবো তম্পাক কৌই"৬৫। তম্পাক অসি সমজোক, থম্বাৎ অমদি কলে হায়বা ডিবিজন অহুম খোক্না থায়দোকই। লম অসিদা ফংবা মমল য়াম্বা চীংগ উগী কামবা অদুত্ত্র নক্তনা মণিপুর অমশুং বর্মাগী নিংথৌশিংনা মথোয়গী সিমানাগী মরা চেৎপা পুরক-নবগীদমক লম অসি তায়রম্মী। মরম অদুনা অহানবা ব্রিটিশকা বর্মাগগী ল্যান (১৮২৪—২৬) হেক লোইবদগী মাইকৈ অসোমদা লম থোপাচনবগী থংনা চৈনবা অসি মথং মথং হোয়রক্কম্মী। লৈবাক অনি অসিগী মরক্তা য়াম্না নিংথিনা য়াৎলবা ভমথৈ অমা দরকার ওইরে হায়বসি কাংলুপ অনিমক্তী মীওইশিংনা খয়রম্মী। য়ান্দাবুগী সন্ধী হেক লোইবগা বাঙলা সরকারনা থৎনরিবা অসি তাইশিনবা হোৎনরম্মী। মশেংনমক হায়রিবা সন্ধী অসিদা মণিপুর অমশুং বর্মাগী মরক্তা সিমাদা অমা য়াৎনবগী করিগুম্বা য়াকম অমত্তা পয়মদে। অদুবু মণিপুরগী মমাংতৈগী লম অমদি সিমানাশিং অদুনা গম্ভীরসিংহনা পাক্লবা মণিপুরগী ভমথৈ ওইগদবনি হায়দুনা বাঙলা সরকারনা খয়রম্মী। বর্মা অমশুং ব্রিটিশ ইন্দিয়াগী

(৬৪) বরপুজারি ; ঐ: কে: না মহাকী লাইরিক আসাম ইন দি দেজ অফ দি কম্প্যানিগী লমাই ৪৫ দা লোথোক্লিবা অদুমক্তি।

(৬৫) পেম্বরটন, আর্ বি: কেওেন, রিপোর্ট অন দি ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার অফ ব্রিটিশ ইন্দিয়া, লমাই ১১৬।

মরক্তা মনিং মখা কা লৈবাক অমা শেমগত্তুনা খরা হায়বসি ব্রিটিশকী মাইকৈ য়োমলগী য়াম্না, দরকার ওইরম্মী। বাকম অসিদগী সমজেক অমদি খয়াংকী তম্পাক অসি নিংথি তুরেল কাওবা য়ৌনা খৃঃ ১৮২৬ কী এপ্রিল থাদা মণিপুরদা পীরম্মী[৬৬] অদুগা নিংথি তুরেলনা মণিপুর অমসুং বর্ম্মাগী ওয়েথৈনি হায়না লেপ্পম্মী[৬৭]।

বান্দাবু সন্ধী হেক লোইবগা বর্ম্মীজশিংনা নিংথি তুরেল লাম্হোক্লগা মণিপুর তম্পাক্তা চংশিন্নবা হোৎনরম্মী। অমুক হন্না য়েংথিনবা হোবগী মহৎতা সিমানাগী বাকম অসি ব্রিটিশ সরকারগী অচুম্বা বারেপ্তা লেপ্পনা করে হায়দুনা গম্ভীরসিংহনা থল্লম্মী। বাকম অসিদগী সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা বর্ম্মা অমসুং মণিপুরগী মরক্তা অচুম্বা সিমানা অমা য়াৎনবগী অহা অহু লৌগে হায়দুনা চোংথোরক্লম্মী। বির্ম্মীজশিংনদি সিমানা য়াংপগী মতাং অসিদা ব্রিটিশতা মতেং পীরমদে। ব্রিটিশনা হোৎনখিবা থৌরাং ময়াম অহু মহৈ য়ানবা ঙমিদ্রে। সিমানাগী থৎনরিবা অসিগী তাইশিন্নবা ওইনা বাঙলা সরকারনা কেপ্তেন গ্রাণ্ট অমদি পেম্বরটনবু খৃঃ ১৮২৮ গী অঙনবা মতমদা কম্মিসনার ওইনা থল্লম্মী। হায়রিবা চহী অসিমক্তদা বর্ম্মীজ কম্মিসনারগা ব্রিটিশ কম্মিসনারগা নিংথি তুরেলগী তোর্ব্বান্দা উনরম্মী তোইগুমসু নোংজু থা চংলকপনা হানথিদুনা কাংবু অনি অসিমক্তা মথংগী চহিদা উনরসি হায়না য়ানরম্মী।

মতাং অসিদা বর্ম্মীজসিংনা নিংথি তুরেল অসি থেন্দউইন (চীন্দউইন) তুরেল নত্তে হায়দুনা হায়রম্মী[৬৮]। তুরেল অসিদি কবো তম্পাক্তী নোংচুপ্তা চেনবা তুরেলনি হায়দুনা সেরাম্নন হায়রম্মী। বাকম অসিগী প্রমান ওইনা কলিকটাদা মেপ অমা থারম্মী। অদুগা মেপ অদুদা নিংথি অমদি চীন্দউইন অসি তোঙান তোঙানবা তুরেল অনিনি হায়না উৎলম্মী। কলিকটাদা লৈবা মীওইনা মেপ অহু মণিপুরদা লৈবা ব্রিটিশ কম্মিসনারশিংদা থাদরক্লম্মী অদুগা মদুদা নিংথি তুরেলনি হায়দুনা উৎলিবা অহু লৈবরা হায়না হংলম্মী। গ্রাণ্টকা পেম্বরটনগনা বর্ম্মীজশিংগী নমথাক অহু ফারম্মী অদুগা মথোয়না ব্রিটিশ সরকারদা পীথৎখিবা রিপোর্ট অদুগী কোপি অমা বর্ম্মাদা লৈবা রেসিডেন্সিদা থাখিরম্মী[৬৯]।

---

(৬৬) ইবুংঙোহল সিংহ লাইরেন্ময়ুম, এন ইন্ত্রডক্সন টু মণিপুর লমাই ১০৭।
(৬৭) মেকেঞ্জী। আলেকজেণ্ডর, নোর্থ ইষ্ট ফ্রোণ্টিয়ার ওফ বেঙ্গোল, লমাই ১৭৬।
(৬৮) মথক্তা য়াওখ্রম অসিমক্তদা।
(৬৯) জলজীৎ সিংহ রাজকুমার, এ সোর্ট হিস্ত্রি ওফ মণিপুরগী লমাই ২৮৫।

ব্রিটিশ কম্মিসনারশিংনা বর্মাগী কম্মিসনারশিংগা উনবা অদু খৃঃ ১৮২৭ গী হোৌগংলকপা মতমদা লেপ্রম্মী। অদুবু বর্মীজগী কম্মিসনার অমত্তু লাকখিদে। সুপ্রিম গভর্ণমেন্টনদি কবো তম্পাক হায়রিবা লম্ অসি গম্ভীরসিংহদা পীনিংলম্মী। মরম অদুনা গ্রান্ট অমদি পেম্বরটনবু নিংথি তুরেলগী তোর্বান ফাওবা চংনবা হায়রম্মী। বাকম অসিনা বর্মীজগা ব্রিটিশ কম্মিসনারগা খৃঃ ১৮৩০ গী জনুয়ারী থাদা উননবা পাও থাখিরম্মী। হন্নক্তী করিগুম্বা বর্মীজশিংনা লাক্তবা থোক্লবাদ সিমানা অসি মথোয় মাওঙ্গবত্ত মতম পুন্নমক্কী ওইনা অদুমক য়াংথগনি হায়নস্ত্র থংকনখ্রে।

হায়নখিবগী মতুং ইন্না বর্মাদা লৈবা ব্রিটিশকী রেসিডেন্ট মেজোর বর্নিগা লোইননা বর্মীজ কম্মিসনারশিং অদু খৃঃ ১৮৩০ গী জানুয়ারী থাদা নিংথি তুরেলগী তোর্বান্দ ব্রিটিশ কম্মিসনারশিংগা উনরম্মী। গম্ভীরসিংহনা হৌখিবা লান অদুদা কবো তম্পাক অসি জয় তৌথ হায়রবসি বর্মীজশিংনা য়ারমদে: গ্রান্ট অমদি পেম্বরটন্না য়াংলিবা সিমানা অসিস্থু য়ারমদে[৭০]। মথোয়না হায়রিবদি, কবো তম্পাকী বাকম অসি অহানবা বর্মাগী লানগী এক্সপিডিসনগী কম্যান্দর ওইরম্ব. সারঃ এঃ কেম্পবেলগা থম্নরিডৈদা মণিপুর শংনা তুমিন্না তম্পাক অসিদা চঙলকখি হায়রি। গ্রান্ট অমস্থুং পেম্বরটন্না মথোয়না হায়রিবা বাকম অসি য়ারমদে অদুগা তম্পাক অসি গম্ভীরসিংহদা পীকম থোকই হায়দুনা হায়রম্মী। তম্পাক অসি মতম খুদিংমক্তা মণিপুরগী ওইদুনতা লাকই অদুগা চৌরজিৎ মহারাজনা পানবা মতমদা (খৃঃ ১৮০০-১৮১৩) তম্পাক অসি মণিপুরগী ওইরি হায়দুনা হায়রম্মী। অমরোমদা বর্মীজশিংনা কবো তম্পাকী খথাং অমদি সমজোক ডবিজনশিং অসি চহী ১৩০০ গী মমাংদগী মথোয়গী ওইরকই হায়দুনা হায়রম্মী। অরিবা যুগতা তম্পাক অসি মণিপুরগী ওইরম্মী হায়বসি মথোয়না য়ারমদে অদুগা হৌখিবা লান মতুংদা চুম অসি চৌরজিৎ মহারাজগী মথাদা লৈরম্মী হায়বসিস্থু য়ারমদে। য়াম্নাবু সন্ধীগী মমাংদা মণিপুরিশিংনা সমজোক অমদি খম্বাংনচিংবা জয় তৌরম্মী হায়বসিস্থু য়ারমদে। মথোয়না হায়রিবা অসিগী অদুম্বা মরমদি অহানবা ব্রিটিশনা ব্রর্মাগা লান তৌন্রিডৈগী মমাংগী চহী ১১—১২ রোমদি তম্পাক অসি মণিপুরগী মথাদা লৈরমদ্রে হায়বা অসিনি[৭১]। মথোয়না হায়রিবা বাকম অসিগী প্রমান ওইনা

(৭০) সিক্রেট কনসলটেসন, ৩০ এপ্রিল, ১৮৩০, মশিং ৩—৪।
(৭১) সিক্রেট কনসলটেসন, ১৯ নবেম্বর, ১৮৩০, মশিং ২—৯৯।

কুমাংহহান হায়বা পেগোদা সুংদা হকচুনা ইবা অরিবা প্রমান অমা পুখোরকখি মণিনা তাক্লিবদি বর্মীজগী চহী ১০২২ নঙ্গা খৃঃ ১৬৫০ দা সমজোক অসি অবাগী মখা পোল্লে হায়না পীরি অতুগা অবাং থংবা বর্মাগী মনিং মখা ওমা পোং নিংথৌ (মতিক মথৌনা লৈবা সানগী লৈবাক) গী মপা মপুশিংনা খেম্বউইন তুরেলগী নোংপোক খংবদা লৈরিবা লম অদু মণিপুরদা পীখি হায়বসি য়ারমদে। করম্বা চহীদা, করম্বা তারিখতা চুম্‌, খম্বাংনচিংবা অসি মণিপুরগী লম ওইখিবগে হায়বা প্রমান পুখোরকউ হায়রম্মী[12]।

ব্রিটিশ কম্মিসনারশিংনা বর্মানা হায়রিবসি য়ারমদে অতুগা কবো তম্পাক অসিদি মণিপুরগী ওইদুনা লাক্লবনি হায়দুনা মণিপুরগী পুয়াদগী অষ্টবা প্রমান পুখোরক্লম্মী অতুগা পোংগী নিংথৌ খিখোম্বনা মণিপুরগী নিংথৌ ক্যাম্বা (১৪৬৭—১৫০৮) গা লম অনি অসিগী মরক্তী সিমানা য়াংসি হায়দুনা য়ানবা মতমদা কবো তম্পাক অসি মণিপুরদা পীখি[13]। মখোয়না বর্মীজগী কম্মিসনারগী মমাংদা লাটারক অমা পুখোক্লম্মী মতুদা (১) পোংগী নিংথৌ অসি চহী ৪০০ গী মমাংদা অবাগী মখা পোল্লমদে, (২) সমজোক অমদি খম্বাং অসি পোংগী মখাদা লৈরমদে অতুগা (৩) পোংগী নিংথৌনা ক্যাম্বা মহারাজদা নিংথি তুরেলগী নোংপোকথংবা শরক্তা লৈবা নাওজার অমদি মুয়ালোং চীংশাংনা কাল্লবা লমময়াম অসি পীখোকখিবনি হায়না উংলি[14]।

কম্মিসনার অনি অসিনা কবো তম্পাক অসি তৌখিবা লান অতুগী মমাংগী চহী ১২ মুক্তি বর্মাগী ওইরম্মী হায়বসি য়ারম্মী। তম্পাক অসি বর্মাগী ওই থরুগী মরমদি মারজীৎ মহারাজনা ময়াম্বুং চৌরজিৎকী মথক্তা লান তাবগী মতাংদা বর্মানা মতেং পাংথিখিবগী পীগে হায়রুবগীনি। অম্মুয়া মতম কুইনা মণিপুরগী ওইদুনা লৈরম্বা কবো তম্পাক অসি বর্মানা খোপচিনাখবনি। মসিদি বর্মানা তেংবাংখিবা অতুগীদমক্তা মারজীৎনা পীখিবনি[15]। মরম অতুনা মখোয়না বর্মীজ কম্মিসনারশিংদা হায়রম্মী মতুদি কবো তম্পাক অসি মণিপুরগী হায়া ওইরম্বা অমদি হৌখিবা লাম্দা তম্পাক অসিবু মণিপুরনা হস্তিনখিবা য়াকম অনি অসিদা খম্নকম খোকই অতুগা নিংথি তুরেল অসিনা মণিপুর অমসুং বর্মাগী ডমৈথ ওইগ-দবনি হায়রম্মী[16]। গ্রাণ্ট অমসুং পেম্বরটন্না য়াম্দাবুগী সঙ্গী তৌত্রিডৈগী মমাংদা

(১২) সিক্রেট কনসলটেসন্স, ৩০ এপ্রিল, ১৮৩০, মশিং ৩—৪।
(১৩) মথক্তী য়াওফম অসিদা।
(১৪) মথক্তী য়াওফম অসিদা।
(১৫) সিক্রেট প্রোসিডিংস, ১৯ মার্চ, ১৮৩০, মশিং ১।
(১৬) সিক্রেট কনসলটেসন্স, ৩০ এপ্রিল ১৮৩০, মশিং ৩—৪।

কবো তম্পাক অসি গম্ভীরসিংহ মহারাজনা লম তৌই হায়বগি অচুবনি মরমদি তুমু লৌবা মতমদা মখোয় অনিমক থাওখি হায়রি। মখোয়গী থাকম অহুনী শৌগৎপা ওইনা বর্মাগী লানগী নম্বা লাইরিক অনিথক পুখোয়রম্মী অমনা খৃঃ ১৮২৬ কী জনুয়ারীগী তাং ২৩ দা তুমুগী ইবনি অকুপা অমনা খৃঃ ১৮২৬ কী ফেব্রুয়ারি তাং ৩ দা মোনফু হায়বা নিংথি তুরেলগী নোংচুপ থংবা তোর্বান্দা লৈবা লম অহুনা ইবনি[৭৭]।

বর্মাগী কমিসনারশিংনা ব্রিটিশকী কমিসনারনা হায়রিবা বা অসিদা নিংথিনা তারমদে। মরম অহুনা মেজোর বর্নিনা পেম্বরটনবু বর্মাদা বর্মাগী মন্ত্রিগা বা ঙাংননবা কৌরম্মী। বর্মা য়ৌরগা পেম্বরটন্না কবো তম্পাক অসি গম্ভীরসিংহগী ওইকম থোকই হায়বা অসি হায়ননবা অমদি থাজহনবা হোৎনবা অদু ওইখোক্লে হায়বা থংলম্মী[৭৮]। মেজোর বর্নিনা বর্মাগী মন্ত্রিদা হায়রম্মী মতুংদি কেপ্তেন পেম্বরটন্না বর্মাদা লাকইবা অসি ব্রিটিশ সরকারনা কবো তম্পাকী থাকম অসি তাইশিন্নবা পাম্মী হায়বা তাক্লিবনি। পেম্বরটন্না হান্না লেপথিবা থারমশিং অসি গভর্ণর জেনেরেলগী মবা তায়গা তৌবা ঙাক্তনিনা ওফিসার অসিনা থাকম অসি অমুক হৌদোকপগী মপাঙল লৈত্রে[৭৯]। গম্ভীরসিংহনা তৌরিবা অসিগুম্না বর্মাগী থাকম অসিসু গভর্ণর জেনেরেলগী মমাংদা পুখোকপা ওম্নবদি কবো তম্পাকী থাকম অসি গভর্ণর জেনেরেলনা বর্মাগী মায়মোক্ত থক লেপলক্লোইদবনি হায়না বর্মাগী নিংথৌ অমদি মন্ত্রিশিংনা থাজরম্মী। বর্মাগী মন্ত্রিশিংনা মেজোর বর্নিদা গভর্ণর জেনে-রেলনা গম্ভীরসিংহবু লৌখোক্লগা মারজীৎ সিংহবু মণিপুরগী নিংথৌ ওইহনবা মায়োইত্রা হংলম্মী। মরমদি মারজীৎনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইরবদি কবো তম্পাকী থাকম নিংথিজনা লোইশিন্নবা য়াগনি হায়বত্রা মখোয়গী মতমনি।

বর্মাগী মন্ত্রিশিংদা মেজোর বর্নিনা অতম্না থংহন্নম্মী মতুংদি গভর্ণমেণ্টনা গম্ভীরসিংহগী মীচংদা লেপথবা থাকম অসি লওন্না লৈবা ওখোয়িতিগী মমাক য়ৌথবনিনা থাকম অসি অমুক হন্না থন্নবা মায়রোই। মন্ত্রিশিং অসিনু খেমজিন্নবা ওইনা মহাক হায়রম্মী- মতুংদি কমিশনা বর্মানা কবো তম্পাক অসি মণিপুরদা পীবা য়ারবদি ব্রিটিশ সরকারদা হৌখিবা লানগী বর্মানা লোইশোৎ কারিবা মতুংগী শরুক থম (১৮২৬ কী সন্ধীগী থারাগী মতুংইন্না) ককথংকে হায়না য়ারম্মী।

(৭৭) মথক্কী থাওকম অসিদা।

(৭৮) মথক্কী থাওকম অসিদা।

(৭৯) সিক্রেট কনসলটেসন, ১৯ নবেম্বর, ১৮৩০, নম্বর ৪—৬৬।

হৌজিক হৌদোরক্লিবা বাকম অসি মখিগিশিং অসিনা হরাওনা য়ারম্মী অদুবু বাকম অসি মখোয়গী নিংথৌদা হায়কনবগী মপাঙলদি লৈরমদে। মরমদি বাকম অসিনা মখোয়গী নিংথৌদা য়াম্না শাওহনবা অমা পোকহনগনি হায়বসি মখোয়না খংলম্মী[৮০]। মরমদি বর্মাগী নিংথৌ অসি হৌখিবা লান অদুদা মাং-তাকখিবগী মথাই হুডাই তদুনা লৈরম্মী। লান্দুদা মাংখিবশিং অদুগীদমক মহাক লমন থুমনিংলম্মী। কবো তম্পাকী বাকম অসিদা মহাক থবাই য়াম্না য়াওরম্মী অদুগা ব্রিটিশশিংনা মণিপুরগী মিচং চংবদা মতেংনা মহাক্কী লম কাওবা পীখোক্লিংলে হায়দুনা মথবাই হুডাইতবা কোংদোক্লম্মী। কবো তম্পাক্কী বাকম অসি অমুক্তা হন্না কয়া তকশিনবদি বাকম অসিনা অনৌবা লান অমমুক থোরকপা য়াই হায়না বর্মিনা খল্লম্মী। মহাক্না হায়রম্মী, "ঐখোয়না কবো তম্পাক্কী মরমদা খল্লিবা বাকম অসি বর্মাগী কোর্টতা বর্মাগী নিংথৌনা তশুবা ইংস্তোলমেণ্ট থীননবগী কয়া হোৎনরিউ তাঙ্গা খৃঃ ১৮২৭ তা (হায়রিবা মতম অসিদি কবো তম্পাক্কী বাকম চংখিদ্রিবনি) হায়রমবদি বাকম অসি অদুক য়াম্না য়াবমলোইদবনি। অদুবু গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলনা হৌজিক য়ানরিবা মণিপুরগীদমক্তা মিচং চংলিবা বাকম অসিদি ব্রিটিশ অমসুং বর্মাগী মরক্তা অনৌবা য়ুংখিনবা অমা পোক্লবা য়াই[৮১]"।

মতম অসিদা বর্মাগী ডেপুটেসন অমা কলিকাতাদা চৎলম্মী অদুগা গভর্ণর জেনরেলদা কবো তম্পাক্কী বাকম হায়জনবা ঙাওরম্মী। মরম অদুনা মেজোর বর্নিবু বাকম অসি তাম্নবা য়াওরনবা সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টন কলিকাতাদা কৌরম্মী। বর্মানা থাজনলকপা রিপোর্ট ময়াম অদু নিংখিনা, পারবা মতুংদা কবো তম্পাক্কী বাকম অসি ইরাই লাইনা লৌথোকপা য়াদ্রে হায়না মেজোর বর্নিনা খল্লম্মী। অসিদগী নত্তনা মণিপুরনা বর্মা অমসুং ব্রিটিশকী মরক্তা লৈবা লৈবাক অমা ওইনা রাজনীতিগী মরমদা কয়া য়াম্না কান্নবা হায়বা উত্তনা পেম্বরটনা মরৈ য়েংলা অদু কাওবদা গভর্ণর জেনরেলনা তাখিদ্রে। কবো তম্পাক অসি মণিপুরগীনি হায়না খল্লবস্থ সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনদি বর্নিনা হায়বা অদু লৌথে। বর্মাগা মণিপুরগা য়েংনবদা বর্মানা হেন্না মক ওইবনিনা মণিপুরগী কংকম পোকপা শক্তক অদু থম্মবদা অদুক হাক্না ঙক্না থোক্তে। মরম অদুনা বর্মাগী নিংথৌনা হায়জবা য়াখিদুনা কবো তম্পাক অসি বর্মাদা পীথোকখিগে হায়না খল্লে অদুগা মখিং চীংশাংগী নোংপোক থংবা চীংখা অদুনা মণিপুর অমসুং বর্মাগী ঙমখৈগী পাম্লিবনি

(৮০) সিক্রেট কনসলটেসন, ২১ জনুৱারি, ১৮৩১ ; নম্বর ৬—৮।
(৮১) সিক্রেট কনসলটেসন, ১৯ নবেম্বর ১৮৩০, নম্বর ৪—১১।

হায়না য়াংপা তারম্মী[৮২]। কোর্ট উইলিয়মদগী খৃঃ ১৮৩৩ ফেব্রুয়ারিগী তাং ২৩ তা ইবা লর্ড উইলিয়ম বেনটিঙ্ককী মাইক্লটতা অস্থুম্না হায়রি : "...মখোয়গী অচাওরম কানিংবদা ইকাইবা পীবা ওইনা অমদি মখোয়গী শোম্বরক্লবা মপাঙ্গল য়েংঙ্গুরগা মখোয়দা অসিগুম্বা থৌজাল অমা পীবিবা হায়বসি পুকচেল চাওবা অমদি অশিংবা থবক্নি হায়না থম্বি...... ...অদুগা গম্ভীরসিংহদা তম্পাক অসি মাংবগীদমক ক্ষতিপুরণ পীবা তাবনি[৮৩]।" মেজোর বর্নিব্ বাকম অসি বর্মাগী নিংথৌদা হায়দোক্লবা থারক্লম্মী। "সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা হৌজিক কাওবা নিংথিং তুরেল অসি বর্মা অমস্থং মণিপুরগী মরকী অচুম্ব ঙমথৈনি হায়না লৌরি। অদুবু বর্মাগী নিংথৌগী বাথল অমদি অপাম্বা অদুগা তুংদ ব্রিটিশ অমস্থং বর্মা লৈবাক অনি অসিগী চায়নবা থম্দুনা সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা কবো তম্পাক অসি বর্মাদা পীবা হায়না য়ারে অদুগা য়ুমাতুয়াং চীংশাংগী চীংথোংদা মণিপুর অমস্থং বর্মাগী মরকী শিমানা শেমগদবনি হায়বা য়ারে[৮৪]।"

গ্রাণ্ট অমস্থং পেম্বরটনবু ব্রিটিশ সরকারগী অনিংবা অসি গম্ভীরসিংহ মহারাজদম্থ হায়বিয়ু হায়জনবা থারক্লম্মী। মখোয়না গম্ভীরসিংহদা মরূপ ওইবগী বাকম উত্তুনা হায়জারবা অসি য়াবিনবা অদুগা তম্পাক অসি পীথোকথিবনা মণিপুরগী তুংগী য়াইফবা ওইগনি হায়রম্মী[৮৫]। মখোয়না গম্ভীরসিংহ মহারাজদা থা তঙ্কক তঙ্ককী ওইনা, থাগী হিসাবতা লুপা কোনশেং ৫০০ ক্ষতিপুরণ ওইনা কবো তম্পাক মাংখিবগী পীগনি হায়না সরকারনা হায়বা বাকম অসি হৌদোক্লম্মী। করিগুম্বা কবো তম্পাক অসিনা অমুক হন্না মণিপুরদা হঙ্খিলকপা থোক্লবদি পীরিবা পৈশা অসি থিবা তোক্কদবনি[৮৬]। মতৌ অস্থুম্না জনুয়ারিগী তাং ৯, ১৮৩৪ দা কবো তম্পাক অসি গ্রাণ্ট অমস্থং পেম্বরটন্না বর্মাদা পীথিরম্মী অদুগা হুমিং অত্তুমক্তদা সন্ধী অমস্থ মণিপুর অমস্থং বর্মাগী মরক্তা তৌনখি[৮৭]। কবো তম্পাক পীথোকথিবা হুমিং জনুয়ারি তাং ৯, ১৮৩৪ দা গম্ভীরসিংহ মহারাজ

(৮২) সিক্রেট প্রোসিদিংস, ১৬ এপ্রিল, ১৮৩০, মশিং ৭৭।

(৮৩) সিক্রেট প্রোসিদিংস, ২৯ মার্চ ১৮৩৩, মশিং ১।

(৮৪) মথক্কী য়াওদম অসিগী মশিং ২।

(৮৫) সিক্রেট প্রোসিদিংস, ১১ জুলাই, ১৮৩৩, মশিং ১৪—১৫।

(৮৬) সিক্রেট কনসলটেসন্স, ১০ জনুয়ারি, ১৮৩৪, মশিং ৪—৫।

(৮৭) আইচিসন. ব্রিটিজ অশিনচিংবগী তোলুম ১, লমাই ২২০—২২২, এপেনডিক্স—দি অমস্থং ইদা য়েংউ।

আম মখাই কুডাইতবদগী হাট কেল ওইদুনা নোঙ্গাখি। মরম অদুনা কবো তম্পাক পীথোকখিবগী য়ানখিবা বায়মশিং অদুদি মহাক্কী মহৎ শিন্নকপা মীওইগা তৌনখি।

মথক্তা উৎখিবশিং অসিনা তাক্লিবদি কবো তম্প্যাক অদি মণিপুরগী নিংথৌগী অনিংবা অমদি অপাম্বা য়াওদনা পীথোকখিবনি। মতম অদুগী কম্যান্দর ইনচিক ওইরবা সার ই বর্নসনা কবো তম্পাক বর্মাদা পীথোকপা অসি বর্মাগী অচাওবম কারবা নাপল য়েথেকখিবা অমদি মথাই লোক্লা শাওথুবা অদুবু থেম-জিনবনি হায়না থনববুদি মরূপ ওইরিবা মণিপুরনা অকাইবা পীবনা হেক্তি হায়না হায়রম্মী। য়েক্সববু থেমজিনগে হোৎনরিবা বাএন অসি অশিংবা মত্তে অদুগা মরূপ অমবুদি লাইনা য়েক্সবা ওইহনবগী থৌশিল অমনি হায়না মহাক্না হায়রম্মী। মরম অদুনা সার বর্নসনা গভর্ণমেন্টনা লেপলিবা বারেপ অসি হোংদোকপা কৈ হায়না কম্মা হায়রম্মী[৮৮]। তৌইগুবম্নুং কম্যান্দার ইনচিকনা হায়রিবা বাকয় অসি সরকারনা থওইনা তাখিদ্রে। বর্মাদা কবো তম্পাক পীথোকখিবা অসিনা সিম্নাগী বাথোক কগনি থলবা অমদি অতোপ্পা বর্মাগী লান অমা তৌবগী থিংগনি হায়না খলবা ব্রিটিশ সরকারগী বাখল অদুদি ওইথোকখিদ্রে। বর্মাগী নিংথৌনা মতম মতমদুদা থোরকপা থৌদোকশিং অদুদা পেন্দুনা লৈবা ঙম্মকত্রে। মথোয়না অতোপ্পা লান অমগীদমক শেম শাবা হৌরকখি। বগীদাওনা তাওদুনা মনাও হুপা থরাবাদিনা (১৮৩৭ ৪৫) বর্মাগী নিংথৌ ওইরবা মতুংদা হায়রম্মীঃ "ইংলিসনা ঐগী ইমাবু মাখিবা পীবনি ঐবু মত্তে। য়াম্দাবুগী সক্তী অসি ঐত্তোন্দা য়াদে, মরমদি মসি ঐনা তৌবা নত্তে। রেসিডেন্টপু লনাইগী মীওই অমা ওইনা উনগনি, তৌইগুবম্নুং রেসিডেন্ট ওইনদি কৈদৌঙৈদম্বু উনরোই। ঐদি ইংলণ্ডগী পারকপা নিংথৌগী রাজদূতপু উমগনি হায়বসি মথোয়না কৈদৌঙৈ খংলক্তগে[৮৯]।"

অশেংবমক কবো তম্পাক পীথোকখিবা চহী ১৮ গী মতুংদা নিংথৌ পগানগী (১৮৪৫-৫২) মতমদা অনিশুবা ব্রিটিশ অমসুং বর্মাগী লান তৌখি। সার জেমস জোনষ্টোনা অসুম্না হায়বি: "ঐথোয়গী এজেন্ট কর্ণেল বর্নি হায়বা অমা বর্মাদা লৈরম্মী, মতম থুদিংমক্তা মরূপ ওইত্রবা বর্মীজশিংনা ঐথোয়গী মরূপ মণিপুরগী নিংথৌগী লম কবো তম্পাক অসিদি বর্মাদা পীথোক্লবদি খুদোংথিবা অমদি থৎনবা পুম্নমক অসি লৈরোই হায়দুনা বর্মীজশিংনা [illegible] হায়রম্মী। অশেংবমক বাকয় অসিদি য়াম্না থীনা চৈদুনা য়ারোইদবনি অদুনা

(৮৮) সিক্রেট প্রোসিডিংস, ১১, ১৮৩৩, নাশিং ১১।

(৮৯) তোমসেন, দি কেম্ব্রিজ হিষ্ট্রী অফ ইন্ডিয়া তোপুম ৫ লমাই ৫৬০।

য়ারা শাথিবা মীচৈ অমত্থু বর্মাজগী অফিসারশিংনা পীরমগদবনি... ... ... বর্মাজওবা মীওইশিংগা তিয়বগীদমক্তদি ইশারু থাজবা অমদি পাজল থোক্লা মণিপুরনা মক ওইবনি হায়গদবনি হায়বসি মহাক্তি থংথিয়ে অচুগা বর্মাজশিংগী য়াইক পাওজেল পীনবগীদমক ঐথোয়না ঐথোয়গী মপাজল মথৌনা তৌরবা অমদি ঐথোয়বু লুনা থজকবা মরূপ অমগী লমবুদি ইরাই লাইনা পীথোকপদা য়াথে[১০]।"

(১০) কোনথৌজম, সার জেমস, মথৌ লাইরিক লমাই ৮৬।

এপেনডিক্স—দি

খৃঃ ১৮৩৪গী জনুয়ারিগী তাং ৯দা সন্যায়চিল থাত্তা কবো তম্পাক্কী মতাংদা য়ানথিবা য়ারোল (আইচিসন, খোমজিন্নবা সন্ধীশিং অসিনচিংবা ভোলুম ১, পার্ট ২; লমাই ২২০—২২১)

১ বা। মেজোর গ্রাণ্ট অমদি কেপ্তেন পেম্বরটন হায়বা ব্রিটিশকী কম্মিসনারশিং অসিনা রাইট অনরেবল গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলগী পাওতাক্কা লোয়ননা বর্মাগী নিংথৌনা হাপ্পকপা কম্মিসনার উন্দোক মহামীংগ্যান রাজা অমদি শরদাওগীকস মিয়োক্যান থাওদা তুমু, থম্বাং, শমজোক, কবো তম্পাক্তা লৈবা থুন পূর্ণমক, অঙো চীংশাং অদুগা নিংথি নত্রগা খেন্দউইন তুরেলগী নোংপোক্কী হৌরককম অমদি নোংচুপকী ভোর্ববান্দা লৈরিবা লম অদু পীখোক্কে হায়না য়ারে।

২ বা। ব্রিটিশ কম্মিসনারশিংনা হায়রিবা লম অসিগী মনুংদা লৈরম্বা মণিপুরী থাবাশিং অসি লৌথোক্লগনি অদুগা হায়রিবা লম অসি য়ানবা বারম থরগী মতুং ইমা বর্মাজ কম্মিসনারশিংদা পীথোক্লগনি।

৩ বা। বারমশিং অদুদি অসিনি মদুদি ব্রিটিশ কম্মিসনারশিংনা তাকপা সিমানা অদু মথোয়না য়াগদবনি অদুগা হায়রিবা সিমানা অসিনা কোনবা লমদা লৈবা মণিপুরগী প্রজাশিংবু ইকাই থুয়গদবনি অমদি মথোয়দা হাক-থেংননা অদুগা মী ইনশিন্দুনা ওং নৈবা ভোরোইদবনি।

৪ বা। সিমানা অদু মথাদা অস্তুম্না ওইগনি :—

(১) কবো তম্পাক অসিগী নোংচুপথংবা নাকন্দগী হৌরকপা চীংগী চীং-শাংগী নোংপোকথংবা চীংখোং হায়রিবা অসিগী মনুংদা মোরে অদুগা মসিগী নোংচুপ্তা লৈবা লম পূর্ণমক য়াওই।

(২) মথারোমদা হায়রিবা চীংশাং অসিগী নোংপোক থংবা চীংখোংদগী বর্মাশিংনা মানসাবেং অদুগ মণিপুরীশিংনা নমথালুং কৌবা তুরেলনা মহাক্কী হৌরককম তম্পাক্কী শম্বোরকপা লাইন অদুনা নোংচুপতোমদা চীংশাং পরেংশিং অসি লানথোক্লগা কথে খিয়োং (মণিপুর তুরেল) কাওবা তম্পাক্কী শম্বোকখিবা লম অসি।

৫ বা। ব্রিটিশ গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুরগী লমশিংদা হান্না লৈনরম্লবা চৎথোক চৎশিনগী লম্বী অসি অমূক্তা হেন্না শাকথোহল্লবদি মরম খুদিংমক্তা য়াম্না থুদোং চাগনি অদুগা রাজা অমসুং মহাক্কী লৈবাক্কী কান্নবসু ওইগনি। মরম অদুনা থৌরাং অ'স থুনা পাংথোক্কবা হোৎনবদা ব্রিটিশ গভর্ণমেণ্টনা হায়জরকপগী মতুং ইন্না লম্বী শেমদা তেংবাংনবা রাজা অসিনা নাগা কা'বু থর তেংবা'গনি।

৬ বা। করিগুম্বা বর্মাগা লানতৌনবা তারবদি, অদুগা মণিপুরবু ডাক-থোক্কবা নত্রগা নিংখি তু'রল লান্ন' চ'শিনখিনবা ম'ণপুর কাওতুনা লান্মী চংশিল্লকপা মতমদা রাজা অসিনা ব্রিটিশ গভর্ণমেণ্টনা হায়জরকপগী মতুং ইন্না অসিগুম্বা সিকাইশিংগী পোৎ পুননবা অমদি নো'মৈ মরু থাংদোক্কবা হোৎনবদা মতে' পাংনবা চীংগী কুলি পীগদবনি।

৭ বা। ব্রিটিশকী নো'পোক থংবা ওমথৈদা লৈবা লমশিংদা করিগুম্বা থুদোং থীবা অমা থোরক্কবদি মণিপুরগী নিংথৌনা মহাক্কী লান্মীগী শরুক অমগা লোইননা ব্রিটিশ গভর্ণমেণ্টপু তেংবাংগনি।

৮ বা। * ব্রিটিশ সরকাবদগী রাজা অসিনা ফংবা নো'মৈ মরু পুম্নমক ব্রিটিশ গভর্ণমেণ্টনা থংনবগীদমক থা থুদিংগী শিজিন্নখিবা মওং তাকতুনা মহাক্কী লেভিদা য়াওরিবা ব্রিটিশ অফিসারশিংদা পাও পীগদবনি।

---

* ব্রিটিশ গভর্ণমেণ্টকা মণিপুর লেঙীগা মরি লৈনত্রবনিনা অদুগা নোংমৈ মরু পীরকপসু লেপথ্রবনিনা থান্না অসিমদি হৌজিক্কী ফিভমদদি চৎনবা য়াম্রে।

মুহোর

মণিপুর নিংথৌ গম্ভীরসিংহ ঐনা সুপ্রিম কাউন্সিলনা খৃ. ১৮৩৩ গী এপ্রিল তাং ১৮ দা থারকপা মথক্কী বারোল য়াওবা চেরোল অসি য়াবে। (অচুম্বা হন্দোকপা)

ঐগী মাংদা মুহোর:গ্না
লোইননা সহি তৌখিবনি
সহি / — এফ: জে:
গ্রা'ন্ট, ক'ম্মিসনার

সহি / জর্জ গোর্দন, লেপ্তে নন্ট
গম্ভীরসিংহগী লেঙীগী এডজুটেণ্ট

সহি / — শ্রীযুৎ রাজা
গম্ভীরসিংহ

এপেনডিক্স—সি

মণিপুরগী নিংথৌ রাজা গম্ভীরসিংহনা ব্রিটিশ সরকারগা মণিপুরদা বরাক তুরেলগী নোংপোক অমম্পুং নোংচুপকী বন্দা লৈবা চীংশাং অনি অসি পীথিবগী মতাংদা রানথিবা সন্ধীগী অনুবাদ, তাং ১৮ এপ্রিল ১৮৩৩ (আইচিসন, থোমজিলগা সন্ধীশিং অসিনচিংবগী ভোলুম ১, পার্ট ১ লমাই ১২৩—১২৪)।

গভর্ণর জেনেরেল অমদি হিন্দুস্তানগী সুপ্রিম কাউন্সিলনা অনুমা লাও-থোক্নি :— কলানাগা অমদ সুনজাই হায়রিবা বরাক তুরেলগী নোংপোক অমদি নোংচুপ থংবা বন্দা লৈবা চীংশাং পরেং অনিসগী মতাংদা ওনরেবল কম্পানিনা ক্লেম তৌরম্মশিং অদু থাদোক্লগনি, অদুগা চায়রিবা চীংশাংশিং অসি মণিপুরগী নিংথৌদা পীরগনি অদুগা জীরি তুরেলগী মরিল অমদি বরাক তুরেলগী নোংচুপ থংবা বন্দ অসিনা মহাক্না মথাদা পীরকদৌরিবা রারমশিং অসি রাথিরবদি মহাকী নোংচুপকী সিমানা ওইগনি।

১ বা। রাজা অসিনা রাকম অসি হেক থংবগা পন্থবা তৌদনা চন্দ্র-পুরদগী মহাকী থানা লৌথোকথিগদবনি অদুগা মসি জীরি তুরেলগী নোংপোক থংবা ভোর্কান্দা হোংগদবনি।

২ বা। রাজা অসিনা বঙ্গালি নত্রগা মণিপুরী ললোনবা চৎপশিংবু মথোয়গী ললোনবা অদুদা অথিংবা পীরোইদবনি। মহাক্না মাসুল রায়া লৌরোইদবান অদুগা ললোন পোৎশিং অমতমু মহাকী ওইরোইদবনি।

৩ বা। রাজা অসিনা কলানাগা অমদি সুজাই চীংশাংদা ভোংবা নাগাশিংনা লশিং, থোরোক, শিং, অদুগা লম অসিদা কংবা পোৎ থুজিংমক মথোয়না মহৌশানা তৌবত্তম্রা বাঁসকান্দিদা অমদি উথারবোনগী কৈথেলশিংদা অমদি কছাড়গী তন্প্রাক্তা য়োনবা অমদি লৈবা মতমদা অথিংবা পীরোইদবনি।

৪ বা। জীরি ভোর্কান্দগী হৌরক্লগা কলানাগ অমদি কৌপুম চীংশাং কাওরগা মণিপুর তম্পাক তাথিব লম্বী অসি শেম্বা লোয়রবা মতুংদা লোংখু খুংশা অনিমক্তা মণ গাড়ী মপোৎ থম্না হায়রগা চৎপা য়াননবা মণিপুরগী নিংথৌনা শেমগদবনি। অদুগা লম্বী অসি শেম্বা মতমদা ব্রিটিশ ওফিসারশিংনা লম্বী অসি য়েংননবা অমদি তাক্লনবা লাক্লবদি রাজা অসিনা ওফিসারশিংনা হায়বা অদুবা রাগদবনি।

(৩) অবাংলোমদা করো তম্প্রাক্তী ওয়থৈদা নৈবা হায়রিবা চীংশাং অসিগী চীংখোংদগী হৌরক্লগা নোংপোক শাংনা চৎখিহুনা অহানবা চীংশাং পরেং অহু কাওবা অহুগা চোইতর, তুং ত্রি অমদি তুংঘুব হায়বা মণিপুরীশিংনা লুহঙ্গা হায়না কৌবা অহুগা বর্মীদশিংনা লাগবেনশাং হায়বা অাং হৌজিক্কা মণিপুরগী মথাদা লৈরবা লম অসি কাওবা।

৫ বা। বর্মীজগী কম্মিসনারশিংনা বাশক্তি মহুদি হৌজিক মথোয়দা পীথোক্লবা লম অসিদা ঙাক শেন্নুনা লৈগদবা ওক্সাবশিংদা মথক্তা য়াংখিবা সিমামা অসিগী মঙ্গুংদা লৈবা মণিপুরগী প্রজা ওইথ্রবা থিয়েন্স অহুগা অতোপ্পা মীওইশিংদা ওং নৈহন্দনবা য়াথং পীগনি অহুগা ব্রিটিশকী কম্মিসনারশিংনগ হৌজিক য়াংথ্রবা বর্মাগী মঙ্গুং চনথ্রবা লমশিং অসিদা লৈবা থিয়েন্স নত্রগা অতোপ্পা মীওইশিংদা ওং নৈদনবা মণিপুরীশিংদা য়াথং পীগে হায়না য়াগনি

(মুহোর) সহি/—এফ: জে: গ্রাণ্ট, মেজোর
(মুহোর) সহি/—আর: বি: পেম্বরটন, কেপ্টে:
সঙ্গাচিল ঘাট, নিংথি, ৯ জনুয়ারি ১৮৩৪

এপেনডিক্স—ই

খৃঃ ১৮৩৪ গী জনুয়ারী তাং ২৫ দা কবো ভম্প্রাকী ক্ষতিপূরণ পীবগী মতাংদা য়ানখিবা য়ারয়শিং (আইচিশনগী সন্ধো অ্যসিনচি'বগী ভোলুম ১, পার্ট ১, লমাই ১২৪—১২৫)।

য়াইট ওনরেবল গভর্ণর জেনেরেলগী কাউনশিলনা হায়য়কপগী মতুং ইন্না কবো ভম্প্রাক অসি বর্মাদগী থারকপা কম্মিসনারশিংদা মেজোর গ্রান্ট অমদি কেপ্তেন পেম্বরটন্না পীথোকথকুনা মথোয়দা অস্থুম্না হায়য়ু হায়জুনা ভাল্লগী :—

১। মতুদি খৃঃ ১৮৩৩ গী জনুয়ারী তাং ৯, কবো ভম্প্রাক অসি ব্রিটিশ অমদি বর্মাগী কম্মিসনারশিংগী য়ানবগী মতুং ইন্না সন্ধী তৌদুনা বর্মাদা পীথোকখিবা তুমিৎ [illegible] হৌদুনা থাদা লুপা ক্ষোনশেং ৫০০ মণিপুরগী নিংথৌদা পীবা হায়বসি সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টকী অনিংবনি।

২। বাকম অসিমদি নিংথিনা থংনগাদবনি মতুদি করিগুম্বা ফিভম অমদগী হন্দক্তা পীথোকখিব্রা লমশিং অসিনা মণিপুরদা অমুক হন্জিল্লক্লবদি ব্রিটিশ সরকারনা মণিপুরদা [illegible]বা লুপা অসি লম হন্জিনবা তুমিৎ অসিদগী থীবা তোকনি।

সহি /—এফ: জে: গ্রান্ট }
সহি /—আর: বি: পেম্বরটন } কমিশনার

লাংথবাল, মন্নিপোর,
জনুয়ারি, ২৫, ১৮৩৪

অনিশুবা শন্দুপ

খুৎ থিংজিনবা হৌবগী চাংয়েং ঃ

মণিপুরগী সিংহাসনগীদমক্তা য়ায়া তোয়না থংনখিবা শ্রীখেরনা ওন্তুনা থেংমখে। মহাক্না শিরবা মতুংদা সিংহাসন ফুমবগী লান অমুক থোক্তনবা মশানা হিংলিন্দুনা মহাকী মহুৎ শিনহৌগদবা মপা অমুক থন্দোকপা গম্ভীরসিংহনা পায়খী। মহাকী মহুৎ শিনগদৌরিবা মপা অদু ব্রিটিশ সরকারগী শেংলন য়াওরগা থনহোবা হায়বা অসি মণিপুর সরকারগীদি য়ায়া দরকার ওই হায়বসি মহাক্না থংলম্মী। মরমদি মসি নত্রবদি মহাক্না হেক শিখিবগা সিংহাসন ফুমবগী লান অমুক হৌরকত্নুনা মণিপুরদা মকম মরাং থংদবা ফিতম অমা পীরকনি হায়বসি মহাকী কয়া খাজবনি। তৌইওমম্নুং মণিপুরদদি নিংথৌগী মচা অহনভনা নিংথৌ ওইগদবনি হায়বা চৎনবি অসি লৈয়মদবনা মহাকী মতুংদা নিংথৌ ওইহোগদবা মপা অদু থনবসি য়ায়া লুনা থোক্লমী। খুদোং খিবা ময়াম অসি লৈবনা মহাক্না শিগদবা চহী থরগী মমাং খৃঃ ১৮৩১-দা মহাকমক্না পোকচবা মআইবুংঙো চন্দ্রকির্ত্তিসিংহবু মহাকী মতুংদা মণিপুরগী নিংথৌ ওইগদবা মপা ওইনা থম্মদবা ফাওবদা ইচং থৌবা ওয়মদে। মরম অসিনা গম্ভীরসিংহনা শিরবা মতুংদা মহাকী অচানবা সেনাপতি, মনাও ইবুংঙো নরসিংহনা মণিপুরগী নিংথৌ শোয়দনা ওইবা তারবনি। অদুবু গম্ভীরসিংহগী পুক্নিং থংলবা নরসিংহনদি চন্দ্রকির্ত্তি সিংহবু মথংগী মণিপুরগী নিংথৌ ওইনা থনবা পায়খী। অদুম ওইনমক গম্ভীরসিংহনা লাইনা লোথোকপা য়াত্রবা মরাবুংশিংনা পোকপা মআইবুংঙো ত্রিভুবনজিৎসিংহ, জোগেন্দ্রজিৎ সিংহ অমদি অম্বীরসিংহগী বাকমশিংত লৈরম্মী। মরম অদুনা মহাক্না মহাকী মরবারদা লৈয়বা অঙম অথৌশিং অমদি ব্রিটিশকী ওফিসারশিং, মরুওইনা গ্রান্ট অমদি পেম্বরটনবু কায় তৌগদগে পাওতাক পীয়ুদনা হায়রম্মী। মতাং অসিদগী মণিপুরগী ইথুং মহুংগী রাজনিতীদা ব্রিটিশনা খুৎ থিং জিনবা হৌখে।"

মণিপুরগী সিংহাসনদা থাইদগী হেয়া অধিকার লৈবা ত্রিভুবনজিৎ সিংহ অসি চৌরজীৎ মহারাজগী মচানুপানি। মহাক অসি য়ায়া টৈ শিংবা অমদি য়াথল নিংখিনা থবথা ঙম্বা মীওইনি। অসিদগী নত্তনা মহাক অসি মপুকচেন

তপা অমদি অরুবা ৱাকয় তাৱবা য়াবা মীওইনি[১]। মতম কুইনা মপাবুংগা লোয়ননা নদিয়াদা লৈরুবা মতম্‌ ব্রিটিশকী কা'বু'শ'গা তিন্ন-তোংনদুনা লৈবগী থুদোং চাবত মহুৎ... ওকই। মণিপুরগী প্রজাশিং বু অাংম্বা থলহল্লবদি রাজকুমার অাসিনা শোয়দনমক মণিপুরগী নিংথৌ ওইহনিগনি। মপাবুংগী যেংলুরবত মহাক্না মণিপুরগী নিংথৌ ওইকয় থাকই। মহাক্না মপাবুংনা শুাহদগী হনবা মরম্না অতে ... কা'ন ... কংক্ষ ... থাকপনি। অদুবু মহাক্কি মহাক্না মক্কোকু ... সন্তী সহগা যেং থনবা মরম্না মহাকপু নিংথৌ লেম-পদোরিবা কা'বুন তেং'না নিংশংন্রে।

মতম অদুদা ... খুঃ ১৮০৮ গী জুন তাং ৫ ... মণিপুরদা ... ওৎরম্মী[২]। মহাক্না মণিপুরদা ... পীবু অনৗদ মহাকপু ... গম্ভীরসিংহ মহারাজনা ... তৌরম্মী অমদি মহাক্‌ ... ত্রিভুবন-জিৎ সিংহনা ... চংলম্মী[৩]। মহাক্না চায়ঙবা অদু মাথং মতম মপা ... ত্রিভুবনজিৎ সিংহগী ... মপাবুংগী ... ত্রিভুবনজিৎ সিংহনা শিকটপ ... মহাকপু ... পীখিবা অদুদি ... গম্ভীরসিংহগী মাইয়োক্না চৎপা লৈত্রে। ... মহাকপু গম্ভীরসিংহগী অচোবা মেরুবা ...

জোতেন্দ্রজিৎ ... রাজকুমারশিংগী ... চাপ্পনি। মতম অদুদা মহাক শিকটপা ... রাজকুমার ... মখোনা লৈবা তুপা অমনি[৬]।

(১) পোলিটিকেল ... ১৮০৩, মিশিং ১২৩—১২৪; ... ৮৫৩।
(২) পোলিটিকেল ... ১৮০৯; মণিং ২১—২৪; ত্রিভুবনজিৎ সিংহগী ... ১৮০৯
(৩) মথক্কী ...
(৪) মথক্কী মাঙফম ...
(৫) মথক্কী মাঙফম ...
(৬) পোলিটিকেল কনসলটেশন ... ১৮০৩ মণিং ০৩—১১১, যোর্কটসম্না মেক্নাখন্দা ইবা, ২৮ মার্চ, ১৮০৩।

মেজোর গ্রান্টনদি মহাক অসি মপাঙল কনবা, মরোশিং লৈবা অমদি থবক্তা ইচং খোবা মীনি হায়রি। অদুম ওইনমক মহাক অসি মড়ক কনবা মমাই থকপা, অমদি চেকশিন্দবা মীওইনিত্ত হায়না গ্রান্টনা হায়রম্মী[৭]। রাজকুমার অসিনা মণিপুরদা লৈরিঙেদা মতোন ইবুংঙো গম্ভীরসিংহগা ইকোং কোংনা য়েংখিনরম্মী। মহাক্না মণিপুর থাদোকখ্রিক্লওবদি মহারাজ অসিগী শাওনবতা তৌরম্মী। শিলচরতা চংথগম্বু গম্ভীরসিংহনা শাওনিংবা থবক তাক্না জোগেন্দ্রজিৎসিংহনা তৌরম্মী। মরম অদুনা গম্ভীরসিংহনা মহাক্কী মতুংদা রাজকুমার অসিদদি মণিপুরগী সিংহাসন পী নংলমদে[৮]।

যুবরাজ জয়বীরসিংহ হায়রিবা অসিদি মপাঙল মথৌনা লৈতবা মীওই অমনি হায়না গভর্ণর জেনেরেলগী এজেন্ট ওইরবা মিঃ রোবর্টসনা হায়রম্মী[৯]। মরম অদুনা গম্ভীরসিংহনা থুপথর্বদি মহাক্কী বাকম অসিদ থম্নগদবা মান্দে[১০]। অদুম ওইনমক গম্ভীরসিংহনাদ মাবু চান্না তৌবানিনা মহারাজ অসিগী মজাইবুংডো অমা পোক্লমখ্রবদি মহাক্না নিংথৌ থুক্তম অসি কংলমগদবনি। রাজকুমার অসি চহী ২০ গা থরদমক মহেনবা, য়াম্না চীংলেম্ব অদুগা তশেংনমক মথৌনা লৈবা অমদি পাইবক্কী লৌশিং লৈবা মুপানি। করিগুম্বা জোগেন্দ্রজিৎ সিংহগা মহাক্কী মরক্কী অপাম্বা অমা থনবা তারবাদ যুবরাজ অসি শোইদনমক থনবা তাবম্মী[১১]। মবক্তা হয়থবা রাজকুমারশিং অসিগী মরমদা অইবা চেয়োল নিংথিনা লৈনরবা মতুংদা কলিকতাদা লৈগা অখোংদটিন গম্ভীরসিংহগী মতুংদা কনাবু নিংথৌ ওংহনদগে হায়বতু কো দোক্লম্মী। মথোয়না থর্ম্লগা বাকনদি হায়রবা রাজকুমারশিং অসিগী মবক্তা অমবু গম্ভীরসিংহগী মতুংদা মণিপুরগী নিংথৌ ওইনা থম্বদি অদুগা মহাকপু ব্রিটিশ সরকারনা য়ারবা নিংথৌন হায়রদুনা লাওথোক্লবাদ মহক্না ব্রিটিশকা লৈনগদবা মরি অদুগা * মণিপুরগী প্রজাশিংনা মঙোন্দা লেগদবা রাজভক্তি অদু মরা চেৎকনি হায়রদুনা

(৭) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৭ নবেম্বর ১৮৩৩ মশিং ১২৩—১২৪ গ্রান্টনা রোবর্টসন্দা ইবা, ২৮ সেপ্তেম্বর ১৮৩৩।
মথক্কী মাওফম অসিদা।

(৯) মথক্কী মাওফম অসিদা।

(১০) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৩০ মে, ১৮৩৩ মশিং ৬৮—১১১, রোবর্টসন্না মেক্লাথন্দা ইবা চেরোল, ২৮ সেপ্তেম্বর ১৮৩৩।

(১১) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৭ নবেম্বর, ১৮৩৩, মশিং ১২৩—১২৪, গ্রান্টনা রোবর্টসন্দা ইবা চেরোল, ২৮ সেপ্তেম্বর ১৮৩৩।

থম্মরমী[১২]। মরম অসিনা সুপ্রিম গোভর্ণমেণ্টনা কবব মীওইনা গম্ভীরসিংহগী মতুংদা মণিপুরগী নিংথৌ ওইহনগদবগে হায়না থম্মকবগী কাম্নবা লৈখি হায়না মতম কোংদোক্লম্মী। রাজকুমারশিং অসিগী মতিক মথৌনা যুম্না য়েংলগা কববা মীওইবু মণিপুরগী নিংথৌ ওইহনগদবগে হায়না অদু মেজোর গ্রাণ্টপু মতম কয়ামক্তম চংনা খিহনবা দরকার ওই হায়না থম্মরম্মী[১৩]।

মথক্তা হায়খিবা রাজকুমারশিং অসিগী মরক্তগী করম্বু মণিপুরগী নিংথৌ ওইহনগদবগে হায়না থম্মবগী অবাবা অদু লৌবগী মহুত্তা সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা চন্দ্রকির্ত্তিসিংহবু মথংগী নিংথৌ ওইনা থনবনা হেম্ম। হৈ হায়না মেজোর গ্রাণ্টনা থম্মমী। বাকম অসিমক সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা থম্মরবাদ গম্ভীরসিংহনা য়াম্না হরাওজগনি[১৪]। অসুম্না তোৌবা তারবা অমদ গম্ভীরসিংহ মহারাজনা মজা-ইবুংঙো চন্দ্রকির্ত্তি সিংহনা নবালোক ওইরিঙৈদা থুপ্পখব তারবদি মণিপুর চাক্কনবা রিজেনসি অমা লেপ্পা দরকার ওই। গভর্ণমেণ্টনা পাম্নবদি অসিগুম্বা রিজেনসি অসিগী মকোক ওইনা, নিংথিনা বাথল থনব ওবী, তুগাদোৌনা অথাং কনবি মাইস্নাম নিঙোন কুমুদিনি দেবী হায়বি মহারাণীবু থম্ম অসিন। মহারাণী অসিনা রিজেনসি ওইব। মতমদা গম্ভীরসিংহ মহারাজনা য়াম্না থাজবা নরসিংহ সেনাপতিনা তেংবাংগদবনি[১৫]। বাকম অসি চন্দ্রকির্ত্তিসিংহনা নবালক ওইরিব-নিনা মণিপুরগী মীশিংনা য়ানিংকম লোক্তে। অদুবু মসি নত্তবা নাকল অনিবু লেলহনবা য়াবা উপাই অমত্ত হৈদ্রে[১৬]। অদুগা বাকম অমনা চন্দ্রকির্ত্তিবু মণিপুরগী নিংথৌ ওইহনবা অসিন থুদোংথিবা থোক্কনবগী উপায়নি হায়না থম্মবদি অদুগা মহাক্না সিংহাসন কাবা অসি প্রজা পুম্মমক্না থংহল্লবদ মণিপুরগী ফুংগী মম্না ওগ্না পানবা য়াগনি হায়বসি গ্রাণ্টকী মতমনি। বাকম অসি য়াম্না যুম্না খিজিলগ রবর্টসন্না অসুম্না হায়রম্মী: "মণিপুরগী নিংথৌ খুঙম শীবগী মতাংদা ঐনা থনবাদ মণিপুরদা লৈবা মীশিংদা থংহৌদনা সিংহাসন হাংবা থোক্কবদি অসুম্না তোৌগদবনি হায়না লৌবা অমাশীবিবনা খাইদগী হেন্না ফগনি অসিনি[১৭]।" মথম অদুনা মহাক্না অসুম্না হায়রম্ম মতুদি কাম্নবা গম্ভীরসিংহ

(১২) মথক্তা য়াওকম অসিদা।
(১৩) মথক্ত য়াওকম অসিদ।
(১৪) পোলিটিকল কন্সলটেসন, ১৯ ডিসেম্বর ১৮৩৩ মশিং ৮৫ ৯৬, রবর্টসন্না মেক্কাথন্না ইবা, ৫ ওক্টবর ১৮৩৩।
(১৫) মথক্তী য়াওকম অসিদা।
(১৬) মথক্তী য়াওকম অসিদা।
(১৭) মথক্তী য়াওকম অসিদা।

মহারাজনা থুপথবদি মজা ইবুংঙোনা নিংথৌ ওইবা অতুগা মমা ইবেম্মা মহারাণীনা রিজেন্ট ওইবা হায়বা বাকম অসি লাউথোক্লবা মণিপুরদা লৈবা ব্রিটিশ ওফিসারশিংদা মপাঙ্গল পীবিগদবনি অসিনি[১৮]।

মহাক্না নোঙাথবা মতুংদা কনানু মণিপুরগী নিংথৌ ওইহনগদগে হায়বা লেপ্নব্রিডেদা খৃঃ ১৮৩৪ গী জনুয়ারি তাং ৯ দা মপাগী চহীনা ৪৩ তা গম্ভীরসিংহ মহারাজ নোঙাথি। রবর্টসন্না স্থপ্রিম গভর্ণমেন্টতা অস্থুম্না পাও পীরম্মীমদুদি চন্দ্রকির্ত্তিসিংহনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইবা হায়বা বাকম অসিদা মণিপুরগী প্রজা অমদি দরবারগী মীওইশিংনা য়ানরবনিনা অতুগা থোইদোক হেন্দোক্না নরসিংহ সেনাপতিনস্থ য়াররবনিনা মহাকপু মণিপুরগী নিংথৌ ওইবা অমদি রিজেনসিগী কাওন্সিল অমা মহাক্না নবালক ওইরিডেদা লৈবা য়াহনবা অসিনি। বাকম অসি গভর্ণর জেনেরেলগী কাওনসিলনা য়ারদুনা চন্দ্রকির্ত্তিসিংহবু মণিপুরগী নিংথৌনি হায়না য়াথে[১৯]। মতুংদা চন্দ্রকির্ত্তিনা নিংথৌ ওইবা অসিদা য়েথায়বা পীদনবা স্থপ্রিম গভর্ণমেন্টনা মহাকপু সিংহাসনদগী লৌথোক্লবা হোৎনবা কাংবু দন্দি পীগনি হায়না লৈবাক প্রজা পুম্নমক্না থংহল্লবদি মণিপুরগী য়াইকবা ওইগনি। লৈবাক ইরাং হৌরকপা য়াবগী থুদোংথীবা অদু শীলিবা থোরাং অসিনা কোকহনথে। মতাং অসিদা গভর্ণর জেনেরেলনা অস্তুম্না হায়রম্মী : "মেজোর গ্রান্টনা হায়রক্লিবা বাকম থুদিংমক্তা য়াবা হায়বসি ঐগী অনিংবদি নত্তে অদুবু মতম অদুদা লৌথিবা উপাইশিং অদুদি য়ায়া নিংবা অমদি মণিপুরগী তুংগী শান্তি ওইনবগী অশা অমা পীবনি[২০]"। অদুম ওইনমক নবালক ওইরিবা নিংথৌ অসিগী রিজেন্ট থনবগী মতাংদা বাঙলা সরকার অমদি মণিপুর সরকারগী ওইনা অরুবা বাকম অমা ওইথি। রবর্টসন্না গ্রান্টকী বাকম অদু লৌথৎপগা লোইননা মহারানিবু রিজেনসিগী মকোক্তা থম্বা পাম্রম্মী। মণিপুরগী প্রজাশিংনা বাকম অসিদা য়ানিংলবস্থ অদুগা মহারাণী অমা ওইবগী ইকাই থুম্নবা অমদি অতৈ ইজৎ পুম্নমক অদু পীবা পাম্নবস্থ মপীনা মকোক ওইতনা লৈবাক ঙাকপা অদুদি য়ানিংলমদে[২১]। মথোয়না

(১৮) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

(১৯), আইচিসনগী সন্ধী অসিনচিংবগী ভোলুম ১, লমাই ১২১।

(২০) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২১ মে, ১৮৩৩ নম্বর ১০৯; লর্ড উইলিয়ম বেন-টিককী য়াইস্থৎতগী।

(২১) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৩ এপ্রিল, ১৮৩৪ নম্বর ১২৭—১২৮, রবর্টসন্না ব্রেভেলিন্দা ইথা চেনোন ২৭ ফেব্রুয়ারি ১৮৩৪।

নরসিংহনু চন্দ্রকির্ত্তিগী গার্ডিয়ান ওইহনবা পাম্লম্মী[২২]। অসিদম্ নত্তনা নরসিংহগী পুকচেল চাওবা অসিনা মণিপুরগী অফবা ওইরক্কনি হায়নত্ত প্রজাশিংনা খল্লম্মী। নরসিংহনা লৈশিঙ্গ্রবা ময়াম্বুং গম্ভীরসিংহনু অমদি ময়াম্বুংনা পোক্লম্বা মচাইবুংঙোবু লুনা তৌজবা অসিনা মহাক্কী মরমদা হায়না থম্রম্ব' বারমশিং অদু চুম্লে হায়না লৌবা য়াদে। মণিপুরগী প্রজা অয়াম্বন পাম্লবদি নরসিংহনা তৌরিবা থবকশিং অসি স্টুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনত্ত য়াদে হায়না বারোল অমা পীরক্কবদি মপুক্কু পেনগনি অসিনি[২৩]। গ্রাণ্ট, পেম্বর্টন, গোর্দোন অমদি নরসিংহ য়াওনা থম্বা বাকম অমদা গ্রাণ্টনা রিজেন্সি অসিদা নরসিংহগী তেংবাংনবা মীওই থরক্ত হাপ্প পাম্লম্মী অদুব সেনাপতিনা য়াবমদে[২৪]। সেনাপতি অমদি অতোপ্পা অডম অথৌশিংনা হায়রিবনা মণিপুরদা মীয়াম পুল্লগা লৈবাক চাকপা অসি চৎনবিগী মাংমদা লৈ আসনে[২৫]। মথম অদুম বাকম অসিদদি কম্না লৈনক্রে মথমদি মসিনা তুংদা মণিপুরীশিংগী মতক্ক শৎনবা য়াবা বাকম অমা ওইরক্কনি। নরসিংহনা নবালক ওইবা নিংথৌগী রিজেণ্ট ওইরে অদুগা বাজলা সরকারনা রিজেন্সি অসি য়াদে। মতৌ অসুম্ম চন্দ্রকির্ত্তিসিংহনা নবালক ওইরিঙৈদা মণিপুর ঙাক্কবা লেম শাবম্মী[২৬]।

কবিজুম্বা নবালক ওইরিবা নিংথৌ অসিনা লোঙ্গাশিনা থোক্লবদি মথংগী নিংথৌ থুডম থম্বগী মতাংদদি স্টুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনত্ত মণিপুরগী প্রজাশিংনা খল্লকপা মীওই অদুবু নিংথৌনি হায়না য়াগনি মরমদি অদুক য়াম্না দরকার লৈতবা মতাংদদি মণিপুরগী মরম্নাইগী ওইবা রাজনীতিশিংগী কিত্তমদা সরকার অসিনা খুৎ থিংজিন্নিংদে[২৭]। অদুম ওইনমক মেজার গ্রাণ্টনা হায়রিবদি করিজুম্বা নবালক ওইরিবা নিংথৌ অসিনা লৈথিদবা থোক্লবদি মণিপুরদা লৈরিবা ব্রিটিশকী ওফিসারশিং অসিদা কবি কবম তৌগদগে হায়বা তাকপীগদবনি অসিনি। চন্দ্রকির্ত্তিনা লৈথিদবা থোক্লবাদ যুবরাজ অমদি সেনাপতি অনি অসিনা মণিপুরগী

(২২) মথক্কী মাওকম অসিদা।

(২৩) মথক্কী মাওকম অসিদা।

(২৪) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২৭ এপ্রিল ১৮৪৪, মশিং ১০১—১০২, গোর্দোন্না কিউরীদা ইবা চেয়োল, ৫ এপ্রিল ১৮৪৪।

(২৫) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৩ এপ্রিল ১৮৩৪, মশিং ১২৭—২৮, গ্রাণ্টনা রবর্টসন্দা ইবা চেয়োল, ২২ ফেব্রুয়ারী ১৮৩৪।

(২৬) কোর্ট অফ ডাইরেক্টরসতা ইবা পোলিটিকেল লেটর্স, পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৬ এপ্রিল ১৮৩৫, মশিং ১৪।

(২৭) মথক্কী মাওকম অসিদা।

নিংথৌ খুডম শোয়দনা মুয়রক্কনি হায়বসি গ্রান্টনা থাজরম্মী। মথক্তা হায়খিবা অদুগুম্মদুনা যুবরাজ অসিদি লৈথিদ্রবা মহারাজ গম্ভীরসিংহগী য়াম্না নক্কবা মরিনি। করিগুম্বা গম্ভীরসিংহ হিংলিটেঙ মতমদা মঙ্গা ইবুংঙে চন্দ্রকির্ত্তি সিংহনা লৈথিদবা থোক্লবদি যুবরাজ অসিবু মহাক্কী মহুৎ শিনবা ওইনা শোইদনমক থম্লমগনি। লৈথিদ্রবা মহারাজ অসিনা যুবরাজ অসি মহাক্কী মহুৎ শিনবা ওইংম্নিংবগী অপাম্বা অদুদি মথক্তা ফোংদোকখ্রবনি। সেনাপতি অসিগী থাক্কমনা মহাক্কী মতিক চাবা অমদি মহাকপু মণিপুরনা দরকার ওইবগী থাক্কদনি। সেনাপতি অসিগী লৈবাক ঙাকপদা হৈ-শিংবা অমদি প্রজাশিংনা মহাকপু নুংশিবা অসি য়েংলুরগা মহাক অসি প্রজাশিংগী অপাম্বা মীওই শোইদনা ওইগনি[২৮]।

রবর্টসন্না যুবরাজ অমদি সেনাপতিগী মতিক মগুণ, মরমচৎ অমদি মপাঙ্গল মথৌনা অদু নিংথিজনা য়েংলগা সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টতা অসুম্না পাউ পীখৎখি মদুদি সেনাপতিগী থাক্কম থম্নদনা যুবরাজবু নিংথৌনি হায়না থম্লুরবদি অশিংবা ওইরোই[২৯]। মহাক্ক অসুম্না অমুক্কা হায়রম্মী মদুদি সেনাপতি অসিবু মণিপুরগী সিংহাসনগীদমক্তা থম্লুরবদি মহাক্কদি নবালক ওইবিবা নিংথৌ অসিগা য়াম্না মদি নক্কবা মরম্না চন্দ্রকির্ত্তিবু হাংতোক্লগা মহাক মশামক্তা মণিপুরগী নিংথৌ ওইরকপা য়াবগী চিংনবা অসিনি[৩০]। মরম অদুনা এজেণ্টকী মত্তি সুপ্রিম গভর্ণরমেণ্টনা করিগুম্বা চন্দ্রকির্ত্তিনা লৈথিদবা থোক্লবদি মতম থরগী ওইনা তুমিন্না লৈথোকপনা ফগনি অসিনি মরমদি যুবরাজবু হন্দোক্লম্লগা সেনাপতিবু নিংথৌ ওইনা থম্লবদি যুবরাজবু য়াবা মীওই কম্নামকম্নদি নুংশিনররোই[৩১]। সুপ্রিম গভর্ণরমেণ্টনা রবর্টসন্না হায়বা থাক্কম অসি য়ানিংদুনা কনাবু মণিপুরগী নিংথৌ ওইহনগদগে হায়বা থাক্কম অদু থম্নখিদরে। অদুম ওইনমক মথক্তা নৈনশিবা থাক্কম ময়াম অসিনা চন্দ্রকির্ত্তিনা লৈথিদবা থোক্লবদি নরসিংহনা মণিপুরগী নিংথৌ শোইদনা ওইগনি হায়বা অসিদি তশেংনমক থাজনরনা অচুম্বনি।

মথক্তা থম্নখিবা থাক্কম ময়াম অসিনা তাকপদি যুবরাজগী থাক্কম অসিদি থওইবিদ্রবা থাক্কমনি অসিনি। মরম অদুনা মথক্তা য়াম্নখিবা থৌরম পরেং অসিনা

(২৮) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

(২৯) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৩ এপ্রিল, ১৮৩৪, মশিং ১২৭—১২৮, রবর্টসন্না গ্রেভেলিন্দা ইবা চেরোল, ২৭ ফেব্রুয়ারি ১৮৩৪।

(৩০) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

(৩১) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

থাইদগী মাহম্লবা মীওইদি যুবরাজ অসিনি[৩২]। গম্ভীরসিংহনা হেক নোংমাখিবগা মমাংদুংশিংনা পোক্লবা রাজকুমার অমগ যুবরাজ অসিগা তুমু তামা চেনখিরমী অদুগা কবো তম্পাক পীখিনবগীদমক নেংখুবা গ্রান্ট অমদি পেম্বর্টনগী মনাক্তা মশা কন্নমনবীদমক চংখি। মতম খর লেপগা রাজকুমারশিং অসি কোহুংদা অমুক হল্লক্লমী। কোহুংদা লেক মোরকপগা জয়নরসিংহ অসি বঙ্গালদা থুমখদুনা লৈখংগে হায়না পনমী। মহাক্না পৌবাং অসি মণিপুর সরকারগে য়ারম্মী। কম্বরন্না মহাক্না মণিপুরদা লৈবা তাক্লবদি নখো লেপ্পগী কাংবুগা চিংথিদুনা লৈবাক্তা কাংলুপ চাইংবা শমা তাক্লকপ য়াই হায়না থমবমী। অদুগা মহাক্না মণিপুরদা অক্লমক লৈরা তারবদি বিক্রমজিৎ ওইবিবা নরসিংহগী অচেৎপা লৈতবা মীপাইবা অমম্ব ওইগনি। মহাক্না বঙ্গালদা চেন হাইবগী বাকম অসি মহারাণী অমদি সেনাপতিদা থংহল্লুরগা কর্ণেল অনক্লবা ১রম অমত্তু লৈতনা মহাক্না থনবা বাথল অত্তু তোংখি অদুগা অফ্রযত্ত পুন্নমক মশাক মশাগী দায়িত্ব ওইগে হায়না থক্তুন মণিপুরদা লৈবগে হায়না চপ্পর্মী। মহাক্না মণিপুরদা লৈবা অসি লৈবাক ইরাং হোনবা অমদি মীংৎ ২ পুংগী অচোবা মরম অমা ওইগনি হায়বা অনিশু মহাক মশানা য়াজবম্মী। অদুম ওইনমক মহারাণীদগী কর্নেল চিঠি অমগী মতুং ইন্না যুবরাজ অসি ফেব্রুয়ারি ১৮৩৪ দা মণিপুর থাদোকখি[৩৩]। মণিপুরদগী মহাক্না চেলংদাইদা ১রল মথুম পুম্নক পুথবা য়ানবা চৈবাং অমদি শখিংখি[৩৪]।

অদুম্মা মণিপুর থাদোকখবা রাজকুমার অসি মাম্না লাইরবা মওংদা খুঃ ১৮৩৪ দা কলিকাতাদা খুংলখি। বঙ্গাল সরকারনা মহাক্কী চা শরুবীদমক লুপা ১০০ থাম্না পীরম্মী। যুবরাজ অসিগী তুংগী কছারগী মতাংদদি মণিপুরদা লৈবা মীওইশংনা থম্লবা অপাম্ব অসিগী মচোক্তা মহাক্পু মণিপুরদা অমুক কনখো চামদুনা হায়রদি মাহিংনাংদে যুবরাজ অসিনা ওইনম কম অমদি লৈখিদ্রবা মহারাজ গম্ভীরসিংহগা মশাক ? নরঙ মবিয়া লুরবদি মণিপুর সরকারনা মহাক্পু চনা হেন্দনবগীদমক লৈপক অবদি পীনিক্ম লোকপানি[৩৫]। কছাড়দা লৈবা লোশিং থবা যুবরাজ অসিদ মহাক্ক লোইননা লাকপা মীওইশিংনা

(৩২) মথক্কী থাংকম অসিদা।

(৩৩) মথক্কী থাংকম অসিদা।

(৩৪) পোলিটিকেল কনসল টেশন, মশিং ৫৮—৬০ গ্রান্টনা জেনকিন্সতা ইবা চেরোল, ১৮ জুলাই ১৮৩৪।

(৩৫) পোলিটিকেল লেতর্স টু দি কোর্ট অফ ডাইরেক্টর্স, ৩ এপ্রিল ১৮৩৫, মশিং ১৪।

থুন্দাজনবা অমদি পৈশা থয়ন্ত মহাকপু মতেং পাংবিবা ওইনা পীগদবনি হায়না হৌদোক্লম্মী[৩৬]। রবর্টসন্না হৌদোক্লবা বাক্ম অসি গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন-সিলনা য়ারম্মী। মতৌ অশুম্না অম্বিরসংহবু কছাড়দা থুন্দাহনখি।

লালহৌবশিং :

মথক্তা হায়খিবা থোরাংশিং অসিদা পেম্বর্টননা তৌখাইওম্বা হায়বা গম্ভীর সিংহগী ময়াম্বশিং অমগী মচানা কছাড়রোমদগী মণিপুরগী সিংহাসনগীদমক লাল হৌরক্লম্মী। অদুম ওইনমক নিউ কছাড় রোডতা মাইল থরা কোম্মুংদগী থাম্লা লৈবা মাকলং হায়বা লমদা শোক্লবা লান্দা লানহৌবা কাংবুবু মাইথিবা পীরম্মি[৩৭]। লাবণ্যচন্দ্রগী মচা ইবুংঙো অহন তারিংখোম্বা হায়বা, মশামক্তা য়াম্না তপচবা অদুগা য়াম্বু মবুকচেল ফবা অমনা মনাওশিংনা হনাশনবদগী মণিপুরগী সিংহাসনগী-দমক লান হৌরক্লম্মী[৩৮]।

লান অসিগী পাউ হুক ফংবগা মণিপুর গভর্ণমেণ্টনা খিজিন থোৎচিন্নবা ফম্না হোৎনরম্মী। সনা কোম্মুংগী থোরাং অসিগী পাও তারদুনা রাজকুমারশিং অসি মথোয়গী কাংবুগ লোইননা চেনখিরম্মী। সনা কোম্মুংগী কাংবুনা মথোয়বু তাম্লখি। মুমিৎ ৮ নি ১০ নিমুক লৈরগা রাজকুমারশিং অসি মথোয়গী লোইনব-শিংগা লোইননা তম্পাক্তা নোংপোক থংবদা লৈবা চৌংদা (নোংমাইজিং চীং) লোৎখিরম্মী। সনা কোম্মুংগী কাংবুগা রাজকুমারশিং অসিগী কাংবুগা লান তৌনরম্মী। লানকম অদুদা তারাংখোম্বা অসি শাখিনা শোক্লম্মী[৩৯]। মাইথীবা নংলবা অসিগী মতুংদগী দ তারাংখোম্বা অসি করিগুম্বা অমত্তা তৌজররোই হায়না থনখে। মরম অদুনা মণিপুরদা অমুক হন্না লৈবাক মরা তপ্না পানবা হৌথি।

মথক্তী লানথমশিং অসিদা নরসিংহদি মশাগী হৈশিংবা অদু নিংথিনা উৎপদা নত্তনা লালহৌবা কাংবুবু য়াম্না মুংশিনা তৌবিরম্মী। লানথম অসিদা লুচিংখিবা কাংবুদা মংক্লা পীথিবা য়াম্বং অদুগু য়াম্না চম্লম্মী। তরিংখোম্ববু শাওবগী মহুত্তা মহাক্কী য়াইফনবা অমাদ মহাক্কী অশোকপাশিং অদু থুনা ফগৎ-নবগী লাই নিংলম্মী[৪০]। রাজকুমার অসিগী মীচংদা য়াওরবা ফম তারবা

(৩৬) পোলিটিকেল লেত্তরস টু সেক্রেটারী ওফ ষ্টেটস, ২৩ জুলাই ১৮৩৩, মশিং ২৯।

(৩৭) ইবুংঙোহল সিংহ লাইবেনময়ুম, এন ইন্ত্রডক্সন টু মণিপুর, লমাই ১৮৯।

(৩৮) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, মে ১, ১৮৩৪, মশিং ৬৪, গ্রাণ্টনা জেনকিন্সতা ইবা, ৩১ মার্চ ১৮৩৪।

(৩৯) মথক্তী য়াওফম অসিদা।

(৪০) মথক্তী য়াওফম অসিদা।

জমাদার অমনা লালহৌ অতুগী মরমদা অম্তুম্না হায়রম্মী মতুদি তরিংখোম্বনা গম্ভীরসিংহগী ময়াম্‌, অহনগী মঙ্গা ইবুংঙো ওইবা মরম্না লালহৌ অতুদা মখোয়না য়াওকখিদ্রে। মরম্দি মণিপুরগী প্রজা ময়াম্না মখোয়দা মতেং পাংবিরকপা য়াই হায়বসি মখোয়না কন্না থাজরম্মী[৪১]। অদুবু লালহৌরিবা কা'বু অতুব কনানম্ম মতেং পাংলমদে। অতুম ওইনমক লাল অতুদা কছাড়, শিলং অমদি ত্রিপুরাদা লৈবা মণিপুরীশিংনা তরিংখোম্বগী মচং চংখমাল্লে হায়নদি চিংনরম্মী।

তরিংখোম্বগী লালহৌ অসিগী মতুংদা মারজীৎসিংহগী মচা ইবুংঙো জোগেন্দ্রজিৎ সিংহনা অতেপ্পা লাল অমা অমুক হৌরক্লম্মী। মতম অদু ফাওবা লৈংকল্লীবা মারজীৎ মহারাজনা মচা ইবুংঙোগী মীচং চংদুনা অর্জী অমদা সুপ্রিম গভর্ণমেন্টতা দরখাস্ত ওইনা থারম্মী[৪২]। মহাক্না হায়রিবদি মহাক্না মণিপুরগী নিংথৌ ওইরিঙৈদা জোগেন্দ্রজিৎ সিংহনা যুবরাজ ওইদুনা মণিপুরদা য়ুম্না কুইনা পাল্লম্মী আসনি। তৌইগুম্বসু হৌখিবা কম্মাগী লানদগীদি মহাক নিংথৌ ওইবা তোকখ্রবনি। অতুম ওইনমক লাল অসিদা মতম অদুগী এজেন্ট ওইরম্বা দেভিদ স্কোটনা হায়বদগী চেরাপুঞ্জীগী লানথমদা ব্রিটিশকী লান্মীশিংগী মতেং পাংখি হায়রে) গম্ভীর সিংহনা নোঙাংখবা আসনি। মহাক্কী মচা ইবুংঙোবু মণিপুরগী নিংথৌ ওইহনবিয়ু অমদি মহাক মশামকপু মণিপুরদা হনখবা য়াহনবিয়ু হায়দুনা দরখাস্ত থারম্মীবনি। মপাবুংনা হায়রিবা খাকম আসিগী মতুং ইন্দুনা জোগেন্দ্রজিৎ সিংহনা বঙ্গালা সরকারনা মণিপুরগী সিংহাসন পীবিয়ু হায়না হায়জরম্মী অদুগা মণিপুরগী সিংহাসন অসি মহাক্কী মপা নপুংশিংতনা নিংথৌ ওইদুনা লাকইবনি হায়নসু হায়জরম্মী[৪৩]। কম্পানীদমক্তা হৌখিবা লান্দা জীরিগী জঙ্গলশিংদা মহাক্না তৌখিবা উপাইশিং অদুসু পন্দুন হায়রম্মী। মহাক্না তৌবিখিবা থবকশিং অদুগী মহৈ ওইনা মেজোর গ্রণ্টনা মণিপুরগী সিংহাসন অসি মঙোন্দা হনজিনবিরগে হায়দুনা ওকিসাব অসিনা মণিপুর ফাওবা চৎখি হায়রি। তৌইগুম্বসুং মণিপুর অসিনা মতম অদুদদি মী তাদবা লমহাং অমা ওইদুনা লৈবা মরম্না গম্ভীর সিংহ মহারাজদা লৈবাক অসি শেমগৎ শাগৎনবগীদমক পীখোকখিবনি অদুগা মহাক মশানা মপা ইবুংঙোগা লোইননা হৌখিবা লান অদুদা চেরাপুঞ্জিগী

---

(৪১) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

(৪২) মারজীৎ মহারাজগী আর্জী, ১৭ ফেব্রুয়ারী, ১৮৩৪, পোলিটিকেল কনসলটেসন, ২০ মার্চ ১৮৩৪, মশিং ৩৮—৪০।

(৪৩) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

লানকমদা ব্রিটিশকী লাম্মীশিংগী মতেং পাংখি হায়রি। গম্ভীরসিংহ মহারাজনা লৈখিদ্রবা মতুংদ মখোয়না মণিপুরগী সিংহাসন অসি তাল্লিবনি : "মরম ময়াম অসিনা ঐখোয় অসি মণিপুরগী সিংহাসন কংকম খোকপা মীওইনি। ঐখোয়না কংকম খোক্লবা অসিগুম্বা কনাগুম্বা অমত্তনস্তু মণিপুরগী সিংহাসন অসি কংকম থোক্কে'[৪৪]। তোইগুম্বগুং সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা মখোয়না পাম্লবা ৱাকমাশিং অদু য়ারমদে।

অতম্না মখোয়গী হায়জবা অদুদা য়াবিদ্রদুনা জোগেন্দ্রজিৎ সিংহনা মণিপুর সরকারগী মাইয়োক্তা থুৎলাই পাইরম্মী। মহাক্না নোংমৈ চামরোম খোমজিন্নগা মণিপুরদা লাল তানবা হোৎনরম্মী। মসিগী অদুগী মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেণ্ট ওইরম্বা জর্জ গোর্দনদা জোগেন্দ্রজিৎ সিংহনা মণিপুরগী মাইয়োক্তা লান তৌরক্লবস্থু মাহ পাকপাদ ভমলোহ কায়না থাজরম্মী[৪৫]। অদুম ওইনমক পাউ অসি হেক ফংবগা পোলিটিকেল এজেণ্ট আসনা ফোর্ট উইলিয়মদা লৈবা মীওইশিংদা রাজকুমার অসিনা মণিপুরদা য়োরকপা ভমদনবা উপাই খীনবা পাউ থাখিরম্মী। বঙ্গালা সরকারনা পীরকপ পাওতাক্কী মতুং ইন্না শিলটতা লৈবা সুপরিনটেনডেণ্টনা থুনমক শিলট লাইট ইনফেনট্রীগী কাংবু অমা থাখিদুনা রাজকুমার অসিবু খংহোনবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং জোগেন্দ্রজিৎতি মহাকপু ভাকইবা লাম্মী কাংবু অদুবু নমথেক্লগা মহাক্কী লোইনবা মীওই ৩০।৪০ মুক্তা লোইননা মণিপুর বোমদা লান্দানবগীদমক চৎখে তায়দুনা পাউ থাবক্লম্মী[৪৬]। পাউ অসি কছুভদ লৈবা ব্রিটিশবা ডাবিসারশি দস্থু পীরম্মী। জোগেন্দ্রজিৎ সিংহবুত্ত ফাবকপা নত্রগা মহাক্না লৈকম থংবা ভম্ব মীওইদ। লুপা ৫০ মনা পীগনি হায়দুনা লাওথোকখ্রবনি[৪৭]। ত্রিপুরাগী নিংথৌদগু পাউ অসি পীখিরম্মী[৪৮]। বঙ্গালা গভর্ণমেণ্টনা থাখিবা অতোপ্পা সিফাইগী কাংলুপ থবনা, মরু ওইনা শিলট লাইট ইনফেনট্রীনা, জোগেন্দ্রজিৎ সিংহ অমদি মহাক্কী লোইনবশিংবু মাইথিবা পীরম্মী। লানফম অসিদা রাজকুমার অসিগী কাংবুগী লুচিংবা অনি, সিফাই অমা, নোংমৈ তরামরি ফিরাল অনি, রাজকুমার অসিগী শগোল খোলা, তা অমা অদুগা শামু

(৪৪) মংক্কী যাওফম আসগী জোগেন্দ্রজিৎ সিংহগী অর্জী, ১৭ ফেব্রুয়ারী ১৮৩৪।

(৪৫) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ফেব্রুয়ারী ২৮, ১৮৩৮ মশিং ৩৫—৩৭।

(৪৬) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৩ জনুয়ারি ১৮৩৮, মশিং ৮৫—৮৪।

(৪৭) মথক্কী য়াওফম অসিদা।

(৪৮) সিক্রেট কনসলটেসন্স, ১৪ জুলাই ১৮৩৮, মশিং ৩৪—৩৯, লিথজাতগী গোর্দোনদা ইবা চেৰোল, ১৯ মে ১৮৩৮।

অহম কারম্মী[৪৯]। ব্রিটিশ লামাগী গনেস জমাদার হায়বা নিংথৌ মচা অসিবু তাম্‌বা য়াওক্‌বা হুপ। অমনা থাংনা জোগেন্দ্রজিৎকী [illegible] য়াওবা হুপা অনি য়ারম্মী। অদুগা জোগেন্দ্র জিৎ [illegible] য়ানগে [illegible] অদুবু রাজকুমারগী অসিনা লোংথৈ কাপ্লকপদগী গুলিনা পান্দুনা জমাদার [illegible][৫০]। জোগেন্দ্রজিৎ অমদি মহাক্কী লোইনবা[illegible]না কাহত্তুনা চেনখবগী মথোয়বু [illegible][৫১]। অদুগী তুরেলগী মপা [illegible] রাজকুমার অসিনা মীচং থোমজুনা নৈরে হায়রা। [illegible] গোদে [illegible] ৪০০ থক মহাকপু থীনবা থাখিরম্মী। মহাক্কা কৃ[illegible] চেনখগে [illegible] হায়না থাখিবা লাম্মী অসিদা। [illegible] রাজকুমার অসিগী [illegible] কোম্মংগী লাম্মীনা [illegible] অদুগা [illegible] চেনখগে [illegible] জোগেন্দ্রজিৎ হাৎখি[৫২]। [illegible] জোগেন্দ্রজিৎকী লাগহোৎ [illegible]।

রাজকুমার [illegible] হক হল্লকপগা [illegible] রাজকুমার অসি [illegible] হায়বা [illegible] অরাবা য়াম্ন [illegible][৫৩]। রাজকুমার [illegible] লুপা ২৬১০ [illegible] অদুবু [illegible][৫৪]। সুপ্রিম গভর্ণমেন্টনা [illegible] অমত্তা [illegible] আস [illegible] মঙ্গংদা [illegible] মুংগান হায়না গভর্ণর জেনে-রেলগী কাউন্সলনা [illegible] কোর্ট অফ ডাইরেক্টরসনা য়ারম্মী[৫৫]। রাজকুমার [illegible] সুপারিনটেনডেন্ট ওইরবা

(৪৯) মথক্কী [illegible]।

(৫০) মথক্কী [illegible]।

(৫১) মথক্ক [illegible]।

(৫২) মথক্কী [illegible] ২১ জুন ১৮৩৮।

(৫৩) পোলিটিকেল [illegible], মশিং ৮৪—৮৫, গোর্দোন্না [illegible] ৮৪০।

(৫৪) পোলিটিকেল [illegible] ১৮৪২, মশিং ৫।

(৫৫) পোলিটিকেল কনসলটেসন, ৭ ডিসেম্বর ১৮৪০, মশিং ৪৪—৪৫, গোর্দোন্না মেক্লাথন্দা ইখা চেয়োল, ২৭ নবেম্বর, ১৮৪০।

জি: আর: লিংশন' মহাকপু কারম্মী অদুবু মচাক্কী কম অমদি নিংথৌ মচা ওইবগী বাকম অদু থম্নবদগী অমুক হন্দ্রদ থাদোকখিরম্মী[৫৬]। সুপরিন্টেন্ডেন্টনা রাজকুমার অসিগী পেন্সন অমা য়াম্নবনু পীনা কৈ হায়না হৌদোক্লম্মী[৫৭]। মতাং অসিদা ত্রিভুবনজিৎসিংহনা গম্ভীরসিংহ মহারাজ কৈনগী পাউ তারম্মী। মরম অদুনা রাজকুমার অসিনা সুপ্রিম গভর্ণমেন্টকী মণিপুরগী সিংহাসন পীবিয়ু অমদি গোবিন্দগী শেখ কংহনসিংবু হয়না দখল তু থারম্মী। অদুবু মহাক্কী হায়জবা হায়জবা অসি চৎনবা য়াদে হায়দুনা লৌরম্মী[৫৮]।

মসিংবা কাইবদুনা ত্রিভুবনজিৎ সিংহনা সংগোম অমদ জোগেন্দ্রজিৎ সিংহনা ঐথিবা কাংলৈগী ওগা হয়পা লাইরন মণিপুরগী মথক্তা লান হৌনরম্মী। রাজকুমার অসিনা মহাক্কী থুংলাই পাংথ কাম্মীগা লোইননা মণিপুরবীদমক খোংথানম্মা অদুগা খৃ ১৮৪১গী এপ্রিল থাদা জৌর তুরেল লানখোক্তুনা মণিপুরী লমদ চঙিলক্রম্মী। নরসিংহনা অয়াবা সিফাই থোমজলগা লান্দ রকইখ কাবুবু ডাকথোক্লম্মীদমক লৌবা তৌরম্মী[৫৯]। য়াম্না থুনমক অচৌবা লাম্ম [illegible] জাল অমা থাখম্মী। জৌরি তুরেলগী ওইথংবা তোকখনদা কৈগা মণিপুরগী যুদ্ধ অমদা রাজকুমার অসিগা লোইননবকপা [illegible] সুবাদার অচৌবা সিংহগী [illegible] পুরকপ [illegible] সিফাই হৃদয়কেনগী সিফাই হময়ুতবাগা খৃ. ১৮৪১গী এপ্রিল থা ১৯ দ লান থেংনরম্মী। লানকম অসিদা হাবিলদার অমা হাৎখি অমগা সিফাই অমন য়াম্না শাখিনা শোকখি[৬০]। রাজকুমার অসিগী [illegible] লগী অকোইবদা কোম্ম লাম্মীনা কোইশংশবত্তা ত্রিভুবনজিৎ সিংহনা লাইন চেনখোকখবম্মী। মরম অদুনা সুবেদার অসনা জমাদার অবদুল হুসেন হাম্নবা অমা সিফাই ২৩গা লোইননা ত্রিভুবনজিৎ সিংহবু তাম্নবা থাদিবম্মী। মাখোয়না রাজকুমার অসিবু লক্ষ্মীপুর ফাওবা তাম্নবম্মী অদুগ লাম্মীদা লু [illegible] কাবম্মী। [illegible] রাজকুমার অসিদি

(৫৬) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৭ জুন ১৮৪১, মশিং ৫৯—৬১, গোর্দোন্না মেক্কাথন্দা ইব চোয়াল, ২২ মে ১৮৪১।

(৫৭) মথক্কী যাওফম অসিদা।

(৫৮) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৩ জুলাই ১৮40, মশিং ৪৯, ত্রিভুবনজিৎ সিংহগী মেমোরিয়ল, ২৭ ডিসম্বর ১৮৩৯।

(৫৯) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২৫ জনুয়ারি ১৮৪১, মশিং ৯৪—৯৫।

(৬০) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৭ জুন ১৮৪১, মশিং ৫৯—৬১।

(৬১) মথক্কী য়াপকম অসিদা।

মহাক্কী লোইনবা খরগা ইরোইচুন চনখিরম্মী[৬১]। রাজকুমার অসিনা মরাইবক ফতনা চেঙ্গখ্রবত্ত মহাক্কী লাম্নীংদি থাম্বগা থুগাইবম্মী। খৃঃ ১৮৪১ গী এপ্রেল তারিখ ২৭ গী নুমিদাং অমদি তারখ ৩০ গী নুমিদা খুজু খুৎলাই অমদি নোংমৈ মরু কয়ামরুন অমত্ত ফাবম্মী[৬২]। গভর্ণর জেনেরেলগী কাউনসিলনা সুবেদার অযোধ্যা সিংহবু খনজ্জ নুপুরু চৎ অমাদ থাংবা কনগ লোইনন, ত্রিভুবনজিৎ সিংহ অমদি মহাক্কী লোইনবাসিংবু তানগাসিবা মতুংইদমক্ত শাগৎলম্মী। মরম অদুনা কাউসিলনা মহাক্পু মন অম পীননব খরম্মী[৬৩]। হৌজিক কাউনসিলগী কাউনসিলনা ত্রিভুবনজিৎ সিংহগী লালহৌদা মরুবা ফাংবুশিং অদুবু য়ামদ্রে দা বন্দি পীননবা খরম্মী অদুগ অতৈ থোইদাক্ল মরু শইদবশিং অদুনা তুংদা তৌরগদ্ধ হায়বনা চিংবা চৈবাক থরা পীংগা থাদোকপিনব অমদি কুলিশিংবুদি অদুমক থাদোকপিনবা হায়জরম্মী[৬৪]।

ত্রিভুবনজিৎ সিংহনা মহক্কী মনাও ইবুংঙো রাম সিং, অহোম্বা রাজকুমারশিং অমদি লাম্নীত ফুগা লাইননা অনুকচম কছাড়গী লম্বাদা লৈবা ফুংবা হায়বা কম অদু কাওনা মণিপুরগী দমক ইশিংনম মখোযনা চংশিনকপা অদু সন কোম্পানী লন্থানা মরম মপোযা চেনাখনবা কয়া হোৎনবম্মী[৬৫]। মখোয়গী লৈকম অমদি লোৎলমগী পাড়ংনা থিনা পীবা মতুংদা রিজেণ্ট মশামক য়াওবা সনা কোম্পানীগী মচোব লাম্না অঙ্গাল অমা লান্দাবকইনা কাংবু অদুবু থিংননবা হোৎনরম্মী। খৃ. ১৮৪১ গী মে মাং ১২ গী নুমিদাং বাইরমদা লান্দাংরকুনা কাংবু অদুবু কোংশিনলম্মী। ত্রিভুবনজিৎ অমদি মাগী লন্থানা মখোয়বু কোইশিন্নকুবা সন কোম্পানীগী লাম্নবু মথং ইবগ চেনখিলম্মী অদুগা মীওই কয়া [illegible]মণ্ডু হাংখি রাজকুমার অসী লোইনন মীওই কয় মক্রমত্ত মথাই থাখি। মনাও ইবুংঙো রামসিংগী য়াম্ন শাগিন শোক্রুম্মী অদুগ ত্রিভুবনজিৎকী মীচংদা য়াওনবা মীওই খরনমু মাং থাদাকুন ১২ খবম্মী। লোমহৌবা মীওই ৩০ মুক্তা লোইননা ত্রিভুবনজিৎন মণিপুর লম্পাক কাওবা অদিংবা লৈতনা কুমথরক্রগা খৃঃ ১৮৪১ গী মে মাং ১৫ দা তারিখ অটমী কাছারদা লান্দাবম্মী[৬৬]। মরম অসিদদি মহা ওইরিবা মহারাজ তম্মদ মম হাউস লিঙ্গ রিজেন্টকী লোম্নদ কৈরম্মী।

(৬২) মথক্কী য়াওরম অসিদ।

(৬৩) মথক্কী য়াওকম অসিদ।

(৬৪) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

(৬৫) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২৮ জুন ১৮৪১, মশিং ১২৮—১৩২।

(৬৬) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

লান্দারকপা অসিগী পাউ হেক ফংবগা মপোম্বনা রিজেন্টকী ইমুং মন্থুংগা লোইননা কোম্থুংদগী মাইল থবা লাপ্প লৈবা মকম অমদা লান থৈরম্মী[৬৭]। লান্দারকইবা কাংবু অতুনা মী মাম্রা ছাৎলম্মী অদুগা মপোম্বু সনা কোম্থুংদা লৈবম্বা মীওই থরনা মতেং পাংশিনবদগী সনা কোম্থুংগী থুংলাই থমকমশিং অতু ফাওবা লৌশিনবা ঙম্মী। থুংলাই থমকম শং অসিদগী ত্রিভুবনজিৎকী কাংবুনা মপোম্বু তানথোক্লবা হোৎনরিবা সনা কোম্থুংগী লাম্মীগী মথক্তা অংৎপা লৈতনা নোংমৈ কাপ্লম্মী। রিজেন্টকী কাংবুনশু য়েক্লববু তানথোক্লবা কন্না হোৎনরম্মী। তৌইওম্বম্থুং রাজকুমার অসিনা মনাও ইবুংঙো থমদি অংে প্প মীওই থবগা লোইননা থুংলাই থমকম শং অদুগী থোং লোনশিন্দুনা লৈখিবনা মপোম্বু তানথোকপা ঙম্মমদে। অদুম ওইনমক মথংগী অয়ুক্তা পুং ১০ তাবা মতমদা সনা কোম্থুংগী লাম্মীনা থুংলাই শংগী থোং অদু নমথাইরম্মী। ত্রিভুবনজিৎ সিংহগী মনাও ইবুংঙো রামসিংহ লানকম অসিদা নোঙাখিরম্মী অদুগা ত্রিভুবনজিৎ মশামকশু বন্দি ওইরদুনা রিজেন্টকী মনাক্তা পুবকপ মতমদা অদ্রাং ওলহনখি[৬৮]। লুচিংবনা লৈখিত্রবদুদদি লান্দারকইবা কাংবু অদুবু ইবাউ লাইনা তানথাইখিবম্মী। মথক্তী লানকম অসিদা পোলিটিকেল এজেন্টতি থুং থংজিনদমদে। মদুগী মতুংদা লান্দারকইবা কাংবু অসিদগী ঙাকথোক্লবা রেসিডেনসিবু ঙাক্নুনা লৈবনা হেন্না ফৈ হায়না থল্লম্মা[৬৯]। লান্দারকইবা কাংবুগী মীওই অমাম্বা ফারম্মী অদুগা মী ১২ অমদি দণ্ডি পীরম্মী (থা ১৮ জেল অদুগা লুপা ৩০ ফাইন মী খুদিংগী, হায়রিবা অসি পীবা ঙমদ্রগনা চেন থাং‌ফনা লম্বীদা থবক পুরা[৭০]।)

খৃঃ ১৮৪১ গী মে তাং ১৬ তা কারাবা হায়বা রাজকুমার অমনা চন্দ্রকির্ত্তি সিংহবু সিংহাসনদগী লৌথোক্লবা লান হৌরক্লম্মী। রাজকুমার অসিগী কাংবু অসি ত্রিভুবনজিৎ সিংহগী মীচংদা যাও হায়রুন্দা [illegible]দে মরমদি ত্রিভুবনজিৎ সিংহনা নিংলে ওইববন্থ মহাকপু অমুক লৌথোক্লগী লান হৌবকপা তাবনি[৭১]। কারাবগী লানথো অদু মাইথীরম্মী। খৃঃ ১৮৪১ গী সেপ্তেম্বর থাদা কছাড়গী পারবিটর সিংহ, নোরেন্দ্রজিৎ সিংহ অমদি নীলাম্বর সিংহনা মণিপুরগী সিংহাসনগীদমক্তা লান হৌরক্লম্মী[৭২]। মণিপুর অমদি কছাড়দা লৈবা ব্রিটিশকী

(৬৭) মথক্তী মাওফম অসিদা।
(৬৮) মথক্তী মাওফম অসিদা।
(৬৯) মথক্তী মাওফম অসিদা।
(৭০) পোলিটিকেল কন্সলটেসন্স, ২৭ মার্চ ১৮৪৪, মশিং ১৪।
(৭১) পোলিটিকেল কন্সলটেসন্স, ২৮ জুন ১৮৪১, মশিং ১২৮—১৩২।
(৭২) পোলিটিকেল কন্সলটেসন্স, ১৮ অক্টোবর ১৮৪১, মশিং ৫৮, গোর্দোন্না লিয়মসন্তা ইবা চেয়োল, ২৭ সেপ্তেম্বর ১৮৪১।

অকিসারশিংনা রাজকুমারশিং অসিনা মণিপুরদা চংশিল্লকপা ওমদনবা অমদি তুংদা থুদোংখিবা পীরক্লবা অমদি কছাড়দগী থাপ্না তাক্লোকখিনবা হোৎনরম্মী৭৩। মখোয়না থনবা অসি স্থুপ্রিম গভর্ণমেন্টনা যারম্মী। মতৌ অসুম্না রাজকুমার ওহুম অসিবু ঢাকা তাম্না পুখিৎলম্মী৭৪। মখোয়বু দবজিউং: আই: এলেন হায়বা মেজিষ্ট্রেটনা ওাক্তুনা থনম্মী৭৫। রাজকুমার শং অসিগী লৈকমদা নভুনা পারবিটরস হনা কম্পা নদগী লুপা ৭৭ ৩-৩ অন্থুগা নীলাম্বরনা লুপা ৪৬-৫--৪ কম্ভিপুরণ ফংলম্মী৭৬। নরেন্দ্রসিংহনা পৈশা কয়া ফংলঘগে হায়বগী রেকোর্ডতা ফংদে। মহাকসু অকোনবগী রাজকুমার অসিনা ফংবা পৈশা অসুক য়াম্না ফংলম্বা য়াই। রাজকুমারশিং অসি জেলদা অবাবা য়াম্না থাংংলম্মী মরম অদুনা মখোয়বু থাদোকপীবো হায়না হায়জরম্মী। মখোয়গী মরান য়াজবগা লোইননা মখোয়না শিলটতা লৈবা অসি গভর্ণমেন্টকী য়াম্না চিংনিংঙাই ওইবা মরম্মিনা ঢাকা ওগা কোমিল্লাদা মতম চুপ্পগী ওইনা লৈথগে হায়জরম্মী৭৭। ঢাকাগী কমিসনার ওইরম্বা ইং এমং গাদোর্ণ অমদি মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টনা বাঙলা সরকারদা রাজকুমার শং অসিবু থাদোকপীরো হায়জরম্মী। গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সলনা মণিপুরগী নিংথৌমচাশিংবু থাদোকপীবো হায়রিবা য়াকম অসি যারম্মী মরম অদুনা মখোয়বু থাদোকপীরম্মী৭৮। মতৌ অসুম্না রাজকুমারশিং অসিনা মণিপুরদা পীরক্লবা থুদোংখীবশিং খরো মতম চানা থীংলম্মী। য়াকম অসি ব্রিটিশ সরকারনা মণিপুরগী হমুং মঙুংগী ওইবা রাজনীতিদা থুং শিংজিনবা হৌরকপগী তংবা মহৌন।

পীতাম্বরসিংহগী য়াকম :

মথক্তা হায়খুবা অদুক্তম চহী ৭ শুস্ত কপগী (১৮১৯-১৮২৬) মঙ্গংদা পীতাম্বরসিংহবু হীরাচন্দ্রগী মতৌং পাংননবা কছাড়দগী মণিপুরদা খুঃ ১৮২২ দা থারকখি। গম্ভীরসিংহগী মখুত্তা মাইথীবা নংবদগী রাজকুমার অসি অবাদা খুঃ ১৮২৩ দা খুন্দাদুনা লৈখি। মতম অসিদগী হৌরডুনা মহাক্না মকম অদুদা

(৭৩) মথক্তী থাওকম অসিদা।

(৭৪) পোলিটিকেল কন্সলটেসন্স, ২ এপ্রিল ১৮৪৩, মশিং ৯৬—৯৭।

(৭৫) মথক্তী থাওকম অসিদা।

(৭৬) মথক্তী থাওকম অসিদা।

(৭৭) মথক্তী থাওকম অসিদা।

(৭৮) মথক্তী থাওকম অসিদা।

মণিপুরী শগোলগী কমান্দর ওইরম্মী[৭৯]। গম্ভীরসিংহনা নোঙ্গাথিবগী প্যাও ফংবগা মহাক্না বর্মাগী রেসিদেন্ট ওইরব্বা মেজোর বর্নিদা বর্মাগী নিংথৌনা মঙোন্দা পীরিবা লম অসিনা মাগী ইমুং মনুং থাকপা ওকত্রে অদুনা মণিপুরদা হনখিনবা পার্মিশন পীযু হায়দুনা হায়রম্মী। মরম অদুনা রেসিডেন্ট অসিনা গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলদা রাজকুমার অসিনা থলিবা অপাম্বদু উৎতুনা নিংশিংলম্মী। মতাং অসিদা এজেন্টনা মরনাইগী ওইবা থাকমদু কোংদোক্লম্মী মতুদি রাজকুমার অসিবু মণিপুরদা হলহনখিবা তারবদি মতম অদুদা বর্মাগী প্রজা ওইদুনা লৈরবা মণিপুরী কাংলুপ অমা মহাক্কী মতুং ইনখিগনি[৮০]। পীতাম্বরনা মণিপুরদা হল্লবাদ রিজেন্টপু অমাদ নহা ওইরিবা নিংথৌবু য়াবা মীওইশিংগী মরক্তা য়ায়া হুং-ডাইনদবা থোরক্কনি। অদুবু পীতাম্বর সিংহনদি রিজেন্ট মশামক্তা মহাকপু মণিপুরদা হল্লক্লবা হায়রকই হায়দুনা মেজোর বর্নিদা হায়রম্মী অদুগা মহাক্না হনাখবা মতমদা হনখিবা য়াবোই হায়দুনা বর্মীজ গভর্ণমেণ্টনা থিংবা য়ারোই মরমদ মহাক্না বর্মাদা লাকখবা অসি মহাক্না লাকচনিংদুনা লাকখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক্না বর্মা লৈবাক্কী ইবাং থোকহন্নবদি তৌরোই হায়রম্মী[৮১]। মরম অদুদা বর্নিনা মণিপুরগী লুচিংবা মীওই থরনা মণিপুরদা লৌরবা শাসনগী মওং অদুদা পেন্দবদগী মণিপুর সরকারগী মথক্তা লাল তৌগে হায়দুনা রাজকুমার অসিবু বার্ত্তন তৌরব্বা য়াই হায়রি।

সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা মণিপুরদা লৈবা পোলিটিকেল এজেন্টতা পীতাম্বর সিংহগী থাকম অসি থংহনখিবনা। রাজকুমার অসিনা মণিপুরদা হল্লকপা অদু এজেন্টনা য়ানিংদ্রমদে। রিজেন্টনা রাজকুমার অসিবু মণিপুরদা লাক্লবা বার্ত্তন তৌই হায়রবা অসসু রিজেন্ট মশামক্তা য়াররমদে[৮২]। অসিদসু নত্তনা পীতাম্বরসিংহ অসিদি গম্ভীরসিংহ মহারাজগী থুাইদগী মরু ওইবা য়েক্লবন হায়রি অদুগা মহাক্না বর্মাদা চংখবা অসি গম্ভীরসিংহ অমদি ব্রিটিশ সরকারনা বর্মাগা য়ায়া য়েংথিনরিঙে মতমদনি। মণিপুর সরকারনা বর্মাদা লৈবা রেসিডেণ্টতা অস্তুমা

(৭৯) পোলিটিকেল কনসলটসন্স, ১৯ ডিসেম্বর ১৮৩৩, মশিং ৮৫—৯৩, বর্ণসন্না মেক্লাথন্দা ইব, ৫ ওক্টবর ১৮৩৩।

(৮০) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২৮ মার্চ্চ ১৮৩৬, মশিং ৫০—৫২ ; বর্নীনা মেক্লাথন্দা ইবা, ৩ ফেব্রুয়ারী ১৮৩৬।

(৮১) মথক্কী যাওকম অসিদা।

(৮২) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ১৩ জুন ১৮৩৬, মশিং ১১—১২, পেমৰ্তোম্না মেক্লা-থন্দা ইবা ১৫ মে, ১৮৩৬।

থংহল্লম্মী মতুদি গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলনা পীতাম্বর সিংহবু মণিপুরদা হল্লক্কবগী বাকম থম্বা য়াররোই। বর্মীজ সরকারনসু বাঙ্গলা সরকারনা হায়জরকত্রবদি পীতাম্বর সিংহনা মণিপুরদা হনথিবা অসিদা য়ানিংলমদে[৮৩]।

অতুম ওইনমক বর্মাগী নিংথৌগী পুক্নিং অদু য়াম্না থুনা হোংলম্মী। মহাক্না পীতাম্বর সিংহগী মিচং চংলম্মী। রাজকুমার অসিনা মণিপুরগী সিংহাসন কংফম থোকই হায়দুনা মহাক্না থল্লম্মী। সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা করিগুম্বা বর্মাগী নিংথৌনা পীতাম্বরসিংহনা মণিপুরদা হল্লক্কবা মীচং চংলক্কবদি ভাকথোক্কবগী থৌরাং পাইথংলম্মী। মণিপুরদা লৈবা পোলিটিকেল এজেণ্টনা হায়বদগী শিলট লাইট ইনফেনট্রিগী কম্প্যানি মতানা শাবা লাম্মী তেঙ্গোল অমা লক্ষিমপুরদা থমম্মী। বর্মানা থমকা তৌরকপদু মতম চানা থীংননবা হোৎনরম্মী। অসিদগু নত্তনা মণিপুরগী মতুং অমসুং মপান্দগী ওইবা খুদোংথীবশিং অদু বাঙ্গলা সরকারনা মতম চানা মতেং পাংজকপদগী ভাকথোকথিরম্মী মতুগা মণিপুরদা অমুক হন্না লৈবাক মরা তপ্না পানবা হৌখ।

---

(৮৩) পোলিটিকেল কনসলটেসন, ১৮ জুলাই ১৮৩৩, মশিং ৫৩, ১১৫ ; বর্মীনা মেঙ্গা থম্বা ইবা চেয়ারোল, ২৪ মে ১৮৩৩।

অহুমশুবা পন্দুপ

লৌতুনবা অমদি লালহৌবশিং :

মথক্কী পন্দুপ্তা হায়খিবা অদুগুম্না নরসিংহনা নহা ওইরিবা মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তিসিংহবু সিংহাসনদগী থাংথনবা হোৎনবগী লালহৌশিং অদুবু মাইথীবা পীখি। অদুম ওইনমক থোহদোকপা মরুওইবা মখম লৈতনা নরসিংহনা রিজেন্টসদগী তোক্লগা বৃন্দাবনদা পুন্সি চুপ্পা লেঙ্গক্লগে হায়না খুনম্মী। মরম অদুনা মহাক্না মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরম্বা কেপ্টেন গোর্দোনগী মত লৌরম্মী। পোলিটিকেল এজেন্ট অসিনা বাকম অসি গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলদা থাগৎলম্মা অদুগা করিগুম্বা নরসিংহগী বাকম অসিদা য়াথবদি মহাক্কী মচুৎ শিনগদৌরবা মনাও ইবুংঙো দেবেন্দ্রসিংহ অসিদি মতিক চাদবা ওইবা মরম্না নরসিংহনা হায়রবা বাকম অসি য়াবিগনু হায়না হায়রম্মী। গভর্ণর জেনেরেলনা কেপ্টেন গোর্দোনদা হায়রবা বাকম অসি য়ারম্মী। অগুম্না নরসিংহনা মণিপুর থাদোকচরগে হায়জরিবা বাকম অসিদা য়াখিদে।

মহৌশানা নরসিংহ অসিদি অকবা মীনি। মহারাজ অমদি মমাইবেম্মা মহারানীবু ইকাই খুম্নবগা লোয়নননা পুনা তৌজরম্মী[১]। তৌইগুমসুং মহারানীনদি নরসিংহনা মজা ইবুংঙোগী লম্বীদা খুরৌ চেনবা পীহুনা মশামক্না মণিপুরগী নিংথৌ ওইরক্কনি হায়না চিংনরম্মী। নরসিংহনা অসুক য়াম্না অতোনবা থবক তৌরকুনা মাজইবুংঙোবু মাংহনবা শিলক্কনি হায়বসি মহারানীদি খল্লবা ঙমখিদ্রে। দেবেন্দ্রসিংহ হায়বা মণিপুরগী সিংহাসন য়াম্না পামজবা নরসিংহগী মনাও ইবুংঙো অমগা মহারানীগা তিন্নথ। তৌইগুমসু নরসিংহবু প্রজাশিংনা নুংশিবিবা অদুগী চাং নিংথিনা খংলবা দেবেন্দ্রসিংহনা মমাংনুংবু লৌথোক্লবা হোৎনবা অসি অবাইবা থবক ওইংমদ্রে[২]। মরম অদুনা মহাক্না মমাইবেম্মা মহারানীদা মজাইবুংঙোবু শাংৎলগা শোইদনমক নরসিংহনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইথান হায়রুনা ইনাশনবা হৌরম্মী। মহাক্না খল্লম্বদি করিগুম্বা লৌতুনবা অসিনা মাই পাক্তনা ... সিংহবু হাৎপা থেংক্লংদি মহক্না ইরাই লাইনা চন্দ্রকির্ত্তিসিংহবু

(১) পোলিটিকেল কনসলটেসন, ১৬ আগষ্ট ১৮৪৬, মশিং ১১৮—১১৯।

(২) জে রোইঃ হিষ্ট্রী অফ মণিপুর, লামাই ৮৭—৮৮।

হাঙ্খোক্লগা মণিপুরগী নিংথৌ ওইবা য়াগনি অসিনি[৩]। করিগুম্বা লৌতুনবা অসিনা মাইথিরবস্তু মহারানী অমদি মজাইবুংডোবুদি শোইদনমক লাই থাথগনি। অদু ওইরবদি নরসিংহনা থুপথগা মহাক্না ইরাই লাইনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইবা য়ারগনি অসিনি।

নরসিংহবু হাৎনবা লৌতুনবা অসিদা মহারানী, গম্ভীর, পাদশাং অমদি মহাকপু য়াজবা অডম অথৌ কয়ামরুম মহাক্না মীচংদা য়ওহনবা ডমথি। মরম অদুনা রিজেন্টনা হোৎনজবা পূর্ণমক অসিন মহারানীনা মাবু হাৎকদবগী হোৎনরিবা অসিদগী কনবা ঙম্লমগে। মতম অসিদা রাজকুমার নবীনসিংহ হায়বা নরসিংহগা য়েথিনাথবা মুপা অমনা রিজেন্টপু হাৎকে হায়রা চোং-থোরক্লম্মি। বাকম অসি মহারানীনস্তু য়ারম্মী[৪]। রাজকুমার নবীন হায়রিবা অসি থাপ্ররবস্ত নিংথৌগী জাত। গম্ভীরসিংহনা পারেঙে মতমদদ য়াইবা মুপা অমত্ত ওইরম্মী। নরসিংহনা মহাকপু কম লৌথোক্লগা কৈথেলম্পাদা পাথাইনা থাবা চেনগী মতম্তা থোৎনা থাব চেম বন্দি থমথি (রাজকুমারশিংদি পাথাইনা থাবা চেম্না পুনবা হায়বা অসি মণিপুরগী চৎনবীনি)। থোদোক অসিনা নরসিংহ অসি নবীনসিংহগী শত্রু ওইবা। মেক্লগা কম ওক্না লৌব। মথাক থুংডাইতবদগী নবীননা নরসিংহবু হাৎকে হায়না বাশকারবানি। মণিপুরী শংগী চৎনবীদা হায়রিবনা নরসিংহবু হাৎনবা থাজদা থোরাং তৌথবা অসি নবীন মথন্তনি অসিনি। অদুবু বাকম অসিদি থাজদিংডাই লৈতে মরমদ নবীনগুম্বা কৈন্দু লৈতবা মীওইনা অমুক চাওবা থবক অসি থাই পাক্না তৌরণি হায়বাসি থাজবা বাৎনি[৫]। অদুম ওইনমক হায় বাবম জাকপা ওইবম্বা চনবাগী মনাই থোকচাও, কৈথেল লাকপা থেকা ভন্ডার, পণে, লাইরিক থেংবা লালু অমদি অতোপ্পা থাক্কিশিংনা হায় রবাদ লৌতুনবা অসি মহারানীনা মকোক্ত অসিনি[৬]।

হায়রা য়ানপবা বাকমগী মতুং ইন্না নরসিংহবু হাৎকে হায়দুনা লৌতুনবা মীওইশিং অদু নবীনসিংহনা মকোক চিংডগা খৃঃ ১৮৪৪ গী জানুয়ারী তাং ২৭, থাংজ মুমিংকী মুমিদাং বাইরমদা কোহংদা চংলক্লনা রিজেন্টনা লাইশঙদা লাই থুরম্লিদৈদা নবীনসিংহন পানা য়াংথক্লম্মী[৭]। লাইবক ফবদগী নরসিংহ

(৩) মথক্কী থাওফম অসিদা।
(৪) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২৭ এপ্রিল, ১৮৪৪, মশিং ২০০।
(৫) মথক্কী য়াওফম অসিগী মশিং ১০১—১০২, খৃঃ ১৮৪৪ গী জনুয়ারি তাং ২৭ ডগী ফেব্রুয়ারি তাং ৩ ফাওবা গোর্ডেন্না লৌথব শাক্সিশিংগী জবান।
(৬) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৭ মার্চ ১৮৪৪ মশিং ১৭৭—১৮৫।
(৭) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২৭, এপ্রিল ১৮৪৪, মশিং ১০০—১০৩।

সেনাপতিগী হকচাংদা য়াম্না শাথিনা শোক্লবসু থবাইমক্তি মাংলমদে। তোই-ঙম্বসুং রাজকুমার নবীনসিংহদি থুদক অত্নমক্তদা মনাক্ত লৈরম্বা সিকাইশিংনা কারগ অঙাং ওলহন্থি। নবীন চাংশিনবগী ইলাং লাংলিডৈগী থুদোং চাবা লৌথুনা অতৈ লৌথুনবদা য়াওক্লরা কাংবুশিংদ চেনথিরম্মী। লৌথুনবা অসি মতৌ য়াম্রে হংম্ববা মহারানী অমদি অতোপ্পা কোংসুংগী ফুরীশিংনা বাম্বা তারিডৈদা থাঙ্গালন মহারানীদা পান্দ ওন্নম্মী। ওন্নরিবা পাও অসিগী মরোল কর্ম হায়রবনো হায়বদু খিল্লাম্লবা মীওই অমম্মনত তারমদে[৮]। পাও অসি হেক ফংবগা মহারানীনা মঙ্গাইবুংডো চন্দ্রকির্ত্তিগী মরম্ কবি অমতা হংলমদনা কোম্লুং থাদোক্তুনা চেনথিরম্মী অদুগা মতুং থরা লৈরগা মঙ্গাইবুংডোগা লোইননা মণিপুর থাদোকর্তুনা চেনখিবম্মী[৯]।

মহারানী অমদি মহাক্কী তুংইনবা কাংবুশিং অদুনা খৃঃ ১৮৪৪ গী ফেব্রুয়ারী তাং ৩ গী মুংমদাং য়াইরমদা কছাড়দা থুংলম্মী[১০]। কছাড়গী সুপরিনটেন্ডেন্ট ওইরম্বা কেপ্তেন লিয়নসনা মথোয়গী মতিক চাবা লৈকম্নচিংবা শীন লাংলগা হাঁসিলদার অমানা লুংলবা সিপাই কাংবু অমবু চন্দ্রকির্ত্তি থমস্ত্রং মমাইবেম্মবু ভাক্লবা থাশিবম্মী। অদুগা বাকম অসি বাঙ্গলা সরকারদা থংহনখ। সুপ্রেম গবর্ণমেন্টনা লয়ক্সুন হায়রবা বাকম, অদুতা লোমগা থোদোক অসিগী মরিমথোং শীনবদি মরিক চুম্লহই হায়না মণিপুর সরকারদা অমদি মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টত রিজেন্ট অসিব হা নবা লৌতুনবা মতাংদা মহারানীনা শরুক কয়াম্না য়াগিবগে, হায়বদু খিজিল্লকউ হায়দুনা পাও থাখিবম্মী। মতম অদুদা মহারানীনা বাঙ্গলা সরকারদা অঙুম্না বাকৎলম্মী মদুদি নোংমা মহাক্না য়াম্না কম্ন লাও থোংবা অম তাংশ অদুগা রিজেন্টপু থাংনা য়ান্দুনা হাৎথে হায়রবা পাও ফংবদগী অদুগ পোলিটিকেল এজেন্ট গাদোম্না কছাড়দগী মণিপুর তাবা লম্বী য়েংবা চংশিনুনা মহাক মশামক অমদি মঙ্গাইবুংডোবু ভাকশিনবা মী লৈতুবদগী কছাড় তাম্ন চেল্লত্নুনা লম অসিগী সুপরিনটেন্ডেন্টকী মনাকা চংজকম বিত্নুনা লৈরে অসিনি[১১]। মতম অদুনা মহারানীনা ব্রিটিশকী মতেংনা মঙ্গাইবুংডোবু মণিপুরগী নিংথৌ ওইহনবীয় হায়জরম্মী[১২]।

(৮) মথক্কী য়াওকম অসিদা।
(৯) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৩০ মার্চ ১৮৪৪, মশিং ১৩০—১৩৪।
(১০) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ১৮ মে, ১৮৪৪, মশিং ২১৬—২১৭।
(১১) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২৭ এপ্রিল, ১৮৪৪ মশিং ১০০—১০৩।
(১২) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

গোর্দোন্না সুপ্রিম গভর্ণমেন্টতা পাও পীরম্মী মতুদি মতম অতুদা মণিপুর তম্প্রাক্তা পোলিটিকেল এজেন্ট (মহাক মশামক) লৈংত মরম অতুনা মহারানীনা মঙ্গাইবুংঙোগা কছাড়দা চেনখিবনি হায়বসি মহারানী মশামক্না হায়জবা বাকমগন্ত খেইয়ে। এজেন্টনা হায়রিবনা খৃঃ ১৮৭৪ গী জনুয়ারি তাং ২৪ দা হায়বদি খোদোক অসি থোক্লদবা তুমিং ৪ নিগী মমাংদা কোম্নুংদগী মাইল ১৭ থাপ্না লৈবা বিশেনপুরদা মহাক মশামক খোরক্লে হায়বসি মহারানীনা থংলবনি অসিনি। মরম অতুন মহারানীনা এজেন্টপু কছাড়গী মণিপুর তাবা লম্বীদা লৈবা তুংবাদা খিবা ফংকম থোক্লবনি। মহারানী অসিনা অনৌব লম্বা লম্বীসিদা চংতুনা অতুগা পোলিটিকল এজেন্টপু থংদনবা হাংনবা অসিনা মহাক মশামক জনানবা থবক হৌরক্লে তাকচরানি। অসিদগী নত্তনা মতম অতুদা কছাড়দা পন্দুনা লৈরম্ব। মণিপুরগী এসিষ্টেন্ট পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরম্বা লেপ্তেনেন্ট মেকক্লোক্লা মহারানীনা অসিংবা য়াওনা অনৌবা লম্বী অসিদা চংল্লগা পোলিটিকল এজেন্টপু উন্দনবা হংনাখবনি হায়রি[১৩]। মণিপুরগী অতম অথৌ ময়াম্না পোলিটিকল এজেন্টকী মনাক্ত লাক্লগা হায়রম্মী মতুদি দেকা তম্দারী নক্রগা মহারানীন এজেন্ট ওইনা শর্জয়রম্ব। তুপা অতু চেনখিগে তৌবদগী কারম্মী। মহাক্ন মহারানীসু নর্সংহবু হাংননবা লৌতুনবদা য়াওথি হায়তুনা সক্কি পীরম্মী[১৪]। হায় দেবান ওইনম্বা কৈথেল লাকপা দেকা তন্দারীনা অতুয়া মহাক্কী জবন্দা শাক্ক পীরি মতুদি কবতুব লৌতুনবা অসিন। শোইরবদি মথাত কয়নবগীদমক মহারানী অসিনা মণিপুর থাদোক্তুনা চেনখিগনী ফাওবা হায় ম্মী[১৫]। জবান অসিনা অশুম্নমু হায়রি মতুদি লৌতুনবা অসিগী তুমং থংজ তুংমক্তা লেপখিবা অসন্ত মহারানী অসিনা লেপখিবনি[১৬]। পদৈ অমদি নার্থক য়েংবা লানুনা হায়রিবদি করিন্তুবা লৌতুনবা অসিনা শোয়রবদি বঙ্গাল ফাংবা চেনখগনি হায়না মহারানীনা হায়রম্মী হায়রি[১৭]। অসিদগী নত্তনা নংথোজাম, পেচা, চবুংবা সুবেদার অমাদ

(১৩) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২ মার্চ ১৮৪৪, নম্বর ১৭৭—১৮৫।

(১৪) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২৭ এপ্রিল ১৮৪৪; নম্বর ১০১—১০২. খৃ ১৮৪৪ জনুয়ারি তাং ২৭ তগী ফেব্রুয়ারী, তাং ৩ য়াওবদা গোর্দোন্দা লৌখিবা শাক্কিগী জবান।

(১৫) মথক্কী য়াওফম অসিদা।

(১৬) মথক্কী য়াওফম অসিদা।

(১৭) মথক্কী য়াওফম অসিদা।

ক্ষেত্রি জমাদারনা পীবা জবাম্না অসুম্না হায়রি মতুদি নরসিংহ হাৎনবা লৌতুনবা অসিনা হেক শোয়বগা মহারানী অমদি মজাইবুংঙো অনিমক কোম্নুংদগী মাংখ্রে অসিনি[১৮]। মহারাজগী মবোক ইবেম্মা ঙাংবীনা পীবা জবাম্না হায়রিবনা খৃঃ ১৮৪৪ গী জনুয়ারী তাং ২৭ কী নুমিদাংবাইদা থাঙ্গাদনা কোম্নুং কাওবা লাক্লগা মহারনীগা বা ঙাংনরম্মী অসিনি[১৯]। পাও অসি হেক কংবগা মহারানী অসি থগৎপগা লোইননা অশংবা থ্বাংজেৎ শেৎচিল্লগা মমাং পোংদা চেনখি অসিনি। করিদৌরিবগে হংবদা করি অমত্তু থুম্রমদে হায়রুনা ঙাংবিনা হায়রি। নুমিৎ অসিদগীদি মহারানী অমদি মজাইবুংঙোসি কোম্নুংদা অমুক উথিদ্রে। মহারাজগী মবোক ইবেম্মানা অসুম্না অমুক্কা হায়রি মতুদি থোদোক অসিদগীদি মহারানী অসগা মজাইবুংঙোগা পুন্না লৈমিন্নবসু থেংনদ্রে। লৌতুনবত্তু শোইথিবগী পাও হেক তাবগা মহারাণীনা মজাইবুংঙোগী মরমদা হংখিদ্রে হায়রি। মরম অদুনা ঙাংবীনা থনবদদি মহারাণীনা মজাইবুংঙোবু মফম কদায়দা ফংগদগে হায়বসি শোইদনা থংলম্বা তাই অসিনি। বাফম অসিনা মহারাণীনা নরসিংহবু হাৎননবগী লৌতুনবদা য়াওরমগনি হায়না চিংনৈ হায়রি। মজাইবেম্মা কোনসম ওংবী অমদি অতোপ্পা কোম্নুং মনুংগী নুপীশিং, তাওরিয়া, তখেল্লম্বী, অহৈবী অমদি অপানবী অদুগা মহারাণীগী মমাইবেম্মা পোক্কবীনা পীবা শাক্তিনাসু ঙাংবীনা হায়রিবা অসিমক চুম্মী হায়রি[২০]।

গোর্দোন্না অফংবা রেকোর্টশিং অদু নিংথিনা পারগা অমদি নৈনরগা মহারাণীনা নরসিংহবু হাৎননবগী লৌতুনবা অদুদা য়াওখি হায়রি। মহাক্না হায়রম্মী : "............ রিজেন্টপু হাৎনবা রানীশু য়াওই হায়বসি শোয়দ্রে"। "মহারাজগী মমিংদা অদুগা মহারাণীগী থোশল মথাদা সরকার অমা শেম্নগা হৌজিক লৈবাক ঙাকপগী চুপ্প পাইরিবা মীওইশিং অসিগী মহুৎতা মহারাণীগী মীশিংনা শিন্নবা হোৎনবদগী নরসিংহবু হাৎননবা লৌতুনরিবনি হায়বা অসিদা ঐদি করি অমত্তা চিংনদে[২১]। "মীহাৎননবগী লৌতুনরগা রিজেন্টকী মথক্তা থুং থোকখিবসিগী মরমদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনসু চিংনবা লৈতে হায়বসি ঐ থংই", এজেন্টনা হায়রম্মী। "ঐহাক্না বর্মীজ ওফিসার অমদা থোকখিবা থোদোক অসিগী নুমিদাংদা নুপী অঙাং পুত্না কবো তম্পাক তান্না চেনখিবা

(১৮) মথক্কী য়াওফম অসিদা।
(১৯) মথক্কী য়াওফম অসিদা।
(২০) মথক্কী য়াওফম অসিদা।
(২১) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২৩ মে ১৮৫০, মশিং ১১৯।

সুবেদার অমগী মরমদা হংবদগী অচুম্বনি হায়বা থংলে মতুদি বর্মীজ ওফিসার অসিদা সুবেদার অসিনা মীহাৎনবগী লৌতুনবা অসি মহাক থংই হায়রম্মী অতুগা মতুংদা মহাকপু শাক্তি ওইনব। থিবকপা য়াই হায়না কীবদগী তম্পাক অসি তায়া চেল্লক্লিবনিগু হায়রম্মী।"

মরম অতুনা গোর্দোয়া সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টতা মণিপুরগী প্রজাশিংগী অনিংবগী মায়য়োক্তা মহারাণী অমদি মন্ত্রী ইদংঙোংগীদমক 'ব্রিটিশ সরকারনা মতেং পাংবিদনবা হায়রম্মী। মহারাণী অমদি মহাক্কী মন্ত্রী ইবুংঙো অসি থৌদোক অসিদগীদি মণিপুরগী প্রজাশিংনা মুংশিনরমদ্রে[২১]। মরম অতুনা ব্রিটিশকী সিফাইনা মতেং পাংলগা মণিপুরদা হল্লকপা তারবস্থ শোইদনমক থৃদোংথীবা নংলক্কনি হায়রম্মী[২৩]। অমবোমদা মণিপুরগী প্রজাশিংনদি য়াম্না থুনমক নরসিংহবু মণিপুরগী নিংথৌনি হায়না লাওথোকপা পাম্লম্মী[২৪]। অতুম ওইনমক গোর্দোয়া মণিপুরগী প্রজাশিংগী অনিংবগী মায়য়োক্তা মহাক্কী মত পীবদু পাম্লমদে। মরম অতুনা মহাক্না য়াকম অসি গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলদা থাঙ্গংলম্মী[২৫]। চীফ লর্ডসিপকী কাউন্সিলদগী কবি করম তৌগদগে হায়বা য়াবম থংহল্লকখ্রিভগী মমাংদগী মণিপুরগী মন্ত্রীশিংনা পোলিটিকেল এজেণ্ট মহারাজনা সিংহাসন থাদোক্নুনা চেনখ্রবনিনা অতুগ মণিপুরগী ওনবিদ। সিংহাসন হাংহনবা হায়বাসি য়াদবনিনা। নরসিংহবু মণিপুরগী নিংথৌনি হায়না থুনমক লাওথোকপা হায়রম্মী[২৬]। মতম অতুদা গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলনা মণিপুরগী চুমং মচুংগী ওইবা য়াকমদা থুং থীংজিনবা হায়বসি খাংবা নত্তে হায়না থল্লম্মী মরম অতুনা নরসিংহনা "নিংথৌ ওইদ্রবা চুমংগী" (মহারাজ অমদি মমা শ্যামশ্যা মহারাণী) শেল থুম থবদং তেংবাংবিগে হায়বা য়াথবদ মহাকপু মণিপুরগী নিংথৌ ন হায়না লৌশিনবা য়ারে হায়না হায়রম্মী[২৭]। অতুগা নরসিংহদা চীফ লর্ডসিপকী কাউন্সিলনা অশুম্বা অমুক্তা থংহল্লম্মী মচুদি মহাক্ত পীগদৌরিবা শেল থুম অসি পংয়াম য়ামোই অদুগা সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা চাংনাইনা পীবা য়াননবা হবো

(২২) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২৭ এপ্রেল ১৮৪৪; মশিং ১০১—১০২, গোর্দোয়া খৃঃ ১৮৪৪ গী জনুয়ারি তাং ২৭ তগী ফেব্রুয়ারি তাং ৭ কাওনা লৌখিবা শাক্তিগী জবাব।

(২৩) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২ মার্চ্চ ১৮৪৪, মশিং ১৭৭—১৮৫।

(২৪) মথক্কী বাওকম অসিদা।

(২৫) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২৩ মে, ১৮৫০, মশিং ১২৩।

(২৬) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২ মার্চ্চ ১৮৪৪; মশিং ১৭৭—১৮৫।

(২৭) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২৩ মে ১৮৫০, মশিং ১১৯।

তম্পাক মাংখিবগীদমক পীরিবা ক্ষতিপূরণ অদুদগী থাইদোকপা য়াগনি অসিনি[২৮]। নরসিংহনা চন্দ্রকির্ত্তিসিংহদা লুপা ৮০ অদুগা মমা ইবেম্মা মহারাণীদা লুপা ২০ থা খুদিংগী ওইনা কবো তম্পাক্কী ক্ষতিপূরণদগী পীগে হায়না য়ারদুনা[২৯] সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা নরসিংহবু মণিপুরগী নিংথৌনি হায়দুনা খৃঃ ১৮৪৪ গী সেপ্তেম্বর থাদা লাওথোকখিবনী[৩০]। (১)

মথক্তা নৈনখিবা য়ারম'শং অসিদগী আর: সিঃ মজুমদারনা হায়রিবা "নরসিংহনা মণিপুরগী সিংহাসন মুনখি[৩১]" হায়বা ৱাকঁম অসিদি অচুম্বা ওইদ্রে হায়না তারে। অদুগা নরসিংহনা মণিপুরগী সিংহাসন পায়দুনা মুনখি হায়বা রেকোর্ট অমত্তগুম উসি ফাওবদা ফংদ্রে। মথক্তা নৈনখিবা অদুনা গম্ভীরসিংহনা লোইরাখিবা মতুংদদি নরসিংহনবু মণিপুরগী নিংথৌ ওইনিংলবদি ইরাই লাইনা ওইবা য়ারে হায়বসিগুম তাকখি। নরসিংহনা প্রজাশিংদমক্তা তৌখিবা মরম, প্রজানা মাবু অনিংবা অমদা মহাক্কী মণিপুরগী সিংহাসনদা উংপা রাজভক্তি অসিনা মহাক্কী মণিপুরগী সিংহাসন পায়দে হায়বগুম তশেংনা তাক্লবনি। অদুগা করিগুম্বা মহাক্না সিংহাসন পায়রম্বা থোক্লবস্থ 'মুনবা' হায়বা ৱাকঁম অসিদি থক থোক্লরোই মরমদি মহাক্না নিংথৌ ওইবিগে হায়ববাদা প্রজাশিংগীদি পামজবা মীওই হায়বা লমক ওইবগাদবনি। মহাক্না মণিপুরগী সিংহাসন পামজরবগুম চন্দ্রকির্ত্তিন। মণিপুর থাদোক্তুনা চেনখ্রবাননা অদুগ সিংহাসন হাংদুনা লৈবা অদুদগী প্রজানা অপাম্বগা মতুং ইন্না মহাকপু মণিপুরগী নিংথৌ ওইদবা য়াদদুনা ওই-খিবনি। মতৌ অমুক্না গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলগী য়ারে হায়বা ৱাকঁমগা লোয়নন্না নরসিংহনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইরি। মরম অদুনা লেপ্তেনেণ্ট মেক-ক্লোক্লা মহারাণী অমাদি মচা ইবুংঙোনা কছাড়দা চেনখিবদগী অমাদি মণিপুরগী সিংহাসন হাংদুনা লৈবদগী নরসিংহনা নিংথৌ ওইরে হায়না পাউ পীখিবনি। মজুমদারগী ৱাকঁম অসি 'হিস্ট্রী ওফ আসাম'দা গেইটনা পীবা মতম অদু থিজিন্দনা ইনবনি হায়রুবদা অবানবা লৈতে[৩২]।

---

(২৮) পোলিটিকেল কন্সলটেসন্স, ১৫ জুন ১৮৪৪, মশিং ১৭৪—১৭৯।

(২৯) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২৮ সেপ্তেম্বর ১৮৪৪, মশিং ১৯১—১৯৬, নরসিংহনা গোদে ।ন্দা ইবা, ৪ আগষ্ট ১৮৪৪।

(৩০) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৩০, নবেম্বর ১৮৪৪, মশিং ১৯২—১৯৬।

(৩১) মজুমদার আর সি, ব্রিটিশ পেরামাউণ্টসি এন্দ ইন্দিয়ান রিনাসা, পার্ট ১, লমাই ৭০৯।

(৩২) "... . খৃঃ ১৮৪৪ মমাইবেম্মা মহারাণীনা রিজেণ্টপু মাংহন্নব হোৎনরম্মী অদুবু মাইথিখি অদুগা বিজেণ্টনা মণিপুরগী সিংহাসন মুনখি", গেইট, সার এডবার্ড, হিষ্ট্রি ওফ অসাম, লমাই ৩৪৮।

লালহৌবশিং :

নরসিংহনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইবগা মতম অদুদা কছাড়দা লৈরম্বা মণিপুরগী রাজকুমারশিং, ময়াম্নদি চবা হায়না থংনবা অদুগা অশেংবা মমিংনা গুনধ্বজ কোবা, মেথৈলেম্বা, পূর্ণসিংহ অদুগা সাহৈনা মণিপুরদা লান্দানবগী থৌরাং তৌরম্মী হায়বা পাও ফংলম্মী৩৩। পাও অসিনা মণিপুরগী প্রজা পুম্নমকপু অত্তকী মতিক কাইহল্লম্মী মতুংদ মসিনা। চেং চাক এঙ্গাং নাপীগী ময়ল ফাওবা শরুক অদুম হেন্না তাংহনলম্মী। মরম অদুনা নরসিংহ মহারাজনা পাও অসি কেপ্টেন গোর্দোন্দা পীরম্মী। মণিপুরদা থুদোং পাবা থোরবা য়াই হায়বগী চিংনবনা এজেন্টনা বাকম অসি সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টতা থংহনখি অদুগা রাজকুমারশিং অসিবু কছাড়দগী পুথোকখিনবগী হায়দোক্লম্মী। অদুম ওইনমক সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনাদি রাজকুমারশিং অসিবু য়াম্না থুনা কছাড়দগী পুথোকখিবমাক্ত য়ানিংলমদে। অদুম ওইনমক রাজকুমারশিং অসিদা কলিঙ্গনা মথোয়না কছাড়গী লমদা লৈরগা মণিপুরগী সীমানাদা হীরাং হৌরকুবদি মথায় থাদংমকপু বঙ্গাল ফাওবা পুথোক্কবগী রাথল লৈবে হায়বসিদি থংহনগে হায়লম্মী৩৪।

রাজকুমারসিং অসিনা চেক শম্নবা মতম চানা পাও পীরম্মী অদুবু বাকম আসদা মথোয়না অদুক হক্ক লৌশাবা হায়মদ। মরম অদুনা কাংবু অসিনা লান্দাবকপদগী ভাকথোক্নবা অমখক্তা ভাবা উপায় হায়বদু মথোয়না জীরিগী উমংদা চংখিদ্রবগী মথাংদা ফংনবা লোইনচৌব হায়বা আসতনি রাজকুমারশিং অসি অহানদদি নাংকুমনে অদুক য়ম্ন কৈরমদ্ৰবগ মহারাণীনা কছাড়দা হেক থুংলবদগীদি মপাঙ্গল কনবা য়াম্ন হেনগংলে হায়না পাও পীবক্লম্মী। কছাড়দা হেক থুংলবগা মহারাণীন রাজকুমারশিং অসিদা মণিপুরদা লান্দানবগীদমক ইনশিল্লম্মী অদুগ মতিক চাবা থুজ্জ থুংলাহ লৌক্লনবগীদমক কলিকতা ফাওবা মী থারম্মী। মরম অদুনা মহারাণীগী মতেং য়াওদনদি রাজকুমারশিং অসিনা অসুক চাওবা থবক অসি পাইথংপা ঙমকম থোক্কে হায়না থাজনবম্মী৩৫। মণিপুরদগী মহাক্কা মীচং লৈবা মহারাণীনা লালহৌ অসিগী লুচিংবা ওইরম্মী। মরম অদুনা গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলনা নরসিংহদা তম্পাক্তা লৈরম্বা মহারাণীবু য়াবা মাওইহিংদু। রগ লালহৌ অসি লক্কম অদুদা থিংননবা হোৎনবনা হেন্না ফগনি হায়রম্মী। লৈইঙ্গবগী কেপ্টেন লিস্টরাট্তি তোংঙানবা মত অমদা কোর্ট উইলিয়মদা লৈবা মীওইশিংনা রাজকুমারশিং অসিবু কছাড়দগী পুথোকখিবনা

(৩৩) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২০ মে ১৮৫০ মশিং ১১৩।
(৩৪) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৩ এপ্রেল ১৮৫১, মশিং ১২০—১২২।
(৩৫ পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৯ নবেম্বর ১৮৫৪, মশিং ১২০—১২২।

হেন্না কগনি হায়না হায়রম্মী[৩৬]। অদুবু সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনদি রাজকুমারশিং অসি করি করম তৌগদগে হায়বদু থম্রিত্তগী মম্যাংদা মথোয়গী মরাল অদু হায়া থীগৎপনা কগনি হায়দুনা থম্মরম্মী। রাজকুমারশিং অসি কছাড়দগী পুখোকখিনবগী মরমদা কেপ্তেন গোর্দোয়সু অস্থুম হায়রম্মী মতুদি মথোয়বু কছাড় বাংমদা চানিংডাই মতিকচানা পুহনখিদনা পুখোকথবদি মণিপুরদা করিগুম্বা থুদোংখীবা অমত্তা থোক্লোই[৩৭]। থোদোক অসিগী মরিদা নিংখিনা থীজলবা মতুংদা লিয়ম্লনা অত্তয়া হায়রম্মী মতুংদ মহারাণী অমদি মজাইবুংডোবু কছাড়দগী পুখোকখিদনদি মণিপুরদা শান্তি ওইবা য়ারোই[৩৮]। রাজা গোপিরাম হাওমচা হায়বা চন্দ্রকির্ত্তি সিংহগী মনাইশিং অমনা হায়রবদি মহারাণী অমদি মজা-ইবুংডো অনিনা অতৎপা লৈতনা মণিপুরদা লান্দানবা হোৎনরম্মী অসিনি[৩৯]। মথক্তী মীওই অসিনা অত্তয়া অমুক্তা হায়রি মতুংদ মহারাণীনা রাজকুমারশিং অসিদা লুপা ৫০০৲ নোংমৈনচিংবা লৈননবা পীখ অদুগা চহী থুদিংগী রাজকুমারশিং অসনা মণিপুরদা লান্দানবা থোরাং তৌরম্মী। কছাড়গী লম মালুগ্রামদা লৈবা বলরামসিংহগী মচা জীবনসিংহ অমদি মুতুবা গৌরমণি সিংহনভু মথক্তী অসা অচুম্বনি হায়রম্মী[৪০]। মণিপুরদা লৈবা শলাম পুন্স সিংহনা পীবা শাক্কিনসু মহারাজ অসি রাজকুমারশিংগী লালহৌ অসিদা য়াওই হায়রে। মহাক্ন হায়রিবদি চন্দ্রকির্ত্তি সিংহনা রাজকুমারশিং অসিগা লোয়নননা মণিপুর তম্পাক ফাওবা চৎপা পামখি হায়রি। অদুম ওইনমক লান্দনবগী থুমিৎ অদু লেপ্পদা মত থেংনবদগী মহারাজ অসিদি লান্দাবা অদুমক্তদি য়াওখিদে[৪১]। মরম অদুনা সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা মহারাণী অমদি মজাইবুংডোবু থর কয়া ডাক শেল্লগা কছাড়দা অদুম্মক থমগদ্রা নত্তগা মথোয়না মণিপুরদা লান্দায়কপা ডমদনবা শিলট তায়া পুখোকখিগদ্রা হায়বা বাকম অসিদি কছাড়গী সুপারিন-টেণ্ডেণ্টনা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেণ্টকা তায়রগা লেপচবনা হেন্না করগনি হায়না থম্মরম্মী। মহারাণীগী পুক্লিংদা নরসিংহগী মথক্তা লান্দানিংবগী বাথম

(৩৬) মথক্তী য়াওফম অসিদা।

(৩৭) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ১৯ ওক্টবর ১৮৪৪, মশিং ১৬৬—১৬৭, গোর্দোয়া লিয়ম্লতা ইবা ২৮ সেপ্তেম্বর ১৮৪৪।

(৩৮) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৯ নবেম্বর ১৮৪৪, মশিং ১২০—১২২।

(৩৯) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২৩ মে ১৮৫০, মশিং ১১৩।

(৪০) মথক্তী য়াওফম অসিদা।

(৪১) মথক্তী য়াওফম অসিদা।

অসিদি শোয়দনা লৈরে হায়বা থংলবনিনা মহাকপু য়াবা মাঙইশিংদগী শেল-থুম অংদি অষ্টে মতেং ফংলোইদবা লম অমদা পুথোকখিবনা হেন্না ফয়গনি হায়বা অসিদি খন্নরম্মী[৪২]। মরম অদুনা লিয়ন্স অমদি গোর্দোন্না থন্নবা মহারাণীবু ফরিদপুর তান্না নত্রগা মাইমনসিং তান্না পুখিনবগী রাক্ষ অদু সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনগু য়ারম্মী। অদুম ওইনমক মহারাণী অসি কছাড় নত্রগা শিলটতা মতিকচানা ডাকশেন্দুনা থন্নবদি অদুগা মহাকপু করিগুম্বা মহাক্না মণিপুরদা ইরাং হৌহন্নবা হোৎনন্নবদি য়াম্না কন্না ডাকশেনবদা নত্তনা অথাপ্পা। লমদা পুখিগনি হায়না খংহল্লবদি মণিপুরদা লান্দানবা হোৎনরোই হায়না থাজনরম্মী[৪৩]।

মথোয়না মণিপুরদা লান্দারক্তনবগী উপায় কন্না থীনরিডেদা রাজকুমারশিং অসিনা খৃ: ১৮৫০ গী ফেব্রুয়ারী তাং ১ গী নুমিদাংদা মণিপুরদা লান্দানবগীদমক থোংশানখিরম্মী[৪৪]। কছাড়গী অনৌবা সুপরিনটেনডেণ্ট কেপ্তেন জী: ভর্ণরনা সুবেদার অমনা লুচিংবা কাংবু অমা রাজকুমারশিং অদুবু থীংননবা থাখিরম্মী। রাজকুমারশিং অসি মণিপুররোমদা চংখ্রে হায়বগী পাওগু মণিপুবগী অনৌবা পোলিটিকেল এজেণ্ট কেপ্তেন মেকক্লোক্কা পাও পীখিরম্মী[৪৫]। পাও অসি পীবা মতমদা অমুমাগু হায়গি মতুদ খৃ: ১৮৫০ গী ফেব্রুয়ারী তাং ১ গী নুমিদাংদা গঙ্গাসিংহ হায়বা মণিপুরী অমা সুপারিনটেনডেণ্টকী য়ুমদা লাকখি অদুগা হায়রিবা রাজকুমারসিং অসি মণিপুরদা লান্দানবা চংখ্রে হায়দুনা পাও পীরম্মী। গঙ্গাসিংহনা মেলৈথোম্বগী য়ুমদা নোংমৈ অদুগা মণিপুরী লাম্মী ময়ামগু উই হায়দুনগু হায়রম্মী[৪৬]। পাও অসি হেক ফংবগা সুপরিটেনডেণ্টনা রাজকুমার অসিগী কাংবুনা মণিপুরদা লান্দনবা চংখ্রিডেদা থীংহৌনবা লিনট লাইট ইনফেনত্রি বেটালিয়নগী কাংবু অমা মেলৈথোম্বগী বারী তান্না থারম্মী। তৌইগুম্বগুং থোরাং অসিদি থেংমনখ্রে। রাজকুমার অমদি মহাক্কী কাংবুনা মণিপুরগীদমক থোংশানখ্রুবা মতুংদা মথোয়না মেলৈথোম্বগী বারীদা থুংলুরে। অদুম ওইনমক মথোয়না রাজকুমার অসিগী কাংবুবু তান্নখি।

পাও অসি হেক ফংবগা মেকক্লোক অমদি নরসিংহনা অচৌবা লাম্মী তেজোল অমগা লোয়ননা লান্দারকপা কাংবুবু থীংনবা সনাকোন্থংদগী

(৪২) পোলিটিকেল কন্সলটেসন্স, ৯ নবেম্বর ১৮৪৪, মিশিং ১২০—১২২।
(৪৩) মথকী মাওফম অসিদা।
(৪৪) পোলিটিকেল কন্সলটেসন্স, ২৩ মে ১৮৫০, মশিং ১১১।
(৪৫) মথকী মাওফম অসিগী মশিং ১১২ দা।
(৪৬) মথকী মাওফম অসিগী মশিং ১১৩দা।

খোঙ্খালম্মী। তাঙ্গা অসিদা রাজকুমার অসিবু তান্নবা থাখিবা শিলট লাইট ইনফেনত্রি বেটালিয়নগী মীওইশিং অতুনা রাজকুমার অমদি মহাক্কী লোইনবা ময়ামবু খীবা কংত্রতুনা কছাড়দা অমুক হন্নক্লে হায়তুন' কছাড়গী সুপরিনটেনডেন্টনা পাও পীরক্লম্মী[৪৭]। রাজকুমার অসিগী কাংবু অসি লক্ষিমপুরগী অরাংদা লৈবা জঙ্গল অতুদা লোৎতুনা লৈরে হায়বগী পাও নিংখিনা খোমজিন্নবা মতুংদা সুপরিনটেনডেন্টনা অচৌবা পুলিসকী কাংবু অমা মথোয়বু থুগায়ক্লনবা থাখিরম্মী। অতুম ওইনমক রাজকুমার অসিগী কাংবু অসিনা পুলিসকী কাংবু অসিগা থেংনদনবা নাথেরগা অরাংথংবা কছাড়দা লৈবা নাগাগী খুঙ্গং অমদি বরাক তুরেলগী নোংচুপ্তা খৃঃ ১৮৫০ গী ফেব্রুয়ারী তাং ১৩ দগী ১৮ ফাওবা লোত্তুনা লৈরম্মী। তাং ১৯ দা মখোয়না বারাক তুরেল লান্থোক্লম্মী অতুগা তাং ২০ অমদি ২১ দা বারাক তুরেলগী অরাংলোমদা চৎথৎলম্মী। খৃঃ ১৮৫০গী ফেব্রুয়ারী তাং ২৩ দা মখোয়না থংহৌদনা কোম্মুংদগী নোংমগী লম্বী চৎলগা লৈবা লঙ্গা হায়বা নাগাগী খুন অমদা লন্দারম্মী[৪৮]।

পাও অসি হেক ফংবগা সনা কোম্বুংগী অচৌবা লাম্মী তেঙ্গোল অমনা লাঙ্গাসিংগী মথক্তা লান্দারম্মী অতুগা মনাও ইবুংঙো দেবেন্দ্রসিংহ যুবরাজনা লাঙ্গা খুন্দগীনা মণিপুর তম্পাক তাবা লম্বীদা লানবন শাতুনা লৈরম্মী[৪৯]। অতুবু মক্কম অতুদদি লান্দারকপা কাংবুগী করিগুম্বা খুদম অমা ফাওবা থেংনরমদে। অতুম ওইনমক লান্দারকইবা কাংবুনা মণিপুর তম্পাকলোমদা চৎথখে হায়বা পাওজি ফংলম্মী। মরম অতুনা সনাকোম্বুংগী লাম্মীনা লান্দারকইবা কাংবুগী মাংজিন থাবা মী অনি নোংমৈনা কাপতুনা হাৎলম্মী অতুগা অতোপ্পা অনিনা বন্দি ওইনা ফারম্মী। অতুবু সনা কোম্বুংগী লাম্মীনা চেকশিন্দবদগী বন্দি অনি অসি চেনখিরম্মী অতুগা লান্দারকইবা কাংবুগী মীওই অতৈত্ত মাইগৈ মরিমক্তা কাইতুনা চেনখিরম্মী। বর্ম্মা য়োনবা চেনখিগে হোৎনবদা চুবাবু নোংমৈনা কাপতুনা হাৎখি, মেলৈখোম্বনা নোংচুপলোমদা চেনখিগে হোৎনবদা হাৎখি অতুগা অতৈ রাজকুমার অনি অতুনা অরাংলোমদা চেনখিগে হোৎনরিঙৈদা তান্নতুনা হাৎখি।

মণিপুর তম্পাক্কী ফীভম অতু অমুক্কা হেন্না চেৎহন্দনবা গম্ভীরসিংহ মহারাজগী ময়ামবুং অহন খুঞ্জাখোম্বনা পোক্লম্বা নেত্রজিৎ সিংহ হায়বা অমনা অচৌবা লাম্মী

(৪৭) মথক্কী য়াওফম অসিদা।
(৪৮) মথক্কী য়াওকম অসিদা।
(৪৯) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

তেঙ্গোল অমগা লোয়নননা মণিপুরদা লান্দানবা হোংনরম্মী[৫০]। রাজকুমার অসি গম্ভীরসিংহনা বর্মাদা তাম্থোকপিবনি। মতম অসিদদি মহাক বর্মাগী অচৌবা কয়াইবা তুপা অমা ওইরম্লে। নরসিংহনা রাকম অসি মেক্লোক্তা থংহনখিরম্মী। মহারাজনা নেত্রজিৎসিংহবু খাংনবা হোৎনবা থৌরাং খুদংদা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টনা তেংবাংলম্মী। মতৌ অসুম্না নেত্রজিৎনা মণিপুরদা লন্দারকনি হায়না কিনরম্বা অদু মণিপুরা সিখানা য়ৌবা ডমদ্রিডৈদা থীংখি।

মতৌ অসুম্না মণিপুর পুক্নমকপু থাংহল্লম্বা লালহৌশিং অদু মণিপুর তম্পাক য়ৌরকপা উমদ্রিডৈদা নমথখিরম্মী। লালহৌশিং অদুগী মও নিংথিনা য়েংশিল্লবদি মরম কয়ামক্নদগী মথোয়না মাংথীবা নংবনি হায়দবা উম্লাই। লালহৌবশিং অদুগী লুচিংবা ওইখিবা রাজকুমারশিং অদু মক ওইনা মতম অদুগী মণিপুরদা চৎলম্লিবা রাজনীতিগী মরম অদু নিংথিনা খংব উমখিদে। মথোয়দ নরসিংহগী মতিক মথৌনা অমদি মণিপুরগী প্রজাশিংনা মাবু নুংশিবগী চাং অদু করি অমতা য়েংশিন্দনা চুম্নতগী নরসিংহগী মথক্তা লালহৌগনি হায়না থনবা রাথল অমনা লমজিংতুনা লাল হৌখিবনি। মেলৈথোম্বা অমদি মহাক লোয়নখিবা রাজকুমারশিং অদুগী মতাংদনা মথোয়না নরসিংহবু অমদি মণিপুরগী প্রজাশিংনা মহাকপু নুংশিজব অদুবু য়াম্না হন্থনা পনাথবা অদুগা মহারাণীবুনা য়াম্না কা হেম্না থাগৎখিবা অদুনা তশেংনমক মথোয়গী অচৌবা অবানবা অমা ওইখ্রবনি। মথোয়না নিংথিনা থলহৌদব অদুন মণিপুরদা লৈবা প্রজা পুম্নমক্না মথোয়গী মায়-য়োক্তা চাংথে কখি। অদুবু মণিপুরদা অসুম্না থরৈ হায়রগী থারম অমতা থংদনা মহারাণীগী লম অংনী মথাদ মথোয়গী নিডাইদনা ইনখিবন। মরম অদুনা নরসিংহ মহারাজ অমদি ব্রিটিশ অফিসারশিংনা মথোয়গী মায়য়োক্তা লেপ্লক্তুনা পীরকদবা থুদোংথাবশিং অদু মথোয়দি ইবাথ লায়ন থন্দোক্তুনা লৈথোকপা উম্মী। মতৌ অসুম্না মপাঙ্গল শোয়্থংলবা লালহৌবগী কাংবু অদুবু নরসিংহ অমদি ব্রিটিশকী পান্মী কাংবু খনিনা ইরাই লাইনা মক্ক ক না নমথখিবনি। রাজকুমারশিং অদুনা মতম অদুগী মণিপুরগী রাজনীতিগী শকওং অদু নিংথিনা খংবা উম্লবা অদুগা মথোয়না মণিপুরগী প্রজাশিংগী থম্মোইদা নরসিংহবু নুংশিহন্দবা উম্লবদি মথক্তা নৈনশিনা থোদোক থাথোকশিং অসিগী ঈচেল তোংডাল্লম্ত য়াবনি।

(৫০) পোলিটিকেল কন্সলটেসন্স, ২১ মে ১৮৫২, মশিং ১৩৮।

চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা অমুক হঞ্জিনবা ঃ

খৃঃ ১৮৫০ গী এপ্রিলগী তাং ১১ দা নরসিংহনা লোঙ্গাখত্তুনা মনাও ইবুংঙো দেবেন্দ্রসিংহ যুবরাজনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইরম্মী[৫১]। মাকম অসি মেকক্লোক্না গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলদা পাউ পীবম্মী অদুগা দেবেন্দ্রসিংহবু মণিপুরগী নিংথৌনি হায়না য়াবিরো হায়রম্মী। মাকম অসি গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলনা থম্নবিরেদা চন্দ্রকির্ত্তি সিংহনা মণিপুরগী সিংহাসন অসি মহাক্কী ওইকম থোকই হায়দুনা তাক্লম্মী[৫২] অদুগা মহাক্না হায়জবা অসিদা য়াবিদ্রবদি মপাঙ্গল শিজিন্নদুনা সিংহাসন অসি ফংনবা হোৎনগনি হায়রম্মী[৫৩]। মবম অদুনা মেকক্লোক্না য়াম্না চুম্ন থল্লম্মী মদুদি চন্দ্রকির্ত্তিনা কছাড়দা অশুম্বক লৈবা তাববদি মণিপুরদা লৈবাক মরা তপ্না পানবা য়াবরোই অদুগা কছাড় অমদি মণিপুরগী তাইনবদা লৈবা লমাশংদা লাংহল্লবদি দেবেন্দ্রসিংহগী মপাঙ্গলগু শোয়হনগনি[৫৪]। মাকম অসি লৈবনা কছাড়গী সুপারিন্টেনডেন্টপু চন্দ্রকির্ত্তি সিংহ অমদি অতোপ্পনা মণিপুরদা লান্দানা তাববদ য়াওগদবা মীওইশিংবু কছাড়গী মাংমদা পুথোক খিনবা উপাই শিজিন্নবা য়াহনগদবানি হায়রম্মী[৫৫]। চন্দ্রকির্ত্তি সিংহনা দেবেন্দ্র সিংহগী মথক্তা লান্দানবা হোৎনববা অদুগা মহাক্ন মণিপুরগী মরা তপ্না পাঙ্গবা অদুদা থৈথাইবা পীববদি মহাক্ন মণিপুর গভর্ণমেণ্টগী ফংলিবা তেংবাং শেল অহু ককথংকনি হায়বা সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টকী মারেপ অদু কছাড়গী সুপরিন্টেন-ডেণ্টনা চন্দ্রকির্ত্তি মশামক্তা থংহনবা কৈ হায়দুনা মেকক্লোক্না হায়রম্মী[৫৬]। করিগঞ্জগী মহারাজ অসিবু টাকা থাম্না পুলিবা তাববদি টাকাদা লৈবা মেজিষ্ট্রেটকী য়াথংনা পুলিশকা গরি অমা চন্দ্রকির্ত্তি চংক্রবা থবং। যগনি হায়দুনগু মেকক্লোক্না হৌদোক্লম্মী। করিগঞ্জগী মহারাজ অসিন মতুংদা সুপ্রিম গভর্ণমণ্টকী মরা শাদনা টংকা শাদোক্তুনা চংলোই হায়না য়ারবদি মশাকপু ভাক্লগা পুলিশ কাংবুবু

(৫১) পোলিটিকেল কন্সলটেসন্স, ২৩ মে ১৮৫০, মশিং ১১৮।

(৫২) মথক্কী য়াওফম অসিগী মশিং ১১৯, চন্দ্রকির্ত্তি সিংহনা মেকক্লোক্না ইবা চোবোলগী অনুবাদ, ১৫ এপ্রিল ১৮৫০।

(৫৩) মথক্কী য়াওফম অসিগী মশিং ১১৮।

(৫৪) মথক্কী য়াওফম অসিদা।

(৫৫) মথক্কী য়াওফম অসিদা।

(৫৬) মথক্কী য়াওফম অসিগী মশিং ১২২।

লোথাক্কে লৌথোক্লোই হায়বদু মেজিষ্ট্রেটকী মথুংতা শিন্নথোক্লদবনি হায়নও হায়রম্মী[৫৭]।

হৌজিক সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা থম্লগদবা বাক্কম হায়বদু দেবেন্দ্র সিংহবু মণিপুরগী নিংথৌনি হায়না থম্লগদ্রে নত্তগা নিংথৌ খুডম শিন্নবগী মতাং অসিদা গভর্ণমেণ্টকী তোঙ্গানবা মত অম থৈদোক্লে মরম অদুনা মহাক্কী বাক্কম অসি থম্লরোই হায়গদ্রে অমনিনি[৫৮]। অদুম অদুনমক দেবেন্দ্র সিংহবু মণিপুরগী মথংগী নিংথৌনি হায়না যাদদুনা মণিপুরদগী পোলিটিকেল এজেন্ট অসি লৌথোকখ্রবদি মণিপুরদা লৈবা কাংলুপ মখয় মনু যাগী মাগী মীওইনা সিংহাসনদা থাংগৎনবা হোৎনবগী থৌরাং-চৈনব মবক্তা মণিপুরদা হুংকরবানি হায়নও থম্লরম্মী। মণিপুরগী শান্তি পুরক্লবা তোৎনবদা লৈবাক অসিগী হৈমং মখংগী রাজনীতিদা ফাওবা খুৎ থিংজিন্নবগী খুদোংচাবা অমা। সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা মাকম অসিদগী পীরা হৌখ্রবনি[৫৯]।

সুপ্রিম গভর্ণমেণ্ট মকোক্লা হায়রা যাদনা দেবেন্দ্র সিংহবু মণিপুরগী নিংথৌনি হায়বা যাবম্মী অদুগা চন্দ্র কীর্ত্তি সিংহবু মণিপুরগী কোক্লংদগী যাম্না থাদ্না পুথোকখিগে হায়না থম্লম্মী[৬০]। মতৌ অসুম্না খৃঃ ১৮৫০ গী জুন থাদা[৬১] দেবেন্দ্র সিংহবু মণিপুরগী নিংথৌনি হায়না লাওথোক্লম্মী অদুগা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহবু ঢাকা তাম্না পুথিনবা থৌরাং তৌরম্মী কম্পেনী সরকারগী অনিংবা অসি হিক্লোক্কে হায়না হোৎনরবও উমদনবা শিলচট লাংটে ইনফেন্ট্রী সিফাই থব চন্দ্রকীর্ত্তিবু ঢাক লেপ্পবা থম্বা কৈ হায়না হায়রম্মী[৬২]। মতৌ অসুম্না চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহবু কছাড়দগী পুথোক্লবা হোৎনারবৈদো নবসিংহ মহারাজগী মচা হবুংতো ভুবনসিংহ অমদি লেতুসিংহ অনিংবা কছাড়দা লৈরকখিবা দেবেন্দ্রকীর্ত্তিগী তিন্নখি। মতাং অসিদগীদি মথোয়গী অপুনবা শক্তিনা মণিপুরদা লান্দানবা কম্না হোৎনবা হৌখি[৬৩]। পাউ অসি ফংলদগীদা গভর্ণর জেনেরেলগী কাউনসিলনও বাক্কম

(৫৭) মথক্কী যাওফম অসিদা

(৫৮) মথক্কী যাওফম অসিদা।

(৫৯) মথক্কী যাওফম অসিদ।

(৬০) মথক্কী যাওফম অসিদ।

(৬১) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ১৬ আগষ্ট ১৮৫০, মশিং ৪৬।

(৬২) মথক্কী যাওফম অসিদ, গভর্ণরগী চিঠিদা ইবা চেরগ, ১২ জুন ১৮৫০

(৬৩) মথক্কী যাওফম অসিদা।

অসি য়াম্না থুদোং থীনিংঙাইনি হায়না লৌরম্মী অদুগা কছাড়গী সুপরিনটেনডেণ্টতা মহারাজ অসিবু ঙাক্নিবা গার্ডকী মীশিং হেনগৎনবা হায়রম্মী। মরম অদুনা গভর্ণরনা হাম্না মী নিপাস্তনা চাক্নবা অদু কুন ঙনবা হেনগৎলম্মী অদুগা মহাক্কী বারাক্তা লৈরিবা চন্দ্রকির্ত্তি সিংহবু য়াম্না নিংথিনা শঙনবা য়াথংত্ত পীরম্মী। চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজ অসি সুপরিনটেনডেণ্টকী লৈকশদগী গজ ১৫০ মুক লাপ্না বানা শম্মস থাদুনা লৈবা বারাক অমদা লৈরম্মী। মতৌ অসুম্না য়ুম অসিদি অতেত য়ুমশিংদগী তোংঙাম্না থনম্মী। য়ুম অসি গজ ৪৫ শাংবা অদুগ গজ ৩০ থক্তুং পাকপনিনা শিকাই অমনা থোংদা অদুগা শিকাই মরিন। তোংঙান তোংঙানবা মফমদা শনাত্রি থম্মবদি চাকা তাম চন্দ্রকির্ত্তি সিংহবু পুথিনবা হী থুংলত্রিরেদ। মহারাজ অসি চেস্থোকাথিবা ঙম্লাই হায়না ভর্বনা থাজরম্মী[৬৪]। থোবাং য়য়াম অসি তৌনা তৌনা খৃঃ ১৮৫০ গী জুন তাং ১০ দা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা লোইনবা মীওই নিপানগা লোইননা মহাকপু ঙাক্নবা শনাত্রিশিংনা উহৌদনা চেনখিরম্মী।

পাউ অসি হেক ফংবগা সুবেদার অমগী মথাদা শিলচ লাইট ইনফেনত্রিগী শিকাই ৬০ থক মহারাজ অসিনা মণিপুরদা হেংখিবা অসি থিংনবা থারম্মী। মেকক্রোক্তাও চন্দ্রকির্ত্তি সিংহনা মণিপুর কাওবা লাকপা ঙমদনবা উপায় থীনন বগীদমক পাউ অসি থাবম্মা। মতৌ করম্না মহারাজ অসি চেনখিবনো হায়বদুদ ভর্রত্ত হায়বা ঙম্মদে। মহাক্না থাজবা হায়ববু চন্দ্রকির্ত্তিবু শংলবা মীওইশিং অদু মণৌদা পুক্নিং চংদবা অমা নত্রগা মথোয়বু মহারাজগী কাংবুনা শেন-থুম পীজাখিবা অমা শোয়দনা তৌরমগান অসিনি। থোদোক অসিগী মরমদা নিংথিনা থীজিল্লবা মতুংদা ভনরনা মহাক্কী মত পীরম্মী। মহাক্না হায়বিবনা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা চেনখিবা অসি মাবু শংবা মী থনত্রিরেগী মমাংদগী হৌনা শিল্লাংদুনা লোইখ্রবনি অদুগা নবসিংহগী মজা ইবুংঙো শানলা কছড়দা লাক্নুনা মহারাজ অসিগী মীচংদা য়াওথিবা অসিদগীদি চেনবা হোৎনখিবা অসি লাইহনখ্রবনি অসিনি[৬৫]। মহাক্না চন্দ্রকির্ত্তি সিংহবু কছাড়দগী পুথোকখিনবা হোৎনবগী মতাংদা পল্লগা সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টতা অশুম্ন হায়রম্মী মদুদি হীশিং অদুনা কছাড়দা মতম চানা থুংলম্নবদি চন্দ্রকির্ত্তি সিংহ অসি ঢাকাদ লৈশম্নগনি নত্রগা য়ামত্রবদা ঢাকা চৎপগী লম্বীদদ শোয়দনমক লৈহম্নগদবনি।

ভর্রনা পীরকপা পাউ অসি নিংথিনা খংশিল্লবা মতুংদা সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তিনা মতৌ করম্না কছাড়দগী চেনখিবনো হায়না থীজিন্নবা

---

(৬৪) মথক্কী য়াওফম অসিদা।
(৬৫) মথক্কী য়াওফম অসিদা।

হোৎনরম্মী। তুমিৎ অতুদা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনু ভাবলুবা মীওইশিংগী শাক্লিনা হায়রিবদি মহারাজ মণামকপু [illegible] অতুনা চেকশিন্দবদগী চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা চেঙোকাখিবনি [illegible][66]। অতুগা [illegible] অমনা মহারাজনা চেন-খিগদবা তুমিৎকী তুমিদা খৃ. ১৮৫০ গী [illegible] তাং ১০ দা শনত্রি তাবা মীওইশিং অতুদা চন্দ্রকান্ত অতু মাংগী বাবাক [illegible] লৈব [illegible] শিনগদবানি হায়বা বাকয় অংসাদ নিংথিনা তাকাপদমাক্লে হায়নবা হায়রম্মী[67]। লাইবক থীবনা তুমিৎ অতুগী তুমিদাং অতু নোং [illegible] অতুগা মমম্বক্ত মাম্না শাথীনা মরম্মী। থাওমৈনচিংবগী খোবাংদা [illegible] শনত্রি [illegible] নীশংতুনা বারাক মসুংদা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ অতু লৈবা [illegible] নিংথিনা ঊবা ফংলমদে। গার্ডশিং অতু মতিক চাবা পাওত [illegible] হায় [illegible] গভর্ণমেন্টনা থাজম্মী[68]। মরম অতুনা চন্দ্রকীর্ত্তিনা চেনখিদা [illegible] কাশন্দবদগীনি হায়না লেপ্লম্মী[69]। মহারাজনু লৈহৌরবা [illegible] অতুনা বাগী শম্বলনা কৌইশিল্লি অতুগা নোংপোক [illegible] দনা জ্যার তুবেন [illegible] মরম অতুনা শম্বল অসি কাদনা অতুগা শম্বল [illegible] মংমদা [illegible] খোকহন্দনা কনাগুম্বা অমত্তনা [illegible] কাসদগী চনাখদা [illegible]। [illegible] লোংমে পাহাবরা শনত্রিশিং অতুনা থর চেকশিন্না [illegible] মহারাজ অসি চেনাখবা ঊম্মোইদবনি[70]। গভর্ণর জেনেরলগী কাউন্সিলনা চন্দ্রকীর্ত্তিনা চেনখিবা অসিগী মরমদা পুম্নমক গভর্ণরদা [illegible] এজেন্ট অসনা [illegible] নিংথিনা তৌরম্বাদ মহারাজ অসন [illegible] লর্ড-সিপকী কাউন্সিলদা [illegible] এজেন্ট [illegible] খোদোক আসদা মহাকী মরাল [illegible] হায় [illegible]

মহাক্কী [illegible] চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা চেনখিবা [illegible] মহারাজ অসিনা চেনাখদনবা মহাওই মহার [illegible] চন্দ্রকীর্ত্তিনু চাকা তাম্না পুখিনবা হোৎনদা [illegible] খোংখাখবান হায়বা বাকয় অতুক্ত য়েংশিনবিয়ু হায়জবম্মী। খৃঃ ১৮৫০ গী [illegible] তাং ৩০ গী মমাংদদ কনানত্ত মহারাজ

(৬৬) মংকী [illegible]
(৬৭) মথক্কী [illegible]
(৬৮) মথক্কী [illegible] মণিপু [illegible]
(৬৯) মথক্কী [illegible] আসম।
(৭০) মথক্কী [illegible] মণিপুর ২০৫ দ।

অসি কছাড়দগী চেনথিগনি হায়বসি থাজনরমদে। অদুবু তাং ৩০ দা মহারাজ অসি অতোপ্পা রাজকুমারশিংগ লেপ্পিননা চেনথগে হোৎনরে হায়বা পাউ ফংবদগী সুপরিনটেনডেন্ট মশামক্তা গার্ডকী কমান্দর ওইরিবা লেপ্তেনন্ট কেন্ডতা শিকাই মশিং ২০ থুগৎলো হায়বা য়াথং পীখিনি। অদুগা হুমিৎ হেক তাখি বদগীদি কনাগুম্বা মীশুই অমত্তা মপান থোকহনগনু অদুগ মী মতাদগী হেম্না থংহনগনু হায়নসু য়াথং পীরম্মী[১১]। অদুগা ভর্নর মশামক্তা লেপ্তেনেন্ট কেভত্রা 'মহারাজ অসি মাগী য়ুমদা লৈবরা হায়বাসি হুামৎ খুদিংগী য়েংউ' হায়দুনা য়াথং পীরম্মী[১২]। গার্ড তারিবা মীওইশিংনা মথোয়না গর্ড তৌববা মী অদুবু য়েংগদবনি হায়বসি দ মশানা তাজবনি হায়রম্মী। সুপরিনটেনডেনন্টনা হায়রম্মী[১৩]। শমত্রি তারিবা মীওইশং অদুনা চেকশিল্লবদ মহারাজ অসি চেনাখবা ওয়্রোইদবনি হায়না মহাক্কী মশত্তা দোক্রম্মী। মহারাজ অমদি মহাক্কী লোইনবাশিং অদুনা মথোয়বু গর্ডনা রবা শিঙ্গাইশিং অদুনা উদনা অমাদি থংদনা মতৌ করম্না বারাক অদুদগী চৎলমগদগে হায়বাস থাজবদা ৱানা থোকপা ৱাফম ওইরম্মী[১৪]। অদুম ওইনমক ৱাফম অসি য়াম্না য়ুম থাজল্লবা মতুংদা গভর্নর জেনেরেলগী বাডনাসদনা কছাড়গী সুপারিনটেনডেন্টতা পীরুবা মরাল পুম্নমক্ত লাকপীরম্মী[১৫]।

মথোয়বু শঙবা গার্ডশিংনা থাক্তুনা চেল্লগা মহারাজ চন্দ্রাকান্ত সিংহ অমদি মহাক্কী কাংবু অদুনা নবগুণগী মগাশিংগ লায়ননা তাম্র তুরেল মৌনা চেক্রম্মী[১৬] তুরেল অসি লাকপা মতুং খৃঃ ১৮৫০ গী জুনগী তাং ২৪ দা কালা নাগ চিংদা মথোয়গী ফঙম লেমদুনা লৈরম্মী। মফম অসিদা শিলট অমদি কছাড়দগী লাকপা মণিপুরীশিংনা মথোয়গী মীসংদা লাক্তুনা য়াওরম্মী। মহারাজ চন্দ্রাকির্তিনা নিংলদ্বনি মণিপুরগী সিংহাসন অসি নিংথীনা হায়নবগা হক্তিনগে য়দ্রগা শান তৌরগ নমতুনা লোগে আসনি। মণিপুরগী প্রজা অয়াম্বনত্তু মহাক্কী মীচং চংলক্তুনা হায়না মহাক্কা কন্না থাজরম্মী।

(১১) মণক্কী থাওফম অসিদা

(১২) মথক্কী থাওফম অসিদা।

(১৩) মথক্কী থাওফম অসিদা।

(১৪) মথক্কী থাওফম অসিদা।

(১৫) মথকক্কী থাওফম অসিগী মশিং ২০৬, অফিসিয়েটিং সেক্রেটরীনা কছাড়গী সুপারিনটেনডেন্টতা ইবা চেরোল, ২৯ নবেম্বর, ১৮৫০।

(১৬) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ১৬ আগষ্ট ১৮৫০, মশিং ২৭।

তশেংনমকন্ত তম্পাক য়োবকপ মতাংদদি মণিপুরগী মীওই কয়ামক্নয়া চন্দ্রকির্ত্তিগী মীচং চংলম্মী। মখোয়না চংশিল্লকপগী পাও ফংবগা দেবেন্দ্রসিংহ অমদি মেকক্লোক্না চন্দ্রকির্ত্তিসিংহ অমদ মহাক্না লোয়নবা কাংবুবু থীংননবা অয়াবা উপায় তৌরম্মী। অদুগ ওইনমক মহারাজ অসিনা মহাক্না লম্বীদা লৈরঙা অথিংবা পুম্নমক নমথাইদুনা ইম্ফালদগী মাইল অহুম লাপ্না লৈবা মহাক্না হাম্নগী কোক্ত ওইবঙা লথবান্দ খৃ. ৮৫ গী জুলাইগী তাং ৬ তা অমুক হন্না নিংথৌ ওইরম্মী[৭৭]।

মথক্কী লানকম অ'সদা চন্দ্রকির্ত্তিসিংহনা মাই পাকখিবগী মরমদ দেবেন্দ্রসিংহনা মহাক্না মাইয়োক্না খাথিবা ৩ থা পুম্নমক্ত দবেন্দ্রগী মীচং লানকমদা থাদোকখিবনি। তম্পাক য়োবগা মতামদন্ত মণিপুরগী মী অয়াম্বনা চন্দ্রকির্ত্তিসিংহগী মীচং চংলম্মী[৭৮]। মতম অদুদা দবেন্দ্রসিংহ অ'স মহাকমক্কী লাম্নীনা লানফমদা মহাকপু থাদোকখি অদুগা মণিপুর। প্রজা তংথই অমবোম্নত্ত মহাক্না মাইয়োক্ত লেপখি। অসিদত্ত নত্তন চিবগা মতম অদুদা সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনত্ত মখোয়না মণিপুরগী ইমুং মসুংগী থাক্যাদা থুং থিজিনবা অদুদা থংচৌদনা অহোংবা অমা পুরকখি। দেবেন্দ্রসিংহগী মী'দা লেম্নগী মহুত্তা মখোয়না পোলিটিকেল এজেণ্টতা কবিশুম্বা মণিপুরগী কৌভম অদু থুদোংথিনংডাই ওইরবদি এজেণ্ট মশামকত্ত ব্রিটিশগী লমদা হন্দোক্তুনা লৈরনা ফগনি থনবা মতমদা লৈয়ু হায়না হায়রম্মী[৭৯] দেবেন্দ্রসিংহনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইবা অসি মণিপুরগী প্রজা অয়াম্বনা যাদে হায়বস অচুম্বনি। প্রজা অয়াম্বনা পাম্নবদি মণিপুরগী সিংহাসন অসি গম্ভীরসিংহগী মচাইবুংভোনা মপাদুংগী সম্বনি হায়না ফংজবা অদুতবনি। অদুগা থোইদোক হেন্দোকপদি হৌখিবা বম্মীজগী লান্দগী (চহী ৭ খুম্ভাকপা) মণিপুরদ কনাখিবা অকৌবা অনিগী মচাইবুংভোংশিংনা মীশং অমহক্তদা চেপ্নকল। অসুনা মণিপুরগী প্রজা পুম্নমক্তা থোইদোক্না তৌবি মলথংবা অমা উৎপন্ন ওইরম্মী অদুগা মণিপুরগী প্রজা অমত্তংন্ত মখোয়গী মায়য়োক্তা চৎপা হৌরদে। খৃঃ ৮৫০ গী জুলাই তাং ১৮ দা মালই নৈ হৈখি নেম্নুক্তং লন্দুনা লাইতে প্রজা পুম্নমক্তা দেবেন্দ্রসিংহগী মীচং থাদোকাথ হায়দুনা মেকক্লোক্না যাম্না

(৭৭) মথক্কী যাওফম অ'সদা।

(৭৮) মথক্কী যাওথম আসদা।

(৭৯) মথক্কী যাওফম আসিগী মশিং ৬০।

চুমা হায়রি[৮০]। হায়রিবা অমিং অসিদদি চন্দ্রকির্ত্তিসিংহনা দেবেন্দ্রসিংহগা লাংথবান্দা অকনবা লান এনখিবা অমিংদনি। মসাবু অমদি মহাক্কী সিংহাসনবু কঞ্জবা ওমপ্রহনা খৃঃ ১৮৫০ গী জুলাই তাং ১২ গী নুংদাংদা দেবেন্দ্রসিংহ মহারাজ মণিপুর থাদোক্নুনা চেনখি।

চন্দ্রকির্ত্তি সিংহনা মাইপাকখিবাসগী মরুওইবা মরমদি মণিপুরগী প্রজানা মহাকপু থাংশিন থনখিবা অসনি। খৃ ১৮৫০ গী জুলাই তাং ১৩ দা ইম্ফালদা লাকলগা মহাক্না মণিপুরগী নিংথৌ ওন হায়দুনা লাওথোক্লম্মী। খৃ ১৮৫০ গী তাং ১৫ দা পোলিটিকেল এজেন্টকী মনাক্তা চংলগা মণিপুর অসি মপাবুং গম্ভীর সিংহ অমদি মাপান হবুং ও নরসিংহগী ওংবনি হায়দুনা হায়রম্মী। মরম অদুনা মহাক্ন সিংহাসন অসি অমুক হন্না লৌশিল্লগা ভুবনসিংহবু যুবরাজ অদুগা শেক্সুসিংহবু সেনাপতি হাপ্লে হায়রম্ম[৮১]। মহাক্না কছাডদগী চেল্লকখি হায়নসু মপানা যাজরম্মী। মণিপুরগী সিংহাসন অসি অয়াম্বা প্রজানা যারদুন মহাক্ক কংলবনিন গভর্ণর জেনেরেলনসু মহাকপু নিংথৌনি হায়না যাকম থোক্লে হায়দুনা হায়রম্মী[৮২]। হৌজিক ওইবক্লিবা অহোংবা কীভমশিং অসি য়েংলগা মণিপুরদা লৈবা অখসাবাসিংনা মণিপুরগী প্রজা সিংনা পাম্লিবা গম্ভীরসিংহগী মচামচানা লৈবাক অসিগী নিংথৌ ওইবগী মহুত্ত দেবেন্দ্রসিংহবু নিংথৌনি হায়না থম্লুরা অসি যাম্না লাল্লবনি হায়না হীজ চন্দাসপকী কাউন্সিলনা থাজরম্মী। মতম অদুগী গভর্ণর জেনেরেল ওইরম্বা লর্ড ডালহৌসিনা থম্লম্বদি চন্দ্রকির্ত্তি সিংহ অসি মণিপুরদা যাম্না পাম্লবব মীওই অমা ওইরবনিমা লৈবাক অসিদ মখোয় মশেল লালহৌনবগী থু দাংথীবা অমুক থোক্তনবা মহাকপু মণিপুরগী নিংথৌ ওইনা ফোংনা লাওথোকপনা ফবে অসিন[৮৩]। মতৌ অদুম্না খৃঃ ১৮৫০ গী সেপ্তেম্বর থাংদা চন্দ্রকির্ত্তি সিংহবু মণিপুরগী নিংথৌনি হায়না যাখি[৮৪]।

চন্দ্রকির্ত্তি সিংহনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইববা মতুংদ মহাকপু যাদবা মণিপুরীশং অদুবু যানবা হোৎনবগী মহুত্তা মথোয়না শাওনংবা থবক ভাক্তা তৌবা

(৮০) মথক্কী যাওফম অসিদা।

(৮১) মথকক্কী যাওফম অসিগী মশিং ৩৫।

(৮২) মথকক্কী যাওফম অসিগী মশিং ৩৬, চন্দ্রকির্ত্তি সিংহনা মেকক্লোক্তা ইবা চেয়ালগী হন্দোকপা, ১৭ জুলাই ১৮৫০।

(৮৩) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৩ অক্টোবর ১৮৫১, মশিং ৯, লর্ড ডালহৌসিগী মাইনুট, ১৩ সেপ্তেম্বর ১৮৫১।

(৮৪) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ৩১ জনুয়ারি ১৮৫১, মশিং ১২২।

হৌরম্মী। মহাক্কী অনৌবা থোংনাং অসিদা মাইয়োক য়াবা ভমদবা কাংবু থরদি মণিপুর থাদোক্নবা চেন্থবা ক্বাওবা যাওরম্মী[৮৫]। মহাক্কী ওৎপা নৈবা অদু থরা হন্থনকপগী মহুত্তা নরেন্দ্রকীর্ত্তি সনাবাজনা অমদি মহাক্কী অওম অথোম্বিং মীওইশিং অদুনা মণিপুর থাদোক্নবা চেনখদনবা কল্লা হোৎনবম্মী। মী অয়াম্বা ক্বারম্মী অদুগা তেঞ্জদক্বাওবা থনম্মী। থাদোক অসিনা পেলংত্রবা সনা কোম্বুংগী মীওই থরনা কচ্ছাড় তায় চন্থদুনা দেবেন্দ্রসিংহ। মথক্তা লান্দানবগী থৌ অমদি শেল থোম্বা পৌব। থুংদাংখীবা অমুক্কা হন্লকপগী মতম থমদা দেবেন্দ্রসিংহনা মণিপুরদা লান্দানবগী থৌবা তৌবি হায়বগী পাউ ক্বংলম্মী। দেবেন্দ্র সিংহবু মণিপুরদা নৈবা মীওই শরনা লান্দাবক্রবা নরেন্দ্রকীর্ত্তিবা য়াই হায়না থাজনরম্মী। মতম অসিদা মণিপুর লম্পাক্কী দীন্নন চন্দ্রকীর্ত্তিনা লৈরম্ব লুসাইগী কাংবু থরা জীবিতেশ্বর চন্দ্র নৈরম্মী। মপোম্বনা দেবেন্দ্র সিংহগী মীচং চংগে হায়দুনা য়াথে হায়রব পাও অমত্তু ক্বংলম্মী[৮৬]। মরম অদুনা মণিপুরদা মথৌ তৌদুনা নৈবা সিকাই কাংবু অদুগী মশিং হনগৎনবা পোলিটিকল এজেন্টনা স্থপ্রিম গভর্ণমেন্ততা হায়রম্মী[৮৭]। মরম অদুদা লৈমাইগী সমাদাদা থোইদোকপা ইবাং তৌরবত্তু মথোয় চেঞ্জল হন্নর অদুদা স্থপ্রিম গভর্ণমেন্টনা লেপ্পগী মরম অমত্তা উৎত্রবদা মতম অদু ক্রম লম্বাদা যম্ম চান্ন নৈবন মণিপুরগী রাজকুমার নেত্রঞ্জয় সিংহগী মীচংদা, মীন ১০০ ক্বন্দ হায়বগী দাকন অমদি নৈ হায়দুনা এজেন্টনা হায়রম্মা। পোলিটিকল এজেন্টনা হায়বা য়াবদুনা অমদি দেবেন্দ্র সিংহগী মীচংদা থরৈনাঁয় ওবক্নবা লৈচঙ্গী লপ্তন্ট টেনমেন্টকী মাহকৈদগী ওইনা অসুম্বা থংনখিরম্মা মহাক কাংডাংবী পক্তাংশ নত্রগা অতৈ অতেপ্পা মীওইশিংনা মথক্তা চং থরগী রাজকুমারশিং অসিনা মণিপুরদা লান্দানবা হোৎ-নবা মতমদা মপোম্বী মচু পাংনবা মচু পাংলুবা মীশিং অদুগী মরক মথুম নমদুনা লৌরগা সিলাম লাংথাক্কুন নৈগনা মপোম্বু কারগা বন্দি পীগনি[৮৮]। মহাকপু মণিপুরদা থোংদাহল্লকংবা উপায় কয়াক্রম হোৎনখ্রবত্তু খৃঃ ১৮৫০ গী অক্টোবর তাং ১৭ কী সুম্মলাংদা দেবেন্দ্র সিংহনা মাগী কাংবুগ লোয়ননা মণিপুরদা

(৮৫) পোলিটিকেল কনসল্টেশন্স ১ ডিসেম্বর ১৮৫০, মশিং ১৯৯; মেকক্লোকগী চেলিংদদা ইব চেয়াল-৮ সেপ্তেম্বর ১৮৫০।

(৮৬) মথককী য়াওফম অসিগী মশিং ২০৯ দ।

(৮৭) মথক্কী যাওফম অসিগী মশিং ২১০ দ।

(৮৮) মথককী য়াওফম অসিগী মশিং ২৮৩ দ।

লান্মানবগীদমক খোংশানখিবনি। মরম অদুনা কছাড়গী সুপরিনটেন্দেন্টনা শিলচর লাইট ইনফেন্ত্রি বেটালিয়ানগী লান্মী কাংবু থরা দেবেন্দ্রসিংহবু খীংননবা থাখিরম্মী। অদুম ওইনমক দেবেন্দ্র সিংহগী কাংবু অদু মণিপুর তম্না চংশিনখিরম্মী অদুগা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা থারকপা লান্মী কাংবু অমগা লানথেংনবন্মী। লানফম অসিদা দেবেন্দ্র সিংহগী লোয়নবা মীওই কয়ামকম শাথীনা শোকখিরম্মী, মীওই থববুনা হাংখি অদুগা অতৈ অদুবুনা তানথাখিরম্মী। মতৌ অসুমা দেবেন্দ্রসিংহগী লালহৌ অদু অরোইবা তাখি।

অদুম ওইনমক দেবেন্দ্রসিং অনৌবা আশা অমগ লোয়ননা অমুক হন্না মণিপুরদা লান্দাখি। চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহাসন ফংনবা হোৎনবা অমা নত্রগা মথাই থাখিবা অমা অসুম্ন থম্লম্মী[৮৯]। গভর্ণর জেনেরেলগী কাউনসিলদা ইবা চিঠি অমদা নরাক্ল মণিপুরগী সিংহাসন অসিদি মহাক্কী স্বত্বনি হায়না ইবন্মী। মহাক্না ময়ামবু নরসিংহগী খুদম ফংহৌবা অসি ভগর্ণর জেনেরেলগী কাউনসিলনচু য়াথ্রবনে মরম কদুনা হীক্ত কাউন্সিলনা মহাকপু অমুক হন্না মণিপুরগী সিংহাসনদা থাংনীনবা নত্রগনা করো তম্পাক্কী ফু তপুরণ ওইনা খা থুদংগী ফংলিবা লুপা ৫০০ অদু মত্তোন্দা পীবকম থোকই হায়রম্মী[৯০]। অদুম ওইনমক মহাক্না হায়জব অদুদি য়াখিদে নিংবা কায়বদুনা দেবেন্দ্রসিংহনা মণিপুরদা লান্দাখি। অদুবু কছাড অমদি মণিপুরগী তাইনরবা চৌংশাং পরেং অসি লাখোক্কাক্তৈদা ব্রিটিশকী সিপাই কাংবু অমগা লান শোক্লম্মী। লানফম অসিদা মতোন ইবুংঙোশং অমনা পোকপা মনাও ইবুঙো কিশোর সিংহ অতোপ্প মীওই ১০ গ লোয়ননা নোক্নাখি। থোদোক অসিদ থাংবা শমত্রদুনা মহারাজ দেবেন্দ্রসিংহ অসি ব্রিটিশ সরকারদা সবেন্দর তৌখি মরম অদুনা মহাকপু মহাক্না নোক্নাখিবা খৃ ১৮৭১ ফাওবা ঢাকাগী জেলদা বন্দী ওইনা থমখি[৯১]।

দেবেন্দ্রসিংহগী লালহৌ অসি হেক লোয়খিবগা নরসিংহগী মচাইবুংঙো জোগেন্দ্রসিংহ অমদি অঙৌসিংহ হায়বা মতম অদুদা কছাড়দা লৈরবা রাজকুমার অনিনা মণিপুরদা লান্মানবগী য়াম্ন কম্না হোৎনরম্মী। হায়রিবা রাজকুমারশিং

৮৯। মথক্কী য়াওফম অসিদা।

৯০। পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২৮ মে ১৮৫৯, নশিং ৯৬; দেবেন্দ্রসিংহনা মেকক্লোক্কা ইবা চেরোল, ২০ ফেব্রুয়ারী ১৮৫৯।

৯১। মথক্কী য়াওফম অসিগী নশিং ৯৬, দেবেন্দ্রসিংহনা ভারত সরকারগী সেক্রেটরীদা ইব চেরোল, ২৪ এপ্রিল ১৮৫৯।

অসিনা চন্দ্রকির্ত্তিবু কছাড়দগী চেনখিনবা হোৎনখিবনি। অসিদগী নত্তনা মখোয়না মহাকপু মণিপুরগী নিংথৌ ওইনবগী হোৎনখিবনি[৯২]। অদুম ওইনমক থোইদোকপা মরম অমগুম লৈতনা অচোবা লাম্মী অমা থোমজিনগা মণিপুরদা মখোয়না নিংথৌ ওইনবা লান্দাখি। অদুগা অতৎপা লৈতনা মণিপুরদা লান্দানবগী থোরাং তৌবা অমদি লান্দাবা অসিনা কছাড় অমদি মণিপুরদা লৈবা কাংবুবু য়ায়া শাগুহনবতা নত্তনা প্রজা পূময়কপুগী অবাবা পীরম্মী। মরম অদুনা রাজকুমারশিং অসিগী কাংবুনা উম্পাক থোরকপিরদ্রৈদা থিংহোনবা সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টতা মেকাক্লাক্লা পাও পীরম্মী। অদুম ওইনমক গভর্ণমেণ্টতগী করি করম তৌগদগে হায়বা ৩ ও তাপ্রিদ্রৈদা রাজকুমার অসিগী মাংমানবা কাংবুনা বিশেনপুরদগী মাইল ১২ নাপ্প লৈব লৈমত্তাক তুরেল ফাওবা লানশিল্লকম্মী[৯৩]। তাদুগা অসিদা লৈশিল্লবা মহারাজ নরসিংহগী মনাওইবুংতোশিং থোকপা থুপ্পাওবা হায়বা অমগু মথকী কাংবু অসিগা তিন্নখে হায়বা পাও ফংলম্মী। অপুনবা তেজোল অসিনা খৃঃ ১৮৫১[৯৪] গী মে তাং ১২ গী অযুক্তা ইম্ফালদগী মথা-নোংচুপ ওইনা মাইল ৪০ মুক থাপ্প। ফুবালাগী মাইকৈরোমদা লৈবা খুন অমদা চংলকখি। পাও অসি হেক ফংবগা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা অচোবা লাম্মী তেজোল অমা লান্দারকইবা কাংবুবু থীংনবা থাখি। মনা কোন্থুংগী তেজোলনা লান্দারকইবা কাংবু অদুদা থংহোদনা লান্দাখি অদুগা দেবেন্দ্রসিংহগী মজাইবুংতোশিং অমগা মনাওইবুংতোশিং অমগা নোংমৈনা পান্দুনা নেংশাখি[৯৫]। ভোগেন্দ্রসিংহ অদুগা অতোপ্পা লালহৌ অদুদা য়াওরুবা রাজকুমারশিং অদু কারগা বন্দি থমখি।

মথকী লালহৌ অসিগী হেক মতুংদা রাজকুমার মেদেথোম্বা সিংহ হায়বা অমনা মণিপুরদা লান্দানবা হোৎনববই হায়বা পাও অম মেক্রেক্লা পীথংলম্মী[৯৬]। লান্দারকইবা কাংবু অসিবু চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা ইম্ফালদগী মাইল ৭ থাপ্প লৈবা কোইজিংদা খৃঃ ১৮৫২ গী নবেম্বর তাং ২৪ দা অচোবা লাম্মী তেজোল অমনা থীংননবা হোৎনলম্মী। লানফম অসিদা লান্দারকপা কাংবুগী মী য়ায়া শিখি অদুগা মখোয়গী লুচিংবা মেদেথোম্বসু কারগা বন্দি থমখি। মতম অসিমতুদা রাজকুমার সিংহ হায়বা অমনাগু মণিপুরদা লান্দারকপগী পাও

(৯২) পোলিটিকেল কনসলটেসন, ১৩ ডিসেম্বর ১৮৫০, মশিং ২২০।
(৯৩) পোলিটিকেল কনসলটেসন, ১৩ জুন ১৮৫১ মশিং ১১৮।
(৯৪) মথককী য়াওফম অসিদা।
(৯৫) মথককী য়াওফম অসিদা।
(৯৬) পোলিটিকেল কনসলটেসন, ৪ এপ্রিল ১৮৫১ মশিং ১১৫।

কংলম্মা। রাজকুমার অসি কদোমদগী লাকপনো হায়বত্তুদি অশেংবা থংবা ওমদে অদুম ওইনমক মহাক অসি মাগী লোয়নবগা আগরটালারোমদগী লাকখিবনি হায়নদি থাজে[৯৭]। অদুম ওইনমক রাজকুমার অসিনা লান্দানবা হোৎনবা অসি মণিপুর তম্পাক য়ৌত্রিড়েদা খিংনবা হোৎনখি। চন্দ্রকির্ত্তি সিংহগী হোৎনবা অদু মায় পাকখি।

মতৌ অদুমা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা পানবা অসি সিংহসত্তবু থনবা রাজকুমার কয়ামকম্মা মথং মথং লান্দাখি। খৃঃ ১৮৫২ দা মধুচন্দ্রগী মচাইবুংঙো নাওলসিংহ, মারজিৎকী মচাইবুংঙো কন্হাই সিংহ অমদি কৈরাবনা কছাড়দগী অচৌবা লাম্মী তেংলোল অমগা লোয়ননা মণিপুর নিংথৌ খুতম মুন্নবগীদমক লান্দারকখি। ভোইগুমপুং মথোয়গী লান্দাবা অদু মহৈ য়ানখিদে[৯৮]। মতুং থরা লৈরগা গম্ভীরসিংহ মহারাজগী মচা মগু থোকপা মাইপাকসিংহ হায়বা অমনা কছাড়দগী খৃঃ ১৮৫৮ অমদি খৃঃ ১৮৬২ দা চন্দ্রকির্ত্তিগী মথক্তা লান্দাখি। রাজকুমার অসিগী লান্দারকপা অদু মাইথীখি অদুগা অকোনবগী লানকমদা মহাকপু কাদুনা বন্দী থমখি। খৃঃ ১৮৫৪ দা কন্হাই সিংহনা অমুক হন্না মণিপুরদা লাম্মী ২০০ রোমগা লোয়ননা লান্দাখি। অদুম ওইনমক ৩৩ শুবা নেটিভ ইনফেনট্রিগী সিপাইশিংনা রাজকুমার অসিবু জীরি তুরেলগী মরাদা মাইথাবা পীখি[৯৯]। খৃঃ ১৮৬৬ তা দেবেন্দ্র সিংহগী মচাইবুংঙো গোকুল সিংহনা কালাসনাগা লোয়ননা কছাড়দগী মণিপুরদা লান্দাখি। রাজকুমার অসিবু মহাকী লোয়নবশিংগা লোয়ননা মাইথীবা পীরম্মী অদুগা চহি অনিরোম লৈবগা মহাক মশামক কুচবীহারদা কারদুনা চহী ৭ বন্দি থমখি[১০০]। অদুম ওইনমক খৃঃ ১৮৬৯ দা রাজকুমার অসিবু ঙাকপীখি অদুগা খৃঃ ১৮৭৫ য়ৌত্রি কাওবদি মহাকপু হাজারিবাগতা রাজনীতিগী বন্দি ওইনা থমখি।

মথক্তা নৈনখিবা থৌদোক কাথোকশিং অসিদগী ঐথোয়না চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা মতৌ করম্না মহাকী মথক্তা লান্দারকপশিংবু মাইথীবা পীখিবগে হায়বদু নিংখিনা খঙলে। লাল খুদিংমকপু ব্রিটিশ সরকারনা মতেং তত্তনা পাংখি। মরম অদুনা ব্রিটিশকী মতেং য়াওরমত্রবদি চন্দ্রকির্ত্তিনা মণিপুরগী সিংহাসন ঙাকচবা ওয়মদবা য়াই হায়রকবদা হায়মনবা থোক্লোই।

---

(৯৭) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, এপ্রিল ১৮৫১, মশিং ১১৯।

(৯৮) ডাঃ ব্রাউন, ষ্টেটিসটিকেল একাউন্ট অফ মণিপুর, লমাই ৬৯—৭০।

(৯৯) মথকী য়াওকয় অসিদা।

(১০০) ফোরেন পোলিটিকেল এ, মে ১৮৮১ মশিং ১১৭—১১৮; বোরেল, আসামগী চিফ কমিশনারনা কছারদা লৈবা মণিপুরগী রাজকুমারশিংদা ইবা, ২৪ জানুয়ারী ১৮৮১।

মরিওবা পন্দুপ

অরি-অনৌ শিন্নবা

মথক্কী পন্দুপ্তা নৈনখিবা অদুগুম্না অহানবা ব্রিটিশ অমদি বর্মাগী লান্দা গম্ভীরসিংহনা 'মণিপুর লেভী' হায়বা 'ব্রিটিশ গবর্ণমেণ্টকী ওফিসার য়াওবা লাশ্মী কাংবু অমা শেমগৎলা য়াহনখি'। গম্ভীরসিংহগী মবাদা হায়রিবা লেভী অসিনা অহানবা বর্মাগী লান্দুনা ব্রিটিশকী মতেং পাংদুনা বর্মীশিংবু তানখোক্লকখি[2]। মহারাজ অমদি মহাক্কী লেভী অসিনা তৌখিবা 'ব্রিটিশকী থবকশিং' অদু নিংশিংনা নৈনরবা মতুংদা গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলনা য়ান্দাবা সন্ধিগী মতুংদা গম্ভীর সিংবু মাগী লেভীগী সিপাই অসি মণি লিশিং খুদিংনি শুনবা শেমগৎহনখি অদুগা ক্যাপ্তেন এফ. জে. গ্রান্ট অমদি লেফ্টেনেণ্ট পেম্বর্টনবু লেভী অসিগী কমিশনার ওইনা থাবক থম্লগা অদুগা মতেং পাংনা ব্রিটিশকী ওফিসার লেফ্টেনেণ্ট জর্জ গোর্ডোন হায়বা অমবু এডজুট্যান্ট ওইনা থমখি।

অদুম ওইনমক গম্ভীরসিংহবু মণিপুরগী মালিক মথা ওইনা নিংথৌনি হায়দুনা চেক য়াবগী মতুং ইকুই কুম্দনা সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা মণিপুরদা লৈরিবা ব্রিটিশ ওফিসারশিং অমদি মহারাজ হাওবা মহাক্কী লেভীগীদমক হায়দুনা পীরিবা মতেং পুম্নমক লোইশোক্লগা করে পাংখ্রে[3]। মণিপুরদগী ব্রিটিশকী ওফিসারশিং অমদি মণিপুরবু তেংবাংনবা লেভী থুগাইদুনা অসি লোইশোকখবদি মণিপুরগী খুদোংথীবতা লাকনা মতম অদুগী নেথ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র কাওবা খুদোংথীবা থোক্লবা য়াই হায়বসি কলকাতাদা লৈবা মীওইশিংনা খল্লমখিদে। মরম অদুনা গভর্ণর জেনেরেলগী এজেন্ট ওইরিবা ডেভিড স্কটনা মতম অদুদা মণিপুরদগী ব্রিটিশকী ওফিসারশিং অমদি ব্রিটিশকী মতেং পীরবশিং অদু লোইশোক্লবদি খুদোংথীবা কয়ামরুম থোকপা য়াই হায়দুনা হায়রম্মী মরম অদুনা মণিপুরদা 'মণিপুর লেভী' থম্লাসনবা কায়া যাম্না নৈরি হায়না মহাক্কী মত পীরম্মী। স্কটকী

---

(১) মথককী পন্দুপ্ত য়েংঙু।

(২) ফোরেন পোলিটিকেল এ, প্রোসিদিংস এপ্রিল ১৮৩৩, মশিং ১০৭, ব্রিটিশ অমসুং মণিপুরগী মরি লৈনরকপা মতাংগী মেমোরেণ্ডম।

(৩) সিক্রেট প্রোসিদিংস, ২৩ জানুয়ারি ১৮৩৬, মশিং ১৮।

রিপোর্ট অসিনা কলিকাতাদা লৈবা অথোরিটিগী মথিৎ পাংহনখি অদুগা গম্ভীর সিংহবু মহাক্কী লেভী অসি সিকাই ৩,০০০ গুনবা শেমগৎপা য়াহনখি। মরম অদুনা গম্ভীরসিংহ মহারাজনা চীংতম অনিমক মহাক্কী মথাদা পুরক্লবা কন্না হোৎনরিঙে মতমদা মহাক্কী অচৌবা লাম্মী তেঙ্গোল অমা দবকার ওইখি। মহাক্কী অরাংপা অসি মণিপুর লেভীনা মেনশিনখিবতা নত্তনা মণিপুরগী ইতিহাসতা লেভী অসিনা অচৌবা শরুক য়াবত্ত হোখ।

অদুম ওইনমক লেভী অসি থম্মী মতাং অসি য়ৈথাইবা লৈতবা কায়বদুদি ওইখিদে। গভর্ণর জেনেরেল ওইরম্ব লর্ড উইলিয়াম বেণ্টিঙ্কনা অস্তুম্না ইরি : "মীশিং ৩০০ গুবে হায়রিবা মণিপুর লেভী অসি মণিক চানা নিয়ম নাইবা হায়বদু ওংগ্রি অদুগা সিংহাসন অসু নিয়ম নাইবা ওইনবানা হায়দুনা হাপ্পীবা ওফিসারশিং অসনত্ত নিংথিনা থেংশিনবা ডমাত্র। লোংমৈনচিংবা পাইবনিনা মশিং মাল্লবা বর্মীজগী সিকাইশিংবু পানবাদা ডল্লগনি হায়না ঐথোয়না থাজবত্ত করিক্কম্বা বর্মাগা লাল অমা ত্রোবা তারবদি মথোয়দগী মশিং হেন্না থাজিক্কদবা সিকাই কাংবু অদুগাদ মথোয়গী নিংথিনা নিয়ম নাইনা তমদ্রবা মতম্মী অদুনা পাবা য়াগানি হায়না থাজবাদা উহদে ·····"[৪]। গভর্ণর জেনেরেলনা অস্তুম্না অমুক্ত হায়রম্মী মতুংদা মণিপুরগা ব্রিটিশকা মরী থম্মবা তারবদি 'ব্রিটিশকী সিকাই কাংবু অমা ব্রিটিশ ওফিসারশিংগী মথাদা মণিপুরদা থম্মা তাবানি অসিনি। ব্রিটিশকী সকাই কাংবু অমা মণিপুরদা থম্মাদ মণিপুরীশিংনা থাজবা অমা পোক্লল হায়রজ্ঞ ইঙ্গ লাটাগদগী কান্নশিনা থল্লমী। মরম অদুনা সুপ্রিম কাউন্সিলনা [illegible] ফেটনদি মণিপুরদা লেভী থম্মদি অদুমক পাল্লম্মী অদুবু ব্রিটিশকী সিকাই কাংবু অম থম্মগী মতাংদদি তোঙানবা মত্ত অমা পীরম্মী। মহাক্কা পাম্বদ মণিপুর লেভীগী সিকাই পুম্নমক ব্রিটিশ ওফিসারগী মথাদ থম্মগী মতম্ভা 'সাপ্তাহ ২০০ থক্ক' থম্মনা ফগনি অসিনি। অস্তুম্না কলিকাতাদা লৈবা মীওইশিং অমাদ হোচকী মরক্কা মত্ত থেৎনরকপা অসিনা মণিপুরদা লেভী থমাথগদ্রা হায়বা ৱাকম অসি মণিপুর সরকারনা থজবনা হেন্না ফরাগ হায়না লেপ্লখে। অস্তুম্না মণিপুর সরকারগী অনিংবগী মতুং ইন্না খৃঃ ১৮৩৫ খৃঃ ফেব্রুয়ারী তাং ৭ তগী হৌম মণিপুরদগী মণিপুর লেভী মুথৎখি[৫]।

(৪) ফোরেন পোলিটিকেল এ, প্রোসিডিংস, এপ্রিল ১৮৬৪, মশিং ১০৭, লর্ড উইলিয়ম বেণ্টিঙ্ককী মাইনুট, ২৫ মার্চ ১৮৩৩।

(৫) মথক্কী য়াওখম অসিদা।

পোলিটিকেল এজেন্সি ঃ

মণিপুরদগী মণিপুর লেম্ভী মুথৎথবা মতুংদা গভর্ণর জেনেরেলগী কাউনসিলনা মণিপুরদা ব্রিটিশ ওফিসার অমা থম্নদি কৈ হায়না থম্মরম্মী। ওফিসার অসি থম্নগী মরমদি 'মণিপুর সরকারগা মরুপ ওইনা তিন্নদুনা লৈনবা অমদি পাও চংথোক চংশিন তৌননবা অদুগা মতম মতমদুগী মতুংইন্না সিমানা অসোমদা বর্মীজগী কাংবুগা মরুপ ওইনা তিন্নবা অমদি পাও লোথোক লৌশিন তৌনবা অদুগা মরু ওইনদি মণিপুরীশিং অমদি বর্মীজশিংগী মরক্তা থৎন-চৈনবা তৌদনবনি'[৬]। মথক্তা হায়রিবা থাবমশিং অসিনা হৌজ লর্ডসিপকী কাউনসিলনা খৃঃ ১৮৩৫ দা মণিপুরদা পোলিটিকেল এজেন্সি লিংথৎখি অদুগা চহিদা তলব লুপা ১২০০০ পীদুনা লেপ্তেনেন্ট গোর্দোনবু মণিপুরগী ইলান হানবা এজেন্ট ওইনা থনখি[৭]।

পোলিটিকেল অজেন্টকী মথৌশিংদি মণিপুর সরকারগা মরুপ ওইনা লৈননবা অমদি সরকার অসিগা পাও চংথোক চংশিন তৌনবগী মীওই অমা ওইবা অদুগা সিমানা অসোমদা লৈবা বর্মীজগী কাংবুগা পাও চংথোক চংশিন তৌননবা হোৎনবত্তা নন্তনা মাইকৈ অসোমগী সিমানাগী থাথোক ডাক্লনবা মীওই অমত্ত ওইগদবনি[৮]। মহাক্না মহাকী মথৌ তৌবা মতমদা ভারত সরকারগী পোলিটিকেল ডিপার্টমেণ্টকী সেক্রেটারীগী পাওতাক লৌগদবনি অদুগা মহাক্না পাও ইথোক ইশিনত্ত তৌগদবনি হায়দুনা পোলিটিকেল এজেন্টত্তা থংহল্লমী। মত্তৌ অত্তুমা এজেন্সি অসি খৃঃ ১৮৬৭ কাওবদি ভারত সরকারগী হেক মথাদা থনম্মী। অদুম ওইনমক খৃঃ ১৮৬৭ তা এজেন্সি অসি ভারত সরকারগী মথাদা থম্নগী মতুত্তা বাঙলা সরকারগী মথাদা থমখিবনা কয়ে হায়বা থাক্ম অমা লাকপদগী অমদি আসামনা খৃঃ ১৮৭২ দা চিফ কমীশনারগী লৈবাক অমা ওইবা হৌখিবদগী মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্সি অসি আসামগী চিফ কমীশনারগী মথাদা থমখি[৯]। অদুগা পোলিটিকেল এজেন্টপু চিফ কমীশনার অসিদগী পাওতাক লৌবত্তা নন্তনা মহাক্না সরকারদা ইনিংবা চিঠিংচিংব পুম্নমক ইশা মতম্দা মহাক্কী মুহোরগা লোয়ননা চিফ কমীশনার অশোমদগী ইনরকদবনিন্দ হায়রম্মী। [১০]

---

(৬) মথক্কী মাওকম অসিদা।

(৭) এপেনডিক্স—এফ তা য়েংউ।

(৮) পোলিটিকেল কনসলটেসন, ১৪ নবেম্বর ১৮৫৩ মশিং ১৭।

(৯) মেকেঞ্জী, আলেকজান্দর, নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়ার অফ বেঙ্গল, লমাই ১৬০।

মণিপুরদা পোলিটিকেল এজেন্সি থম্বা অসিনা মণিপুরগী মহারাজনা মহাক্কী লৈবাক ডাকচবা মতমদা এজেন্ট অসিনা হায়বা ডাক্তা ইনগদবনি হায়বা বাকমদি নত্তে। মথক্তা হায়খ্রবা গভর্ণর জেনেরেলগী মাইহুটতগী ঐথোয়না মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট অসিদি রাজদূত অমগা চপ মান্নে হায়বা থজলে। "পোলি-টিকেল এজেন্ট অসিদি মহারাজগী অপাম্বা বাথলগী মথা পোলি"[10]। "মহাক্কা চৎপা অমদি মহাক্কী বাঙাং কাওবা মহারাজনা থজই। মহাক অসি তশেংনমক মণিপুরনা ডাক্কনা থম্বা ব্রিটিশকী ওফিসার অমনি। মহারাজনবু যানিংঙ্গবদি মহাক করিগুম্বা ফংবা ওৎপ্রবনি, তশেংনমক ইম্বোক্রবনি, মহাক্কীদমক মহারাজনা পীরম্বা যাম, মাগী মকি-মরোল শুরম্বা ধোবী, মাগী লৈকোল শেম্বা নাগাশিং অমত্তা ফংলরোইদবনি : তশেংনমক মহাক পৈশানা কাওবা পোৎ লৈজবা ফংল-রোইদবনি। মথোয়না পোলিটিকেল এজেন্ট অমদি সরকারবু ইকাই খুম্নবগু মণিপুরদা পোলিটিকেল এজেন্সি থম্বা হায়বসিদি তশেংনমক যানিংলমদবনি[11]।" মণিপুরগী হৌখিবা ইতিহাসতি মথোয় মশেল হাৎনা জনবা, লান্দারকপা অমদি মহারাজগী সাশন মথাদা অৱাবা কয়াংকম থাংখিবা ডাক্তনিনা মণিপুরদা পোলি-টিকেল এজেন্ট থম্বদি লৈবাক অসিদা মরা তপ্না পানবা ওয়তা নত্তনা লৈবাক অসিগী চাওথং খোরাংদগু অচোবা কাম্বা অমা পীরকনি। অদুম ওইনমক পোলিটিকেল এজেন্ট অসিনা মহারাজগী অমদি অতৈ রাজকুমারশিংগী অপাম্বা অমদি অনিংবদা খুৎ থিংজিনবদি যাদে অদুগা নোংমৈ অমদি নোংমৈ মরুনচিংবা ব্রিটিশনা মণিপুর ওক্রবগীদমক পীরকপাশিং অদু শিজিন্নবদা অশিংবা পীবগু যাদে[12]। মণিপুরগী হমুং মহুংগী ওইবা রাজনীতিদা খুৎ থীংজনবা হায়বা অ.সদি মহাক্কী শক্তিগী বাংমদনি হায়না তশেং তশেংনা হায়রম্মী।

মতৌ অসুম্না মণিপুরদা পোলিটিকেল এজেন্স থমখিবগী অহানবা মতাংদদি লৈবাক অসিগী হমুং মহুংগী রাজনীতিদা খুৎ থীংজম্নবগী শকক যাওখিদে। অদু ওইরবসু সিংহাসন মুম্নবগী লাল মথং মথং লাকপদগী মণিপুরদা পাক্লবা নিংথৌশিংনা ব্রিটিশ সরকারদগী মথোয়গী খুদোংচাবতা য়েংদুনা সিংহাসন কন্নবগী হোৎনবদা ব্রিটিশকী মতেং নিবা অত্তম অত্তম হৌখিবনি। অনৌবা বাকম অসিনা সুপ্রিম গভর্ণমেন্টনা মণিপুর অসিদি মথোয়গী মতেং যাওত্রবাদ লৈজবা চেমরোইদবা

(১০) জে: ক্লার্ক, প্রেসিস ওফ করেসপোন্দেন্স রিগার্দিং মণিপুর এফিয়ার্স, লমাই ২৩।

(১১) মথক্কী যাওকম অসিদা।

(১২) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ১৩ ডিসেম্বর ১৮৪০, মশিং ৯৯০।

লৈবাক অমনি হায়না থনবা হৌখি অদুগা বাকম অসিমক্তা মণিপুরবু ব্রিটিশ সরকারনা 'ডাক-লেন্সবা লৈবাক্কি' হায়নন্তু থমহনবা হৌবে। তোইগুবম্তুং 'ডাক-লেন্সবা' হায়বা বাহৈ অসিগী অর্থদ নাকল অমিনা য়নরবা বাকমদ ওইরে: মসিদি ব্রিটিশ সরকারতনা পুংথাবচবা বাহৈনি। বাহৈ অসিদি সরকার অসিনা মণিপুরদা মানং-মথা তম্বা অমাদ মপান্সল কন্থা। লৈবাক অমা লেমগংলগা বর্মীজশিংনা মণিপুরদ অমাদ মণিপুরগা থংনন লৈব 'ব্রিটিশকী লমশিংদা খুং খীংজিল্লকনবা হোৎনবদ মণিপুর সরকারদা মতেং পাং থবদগী ব্রিটিশ সরকারতনা শিজিন্নজবা বাহৈনি মণিপুর সরকারনদ 'ব্রিটিশগী লৈবাক অসিগী য়াইকনবা থনবিবা মরুপ অম ওন্নায়না পনাব... খোইদন্সন্নং ... অসি ... অমা ওইরদ থক থদে। অপম্না 'ডাকপাবা' হায়বা বাহৈ অসিগী অর্থ লৌনবদ থেংনরকপনা ব্রিটিশ অসি মণিপুরী অগী ... ... অসিগী সিংহাসন ... তবা থোদোক কয়ামক্রম থোক্নাখ মতম মংগী পন্দুপাশংদ লৈংবক্তনি। অদুম ওইনমক মথক্তা লৈংথবা মতুঙ্গমতুনা মণিপুরগী হন্নু মন্নু গী রাজনীতিদা পোলিটিকেল এজেন্টনা হুৎ যা জিনবদি মগাং অসদগী হৌখ্যনি।

চন্দ্রকির্তি সিংহ অমদি পোলিটিকেল এজেন্ট :

খু. ১৮৪৪ দা কেপ্টেন ... ... গার্ডিনা মহুৎ শিনবা ওইনা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওখায়। এজেন্ট অসিন চন্দ্রকির্তি সিংহগী অহানবদা লৈনরম্বা মরম অমদি য়ম্ন চাম্রংম্বা। অদুগা ওইনমক মহারাজ অসিনা কছাডদা লাজেন্দুনা ... ... মণিপুরগী সিংহাসন মতোন্দ পীবিবো হায়দুনা এজেন্টতা হায়জখি ... ... অদোক অসি চন্দ্রকির্তি সিংহ দ কাপ ... । ... মণিপুরগী সিংহাসন অমুক হন্না ফংজববসু ... ... পেশ্রংদি পীয়ু হায়বা য়ারমদে অদুগা মহাকপু মণিপুরগী সিংহাসন য়াববে হায়বসু য়ারমদে অদোক অসিনা মহারাজ চন্দ্রকির্তিবু য়াম্না শাওহনাখম্মী ... চন্দ্রকির্তি সিংহগী পেন্নবা মরাম অসি থংখিদবদি ... অদুবু মতুংদা মহারাজ অসিগী মপান্সল মথোনা লোইদনমক ... হায়না ... অদুক ... থবাইদ য়াওখিদে। খু: ১৮৫০ দ মহারাজগা পোলিটিকেল এজেন্টগী মরম অসি তপ্লেংনমক য়ায় ফংত্রে। ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পানীগী মায়মে ... লাকহৌরবগী থোবাং তোকুম্না লৈরম্বা কোনোমা থুনগী পাওমাই লাগাংশ দ। চন্দ্রকির্তি মহারাজনা নোংমৈ অমদি মীনা চিংবা পীদুনা মতেং পাংই হায়ব পাও অমা মশম অদুগী মণিপুরগী অয়াং

মাইকৈদা লৈবা নাগাশিংগী অফিসার ওইরবা য়ুম্নাবা লীলাসিংহ সুবেদারগী পাও থোমজিনগা মেকক্লোক্লা গভর্ণর জনেরেলদা পাও থাখিরম্মী[১৩]। মথক্কী খুন অসিদগী নাগা নিপানথক মণিপুরদা লাক্লগা শামু ময়া অনি অদুগা মীনাই অমা মণিপুরগী মহারাজদা ব্রিটিশকী মাঙয়োক্তা মতেং পাংবিনবা থুদোন ওইনা পীরম্মী[১৪]। মতম অদুদা নোর্থ ইষ্ট ফ্রোন্টিয়ারদা গভর্ণর জেনেরেলগী এজেন্ট ওইরবা মেজোর জেনকিন্সনগু গাওমাই চাঁদা গাওমৈ নাগাশিংবু তেংবাংনবা মণিপুরগী সিফাই ময়াম কাথংপা উই হায়দুনা পাও পীরম্মী[১৫]। মথক্কী পাও অসি নৈনবা রেকোর্দ ময়াম নিংথিনা থীজিনবা মতুংদা গভর্ণর জেনেরেলগী কাউনসিলনা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজদা অতোম্বা হায়যু হায়দুনা মেকক্লোক্তা পাও থারম্মী মদুদি হীজ লর্ডসিপকী কাউনসিলনা মহারাজ অসিনা গাওমাই নাগাশিংবু তেংবাংগনি হায়বা অসি য়াম্না ৱক্না থোকথে অদুগা হায়রিবা নাগা কাংবুশিং অসিনা মণিপুরদা লাকপদা য়াম্না তরাম তরাম্না ওকথি হায়বসিগু অঙকপা অমা ওইনা থোকই[১৬]। সুপ্রিম কাউনসিলনা মেকক্লোক্তা চন্দ্রকির্ত্তিদা অতোম্বা হায়যু হায়দুনা হায়রম্মী মদুদি মহারাজ অসিনা মণিপুরগী ইমুং মনুংগী ওইজবা থবকশিং তৌজবদা ব্রিটিশ গভর্ণমেন্টনা থুং থীংজিনবা য়াদ্রবগু সুপ্রিম গভর্ণমেন্টকী মথক্তা লালহোনিংবা কাংবু অমাদ ব্রিটিশকী য়েক্কবশিংদা মতেং পীবদি থাংব ঙম্লোই[১৭]।

সুপ্রিম গভর্ণমেন্টনা মহাকপু মণিপুরগী নিংথৌনি হায়বা য়াথিরকৈগী মমাংদা চন্দ্রকির্ত্তি সিংহনা মণিপুরগা ব্রিটিশকা লৈনরিবা মরি অসিগী মতাংদ খুংডাইনদবা থোকপা য়াবা থবক তৌরোইদবান হায়না মহারাজ মশামক্তা থংহনম্মী। সুপ্রিম গভর্ণমেন্টকী খুংডাইতবা য়াগম ময়াম অসি চন্দ্রকির্ত্তিদা তমলুবদা মহাক্কী থাকম-শিং অসি অচুম্বনি হায়বা য়ারগদে। অচুম ওইনমক থাকম অসি চুমত্র চুমদবরা থীনবা মীওই কাংবু থরা থল্লগা থীগৎতুনা য়েংবদা গাওমাই নাগাশিংনা মণিপুরদা লাক্লগা চোংথা সেলুংবদ শামু ময়া অমা অদুগা মীনাই অমা পীরবা, সেলুংবা অসিনা সেত্তুসিংহ সেনাপতিগী মরা তাদগা হায়রিবা নাগাশিং অসিগী লালহোদা

---

(১৩) পোলিটিকেল কনসলটেসন, ২৭ ডিসেম্বর ১৮৫০, মশিং ১৪৯ ; মেকক্লোক্লা চন্দ্র-কির্ত্তিদা ইবা চেয়োল, ৭ সেপ্তেম্বর ১৮৫০।

(১৪) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

(১৫) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

(১৬) মথক্কী য়াওকম অসিগী মশিং ১৫২ ; হেলিদেসা মেকক্লোক্তা ইবা চেয়োল, ২৭ ডিসেম্বর ১৮৫০।

(১৭) মথক্কী য়াওকম অসিগী মশিং ৩৬৭

মণিপুরদগী সিফাই অমদি শেন থুম্না তেংবাংগনি হায়বনচিংবা হায়খিবগী অতুনা মঙাম থংবা ওয়রম্মী। গাওযাই নাগাগী থৌদোক অসিদা সেনাপতিগ্গী মাওয়রম বনিনা মহারাজ চন্দ্রকির্তি সিংহনা সেতু সিংহবু সেনাপতি কম লৌথোক্নবা ইকাইবা পীবগা নত্তনা সেনাপতি অসিবু ডাক শেম্নবা মী কাওবা থম্লে হায়দুনা ব্রিটিশ গভর্ণমেন্টতা পাও পীখি[১৮]। থৌদোক অসিগী মতুংদগীদি চন্দ্রকির্তি মহারাজনা ব্রিটিশ সরকারগী মুংঙাইতনবা থবক অমতা তৌখত্রে অদুগা সুপ্রিম গভর্ণমেন্টনশু তৌবিমল থংবা উৎপা ওইনা মণিপুরগী সিংহাসন অসি মহারাজদা অমদি মহারাজগী চাবোল শুরোল কাওবনা কংবা য়ানবা হোৎনগনি অমদি মহারাজগী মথক্কা লাল হৌরকপা কাংবুবু নমথনবা হোৎনবদা তেংবাংগনি হায়রম্মী[১৯]। চন্দ্রকির্তি মহারাজ অমদি ব্রিটিশ সরকারগী মরক্তা মেংথীনবা অমা লৈরম্লু মথক্কী অশুম্না তাইশিন্নখি। অদুম ওইনমক মহারাজ অসিনা লৈবাক ডাকপা মতমদা অয়াবা মতেং পাংউ হায়দুনা পোলিটিকেল এজেন্টতা হায়রম্মী অদুগা করিগুম্বা চন্দ্র কর্তি সিংহনা মহাক্কী প্রজাশিংবু ওৎ-নৈরক্লবদি এজেন্টনা মতু থীংনবা হাংনগদবনিশু হায়রম্মী। করিগুম্বা মশুং অমা নত্রগা অমা তৌদুনা মহারাজ অসিন মহাক্কী প্রজাশিংদা কা হেন্না ওৎ-নৈবগী থবক অসিদি তৌংম্রিংদে। কলিকতাদা লৈবা ব্রিটিশকী মীওইশিংনা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টতা তৌগদবা মথৌশিংনি হায়দুনা পীখুবা থবকশিং অসিদি এজেন্ট অসিনা তৌগদবা মথৌশিংগী বাংমদানি হায়নসি মথোয়শু থংলম্মী। অদু ওইরবশু মথোয়না পায়রগদ পোলিটিকেল এজেন্ট অসিবু মণিপুরগী ইমুং মচুংগী রাজকুমারশিংদা খুৎ শিংাজিনহল্লগা লৈবাক অসিগী মানং মথা তমজবা অসি কাওবা মমিংতগী ওইনা থম্নবা হোৎনবা অসিতবুনি।

সিফাই লালহৌগী কল ঃ

মণিপুরগী প্রজাশিংনা লৈবাক মরা ওপ্না পানবা পাম্বী হায়বসি মহারাজ চন্দ্রকির্তি সিংশু থওদম্মী। সুপ্রিম গভর্ণমেন্টকী মতেং য়াওত্রবদি মরা তপ্না লৈবাক অমা শেমগৎপা ঙম্ররোই হায়না মহারাজ অসিনা কন্না থাজরম্মী। রাজ্য অসিনা মনিং মথা তম্বা লৈবাক্কী নিংথৌ অমা ওইবগী অচাওরমশিং অদু থাদোক্লগা ব্রিটিশশিংগ মরূপ ওইননবা কন্না হোৎনরম্মী। মতম অসিবাইদা ভারতা সিফাই লালহৌবা হৌখি। পাও অসি হেক তাবগা চন্দ্রকির্তি মহারাজনা

(১৮) মথক্কী যাওখম অসিদা।

(১৯) আইচমগী সকীনচিংবগী লমাই ২৪৩ দা।

এজেণ্টকী মনাক্তা চংলগা অডবা মতেং পাংগে হায়রুই[২০]। মাকম অসি স্থপ্রিম গভর্ণমেণ্টতা মেকক্লোক্লা থজহনখি। মতম অদুদা কছাড়দা লৈরবা শিলট লাইট ইনফেনট্রিগী সিপাইশিংনা লাল হৌনিংবা মাথল লৈরে হায়বগী চিংনবা লৈরমথ্রিবনা মতম অদুমক্তদদি মহারাজ আসগী মতেং দরকার ওইহল্লি হায়দুনা মেকক্লোক্লা হায়রম্মী। অদুম ওইনমক সিমানা অশোমদা করিগুবা থুদোংবীবা থোক্লরুবদি মহারাজ অসিগী মকপ ওইবগী মতেং অদু পীবিরকনি হায়না এজেণ্টনা কম্না থাজরম্মী।

খৃঃ ১৮৫৭ কী নবেম্বর তাং ১৮ দা ৩৪ মুবা নেটিভ ইনফেনট্রিগী কম্পানি অহমথক্লা লাল হৌরম্মী[২১]। পাও অসি মণিপুর মৌরকপদদি প্রজা পুম্নমক য়াম্না পাথৎনরম্মী। লালহৌবা কাংবুনা অবা'লোমদা চংশিল্লকপা অদুনা মণিপুরদা লোয়দনা মৌবক্লগনি হায়না থম্মরম্মী[২২]। ত্রিপুরাগী জঙ্গল মরক্তা লাক্লগা লাল-হৌবা কাংবু অসিনা শিলট তাম্না লাকখি। কাংবু অসিনা কছাড তাম্না চৎখিদুনা চৌরজীৎ মহারাজগী মজা ইবুংঙো নরেন্দ্রজিৎ সিংহ ওরকে সনা চহি অহমগী মীচংদা য়াওরম্মী[২৩]। খৃঃ ১৮৫৭ কী ডিসেম্বর তাং ১৮ দা শিলট লাইট ইন-ফেনট্রিগী সিপাই কাংবু অমগা লাট্টু হায়বা লম অমদা লান থেংনরম্মী অদুগা লালহৌবা কাংবুনা ইনফেনট্রি অসিগী কম্যান্দেণ্ট মেজোর বীঙ্বু হাংথি। লাল হৌবা কাংবু অসিবু তায়বম্মী অদুগা লেফ্টেনেণ্ট রোসনা ব্রিটিশকী অচৌবা সেঙ্গোল অমা পুবক্তুনা মথোয়গী মথক্তা লান্দাখি। লাল অদুদা মী য়াম্না শিখ্রবক্ত লালহৌবা কাংবুশিং অদু জঙ্গলদা চেংখিদুনা পাম্নপাদ ডমাথিদ্রে।

ডিসেম্বরগী তাং ২৫ দা লাটুদা থেংনাথবা লাল অদুগী মথম পুম্নমক মণিপুরদা তারম্মী। কছাড়গী মণিপুরীশিংনা লালহৌবা কাংবু অদু মণিপুর তাম্না পুরক্তরা হায়না চিংনরম্মী। করিগুবা লালহৌবা কাংবু অদুনা জীরিরোমদা লাক্লগা মণিপুর তাবক্তরা হায়না চিংনদগী অদুগা এজেণ্টনত্ত হায়জবদগী মণিপুরী লাম্মী ৪০০ থক মেজোর অমগী মথাদা লালহৌবা কাংবু অদুবু থীংনবা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা জীবি য়াওবা থাখি। সিপাই লালহৌবা

(২০) সিক্রেট কনসলটেসন, ২৮ আগষ্ট ১৮৫৭, মশিং ১৪০; মেকক্লোক্লা এদমনষ্টোন্দা ইবা ১৮ জুলাই ১৮৫৭।

(২১) বরপুজারি, ঐচঃ কেঃ আসাম ইন দি দেজ ওফ দি কম্পানি, লমাই ১১৪।

(২২) পোলিটিকেল কনসলটেসন, ২৮ মে ১৮৫৮, মশিং ১৩৯; মেকক্লোক্লা ভারত সরকারগী সেক্রেটারীদা ইবা চেয়োল, ১২ ফেব্রুয়ারী ১৮৫৮।

(২৩) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

কাংবু অসিগী মতেং লৌরগা নরেন্দ্রজিৎনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইগে হায়না থজবদি মহাক্না মাই পাকপা য়াবগী খুদোং চাবদু লৈরবনি[২৪]। করিগুম্বা রাজ-কুমার অসিনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইবক্রবদি লৈবাক মরা তপ্না পানবদি য়াররোই অদুগা খোইদোক হেন্নোক্না সিমানা অশোমদা অনৌবা ইরাং অমত্ত শোয়দনা থোক্রকপনি হায়বসিদি ওক্লিংঙাই লৈত্রবনি। মরম অদুনা লালহৌবা কাংবু অসিনা খুন থুন্দা চংদুনা চান থক্রবা নীবা অদু নীদনবা ব্রিটিশকী সিকাইনা থীংলবা অদু ওইয়রবদি মণিপুরগী রাজকুমারশিংনা মতেং পাংলকাওবদা মথোয়না মাই পাকপা ঙমলোই হায়বসি মেকক্লোক্না কম্না থাজরম্মী। কছাড় অমদি মণিপুরগী মবক্তা লৈরিবা চী শাং ময়ামাশ লালহৌবা কাংবু অসিনা চান থক্রবা য়াওদনদি লানবা ঙম্লোই হায়দুনা এজেণ্টনা হায়রবা অসি অচুম্বনি। মতম অসিদা মণিপুরদা লৈবা মীওইশিংনা সিকাই লালহৌবগী মরম করিনো হায়বসি অদুক নিংথিনা থওনদে হায়বসি মেকক্লোক্না থত্তব ঙম্মখা। লালহৌ অসিগী মরমদা মথোয়না থনবা তোংঙানবা মরম লৈরম্মী অদুগ বাকম অসিমক্না সিকাই লালহৌবা কাংবুনা নগোমদা করিম্ত্ত তোরাক্লোই হায়দুনা মণিপুরীশিংদি থোশা-রমদে। অদু ওইরবস্ত চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজগীদি হংতাপ তোম্না পুকচেল অমা লৈরম্মী। মহারাজ অসিদি মতম পুম্নমক্তা ব্রিটিশকী য়াইফনবতা থম্মী। মহারাজনা ব্রিটিশপু খুংশিরবা অসিগী খুদো চাবা লৌরগা এজেণ্টনা চন্দ্রকির্ত্তিদা করিগুম্বা সিকাই লালহৌবগী মতংনা নরেন্দ্রজিৎনা মণিপুরগী সিংহাসন ফংনবা হোৎনরক্রবদি অতোপ্পা লালহৌ অম মণিপুরদা লাকনি অদুগ বর্মীজনচিংবনত্ত লাংলিভঙে মতমদা লান্দানবা হোৎনরগুমা মহারাজ মশামক্কী অফবা কীতম পুরক্রোই হায়রম্মী। মহারাজনা সিকাই লালহৌবগী কাংবু অসিনা মণিপুরদা চংলকপা ঙম্দনবা হোৎনরবদি মংকী খুদোংথীনিংঙাই লৈত্রে হায়বসি এজেণ্টনা হায়রম্মী[২৫]। মেকক্লোক্না হায়রিবা বাকম অসি য়ারদুনা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা লালহৌবা কাংবু অদুনা মণিপুরদা চংলক্কনবা থৌরাং তৌরম্মী। তৌরিবা থৌরাং ময়াম অদুগী পাওত্ত কছাড়গী স্থপরিনটেনডেণ্টতা পীরম্মী।

খৃঃ ১৮৫৮গী জুনগী তাং ১৫ দা নরেন্দ্রজিৎকী মীচংদা য়াওক্রবা মণিপুরী অক্ককথক কছাড়গী স্থপরিনটেন্দেণ্টনা ফারম্মী। কছাড় অমদি শিলচতা লৈবা মণিপুরীশিং অমদি মণিপুরী রাজকুমার ময়াম পুম্নগা মণিপুরদা লান্দাগে হোৎনরে

(২৪) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ১৮৫৫ মশিং ১৩৯।

(২৫) মখাকী য়াওকম অমিদা।

হায়না চিংনরম্মী। পাও অসি ফংবগা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা দাম্মী চেক্লোল অমা লালহোবা কাংবু অসিবু থাংনবা থাখিরম্মী। সনা কোম্মুংগী সিকাইগা নরেন্দ্রজিৎ সিংহগী কা'বুগা লান থে'নরম্মী। লানকম অদুদা সিকাই লালহোবা কাংবু কয়ামকম শিখি অদুগা নরেন্দ্রজিৎনা মণিপুর য়ৌনবা চেনখিগে হোৎ-নবদা ফারম্মী।

মেকক্লোক্কদি নরেন্দ্রজিৎপু কছাড়দা বিচার তৌমবা থাখিবা পায়রম্মী। তৌইশুবম্মুং হৌখিবা লানকম অদুদা য়াম্না শাখিনা শোকখিবা মরম্মা রাজকুমার অসিবু লৈবাক অসিদগী পুথোকখিনবগী বারমদি এজেন্টনশু হায়রমদে। রাজ-কুমার অসিগা মহারাজগ লৈনবা মরি অদু নিংথিনা য়েংশিনবা মতুংদা চন্দ্রকির্ত্তি সিংহনা নরেন্দ্রজিৎকী বীচার অসিদি মণিপুরদা তৌহল্লিংলম্মী। বীচার অসিদা রাজকুমার অসিনা করিশুম্বা লালনবশু মহাকপু মণিপুরগী জেলদা থমহল্লিংবগী অপাম্বা অদু মহারাজনা উৎলম্মী। মরম অদুনা নরেন্দ্রজিৎসিংহবু মণিপুরগী বাংমদা পুথোকখিবা হায়ব সাদি চন্দ্রকির্ত্তি সিংহদি শুকয়া য়ানংলমদে[২৬]। তৌইশুবম্মুং মণিপুরদা লৈবা অঙম অবো কয়াম্নক্রম অমদি প্রজা কয়াগকম্মা রাজকুমার অসিবু মণিপুরগী জেলদা থম্বা পাম্বদগী চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজগী অনিংবা অদু হোংথি। মহারাজ অসিনা মনাও ইবুংঙোবু সিফাইনা গার্ড তৌরগা কছাড় তাম্না পুথিবা পায়রম্মী। অদুম ওইনমক চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা মনাও ইবুংঙো অসিগী মরাল য়াম্না চাওবা তাম্নবশু হথ্রংতদ্দ ধনথিয়ু হায়দুনা সুপ্রিম গভর্ণ-মেণ্টতা হায়রম্মী।

নরেন্দ্রজিৎ সিংহগী বীচার অসি মণিপুরদা তৌরম্মী। মহাক্না কছাড়দা লৈরিঙৈদা ৩৪ শুবা নেটিভ ইনফেনট্রিগী লালহৌ অদুদা মহাকশু য়াওই হায়বগী মখিদা রাজকুমার অসি মরাল লৈবম্মী[২৭]। মরম অদুনা কছাড়দা লৈবা মাগী মরল মথুম পূম্নমক ব্রিটিশ সরকারনা মৎতুন লৌরম্মী। নরেন্দ্রজিৎ মশা-মকপুনা কছাড়দা রাজনীতিগী বন্দি ওইনা থারম্মী। অদুম ওইনমক রাজকুমার অসিগী মুপী অঙাংশিং অদুদি মথোয়না চৎনিংবা লমদা চৎথিবদা অথিংবা পীরমদে অদুগা মৎথুবা মরল মথুম অদুদগী শেল থয়না মথোয়দা পীরম্মী[২৮]।

---

(২৬) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ১১ জুন ১৮৫৮; মশিং ১০৯।

(২৭) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ১৬ জুলাই ১৮৫৮, মশিং ২৩; চৈয়ার্টনা ভারত সরকারদা ইবা চেঙ্গোল, ৮ জুন ১৮৫৮।

(২৮) মথক্কী য়াওফম অসিগী মশিং ২৪ দা।

রাজকুমার নরেন্দ্রজিৎ সিংহদা নত্তনা অতোপ্পা রাজকুমার থৌইরাকপা, কহ্লাই সিংহ অমদি হাওজাও সিংহবু খৃঃ ১৮৫৮ গী সিকাই লালহৌ অসিদা য়াওই হায়বগী চিংনদুনা কারম্মী[২৯]। রাজকুমারশিং অসি চেনখিনবা হোৎনরম্মী অদুবু অমুক হন্না ফাদুনা আলিপুরগী জেলদা বান্দ ওইনা থমখি ৮।

সিকাই লালহৌ অসিদা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা ব্রিটিশকীদমক তৌখিবশিং অদুদি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। মহারাজ অসিনে অদুগা মহারাজগী অতোপ্পা অফিসার নিপানথন্তী মথোয়না তৌবা থবক অদু করিনো হায়বা মিংথিনা থত্তবা ঙমাখ। মরম অদুনা মেকক্লোক্পা মহারাজ অসনা ব্রিটিশকীদদক্তা তৌখিবশিং অদু থরগা মহাক্কী প্রজাদা উৎচবা য়ানবা মনা অমা পীজন খোকই হায়দুনা হায়রম্মী। থাসগী লালহৌদা ব্রিটিশকী মতেং পাংথবগীদমক মপাবুং গম্ভীর সিংহদদি থাং অমগা থুংংল অমগা পীদুনা ইকাই খুম্নখিবনিনা হৌখিবা সিকাই লাল অদুদা ব্রিটিশকী মতেং পাংথিবগীদমক চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজদস্ত য়ামত্রবদা মপাবুংদা পীখিবা মনাশিং অসি পীবনবা মেকক্লোক্পা গভর্ণর জেনে-রেলগী কাউনসিলদা পাও পীথংখি। সিকাই লালহৌবগী মতুংদা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা মণিপুরগা কছাড়গা ভাইনবা সমানাদা মহাক্কী লান্মী থাদুনা ব্রিটিশকী মতেং পাংথিবা অমদি লালহৌবশিংবু নমথনবা তোংনখিবা মরাম অদু থররগা থাং অমদি থুংংলগী মপক্তা ত্রেশ ওক ওনর অমত্ত পীননবা হায়রম্মী[৩০]। মহারাজ অসিগী অফিসার নিপান, চাওবথা পুরম্বা, চৌংঙাংম্বা দেৱান, নেপ্রা সেলুংবা, লৌরাইজাম্ব সেলুংবা, নন্দবাপু লাইরিকয়েংবা হঞ্জবা অমদি গোকুল ঠাকুরবুত্ত মনা পীনবা পোলিটিকেল এজেণ্টনা হৌদোক্লম্মী। এজেণ্টনা হায়রিবা বাকম অসি গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলনস্ত য়াবদুনা মহাক্কা হৌখিবা সিকাই লালহৌ অদুদা ব্রিটিশকী মতেং পাংথবগীদমক ত্রেশ ওক ওনর অমা, থাং অমা অদুগা থুংংলি অমা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজদা খৃঃ ১৮৫৯ দা পীখি অদুগা মথক্কী অফিসার নিপান অসিনা রোফ ওক ওনর পীখ। সিকাই লালহৌ অদুদা তশেংনমক লাল লোক্লখিবা রোমালিংহ হায়বা মেজোর অদুদনা মিউটিনি মেডাল পীখি।

সিকাই লালহৌবশিং অদুনা মণিপুর য়োক্পা ঙমখিদবা অদুগী মরমদি য়াম্মী। মণিপুরগী মহারাজ অমদি প্রজাশিংনা সিকাই লালহৌবা অদুগী মরম

(২৯) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

(৩০) পোলিটিকেল কনসলটেসন, ১৬ সেপ্তেম্বর ১৮৫৯, মশিং ২৫; মেকক্লোক্পা সিমলদা ইবা চেয়োল, ২৭ জুলাই ১৮৫৯।

নিংথিনা থওথিদে। মহারাজ মশামক্না মণিপুরগী প্রজাশিংনা লালহৌরিবা অসি মরম নিংথিনা তাকপীরগা ব্রিটিশকী মাইকৈদা লাল শোক্লরককা থনবনি অহুবু চন্দ্রকির্তি মহারাজদি মতম পুরমক্তা ব্রিটিশকী মাই পাক্লবতা থনখি। ব্রিটিশনা মাগী মতেং পাম্লকপা মতম থুদিংগী মহারাজ অসিনা ব্রিটিশকী মতেং পাংখি। মতৌ অশুম মণিপুর সরকার অমদি ব্রিটিশ সরকার অনিগী অপুনবা সিকাইনা সিকাই লালহৌবগী কাংবু অহুবু থিংখিবনি। অসিদগী নত্তনা লালহৌ অহুগী মকোক ওইখিব। রাজকুমার নরেন্দ্রজিৎ সিংহগী অপাবা অহুগা লাল হৌরিবা কাংবুগী অপাম্বগগী রাম্না থেৎনখি। নরেন্দ্রজিৎকী অপাম্বদি মণিপুরগী সিংহাসন অহুবুনি। মরম অহুনা লালহৌ অহুগী মফুংগী ঈচেল অহু পওননবা মহাক্কী থক হোৎনখিদে। বাকম অসিদগী লালহৌরিবা কাংবু অহুবু মণিপুরগী প্রজাশিংনশু থক হুংশিবা ওমখিদে। মথোয়বু হুংশিক্লবদি লাইরহুনা লাল হৌরিবা কাংবু অহুনা নরেন্দ্রজিৎপু মণিপুরগী নিংথৌ হাপ্লবা শিক্লে হায়হুনস্থ প্রজানা চিংনরম্মী। মণিপুরগী মহারাজনা সিকাই লালহৌ অসিগী মরম খীজিনল্লবা অহুগা রাজকুমার নরেন্দ্রজিৎ সিংহনা লাল হৌবা অসিগী বাথলদা মাইপুনরক্লগা মশাগী ওইজবা থাদোক্লম্নবদি সিকাই লাল হৌবগী মওং অসি মণিপুরগী ওইনদি তোংডানবা অম ওইবমগদবনি।

পোলিটিকেল এজেন্সিগী প্রোব্লেম :

সিকাই লালহৌবা অসিগী হেক মতুংদা সিভিল ফাইনান্স কমিশনগী সার রিচার্ড টেম্পলন খৃঃ ১৮৬ গী ফেব্রুয়ারী থাদগী মণিপুরদগী পোলিটিকেল এজেন্সি অসি মুথৎনবা হায়রম্মী[৩১]। মহাক্ন হায়রিবা অসিগী মরু ওইবা মরমদি মতম অহুদা লৈরবা ব্রিটিশ অমদি বর্মীজশিংগী মরি অহু য়েংলগদি মণিপুরদা পোলিটিকেল এজেন্ট থম্মসি দরকার ওইদ্রে অসিনি[৩২]। অসিগী মথক্তা চহি চহি থুদিংগী মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্সিগীনি হায়হুনা কাইথোক্লিবা শেল মরাম অসিনশু এজেন্সি অসি মুথৎথিনবা মহাক্না হায়থিবনি। কমিশনগা অমুক হায়রিবনা করিগুম্বা এজেন্সি অসি মুথৎপা থোক্লবদি চহি থুদিংগী ওইনা লুপা ১৪,০০০ দি পুনশিনবা ওমগনি অসিনি। মণিপুর অমসুং ব্রিটিশকী মরি লৈনবগী মতাংদনা কছাড়গী সুপরিনটেনডেন্টপু মণিপুরগী ইমুং মফুংগী ওইবা

---

(৩১) ফোরেন পোলিটিকেল এ. মে ১৮৬১, মশিং ২৫৮ : দি সিভিল ফাইনান্স কমিশনরদা ইন্ডিয়া চিঠি, ২৬ ফেব্রুয়ারী ১৮৬১।

(৩২) মথক্কী রাওকম অসিদা।

রাজনীতিগী কীভমদা য়েংশিন্নবা শিন্নগা যাগনি হায়বসিনি[৩৩]। সিভিল কাইনাল কম্বিশন্না থাঙৎলক্লিবা রাকম অ'সনা ওন্ন তৈনবা মহে অমা মণিপুরদা পীরম্মী। মণিপুরদা লৈবা ব্রিটিশকী প্রজা পুম্নমক খুদোংচাবা হেক ফংবগা মণিপুর থাদোক্নুনা চেম্বিংলম্মী। বর্মাগা ললোন ইাতক তৌনবা অদুগ তোক্লম্মী অদুগা মণিপুরদা পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরম্বশিংনা মণিপুরগী ক্তম্পাক্তা কুমথরকপা যাগনি হায়রম্বা নাগাশিং অমদি কুকিশিং অদুবু মণিপুরদা লৈবা মীওইশিংনা কারগা মীনাই ওইহল্লম্মী[৩৪]।

মণিপুরদা থোব'ক্লবা অনৌবা থোদোক যম্নাম অসি মুম্না য়েংলবা মতুংদা মেকক্লোক্লা সুপ্রিম গভর্ণমেন্টতা মণিপুবগী এজেন্সি অসি অক্তুম থম্নবা হোৎনখিবনা হেম্না কগনি হায়বম্মী। মচাক্ল অক্তম্না ইথিঃ "বর্মীজশিং অমদি মণিপুরীশিংদতা হুন্দোক্নুনা থন্নবদি মণিপুব পুম্নমক অবাবা তানিংঙাই ওইবা য়াবা রাকম কম্নারকম এজেন্টনা খুদোংথীবা থোকহন্দনা পাংথোকখি। মণিপুরদগী পোলিটিকেল এজেন্ট লৌথোকখিবা তারবদি মণিপুর পুম্নমকপু বর্মীজ'শিংদা পীথোকখিবমক্লি হায়না ঐদি খল্লি[৩৫]।" বর্মাগী সিমানাবোমদা মরা তপ্না পান্নবা হোৎনবদা ব্রিটিশকী অফিসার অমা মণিপুরদা থম্ব স য়াম্না দরকাব লৈ হায়বা মত কো'দোক্নুনা কছাড়গী সুপরিন্টেনডেন্ট কেপ্তেন ষ্টেব ৰ্ডনও এজে'ন্স অসি থম্বা করি হায়না হায়রম্মী। পোলিটিকেল এজেন্টকী মথৌদি মণিপুর অমসুং বর্মাগী সিমানাদা থংনরকপা মম্নাম ঙাকপোক্লবা হোৎনবা, মণিপুর সরকারগী ওং নৈবা পীংনবা হোৎনবা অমদি লৈবাক 'অসিগী মহৌশাগী ওইবা লৈবাক ঙাক্লোন্না কা হেনবা য়াওবকপ পুম্নমক থীংনবা হোৎনবা অসিনি[৩৬]। মরম অদুনা ষ্টেবার্ডনা হায়'রবনা করিগুম্বা মণিপুরদগী পোলিটিকেল এজেন্ট অসি লৌথোকখিবা তারবদি মণিপুর পুম্নমকসি কাং থো' চাইরগনি অদুগা লৈবাক অসিদগী 'ব্রটিশকী সিকাইনচিংবা লৌথোকখিবা তারবদি মণিপুরগী সিমানাদা লৈরিবা মীওই কাংবুশিং অমদি মীচং থোমদুনা লৈবা মণিপুরগী নিংথৌ মচাশিংনা মহারাজগী মথক্তা লাল হোবক্নুনা অবাব য়াম্না তারবা য়াই অসিনি। কছাড়গী সুপরিনটেনডেন্টকা মক্তি মণিপুরদগী পোলিটিকেল এজেন্ট

---

(৩৩) জেঃ ক্লার্বনা ইবা, মথক্তী লাইবিকী লমাই ২৩ দা।

(৩৪) মথক্তী য়াওকম অসিদা;

(৩৫) আলেকজান্দর মেকেঞ্জীনা য়াগী নোর্থ ইষ্ট ফ্রোনটিয়াব ওফ বেঙ্গলগী লমাই ১৫৬ তা হাপ্লিবা অদুমক্লি।

(৩৬) ফোরেন পোলিটিকেল এ, অক্টবর ১৮৩১, মশিং২১৪।

পুনলো লৌথোকপা অসি থক য়ানিংলমদে। সুপ্রিম গভর্ণমেন্টকী বাথল্লা এজেন্সি থম্বাসি য়াম্না খরচ চাওই হায়না খল্লগদি কছাড়গী সুপরিনটেনডেন্টকী মথাদা থম্বা এসিষ্টেন্ট অমগী থাক্তা হম্বগা এজেন্সি অসি লেপহন্ত য়াগনি হায়না মহাক্না হায়রম্মী[৩৭]। মেকক্লোক অমদি টৈরার্ডনা পীথৎলকপা বারোলশিং অদু নিংথিনা য়েংলবা মতুংদা সুপ্রিম কাউনসিলনন্ত মণিপুরদা পোলিটিকেল এজেন্সি থম্বসি য়াথি। মতম অদুগী গভর্ণর জেনেরেল ওইরম্বা লর্ড কেনিংনা অস্তা হায়রম্মী "...মণিপুরগী এজেন্সি অসি মুথৎপা য়ারবনি। এজেন্সি অসি থমথিবনা কৈ হায়দুনা মেকক্লোকি মহাক্কী মত পীথৎলকথি। মণিপুরগী ইমুং মনুংগী ওইবা লৈবাক ডাক্রোল, চীংগী বাকম ময়াম অসিনা এজেন্সি অসি থম্বগী দরকার ওই-হল্লে[৩৮]।" সুপ্রিম গভর্ণমেন্টকী অনিংবা য়াওনা পোলিটিকেল এজেন্সি অসি মণি-পুরদা অদুম থম্বা য়াখে অদুগা ডাঃ থোমাস দিলনবু মেকক্লোক্কী মহৎশিনবা ওইনা থল্লম্মী[৩৯]। অদুম অইনমক খৃঃ ১৮৬৩ গী অক্টবর থাদা এজেন্সি অসি মুথৎনবগী বাকম অমা অমুক নৌবা লাক্লম্মী। ডাঃ দিলনগী কা হেক্তিনবা থবক্তা পোলি-টিকেল এজেন্টকী ফীভম অসি য়াম্না ফংহন্দবনি। পোলিটিকেল এজেন্টনা তৌথিবা থবক ময়াম অসিনা মণিপুরগী মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তি সিংহগী অচৌবা য়েক্লবা অমা ওইখি। মরমদি এজেন্টতা পীদবা মপাঙ্গল অমদি শক্তি অদু ডাঃ দিলনা শীজিন্নখি। এজেন্ট অসিনা মণিপুরগী ওইবা ললোন ইত্তিকশিংদা থুং থীংজিনবতা নত্তনা মহারাজগী দরবারগী অফিসার কাংবু অমবুত্ত চন্দ্রকির্ত্তি সিংহগী মরা য়াওদনা কারগা জেলদা থমখি। ডাঃ দিলনা মণিপুরগী রাজকুমার থরবুত্ত কাগে হায়দুনা কয়া হোৎনখি। এজেন্ট অসিনা মহারাজ মশামক, মমাইবেম্মা অমদি মহারাজগী মন্ত্রিশিংবুত্ত দণ্ড পীগনি হায়দুনা কিহল্লম্মী। মণিপুরদা লৈবা কুকিশিং অমদি নাগাশিংগীদমক্তা হায়দুনা লেপ্পা আইন পুন্নমক অদুত্ত দিলনা থুগাইখি। এজেন্ট অসিনা তৌথিবা থবক ময়াম অসি পুথোকলগা মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তি সিংহনা মণিপুরদগী ডাঃ দিলনবু কৌথিনবা অদুগা মণিপুর প্রজাগী অবা হুংহাই খুদিংদা শরুক য়াবা ওম্বা অতোপ্পা এজেন্ট অমা হাপ্লক্লবা সুপ্রিম গভর্ণমেন্টতা হায়রম্মী। পাও অসি হেক ফংবগা

(৩৭) মথক্কী য়াওকম অমিদা।

(৩৮) ফোরেন পোলিটিকেল প্রোসিদিংস, এপ্রিল ৮৮৬৪, মশিং ১১০ ; ফোরেন দিপার্ট-মেন্টকী নোটিশ ; অক্টবর ১৮৬১, মশিং ২১৩।

((৩৯) ফোরেন পোলিটিকেল এ ; অক্টবর ৯৮৬১ ; মশিং ২১৩।

ডাঃ দিলনবু অমুক শাংলনা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইকহৎরোই হায়না গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সলনা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজদা পাও পীরম্মী। দিলনগী মহৎশিনবা ওইগদবা মালেই অদুদি হৌজ লর্ডসপকী কাউনসিলনা থমরিবাননা মাকম খাসাদ কোয়া [illegible] হায়রম্মী[40]। ডঃ দিলন মখামক্তা মহাকপু মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইনা [illegible] খসিগী মরম [illegible] খন্দবদগী[41], মহাক্কী মথৌ [illegible], [illegible] ব্রিটিশ [illegible] লৈনরিবা মরি আসদা মহাক্কী [illegible] ইমু মক্তগী ওইবা লৈবাক ঙাকথোক্না মহাক্কী [illegible] মহাকপু থুনমক [illegible]।

মথক্কী [illegible] মণিপুরগী [illegible] মচৈ পুম্নমক [illegible] মরম [illegible] খনক খসি পাংথোক্ল বগীদমক [illegible] ওইরবা মি. ফীচ: [illegible] মণিপুর [illegible]। মণিপুরদগী বেকোড লোইনমক [illegible] মণিপুরদা [illegible] হায়না মাসী [illegible] পীরম[43] [illegible] মণিপুরগী [illegible] এজেন্ট ওইরবা লোদোন অমদি মেকক্লোকদি [illegible] চন্দ্রকির্ত্তি [illegible] পুম্নমক্কা মথোয়গী তৌবিমল থদবা [illegible] জার্কাথ হায়রুনা মহাক্কা [illegible] হায়রম্মী। মহারাজনা দিলনগী মথক্কা [illegible] মণিপুরদগী লৌথোক পীগে [illegible] তুনা [illegible] মণিপুর [illegible]। অমুকক্ত হায়রম্মী। পাল পুমনমক [illegible] থাজিনা [illegible] অদুম্মা হায়রম্মী: [illegible] পুম্নমক [illegible] এজেন্ট [illegible] থক্তা পাম্মী। কবডুনা [illegible] এজেন্ট ওইনা থাগৎলৌবা [illegible] মণিপুরদা লৈগন [illegible] ঙাকথোক্না মহাক্ক মতাং

(40) ফোরেন পোলিটিকল প, মার্চ [illegible] ১৮৬৩ মশিং [illegible], বেলিয়া [illegible] ইবা চেরোল, ২০ নবেম্বর ১৮৬৮।

(41) মথক্কী মাক্কম [illegible] মশিং [illegible], দোলনা দিল্লন্না ইবা চিরোল, ৬ নবেম্বর ১৮৬৭।

(42) মথক্কী মাক্কম [illegible]।

(43) পোলিটিকল পার্সিদিস এপ্রিল ১৮৬৪ মশিং ৯০২, মণিপুরগী মসমদা ইবা [illegible] গাইডিলনা ইবা চিরোল ৩০ জানুয়ারী ১৮৬৪।

অসিকাওবা খুৎথংজিনবা য়াই হায়বা অশেংবা নিয়ম অমা মতোন্দা তাক-লীগদবনি, ব্রিটিশ অমদি মণিপুরগী মরক্তা য়ানাথবা সন্ধীগী থারা মতুংইন্না ব্রিটিশ সরকারগী তৌকম থোকপা থবক অচুম্বা নিংথিনা তাক্লবা মহাক্না হোৎনগদবনি, মণিপুরগী মরা ওথা পায়বা হোৎনবদা অমদি চাঙথৎ থৌরাংশিংদা মহাক্না মহারাজগী তেংবাংগদবনি অদুগা মহারাজনা লৈবাক তাক্লবা হাৎনবদা অমদি লৈবাক অসিগী ললোন ইতিক পুম্নমক মহাক্কী ওইশিন্নবা হোৎনবদা, প্রজাশিংবু নমথুনা থবক তৌহনবা হোৎনবদা অমদি প্রজাশিংবু মীনাই ওইহনবগী চৎনবী লৈহন্নবা হোৎনবদা এজেন্ট অসিনা য়ারিবমথৈ মহারাজবু তৌহন্নবা থীংগদ-বনি”[44]। নিংথিবা য়াৎলবা থৌরম পরেং অসি থঙহন্নবা মতুংদা মণিপুরদা অমুক হন্না পোলিটিকেল এজেন্সি থম্বা য়াখি অদুগা ডাঃ দিললগী মহুৎশিনবা ওইনা মেক্কোকপু মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইনা অমুক থারকখি।

মেকক্লোকপু মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইনা অমুক থলকপা অসিনা হায়রা লৈরম্বা এজেন্সিগী মিৎচৎ অদু অমুক হাঙ্গনবা তম্লমী। মহারাজ চন্দ্র-কির্ত্তি সিংহ অমাদি মেকক্লোক্না পুম্না থবক তৌমিন্নবদগী মণিপুরগী রাজনীতিগী মুমকমদা, সমাজগী কিক্তমদা অমাদি শেনথুমগী মতাংদা অহোংবা কয়ামকম পুরক্লমী। মেকক্লেক্না থবক তৌকথবা মতুংদদি মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইবিনবা মীওই অমা থনবা অসি ব্রিটিশ সরকারগী অৱাবা অমা ওইনা অমুক পোক্লমী। জোনষ্টোনা এজেন্ট ওইনা লাক্লিবৈগী মমাংদা থারকখিবা পোলিটিকেল এজেন্টশিং অদুদি মতিক চাবা মীওই অমত্তু য়াওখিদে[45]। খৃঃ ১৮৭৩ তা জোনষ্টোনা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইগে হায়না য়ারকপ-দগীদি অৱাবা পুম্নমক লৈখিদ্রে। “কোলোনেল জোনষ্টোনবু এজেন্ট ওইনা খৃঃ ১৮৭৭তা থনাথনা মণিপুর অসিদি পোলিটিকেল এজেন্সি ময়ামগী মরক্তা চাকথুমগী মীনাইগুম্বনি হায়দুনা ভারতকী সেক্রেটারিশং অমনা হায়খি[46]।” “এজেন্সি অসিগী থবক পুগে হায়দুনা অক্ষবা মীওই অমত্তু চোংথোক্লক্লোই” মহাক্না মথা তাথখি। “অহুবু য়েংউ, অক্ষবা থুপা অমনা এজেন্সি অসি পুগে হায়দুনা চোংথোরক্লে[47]।”

---

(৪৪) মথক্কী য়াওকম অসিগী মশিং ১১০, ফোরেন ডিপার্টমেন্টনা তৌবা নোটিশ, ৩ এপ্রিল ১৮৩৪।

(৪৫) এপেনডিক্স—এক তা য়েংউ।

(৪৬) জেঃ জোইনা ইবা হিষ্ট্রি অফ মণিপুরগী লমাই ৬১৯দা ইরিবা অহুমকি।

(৪৭) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

জোনষ্টোনা মণিপুরদ' পোলিটিকেল এজেন্ট ওইনা লাক্লবা মতুংদগী মহাক্না চথোক চৎশিন্না মণিপুর সরকারনা য়াম্না য়ুম্না য়েংশিল্লম্মী অদুগা মহাক্না চৎলিবা মকম থুদংগী অকোংবা অমদি অথুপ্পা স্পাইনা ইন্নরম্মী। তৌরিবা মওং মতা অসিদা মশোন্দা ত্রু ডাইতুব। অমা পীরবগী মহাক য়ানিংদে হায়নদি থক চায়াখদে। এজেন্ট অমা ওইনা মহাকপু থকপগী মথৌ অদু তৌহনা অদুমক লৈবম্মী। মথৌদা মপু ক্রুং চংবা অমদি মীওই থুদিংমক্তা পুক্লিং শেংনা য়ারী য়াতাই শাদোক্লবদগী মণিপুর সরকারনা মহাকপু চিংনয়য়াশিং অদু কোকথি[৪৮]। অদু ওইরবসু জোনষ্টোনা মহাক্কী কম অদুগী ইকাই থুম্নবা অদু মাংহন্নবদি থক তৌখিদে। মহাক্না হায়রি: "মহারাজগী দরবারগা হীবম থুদিংগী বা তায়বা মতমদা ঐহাক আস অশোনবা কাংবুগা থেংনরিংঙা মপাঙ্গল কনবা কাংবু অমগী মহৎ শিনবা মাওইনি হায়বা থক কাওদে .... ঐখোয়না খুৎ থীংজিনবগী দরকার লৈরবা মতমদগী থাজবগা লোইননা ঐহাক্না খুৎ থীংজন্নবা হোৎনৈ, তৌবদাদি থবক থুংদনা মহারাজ অমদি মহাক্কী মন্ত্রীশিংবু ঐখোয়গী বাকম অদুদা য়াহন্নবদ হোৎনৈ[৪৯]।"

জোনষ্টোনা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইবা তোকখ্রবা মতুংদদি সুপ্রেম গভর্ণমেন্টনা করম্ব মীওইবু মণিপুরগী এজেন্ট ওন্নহনগদগে হায়না অদুক কুপথনা খনাখ্রে। হৌখিবা এজেন্টশিংগী মরি লৈনবা রেকোর্ড য়েংলুরবদি মণিপুরগী এজেন্ট থনবা আস য়াম্না লুখ্রবা বাকম অমা হায়দবা থক চঙোই। অদুবু সরকারনাদি মতিক চাবা তুপা অমা থম্নবগী অৱাবদু থক লৌখিদ্রে। অকবা য়াখাংখবা থোক্লগাদ মতু শাংহৌবক্তা হাঙাম। 'পোলিটিকেল এজেন্ট অমা ওইবগী মতম আস য়াম্না শংবা ডাকতগী দরকার নত্তে অদুবু এজেন্ট ওইবগী থবকপু অমাদি লৈবাক অদুগী প্রজাশিংবু হুংশিবা হায়বা মতম অদুদি শোইদনমক লৈবা তাবনি[৫০]।' খৃঃ ১৮৮৮ দা ইংলেণ্ডদগী লাকপদা তাইরিবা শিলচর্তা থবক তৌহনা লৈরম্বা অকসার পা ফ্রাঙ্ক গ্রান্ট ক্লমার গ্রিমউদ হায়বা অমবু মণিপুরগী এজেন্ট ওইনা থলম্মী। মহাক্না মণিপুরদা লৈবা থা ১১ কাওবা কাক্রিউদা অমদি মণিপুরগী মরমদা থরদং থংডরকপা মতমদা মহাকপু অয়ূক

---

(৪৮) জোনষ্টোন, সার জেমস, মাই এক্সপিরিয়েন্স ইন মণিপুর এণ্ড দি নাগা হীলসকী লমাই ১৫।

(৪৯) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

(৫০) মথক্কী য়াওকম অসিগী লমাই ২৭০—২৭১।

শিলংদা থাংদোকপীখি। অদুগ মিঃ হিথনা শিরবা মতুংদদি গ্রিমউদপু অমুক হন্না মণিপুরগী এজেন্ট ওইনা খৃঃ ১৮৮৯ দা থনখি। অদুগা বাথল তৌহৌদবা পোলিসি অসিগী মহৈ ভারত সরকারনা ইকুই কুইথবা তৌদনা কংলম্মী। মতিক চাবা মী থন্নবা হোৎনদবা অমদি হোংদোক হোংজিন তৌবগী বাকম অসিনা মণিপুরগী মহারাজগী ইমুং মনুংদা থৎননবগী থুদোংচাবদু পীরম্মী। সরকারগী বাথল লৈতবা পোলিসি অমদি তুংগী বাথল তৌদবা ডিপ্লোমেসি অসিনা তুংদা লৈনরকদবা খৃঃ ১৮৯১ গী মণিপুরগী লাল অসি থোকখিবনি। ভারত সরকারগী ফোরেন ডিপার্টমেন্টনা এজেন্সি অসি হেক হৌখিবদগী মতিক চাবা মীওই থম্মনবা হোৎনরম্মবদি খৃঃ ১৮৯১ গী লাল অসিগুম্বদি থোক্রমদবক মনবনি অদুগা মণিপুর অমদি ব্রিটিশকী মরি লৈনবগী ইতিহাসতা অতোপ্পা মওং অমদা চৎথনবা য়ারমগদবনি।

এপেনডিক্স – এফ

পোলিটিকেল এজেন্টগণের তালিকা খৃ. ১৮৩৫ হইতে ১৮৯১ পর্যন্ত:

পোলিটিকেল এজেন্টদিগের নাম	তাঁহাদের কার্যকাল
১। ক্যাপ্টেন জর্জ গোর্ডোন	১৮৩৫ – ১৮৪৪
২। মেজোর ডাবলিউ মেকলক	১৮৪৪ – ১৮৫২
৩। ডঃ থোমাস সিমসন	১৮৫২ – ১৮৫৩
৪। মেজোর ডবলিউ মেককলোক	১৮৫৩ – ১৮৬৭
৫। ডাঃ এলঃ ব্রাউন	১৮৬৭ – ১৮৭২
৬। কর্ণেল থোম্পসন (অফিসিয়েট)	১৮৭২ — ১৮৭২
৭। ডাঃ এলঃ ব্রাউন	১৮৭২ – ১৮৭৫
৮। ক্যাপ্টেন ডুরান্দ (অফিসিয়েটিং)	১৮৭৫ – ১৮৭৫
৯। মিঃ এচঃ ভাসান্ট (অফিসিয়েটিং)	১৮৭৫ – ১৮৭৭
১০। মেজোর জেনেরেল স্যার জেমস জোনস্টোন	১৮৭৭ — ১৮৮৬
১১। মেজোর ট্রেটর	এপ্রিল ১৮৮৬—জুলাই ১৮৮৭
১২। ফ্রাঙ্ক সেন্ট ক্লেয়ার গ্রিমউড	ডিসেম্বর ১৮৮৭ — ফেব্রুয়ারী ১৮৮৯
১৩। মিঃ হিথ	ফেব্রুয়ারী ১৮৮৯ — সেপ্টেম্বর ১৮৮৯
১৪। ফ্রাঙ্ক সেন্ট ক্লেয়ার গ্রিমউড	অক্টোবর ১৮৮৯—মার্চ ১৮৯১
১৫। লেফটেনেন্ট কর্ণেল এচ. সেন্ট পি: ম্যাক্সওয়েল	১৮৯২ – ১৮৯৩

মণ্ডাশুবা পন্দুপ

সীমানাগী বাথম

খৃঃ ১৮৩৪[1] দা কবো তম্পাক পীথোকপিবা অদুনা মণিপুর অমদি বর্মাগী তাইনবা সীমানাগী বাথম অসি লোয়শিন্নবা তোংনবা য়াখিদ্রে। মতম খরগী ওইনা শান্তি লৈরম্লবস্তু তরামাপললুবা শতাব্দীগী অরোইবা শরুক হৌরকপদগীদি খুদোংথীবা অমুক হৌরকখি। মতুংদা লাকপা য়ানা খুদোংথীবা মথাম তাক থোক্লনা ওইনা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা মাইকৈ অশোয়মদা অচৌবা সিকাই কাংবু অমা থম্না পাম্লম্মী। অদুবু সিংগাগল মুম্নবাগী হৌরকপা লালচৌ কয়ামকম নমথনবা তোংনবা অমদি মণিপুরগী মফম্দ। অমদি মপান্দা লৈবা নাগাশিংনা লাল হৌবকনবা হোংনরিবৈদো মাইকৈ অশোয়মদা সিকাই থম্নবা হোংলগে থনবা অদু ঙমখিদে। মণিপুরদা মরা তপ্না পানবা ঙমদ্রবা অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা বর্মাদগী গভর্ণর শম্জোক চাউবনা মণিপুরগী মাইকৈদা লৈবা কবো তম্পাকী খুঙ্গংশিংদা লান্দাবা হৌখি।

খৃঃ ১৮৫৫ গী ডিসেম্বর তাং ১৪ দা মণিপুরগী মফমদা লৈবা কাঙ্গুজ্জু অমদি মাক্ক খুঙ্গংশিংদা নোংমৈ পাইবা কাংবু পরন্ন লান্দাবকখি অদুগা থুনশিং অসিগী প্রেঙ্গা পুয়মকুগী লুটিনচিংবা তৌখি[2]। পাও অসি হেক ফংলগা লান্দারক্কইবা কাংবু অদুবু গী নবথ চন্দ্র কির্ত্তি মহারাজনা সিকাই ৩০০ না থাবা মান্মী তেকোল অমা মাইকৈ অশোয়মদা থাপখি[3]। পোলিটিকেল এজেণ্ট ওইরম্বা মেকক্লোকনা মাম্মী অদুগা লোয়নপিদুনা লান্দাপিবা খুঙ্গংশিং অদু কাওবা চংখি। খুনশিং অদুদা হেক য়োবগা লান্দাবকখিবা কাংবু অদু বর্মাদগী লমদা লৈবা পঙ্জুম খুনগী মীওইশিংনি হায়দুনা এজেণ্টতা পাও পীরম্মী। মরম অসিনা পঙ্জুমগী খুল্লাকপবু থৌদাক অসিগী মরম হায়খু হায়দুনা মেকক্লোকনা কৌরম্মী। পঙ্জুমগী খুল্লাকপা অদু মতম চানা লাকখি অদুবু মহাকী খুনগী মীনা খুঙ্গংশিং অদুদা লান্দাখি হায়বদি মহাক থক য়ায়মদে। লান্দখিবা অদু লুটিগী কাংবুশিংনা

(১) এপেন্ডিক্স—দিদা য়েংউ।

(২) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ১৫ ফেব্রুয়ারী ১৮৫৬, নম্বর ১৯২, মেকক্লোক্কা নিদম্না ইন্দা চেরোল, ১৭ জানুয়ারী ১৮৫৬।

(৩) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

ওইরম্বা য়াই হায়দুনা খুল্লাকপা অদুনা হায়রম্মী[৪]। খুল্লাকপনা হায়রিবা বাকম অসি নিংথিনা য়েংশিল্লগা অমদি বাকম অসিগা মরি লৈনবা পাও থুদিংমক মহাক মশানা চৎ-থোক্তুনা থীজিল্লবা মতুংদা লান্দাখিবা কাংবু অদু খুল্লাকপানা হায়বজ্ঞমদুনা পঙ্ডুমগী মীশিংনা ওইরমদ্রে স্তুটিশিংননি হায়বসি মেকক্লোক্লা থগখি[৫]।

মথক্কী থোদোক অসিনা চায়না মুংডাইনদনা লৈরবা বর্মা অমদি মণিপুরগী মরি অদু অমুক্কা হেন্না ফৎহনখিদ্রে। অদুম ওইনমক খৃঃ ১৮৭০ গী অহানবা শরুক কাওবদি অদুক হাক্লা শিংথাবা য়াবা থোদোক অমত্তা মাইকৈ অশোমদা থোকখিদে। অদুবু খৃ. ১৮৭১ কী 'ডসেম্বর বাদা ইথং' থগতৌদনা মাইকৈ অশোমদা লৈবা মণিপুরগী কোজাল থানাদা বর্মাগী মাইকৈরোমদা লৈবা কবো তম্পাক্কগী নোংমৈ পাইবা মীওইশিংনা লান্দাবকখি অদুগা মী কুন্নিপান হাৎখি অদুগা কুন অমনা ফিংনা মৈ থাদুনা হাৎখি[৬]। থগতৌদনা লান্দারকইবা অসিগী পাও হেক ফংবগা মতম অদুদা মণিপুরদা পোলিটিকেল এজেন্ট ওইদুনা লৈরম্বা জোনষ্টোনা মণিপুরী লান্মী তেঙ্গোল অমা পুরগা কোজাল তান্না চৎখিবম্মী অদুগা বাকম অসি স্যুপ্রিম গভর্ণমেন্টতা পাঙপীখিবম্মী[৭]। গভর্ণর জেনেরেলগী কাউনসিলনা বাকম অসি বর্মাজ গভর্ণমেন্টতা থগহনখিরম্মী। তৌইগুমম্বু বর্মাজ সরকারনদি মণিপুরগী মাইকৈদা লৈবা কবো তম্পাক্কা বর্মাজগী সিকাই নফমগা বর্মাজগী প্রজাশিংনা লান্দাখি হায়বসি য়ারমদে। কোজাল থানাগী মণিপুরী গার্ডশিংবু হাৎখি হায়বসিত্ত মখোয়না থক য়াবমদে[৮]। বর্মাজগী কাংবুনা অমরোমদদুম অত্তা হায়রম্মী মদুদি কোজাল থানাদা লাকপা মণিপুরী সিফাই-শিংনা মী থাদুনা শমজোক নিংথৌগী মথাদা লৈবা প্রজা পুম্নমকপু মণিপুররোমদা লৈবা কবো তম্পাক তান্না পুগদবগী অমদি মণিপুরগী মহাবাজদা থাজনা কানাবদুম কয়া হোৎনখি হায়খি। মণিপুরীশিংনা তৌরবা থোরা অসিনা সীমানা অশোমদা লৈবা বর্মাজগী থুগৎশিংদা য়াম্না থুরোংথীবা অমা পীরকপনা মন্দলেদা লৈবা

(৪) মতুংদা লৈনবকখি।

(৫) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ২৮ মার্চ ১৮২৬ মশিং ১৫৩; মেকক্লোক্লা এদমনষ্টোন্দা ইবা, ৮ মার্চ ১৮২৬।

(৬) মণিপুর পোলিটিকেল এজেন্সিগী রিপোর্ট, ১৮৭৭—৭৮, লমাই ৯।

(৭) মথক্কী থাওফম অসিদা।

(৮) ফোরেন এ, পোলিটিকেল ই প্রোসিডিংস, ফেব্রুয়ারী ১৮৮৩, মশিং ৬৩৪; বর্জেসনা গ্রান্টতা ইবা, ২৪ ডিসেম্বর ১৮৮১।

মীওই কা'বুশি'না চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজদা অসিগুম্বা থবক অসি মতু'দা অমুক তৌরক্তনবা শোয়দনা হায়বিনবা সুপ্রিম গভর্ণমেন্টতা হায়রম্মী[9]। হৌজ লর্ডসিপকী কাউনশিলদনা বর্ম্মীজশিংনা হায়রিবা অসি চুমত্রা চুমদবরা হায়বহুগী মত শীরকউ হায়হুনা ব্রিটিশ বর্ম্মাগী চিফ কম্মিশনারদা হায়রম্মী।

বর্ম্মীজগী সীমানাদা লান্দাথিবা মমাম অহুগী রেকোর্ড য়ে'লবা মতুংদা চিফ কম্মিশনারনা অস্থুম্না থডদোকপা ওন্নমী মহুদি (১) খৃঃ ১৮১৭ তা বর্ম্মীজগী চহীদা হায়রগনা ১২৩৯ দা কবো তম্পাক্তা লৈব' শমজোক্কী প্রজাশি'না কোজাল থানা তাম্না চংথিহুনা মণিপুরীগী গার্ডশি'গী মথক্তা লান্দাক্কই অহুগা থানা অহুবুম্ মৈ থাক্কই, (২) খৃঃ ১৮৭৮—৭৯ দা বর্ম্মীজগী চহীদনা ১২৪০—৪১ দা শমজোক চাউবগী মথাদা লৈবা কুকি থরনা মণিপুরগী লমদা লৈবা টাঙ্গাকাট হায়বা খুন্দা লান্দাক্করগা লূট তৌথি অমদি খুল অহগী প্রজা কয়ামকপু কাথি, (৩) খৃ ১৮৮০ দা, বর্ম্মীজগী চহীনা ১২৪২ দা শমজোক্কী প্রজাশিংনা মণিপুরগী লমদা লৈবা কবো তম্পাক্কী চীংশাও হায়বা খুন অহুদা লান্দাথি, খুঙ্গং অহুবু মৈ থাথি, মী ৪৫ বুনা শাথিনা হাংথি অহুগা অহম অমবুনা বন্দি ওইনা পুথি, (৪) খৃঃ ১৮৮১ গী জানুয়ারী থাদা, বর্ম্মীজগী চহীদনা ১২৪২ গী প্যাথোদা শমজোক্কী প্রজাশি'না মণিপুরগী মহুংদা লৈবা চাটিক খুন্দা লান্দাথি অহুগা মী অনি হাংথি, (৫) খৃঃ ১৮৮১ গী ফেব্রুয়ারী থাদা শমজোক্কী প্রজাশিংনা মণিপুরগী মহুংদা লৈবা মুবা খুঙংদা লান্দাথি, মী ১৫ হাংথি অহুগা মী ৫ না লানকা ওইনা পুথি অহুগা কুম্দাট অমদি কুনয়াং খুঙংশিংদশু লান্দাথি অহুগা (৬) খৃঃ ১৮৮১ গী আগষ্ট থাদা, বর্ম্মীজগী চহীদনা ১২৪২ গী থাংগুবা'দা শমজোক চাউবগী য়াথ' ইন্দুনা চুয়ান হায়বা কা'বু অহুনা মণিপুরগী খুন চৌহুন্ হায়বা অহুদা লান্দাথি[10]। মরম অহুনা জোনষ্টোন্না বর্ম্মীজগী কা'বুনা কোজাল থানাদা লান্দাথি হায়বসি অচুম্বা হায়না চিফ কম্মিশনারনা লোথে অহুগা বর্ম্মীজগী কাংবুদা আসগুম্বা থবক অসি মতুংদা অমুক জোকনবা হায়খি।

চিফ কম্মিশনার অমদি জোনষ্টোন্না হায়রিবা বাকম অ'সি মন্দলেগী সরকারনা য়াম্মদে। অমরোমদা মথোয়না অশুম্না হায়রম্মী মহুদি খৃঃ ১৮৮১ গী ফেব্রুয়ারী

(৯) মথক্কী য়াওকম অসিগী মশিং ১৬৯, মন্দলেগী কোয়েল মিনিষ্টরনা বর্ম্মাগী চিফ কম্মিশনারদা ইবা।

(১০) মথক্কী য়াওকম অসিগী মশিং ৭০ ; বর্ম্মাগী চিফ কম্মিশনারনা পীখিবা ষ্টেটমেন্ট, ২৭ নবেম্বর ১৮৮১।

থাদা বর্মাজগী লমলোমদা লৈবা কবো তম্পাক্কী থুঙং মরিদা মণিপুরীশিংনা লান্দাথি হায়রি অতুগা লান্দারকপা মণিপুরীশিং অতুনা কোঙ্গাল থানাদা লৈশিল্লগা মথক্কী থুঙংগী মীওইশিং অতুবু মণিপুরগী লমদা চৎলু অমদি মণিপুরগী মহারাজদা থাজনা কাও চায়ুথি হায়নগ হায়রম্মী[১১]। মথোয়না অমুক হায়রবনা খৃঃ ১৮৮১ গী সেপ্তেম্বর থাদা মথক্কী থানা অসিদগী মণিপুরগী সিকাই ময়াম লাক্লগা কবো তম্পাক্তা লৈবা থুঙংশিংগী খুন্নাকপা টোংহাওদা মণিপুরগী লমদা চৎলু মাত্রবদি মাগী থুঙংশিং অতুগু মাংহনগনি হায়তুনা থমকানচিংবা তৌথি অসিনি[১২]। তৌনরিবা ইরাংশং অসিগা মরি লৈনবা রেকোর্ড মুম্না য়েংলবা মতুংদা ভারত সরকারনা লৈবাক অসি অসিগী মথক্তা শান্তি পুরকপা য়াননবা বর্মা অমদি মণিপুর অনিগী তাইনবা সীমানা অসি নিংথনা অমুক য়াংপা দরকার ওইরি হায়না খল্লম্মী।

মতম অসিদদি মণিপুর অসি ব্রিটিশ সরকারগী চাবরদা মরুপ অমা ওইরে মরম অতুনা গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলনা মণিপুরগী লমশিংদা বর্মাগী কাংবুনা লান্দারকপা অসি থীবা দরকার ওই হায়নগ খল্লম্মী। হৌজিক কাউন্সিলকী কাউন্সিলনা অকুবা বাকম অসি তাইশিনবা হোৎনগে হায়না খল্লম্মী: মরম অসিদগী বর্মাজগী সরকারদগীসু মপেং পীনু হায়না হায়রম্মী। খল্লগদবা বাকমশিংদি (১) সীমানা অশোনদ হেন্দোক হোল্লন লৌনদগী থাবক্লবা থুদোংথীবা ময়াম অসিগী মরুওইবা মরম; (২) মরদ্রব সীমানা অসি মতৌ করম্না য়াংকদগে হায়রগী খ্যাদগী করা উনাই পুরোক্লবা হোৎনব, (৩) মতুংদা সীমানা অশোমদা ইরাং অমুক তৌদনবা হোৎনবা অমদি (৪) সীমানা অশোমদা মরা ওপ্ল পানবা য়াননবগী থৌপুরিবা শমজোক্ত লৈবা বর্মাজগী অফিসারগী কম অমদি লৈকমগী মরমদা থমগনি[১৩]। অদুবিবা সৎব থুব থুটকী অদাংথংবা লম, তমথীরবা কিয়েন হায়বা অংনা খুন্দাতুনা লৈবা লম অসি নিংথনা থক য়াংথিজ্রি মরম অতুনা কাংবু অসিগী মীওইশিংনা সীমানা অশোমদা লৈবা মণিপুরগী থানাশিংদা লান্নাথুবান অমদি অকোয়রদা লৈবা খুনাশিংদা লুট-পাটনচিংবা তৌথবনি[১৪]।

(১১) মথক্কী য়াওকম অসিগী মশিং ১৬৯, মঙলেট কোরেন মিনিষ্টরনা ব্রিটিশ বর্মাগী চিফ কমিশনর বদা হবা চেবোল।

(১২) মথকক্কী য়াওকম অসিগী মশিং ১৭০ দ ক্যাম্বেণ্ড মশি, মিম্দিন ক্যাওগোং অমদি এম.জ্যাকক মিওজাশাজনা পীশা জবান, ২৭ নবেম্বর ১৮৮১।

(১৩) মথকক্কী যাওকম অসিদা।

(১৪) ফোরেন এ, পোলিটিকেল ই ; ফেব্রুয়ারী ১৮৮২, মশিং ৯৮০ ; আবঃ ফেরেন্সী ডাইরী দগী, ২২ নবেম্বর ১৮৮১।

বারম অসি নৈবনা অমদি বন্ম অমসু মণিপুরগী মরক্তী সীমানা মাংনবা সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা খৃ ১৮৮১গী সেপ্তেম্বর থাদা জোনষ্টোনবু বাউন্দরী কমিশনার ওইনা থনখি অদুগা অমঃ কেম্বর, মেজোর বেজলে, ওগলে, লেপ্টেনেণ্ট দ্রুর, ডাঃ বাট অমদি ওলথাবনা মাগী তেংবা ওইন থনখি অদুগ খিলাট্টি-ই-খিলজান রেজিমেণ্টকী সিপাই ১৫০ অমদ ক্রেণ্টিথার পুলিশকী সিপাই ৫০ না শাবা লাম্মী কাংবু অমা বাউন্দরী কমিশন অসিগা লোয়নখিনবা ওইনা লেপ্টেনেণ্ট এঞ্জেলিওগী মখাদা থনখি[১৫]। কাংবু অসিনা খৃঃ ১৮৮১গী সেপ্তেম্বর থাগী লোইরমদাইদা কংবা তেম্প ক য়োথিনবা চৎখি অদুগা বম্মীজাশিংনদি মেলাইন চীশা হক্পা খডনবা য়ুমাচুমাং চীশাংগী নোংপোকথংবা নাপোম অমদ নাম্ময়া তুবেনগী তোবান মবক ওইনা লেবা কোঙ্গাল থানাদা মখোয়গী বেজ কেম্প ওইনা লেম্মী[১৬]। হায়দিব থানা অসিদ পেম্বরটনগী মেপ্প অমদি খৃঃ ১৮৩৪ গী সন্ধীদা ভৎলবনা মণিপুরগী লম মন্থংদনি আসনি অদুগা থানা অসিগী মনাক য়াম্ন নক্পা মণিপুরগী লমলোমদা লৈবা শীন হায়বা অরিবা খুন অমদা থু খোং থয়া লৈরম্মা। খুনখোং অ'স শমজোকী প্রজা পূময়ক্ক য়ায়া কক্কা য়'লম্মা 'অদুগা মখোয়গী ন হায়নত্তু দাবী তোরম্মী। মরম অদুন কোঙ্গাল থানা অস নখোয়ন লান্দারম্পা থোক্রবদি তাকথোক্রবা হায়তুন শেখখিবনি।

কেক হাওগী পোন্দ বাউন্দরী কমিশন অসি মতোপাগী নৈজ্ঞরম খুদোংথীবা মহ'ম লোনক্ত অদন তেগ পোনথবা মখদা খুদাংথীদা শীনবতা শিক্লিনা শমজোকশ নকাংগী য়েক্লা অদুগম্ভ লেল তারম্মী। শমজোক চাউবনা খুংজাই পইদুনা কমিশন অমবু কংবা তেম্পাক্তা চংদনবা থীংগনি হায়দুনা থোয়াং তোংথ শাগদগী পাও ফংলম্মী। থংনা চৈনবা থোক্কনবা জোনষ্টেয়া হন্দক য়াংকদোংবা সীমানা অসিদা শমজোক চাউবা মশামক য়াওরনবা বার্ত্তি তোংম্মা তোইন্তুমস্থু পাউবনা য়াখিদে। অদুম ওইনমক কমিশনার অমসনা সীমানা অসি থানবা হোৎনথসদা শমজোক চাউববু য়াওবিয়ু হায়দুনা অক্ক কয় তায়রম্মা অদুগ বারম অসি পাথোক্রবা মেজোর

(১৫) মথক্তী যাওয়ম অসিগী মপং ১৭৯।

(১৬) মথক্তী যাওয়ম অসিগী মখিং ১৭০; জোনষ্টোনা আসামগী চিফ কমিশনারগী সেক্রেটারিদা ইবা চেরোজ, ২৮ জানুয়ারী ১৮৮২।

বেজলে অমদি আরঃ কেরেবু শমজোক তাম। থারকখি। জোনষ্টোন্না বেজলে অমদি কেরেদ। তমুদা লৈবা পাগান উন উন্নরবা অদুগা। মোরে থানা অমদি আইমল পাস লোমদা কাওনুনা লাক্লগা। খংনরিবা লমশিং অসি অমুক্তং ওনখোক্লকনবগী মথোয় অনিদা হায়রম্মী[১৭]।

খৃঃ ১৮৮২ গী জানুয়ারী তাং ১ দা বেজলে অমদি কেরে শমজোকপী হন্নকখি অদুগা খৃঃ ১৮৩৪ দা সীমানা অসি তাইশিন্নখিবা কমিশনারশিং[১৮] অদুনা খংনরিবা লম অসিদা থক চংখিদে অদুগা মেপ্তা পেম্বরটনগী লাইন হায়দুনা চিংলিবা অসি অফিসার অসিনা থক মেক্লখা নত্তে হায়না পাও পীরম্মী[১৯]। অদুম্না পাও আস ক'বদগীদি সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা লম অসি অমুক হন্না ওন্থোকপা দরকার ওইদে হায়না। খন্নবম্মী অদুগা থবক অসি জোনষ্টোন্দা শিন্নরম্মী। সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টকী আনিংবগী মতুং ইন্না লম অসি ওন্নবগীদমক্তা বেজলেবু জোনষ্টোন্না খনখি। বেজলেনা লম নিংখিনা ওন্থোক্লগা। অনৌবা মেপ অমা মেকখি। হন্দক বেজলেনা মেপ মেক্লকপা মতম অসিদা পেম্বরটন লাইন হায়দুনা হায়গী মেপ্তা লৈরিবা আসিদি খৃ. ১৮৩৪[২০] গী সন্ধীগী ধারাশিংগা অমত্তম চুন্নদ্রে অমদি মানত্রে হায়বা থওংল মবম অদুনা আফিশার অসিনা হায়গী মেপ্তা (হায়বদি আরঃ বীঃ পেম্বরটন্না মেক্লখ্রা মেপ) শিজিন্নরম্ব স্কেল অদু চুমথোকপা দরকার ওইদে হায়দুনা পাও পীখংলম্মী[২১]। যান্নখিবা সন্ধী অদুগী ধারাগী মতুং ইন্নদি পেম্বরটনগী লাইন অসি অজোচী চীংশাংগী নোংচুপলোমদা থরুমং চংখরগা ওইকম থোকপনি। মহাক্না হায়রিবা বকম অসিগী প্রমান ওইনা বেজলেনা অগুম্না হায়বি মতুদি (১) পেম্বরটন্না ববো ওম্প্রাকী হৌকম মকোক অদুদা থক চংখিবা নত্তে ঃ (২) পেম্বরটনগী মেপ অসি মরুওইনা ভরতকী অমাং নোংপোক সীমানাগী মতাংদদি লাল্লে হায়বসি ভারতকী সবভে তৌবা কাংবুনা হায়থবনি ঃ (৩) পেম্বরটনগী লাইনগী লৈকমগা খৃঃ ১৮৩৪ গী সন্ধীদা হায়রিবা ধারাশিং অদুগী বাহৈগা অমত্তা চানদে। (৪ মহাক্না হন্দক, সরভে তৌরুবদা

(১৭) মথক্তা য়াওকম অসিদ।

(১৮) মেজোর গ্রাণ্ট অমদি কেপ্তেন্ট পেম্বরটন।

(১৯) ফোরেম এ, পোলিটিকেল ই, ফেব্রুয়ারী ১৮৮৩ মশিং ১৭৪, গেইদনা গ্রাণ্টতা ইবা চেয়োল, ৬ ফেব্রুয়ারী ১৮৮২।

(২০) মথক্তা য়াওকম অসিদা।

(২১) মথক্কী য়াওকম অসিগী মশিং ১৭৯ দা।

খঙ্গলিবনা ভোইনা লান্দারকইবা কুকিশিং অসি মেলাইন চীংশাংদা লৈবা ঙাক্কনি অজোচীং চীংশাংদা লৈতে। (৫) মেলাইন চীংশাংনা বর্ম্মা অমদি মণিপুর অনিগী মরক্কী সীমানা ওইগদবনি অজোচীং চীংশাঙনা ওইকম থোক্কে অদুগা (৬) পেম্বরটনগী লাইরগী মঙ্গলা কবো ভঙ্গ্রাক্কী লৈতেম মাম্বা লম অমাখা বর্ম্মাগী ওইনা পীশিল্লিবা অসি মথক্কী সন্ধী অসি য়ানরবা মীওইশিংগী অনিংবদি নত্তে[22]। মথক্কী মরম ময়াম অসি লৈবদগী মহাক্কা লৈবাক অনি অসিগী মরক্কী সীমানা অসি অমুক হন্না য়াৎপা দরকার লৈরবনি হায়না পুথোরকপনি।

মেজলেগী মত অসি জেনরেলগী য়ারম্মী মরম অদুনা বর্ম্মা গভর্ণমেণ্টতা মণিপুর অমসুং বর্ম্মাগী মরক্কী সীমানা অসি য়াৎননবা কম্মিশন অমা থারকই হায়খি। ভোইঙমসুং বাকম অসি বর্ম্মানা য়াখিদে। অদুম ওইনমক সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টকী অনিংবগী মতুং ইন্না জোনস্টোন্না অনৌবা সীমানা অমা য়াৎখি। সীমানা অসি কোজাল থানাগী মখারোমদা গজ ১০০ হেন্না চৎথগা মম্মিন্না তুরেলগী তোর্ব্বান্দগী হৌরক্কগা নাকল অনিমক্তা সুং থিলম্মী অদুদগী নোংপোক-লোমদা চৎথগা মেলাইন চীংশাংগী নাপোম ফাওথহুনা টেলায় তুরেল ফাওবা অদুদগী অবাংলোমদা চৎথগা তুরেল অসিগী ঈচেল অত্তম ইনখিহুনা মেলাইন চীংশাং অমদি অজোচীং চীংশাং অনিগী তাইনরিবা অনেখা নাপোম অহু মোথগা হুপুদা তুরেল য়োবা ফাওবা অদুদগীনা কুশোম চীংশাং ফাওবা অসিনা মণিপুর অমদি বর্ম্মাগী সীমানানি হায়না য়াৎলম্মী[23]। হন্দক য়াংলিবা সীমানা অসিদি খৃঃ ১৮৩৪ দা য়ানখিবা সন্ধীগী ধারাশিংগা চপ চায়বনি। সীমানা অসিনা নহাল মথৈ থৎন চৈনবা থোক্লিবা য়াখোক ময়াম অসি নেমথহন্নকপা য়াই। বাকম অসি মন্দলে য়োনবা পাও পীখি অদুগা অনৌবা য়াংলিবা সীমানা অসিগী মতুং ইন্না চন্দ্রকির্ত্তি সিংহ মহারাজগী ওইকম থোকপা লমশিং অহু মহারাজ অসিনা দখন তৌবত্ত য়ারগনি হায়হুনা খঙহনখি।

বর্ম্মীজ সরকারনদি অনৌবা সীমানা অসি মণিপুর অমদি বর্ম্মাগী মরক্কী সীমানা ওইরবনি হায়বসি থক য়াখিদে অদুগা লম অদুদা লৈবা বর্ম্মীজগী প্রজা-শিংবু ঙাক শেন্নবগীদমক শমজোক চাউববু সীমানাদা হুংলিবা সুংশিং অহু চিংখৌ

(২২) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

(২৩) মথক্কী য়াওকম অসিগী মশিং ১৭৫, জোনস্টোন্না আসামগী চিফ কম্মিশনারগী সেক্রেটরীদা ইখা চেরোল, ২৮ জানুয়ারী ১৮৮২।

হায়দুনা য়াথং পীরম্মী[২৪]। জোনষ্টেন্না য়াংলিবা সীমানা অসি ভারত সরকারনা য়াথে অদুগা সীমানাদা য়ু'লিবা ক্লু'শিং অদু চিংথৌ হায়দুনা শমজোক চাউবদা য়াথ' পীরিবা অসি তৌগনু হায়রিবা[২৫]। কবিগুবা বর্মা সরকারনা ক্লু'শিং অসি ফুক্তোকে হায়না হোৎনরক্ল াদ থুৎলাক পাইদুনা থীংউ হায়দুনা মণিপুর সরকারদা ভারত সরকারনা হায়রম্মী[২৬]। অদুম অদুম ওইনমক খৃঃ ১৮৮৪ দা বর্মীজ সরকারনা .কাজাল থানা থুগাইরগ সীমানাদা য়ু'লিবা ক্লুংশিং অদু ফুক্তৎকে হায়দুনা কীহন্নম্মী[২৭]। থোদোক অ'সগী হেক মতু'দা খৃঃ ১৮৮৫ গী মার্চ্চ তাং ২৩ দা থুৎলাই পাইবা মণিপুরদগী কু'কগী কা'লুপ অমনা বর্মীজ তক্লকথক্তী মথক্তা মথোয়না কোংদু' থন্দা লৌবিউদা হাংকে হায়দুনা তাম্নখি[২৮]। মথক্তা তৌনাথুবা ইরাং মত' আসনা অনৌবা য়াংলিবা সীমানা অ'সনগু বর্মা' অমদি মণিপুর অ'নগী মরক্তা থাথোক অ'স ভাইশমবা ক্লম থদ্রে হায়বা তাক্লে। মতম অ'সগী থুদোং চাদব কীভম অ'স অমুক্ক হেন্না কীভম চাহন্দনবা খৃঃ ১৮৮৫ দা অহুমশুবা বর্মীজগী লান শোক্লবা হোৎে।

মিঃ এঃ জেঃ মোর্গান হায়বা বোম্বে-বর্মা ট্রেদং কোরপোরেসনগী মেনেজরনা জানষ্টোন্দ অশুম্বা হঁন্মী মধু দ খৃঃ ১৮৮৫ গী নবেম্বর তাং ১৫ দা কবো তম্পাক কাওবা জহাজ তোংদুনা লাক্লগা এম্লেন অমদি রোসনা অহুমশুবা বর্মা লান হৌখিবগী পাও অ'স মোর্গান মশামক্ত' অমদি টিঃ বকষ্টা অদুগা জেঃ ব্রাটোদা কমদা লংগা মংংদ পান্নক অংহে কাওবা চংখিনবা হায়রম্মী হায়নক্ত হায়রি[২৯]। বো পোরসনগী পম্মু ৭৮ শয়াদ কোরপোরেসন অসিনা

(২৪) মথকক্তী থাওফম অসিগী মশিং ১৮৯, ব্রিটিশ বর্মাগী চি। কম্মিসনারনা ফোরেন সেক্রেটরীদা ইবা চরাল, ৮ মার্চ ১৮৮২।

(২৫) মথকক্তী থাওফম অসিগী মশিং ১০০, থা বল সেক্রেটরীন বেঙ্গলদা লৈবা চিফ কাম্মশনারদা থোক্লবা টেলিগ্রাম, মশিং ৪১৯ ই. পি., ৯ মার্চ ১৮৮২।

(২৬) মথকক্তী থাওফম অসিগী মশিং ৯৯, ফোরেন সেক্রেটরীনা আসামগী চিফ কম্মিশনারদা থোক্লবা টেলিগ্রাম মশিং ৪২৮, ই. পি. ১০ মার্চ ১৮৮২।

(২৭) ফোরেন একষ্টরনেল এ, প্রোসিডিংস, সেপ্তেম্বর ১৮৮৪, মশিং ৫; ট্রোটরনা আসামগী চিফ কম্মিশনারদা ইবা, ৮ জুলাই ১৮৮৪।

(২৮) মথকক্তী থাওফম অসিদা, আগষ্ট ১৮৮৫, মশিং ৬০, জোনষ্টোন্না আসামগী চিফ কম্মিশনারগী সেক্রেটরীদা ইবা, ৮ জুন ১৮৮৪।

২৯। ফোরেন সিক্রেট ই, প্রোসিডিংস, আগষ্ট ১৮৮৬, মশিং ৮০১, মোর্গান্না মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেণ্টতা ইথবা চেরোল, ১০ জনুয়ারী ১৮৮৬।

শিজিন্নরবা কোরেষ্টর মমাম অদুগী মেশিন্নবগী থবক পূন্নমক মোর্গানদা শীন্নরবা মরম্না মহাক্কী মকম অদু থাদোক্কনা চংলরোই হায়না লেপ্লম্মী। রবট্টলগা ব্রিটিশগা চংলরোই হায়রম্মী। মরম অদুনা এজেন অমদি রোসনা মাখায় মাওদনা খৃঃ ১৮৮৫ গী নবেম্বর তাং ১৬ তা অম্পক অদু থাদোক্কনা চংখি৩০। মোর্গানা অমুক হায়বিবনা খৃঃ ১৮৮৫ গী নবেম্বর ১৯ ফাওবাদ করো তম্পকী কেন্দাং ডিবিজনদা শাস্তি ওইনা লৈরম্মী খংসিন। অদুবু তাং ২০ দদি বর্মীজ সরকারগী হুকুমগী মতুং হন্না মহাক মশামক অমদি মহাক্কী মরূপ অনিমকপু (রবট্টল অমদি ব্রিটিশ) ফারগা জেলদা থম্লখি অদুগা কোর-পারেসনগী পোং চৈ, মরল মথুম পুন্নমক মুনখি অসিন। মন্দলেদগী থু দাডাসন হায়বা অফিসার অমা লাক্লগা এজেন, বটস অমদি ম০ ফুবং চাংদাখ অ.গা বোস, হিল, বেটস অমাদ রবট্টলবুনা জেলদা থমখ খংসিন। হায়রিবা সম্বন্ধ অসি ফারিবাসদগী থাদোক্কে পৈছা পীয়ু হায়না মার্গন অমুক্তা মথা ভাথানা হায়রম্মী। লুপা ১০০ পীনা ব্রিটিশনা থাদোকহনখি অদুগা শরোন্না। ব্রিটিশকী প্রজা মমাম ফারিবা অদুসু জমমদা লুপা ১৫ দগীনা ২০০ ফাওবা পীনা থাদোকহনখি। মোর্গানগা ব৭৫ গনি মপোন্নগী পাক্ক ডাইদুনা লৈরম্মী। ৫ ন্না অসিদা বেন্দাং উন মশামক লাক্লগা বর্মীজগী থকসার অদুনা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টকী মথাদা সিফাই ময়াম খংনা পুন গননা হায় পাও থবা ভম্নম্মী। পাও অসি ফংবদা থুন্দাউসন অদু য়ম্ন পাও শ্মী মরম অদুন অফসার অসনা মোর্গান অমদি রবট্টলবু হাংদোকবা য়াম্ন হায়না। ৮নবশী নহোন্নবু জহাজদা মহাক্কা লোয়নন্না পুদুনা চংখিগে হায় হন্ন পাসন থাদে। মতৌ অদুম্ন ব্রিটিশকী প্রজা অমত্তা পুন্নদনা ১৮৮৬ সন ১৩ জানুয়ারি ফদোগীদমক কেন্দাং থাদোক্কনা চংখি৩১।

পাও অসি ফংবগা জানথৈন্না খৃঃ ১৮৮৫ গী ডিসেম্বর থাদা বেঙ্গল ইনফেন্ট্রিগী সিফাই ৫০ অমদি বদাং মাসংহ হায়বা মরম অদুগী অন্নাপুরেল ওইরব অদুগী মথাদা মণিপুরী সিফাই ৯০০পুবগা বর্মীজগীদমক থো শানাথরম্মী। করো তম্পাক মোবগদি কিভম অত কা হেন্না ফংজে হায়বস জোনথৈন্না

—

(৩০) মংক্কী মাওফম অসি মাং ৮ ৪, পুলিস কমিশনর সে হুকুম বীনা আসামগী চাফ কমিশনারদা ইবা চেথল, ২ জুন ১৮৮৬।

(৩১) মথক্কী মাওফম অসিদ।

থঙখি। মরম অদুনা মহাক্না চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজদা থাজানগী মথাদা ঘোরেদা মহাকপু তাইহনা লৈনবা মণিপুরী লাম্মী লিশিং অমা অমদি অতোপ্পা মণিপুরী সিপাই ৫০০ অমনা কেন্দাংদোনা মহাকী মনাক্তা য়াম্না থুনা থারক্লবা হায়জরম্মী। পাও অসি হেক কংবগা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা মতম চানা জোনষ্টোনগী মনাক মৌথিনবা মহাকী লাম্মী থাখি। এজেন্ট অসিনা মণিপুরী লাম্মীগী মতেংতনা কেন্দাং ইরাই লাইনা লৌশিনখি। অহুমশুবা বর্ম্মাগী লাল তৌবা হৌবগী মতুং চহিৎ ২০গী মতুংদা বর্ম্মাগী কোন্নুং মন্দালে অসি ব্রিটিশনা লৌশিনখি। লাল অসি লোয়রবা মতুংদদি বর্ম্মা পুম্নমক অসি ব্রিটিশ সম্রাজ্যগী মনুংদা পুন্সিনখ্রে।

বর্ম্মা লৌশিল্লবা মতুংদা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরম্বা মেজোর ডবলিউ: এফ: ট্রেটরবু এজেন্ট ওইনা ওইনা অপ্পর চীন্দউইন দিষ্ট্রিক্কী ডিপুটি কমিশনার ওইনম্ব থম্মী[৩২]। এজেন্টপু ডিপুটি কমিশনার ওইনা হাপখিবা অসি বর্ম্মা অমদি মণিপুর অনিগী মরক্কী সীমানাগী বাথোক অসি তাইশিন্নবগীনি। বাকম অসি পাংথোক্লবগীদমক ট্রেটরনা মহাক্কী মথা হেক ওইনা তম্বুগী মিওং থুনগিবু থুনশিং অদুগী অফিসার ইন চার্জ ওইনা থনখি। ত্রৌইগুম্বসু কেন্দাংকী ঊনগী মথাওদদনি মথোয়না লৈম্বিবস হায়না থজবা থুনশিং অদুগী প্রজাশিং অদুনদি মথোয়গী লুচিংব থল্লিবা অসি য়ানিংলমদে[৩৩]। বাকম অসি নিংখিনা মেন তানা ঊনরগা ঙাংনবনা করগনি হায়না থমবদগী ট্রেটরনা ৫শুবা বেঙ্গল ইনফেন্ত্রিগী নোংমৈ পাইবা সিপাই ১০০ থক পুরগা কেন্দাং কাওবা চৎলগে হায়না থনখ্রে। ১৮শুবা বেঙ্গল ইনফেন্ত্রিগী সিপাই ময়াম কেন্দাংতা থুংলরগনি হায়বগী পাও কংলবগু তংশংবা চহিৎ থঙদবদগী এজেন্টনা কেন্দাংতগী মাইল থরা থাপ্পা লৈবা পাম্বাদা ওইনা চৎলম্মী। মহাক্ক পাম্বাদা চৎপা অসিদা মোর্গান, ব্রিটো, জমাদার কেদার কিংচিৎ অমদি রামসিংহনচিংবা ময়ামত্ত য়াওখি। কাংবু অসি খৃং ১৮৮৬কী মে তাং ১১ দা মেজোর হেলসকা লোয়ননা পায়রদা থুংলম্মী।

(৩২) ফোরেন সিক্রেট ই, প্রোসিডিংস, নবেম্বর ১৮৮৬, মশিং ১৩৩, হেলসদা কাৰ্টর মাষ্টর জেনেরেলদা ইবা চেরোল, ১১ মে, ১৮৮৬।

(৩৩) মথক্কী য়াওফম অসিগী মশিং ১৮২, পাম্বাদা লাম্বাখিবা অহুদা থোকখিবা থৌজোক্কী মরমদা ইবা চেবোল, মেগী তাং ১২, ১৮৮৬।

খৃঃ ১৮৮৩ কী মে তাং ১২ দা বর্মীজলোম থংবা নাকলদা লৈবা কবো ওম্পাক্কী লাকপা ডাকু ৬০০ থক্লা পাম্বাগী কেম্পতা লান্দারম্মী[৩৪]। ট্রেটর অমদি মহাক্কী অপিকপা লাম্মী জেলোল অছুনা লান্দারক্লিবা কাংবু অহুম্ পুং ১০ মুক হেন্না ইচং থোনা লানবা পারম্মী। অহুম ওইনমক লানকম অসিদা ট্রে.টর মশামক য়াম্না শাথিনা শোকখি, হবিলদার অমগা সিকাই অনিগা শিথি অহুগা সিকাই অয়াম্বদু য়াম্না শাথি শাথিনা শোকখি। কেম্প অসিগী থুদোং থীরবা ফিভম অসি থম্নরবা মতুংদা গভর্ণর জেনেরেলগী কাউনসিলনা মণিপুরগী মহারাজদা মণিপুরী সিকাই ৩০০ থক থুনমক পাম্বা য়োনা থাবিথিনবা হায়জ-ম্মী। কাউনসিল অসিনা মতম অছুদা কোহিমাদা লৈবা ৪২ শুবা রেজিমেন্টকী সিকাই ১০০ মাউনটেন গন অনি অমদি তেজপুরদগী ৪৪ শুবা আসাম রেজি-মেন্টকী সিকাই কাংবু অমা অহুগা শিলংদগী সিকাই ৬৮ থক পাম্বা য়োনা থুনা চৎথিনবা হুকুম তৌরম্মী[৩৫]। পোৎ পুনবা গথা অমদি শগোল ময়াম গোলা-ঘাটত্তগী কোহিমা কাওরগা[৩৬] মণিপুর তাথিনবগী কাউনসিলনা য়াথং তৌরম্মী অহুগা মন্দলেগী জেনেরেল অফিসার কম্যান্দিং'দা মহাক্না পাম্বাগী ফীভম অহু থুদোং থীরি হায়না থজবদি শিজিন্ননিংবা সিপাই শিজিন্নবা য়াগনি হায়না থউহজম্মী[৩৭]। ভারত সরকারগী থোরাং ময়াম অসি নিংথিনা য়েংলবা মতুংদা ডাকুশিং অসিগী নিংথিনা লানবন শাহুনা লৈখ্রে। ডাকু ২,০০০ রোম থুদক থুদক্তা ব্রিটিশকী লাম্মীগা থেংনবা য়ানবা থোরাং তৌহুনা লৈখ্রে হায়বা পাও ফংলম্মী[৩৮]। মতৌ অগুম্না সীমানা অশোমগী ফীভম অসি য়াম্না হেন্না ফংথিন্রে। তৌরিবা থোদোক অসি বর্মা পূম্নমক ব্রিটিশনা লৌখ্রে হায়বা মহারাণীগী হুকুম অহু ওম্পাক অশোমদা থজহন্দবদগী ডাকুশিং অহুনা মতম অহু ফাওবদা মন্দলে পূম্নক অসি বর্মীজ সরকারগী মথাদা লৈরি হায়না থনবদগী তৌরগদবা মাই[৩৯]।

(৩৪) মথকী য়াওফম অসিগী মশিং ১২২, জেনেরেল অফিসার কম্যান্দিং ইষ্টর্ন ফ্রোন্টি-য়ারনা কার্টর মাষ্টর জেনেরেলদা ইবা, ১৯ মে ১৮৮৬।

(৩৫) মথকী য়াওফম অসিগী মশিং ১৩৩, জেনেরেল অফিসার কম্যান্দিং ইষ্টর্ন ফ্রোন্টিয়ারনা কার্টর মাষ্টর জেনেরেলদা ইবা, ২১ মে ১৮৮৬।

(৩৬) মথকী য়াওফম অসিদা।

(৩৭) মথকী য়াওফম অসিগী মশিং ১৪৩, জেনেরেল অফিসার কম্যান্দিং ইষ্টর্ন ফ্রোনটি-য়ারনা কার্টর মাষ্টর জেনেরেলদা ইবা, ২৯ মে ১৮৮৬।

(৩৮) মথকী য়াওফম অসিগী মশিং ১৫১, আসামগী চিফ কমিশনারনা মিলিটারী ডিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরীদা ইবা চেরোল, ৪ জুন ১৮৮৬।

(৩৯) মথকী য়াওফম অসিদা।

মথক্তা শিন্নখিবা সিকাই মমাম অতুনা পাম্বা য়োন্নকপা কাওবা ভাকুশিং অতুবু চাক্তনা নৈবা অসি ট্রোটরগীদি য়াম্না বাবা থোদাং অমা ওইনা থোকখে। থুদোং থীরবা ভাগা অসিদা অমুক্তা হেন্না থুদোং থীহন্নবা সিকাইশিং অতুগী মরক্তা য়সন মন্তিক চানা ফংদবগী অমদি হবা তুংশিং কত্তবদগী লৌনগনবা লায়না শন্দোরক্লমী। মরম অতুনা ট্রাটরনা মতাক্কী লাম্মী পুন্নমক পাম্বাদগী হন্দোক্তনা নৈরগে চায়না লেপ্লম্মী। অতুবু সিকাইশিং অসিনা বেম্প অসি থাদোকপা ভারবদি তম্পাক অসিদা নৈবা কুপী অঙাং থাকনা ভাকুশিং অসিনা শোয়দনা হাংদলগনি[40] অতুগা মথক থংবা কবো তম্পাক্তা নৈবা থুজং ১৪ মক ভাকুশিং অসিনা লুট পাট শোয়দনা তৌরগনি। মথক্কী থুজং ১৪ অসিগী মকোক ওইনা নৈরম্বা থুবাংদুংকী চাউবা অতু মতম অতু কাওবদি ইংনা নৈরম্মী অতুবু ভাকুশিং অতুনা মাগী থুমশিংদা মাং ভাক্লবা তৌরক্লবাদ মহাক্তা ব্রিটিশ সরকারদা করি করম তৌরকদগে হায়বতুদি কনানত্ত হায়ক্লবা উমাদ। লাম্মীশিং অসিনা পাম্বা থাদোক্তনা লাকপা ভারবদি কবো তম্পাক্কী হংনা নৈজবা পাম্বা প্রজাশিংবুদি ভাকুশিং অসিগী মথুংতা - জমবান[41]।

গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলদা হৌজিক লাক্লবা বাকয়া মহাক মশাগী মরম ভাকচনবা ওইনা কবো তম্পাক অসি চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজদা অমুক হাঞ্জনথদনা হজিল্লোইদ্র আসান। কবো তম্পাক অসি মণিপুরদা অমুক হজিনখিবা অসি আসামগী চিফ কমিশনারনা কয় য়াংলমদে। মহাক্তা অতম্না থনাখিবগী মরমদি ব্রিটিশকী মতেং য়াওদনা বেন্দাং অমাদ তেমুদা অকনবা সিকাইগী কাংবু থম্বা ভয়োহদবনিনা মণিপুরগী মহারাজনা কবো তম্পাক অসি নিংথিনা ভাক্তনা থম্বা ভয়োই অসান। মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেণ্ট ওইরম্বা জোনষ্টোনদি মণিপুরগী মহারাজনা খৃঃ ১৮৭৮—৭৯[42] গী কোহিমাগী লালহো অমদি অহমত্তবা বর্মীজগী লালদা[43] ব্রিটিশকীদমক তেংবাং থিবাশিং অতুগী তৌবমল থত্তবা উৎপা ওইনা কবো তম্পাক অসি মণিপুরদা অমুক হাঞ্জনখিবা পাম্নমী। অতুম ওইনমক

(40) মথক্কী য়াওকম অসিগী মশিং ২০৪, চিফ কমিশনাবগী সেক্রেটরীনা ভারত সরকারগী সেক্রেটরীদা ইবা, ২৮ জুলাই ১৮৮৬।

(41) মথক্কী য়াওকম অসিগী মশিং ২০৫, হেণ্ডজনা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেণ্টতা ইবা চেরোল ১৪ জুলাই ১৮৮৬।

(42) মতুংদা নৈনরকনি।

(43) ফোরেন সিক্রেট ই, প্রোসিডিংস, মার্চ ১৮৮৭, মশিং ১৫০, বর্নাদনা কান্নিংহামদা ইবা, ১৭ জানুয়ারী ১৮৮৭।

গভর্ণর জেনেরেলগী কাউনসিলনদি আসামগী চিফ কমিশনারগী মত অসি লৌথে্র মরমদি হীজ লর্ড সকী কাউনসিলনস্ত ব্রিটিশকী মতেং য়াওদনদি মণিপুরগী মহারাজনা কবো তম্পাকপু নিংথিনা থুতুম চন্দুনা থম্বা ওমগনি হায়বসি কন্না থাজখিদ্রে[৪৪]। মরম অতনা মফম অতুদা লৈবা মীওই চীন্দউইন তম্পাকী ডেপুটি কমিশনার ওইরম্বা কেপ্তেন রাইক্রফ্তা বাকম অসিদা মাগী করি মত লৈবগে হায়রকউ হায়দুনা হায়বম্মী। মণিপুরগী মহারাজদা কবো তম্পাক হজিনবা হায়বা বাকম অসি রাইক্রফ্ত য়া'ন'লমদে। মহাক্না পায়রবদি মতম থরা ব্রিটিশকী মহুৎ শিনবা ওইনা তম্পাক অ দ শনগোক চাত্তবা অমদি কলে চাত্তবগী মথুংতা শিন্নবিবা অ স'ন[৪৫]। সেক্রেল ডিবিজনগী কমিশনার ওইরম্বা মিঃ ক্রায়রস্ত রাইক্রফ্কী বাকম অসিদা য়ারম্মী। কবো ফোর্সকী কম্যান্দর কেপ্তেন ষ্টুভেন্স অমদি কবো ভেলি ফিল্ড ফোর্সকী কম্যান্দর জেনেরেল গোদোনস্ত মতম থরগীদমক ব্রিটিশকী মহুৎশিনবা ওইনা মথক্তা হায়খবা চাত্তবশিংদা কবো তম্পাক অসি শিন্নবসি পায়খী। তম্পাক অসিগী প্রজাশিংনবু য়ানিংদবা উৎত্রবদি বাকম অসি সুপ্রিম কাউনসিলমস্ত য়ারম্মী। অহুবু প্রজাশিং অতুনদি হায়বিবা চাত্তবশিং অসিনা তম্পাক অসিবু ডাকপাদ থক য়া'ন লমদে। সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা প্রজাশিং শ্যাসগী আমংবাসিদা থৈথাইবা পী'ন দবদগী কবো তম্পাক অসি চীন্দউইন তম্পাকী মেজিষ্ট্রেটকী মথাদা ওইনা থম্লগা মিউক অমদা শিন্নরগে হায়না লেপথে্র[৪৬]। মিউক অসিবু ফেংবাংনবগীদমক মিলিটরী পুলিস ৩০০ না তম্পাক অসিদা থম্বা অহুগা অথুবা মতমদা মাগী মতেং পাংনবা ব্রিটিশকী লাম্মী মতিক চানা মণিপুরদা থম্বা[৪৭] অহুগা আসাম রেজিমেণ্টকী সিপাই ৪০০ থক, ২০০ অমনা কেন্দাংতা ২০০ অমনা তমুদা থম্বা হায়নস্ত সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা য়ারম্মী[৪৮]। মথকী অতম্না শিন্নবা মতুংদা কবো তম্পাক অসি মতম থরগী ওইনা মিউকী মথুক্তা শিন্নখি।

---

(৪৪) ফোরেন সিক্রেট ই, প্রোসিদিংস, জুলাই ১৮৮৬, নম্বর ২১৮, আসামগী চিফ কমিশনারগী সেক্রেটারীনা ভারত সরকারগী চিফ সেক্রেটারীদা ইবা চেরোল, ১৪ এপ্রিল ১৮৮৬।

(৪৫) মথক্কী য়াওকম অসিগী মার্চ ১৮৮৭ কী নম্বর ১৫৯ দা আসামগী চিফ কমিশনারনা বর্মাগী চিফ কমিশনারদা ইবা চেরোল ১৬ জানুয়ারী ১৮৮৭।

(৪৬) মথক্কী য়াওকম অসিদা, বর্মাগী চিফ কমিশনারনা ফোরেন সেক্রেটারীদা ইবা, ২৬ ফেব্রুয়ারী ১৮৮৭।

(৪৭) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

(৪৮) ফোরেন সিক্রেট ই, প্রোসিদিংস, মে ১৮৮৭, নম্বর ২০৭।

অতুম ওইনমক আসামগী চিফ কমিশনারনদি কবো তম্প্যাক অসি মিউকী মথুৎতা শিন্নগদবগী শরুক মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টকী মখাদা থবনা হেন্না কৈ হায়না থনখি। অদুগা তোৌরবদি কবো তম্পাকী বাকম অসি মনা মনিন নাইদবা য়াগনি হায়না কমিশনার অসিনা থনখি। অদুগা কবো তম্পাকী মরম কয়া থমরিঙৈ মতমদা মণিপুরদা খৃঃ ১৮৭০ গী কোক্তুংগী লালহৌ থোক্লকখি। লালহৌ অসিগী মতুং খৃঃ ১৮৯১ দা মণিপুরনা মনিং মপা তদা মাংখ্রবদগীদি মণিপুর অমদি বর্মা অনিগী তাইনবা সীমানাগী বাকম অসিশু লোইশিন্নখি।

মণিপুরনা থেংনখিবা সীমানাগী বাকম অসি বর্মারোম থংবা সীমানা অসিদতা নৎখিদে। মণিপুরগী সীমানাগী অকোয়বদা লৈরিবা চীংমীশিংগী মাইকৈরোমদগীশু সীমানাগী বাকম অসি থোরকখি। মণিপুরগী সীমানাগী অকোইবদা লৈরিবা চীংমীশিংগী কাংবুদা মণিপুরী লাম্মীনা ইতৎ তক্তনা লান্দাক্লগা লোইপোৎনচিংবা খোমখি হায়বসিদা থাজবা য়াবা মচাক য়ায়া য়াওগ্নি। অতুম ওইনমক অনৌবা যুগকী চাউখৎ-থোরাংদা লাকপা নোংমৈ শিজিন্নবা অসি থৌওরকৈগী মমাংদদি মণিপুর সরকারনা লমদমশিং অসিবু খুতুম চন্দুনা অতুকহাক্লা কুইনা থম্দি তুন্নমদে। করিগুম্বা মতমদা চীংমীশিংগী অচৌবা কাংবু কাংবুনা তম্পাক্তা লান্দারকখিবশু য়াওদবা নত্তে। অতুবু মতম অতুদা মমাং চৎলবা মণিপুরগী শগোল তোংবা লাম্মীগী মমাংদা কুইনা থাংতুনা লৈবা ওমদবদগী তম্পাক্তা কুইনদি লৈবা থক ওমখিদে। হৌখিবা ব্রিটিশ অমসুং বর্মাগী লান মতমদদি মণিপুর সরকারনা চীংমীশিংগী মথক্তা শন্দোক্লবা পাঙল অতু মরাই চাইথখি। অতুম ওইনমক গম্ভীরসিংহনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইরবা মতুংদগীদি চীংমীশিংবু অমূক হন্না খুতুম চনশিন্নবা হোৎনরম্মী। ব্রিটিশশুগী কংলকপা খুৎলাইগী মতেংনা চীং-তম অনিমক অমূক হন্না মহাকী মখাদা পুরকপা ওমখি।

মথক্তা নৈনখ্রবা অতুনি—গম্ভীরসিং মহারাজনা থুপথ্রবা মতুংদগীদি মণিপুরদা সিংহাসন মুন্নবগী লাল, রাজকুমারশিংগী লালহৌ অমদি লৌছুনবগী বাথোক্লা মথং মথং ওইনা মণিপুর ইতিহাসকী লমাই অয়াম্বা মশক থীহনখি। থোদোকশিং অসিনা মণিপুরগী মহারাজাশিংনা চীংগী লমদা শন্দোক্লবা পাঙল অতু শোয়হনখি। লম্বীথোং খুদোংচাদবা অমাদ থুনা থুনা লমশিং অতু তায়া চৎপা ওমদবনা চীংগী বাকম অসি অমূকা হেন্না অবাবা ওইহনখি। মরম অতুনা মাইকৈ অদোমদা করিগুম্বা লালহৌ অমা থোরকপা তারবদি মতুংদা অমূক ক্তোরক্তনবা মণিপুর সরকারনা মীয়ুংশি য়াওদনা নমৎনবা হোৎনবা তাবনি। থৌরাং অসিনা

চীংগী খুল্লাকপা কয়ামকয়। পুনশিন্নরগা মণিপুরগী মথাদ। লৈতনবক্ত কয়া হোৎনখিদবা নত্তে। মাকম অসি লৈবকপী গম্ভীরসিংহ মহারাজনা হেক নোক্লাখিবদগীদি চীংমীশিংগী অপুনবা কাংলুপ কাংলুপ্পা মণিপুরগী লিংখোশিংবু অমাবা কয়ামকম পীখি। মতৌ অওয়া চীংমীশিংবু নমথনবা হোৎনবা হায়বাস মণিপুর সরকার অসিগী মরম ব্রিটিশশিংগীগ অচৌবা থৌদাং অমা ওইখি।

লুসাইশিং :

মণিপুরগা ইহান হায়া খেংনরিবা কাংবু অসি লুসাইশিংগনি। "লুসাই" হায়বা বাহৈ অসি অমাং থংবা লুসাইগী পোলিটিকেল অফিসার ওইরম্বা মেককেবলগী মতাদি তোঙান তোঙানবা বাহৈ অনি 'লু' হায়বদি 'কোক' অমগা 'সাই' হায়বদি 'ককপা' না শেম্বা, অর্থনা 'কোক ককপা' হায়বনি।

লুসাইশিং অসি মণিপুরগী মখা-নোংচুপকী মাইকৈ ওইনা লৈ। মাইকৈ অশোমদা লৈবা মণিপুরগী সীমানারোমদা মথোয়না অতৎপা লৈতনা খুদোংথীবা পীরম্মী। মরম অমুনা মণিপুর সরকারনা মথোয়বু সীমানা অশোমদগী তাম্মোক্লবা অমাবা উপাই শিজিন্নরম্মী। অমুম ওইনমক সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেণ্টত থবক অসিগীদমক্তা মহারাজনা লুসাইরোম থংবা মণিপুরগী সীমানা ঙাক্লবা হোৎনবা মতমদা লুসাইশিংদা কা হেনবা থবক তৌরদনবা হায়দবা য়াকে হায়জুনদি থঙহনখি[৪৯]।

খৃঃ ১৮৫৩গী জুলাই থাদা লুসাইশিংনা মণিপুরগী লমদা লৈবা কামাই নাগা খুন্দা লান্দাখি, মী ২২ কাখি অমগা খুনপুম্নমক মৈ থারম্মী[৫০]। খুন অসি থুগায়রবা মতুংদা লুসাইশিং অসিনা কাম্বা নাগা খুন্দা লৈবা মণিপুরী থানাগী মথক্তা অমুক্তা লান্দারম্মী। পাও অসি হেক ফংবগা চন্দ্রকির্তি মহারাজনা লুসাইগী লান্দারকপা অসি অমুক হেন্না চংশিন্নকপা ঊমদনবা অমদি মথোয়বু মণিপুরগী তাম্মোকখিনবা অচৌবা লাম্মী তেঙ্গোল অমা থাখি। লুসাই অমদি মণিপুরীসিংগী থৎথেংননা শোক্লবা লামকমদা লুসাইগী লুচিংবশিংগী মরক্তা মমিং লৈরবা বেলজীং রাজা হায়বা লুচিংবা অমগা লাম্মী৫ থক্লা মণিপুরীশিংনা কারম্মী। বেলজীং রাজা হায়বা অসিনা লুসাইগীদি য়ায়া মক ওইবা লুচিংবা

(৪৯) পোলিটিকেল কন্সলটেসন, জুলাই ১৮৭০, মশিং ৭৭৫, ভারত সরকারদগী মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেণ্টতা ইবা, মশিং ১১২৭, লমাই ৩, জুন ১৮৭০।

(৫০) পোলিটিকেল কনসলটেসন, ১৩ এপ্রিল ১৮৫৫, মশিং ১২০, ভর্ণমা বেঙ্গল সরকারগী সেক্রেটারীদা ইবা, ১২ মার্চ ১৮৫৫;

অমনিনা মহাক অসিনা কামাই নাগা খুলগী কাখিবা মণিপুরীশিং অদুবু থাদোক্লবা হোৎনবদা কায়বা য়ায়া কংলগনি হায়না হরাওনরম্মী। লুসাইগী লুচিংবা অসিনশু মহাক মণিপুরদা বন্দি ওইদুনা লৈরে হায়বগী পাও অসি মহাকী প্রজাশিংবু থংকনখৎবদি মহাক অমাদি অতোপ্প লুসাইশিং অদুবু থাদোকপগী মহৎ ওইনা কাখিবা মণিপুরী বন্দি ময়াম অদু শোয়দনমক থাদোরক্কনি হায়রম্মী। বাক্কম অসি থবক ওইনা পাংথোক্লবা লুসাই বন্দি অনিথক থাদোক্লম্মী অদুগা কালা নাগা খুনক্কাওবা চৎলগা মথোৎবু লুসাইগী শম য়ৌনবা থাখি। লুসাই অনি আসনা মথোয়গী মখুন্দা চৎখিদ্রবগী মমা দা বাশক্লম্মী। অদুগা চয়োন তরুকী মতুংদা মথোয় আনমক কালা নাগ খুন্দা অমুক হন্নকনি মরম অদুনা মথোয়বু খীনবিরাক্লবা মণিপুরী অফিসার অদুনসু মফম অদুদা মথোয় অনিবু ভাইবিরম্মু হায়রম্মী। অদুম ওইনমক লুসাই অনি অদু অদুম লাকখিদ্রে[৫১]। থাদোকাখবা লুসাই অনিদুনা মরাকপা লৈরবা অদুদাদ বেলজীং রাজা অমাদ অতোপ্পা লুসাই বন্দিশিং অদু মথোয়গী খুঙ্গংগী মীশিংনা মথোয়বু থাদোক্লবা হোৎনবিরকনি হায়বসি থক থাজখিদ্রে। মরম অদুনা মথোয় চেম্নবা হোৎনাখ। মথোয়না চেনখিবা মতমদা তায়বদগী চাংদা চেনশনাখগে তৌবদা নোংমৈন। কাপ্পুনা লুসাই অদুন অদুদ হাংগে অদুগা বেলজী রাজ। অদুদ মনাক নকপা শম অমদা লোক্লুনা লৈরবা থেংনরদুনা অমুক হন্ন। কারগা মণিপুরদা পুরকাখ।

মথক্তা তৌখবা থোদোক আসগী হেক মতুংদাদ চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা লুসাইশিংগী মথক্তা লান্দাগে হায়না খনখে। মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট মেকক্লোক্লসু চন্দ্রকির্ত্তিনা খালবা বাখল অসি য়াে। মতম অসিদা লুসাইশিংনা বেলজীং রাজা অসি মণিপুরদ বন্দি ওইদুনা লৈরে হায়বা খঙনা খঙনা অমাদি মণিপুরগী মহারাজনা মথোয়গী মথক্তা লান্দাগে হোৎনার হায়বত্ত খঙনা খঙনা ইথং খঙহৌদনা খৃঃ ১৮৫৫ গী অক্টোবর থাদা মোইরাংগী ময়াদা লৈবা সালয়াং হায়বা খুন অদুদা লান্দাখি। খঙহৌদনা লান্দাখিবা আসগী পাও কংবগা কছাড়গী সুপারিনটেনডেন্টনা লুসাই অমাদি মণিপুর অনিগী মরক্তা থৎনরিবা অাস তাইশিন্নবা হোৎনগে হায়না লেপখে অদুগ বাক্কম অসিদা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টনত্ত তেংবাংবীনবা হায়রম্মী[৫২]। মেকক্লোক্ল চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজদা বেলজীং রাজা

---

(৫১) পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, জুন ১, ১৮৫৫ মাশং ৭৯, মেকক্লোক্লা বিদন্দা ইবা, ৭ মে ১৮৫৫।

(৫২) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

অদু মহাক্না লোয়নননা কছাড চৎনবা থাবীগু হায়জরম্মী ময়মদি অদুগা তৌরবদি মণিপুরদি কদৌউডেদস্থ লুসাইশিংগা থৎনবা পামদবশিনা তাইশিন্নবা হোৎনদ্রিবা অসিদা য়ানিংলবনি হায়বা উৎলে হায়দুনা পাও অমা কছাড়গী সুপরিনটেনডেন্ট লোমদা লুসাই য়ৌথিনবা-থা ববা য়ারে অসিনি। মহারাজ চন্দ্রকির্তিনা পোলিটিকেল এজেন্ট কা লোয়নননা বেলজী বাজা থাখি তৌইগুমস্রং মতুনা কায়বদি পুরকখিত্রে। লুসাইগী বাকম অসি তাইশিন্নবা হোৎনবা অসি মহারাজ অশিনাদি পামজরম্নবগু লুসাইশিংনা অদুক হাক্না নাচুংখিত্রে। মওং মতা অসিদদি ভারত সরকারনত বাকম অসি তাইশিন্নবা হোৎনগে হায়না থনখিত্রে। মতৌ অদুগা লুসাইগী বাকম অসি লোয়শিনবা য়াদনা অতুম্মক লৈহ্রে[53]।

খৃঃ ১৮৬২ গী নবেম্বর থাদা লুসাইশিংনা মণিপুরগী মমুংদা লৈবা নাগাগী খুন খরদা অমুক হয়া লান্দারকখ। মতম আসদদি মথক্কী পন্দুপ্তা নৈনথবা অতুনি --কছাডদা চেন্দুনা লৈরা রাজকুমার কঙাই সিংহনা মণিপুরদা লান্দানবগী-দমক কছাডগী নোংপোক পংবা সীমানাদা নাগী মীগা শেম শাজুনা লৈরিবা মতাম্ন। লুসাইশিংনা কছাডদা লৈবা লোহারবন্দগী চা বাগান মৈ থারবা মতুংদা অমদি মোনয়াবখলদা লান্দারব মতুংদ মণিপুর লোমদা লান্দানবগীদমক কঙাই স হগা লোয়ননা লাক্লগী[54]। লুসাইশিংনা কাঁর বন্দুন মণিপুর ওয়া লাংক্লবনো হায়বগী শকুপ্পা মরোলদ অশেংবা থগুপত্রে অদুবু মণিপুরগী সিংহাসন মুন্নবা লান্দারকখিবা কঙাইগী মীচং ওইনা লাক্লমগংন হায়জবদাদ লায়িংডাই লৈতে[55]। অদুম ওইনবক মথোয়না লান্দারকখিবা অদু ভম্পাক য়ৌবা ভমান্দ্রউভেদা সনা কোয়ংগী লাম্নীনা মাইথীবা পীখি। খৃঃ ১৮৬৯ গী ফেব্রুয়ারীগী অহানবা শক্তা লুসাইশিংনা অমুক হন্না মণিপুরগী কালা নাগাগী থানাদা লান্দারকখি অদুগা মণিপুরী অফিসার অমা অমান অংোম্না সিকাই থরত হাংখি[56]। পাও অসি চেক কংবগা সনা কোয়ংগী অচৌবা লাম্মী ভেজোল অমা থাথবগু লন্দী থোং কত্তবা অমাদি হন্না মুংশিং কত্তবদগী থানা অসিদা থাথুবা লাম্মী অসিনা মতম চানা থুংলুবা ভমাখদে। মরম অদুনা মনাক নক্না লৈরবা খুমশিং ফাওবা লুট পাট তৌরগা লুসাইশিং অদু অমুক হন্না চেনাখবখ্রী[57]।

(৫৩) মথক্কী যাওফম অসিদা।
(৫৪) চক্রবর্তি বিং সিঃ. ব্রিটিশ রিলেসন্স উইথ দি হীল ট্রাইবস ওফ আসাম সিন্স ১৮৫৮, লমাই ৪৭।
(৫৫) মথক্কী যাওফম অসিদা।
(৫৬) উদবোর্প, আর। জিঃ দি লুসাই একস্পিদিসন, লমাই ২৫।
(৫৭) মথক্কী যাওফম অসিগী লমাই ৩৯ দা।

থৌদোক অসিগী মতুং মতম থর। নৈরগা মেকক্লোক্লা কয়া হোৎনবগী তেনোলেলগী মথাদা নৈবা নোংপোক থংবা লুসাইশিংগা মণিপুরগা থয়দং চায়রকপা ওয়রম্মী। মসিগী মতুংদগী হায়রিবা লুসাইশিং অসিগা মণিপুরগী মতুংদা নৈবা লাডোশিং অমদি কুকি নাগাশিংগা মরূপ ওইনা তিয়রকপত্ত চমথি। মথক্কা হায়রিবা মণিপুরগী নাগা প্রজাশিং অসিনা লুসাইগী শাদানকম চিবু থুমথোংগী অকোয়বদা নৈরিবা লম অতুদা মথোয়ত্ত শাদানবনচিংবা হৌথি[৫৮]। খৃঃ ১৮৭০ গী বসন্তগী মতমদ। লাডোশিংগা থংনবদগী লুসাইগী মী ৭ থক বাংথিয়ম্মী। থৌদোক অসিনা লুসাইগী মরি অাস অমুক হেন্না কংহনথিজ্রে। মণিপুর অমদি লুসাইশিংগী মরক্তা হুংশিনদবা বাথল অমা পোক্লরিবা অসি মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেণ্টনা লুসাইশিংগা শয়নবা হোৎনদবগী থোকপনি হায়না কয়া থাজনরম্মী। এজেণ্ট অসিনা মহারাজদা হায়রগা চিবুগী অকোয়বদা অকনবা লানবন অমা শাহুনা থয়ম্বা থোক্লবদি নোংপোক থংবা লুসাইশিংনা মণিপুরদা অমদি মণিপুরগী সীমানাদা লান্দাথিবা অসি তৌরমদবা য়াবনি।

খৃঃ ১৮৭১ দা লুসাইশিংনা অমুক হন্না কছাড, শিলট, মণিপুর অমদি ত্রিপুরাদা লান্দারম্মী অদুগা মণিপুরগী থা মাইকৈদা নৈবা কামহাও নত্রগা স্থুটিশিংগত্ত থংনরম্মী[৫৯]। লুসাইশিং অসিগী লম হেনগৎলকপা মওং অসি নিংথিনা থয়রবা মতুংদা গভর্ণর জেনেবেলগী কাউন্সলনা চিট্টাগোংলোমদগী অমা অদুগা কছাডরোমদগী অমা মাইকৈ অনিদগী লুসাইগী মথক্কা লান্দাগে হায়না লেপখে[৬০]। কাউন্সিলগী থোরাং অসিদা মণিপুবগী মহারাজনত্ত জেংবাংবিয়ু হায়না পাও থাথি। বার্ত্তন কংবগা ব্রিটিশ গভর্ণমেণ্টনা লুসাইগী মথক্কা লান্দানবা হোৎনারবা অদুগী মতেং ওইনা মণিপুরী লান্মী ২,০০০ অদুগা পোৎপুবা মী ৪০০ থাথি। মতম কুইনা থবক তৌহনা লৌশিং নৈরবা মেজোর জেনেরেল নথালবু মণিপুরী সিকাইশিং অসিগা লোয়ননা চৎমিন্নবা থয়ম্মী। হৌজ লর্ডসিফকী কাউন্সিল চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজদা টিপাইমুখকী নোংপোক্তা অদুগা মণিপুর তম্পাকীনা মথাদা মণিপুরগী থানা শেমগৎপীনবা অমদি সনা কোম্বুংগী অতোপ্পা লান্মী তেঙ্গোল অমা থয়গা মোইরাংগীনা মথা চিবুরোমগী মাইকৈদা লুসাইশিংনা মাইকৈ অশোমদা চেল্লকপা থোক্লবদি ডাকপীনবা হায়জরম্মী।

(৫৮) মথককী য়াওফম অসিগী লমাই ৪৬—৪৭ তা।

(৫৯) মেকেঞ্জী, আলেক্জেণ্ডর নোর্থ ইষ্ট ফ্রোনটিয়ার ওফ বেঙ্গল, লমাই ১৬০।

(৬০) উদথোপকী মথককী লাইরিক্কী লমাই ৩৯।

লুসাইদা লান্দাবগী থোংচৎ অসি নিংথিরা চথৎরিউদা। টাইকুমগী লুচিংবা দাম্বুং অমদি পোইবোই নিংথৌগী মন্ত্রি ময়াম্না ব্রিটিশকী কেম্পতা লাক্লগা চানবা নিংথিনা কংদবদগী অমদি মগল মথা অরাম্বা লায়নানা নায়কপদগী মণিপুরী সিকাইশিংনা অৱাবা তারিবা অদু তয়র্গী[61]। পাও অসি কংবদগীদি মণিপুরী সিকাই ময়াম অদু চিবুদগী হন্দোকখে। হায়রম্মী[62]। মণিপুরী লান্মীশিং অসিনা চিবুদগী হন্দোরকপদা কামহাও নত্রগা সুটিংশংগা অমুক লান থংনরম্মী। লানকম অসিদা মণিপুরীশিংনা অম ওইদুনা কামহাও ৫৬ বংশ ওইনা কারকখি অদুগা নোংমৈ ৫২ অমগা নুমকখি।

লুসাই হীলসতা ব্রিটিশনা লান্দাখিবা অসমাই পাকখি। ভোনপিলাল, পোইবোই অমদি ঙ্কানোনেলগী লুসাইশং অদু নমথরগা মথোয়বু লোইপোৎ কাহনখি। মণিপুরী লান্মীশিংনা লুসাইগী লমদগী থোরকাহীউগী মতমদা ব্রিটিশ সরকারনা মথক্কা হায়রিবা লুসাইগী লুচিংবাশিং অসিবু মণিপুরগা বা ঙাংনৌ হায়খি। খৃঃ ১৮৭২ গী অকটোবর থাদা ব্রিটিশ সরকারনা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টতা লুসাইগা তাইশনবা হোৎনবগী অৱাবা অদু মথাক্কা লৌগদবনি হায়নসু হায়খি[63]। মসংগী চাংদা লুসাইগী লুচিংবা দম্বুমা মণিপুরদা লাকখি। মণিপুরগী অদুম অথৌশিংনা দম্বুমা লাকপা অসি কনাগুম থঙহন্দনবা হোৎনখি। অদুবু মথাক্কা লাকপগী পাও অসি তারদুনা পোলিটিকেল এজেন্টনা লমাই ওইনা অমুক্কং উননব পাওথাখি; এজেন্টনা উনংস হায়বা য়াগ্নবগুম দাম্বুমা উননবদি হোৎনখিদ্রে। অদুম ওইনমক চন্দ্রকীর্তি মহারাজনা লুসাইগী লুচিংবা অসিবু মতম অদুগী মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরম্বা ডাঃ ব্রাউনগী মনাক্তা পুরকখি। মথোয়গী খৎকপা বা চাংনবা মতমদা দাম্বু অমদি ব্রাউনা লুসাই অমদি মণিপুরগী থাবক অসি তাংশনবা ঙাংনখি।

দাম্বুগী মতৌ তমদুনা লুসাইগী চিংবং কয়াংকম অমসুং মণিপুরগী কোম্বুংদা লাকপা হৌখি। পোবোইগী লুচিংবা অমদি কনকুম, লালকুপ, লাইরুক, কোলা, পকোছি অমদি দালকুনগী লুচিংবাশিংনা মণিপুরগী মহারাজ অমদি মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টকা উনরগা মায়পুব অমদি ব্রিটিশ সরকারগা মরুপ ওইনা লৈগনি হায়না বাশকম্মী অদুগা থাবক খাস থবক ওইনা পাংথোকপা চন্দ্রকীর্তি মহারাজগা সন্ধি অমা চৌবম্মী[64]। সন্ধী অসিগী থারাশিংগী মতুংইন্না লুসাইগী লুচিংবশিং

(৬১) মথককী যাওকম অসিগী লমাই ২৫০।
(৬২) মথককী যাওকম অসিগী লমাই ২৫৬।
(৬৩) পোলিটিকেল প্রোসিদিংস, নবেম্বর ১৮৭২, মশিং ১০৫।
(৬৪) মণিপুর পোলিটিকেল এজেন্সীগী রিপোর্ট, ১৮৭৩, লমাই ৭—৯।

অসিনা মণিপুর অমদি ব্রিটিশকী লমশিংগী মথক্তা খক লান্দারোই হায়না য়াড়ম্মী অদুগা লৈবাক অনি অসিগী য়েক্লবা লমশিংগা ললোন ইতিক্রচিংবা অমত্তা তৌরোই হায়নত্তু য়ারম্মী। কনাগুম্বা কালুন অমনা লৈবাক অনি অসিগী মথক্ত মাংনবা থবক তৌরকপা থেংনবা পোক্লবদি মতম চানা পাও পীরক্নি হায়না মখোয়না হায়রম্মী। য়ানয়বা ধারা অসিগী মতুং ইন্না মণিপুরগী মহারাজনা মহাক্কী মথক্তা লুসাইশিংনা লান্দাথিবা অমদি মহাক্কী প্রজাশিংবু গংনৈথবা অদু ঊাকপীবগীদমক হায়না য়ারম্মী। অদুগা লুসাইশিং অদুনা মণিপুর অমদি ব্রিটিশকী ললোন ইত্তিক তৌবা কাংবুবু লোগংকানি হায়না য়ারম্মী। লুসাইগী থানা লৈবা লমশিংগী কাংবুনা মখোয়গী মথক্তা লান্দবক্লাদি মণিপুরগী মহারাজনা মখোয়গী (লুসাই-শিংগী) মতেং পাংগনি হায়রম্মী অদুগা নোংকাদুনা চাক্লাংবনচিংবা পোক্লবত্তু মখোয়গী মতেং পাংগনি হায়বা য়াথিনি।

অদুম ওইনমক মথক্তা সন্ধী অসিগী ধারাশিং অসি লুসাইশিংনা থুগাইবা হৌরকখি। খৃঃ ১৮৭৭ তা মণিপুরগী লমদা লৈবা কবুই নাগাগী খুঙ্গং থরদা পোইবোই, লালবুরা অমাদ লেংথামগী মথাদা লৈবা লুসাই কাংবু অমনা য়ায়া শাখিনা অমদি হয়া হয়া লান্দাখি। পাও অসি মতম চানা কংলবত্তু চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা লুসাইশিংগা মরুপ ওইমবগী ৱাকম অদু য়ারিবমথৈ য়েংবিবনা কৈ হায়না থরম্মী। মহারাজ অসিনা থাকিনা অসি থবক ওইনা পাংথোক্লবা খৃঃ ১৮৭৭ কী মার্চ থাদা টিপাইমুখংদা ৱারম অসি লুসাইশিংগা নিংথিনা থেংনবা মীওই কাংবু অমা থাখি অদুগা কবিত্তু কাংদিদে মতেং নৎকপ্র লুসাইগী ৱাকম অসি মতম কুইনা তাই শরুব য়াদনা লৈরে।

কামহাও নত্রগা স্তুটি :

লুসাইগী মথংদা মণিপুরগা শম্মথবা কাংবু অসি কামহাও নত্রগা স্তুটিশিং অসিনি। কাংবু অসি মণিপুরগী মথাদা অদুগা মণিপুর তুরেলগীনা নোংপোক্ত, হায়বদি লুসাইশিংনা লৈরিবা লম অমদি বর্মাগী মথাদা লৈবা কলে নিংথৌগী লম অনিগী মরক্তা লৈবা লম অদুদা লৈবা অাংনখ৬৬। কামহাওগী কাংবু অসি লুসাইদগী হেল্লা শাখিবা কাংবুনি হায়দুনা মণিপুরীশিংমা থম্মরম্মী মরম অদুনা মখোয়না লান্দারকপা অসিত্তু য়ায়া কীনা থম্মরম্মী।

---

(৬৫) য়েকেজংগী মথক্তা লাইরিকী লমাই ১৬২।

(৬৬) মণিপুর পোলিটিকেল এজেন্সিগী এডমিনিষ্ট্রেটিব রিপোর্ট, ১৮৭৩—৭৪, লমাই ৯।

শক অমদি লোলদা য়েংলুরবদি কামহাও অসি লুসাইশিংগা য়াম্না য়াই। হকচাংলোমদা য়েংলুরবদি লুসাইদগী মথোয়না বাংবা হেল্লি, কনবত্ত হেল্লি অদুগা য়েক্কবা ওইনদি লাক্কবদা য়াম্না শাথীবা কাংলুপনি। কামহাওগী কাংবু অসি লুসাইশিংগা চায়রমদে মরম অদুনা অয়াম্বা মওমদত্ত থৎনজুনাতা লৈয়ম্মী। নোংমৈ পাইবা লান্মী ২,০০০,[৬৭] নোংমৈশিং অদুনা বম্মাদগী কংলমগান হায়না থাজনৈ[৬৮], খুদক খুদক্তা লান তৌবা মাংগী কীভমদা লৈ হায়দুনা কাংলুপ অসিবু য়াম্না কীনবম্মী।

কামহাওশিং অসি মণিপুরগী কুইরবা য়েক্কবনি। নরসিংহ মহারাজগী মতমদা কাংলুপ অসিগী ককাটুগী কাংবুনা মহারাজ অসিগী লৈবাক মনুংদা লৈবা মোঙ্বী অমদি হৌরাক্তে খুনশিংদা লান্দাবি। খৃঃ ১৮৫৫ দা মথোয়না নমকাওদা অমুক হন্না লান্দাখি অদুগা খুন অদুবুসু মৈ থাবি[৬৯]। খৃঃ ১৮৫৬ তা মথোয়না মণিপুরগী সীমানাদা লৈবা খুনশিংদত্ত লান্দাখি। পাঙ অসি কংবগা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজ মশামক য়াওনা মণিপুরী লান্মী ১,৫০০ পুরগা কামহাওনা লান্দারকপা অসি লীনবা হৈখি। [illegible] মণিপুরী, লাশ্মী অদু মাংজিন থাখিবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কাং থোং [illegible] চাইখি। অপুনবা লান্মী থবল্ল কামহাওগ লানথেংনবদা মাহৌবদুনা মহারাজবু হন্দোক্নগা চেল্লকখি। অদুগ ওইনমক সনা কোক্কুংলোমনা হল্লকপা মতমদা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা নম-[illegible] [illegible] লান্মী ২০০ পনম্মী[৭০]।

খৃ. ১৮৫৮ দা [illegible] [illegible] [illegible] শাহংচাকংগী খুনশিংদা লান্দাখি। অদুগ ওইনমক [illegible] [illegible] [illegible] মাইনা সিংহনা লুচিংবা মণিপুরী [illegible] [illegible] [illegible] হন্দোক হায়বা মকম অদুদা মণিপুরীশিং [illegible] [illegible] লানকয় অসিদা কামহাওগী লুচিংব [illegible] অদুগা [illegible] [illegible] [illegible] শাখি। মতুংদা কাংলুপ অসিগী [illegible] [illegible] পুনবদগী চন্দ্রকির্ত্তি মহা-রাজনা [illegible] [illegible] মরু পীদুনা মথোয়না [illegible] [illegible] [illegible] লৌবা থোক্না তোরিবৈদা

(৬৭) [illegible] ১৮৭৪—৭৫, পমাই ৭।

(৬৮) [illegible] অদুগী পমাই ১৬০।

(৬৯) মণিপুর পোলিটিকেল এজেন্সি এডমিনিষ্ট্রেটিভ রিপোর্ট, ১৮৭৪—৭৫, পমাই ৭।

(৭০) [illegible] পমাই ১৬৪ দা।

কাংলুপ অসিগী মীওইশিংনা [illegible] মমাদা [illegible] খুন অমদি শাই-তোল খুন্দা লান্দাখি। চাক্তকীপকী খুন্দা লান্দা [illegible] কাংবু অসিনা মী ১৫ হাৎখি অদুগা ৪৫ অমবুনা [illegible] মথোয়গী [illegible] লোক্কা লোইনবা কাহুনা পুখি, অদুগা শাইতোল খুন্দনা মথোয়না [illegible] পুন্নমক মৈ থাদোক্লম্মী অদুবু খুন অদুগী মীশিং অদু [illegible] অনা [illegible] [illegible] পুখি [illegible] লৈতে। চহি অহুমগী মতুংদা মতম অদুদা নমক্লাও [illegible] থানা [illegible] তোহুনা লৈরম্বা সুবেদার ওইনা অমদি [illegible] কামহাওগী [illegible] বা কীকোল কৌবা অমগা অতোপ্পা মুপা অমগা [illegible] মথোয়না [illegible] বান্দ ওইনা পুরকখি। মথোয়গী [illegible] মণিপুরদা [illegible] কামহাওগী কাংবু অসি মথুৎ তেক্লম্মী [illegible] কাংলৈ [illegible] মায়া অমি অদুগা অতোপ্পা মুপা [illegible] মহারাজনা মথোয়না মণিপুরগী [illegible] লান্দা [illegible] মহাক্কী মুপা অমেং অদুবুশু [illegible] মহাক অদি কামহাও শিংগা থৎনবা [illegible] লাইনা থাদোক-পীখি[71]। [illegible] মণিপুরগী [illegible] মী ১১ [illegible] অদুগা [illegible] কাহুনা পুখি। [illegible] চায়বা থক য়ারমদে অদুগ চন্দ্রকীর্ত্তি [illegible] অরেম্বা তাখি।

[illegible] কান্দাক্কা [illegible] কামহাওগী কাংবু [illegible] মী ৫৭ পু বন্দি ওইনা পুরক্লাই [illegible] কীকোল অমদি অতোপ্পা মীশ [illegible] অমদি অতোপ্পা মীওইশিং অদুবু [illegible] পুবা কাংবু অসিনা মণিপুর [illegible] মহারাজদা হক্ক-লহনবা মহারাজনা [illegible] মথোয়গী [illegible] লৈ বরৈখিদ্রাক [illegible] তৌবোই চায়রুনা থক্কল্লম্মী[72]। [illegible] কীকোল অমদি অতৈ

(৭১) মণিপুর [illegible] রিপোর্ট, ১৮৭৪—৭৫, লমাই ৫—৬

(৭২) 'মেবেঞ্জ' অালেকজেন্দর [illegible] লমাই ১৯৭ [illegible]।

কামহাওশিং অহুন। য়ারম্মী। মতৌ অওম্বা মতম থরগী ওইনদি মণিপুর অমদি কামহাওগী মরক্তা থৎন চৈনবা থাক্লিবা অাস লেপাথরম্মী। অদুম ওইনমক কাংবু অসিনা মণিপুর থাদোক্লুনা কেক চংখিবগা কামহাওগী লুচিংবা অতুগী য়ুথা থানবা মী মকোক ১০০ দগী চৈদে হায়বা পাও অমা মণিপুর য়ৌনা তারম্মী। থাকম অসিনা, মতম চানা তাক লেলহৌরবদি মহাক্কী লৈবাক্তা লৈবা প্রজাশিং অসি কামহাওগী মখুত্তা তাখবা য়াই হায়না চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা খল্লম্মী। মী মকোক থীবা কামহাওশিংনা মণিপুরগী সীমানা য়ৌরকপা তাইবগী মহুত্তা মণিপুরী লান্মীনা কামহাওশিং অসি মণিপুরগী সীমানাদগী য়াম্না লাপ্না তামথোকখিবা পাম্লম্মী। অনিংবা মাস পাংথে ক্লবগীদমক মহারাজ অসিনা ব্রিটিশ সরকারদগী অয়াবা মদুম পাংথব্বু পাগঞরম্মী অদুম ওইনমক ব্রিটিশ সরকারনদি মণিপুরগী মহারাজনা কামহাওগী মথক্তা লান্দাগে হায়বা অসিদা মতেং পাংথগী থাক্মাদ লাইরদুনা সরকার খাসনচু য়ারে হায়না হায়রুবা ফাওবদা অশিংবা থবক লৌরে হায়না খল্লম্মী। মতম খাসনা মণিপুরী লান্মীনা মণিপুরগী সীমান তাকচংব পানবা নদব কামহাওশী মথক্তা লান্দাবা অসিদি ক্যা য়াদিংবা লোয়রে। মা চত সবক নুংনা মহাক্ত খাল্লবা থোরাং অদুদা তাংবানদব মতং অদুদগী চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা কামহাওগী মথক্তা লান্দাগে খনবা অদু তোকখোক্লে। অদুম ওইনমক কামহাওগী কাংবুনা মী মকোক থীনবা মণিপুরগী সীমানাদা লাম্মারকপা য়াই হায়না চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা কীরবা অদুমাক্ত থোকখ্রগা অদুগা মনম থরী হৈ। অমুক সীমানা অাদামদা মরা থপ্না লৈবা ঙম্লে।

খৃ: ১৮৭৪ দা মণিপুরগী খাংথোক মণিপুরগী সীমানাদা লৈবা মুকুং অমদি কমশোলগী খুনাই দা খুদংতাদনা লান্দখিগে অদুম অদুগী পোলিটিকেল এজেণ্ট ওইরম্বা ডা ব্রাউন খুনাইশং অদুদা চেংতুনা মলুবা মতমদ খুন অনিমক থৈ লাদোক্লম্বা অমদি খুনাইশং অমা থৈদনা মণিপুরী প্রজাশিংনা চাইরগদ অমদি লংতু খুনাইশংদা লান্না চেন্দুনা লৈরম্বা অদু থোংনা।[74] পাও অসি সনা কোক্তং য়ৌংকপা মতমদা চাংদুনা অদা য়েংনা কামহাওশিংগী মংক্তা মপোয়না খোংখাংনা মীয়ুম শংয় থোকনা ২ অমসুং দনক চৎনা খুম্লংনা লাংচক-নরম্মী অদুম অদুন ব্রাউন অমসুং পোলিটিকেল এজেণ্টকচু খঙহল্লম্মী। তাং

(৭৩) মণিপুর পোলিটিকেল এজেন্সিগী চহিগী এডমিনিষ্ট্রেটিফ রিপোর্ট, ১৮৭৪—৭৫ লমাই ৮।

(৭৪) মথক্কী য়াওকম অামদা

য়াউয়া মণিপুরীশিংনা নিংজিবা অপাম্বা অসি থু হনগে হায়না য়ারম্মী। মরি লৈনবা রেকোগ্নিচংবা লিংখিনা য়েংগ ভাংঙ সরকারনস্ত পোলিটিকেল এজেন্টনা থংলগা বাক্সম অসি য়াবনা ফরে হায়না থম্মরম্মী অদুবু তোবর্তাদি (১) মণিপুরী সিফাইশিংনা লোম্বীগী ময়াদা লৈবা থুনাশংদগী লান্দাগদবনি: (২) মাইথৌবা নংদনবা মণিপুরী সিফাই ম তক চান থাগদবনি অমদি (৩) তুপী অত্তাংশিংবুদি ওং লৈব ফোরোইদবনি হায়বা বারমশিং অসিদাদি মণিপুরগী মহারাজনা ওাঙ্ক চংকদবনি হায়না থম্মাখ।

মতৌ অদুম্না খৃঃ ১৮৭৫ গী ফেব্রুয়ারী তাং ১৯ দা থাঙ্গাল অমদি সৌবাই-জাম্বাগী মথাদা মণিপুরী লান্মী ২,০০০ অমুগা থো জাই লান্মী ৪০০ কামহাওগী মথক্তা লান্দানবগীদমক [illegible] তাম্না থারকনি। লান্মী কা বু অসিনা খুনমক মোম্বী তাম্না চং শতুন তাং ২৬ দা কামহাওগী মথক্তা লান্দারম্মী। পুং অমা মথায়ারোম মণিপুরী লান্দারকপশিং অদুবু ডাকাখোক্রবা হাংনরমগা খুদোং থীবা কয়ামরুম খোক্রক দগী কামহাওশ অদু মোম্বী থাদোক্নুনা চেনখিরম্মী[76]। খৃঃ ১৮৭৫ গী ফেব্রুয়ারী তাং ২৭ দা লান্মী অসিনা মথং মথং ওইনা কামহাওশিংগী খুনশিংদা লান্দানবা চংশিনখরম্মী। মাঙ্গা অসিদা কামহাওগী ক্বাংবু অমা, তুংগিয়াদগী কমটে অমদি থাংজুম [illegible] মণিপুরগী কেম্প [illegible] লাক্লগা লান [illegible] হাগজরম্মী। মণিপুর লান্মীগী পুচংবা অমা [illegible] মণিপুরী প্রজাশিং অদু হায়না থাদোকাখ অদুক [illegible] থাম্বাখ। কামহাওগী কাংবু শতুন [illegible] মণিপুরগী [illegible] নত্তনা মণিপুরগী মহারাজ [illegible] অসিদা য়ানরঙুনা থাজ [illegible] অমদি সোনাইজুং [illegible] অমদি [illegible] সুবেদার অনিবু সিফাই কুম পুইনখিবুন কমচ [illegible] জলুমগা লোয়ননা মণিপুরী প্রজাশিং [illegible] কাখিবা [illegible] মণিপুরী প্রজাশিংবু পুতুন [illegible] হায়না চাংবদা লান [illegible] মাই পাকখিবা

---

(৭৫) মথক্তী [illegible] ২১৮

(৭৬) মথক্তী য়াওকম অসিদা।

(৭৭) মথক্তী য়াওকম অসিদ

লান হায়বদুমদি ওইখি। লেমহৌবিবা মণিপুরী বন্দিশিং অদু থাদোয়রক্তরা থাদোরকওইদ্রা হায়বদুদি মতম তাকপা চায়বদু ঙাইরে। লান অসি মণিপুরী সিপাই অমা কাওবা শিদনা খেংনখিবা মাই পাকপা লানকম হায়বদুদি ওইখি[৭৮]।"

মথক্তী লান অসিগী মতুং অমদি সীমানা অশোয়বদা অনৌবা থানা মরি শেমগৎলবা মতুংদগীদি কাবগাওশিংনা মণিপুরদা লান্দাবক্নবা পাক তোংনখিদ্রে। অদুম ওইনমক খৃঃ ১৮৭৭ অমদি ১৮৭৮ গী মতম অসবাইদদি কাবহাওশিং অসি লাক্নবা য়াম্না শাথিনা থোক্লমী। অদুম ওইনমক খৃঃ ১৮৭৮ গী মতুংদগীদি টিপাইমুখতা খৃঃ ১৮৮৩ গী অক্টোবরী থাদা লান্দাথিবা অদুতং নত্তনা অতৈ থোইদোকপা খুন্দা কাম্না লান অমা কাবহাওশিংনা মণিপুরগী সীমানাদা লান্দাবকখিদ্রে[৭৯]। মথক্তী লান্দৌ অসি নমথবগী মতুংদগীদি কাবহাওশিংনা মণিপুরদা লান্দানবা থক হোংনখদ্রে অদুগা মতম চুপ্পী সীমানা অশোয়গী বাকম অসিগু শান্তি ওইনা থম্বা ঙম্লে।

অঙ্গামী নাগাশিং :

হৌজিক নাগালেন্দগী মতুং চনখ্রবা লম থুরাদা মণিপুরী শগী দখল তৌরম্বা অমদি লোয়লোৎ থোয়দাগী থাজানংডাই ওইবা বাকম কয়ামক্রম লৈ। গম্ভীর সিংহ মহারাজগী মতমদদি অঙ্গামী নাগাশিংগী পুক কয়ামক্রম, থাইদগী চাওবা কোহিমা অসিগু য়াওনা, মণিপুরগী মথাদা লৈরম্মী[৮০]। মতম অসিদগী হৌরদুনা মণিপুরীশিংনা অঙ্গামী নাগাশিংগা নলোন ইতিক তৌনরম্মী অদুগা ব্রিটিশকী প্রজাশিংনা অঙ্গামীগী লমদা চংলুনা মতমদা হাংথিখগদ্রা হায়না য়াম্না কীনক্নিডৈ মতমদা মণিপুরী প্রজাশিংনা মপোয়গী লমদা চংলুবা থোক্রবদি য়াম্না ইকাই খুম্নবা অতিথি অমগী ইজ্জৎ ফাওবা ফংলম্মী। অঙ্গামীশিংনা মণিপুর অমদি ব্রিটিশ অনি অসিগী মরক্তা মণিপুরনা হেন্না মত্তিক চাউনা লৈথাক্লি হায়না থম্নরম্মী মরমদি মণিপুরনা হায়খ্রবা থবক অদুদি শৌদনা থক তোকখিদে।

---

(৭৮) মথক্তী য়াওকম অসিগী লমাই ১২।

(৭৯) ফোরেন এ পোলিটিকেল ই, প্রোসিডিংস, সেপ্তেম্বর ১৮৮৩, মশিং ২৬২, ল্যালমা ভারত সরকারগী সেক্রেটরীদা ইবা চেরোল, ২২ জুন ১৮৮৩।

(৮০) জোনষ্টোন, সার জেমস, মাই এক্সপিরিয়েন্স ইন মণিপুর এণ্ড নাগা হীলস, লমাই ৭৩।

অজামীশিং অসি মণিপুরগী অৱাং থংবা সীমানাদা লৈ। মখোয়সি কবাইবাইদগী করম তৌদুনা লাকখিবনো হ য়বদুদি কনানসু হায়বা ঙমদে। মহৌশাদগী ময়ায়া কয়া থাজনবদি মখোয় অসি টিবক্তকী মথা নোংপোক থংবা শক্তগী লাকখিবা ওইরমগনি অসিনি[81]। কাংলুপ অসিগা ব্রিটিশকী কাংবুগা থঙনখিবা অসি খৃঃ ১৮৩২ দা কেপ্তেন জেনকিন্স অমদি লেপ্তেনেন্ট পেম্বরটনা গম্ভীরসিংহগী মণিপুরী লান্মীনা থীনহনগা আসাম তাবা য়াবা লম্বী অমা পুথোকনবা হোৎনখিবা অদুদগী হৌরবনি। মথংগী চহিদা, মথক্কী পন্দুগা নৈনথবা অদুগুমদুনা, গম্ভীরসিংহনা লেপ্তেনেন্ট গোর্দোনগা লোইননা মণিপুরী লান্মী অচৌবা তেঙ্গোল অমা পুথিদুনা কোহিমা অমদি অতোপ্পা খুনশিংবু নমথখি। মসিগী মতুংদা লেপ্তেনেন্ট বীজীনা ব্রিটিশকী মচুং শিনবা ওইনা অদুগা কেপ্তেন গোর্দোনা মণিপুর সরকারগী মচুং শিন্নগা খৃঃ ১৮৪২ দা চাওরাক্ন তাবনা শাদুনা মণিপুর অমদি নাগা হীলসকী মরক্কী সীমানা অমা য়াংখি। অদুবু অজামীশিংনা বীজী গোর্দোনগী লাইন অসিবু অদুক হাক্না ইকাই খুম্নবদি তৌখিদে। অদুগা সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনসু মতম অদুদদি সীমানা অসোমদা অদুক হাক্না থবাই য়াওনা থম্দবদগী লাইন অসিবু ইকাই খুম্নহন্নবসু হোৎনরমদে। মরম অসিনা মণিপুর অমদি নাগা হীলসকী তাইনবা সীমানাগী বাথোক পরেং অমা মণিপুর ইতিহাসকী লমাইদা য়েকপা হৌখি।

ব্রিটিশনা খুদুম চপ্পবা নাগা হীলস অসি সথাগদটি দা লৈরবা ব্রিটিশকী পোলিটিকেল এজেণ্ট অমগী মথাদা থনম্মী। অদুবু মহাক্কী অশেংবা মপাঙ্গল অদুদি হেংক চঁরগী ময়া নকপা খুনশিংশেমক শন্দোক্লম্মী। খৃঃ ১৮৫১ দগী মাইকৈ অসোমগী সীমানাগী বাকম অসি য়ায়া শাখিবা হেনগৎলম্মী। মরম অদুনা লম অসিগী ডাকশেনবগী থনক আস মণিপুরগী সরকারনা পীথোকখিবনদুম হেন্না ফরগনি হায়না সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টনদি থলম্মী[83]। মতুংদা জোনষ্টোনা অঙয়া হায়রম্মী : “ .... ব্রিটিশশিংনা চৗগী লমশিং অসি লৌশিনগে হায়বা বাখল লৈরমদ্রবদি মণিপুরগী সীমানা অসি শেমদোক্লবা হোৎনরমগদবনি অদুগা মণিপুরগী মহারাজবু মহাক্ন নমথবা ডমজবা লমশিং অদু অখিংবা থরদং পীরগা

(৮১) মথক্কী থাওকম অসিগী লমাই ২৮।

(৮২) মণিপুর পোলিটিকেল এজেন্সিগী এডমিনিষ্ট্রেটিফ রিপোর্ট ১৮৭৪—৭৫, লমাই ১৩।

মাগী লৈবাক্তা খাপাচঞ্জাক্ত মাইক্রনগদবানি" "বাকম অসি পাংথোক্নবা হোৎ-নরম্মবদি ব্রিটিশশিংনা থেংনাবরা অবাবা অসি মায়া হত্ত্বমগদবানি[৮৩]" মহাক্না মথা তাখানা হায়রম্মী।

মতম অসিদা কোলো দগী নাগা অনিথক মণিপুরদা লাংপ্রগা মথোইগী খুনাশংদা পোপুলো, থোঙ্জু্মা অমদি শ্যেং খুনশিংদা লৈবা অঙ্গামী নাগাশিংনা ইত্তংত্তুনা লান্দাগে হায়দুনা কিহজে মরম অদুনা মণিপুর সরকারদা মথোইবু ভাকশীয় হায়জরম্মী[৮৪]। চন্দ্রকিত্তি মহারাজনা মথোইবু ভাকশীগনি হায়রম্মী। মহারাজগী অ'নংবা অসিমক মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট মেকক্লোইক্ত যারম্মী অদুগা বাকম অসি গভর্নর জেনেরেলগী এজেন্টতক্ত থহনাখরম্মী। অদুবু এজেন্ট অসিনা বাকম অসি যারগদে। মসিগী মতুংদা অঙ্গামীশিংনা লান্দাবকপা ভাকথাক্রগদবগী পোন্দুলো মাক্রদা ব্রিটিশকী সিফাই কাংবু অমা থনম্মী। থোমা' ময়াম অসি হৌনা খোনা খৃঃ ১৮৫২গী অক্টোবর থাদা অঙ্গামী নাগাশিংনা হুনা যাদা লান্দাগ মী ৮গী মকোক কক্কুনা প্পাখরম্মী অদুগা মী শক্তাংনা কাউনা পুখ[৮৫]। থাক অসি হকশংগা মেকক্লোক্না মাইকৈ অনোইম লৈবা চন্দ্রকির্তি মহারাজগী মাংমান ডাকতা মণিপুরী লাশ্মী জেজোল অমা বমদাদা পালিবা যান্নবা' স্মুগাম গভর্নমেন্টতা হায়রম্মী। হৌজিক বাথোক শুংনবিবা নাগা কাংবু অসিনা ব্রাক্তিংকা পাজা হেন্নিনা লালকৌরবা নাগা কাংবুশিং অসিবু করম্বা মতু দা দন্দি পীনবা হোৎনগদগে হায়বদুদি মণিপুর সরকারনা থৃত্মক পৌজবনা' হেয়া কাগনি হায়দুনা সাপ্রিম গভর্ণমেন্টনা হায়রম্মী[৮৬]। অদুম ওইনমক মণিপুরগী সামানাদা অঙ্গামী নাগাশিংনা লান্দাবা থিংনবা হোৎনবদা মণিপুরগী মহারাজনা কাহেনবা উপাই শিজিন্নদুনা নাগা হীলসতা লান্দানবদি হোৎনরোইদবানি অদুগা বাকম অসি পাংথোক্নবা হোৎনবদা

(৮৩) জোনষ্টোনগী মথকা লাওবিককা লমাং ৭৮

(৮৪) পোলিটিকেল কনসলটেসন, ২ মে ১৮৫১, মশিং ৪০১ মেকক্লাক্না ডি স্পটস্তা হৈব, ১৩ ডিসেম্বর ১৮৫১।

(৮৫) পোলিটিকেল কনসলটেসন, ৩ নবম্বর ১৮৫২, মশিং ৪৪ মেককাক্না গ্রেন্ট হৈবা, ২৬ অক্টোবর ১৮৫২।

(৮৬) মথক্কী থাক্তম লিপ্সী মশিং ৫৬, ৭ জন মককাক্না হৈবা ২৬ নবেম্বর ১৮৫২।

মহারাজ অসিনা সমগলটি'দা লৈবা অকিসায় ইন চাজ অতুগম্বা তানগদবনি হায়রম্মী[৮৭]।

খৃঃ ১৮৫৫ গী মার্চ থাদা মণিপুরী লাম্মী ১,৫০০ না শাবা অচৌবা তেজোল অমনা অঙামীশিংগী লৈবাক্তা লান্দাগি অতুগা মোজুমা খুন নৈথায়রগা চীংগী লম পুম্নমক লোয় চনশিন্নবা হোৎনরম্মী[৮৮]। লান্দাথিবা অসিগী মরম অমদি অঙামী নাগাশি'না মণিপুরগী লম মন্থু'দা লৈবা নাগা খুঙংশিংদা লান্দারগা লুটনচিংবা তৌথিবা অসি'নি[৮৯]। মোজুমা নাগাশি' অতুগা অত্তোম্না খুল্লাকপা হীকালে অমদি নেফুনা সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টতা মথোয়বু মণিপুরগী মথুক্তগী কনবিয় হায়জরম্মী[৯০]। অতুবু মথোয়না হায়জবা বাকম অসি সুপ্রেম গভর্ণমেণ্টনা য়ারমদে। মরমদি মণিপুরনা মনিংথা তম্বা লৈবাক ওইবনা সরকার অসিনা কা হেম্না খুৎথিংজিনবা অসি ঙম্নমদে।

অঙামী নাগাশিং অসি মণিপুরদ লাক্লগা অমদি মহাক মশামক্তা উননবা মেকক্লোক্তা য়াম্না কম্না হোৎনবম্মী। এজেণ্টনা হায়বা ইনবদগী নাগা কাংবু অসিগা মেকক্লোকা অচেৎপা মরি থম্না লৈনবম্মী[৯১]। অতুম ওইনমক এজেণ্ট অসিনা মণিপুর থাদোক্ত্নুনা চথুবা মতু'দদি হায়বিবা অঙামী নাগাশিং অসিগা মণিপুরীশিংগগী মাব অাস অমুক হেম্না ফৎলমক্রে। নাগা কাংবু অসিনা ওৎ-নৈথিবশিং অতুগী লমন খুম্নবা লাম্মী অমা থোম্নগা মণিপুর তম্পাক তান্না কুমথনবা হোৎনরম্মী। পাও অ স ফংবগা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা অচৌবা লাম্মী তেজোল অমা থারগা কাংবু অসিবু মাইথীবা পীগে থম্নম্মী, বাকম অসি মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেণ্টনশু য়ারম্মী। তৌবতদি মুপী অতাংশিংবুদি হাৎতনবা মণিপুরী লাম্মীশিংদা হায়নব হায়জরম্মী। মতৌ অসুম্না থোয়াং চাওনা তৌরগা থাথিবা মণিপুরী লাম্মী তেজোল অতুনা অঙামী লান্দারকপা কাংবু অতুবু মণিপুরগী সীমানা বা'মা লান্না তাম্হোকখি।

(৮৭) চন্দ্রবর্ত্তি বি সিঃ, মথবক্কী লাইনিকক্কী লমাই ৮৬।

(৮৮) পোলিটিকেল কন্সলটেসন্স, ৫ মে ১৮৫৪, মশিং ৬৩ আনন্দ রায় ফুকন্না জেন. কিলন্তা ইবা ২১ মার্চ ১৮৫৪।

(৮৯) মথকক্কী থাওফম অসিগী জেনকিন্সনা বিদন্দা ইবা চেবোল, ২৪ মার্চ ১৮৫৫।

(৯০) পোলিটিকেল কন্সলটেসন্স, ২৫ মে ১৮৫৫, হীকালে অমদি নেফুনা গভর্ণর জেনেরেলগী এজেণ্টতা পাবা দরখাস্ত, ২ জানুয়ারী ১৮৫৫।

(৯১) ফোরেন পোলিটিকেল এ প্রোসিডিংস, ফেব্রুয়ারী ১৮৬৩, মশিং ৫০, দিলন্না আইচিসন্দ ইবা, মশিং ৬০, ২০ জানুয়ারী ১৮৬৩, মণিপুরগী রিপোর্ট।

মণিপুরগী লান্মীশিংনা অঙ্গামী নাগাশিংগী মথক্তা তন্না লান্দাক্নশিং অসিনা কাংলুপ আসম্বু য়াম্না শাখিনা অরাবা পীখি। থোক্তোক অসিনা ব্রিটিশ সরকারগী মথাদা লৈরবা অঙ্গামী কাংবু ফাওবদা হুংঙাইহন্দনবা থাকম অমা পীরম্মী[২২]। মরম অসিদগী ব্রিটিশকী মথাদা লৈরবা অঙ্গামীশিংগী মথক্তা মণিপুরীশিংনা লান্দাবা অদুদা তোগন্থু হায়রম্মী অদুবু মণিপুরীশিং অদুনা লাল তৌবগী থাখল য়াওজ্রবদি হায়রিবা অঙ্গামী নাগাশিং অসিগন্তু ললোন ইতিক তৌবদি অদুখক য়াগনি হায়রম্মী[২৩]। অদুম ওইনমক খৃঃ ১৮৬৩ দা কোনোমা খুনশিংগী খুল্লাকপা সেকখানা মণিপুরীশিংগী মচৌবা লান্মী তেজোল অমা লাকুনা মাগী খুনাশংদা লান্দাররগা মহাক্কী প্রজা ৩২ অমত্তা হাৎলরে হায়না সুপ্রিম গভর্ণমেণ্টতা পাও তাক্লম্মী। থাক্তম অসি অক্পা ওইনা ওইনা মণিপুরনা মানিং মখা তম্বা লৈবাক ওইবা মরমদগী সুপ্রিম কাউন্সিলনা খুৎথিং-জিনবা ওমখিরে।

খৃঃ ১৮৬৩ দা পোতু গীসতগী হৌরকপা ব্রিটিশকী প্রজা মিঃ মোণ্টেরিও হায়বা অমা অঙ্গামীশিংগী মথাদা লৈবা প্রজা অমনা মাওগী ময়া নক্কা লৈবা খুন অমদা হাৎখি[২৪]। মোণ্টোরও হায়বা অসি কছাড়দগী মুপী অডাং লোয়নমক পুরগা মণিপুরদা লাকখিবনি। মহাক অসি কছাড়দা চা বাগান তৌদুনা লৈবা মিঃ স্কীলর হায়বা অদুগীদা থবক তৌদুনা লৈরম্বা মীওইনি। মোণ্টে-রিওনা মাওবোমদা চৎথব্রিঙৌ মমাংদা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনদি চীংগী ইরাং কনবানিনা লম অশোয়দা চৎথবনা থগ ন হায়াথবান অদুবু সাহেব অসিনা য়াখিজ্রবনি। মহাক্না চৎকে থনাখব খুনশিং অদুগু মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তিগী মথাদা লৈরম্বা খু রনা সনা মুত্তং য়াওবা পাস অমত্ত ওইরবত্তু পুরগা চৎলম্লবদি ফরমগদবান। অদুবু পাসমা থাক্তম অসি ফাওবদা মোণ্টেরিওনা থওইখিদে। সাহেব অসিনা মাওগী শ্মাম লৈবা খুনাশং অদুদা অক্পা চা মরু শীবা চৎকে হায়না থনগৎবত্তু মহারাজন পীগা পাস অদুমতং য়াওরম্লবদি ফরমগদবনি[২৫]।

(২২) ফোরেন পোলিটিকল এ, প্রোসিডিংস, নবেম্বর ১৮৬৩, মশিং ১১ ; পোলিটিকেল এজেন্টনা সেক্রেট রীদা ইবা মাশং ৫৫, ২0 মে ১৮৬৩।

(২৩) মথক্কী য়াওক্কম অসিগী মশিং ৪৫, দিলশ্না আফিসিয়েটিং সেক্রেটরীদা ইবা, ১৩ অক্টোবর ১৮৬৩।

(২৪) ফোরেন পোলিটিকল এ প্রোসিডিংস, জনুয়ারী ১৮৬৪, মশিং ১৬২, বেভরিজনা আফিসিয়েটিং সেক্রেটারীদা ইবা, মশিং ২ ; ১৩ ডিসেম্বর ১৮৬৩।

(২৫) মথক্কী য়াওক্কম অসিদা।

সাহেব হাংখিবগী পাও লেক কংবগা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা অচৌবা লাম্নী তেঙ্গোল অমা পুবগা নাগাগী খুন অদু তাম্না চংখিরম্মী। মণিপুরদা তোঙানবা থবক অমা শিন্নবদগী লাক থবা মি. ঐচঃ বেভরিজ হায়বা সাহেব অদুস্ত মহারাজগী লাম্নীগা লোয়ননা খুন অদু তাম্না চংখি। মাও য়োরগা বেভ'রিজনা থিজিন খোংচিন্দুনা য়েংবদ দ মোণ্টে রণ্ডগী মপাদা চা মক বৈনবা লুপা লিশিং অমা য়াওবা [illegible] অদু লোনবগীদমক এবু [illegible] হায়বা অশেংবা থগুবা উমখি। মী হাংখিবা অসি মণিপুরগী মহারাজনা হাংহনাখবাঁন হায়দুনা স্কীলরনা চন্দ্র কির্ত্তিগী মথক্তা তাইশিনরম্মা[৯৬] অদুগা সুপ্রেম গভর্ণমেণ্টতা মরাল থীবিয়ু হায়জরম্মী। সাহেব অসিনা হায়জ [illegible] অসি হীজ [illegible] ক উাম্পলনা থম্নখদে অদুগা মোণ্টেরিও কাংখিবদ চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজ য়াওখদে অমদি [illegible] হায়ন সাহেব অসিন [illegible][৯৭]।

[illegible] ১৮৭৫ গী [illegible] মণিপুরগী [illegible] খুন পোপু লোংমাই, কাংলোমা অমদি [illegible] খুলাংদ [illegible] লান্দারম্মী। লান্দারকখিবা [illegible] অদুগা খুংগী ১০ হাংখবা [illegible] ১৮৭৬ কী জনুয়ারী তাং ৩ দা মুকুএংলা খুন্দ [illegible] অমদি চনী অসিগী অক্টোবর থা লোয়রবদাইদা [illegible] খুন্দা কোনোম খুনগী অঙামাংশংগী সেমেনিয়া হায়বা কা লুপ [illegible] লান্দা[১০০]।

অঙামী নাগাশিং [illegible] খুন [illegible] পাম্বা [illegible] চুয়রগী থমক [illegible] খুনগী মীশিংদ [illegible] থম্নবা। [illegible] অঙনবা শরুক্তা মোজুমা নাগাশিংনা ব্রিটিশকী মনক্তা লাল তোখি। পাও অসি তেক কংবগা জোনষ্টোনা [illegible] সিপাই ১০০ অমা বলারাম সিংহগী মপাদা মণিপুরী [illegible] অমা পু গা লালহোংবা খুন তাম্না থোং

(৯৬) [illegible] ১৮৭৪, [illegible] ভারত সরকারগী সেক্রেটরী [illegible] ১ জানুয়ারী ১৮৭৪।

(৯৭) [illegible] ২ [illegible] ১১ ফেব্রুয়ারী ১৮৭৪।

(৯৮) মণিপুর পোলিটিকেল [illegible] এডমিনিষ্ট্রেটিব রিপোর্ট, ১৮৭৫—৭৬, লমাই ২।

(৯৯) মথক্কী য়াওথক অসিদা।

(১০০) মথক্কী রিপোর্ট অসিগী চাং ১৮৭৭—৭৮, লমাই ১০।

শীলম্মী[১০১]। জোনষ্টোনগী মথাদা চৎথিবা লান্মী কাংবু অসিনা লানহৌরিবা খুন অচু কাওবা চংশিন্নবগীদমক নিংথৌগী মথাদা লৈবা মীওই থরনা কবো খুম্পাক্তা লৈবা কোজালগী মণিপুরী থানাদা লান্দারে হায়বগী পাও কংলম্মী। পাও অসি হেক ফংবগা জোনষ্টোন্না কবো তম্পাক য়োনবা চনথুগে হায়না লেপ্লম্মী। মরম অচুনা মহাক্না পুরকপা লাম্মীগী অচৌবা কাংবু অমা নাগা হিলসকী পোলিটিকেল এজেন্টকা তংবানবা অমাদ লানহৌবা কাংবুবু নমথত্রিবা ফাওবা লেনবা শিল্লগা মহাক মশাংক্না কবো তম্পাক য়োনা থোংশানখিনবগীদমক মণিপুর পাংনা হল্লকখি। চঙা অসিদা লানহৌবা নাগাশিংগী কাংবু অমনা মণিপুর তাম্না লাক্লগা চন্দ্র কীর্তি মহারাজদা ব্রিটিশকী মায়োক্তা মথোয়না লান তৌরিবা অসিগী মতেং পাংবিয়্‌ হায়জখম্মী। মতম অচুদদি মণিপুরগী মহারাজনা ব্রিটিশকী কাংবুগা মায়া লুনা তিন্নবনা চন্দ্র কীর্তি মহারাজনা নাগা শংনা হায়জবা থাকম অচুদা মাব্‌ ওমখিদে। ব্রিটিশকা লান তৌনরিবা অসি থুনমক তাহশিন্নবা হোৎনবদ মণিপুরদা ব্রিটিশ সরকারগী মরুপ ওইবিবনিনা মচোদ মণিপুরী লাম্মী তঙোল অমা মথোয়গী মথক্তা থারক্লগনি হায়জুন নাগা কাংবু অচুদ থকশিনখি[১০২]।

অঙামী নাগাশিংগ অমুক হন্না লান তৌনবা হৌরম্মী। খৃঃ ১৮৭৯গী ওক্টোবর তাং ১৪দা নাগা হীলসকী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরিবা ডামান্টনা কোহিমাদা লৈবা মেৰেমা অঙামীশিংগী খুন্দা থাজনা পীয়্‌ হায়না থৌবা চৎলম্মী। নাগা কাংবু অসিনা খুদোং থীনংদা ওইবা থবক তৌরকপা মাই হায়বাসিদ এজেন্ট অসিনা পাও পীবা কুইবনি। ডামান্টনা শোয়দনমক চৎকন হায়না লেপখ্রে হায়বা পাও ফংলদুনা ব্রিটিশকী মীচং চংবা নাগা কাংলুপ থরনা এজেন্টনা মেরেমা অঙামীগী খুন্দ চৎকে থকবদ ব্রিটিশকা মরুপ ওইবা মেরেমাগী খুল্লোমদা চৎপো হায়খ্রি। অদুম ওইনমক ডামান্টনা মমাম্না হায় সঙাখিদ। মহাক্না মেরেমাগী থোং ফাওবা চৎলগা[১০৩] মহাক চংলক্কে হায়না ডাংনরিবিদা মহাক্না লোয়ননা চৎখিবা কাংবু অমদ মহাক মশামকপু নোংখৈনা কাপ্পা হাৎখি। মথংদা অঙামীশিং অসিনা ব্রিটিশকী হেড কোর্টর ওইরিবা সমদা

(১০১) জোনষ্টোনগী মথক্কী লাইবিক্কী লমাই ৯৯।

(১০২) মথক্কী মাওকম অসিগী লমাই ১০২।

(১০৩) মথক্কী মাওকম অসিগী লমাই ১০৭।

ল্যাম্বাসগা ব্রিটিশকী প্রজা কয়ামকম্ হাৎখি অদুগা হাৎহৌদবা কাংবু অতনা কাউনে হাঙ্খবা নাগা হীলসকী এসিষ্টেন্ট পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরবা অদুভু য়াওনা কোইশিন্দুনা থনখী[১০৪]। মাও অাস হেক ফংবগা জোনষ্টোন্দি অহ তুবা বেঙ্গোল ইনফেন্ট্রিগী সিপাই কাংবু অমগা লোয়ননা কোহিমা ভাম্বা চেন্নখিরমী। জোনষ্টোন্না হায়জবদগী চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজন্ত লাল অাসদা অচৌবা মতেং পীগে হায়না য়াখি। জোনষ্টোন্না চৎখবগা মণিপুরী লান্মী ২,০০০ না শাবা অচৌবা তেঙ্গোল অমা মজা ইবুংঙো সুরচন্দ্রগী মথাদা মজা ইবুংঙো টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ অমাদি থঙ্গালসু য়াওনা ব্রিটিশকী লাল পাংবা ওইনা কোহিমা য়৽না থাখি। মাও য়ৌরগাদি তৌনাবিবা লালগী ইয়াং মতা অদু মণিপুরী লান্মীশিংনন্ত নিংথনা থঙবা ঙমখি। ব্রিটিশপু তান্নথোকমিংবগী বাখল অমনা নাগাশিংগী থম্মোয়দা কয়া কাওরম্নে হায়বসি মফম অদু য়ৌবদা মথোয়না থঙবা ঙমখি।

মণিপুরগী লান্মী থুংলবা অসনা ব্রিটিশশিংগীদি য়াম্না কায়বা উপাই অমা হায়বদু ওইরম্মী[১০৫]। কাংকো চাইবরবা 'ব্রিটিশকী কীভম অদু অমুক হন্না মন্না চেৎনা পুরক্নবা হোৎনবদা মণিপুরী লান্মীশিংনা অচৌবা মতেং অমা ব্রিটিশ সরকারদা পীখি। লালহৌ অসিগী মতুংদগীদি সীমানা অস্নোম্নদা শিংথানবা য়াবা থৌদোক বাংখোক ইরে লৈখিদ্রে। মণিপুরীশিং অমদি অজাধী-শিংগী মরি অাস মতম কুহনগী ওই-। মতা অাসবাইদগীদ থৎনা চৈনবা য়াওদনা চৎথনবা হৌখে। জোনষ্টোন্না অস্মম্না ইব: 'হৌখিবা লাল অসিদা মণিপুরগী মহারাজনা ঐথোয়গীদমক পাংথবখিবা মতেং অদুদ ঐথোয়না হন্থনা লৌবা থক ঙমদে... ....নাগাশিংনা এচাসাজ অসিনা মথোয়গী মাইয়োক্তা লান পাংথি-রক্নবদি মহাক্কী মথা পোনবা ওইনা লৈজগে কাওবা হায়রিথি। নাগাশিংনা মঙোন্দা হায়রিবা বাকম অাসদি লৈবাক অমগী নিংথৌ অমা ওইনদি য়াম্না মীহৌনকম ওইবনি অদুগা ঐথোয়গীদি থুদোংঙাইবা অসিদগী ঐথোয়তনা হোৎন-জরগা থোরক্নবা হোৎনজনবগী মহৈ চপ চাবনি। অতুক য়াম্না কায়বা অসি লৈজরবন্ত চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা হরাঙ হরাওনা ঐথোয়গী ইতেং পাংখিবনি অদুগা মহাক্না ঐঙোন্দা ইরিং ইথা তৌনা শিজিন্নহনখিবা মাগী মরল মথুম

---

(১০৪) মথক্কী য়াওকম অসিগী লমাই ১৫৮ দা।

(১০৫) মথক্কী য়াওকম অসিগী লমাই ১৭৪ দা।

অমদি লাম্মী অদুনা কোহিমা তায়া থুনমক চৎলগা কোহিমা অসি মাংলল্লন-দবদগী কনবা ঙম্থিবনি[১০৬]।"

চসাদ কুকি :

কুকি হায়বা কাংলুপ অসিদি কাংবু কয়ামকম থোক্না থাদোকপা কোইচৎ চৎপা আৎনি। কাংলুপ অসি মথা থংবা বর্মাদগী লাক্লগা নাগা হীলস কাওবদা খুন্দাখিবনি হায়না থাজনৈ। অনৌবা যুম শীরকপদগী মণিপুর মৌনবা মথোয় লাকখিবনি। অসিগুম্বা কাংলুপকী মীওই কয়াংকম মণিপুর লিংথৌগী প্রজা ওইদুনা লৈরম্লনস কুকি হায়বা মাংং অসিগী কাংলুপ অসিদি মণিপুরদা। খৃঃ ১৮৩০ অমদি ১৮৪০গী অসন্নাইদা তাবা হৌখি। মথোয় অসি কামহাও-শিংগনা য়াম্না নক্লবা কাংলুপনি অদুবু অমগা অমগা থৎনদুনতা লৈবা হায়বা নক্লনা লৈমিন্নবদা মুংঙাইতব। মাকম অদু থোকহন্লবা য়াবা মরি অদুক নক্লখদি নত্তে[১০৭]। কামহাওনা লান্দারকপদগী কঞ্জনবা ওইনা মণিপুরগী মথা থংবদা লৈবা মথোয়গী যয়ুম অশেংবদু থাদোক্লম্লগা কোঙ্গালদগীনা বর্মা তাখিবা অদী অদুদা লৈবা চীংশিংদা খুন্দাদুনা লৈখি।

নরসিংহ মহারাজ অমদি পোলিটিকেল এজেন্ট মেকক্লোক্না কয়া হোৎনবদগী অহানবা কুকিগী কাংবু থবনু মণিপুরদা খুন্দাহনবা ঙমখি। মহারাজ অমদি এজেন্টনা তৌখিবা থবক অসিদা কল্লক য়েংথিবা মীওই কয়ামকম মণিপুরীশিংগী মরক্তগী চোংথোক্লকখী। মরম অদুনা চসাদ কুকিশিংগা মরূপ ওইনা লৈমিন্ননবা শিলকপা থৌরাং কয়াদা মথোয়না য়ৈথায়বা পীবা হৌরম্মী। কাংলুপ অসিগী লুচিংবা অদুনা এজেন্টনা হায়জবদগী মণিপুর তম্পাক্তা লাকপা মতমদা চন্দ্রকির্তি মহারাজগী মবাই ইবু ঙোনা মহাকপু তুমিন্না হাংতোকখিয়ম্মী[১০৮]। থৌদোক অসিনা চসাদ কুকি অমাদ মণিপুরগী মাইয়োক্তা লেপ্পা হৌহনখি। কাংলুপ অসিনা মণিপুরগী মতুংদা খুন্দাদুনা লৈজরবস্ত মণিপুরীশিংনা তত্তনা ওৎপিবদগী ময়াইথক্তা চুংঙাইবা হায়বদু তমত্রবরা হায়নকাও থরম্মী। মরম অদুনা খৃঃ ১৮৭১ তদি লৈবাক অসি মতম চুপ্পগী ওইনা থাদোকদুনা চৎথগে হায়দুনা

(১০৬) জেঃ রোয়গী হিস্ট্রি অফ মণিপুরগী লমাই ৯৯—১০০।

(১০৭) ফোরেন পোলিটিকেল ই; ফেব্রুয়ারী ১৮৮৩ মশিং ৯৭৫; জোনষ্টোন্না আসামগী চিফ কমিশনারকী সেক্রেটরীদা ইবা ২৮ জানুয়ারী ১৮৮২।

(১০৮) মথক্কী মাওকম অসিদা।

মথোক্লনা লেপ্লরম্মী। মথোক্লগী মথাদা লৈবা কাংলুপ মচা চুমেয়াংশিং, চুংলেশিং, মুনোয়েশিং অমদি কুমেয়াংশিংশু মণিপুর থাদোক্কুনা চংপা অনিদা লেপ্লম্মী। ইহান হেক হানবা ওইনা চুমেয়াংশিংনা মণিপুর থাদোক্কুনা চংথুগা অঙোচীং চীশাং লাম্হোকখিহুনা বর্মাগী লমদা থুন্দাখিরম্মী। মতৌ অস্তুম্না থুন্দাবা হৌখিবদগী চসাদ কুকিশিং অসি চাটিক অমদি কোজাল থানাগী মরক্তা লৈবা লম অদুগা অঙোচীং চীংশাংদগীনা নোংচুপলোমদা মেলাইন চীংশাং কাওবদা লৈখিবা লমশিং অসিদা থুন্নাদুনা লৈখি। মরম অদুনা কাংলুপ অসিগী থুংং থরদি বর্মাগ্লোম থংবদা লৈবা কবো তম্পাক্কী লমদা লৈখি। টোংজুয়ী চসাদ, পুমগোং, নাওকিট, কুমেয়াং, চুমেয়াং, চংলে, মুহুয়ে, চুনবো, ফুঙে অমদি পাওচুং খুঙংশিং অসিনা মণিপুরগী লম মনুংদা অদুগা টুকুপা, রাইকে অমদি চংসেগী কাংলুপ্পা বর্মাগী লমদা লৈখি। টোঙ্গু হায়বসি খুনশিং পুল্লমক অসিগী খুল্লাকপনি। অদুম ওইনমক খুন খুন খুদিংগী মাগী মাগী তোঙান তোঙানবা খুল্লাকপশু লৈজরম্মী।

খৃঃ ১৮৭৭ কী অংনেবা শক্তক্তা কাংলুপ অদগী মীওই থরন। মণিপুরগী সীমানাদা লৈবা লমশিংদা লন্দাখি অদুগা মণিপুরী কয়ামকম্থ হাংখি[১০৯]। কোঙাল থানাগী লালহৌ অদুগী মতুং মতম থরদি চসাদ লোম থংবা সীমানারোমদা চন্দ্রকির্তি মহারাজনা অদুক কন্না ডাকশেনবা ঙমখিদ্রে। অশোন্নবা অসিগী খুদোংচাবা লৌহুনা লান্দারকখিবা অসিনা সীমানা অশোমদা লৈবা ইংনা লৈজবা পাম্বা তাংখুলশিং অমদি লাহুপাশিংদা খুদোংথীবা য়াম্না পীরম্মী। পাও অসি হেক ফংবগা চন্দ্রকির্তি মহারাজনা অচৌবা লাম্মী তেংঙোল অমা চসাদ কুকিশিংদা লম হেক্লিজকপা ঙমদনবা থাখি। খৃঃ ১৮৭৯ গী ডিসেম্বর থাগী অরোইবদা শমজোক্কী নিংথৌনা ইনশিনবদগী টোঙ্গু অসি মণিপুরগী মথাদা লৈত্রবা মনিং মথা তম্বা লৈবাক্কী নিংথৌ ওংয়ে হায়তুনা লাল হৌরম্মী। অদুম ওইনমক মহাক্কী লালহৌ অদু চন্দ্রকির্তি মহারাজনা মতম চানা নমথখিরম্মী। লালহৌ অসিগী মতুং থরা কোঙ্গরগা খৃঃ ১৮৮০ গী ফেব্রুয়ারী থাদা চসাদ কুকিশিংনা মণিপুরগী সীমানা মনুংদা লৈবা চাংশাও হায়বা খুন্দা লান্দাখি, খুন অসিগী মী ৪৫ হাংখি অদুম অমনা কাহুনা পুখি অদুগা খুন অসিবুনা

(১০৯) মণিপুর পোলিটিকেল এজেন্সীগী এডমিনস্ট্রেটিভ রিপোর্ট, ১৮৭৭—৭৮, বমাই ১১।

উৎ ওনবা মখৈ মৈ থাদোকখি[১১০]। চসাদ কুকিশিংগী লম হেনবা অসি নমথনবা অচৌবা মণিপুরীশিংগী লাম্মী তেঙ্কোল অমা পুরগা কাংলুপ অসিগী মথক্তা লাম্পাগে হায়না চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা থজম্মী। বাকম অসি থবক ওইনা পাংথোক্লবা ভারত সরকারদগী মত লৌরম্মী। মায়া মুয়া থয়রবগী মতুংদা সরকার অসিনস্থু মহারাজ অসিনা নিংজিবা বাকম অসিদা যারম্মী। মতৌ অদুমা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা চসাদ কুকিগী লালহৌ অদুবু মতম চানা নমথখি। লালহৌ অসি নমথখিবদগীদি সীমানা অশোমদা অনৌবা লালহৌ অমা অমুক লাকখিদ্রে।

মথক্তা নৈনখিৱবা থোদোক বাথোক মরাম অসিদগী ঐথোয়বা নিংথিনা থঙবা ঙম্নে মতুংদি অকনবা সিকাইগী নত্রগা পুলিসকী থানা কয়ামকুম মণিপুরগী সীমানশিংদা থম্বা ওয়রবা অমদি সনা কোম্বুংগা সীমানাদা লৈবা থুনশিংগা ইরাই লাইনা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াবা লম্বীথোং অকবা শেমগৎলবদি মণিপুরনা থেংনখিৱবা অৱাবা মরাম অসি মখেং কনা য়াম্না তাথহনবা ঙম্নগদবনি অদুগা মরাল লৈজরবা হুপী অভাং কয়াগী মথ্রাইত্ত মতম চানা কনবা ঙম্নগদবনি। অদুম ওইনমক থেংনখিৱবা থুদোংথীবা মরাম অসিনা ব্রিটিশনা মতেং পাংবা অচৌবা অমদি থুজু থুংলাই নিংথিনা পাইরবা লাম্মী তেঙ্কোল অমা শেমগৎলবদি মণিপুরনা মরা তপ্না পানবা ঙম্নরোই হায়বসি মণিপুরগী মহারাজশিংনা নিংথিনা থঙবা ঙমখি।

---

(১১০) ফোরেন পোলিটিকেল এ, প্রোসিডিংস, জানুয়ারী ১৮৮২, নশিং ১—২ আসামগী চিফ কমিশনারগী সেক্রেটরীমা ভারত সরকারগী সেক্রেটরীদা ইবা, ৩১ মার্চ ১৮৮০।

তরুকশুবা পন্দুপ

ব্রিটিশশিংনা খুৎ থীংজিনবা হৌবা

মণিপুরগী সীমানাগী মাথোক্তা খুরক হাংদমথৈ চিন্নিজৈ মতমদা মতম অদুগী ভারতকী গভর্ণর জেনেরেল অমদি ভাইসরোই ওইরবা লর্ড নোর্থব্রুক্না নোংপোক বেঙ্গোল অমদি আসাম য়েংবা খৃ: ১৮৭৪ দা লাকখি। ভাইসরোইনা আসামদা লাক্লিঙৈ মতম অসিদা ব্রিটিশ সরকারগী ফনবতা থনবা মণিপুরগী মহারাজ চন্দ্রকির্তি মহারাজগা অমুক্কং উনহন্নবা আসামগী চিফ কমিশনারনা শিন্নখী। মণিপুরগী মহারাজ অমদি ভাইসরোইগী উনবা অসি খৃ: ১৮৭৪ গী আগষ্ট থাদা কছাড়দা উননবা শিন্নখী।

হন্নক লেপ্লিবা জীলা দরবারগী মতম অসি মণিপুরগী ওইনদি খুদোংচাদবা মতম্নি। চীংলমগী চৎলগা কছাড় ভাখিগদবা লম্বী অসি মোং-চীং ভাবা লোই-রম্মদনা খুদোং কন্না চারমদে; মরম থন্না অসি লৈবদগী মণিপুরগী মফম খুজিংদা জীলা দরবার তৌগদৌরিবা অসি চন্দ্রকির্তি মহারাজবু ফানবা খুজিন্নি হায়না ইকোং কোনা ডাংনরম্মী। অদুম ওইনমক প্রজাশিংনা ডাংনরিবা মাফম অসি চন্দ্রকির্তি মহারাজনা অচুম্বনি হায়না লৌখিদে।

মতৌ অগুম্না খৃ: ১৮৭৪ গী জুলাই তাং ৩০ দা মজাইবুংঙো অনি অমদি অঙম অথৌ কয়ামরুমগা লোয়ননা চন্দ্রকির্তি মহারাজনা জীলা দরবারগীদমক মণিপুর থাদোকখি। কছাডগী ডিপুটি কমিশনারনা মহারাজ, মহারাজগী মজাইবুংঙোশিং অমদি মণিপুরী অঙম অথৌশিং অদুগী ফুংডাইনবা য়ায়া থবাই য়াওনা হোৎনরম্মী। মজাইবুংঙো অনি অমদি অঙম অথৌগা লোয়ননা মহারাজ চন্দ্রকির্তি সিংহনা ভাইসরোইগ, ববাক তুরেলগী মথক্তা ভাইসরোইনা তোংলকপা জহাজ মথক্তা জীলা দরবার তৌখি। মতৌ অগুম্না ভাইসরোই অমদি অসামগী চিফ কমিশনারগা শকথং মাইথংনরবা মতুংদা অঙম অথৌশিংগা লোয়ননা মহারাজ চন্দ্রকির্তিনা মণিপুরদা অমুক হন্না লাকখি।

জীলা দরবার অসিগী মতুংদগীদি মণিপুর অমসুং ব্রিটিশকী মরূপ শান্নবগী মরি অসি অমুক হেন্না চেৎশিনবা হৌখি। মণিপুরগী মহারাজনা ব্রিটিশকীদমক্তা পাংথিবা মতেংশিং অদুগী তৌবিমল থজবা উৎপা ওইনা মতুংদা কিং এডবার্ড

সেন্তেম হায়না থওনয়ক্কবা হীজ রোয়েল হায়নেস দি প্রিন্স ওফ ওয়েল্সনা (১) সনা খুদোল অমা ; (২) ময়া য়ায়া পামবা থাং অমা ; (৩) লুপাগী তকাযান অমা ; (৪) হীজ রোয়েল হায়নেসকী কোটো অমা অহুগা চিঠি অমা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজদা খুদোল ওইনা পীরকখি[১]। মথকী খুদোল ময়াম অমদি চিঠি অসি মণিপুরগী মহারাজদা পোলিটিকেল এজেন্টনা খৃঃ ১৮৭৬গী জেনুয়ারী থাদা পীখি[২]। খৃঃ ১৮৭৮—৭৯ দগী মণিপুরগী মহারাজদা ভাইসরোইনা নোংথৈ ১০০ থক খুদোল ওইনা পীরকখি। মতুং চহী থয়া লৈরগা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা ব্রিটিশকী অবাবা তারবা মকম কয়ামকদা মতেং পাংবিখিবগীদমক আসামগী চিফ কমিশনার সার ষ্টেবার্ট বেলি মশামক লাকুনা মণিপুরদা দরবার তৌরগা খৃ· ১৮৮০গী ফেব্রুয়ারী থাদা কে· সি· এস· আই· হায়বা ফমগোল অসি চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজদা পীখি[৩]।

চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজবু সিংহাসনগী থাংথনবা হোৎনখিবা ইকোন কোনবা লালহৌ অহু খৃঃ ১৮৮১গী জুনগী তাং ২৩ দা তৌখিবা ইরেংবা খুন্দাংবগী লালহৌ অসিনি[৪]। মহাক অসি মণিপুরগী অরিবা সনা ঊনি হায়না লাওংথোকপগা লোয়ননা মহাক মশামক্তা মণিপুরগী নিংথৌ ওইরে হায়নত্ত লাওংথোক্লম্মী। মহাকী লোয়নবা কাংবুশিংদা নিংথৌ অমা ওইনা পানবগী হৌনবা ফমথোল পুমমক মহাক্তা পীন্দোক্লম্মী। মতৌ অসুম্না (১) মহাকী মজাইবুংতোদনা য়ুবরাজ ; (২) ইরেংবা শিংজুবা অহনদনা ব্যংথৈরাকপা ; (৩) ইরেংবম মাইচোন্দনা খুরাইলাকপা, (৪) ইরেংবা শিংজুবা নহাদনা খাইরাকপা, (৫) ইরেংবা সজোইদনা য়াইস্কুল লাকপা, (৬) অঙ্গোমগী চিংঙাথমবা জেটুদনা মন্ত্রি ; (৭) তোইজামদনা পুথিবা, (৮) নিংথৌগী নোংথোনবা হজুবদনা লোংথোনবা ; (৯) অঙ্গোমগী লাইশংথমদনা থাবম লাকপা, (১০) চিংঙাথমদনা পণ্ডিত অচৌবা, (১১) সিনাইবী মাইবীদনা মাইবী হঞ্জবী, (১২) মনাও ইবুংতোদনা সেনাপতি ; (১৩) কথোদগী লাকপা উথম মচা অমদনা সেনানায়ক, (১৪) চন্দ্রখোংগী খোয়োথাইবা হীদং, নিঙেলগী খোংবাঙ্তাবা হীদং, নিঙেলগী য়েংথোয়বা অমদি নিঙেলগী

---

(১) মণিপুর পোলিটিকেল এজেন্সিগী এডমিনিস্ট্রেটিফ রিপোর্ট, ১৮৭৫—৭৬, লমাই ৯।

(২) মথক্কী রিপোর্ট অসিগী চহি ১৮৭৬—৭৭।

(৩) জোনষ্টোন, সার জেমস, মাই এক্সপিরিয়েন্স ইন মণিপুর এণ্ড নাগা হিলস, লমাই ১৭৯।

(৪) ফোরেন পোলিটিকেল এ প্রোসিদিংস, মার্চ ১৮৮২, জোনষ্টোনা সেক্রেটারী অফ আসামগী চিফ কমিশনারদা ইবা, মসিং ২ জানুয়ারী ১৮৮২।

য়াদ্রেন্না কবুলদনা মথং শিংনা মেজোরগী কম থিদ্বোক্লম্মী[৫]। লালহৌরিবা ইরেংবা থুন্নাংবনা নিঙ্গেল, চন্দ্রখোং, অদ্রো অমদি নোংমাইজিং চীংখোংগী অকোইবদা লৈবা খুনশিংগী প্রজা ময়াম থোমজিন্নগা সনা কোম্নুং তান্না লাক্লম্মী। পাও অসি হেক কংবগা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা বলারামসিংহ অমদি লমুশিংগী মথাদা অচৌবা মণিপুরী লাম্মী ভেক্লোল অমা লালহৌবা কাংবু অসিবু নমথনবা থাখিরম্মী। সনা কোম্নুংগী লাম্মীনা লালহৌরিবা কাংবুগী লাম্মীদা লান্নাখিজুনা লালহৌবা কাংবু ২১৭, মথোয়না শীজিন্নরিবা লিকং ভেন, থাং ভা অমদি নোংমৈ ৭ থক কাখি। ইরেংবা থুন্নাংবা অমদি মহাক্কী অতম অথৌ ১৭ না ফাঁসি তৌজুনা হাংখি, ১০ থক্না জেলদা থমখি, ৯ না চন্দ্রখোংগী থুম-খোংদা লোয় থাখি অদুগা অতে লেমহৌরিবা কাংবু অদুবুনা থুং পেন্না ফুরগা থাদোকপীখি।

ইরেংবা থুন্দাংবগী লালহৌ অসি নমথখিবদগীদি কনাগুম্বা মীওই অমত্তনত্ত চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজগী মথক্তা লান্দানবা হোৎনখিদ্রে। মতৌ অতম্না চহী ৩৫ অমুক মণিপুরগী নিংথৌ ওইজুনা পালম্নবা মতুং খৃঃ ১৮৮৬ কী মে তাং ২০ দা মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তি সিংহ লোজখি অদুগা মজাইবুংগো অহল শুরচন্দ্র সিংহনা মপাবুংগী মহুৎ শিন্দুনা মণিপুরগী নিংথৌ অমুক ওইখি[৬]।

চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজ অসি মপাঙ্গল মথৌনা লৈবা অমদি মতিক চাওবা নিংথৌনি। মহারাজ অসিগী থওনিংগনবা অমদি অনৌবা পোৎশংবু য়ান্না থবাই য়াওনা পামশিনবগী অপাম্বা অমত্ত লৈরম্মী। সনা হাকতক্তা থেংনখিবা লালহৌ ময়াম অসি লৈনা লৈনা মণিপুরদা অনৌবা যুগকী চাওখৎ লম্বীদা পীরকপা অহোংবা কয়ামরুম পুশিন্নবা মহারাজ অসিনা হোৎনখি। অতক য়াম্বা গুণ ময়ামরুম্না লৈজেং ওইববা মহারাজ অসি অমকপা য়াওদ্রবা মীওই ছায়বজুমদি ওইখিদ্রে। ব্রিটিশ সরকারদা কা হেন্না মতেং পীশিন্নবা হোৎনাথবা অমদি লৈবাক্কী থোদোক থুদিংদা সরকার অসিগী অনিংবগা লোয়ননা চৎমিন্নবা হোৎনখিবা অসিদগী থোক্লকখিবা মহৈশিং অদু য়েংলুরগদি মণিপুর ইতিহাসনা লৈরিবা মথৌদ চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজগী পুন্সিদা অমুবা দাগ অমদি কোক্তনা

(৫) ফোরেন পোলিটিকেল এ, সেপ্তেম্বর ১৮৮৯, মশিং ১৫, মণিপুরগী মহারাজনা আসামগী চিফ কমিশনারদা ইবা চিঠিগী অনুবাদ, ২০ জুলাই ১৮৮৯।

(৬) ফোরেন পোলিটিকেল এ প্রোসিডিংস, আগষ্ট ১৮৮৬, মশিং ৭৯; আসামগী চিফ কমিশনারগী সেক্রেটরীনা ভারত সরকারগী সেক্রেটরীদা ইবা, ২৩ জুন ১৮৮৬।

অতম্মক মরৈরগনি। খৃঃ ১৮৫০ দা মহারাজ অসিবু মণিপুরগী নিংথৌনি হায়দুনা অমুক হয়া য়াথুবা মতুংদগীদি চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা লৌথিবা থবক পুরমক ব্রিটিশ সরকারগী অনিংবগী মতুং ইন্দুনা পাংথোকখিবনা অয়াবনি। অসিগীত্ত মথক্তা ব্রিটিশ সরকারনা পীরকপা থুদোল অমদি কমথোল লৌখিবা অসিনা অমুক মহারাজ অসি ব্রিটিশশিংগী অনিংবদা হুমদুনা চংলবা মনিংমথা তম্বা নিংথৌ অমা ওইবগী মপাঙ্গল মথৌনা শক্তক য়ায়া ককথৎপীথুবা নিংথৌ অমনি হায়বত্ত তাক্লি। ব্রিটিশ সরকারগী মহুৎশিনবা পোলিটিকেল এজেন্টনা মণিপুরদা লাকপা মতমদা মহাকপু করয়া ওকপা হায়বদুগা বর্ম্মাদা থাবা ব্রিটিশ সরকারগী মহুৎ শিনবা রেসিদেন্টপু বর্মীজশিংনা করয়া ওকপা হায়বদুগা চাংদম্নরগা মতম অসিদা ওইথিবা মণিপুরগী অচুবা শক্তমহূ তাক্লবা হোংনবা ওয়গনি। জোনষ্টোনা হায়রি : "... ... ... কোম্হুংগী হেক চংকমদা মজাইবুংজোশিংগা লোয়ননা মহারাজনা ঐবু ওক্লম্মী। কার্পেট অমা থারগা ঐগী চৌকি অমা অদুগা মহারাজগী চৌকি অমা থারম্মী। নোংমা পোথারগা ঐবু ওককম থোকপা মওংদা ওকনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা কংলগা ঐনা মহারাজ ঊনবা অমুক চংলুই। কোম্হুংগী লনাই ওইবা শক্তক অদুগী চংকমদা ঐবু যুবরাজনা ওক্লম্মী অদুগা দরবার হোলগী চংকম অদুদগী থোংগাপ থরদং চংথোক্লগা মহারাজনা অমুক ওক্লম্মী.........ঐবু থক্লকপগী মরমদা মহারাজদা ইবা ভাইসরোইগী চিঠি অদু ঐনা পাথোক্লম্মী। (মহারাজদগী) খীদাই লৌরগা লাকপনা ঐবু ঐনা (মণিপুরদা) থুংলবা মতমদা ওকথিবা মকম অদু ফাওবা থিদ্দোক্লকথি[৭]।" অদুগা ব্রিটিশকী রেসিদেন্টনা বর্মীজগী কোর্ট কায়দদি বর্মীজশিংগী চৎনবিগী মতুং ইন্না মহাকী থোংঊপ লোথোক্লগা মহারাজগী মমাংদা থুকউ খুদক কুন্দুনা লৈবা তাখনি।

চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা লোয়াথিবা মুখিং অসিমক্তদা রাংথৈরাকপা বরাচাউবনা মনাও ইবুংঙো মেগজিন সিংহ অমদি অতোপ্পা রাজকুমার ১৫ গা লোয়ননা লান হৌথি[৮]। বরাচাউবনা লাম্মী ২০০ রোম পোমজিলগা সনা কোম্হুংদগী মাইল ৭ লোম লাপ্পা লৈবা বুরী বাজারদা অকবা মতম ঙাইহুনা লান্দানবগী থৌরাং তৌহুনা লৈরম্মী। পাও অসি হেক ফংবগা মহারাজ শূরচন্দ্র সিংহনা সনা

(৭) জোনষ্টোন, জেমস, মাই এক্সপিরিয়েন্স ইন মণিপুর এণ্ড নাগা হীলস, লমাই ৬৬—৬৭।

(৮) ফোরেন একষ্টর্নেল এ, প্রোসিদিংস, আগষ্ট ১৮৮৬, মশিং ৯১৯, আসামগী চিফ কমিশনারগী সেক্রেটারীনা ভারত সরকারদা ইবা, ২৬ জুন ১৮৮৬।

কোন্থুংগী লান্মী ২০০ থক শমুসিংগী মথাদা লানহৌবা কাংবু অসিবু ভানথারনবা থারকখি। মতম অসিদদি থংনবা লৈবা থুনশিংজগী লান্মী ৬০০ লোম বরা-চাউবদীগী থোমজিনবী অচুপা সনা কোন্থুংগী লান্মীবু লানথেংনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরম্মী। খুৎথেংনবা শোরুবা লান্দা সনা কোন্থুংগী লান্মী অহু লানহৌবশিংগী মথুক্তা কুইনা লেপ্পা। ভমজদুনা হৈবী মথোংদা হক্লোকুনা অনৌবা লান্মী থাবিরকপা ডাইখি। পাও অসি কংবগা শুরচন্দ্র মহারাজনা মনাও ইবুংঙো টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গালগী মথাদা অতোপ্পা লান্মী ১,৫০০ হৈবী মথোং থৌনবা থারকখি। অপুনবা সনা কোন্থুংগী লান্মীনা লানহৌবশিংগী মথক্তা লান্দাখিদুনা রাজকুমার ১৫ ডুগী মরক্তগী অমা অমদি অতোপ্পা লানহৌবগী লান্মী ১০ কাখি। অহুম ওইনমক বরাচাউবা অমদি মনাও ইবুংঙোদি লোয়নবশিংগা লোয়ননা চেনখিরম্মী। পাও অসি কছাড় থৌরকপা মতমদা শিলট অমদি কছাড ক্রেন্টিয়ার পুলিসকী কমান্ডেন্ট ওইরম্বা ভবালন্টঃ দিঃ দালিনা ক্রোন্টিয়ার পুলিসকী সিপাই ২০০ পুরগা জীরিবাট তাম্না মণিপুরী রাজকুমারশিংনা চেলকপা অহু থীংননবা চৎলম্মী। জীরিবাটতগী মাইল মঙারোম লাপ্পা লৈবা ফুলরতোল হায়বা লমহুদা লানথেংনবদা মেগজিন সিংহদি কারদুনা শিলটতা অদুদগী ঢাকাগী জেলদা থাখি[৯]। কছাড়দা অনৌবা ভেজোল অমা অমুক শেমগৎলবা মতুংদা বরাচাউবনা মনাই অচানবা চোংথা মীয়া অমদি পাওনা ব্রজবাশিনাচংবগা লোয়নদুনা মণিপুরদা অমুক হল্লকল্লাখি। লান্দারকপা কাংবু অদুনা রংপুর তম্পাক ভারকগা শরুক অহুম থেক্না থামগোকখ্রে। শরুক অমনা বরাচাউবা মথানা লুচিংদুনা থোংখাংতেকলোমদা চংখি, অনিশুবা শরুক্তা ব্রজবাশিনা পুরদুনা ইরোইশেম্বা ওয়া লাক্সংলকাখি অদুগা অহুমশুবা কাংবু অদুনা চোংথামিয়ামা মাং থারগা মৈইরাং হুৎবরোমদগী চংশিলকখি। লান্দারক্লিবা কাংবু অসিবু সনা কোন্থুংগী লান্মী অচৌবা অমা টিকেন্দ্রজিৎকী মথাদা থারকুনা মতম চানা থীংনবা হোৎনখি: খুৎ থোকবা ইরোইশেম্বগী লানকমদা লান্দারক্লিবা কাংবু অসিবু সনা কোন্থুংগী লান্মীনা মাইথীবা পীখি। বরাচাউবা, চোংথামিয়া, পাওনা ব্রজবাশি অমদি লাগাহৌ অসিদা মাওরুবা মীওই ওয়া কারগা জেলদা থমখি। মতুং থরা লৈরগা বরাচাউবদি রাজনীতিগী বান্দ অমা ওইনা হাজারিবাগকী জেলদা থমখি[১০]।

(৯) মথক্কী মাওরুমগী এপ্রিল ১৮৮৭, মশিং ২৩৭ সিঃ মেকাকলেনা ভারত সরকারগী সেক্রেটরীদা ইবা, ২৯ ডিসেম্বর ১৮৮৬।
(১০) মথককী মাওরুম অসিগী মশিং ২১০; আসামগী চিফ কমিসনারগী সেক্রেটারীনা ভারত সরকারগী সেক্রেটরীদা ইবা, ৩ জানুয়ারী ১৮৮৭।

সুরচন্দ্র মহারাজনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইবা চহি অমা কাওবা কান্দ্রিঙৈগী মতুংদা বাংথৈরাকপা দীনচন্দ্রনা সুরচন্দ্র মহারাজগী মথক্তা লাল হৌখি[11]। খু: ১৮৮৭ কী সেপ্তেম্বর তাং ১২ গী থুমিৎ য়ুংবা মতুং পুংথায় অমরোম তাবা মতমদা মহারাজ সুরচন্দ্রনা জমাদার অমগী মথাদা সিফাই ৫০ থক থাখিহুনা বাংথৈ-রাকপবু ফাকনবা সনা কোন্নুংগী নোংচুপ থংবা থোংলোমদা লৈবা পোলোগ্রাউন্দ অমদি মণিপুর বাজারগী মনাক্তা লৈবা দীনচন্দ্রগী য়ুমদা থাবকখি মরমদি সনা কোন্নুংগী নোংমৈ থরা বাংথৈরাকপগী য়ুমদা লৈরে হায়না চিংনখিবা অমদি মণিপুরগী জেল থুগাইহুনা ফাদোপ ৭২ থক চেনখিবগী রাখোক অমদা বাংথৈ-রাকপন্ত য়াওই হায়না চিংনবদগীনি। সনা কোন্নুংগী সিফাইশিংনা বাংথৈরাকপগী য়ুমদা থুংলবা মতমদদি অহল লমনগী দিন তারমহুনা উৎসব তৌবগী ব্রাহ্মণ অমদি অঙম অথৌশিংবু চাক ভাক্নমগদবগী থৌরাং তৌরমলে। মরম অদুনা থুদক অদুমক্তদদি দীনচন্দ্রনা উৎসব অদু থাদোক্লমগা সনা কোন্নুংদা চৎপা অদু য়ারমদে। য়াথং ইনবা জমাদার অদুনা মীশক মীমাই য়েংদনা মহাক্কী মথৌ পাংথোক্লিবনি হায়দুনা বাংথৈরাকপবু ফানবা য়াথং পীরুবদদি বার্জন কংদুনা উৎসব য়াওনবা লাক্লিবা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণবশিং অদুগী মমাংদা মপাবুংবু ফরিত্ত লৈতনা উরকপা অদুদা বাংথৈরাকপগী মচা মত্ত পূমমক শাওখিবনা অঙাওবগুমখে, থুবাক থুদুনা ফুদুনা সিফাইশিং অদুবু তাহোকখি[12]। পাও অসি সনা কোন্নুং য়ৌরক্লবা মতুংদা সুরচন্দ্র মহারাজনা অচৌবা লাম্মী তেঙ্গোল অমা পুরগা বাংথৈরাকপবু ফাকনবা মনাও ইবুংঙো টিকেন্দ্রজিৎ সিংহবু থাবকখি। মতম অসিদদি দীনচন্দ্রত্ত মহাক্কী লৈজবা মচা মনাই থোমজিন্দুনা সুরচন্দ্র মহারাজগী মথক্তা লাল হোৎখে। লালহৌবা কাংবু অসিনা অমম্বা অহিংদা মথোয়গী লোয়নবশিংগা কোন্নুংগী অবাং থংবা থোংলোমদগী চংলক্লবা হোৎনরম্মী। তুমিদাং পুং ১০ রোম তাবা মতমদা লান্দারকপা কাংবুনা সনা কোন্নুংগী মনুংদা চংশিনরম্মী অদুগা অহং অদুমক্তদা মহারাজ শন্নাইগী থোংলোমদা চংশিনবা হোৎনরম্মী। মহারাজ শন্নাইরোমদা চংশিনবা হোৎনবা মতমদা বাংথৈরাকপা অমদি মহাক্কী মচা মনাও লোয়নমক সনাতন ধর্ম্ম কংখি। মতৌ অদুনা বাংথৈরাকপগী লালহৌ অদু মতম চানা নমথখি[13]।

(১১) ফোরেন একষ্টর্নেল এ প্রোসিডিংস, অক্টোবর ৯৮৮৭, মশিং ১৩৫, প্রাইমবোজনা আসামগী চিফ কমিশনারদা ইবা চেরোল, ১৩ সেপ্তেম্বর ১৮৮৭।
(১২) মথক্তা য়াওফম অসিদা।
(১৩) মথককী য়াওফম অসিগী অথুম্বা চেরোল, ১৯ সেপ্তেম্বর ১৮৮৭।

মতমদা বার্জণ কংদুনা লাক্লিবা অভিথিশিংবু পীজ পীদক তৌরমদনা সনা কোন্থংদা ওইরবত্ত মথৌ পাংথোক্লিবনি হায়দুনা চৎপা অসিদি মণিপুরীশিংনা কয়া তৌনদবা চৎনবীনি। লালহৌ অসিগা মরি লৈনবা রেকোর্ড নিংথিনা য়েংলবা মতুংদা বাংথৈরাকপা অসিদি লাল হৌনিংবগী বাথল লৈরবা মীওই নত্তে হায়দুনা পোলিটিকেল এজেন্টনা ভারত সরকারদা পাও পীখি। অভিথিশিং অদুগী মথাংদা জমাদার অদুনা মাবু ইকাই খুমবা বাংনা কাগেনচিংবা তৌবা অদুদা শাওনিংথিবদগী খোকথিবা খৌদোক্লি। মরম অদুনা জমাদার অদুনা থরা নিংথিজনা বাথল থদরগা ইরাং য়েংনা থবক তৌরম্রবদি বাংথৈরাকপগী লালহৌ অসিদি খোক্লমদবত্ত য়াবনি হায়না পোলিটিকেল এজেন্টনা মত পীরম্মী।

খৃঃ ১৮৯০ গী কোন্থং লালহৌ ঃ

চন্দ্রকির্তি মহারাজগী মহারাণী তরুক্লা পোকপা মজাইবুংতো তরা তরম্মী। মহারাজ অসিনা অপাম্বগী মতুংইরা সুরচন্দ্রসিংহ, কুলচন্দ্রসিংহ, টিকেন্দ্রজিৎ ওক্কে কোইরেং অদুগা ঝলাকির্তি সিংহ, অহানবগী রাণী মাদনা পোকপা মজাইবুংতো মরি অসিন। মহারাজনা খুদপাবা মতুংদা মহারাজ, যুবরাজ, সেনানায়ক অমদি সেনাপতি ওইরম্মী। সুরচন্দ্র মহারাজগা পোকামমরবা মনাও ইবুংতো ভৈরবজিৎ সিংহ ওক্কে পকা সনানা শগোলহজবা, কিশোরজিৎনা শমুহঙবা অদুগা পদমালোচন সিংহ ওক্কে গোপাল সনানা দোলাইরোই হঙবা ওইরম্মী। মঙাঙবা রাণীনা পোকপা অঙোপনানা লম্বীথোংগী আফসার ইন চার্জ অদুগা তরুকতবা রাণীনা পোকপা জীলাঙ্গনা মহারাজগী এ: ডি: সি: ওইরম্মী। কুলচন্দ্র যুবরাজগা পোকামমরবা আনঙবা রাণীগী মজাইবুংতো গম্ভীর সিংহনা কাং কম ওহাথবগে হায়নহুদি অকাসেবেল রেকেটশিংদাদ থংদ্রে। মহাক অসি মতম অদুদা নবালক ওইরবা য়াই মরম অদুনা মহাকী কমথোল থওবা ওয়েন্দ্রিবান। মতৌ অদুনা মজাইবুংতোশং অসিনা মণিপুর ডাকপা হৌরক্লবা থা থরগী মতুংদা ঝলাকির্তি সিংহনা নোংগাথুনা টিকেন্দ্রজিৎ সিংহনা সেনাপতি ওইখি।

সুরচন্দ্র মহারাজ অসিদি মপাঙ্গল লোনবা নিংথৌনি। মপাবুং মহারাজদগী শকক কয়ামকম হেন্না ব্রিটিশ সরকারদা মহাকী থাজবা থনম্মী। সরকার অসিগী মতেং য়াওরবদি মণিপুরদি নোংমা কানা লৈবা ওয়োই হায়বসি মহারাজ অসিনা য়াম্না কয়া থাজখি। মসিগী মথক্তা মাচন মনাওশিংগা তিনবা মতমদা পোকখিরবা পোকখিরবা হায়না মচা থাইথিবা থৌদোক কয়ামকম্না মহাকী শোনবা ওইহনখি। ব্রিটিশ সরকারনা মণিপুরগী থাজবা থাক্লা শাবাক্লবশিং

অসি নিংথিমা থজনবা টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ অসি মপাবুং মহারাজনা শাক্তিউই মতমদগী হৌনা মথিং চৎলক্লবা অকনবা মিংথৌমচা অমনি। সেনাপতি অসি ফুপা থোকই, পুকচেল চাওই, থাজবা যাবা অকবা মরুপ্পি তৌইজনসুং য়েক্লবা ওইনদি যায়া শাথিবা মীতানি। অত্তাং ওইরিবৈতেদগী হৌনা মপাক্কল মথৌনা লৈবা মীওইনি হায়বা তাক্লকপদা নত্তনা লান্দা হৈশিংবা লুচিংবা অমত্তনি হায়বা অচুম্বক তাক্লকই। টিকেন্দ্রজিৎ সিংহগী মতুন মযাম অসিনা সেনাপতি অসি দরবারগী মরু ওইবা মীওই অমা ওইরম্মী। মনিংমথা তথা লৈবাক অমগী রাজকুমারনা মতিক মথৌনা লৈথৎলক্লবদি নিংতাইদনা লৈথোকপা হৈনত্রবা ব্রিটিশ সরকারনা টিকেন্দ্রজিৎ সিংহগী মচিন তুমথৎলকপা অসি য়েথৎনবা যাম্না কন্না হোৎনরম্মী। মতুন মযাম অসিনা বীর অসি পোলিটিকেল এজেন্টকী থারবা য়েক্লবা ওইথি। মণিপুরদা মতিক মথৌনা লৈরবা রাজকুমার অমা কাওগৎলক্লবদি ব্রিটিশনা মণিপুরবু তপচিনগে থজিবা পোলিসি অসিদা শোয়দনমক য়েথারবা পীরকপা তারে হায়না থনবদগী জোনষ্টোন্না টিকেন্দ্রজিৎ সিংহবু লাকথুনবা উপাই কয়া থীথি[১৪]। মপাবুং মহারাজদা ওইরবা কয়া হায়জিন্দুনা এজেন্ট অসিনা খৃঃ ১৮৭৭ অমদি খৃঃ ১৮৮১ দা থোকথিবা থোদোক কয়ামক্কমগী মরালগী পরিং অমা খৃঃ ১৮৮৮ দা শেম্নবা হোৎনরগা বীর অসিবু লাকথুগে হোৎনথি। অচুম ওইনমক মচাগী মতুন নিংথিনা থংলবা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা এজেন্টনা হায়বা খুদিংমক্তদি ইনবা তৌথিদে।

টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ অসি মতম পূম্নমক্তা মণিপুরদা ব্রিটিশশিংগী খুত্তম অমা পীরিবা অসিগী মায়য়োক্তা লৈরম্মী। ব্রিটিশ সরকারগী মতেং যাওরবত্ত মণিপুরদি মথক্তা লৈজবা ঙমগনি হায়বা বাকম অসি মতম পুম্নমক্তা মযাম্লুংদা হুজৎথি। বাকম অসি অচুবনি হায়বা উৎনিংদুনা মথক্তা নৈনথুবা বয়াচাউবা অমদি ধীনচন্দ্রগী লালহৌশিংদা ব্রিটিশনা পীরকপা মতেং বীর অসিনা তৌথিদে। অচুম্বক ওইরবত্ত মণিপুরদগী শরুক কয়া হেন্না মপাক্কল মথৌনা লৈথবা ব্রিটিশ সরকারগা মণিপুরগা থৎনকবনা লৈবাক অসিগী কায়বা ওইগনি হায়থসিদি সেনাপতিনা থক থনবা ঙমথিদে। বাকম অসি মুন্না থত্তবা মযাম্না মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরবা মিঃ গ্রীমউদকা লুনা চান্না তিন্নশিল্লগা যরৈথাকী কান্নবা উপাই থীগে হায়না থনথি।

(১৪) ফোরেন পোলিটিকেল এ, জুন ১৮৮৬, মশিং ৪৮—৫০; জোনষ্টোন্না ইন্দিয়টতা ইবা, ৭ মে ১৮৮১।

চন্দ্রকির্তি মহারাজনা লোজাখ্রবগী মতুংদগীদি মজাইবুংঙোশিংগী মরক্তা নাকপাক তানবা হৌরক্লখী। শুরচন্দ্র মহারাজ, মনাও ইবুংঙো পকাসনা, কিশোরজিৎ অমদি গোপাল সনানা নাকল অমদা অতুগা কুলচন্দ্র, টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ, অঙৌসনা অমদি জীলাঙবনা নাকল অমদা লেপ্লগা নাকপাক তাননা থংনবা হৌরক্লমী। কাংবু অনিগী য়েংথিনবা অসি টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ অমদি পকাসনা অনিগী মরম্নাই ওইনা হুংশিনদবা কয়ামক্লমা চাং য়াম্না কেনহনখি। পকাসনা অসি লাইরিক লাইগু নিংথনা হৈবা মতিক চাবা রাজকুমার অমনি। অদুম ওইনমক, অকংবা য়েকোর্ডতগী থংলিবনা শগোল হন্দবা অসি পুকচেল থরদি পীকই অদুগা মীগী হুংঙাই য়াইকবা উরগা থাংবা ঙমদবা মীওইনি অসিনি। মরম অসিনা নক্লনা লৈবা মীওইশিং ফাওবনগু পকাসনাবুদি অদুক কয়া হুংশিবা ঙমখিদে। টিকেন্দ্রজিৎ সিংহনা সেনাপতি কেক ওইথিবা মুমিত্তগীদি পকাসনা অসি টিকেন্দ্রজিৎপু কল্লক থনবনবা অমুক হেনথে। মিসিজ গ্রীমউদনা পকাসনা অমদি টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ অনিগী মরি অসি 'কাংলুপ খুদিংদা অমদি লৈমাক খুদিংদা লৈনরিবা অশোনবনা অকনববু কল্লক থনবনবা অক্তুনি' হায়রি[১৫]। অতুম্না মায়কৈ খুদিংদগী য়েক্লবা ওইরে হায়না থক্লরবা মতম অসিদা মজাইবুংঙো অনিমক্কী মিৎয়েংকম অসি মাইপাকপী হায়বী মৈতৈ চন্থু অমগী মথক্তা তাখি। মৈতৈ চন্থু অসি মশক য়াম্না ফজবী অমদি গুন কয়ামক্লমা লৈতেংবীনি। অদুম্না থুৎ গ্লোক্লরক্লবা মনাও ইবুংঙো অনিগী য়েথীংনবা অসি মহারাজ শুরচন্দ্রগু মরিক চুম্না থওখি। মচিন মনাও অনিগী য়াকম অসি য়াওশরোই হায়না মতম থরা ভুমিন্না লৈজরম্লবত্ত মতুংদদি মহারাজগু মনাও ইবুংঙো পকাসনাগী মিচংদা লেপথে। তাঞ্জা অসিদা মহারাজ শুরচন্দ্রনা মনাও ইবুংঙো পকাসনাদা য়ায়েনশংগী অমাংবা কমথোন অমা পীশিরখী। য়ায়েনশংগী থবক য়েংথোক য়েংশিন তৌবগী মথৌ অসিদি যুবরাজগী শক্তি। হন্দক পকাসনাবু অনৌবা কমথোন পীথিবা অসি যুবরাজবু ইকাইবা পীংনি হায়না লৌথে। থৌদোক অসিদগীদি মহারাজ অমদি যুবরাজগী মরি অসিগু হুংঙাই-নদবগী মক হনবা হৌখি। মতম অসিদা পাকাসনানা মনাও ইবুংঙো অঙৌসনা অমদি জীলাঙবগত্ত য়াকম কয়াঃক্লমদা থংনরক্লখী। মদৈথংদা পকাসানাগী থুংজনগী শুরচন্দ্র মহারাজ মনাও ইবুংঙো অঙৌসনা অমদি মনাও ইবুংঙো জীলাঙববু দয়বায়দা ফাওবা কাংনখিদবা থৌদোক কয়া অমত্ত য়াওথে। অসিদত্ত মক্লনা

(১৫) মিসিজ গ্রীমউদ, মাই থ্রী ইয়ার্স ইন মণিপুর, লমাই ১৩০।

মজাইবু'ঙোশিং অসিগী কম অমদি ইকাই খুম্নবনচিংবা মথং মথং মাংথরক্লম্মী। মরম অসিনা রাজকুমার অনি অসিনা মখোমবু মমামবুংনা মনাও ইবুংঙো পাকাসনাগী খুজিন্দা চংখিহনা লোয় থাবিরগদ্রা নত্রগা দন্দি কাওবা পীখিরক্লগদ্রা হায়না খুংশা খীবা হৌরম্মী। মরম মমাম অসি লৈবকগী মচিন মনাওগী অমাবা মমাম অহু মমামবুং টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ অমদি যুবরাজ কুলচন্দ্র সিংহদা ওক্লমী। খৃঃ ১৮৯০গী সেপ্তেম্বর তাং ২১গী নোংমাই চবুক্তা অত্তৌসনা অমদি জালা-ওথনা মনাইশিং থরগা লোইননা মহারাজগী শঙ্গাই থাম্নিবা চেকপাল অহু কৈরাক থাহনা কাখৎলগা ভূম্ফম কা কাওবা চংখিহনা নোংমৈ কান্না হৌখি। মহারাজ শুরচন্দ্রদি মখোনা লৈবা মীওই থক ওইখিদে। ভাজা অসিদা নিংথৌশেনবা মনাইশিং হৌদোক্লগা লালহৌরকপশিংবু ভাম্বোক্লবা হোৎনগে হায়না মহারাজনা থক থনবা ঙমখিদ্রে। অগুম্না তৌবগী মহুত্তা নাকোইদা চেহ্নোরক্লগা রেসিডেন্সিদা থমাই হীংনবা চংখিরম্মী। মতম অসি কাওবদি টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ লালহৌ অসিদা যাওথমদে। নোংমৈ কাপ্পবগী মথোল লাবগা চেহ্নোরক্লনা য়েংবদদি মনাও ইবুংঙো অনিনা লাল হৌরম্বা থেংনরে। মনাও ইবুংঙো অনগী মিচংদা সেনাপতিগী যাও-শিনখে। মত্তৌ অগুম্না কনাগুম্বা মীওই অমত্তগী মথাই মাংবা লৈতনা লালহৌবা কাংবুনা সনা কোম্নুং লোবে। লালহৌ অসিদা যুবরাজদি যাওখিদে। লালহৌগদবা হুমিংকী হুমিদাংবাইরমদা সনা কোম্নুং থাদোক্লনা চৎথোকখি। কদাইদা করিগী চৎখিবনো হায়বহুগী অশেংবা মরমদি খঙবা ঙমদে। অহুম ওইনমক মথংগী অয়ুক্তা সনা কোম্নুংদা অমুক হল্লক্লহনা মনাও ইবুংঙো অহুমগী অপাম্বগী মতুংইন্না মণিপুরগী নিংথৌ ওইরে। যুবরাজগী শাজৎ অসি মুম্না লৈনরগদি লালহৌ অসি শোম্নদনা থোরক্লগমি হায়বসি যুবরাজ থঙলম্বা তাই হায়না চিংনদবা ঙমদে। মরম অহুনা লালহৌ অসিদা মাইথীবা থোক্লবদি যুবরাজদি যাওদে হায়বা উৎনবা অনিংবা যাওনা সনা কোম্নুং থাদোকখিবা মা্রি।

শুরচন্দ্র মহারাজ অমদি মনাও ইবুংঙো অহুম্না অঙম অথৌ থরগা লোয়ননা রেসিডেন্সিদা চংহনা লৈখি। মহারাজনা থক্লবদি পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরম্বা মিঃ গ্রীমউদনা মত্তেং পাংলক্লনা মণিপুরগী সিংহাসন অমুক হন্জিলহনগনি অসিনি। অহুম ওইনমক গ্রীমউদনা শুরচন্দ্রগী মত্তেং পাংখিম্ন যাখিদে হায়হনা এজেন্টপু মহারাজনা অয়ানবা শিখি। অমরোমদনা অমৈবা ব্রিটিশকী সিপাই-শিংগা লোয়ননা কান্ধারগা সনা কোম্নুং লোনবা তৌসি হায়হনা মহারাজদা হায়ক্লবদা শুরচন্দ্রনা যাখিদে হায়না এজেন্টনা অমুক হায়খি। মরম অহুনা

মখাং অসিবু য়াইকীদি সুরচন্দ্রগা পোলিটিকেল এজেন্টকা লৈনখিবা মরি অসি য়াম্না ণা-তৈনবা ওইবা য়াবা য়াকম ওইখ্রে[১৬]। মক ওইরবা চুমিং অদুগা কম্নি করম তৌখিবগে হায়বদুদি খেৎনবা য়াকম অনি অসি লৈনরগা অদুবা পুথোক্কবা হোৎনবদা অরাইবা থবক অমদি ওইখ্রে[১৭]। সুরচন্দ্র মহারাজনা ভাইসরোইদা য়াকৎখিবনা পোলিটিকেল এজেন্টতা লালহৌবা কাংবু অসিদা লাল তৌনবা য়ানবা মতেং পাংবীয় হায়খি অসিনি অদুবু মহারাজগী য়াকম অসি অরানবনি হায়না মিঃ গ্রীমউদনা অমুক খঙহনখি। মতম অসিদা আসামগী চিফ কমিশনারনা থৎনরিবা কাংবু অনি অসি তাইখিনহন্নবা হোৎনৌ হায়নুনা এজেন্টতা খঙহল্লম্মী। এজেন্টনা করি তৌগদগে হায়বা মরম অদু মুন্না খঙ্গত্রিডেনা সুরচন্দ্র মহারাজনা বৃন্দাবন্দা চৎখিদুনা লাই নিংলুবা পাম্বী অনিংবা অমা উৎলম্মী। মিসিজ গ্রীমউদনা ইরি: "থৌদোক অসি থৌনা কম্না মাইয়োক য়ানবা অমাদ সিংহাসন অমুক হন্জিন্নবা ঊপাই থরা থীখনবা ঐগী ইপুরোইবনা মহারাজদা য়াম্না কন্না হায়খি: অদুবু মহারাজদ অকন্না হায়বা খুদিংদা থক তাখিত্রে, য়াম্না কীনা পুং থরা লৈরম্লগা........সিংহাসন থাদোকচরগে হায়না ঐগী ইপুরোইবদা খঙহল্লম্মী[১৮]।" থৌদোক অসিগী মরমদা ইবা আফিসিয়েল রেকোর্ড ময়াম নিংখিনা মৈনরবা মতুংদা ভারত সরকারনা অতম্না মত পীখি: "থৌদোক অসিদা পোলিটিকেল এজেন্টনা তৌখিবশিং অদু য়াখল খেনবনি হায়না ঐখোয়না লৌই। মহাক্কী মতিক মখোনা শিজিন্নদুনা মহারাজবু লৈবাক ডাকহন্নবা অদুম হোৎনরমগদবনি অদুগা সুরচন্দ্র মহারাজবু মণিপুরগী নিংথৌনি হায়দুনা থনখিবা ভারত সরকারগী মবা তাদনা মহারাজ আসনা নিংথৌ থুভম থাদোকচরগে হায়রগা মহাক্না হেক্তা য়াথোকপত্ত তৌরম্ম-লোইদবনি। মফিংতদা লৈবাক অমগী মহারাজনা নিংথৌ থুভম থাদোকচরগে হায়রগা য়ানবা পোলিটিকেল আফিসারগী শক্তি লৈতবনি। মিঃ গ্রীমউদনা তৌখিবা থবক অসিনা য়াথোক অসিবু য়াম্না অচান অরাই নাইহনখ্রে অদুগা মতুংদা থুদোংথীবা থোরক্কবগী মরমত্ত ওইহনখ্রে[১৯]।" পুরমক অসি মুন্না লেংলুরগা

(১৬) মজুমদার. আরঃ সিঃ ব্রিটিশ পেরামাউন্টসি এণ্ড ইন্দিয়ান রিনাসা, লমাই ৭১১।

(১৭) মিলিটেরিয়স পেপর্স, ফোরেন সিক্রেট ই প্রোসিডিংস এপ্রিল ১৮৯১, মশিং ৬—৫৫, লমাই ৮—১১।

(১৮) মিসিজ গ্রীমউদকী মথকুকী লাইরিকুকী লমাই ১৫২।

(১৯) ফোরেন সিক্রেট ই, অক্টবর ১৮৯১, মশিং ৮০০, মশিং ১৮৬, খু: ১৮৯১ খ্রী।

অমরু ওইরবত্ত অমরু ওইরবত্ত গ্রীমউদনা অমোৎবা মহারাজগী কাংবুদনা হেন্না ফংশিবা অদুগা সুরচন্দ্র মহারাজনা অমুক হঞ্জিন্না মণিপুরগী নিংথৌ ওইবদনা য়ানিংদবা উৎলে হায়বাসিদি হায়দনবা হোৎনবদা য়াম্না বানা থোক্লে। বাকম অসি গ্রীমউদকা টিকেন্দ্রজিৎ সিংহগা য়াম্না লুনা তিন্নবিবদগী থোকাখবনি হায়বসি সুরচন্দ্র সিংহত্ত খঙখিমাল্লে[20]।"

সুরচন্দ্র সিংহনা বৃন্দাবন্দা চৎখগে হায়না মথৈথংদা লেপখ্রে অদুগা মরি লৈনবা চিঠি অমত্ত টিকেন্দ্রজিৎ সিংহদ: ইরক্নী। মহাবাজ সুরচন্দ্রনা মহাক্তী মণিপুরগী সিংহাসন পামজ্রে অদুগা বাকম অসি অচুম্বনি হায়বা তাক্লবা নিংথৌ কি, থাং অমদি অত্তোপ্পা নিংথৌগী পোৎ চৈ পুম্নমক মনাও ইবুংঙো টিকেন্দ্রজিৎতা হনখ্রগা মহারাজনা বৃন্দাবন্দা চৎপদা থুদোংথীবা থোক্তনবা শিল্ল হায়খি[21]। চিঠি অসি হেক ফংবগা মহারাজনা দরকার ওইবা পোৎ পুম্নমক সেনাপতিনা শিল-লাংছুনা সুরচন্দ্র মহারাজ বৃন্দাবন্দা চৎখি। মহারাজ সুরচন্দ্রনা মণিপুর থাদোক্ত্রনা চৎখিবা অসিনা খৃঃ ১৮৯০ গী কোম্মুংগী লালহৌ অসি ঐ মরিক অমত্তা তাদনা লালহৌবা কাংবুগী মায় পাকহনখ্রে। ভারত সরকারনা অত্তম্না ইখি: "মহারাজনা চৎখ্রবা মতুংদা রেসিডেন্সিদা মহারাজগা চেনমিন্নখিবা অঙম অথৌ পুম্নমক সনা কোম্নংদা অমুক হন্না লাকখি। মতম অসিদা সনা কোম্মুংদা হল্লক্ত্রনা নিংথৌ ওইরবা যুবরাজ কুলচন্দ্রনা অঙম অথৌ মযাম অসিবু তরাম ত্তন্না ওকখি। সেপ্তেম্বর তাং ২৯ দা কুলচন্দ্রনা মযাম্নংনা নিংথৌ খুত্তম থাদোক্লম্বদগী মহাক্না মণিপুরগী নিংথৌ ওইরে হায়বা চিঠি অমা ভারত সরকারদা থাখি অদুগা বাকম অসিদা ভাইসরোইনত্ত চানবিনবা হায়খি[22]।"

মথক্তা নৈনখ্রবা বারমশিং অসিনা খৃঃ ১৮৯০ গী কোম্মুংগী লালহৌ থোকখ্রবা অসিগী মরু ওইবা মরমদি সুরচন্দ্র মহারাজগী মনাও ইবুংঙোশিংগী মরক্তা অমগা অমগা কল্লক য়েংখিনবদগী অয়াবা থোকখ্রবনি হায়বা তাক্লি। মণিপুরগী সিংহাসন ফংহৌরবা কুলচন্দ্র মহারাজনত্ত মবৈবাকী মনিং মথা ত্তম্বা তাকপবুদি রাজগাডি তাকপনা হেন্না লুই হায়না খনখি। মণিপুরদা ব্রিটিশকী সিফাই ৩০০ থম্নগা ব্রিটিশ পোলিটিকেল এজেন্টকী পাওতাক লৌদুনা মণিপুর

(২০) মিসিলেনিয়স পেপর্স, ফোরেন সিক্রেট ই প্রোসিডিংস, এপ্রিল ১৮৯১, মশিং ৩-৫৫, লমাই ৮—১১।

(২১) মজুমদার, মথক্কী লাইরিক্কী লমাই ৭১৪।

(২২) ফোরেন সিক্রেট একষ্টর্নেল ই, ওক্টোবর ১৮৯১ মশিং ৩০০, খৃঃ ১৮৯১ গী মশিং ৬৬৬।

তাকপা কাওবা সিংহাসনতবু মাংলোই হায়রবদি মহারাজ অসিনা ইরাই লাইনা যাখোকপা ওমখি। অকংবা রেকোর্ডশিং নিংথিনা নৈনরগত্তু কুলচন্দ্র মহারাজদি টিকেন্দ্রজিৎপু মণিপুরগী যাংমদা পুখোক্লবা হোৎনাখিবা 'ব্রিটিশ সরকারগী অনিংবা অত্তুলত্তু যানিংবা উৎথ হায়দবা ওয়রোই। মণিপুরগী সিংহাসন অসি টিকেন্দ্রজিৎনা মযাখুংদা শীরমদবা খোক্লবদি মহারাজ অসিনা ব্রিটিশ সরকারগী মতেং শোয়দনমক পাংহুনা টিকেন্দ্রজিৎপু মণিপুরগী যাংমদা পুহনবা যাই হায়রকপা হায়মনবা খোক্লোই। মরম মযাম অসিনা খৃ. ১৮৯০ গী কোঙ্গুং লানহৌ অসিদি খোই-দোকপা ব্রিটিশ সরকারবু তাঙ্গোক্কে হায়না থনবদগী হৌখিবা লানহৌ ওইনবগী মরম লৈতে।

মহারাজ শুরচন্দ্রসিংহনা মনাও ইবুংঙো অহুমগা লোয়ননা বৃন্দাবনদা চৎখ্রবদা কুলচন্দ্র সিংহনা মণিপুর নিংথৌ, টিকেন্দ্র জিৎসিংহনা যুবরাজ, অঙোসনানা সেনাপতি অমুগা জীলাঙম্বা শগোলহঞ্জব ওইদুনা মণিপুরদা লৈবাক মরা তপ্পা পানবা হৌখি। মহারাজ অসিনা পানবা হোৎকপদগীদি মনাও ইবুংঙোশিংগী মরক্তা থৎনা চৈনবা লৈখিদ্রে মরম অদুনা মহারাজ শুরচন্দ্রসিংহনা পানবা মতমদা লৈবাক মরা তপ্পা পানবা ঙম্মদবা অমাদি চাউথং খোরাং কয়া পাইখৎপা য়াবযদবনি অদু মহারাজ অসিগী মতমদগীদি মখং মথং ওইনা লৈবাক মরা তপ্পা পানবা অমদি চাওথং খোরাংগী থবক কয়া পাংখোকপা হৌখি। মতম কুইনা শেম্বীরমন্ত্রবা লম্বীখোং অমুক হন্না শেমজিন খোৎশিনখি, অনৌবা খোং শাজুনা অমদি লম্বী অনৌবা কয়া শেমজুনা প্রজাশিংগী চখোক চৎশিন্দা খুদোংচাবা পীনবা কয় হোৎনখি। মরম অদুনা প্রজাশিংনত্তু মহারাজ অসিনা পানবা হৌবদা য়ায়া পেঙবা অমদি কংজবা ঙমখে[23]। প্রজাশিংগী অপেনবাশিং অসি যুম্না নৈনরগদি হন্দকী কোঙ্গুং লানহৌ অসিদদি মখোয়দি অদুক হাক্লা খোশাদবরা হায়দবা ওয়রোই। অদুগা নৈনবদা য়ায়া চংহাইনা খোক্লবা থাকয়া মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেণ্ট ওইরম্বা মিঃ গ্রীমউদনা কাওবা খৃঃ ১৮৯০ গী কোঙ্গুং লানহৌ অসিদি অদুক হাক্লা থওইবা য়াবা থাকম ওইনা লৌখিদবা অসিনি। মান হায়খি: "মণিপুরদা কোঙ্গুং লানহৌ কয়ামরুম থোকখে—খৃঃ ১৮৯০ গী অসিগুম কৈত্তু লৈতবা অদুগুম্বা লানহৌ অমনি।"

ভারত সরকারগী রায়:

মণিপুরগী প্রজাশিংনাদি খৃঃ ১৮৯০ গী সেপ্তেম্বর তাং ২২ গী লানহৌ অসিবু

২৩) মিসিজ গ্রীমউদ, মাই থি ইয়ার্স ইন মণিপুর, লমাই ৪৯—৫০।

চিংনবা লৈতনা য়ারদুনা অনৌবা শাসন অমা হোংখ্রবগী সুরচন্দ্র মহারাজদি মরৈবাক হল্লিনবগী বাথল অসি মতম চুন্নদা থাদোকপা লৈখিদ্রে। মহারাজ অসিনা মণিপুর থাদোক্তুনা চৎলমদাইদা পোলিটিকেল এজেন্ট গ্রীমউদনা মহারাজ অসিনা মশানা য়ানা মণিপুরগী সিংহাসন অসি থাদোক্লম্বনি হায়বা পাখিত অমা পীখি। সুরচন্দ্র মহারাজদি ইংলিস হৈতে মরম অদুনা পাখিত অদুদা কায় হায়রিবগে হায়বদুগী মরোলদ কছাড় য়োরবা মতমদতা থগথি। মরম অদুনা ভাইসরোইদা মতেং পাংবীনবা মহারাজ অসিনা টেলিগ্রাম থাখি। "হৌজিক্কা পোলিটিকেল এজেন্টকী পাস হাংদোকলুবদা ঐহাক সিংহাসন থাদোক্নে হায়বা থগলে, অ'চুম চুমদবনি। পোলিটিকেল এজেন্টনা ঐবু থগবা ভুথদ্রে, অচুম্বা বারোল মতু'দা লোয়নমক পীজরগনি, অমুক হন্না থরখিনবা অমদি তেংবা'খিনবা হায়জ'র[২৪]।"

সুরচন্দ্র মহারাজনা আসামগী চিফ কমিশনারবু শিলচরদা উননিংলম্মি। অদুবু কমিশনার অসিনা কলিকত্তাদা চৎথবদগী মহারাজশু কলিকত্তা তায়না অহুম্মক চৎথে। খুঃ ১৮৯০ গী ওক্টবর তাং ১২ দা সুরচন্দ্র মহারাজ কলিকত্তা থুংখি অদুগা নবম্বের তাং ১৭ দা অপুনবা ওয়রোল য়াওবা থাবৎ অমা ভাইস-রোইদা লাপ্লিনখি। মণিপুরগী সিংহাসন অসি সুরচন্দ্র মহারাজদা অমুক হল্লিনখিবগী থাকমদা ভারত সরকারদি য়ানিংদবা থোইদোকপা লৈরমদে। অদুম ওইনমক পোলিটিকেল এজেন্ট গ্রীমউদনাদি থাকম অসিদা শকনা য়াখিদ্রে। করিগুম্বা সুরচন্দ্র মহারাজনা মণিপুরগী নিংথৌ অমুক ওন্না ওইবা ভারবদি মতুংদা থোক্লক্লদবা থাথোক অমদি ব্রিটিশ সরকারনা পুগদবা দায়িত্বনচিংবা পুথোক্তুনা এজেন্ট অসিনা ভারত সরকারদা থগহনখি। আসামগী চিফ কমিশনারনশু গ্রীমউদকী মত অসিদা য়াথে। অদুম ওইনমক ভারত সরকারনদি এজেন্ট অমদি কমিশনার অমিনা হায়রিবা থাকম অসিনা সরকার অসিগী অকবা পুরক্কদ্রা পুরক্লোইদ্রা হায়বগী থাকমদা য়াম্না চিংনবা অমা পোক্লম্মী। য়াম্না মুন্না থন্নরবা মতুংদা ভারত সরকারনা কুলচন্দ্র সিংহনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইবদা য়ানিংখি অদুবু লৈবাক ডাকপগী চুপ্পদি মতম পুম্নমক্তা ব্রিটিশ সরকারগী থায়রোক্ত লেপ্লুনা লৈবা টিকেন্দ্রজিৎ সিংহগী মথুক্তা তাথ্রগনি হায়না য়াম্না চুন্না সরকার অসিনা থন্নরম্মী। ভারত সরকারগী মতমা অমা অদুগা পোলিটিকেল এজেন্ট অমদি চিক কমিশনারবগী মতমা অমা অদুম্না মত অমি থোক্লকপা

24) করেসপোন্ডেন্স রিলেটিং টু মণিপুর, ১৮৯১, নম্বাই ৮।

অদিনা করি রায় জাগদগে হায়বত্রু লাক্লবা হোৎনবদা অতম রায়া কুইনা থম্বা তারম্মী। রায়া কুইনা অমদি রায়া কুপ্প' থম্লবা মতুংদা ভারত সরকারগী রায় অদু খু: ১৮৯১ গী ফেব্রুয়ারী থাদা হায়দোক্লম্মী। রায় অদুদি, কুলচন্দ্রসিংহমা মথাগী বারোল অসিদা য়াবা থোক্লবদি মহাকপু মণিপুরগী নিংথৌনি হায়না ভারত সরকারনা য়াগনি, বারোল অদুদি (১) পোলিটিকেল এজেন্টবা রেসিডেন্সিদা সিকাই ৩০০ থমদা মহাক্লতু য়াগদবনি, (২) পোলিটিকেল এজেন্টকী পাওতাক মতুং ইন্না মহাক্না মহাকী লৈবাক ভাকদবনি অদুগা (৩) টিকেন্দ্রজিৎ সিংহবু মণিপুরগী বাংমদা পুথোকথিবদা মহাক্লত য়াগদবনি অমদি বাকম অদি পাংথোক্লবা হোৎনবদা ব্রিটিশ সরকারগী মতেং মহাক্না পাংথদকনি অসিনি[২৫]। মতম অদুগী ভারতকী গভর্ণর জেনেরেল ওইরবা লর্ড লেন্সডাউনদি বারমশিং অদি কুলচন্দ্র মহারাজনত্ত শোয়দনমক য়াবকনি হায়না থাজরম্মী। মরম অদুনা বাকৎলাক্লবা সুরচন্দ্র মহারাজদা মহারাজ অসিবুদি মণিপুরগী নিংথৌ ওইহল্লরোই হায়না থঙহনখি। অদুম ওইনমক ব্রিটিশনা থনবা লম অমদা ব্রিটিশকী পেন্সন ফংদুনা মহারাজ অসি পুন্সি চুপ্পা লৈগদবনি হায়নদি ভাকপীখি। ("ভারত সরকারগী রায় অসিদি য়ায়া হৎনা হায়রবদা য়ায়া অঙকপা অমনি। সরকার অসিনা লালহৌ অসিবু মপুং ফানা পাংথোকথবা থবক্লি হায়না লৌখি অদুগা থ্বাইদগী চাওনা চাবথুং ফংবা মীওইবুনা (কুলচন্দ্রবুনা) ভাকাপথে অদুগা লালহৌ অদুদা য়াওবা কাওবা নিংথিনা য়াওজফদবা মীওই অমবুনা (টিকেন্দ্র অৎনা) মতিক চাবা প্রমান পুথোকপত্ত ভৌদনা লালহৌ অদুগী লুচিংবনি হায়না লোয় থানবা হোৎনখি[২৬]।") লালহৌবা অদুনা মপুং ফানা মাই পাকথুবা মতুংদা মণিপুরগী সিংহাসন অদু হাংদুনা লৈথ্রবনি। মতম অদুদা টি.কন্দ্র অৎ সিংহনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইগে হায়নবু থমম্রবাদ থীংখিনবা অমদি থেংগীনবা কনাত্ত য়াওদনা মণিপুরগী নিংথৌ অদুমক ওইবা য়ারম্রবনি। অদুবু মনাও ইবুংঙো অদিগী পুক্লিংদা বাথল অসিদি থক লোকখিদে। মমখুং কুলচন্দ্রসিংহদা মণিপুরগী সিংহাসন বীর অসিনা পীখি। নিংথৌ মচা অমা ওইনা পোক্লগা রাজসিংহাসন পাযদবা মীওই পৃথিবীগী ইতিহাসতত্ত থীবদা ফনা বানা অদুমক থোক নি। টিকেন্দ্রজিৎ সিংহদি মথাগী ওইজবতা য়েংদুনা মরৈবাক অমদি মজাতি ফাওবা চেহ্নবা য়াবা রাজব্যবহার কাইবা শাজৎ অমত্ত

(২৫) মজুমদারগী মথকী লাইরিকা লমাই ৭১৭।
২৬) মথকী রাজকুমা অসিদা।

ভারত সরকারনা মণিপুরগী মরমদা তাখিবা রায় অসি আসামগী চিফ কমিশনারনা মণিপুরদা লাক্লগা লাওখোকত্রিবা মথৈদি অথুপ্পা ওইনা থমাথনি হায়না সরকার অসিনা হৌদোক্লমী। মতম অদুদা আসামগী চিফ কমিশনার ওইরম্বা মিঃ কুইন্টনদা মণিপুরীশিংনা সাহেবশিং অসিনা মণিপুরদা চংখিবা মতমদা খীং-খোংপা তৌজুনা খুদোংথীবা পীরকনি হায়বগী চিংনবা টৈত্রবস্থ মণিপুর কাওবা চংলগ ভারত সরকারগী রায় হায়দোকপা মতমদা মতিক চাবা লাম্মীনচিংবা পুরগা চংখো হায়জুনা থঙ্হনখি। সরকারগী রায় অসি হায়দোকলুনবগীদমক চিফ কমিশনার অসিনা খৃঃ ১৮৯১ গী ফেব্রুয়ারী তাং ২১ দা কালিকতা থাদোকখি। চহি অসিগী মার্চ তাং ৭ তা গুর্খা সিপাই ৪০০ থক কর্নেল স্কীনগী মথাদ পুরজুনা সিঙ্গিলিয়ান থরগা কোয়নবা কোহিমাগী লম্বীরোমদা চংলগা মণিপুর য়ৌখিনবা কুইন্টনা গোলাঘাট অমুক থাদোকখি। অতোপ্পা গুর্খা লাম্মী ২০০ অমথকশু কছাড়দগী মণিপুরদা থারক্লবা কুইন্টন হায়খি।

কুইন্টনা অশেংনা থলম্বদি মহাক্না মণিপুরদা হেক থু লুবগা মহারাজ অমসু যুবরাজ য়াওবা দরবার অমা থুনা তৌরগা ভারত সরকারগী রায় হায়দোক্লে অদুগা মকম অদুদগী টিকেন্দ্রজিৎপু নমজুনা ফাগা মণিপুরগী বাংমদা লোয় থাখিগে অসিনি। ভারত সরকারনশু কুইন্টনা শিন্নবা থুজিন থোরাং অসিদা অজুম্বক য়াথে মরমদি সরকার অসিনা খনখিবদি 'দরবার' হ য়বসিদি নিংখৌ অমদি মাগী অশুম অথৌ পূম্নমক য়াওগদবনিনা মখোয়গী মমাংদা রায় অদু পাখোক্লগা যুবরাজবু মণিপুরগী বাংমদা পুখোক্লবা হোৎনগদবনিনা অকাইবা কয়িশু লৈতে হায়না খনখিবদগীনি[২৭]। আসামগী চিফ কমিশনারনা মণিপুরদা ফাগী-দমক লাক্লদোরিবনো হায়বগী অশেংবা মরম তাংদাংনা থঙদবনা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টশু য়াম্না লাংতক্লখি। খৃঃ ১৮৯১ গী মার্চ তাং ২১ দা কুইন্টন ওকপা সেকমাই কাওবা চংলুবা অদুতদা সরকারগী রায় হায়দোক্লগা টিকেন্দ্রজিৎপু ফাবা কুইন্টনা মণিপুর তাম্না লাক্লিবনি হায়বসি গ্রীমউডশু থঙখি। অশেংবা মরম থঙদবনা চিফ কমিশনারনা মণিপুরদা লাকপা অসিদা মণিপুরগী

(২৭) ফোরেন সিক্রেট একষ্টর্নেল, অক্টবর ১৮৯১, নম্বর ৩০৩, খৃঃ ১৮৯১ গী নম্বর ১৮৬। মণিপুর লালহৌগী মরমদা অরোইবা রিপোর্ট ওইনা ভাইসরোইনা সেক্রেটরী অফ ষ্টেটতা পীখৎখিবা রাবোল, ১৪ অক্টবর ১৮৯১ পার ১৬, ভাইসরোইনা সেক্রেটারী অফ ষ্টেটতা তৌবা টেলিগ্রাম, জুন ৫,১৮৯১।

প্রজা পুরমকী থুক্কিদা য়ায়া কয়া চিংনবা অথদি পোক্লমী। কুইন্টন্না সুরচন্দ্র মহারাজবু মণিপুরগী নিংথৌ ওইহনবা মতাকা লোয়ননা মণিপুর তায়া পুরক্লিবনি হায়না নীপুখ খুদিংমক্না খাজনরম্মী। থারম অসিগী তৈবনা মণিপুরগী মহারাজ অমদি অতত অথৌ পূরমক্না সুরচন্দ্র মহারাজনা মণিপুরদা লাকপা থোক্লবদি মহাকপু খীংনবগী অয়াবা খুজিন থৌরাং তৌনবা সনা কোক্তংনা শিল্লম্মী।

কুইন্টনগী থৌরাং:

আসামগী চিফ কমিশনার কুইন্টন্না খৃঃ ১৮৯১ গী মার্চকী তাং ২২ গী অমুক্তা মণিপুরগী কোন্থ'দা থু'লখি। হেক থু'লবগা দরবার তৌগনি হায়খি। মরম অদুনা মহারাজ কুলচন্দ্র সিংহদা মনাও ইবুংঙোশিংগা লোয়মনা দরবার অসিদা লাকউবিয়ু হায়দুনা কুইন্টন্না পাও থাখি। মহারাজ অমদি মনাও ইবুংঙো-শিংনা থুংলক্লিবৈগী মমাংদা চংকম থোং অদুমক্ত এন্তনা দরবারগী থোং অতৈত্থদি খীংজিল্লম্মী। থোং খীংজিলবা মতুংদা থংনবা কা কাশিং অমদি রেসিডেন্সিগী অকোইবদা অমুক্তা সিকাই গার্ড তৌহন্দুনা থমখি[২৮]। কমাদত্ত হায়দোক্লোই হায়না ঘোষকহল্লবা মতুংদা সরকারগী রায় অদু মণিপুরী লোন্দা হন্দোক্লবা এজেন্সিগী হেড ক্লার্ক রসিকলাল কুন্দুদা শিল্লম্মী। হায়নাথবা পুংকম চপ চানা মহারাজ কুলচন্দ্র সিংহ অমদি মনাও ইবুংঙোশিং পুম্নমক রেসিডেন্সিগী থোঙাললদা থু'লখি। অদুম ওইনমক মহারাজবু ওক্লবা মীওই অমত্তত রেসিডেন্সিগী থোঙাললদদি তৈরমদ্রে। মহারাজনা রেসিডেন্সিগী থোঙাললদা থুংলবা মতম অসিদদি সরকারগী রায় মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অদু লোইরমদ্রি। মরম অদুনা মহারাজ লেংলক্লে হায়রবা পাও পীরুরবদত্ত কুইন্টন্না মহারাজবু দরবার হোলদা চংহনবা হোৎনখিদ্রে। অতেকপা কুইন্টনগী থৌরাংনি। মনিং মথা তথা তৈবাক অমগী নিংথৌবু মশামকী মরৈবাক্তা তাকপীকম থোক্তবা ইকাইখা পীবতা নত্তনা দরবার হোলদা চংবা কাওবদা ব্রিটিশকী য়াথং তাইবা তাহনখি। মতৌ অদুমা মহারাজ কুলচন্দ্রবু সরকারগী রায় অদু মণিপুরীদা হন্দোকপা লোয়ক্লিবা কাওবা রেসিডেন্সিগী থোঙাললদা কুংশা মরক্তা তাইহনখি। মরম অদুনা মিসিজ গ্রীমউডনা মহারাজ অমদি মনাও ইবুংঙোশিংবু রেসিডেন্সিগী থোঙান্দা মতৌ অদুমা তাই-হনজরবদি মতুংদা থোরকদবা থৌদোকশিং অসি থোক্লমদরবত্ত য়াম্লনি হায়না য়াক্লু চুবা হায়খি।

(২৮) মিসিজ গ্রীমউডকী মণকী লাইরিকী লমাই ১৮২—১৮৩।

মতৌ অদুগা রেসিডেন্সিগী থোঙ্গালদা ভারত সরকারগী য়ার হন্দোকপা ভাইরিদৈদা মণিপুরী সিপাই থরনা তুমিন্না চংখিদুনা মঙ্গুংদা তৌনরিবা ইরাংশিং অদু য়েংথোকখি অদুগা যুবরাজদা পাও শিং শিংনা তমখি। কুইন্টনা মণিপুরদা লাকপগী মরম অদুগা মহাক্না মণিপুরদা হেক থুংলবদগী চৎথরক্লিবা মওং মথাং অসি মুন্না য়েংলগা যুবরাজদি আসামগী চিফ কমিশনারগী শাক্তং অসিদা য়ান্না চিংনবা পোক্নুনা লৈরম্লবনি। মরম অদুনা মনাইশিংদগী পাও অসি কংবগা হায়না চিংনবা অদুমক থোক্নে হায়বা থজখ্রে। কুইন্টনগী দরবার অসি যুবরাজবু কানবা তৌবা দরবারনি হায়বা অশেংবা থজলদুনা মনাও ইবুংঙো অঙোসনাগা লোইননা যুবরাজদি সনা কোয়্ংদা অদুমক লেংশিনখ্রে। ভারত সরকারগী য়াম অদু মণিপুরীদা হন্দোকপা লোমরদুনা মহারাজবু লেংশিনক্লবা হকৎলুবদাদি মনাও ইবুংঙো টিকেন্দ্রজিৎ সিংহদি য়াওবমখ্রে। যুবরাজদু কানবা তৌগদবা দরবার অদুদা যুবরাজ য়াওরমখ্রবা অদুদদি আসামগী চিফ কমিশনারনা দরবার তৌররোই হায়গংলক্লে[২৯]। দরবার তৌবদি লাইরদুনা যুবরাজ য়াওখ্রবদি মহারাজগা চুমতগী উনৌ হায়বা কাওবদা আসামগী চিফ কমিশনারনা য়াখিত্রে। শ্রীমন্তদনা কম্না চাথজবগী কুলচন্দ্র মহারাজনা মনাও ইবুংঙোবু দরবার অসিদা য়াওবিরনবা পাও থাখি। অদুবু হোৎখিবা মুমিক্তা একাদশিগী পর্বা তৌরবা অমদি পুং ১০ দগীনা মুমিৎথুংবা মতুং কাওবদা রেসিডেন্সিগী থোঙ্গালদা হুংশা মরক্তা লেপলুবা অদুনা চাননা হকচাং উমদবগী দরবার অদু য়াওবা উররোই হায়দুনা পাও থারক্লে। যুবরাজ য়াওদ্রবা অদুদদি কুইন্টনা দরবার অদু মথং মুমিৎকী অমুক পুং ৮ তাবা মতমদা তৌজরগে যুবরাজগা লোয়ননা লেংবিরকউ হায়দুনা মহারাজদা হজৎখি।

মথংগী অয়ুক্তা আসামগী চিফ কমিশনারনা দরবারগী থোয়াং কম্না তৌরিদৈদা যুবরাজনা চায়না কম্না নাতুমা লৈরবা মরম্না দরবার য়াওবা উমদবা তাবদগী অদুগা যুবরাজ য়াওদনা মহারাজনা দরবার য়াওবা লাকপগী কারকম লৈতবনা চুম্মৎ আসগী দরবারদা মহারাজ লেংলক্লরোই হায়দুনা পাও পীরম্লে[৩০]। দরবার তৌবগা যুবরাজবু ফাগে হোৎনবা কুইন্টনগী থৌরাংনা মইহে য়াম্নবদা অতৈ উপাই লৈরদুনা আসামগী চিফ কমিশনারনা পোলিটিকেল এজেন্ট শ্রীমন্তদ অমদি মিঃ গ্রিমউডসনবু সনা কোয়্ংং তান্না থাখ্রগা ভারত সরকারগী য়াম অদু

(২৯) মখকী য়াওকম অমিগী লমাই ১৮৪—১৮৬।

(৩০) মখকী য়াওকম অমিগী লমাই ১৯০।

মহারাজদা হকথহন্নবগে হায়না লেপখ্রে। মায়ম অসি পাংথোক্নবগীদমক খৃঃ ১৮৯১ গী মার্চকী তাং ২৩ গী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা গ্রীমউদ অমদি সিপাসম্না সনা কোনুং তাম্না লাকপা ভারত সরকারগী মায় অসি মহারাজদা হকথখি। ভারত সরকারনা মহারাজবু মণিপুরগী নিংথৌনি হায়না মাবা অহুগী তৌবিমল অহু মহারাজনা এজেন্টতা কোংদোক্নগী তৌইগদবনুং যুবরাজবু বন্দি ওইনা ইংরেজদা পীথোকপগী মাকম অসিদি যুবরাজ মাথা কয়গা লৈবাকী অচম অথৌনচিংবা মাওনা তাম্নবগা কোম্না মরোল থক্কহনগে হায়না এজেন্টতা থকহল্লগী। মহারাজগী মাকম অসিনা পেনবা ভমগ্রছুনা গ্রীমউদনা মহারাজগী মকমদগী যুবরাজবু অমুক্কুং উনজগে হায়না নিজখি। এজেন্টকা উনবা মতমদা যুবরাজনা মণিপুরগী মাংমদ লৈখিবদা মানি দবা থোইনা উৎখিদে। অচুম ওইনমক হকচাং ইবা ক্ষরগ ময়াখুং অমা অচম অথৌনচবা তাম্নবগা অন্নেম্না মরোল থক্কহল্লকে হায়না যুবরাজনা এজেন্টতা থক্কহনখি।

মহাক্কী থৌরাংনে শোয়ববদা আসামগী চিফ কমিশনার অসি হায়নিংডাই লৈতনা মাথি। ফাম্মদা আসমখদা যুবরাজ শজাইদা লান্দারগা টিকেন্দ্রজিৎপু ফারগে হায়না লেপখ্রে। মরম অচুনা মিলিটারী আফিসারশিংগী অথুবা মিটিং অমা কৌরগা যুবরাজবু নমদুনা ফাবগী মায়ম অসি মহাক্না হোৎদে কখি। কর্ণেল স্কীন অমদি অতোম্না আফিসারশিং অচুনা মাণপুরদা লৈবা ব্রিটিশকী লাম্মী মশিং মামদবা অচুদা মাকম অসি মানিংলমদে। চিফ কমিশনারনা লান্দারগা যুবরাজবু ফাগে হায়না থজবদি লাংথবান্দা লৈবিবা ব্রিটিশকী সিকাইশিং অমদি কছাড়পগী লাংথবানগী ডিটচমেন্ট আসবু শিনবা লাকদবা সিকাইশিং অচু ডাইরগা তৌবনা ফগ'ন হায়না আফিসারশিং অসিনা হৌদোক্নখী। অচুম ওইনমক কুইন্টনদি মাকম অসদা মাবা লৈরুনা কেপ্তেন বুটচর, লেপ্তেনেন্ট ব্রেকেনবিউরী অমদি লেপ্তেনেন্ট লুগার্দপু সিপাই ২০০ গা লোয়ননা খৃঃ ১৮৯১ গী মার্চকী তাং ২৩ গী নোংমাই মতুং পুং ৩ লোম তাবা মতমদা যুবরাজ শজাই তম্না থাজিনখি।

অচম থৌরাং নিংথিনা তৌরবা ব্রিটিশকী লাম্মীনা টিকেন্দ্রজিৎকী মথক্কা লান্নাখি[৩১]। অমুক অচনবদা যুবরাজ সজাই লৌরবদা যুবরাজদি শজাইদা

(৩১) প্রোসিডিংস ওফ দি ইন্ডিয়ান হীস্ত্রিকেল রেকোর্ডস কমিশন, ভোল্যুম ৩৫; গভর্ণর জেনেরেলগী কাউন্সিলদা মণিপুরগী সনা কোম্বংগী লিংথেম্‌থীনিংবা তৌখিবা এপিল।

লৈরমল্লে। যুবরাজ লৈরমগ্রবা অতুদা লান্দারক্লিবা ব্রিটিশকী সিকাইশিংনা শজাই শংবা গার্ড থর অতুগা শজাই ইমুংগী মনাই মণল থরা হাংখি অতুদা যুবরাজগী বৃন্দাবনচন্দ্রগী মন্দির মথক্তা খোংউপ্না কাখৎতুনা সনা লুপানাচিংবা কয়া হুরানখি৩২। ইংরেজ সিকাইগী লুচিংবা কর্ণেল স্কীনগী মাখংদগী যুবরাজ শজাইদা লান্দারক্লিবা সিকাই কাংবু অমদি রেসিডেন্সিদা লৈহৌরিবা সিকাইশিংনা উপয় লৈকাই, য়াম্বেম লৈকাই, শাইখোম লৈকাই অমদি রেসিডেন্সিগী মনিংগী হাওখুনগী য়ুম কয়া মক্কমবুম মৈ থাহনাখ।

আসামগী চিফ কমিশনারনা তৌবক্লিবা খৌরাং পক্লি অসিনা শান্তি ওইনা চংথরকপা খৌরম পবেংদা আহাংবা অমা পীরক্লে। মরাল লৈজগ্রবা মণিপুরগী প্রজাশিংবু খুদোংথীবা অসিদগী কয়নবা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ থুংলাই পাইখৎপা তাখি৩৩। মতৌ অসুম্না মৈতৈ লাম্মীশিংনা মাইকৈ মরিদগী কোই-শিল্লগা ইংরেজশিংগী মথক্তা অজংপা লৈ হনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। তৌবিমল থগ্রবা ইংরেজ জাতিগা অমুক হন্না মরূপ শায়বগী কায়বা লৈগনি থন্নহুনা মথোয়না তিংবা টেলিগ্রাফ তারানচিংবা পুম্মক সনাকোক্তুংগী লাম্মীন ককথংখ্রে। অতুম্না অকনবা লান শোক্লরকপনা কুমিৎ তাবমদাই খৌরক্লবদি ইংরেজ সিকাইশিংগী নোংমৈ গুলি লোইখোকখ্রে। ইংরেজশিংনা টিকেন্দ্রজিৎ সিংহবু কাবগী ৱাকম অতু থল্লুবদি লাইরহুনা রেসিডেন্সিদা লৈরিবা সাহেব ময়াম অমদি ব্রিটিশকী সিপাই ময়ামগী মথখাই কয়া কনগদগে থনবদা আসামগী চিফ কমিশনারবদি চিনবান মথক মথা কংখ্রে। ইংরেজশিংগী কিত্তম য়ায়া কংলকত্রবা তাঙ্গা খৌরক্লহুনা কুইন্টয়া থুংলাই থারে হায়বা বেঙ্গল খোংচলখ্রে। মণিপুরী লাম্মীশিংদি মথোয়না জয় ওইরগদবা মতাং খৌক্রবনিনা লাল অসি লেপ্পবগী মরম করিগ্ন লৈতবনি। অতুম ওইনমক জয় ওইগনি হায়বগী ৱাকম অতু ইরাই লাইনং থাদোক্নুনা লাল লেপ্লিখ্রে। মণিপুরীশিংনা ইরাই লাইনা থুংলাই থাখ্রিবং অসিনা তাকপদি ইংরেজশিংনা মথোয়গী মথক্তা অশুক তুংশিহৈত্তবা শাজং চংতুনা মচা মনাও কয়া হাংখ্রবা অমদি মরাল লৈজগ্রবা প্রজা কয়াগী য়ুম মৈনচিংবা থাবা অসি কাওবদা মথোয়দি লমন থুমিংবগী ৱাখল চেন্দে হায়বা তাকপনি৩৪।

(৩২) মথক্কী য়াওকম অসিদা।
(৩৩) মথক্কী য়াওকম অসিদা।
(৩৪) বিসিজ ব্রৌকটর, মথক্কী লাইরিকী লমাই ২১৬।

কুইন্টনা মণিপুরগী মহারাজ কুলচন্দ্রদা লাল তৌবা জোক্রবগী মতম ইদুনা চিঠি অমা থংলকখি, "করম তৌরগা মহারাজনা ঐখোয়গী ইথক্তা নোংমৈ কাম্না জোকলগে অদুগা টেলিগ্রাফ শমজিলগা ভাইসরোইগা বা ঙাংননবা মতম পীগদ্রবে[৩৫]?" মহারাজনা চিফ কমিশনারগী চিঠিগী পাওখুম যাম্না থুনা পীখি। "ঐহাক্কী নংগা থংনগে হায়বগী বাখল থক লৈখিদে অদুবু নংগী সিকাইনা ঐগী কোক্তুংদা লান্তাকক্রবা অদুদা ঐগী মীশিংবু মখা কঞ্জনবা ওইনা নোংমৈ পাইখিবনি। ইংলিস পাবা অমদি থঙবা ঙম্বা মীওই অমত্তা ঐগী কোক্তুংদা লৈতে। অদুম ওইনমক নংগী চিঠি অসিনা লাল হেক লেপ্পগা থারকপনিনা নহাক লাল তোকপা পায়রে হায়না ঐনা লৌরে। নংগী সিকাইশিংনা খুৎলাই থাদোক্রবদি ঐহাক থুনমক নংগা শান্তি ওইনা তাইশিন্নগনি[৩৬]।" মহারাজ কুলচন্দ্রসিংহ অমদি মনাও ইবুংঙো টি.কন্দ্রজিৎ সিংহগা হাকথেংনমা ঊনরগা অকুপ্পা বায়োল ঙাংনমিংবদগী চিঠি অসি থংবগা কুইন্টনা কর্নেল স্কীন, গ্রীমউড, লেফ্টেনেন্ট সিম্পসন অমদি মিঃ কোসিন্স অদুগা গুর্খা বেতুল থোংবা অমগা লোয়ননা সনাকোক্তুংদা চংলকখি[৩৭]। আসামগী চিফ কমিশনার অমাদি অতৈ সাহেবশিং অসিনা সনা কোক্তুংদা চংলকপা অসি লাল লোয়থিবদা ঙায়রিবনিনা মখোয়বু ঙাকশেনবা মীওই পুরগা নত্রগা মহারাজদগী মখোয়বু ঙাকশিনবা যাবং লৌরগা চংলুকম থোকপনি। অদুবু ওকচাও থেক্রবা কুইন্টনা মখাবু অমদি অতৈ সাহেবশিং অদুবু ঙাকপিনবা সনা কোক্তুংদগী মতেং নিখিদ্রে।

সনা কোক্তুং খোয়রগা ইংরেজ অফিসারশিং অমদি মণিপুরগী অতম অখো মরাম্না মতম কুইনা বারী শানরবত্ত নাকল অনিমক্তা যানবা যাবা যাকম অমদা পুরক্নবা হোৎনবদি থক ঙমখিদ্রে। মতম অসিদা মণিপুরগী সিকাই মরাম অমদি প্রজা মরাম্না করি যায় তাগথুবগে হায়বদু থজগদবগী মপান্দা যাম্না লাংতক্না খায়রম্মী। যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎনা আসামগী চিফ কমিশনারদা ইংরেজ সিকাইগী খুৎলাই মণিপুর সরকারদা শিন্নরবত্তদা বা ঙাংনগনি হায়রম্মী। অদুবু ইংরেজ সিকাইগী খুৎসাইদি ইংরেজ রাণীগী মপোৎ ওইবনা রাণীগী মবা তাদনা

(৩৫) মথক্কী লাইরিক্কী লমাই ২১৪—২১৫।

(৩৬) মজুমদারগী 'ব্রিটিশ পেরামাউন্টসি এণ্ড ইন্ডিয়ান রিনাসাঁ'গী লমাই ১২৫ দা ইরিবা অদুমক।

(৩৭) মিসিজ গ্রীমউডকী মথক্কী লাইরিক্কী লমাই ২১৭।

মণিপুর সরকারদা শিরবা ওন্নাই হায়না তুইন্টরা থুরম্মী। যুবরাজনা অমুক্তা হয়া হায়খি, "মহাক্না ত্তোরকপা থোবাং মমাম আসনা ঐখোয়বু শাজহন্নবা অমা পীরে। ঐবু কাননবা হোৎনবা, ঐগী যুমদা অহিংদা লান্দাবা, ঐগী ইনাই ইশন হাৎপা, মণিপুরী লাম্নী হাৎপা, লৈকাই মমাম মৈ থাবা ইংরেজ সিপাইনন্বি। মশা কয়নবা মণিপুরী লাম্নীশিংনা খুৎলাই পাইবনি, মণিপুরনা ইংরেজগা লাল ত্তোননিংদে অদুবু মহাক্নী সিকাইগী খুৎলাই মণিপুর সরকারদা শিরবদি নংনা চিন্নত্তা হায়বা অসিনদি ঐখোয়না নংবু অমুক হয়া থাজবা ওন্নরোই।" অদুম ওইনমক খুৎলাই শিরবগী বাকম অসিদি আসামগী চিফ ক'মশনারনা যাবা লৈখিদরে। তাইশিরবগী বা তাংনবা অসিনা মহৈ তাজ্মদা যুবরাজনা মনাও ইবুংঙো অঙৌসনা সেনাপতিবু সাহেবশিং অসি ত্তেক্তা কাইদনা হক্তখিবা য়ানবা কোন্থংগী সনথোং কাওবা থীম্নোকপীরনবা তাকপীখি। মতৌ অঙম্না সাহেবশিং অসিনা সনা কোন্থংদগী মপান্নোমদা হেক থোক্লকপদা হৌখিবা অহিংদা মমুম মকৈ মৈ থাবিথবা অমদ মচা মত্ত হাৎপিখিবা প্রজাশিংনা ইংরেজ অফিসারশিং অদুগী মথক্তা থজহৌদনা ফুজিনকখি। অহানবা খুৎমাবা ওইনা শ্রীঁমন্ডপ কাঙাউগী তানা লেংতুনা থুদক্ত শিরে। মকোক্তা থাংনা য়াক্কপদগী লেফ্টেনেন্ট সিম্পসন শাখিনা শোকতুনা লৈমাহদা হায়থখরে। লেমহৌরিবা সাহেবশিং অদুনা মকম মরাং খত্তদনা কোইচেল চেন্নিত্তৈদা মত্নাশিংনা চেনশিনজদুনা দরবার হোলগী থোং নমদুনা হাংদোক্লগা মথ্যাইদ কনবাখি। সাহেবশিংনা লাও থোংবা তারদুনা সজাই তান্না লেংলবা যুবরাজ হন্নক্তুনা সাহেবশিং অদুবু কনবিনবগীদমক দরবার হোলগী অকোইবদা সান্ননাক্তংবা থবীখি।

মতম অসিদা থাঙাল[৩৮] সাহেবশিংগী লাওথোংবা তারদুনা মকম অদুদা লাকখি। টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙাল, মত্ত মপু অনিনা লেমহৌরিবা ব্রিটিশ অফিসারশিং অদুবু করি করম্না ত্তোগদগে কয়া থমরম্মী। মনিংথখা ত্তমজবা মণিপুরগী মথক্তা লালহৌবা, মরাল লৈজদবা মণিপুরী প্রজাশিংবু হাৎখিবা অমদি ইংনা লৈজবা প্রজাশিংগী মমুম মৈ থাখিবগীদমক ব্রিটিশকী অফিসারশিং অসি মরাল লৈরবনি মরম অদুনা মখোয়বু প্রান দত্ত পীকম থোক্লবনি হায়না

(৩৮) জেনেরেল থাঙাল অসি থিংখৌ ত্তথা অত্তখনি। গম্ভীরসিংহ মহারাজকী মত্তমদগী থিংখৌ থমকপা যুপানি। লৌশিং চাওবা, মখোনা লৈবা অমদি ত্তুংদা করি থোক্লকদগে খত্তবা অত্তখনি। মহাকত্ত টিকেন্দ্রজিৎকুম্না মণিপুরবু যাম্নাংশুংশিংখিবা মীওইনি। মণিপুর ইতিহাসত্তা মহাক্নী অঙৌবা কীদা লৈবা অত্তখনি

থগাজনা যুবরাজদা হজংলম্মী। থাজালগী বাকম অসিনা অচুবা ওইরমত্ত মথাং মহারাজ অমদি অঙ্গম অখৌ রাওনা তিনবা দরবার অমা মথংগী চুমিত্তা তৌরগা সাহেবশিংবু মখোয়গী মতিক চাব দন্দ পীবা অসি যুবরাজনা থজালদা কোংদোক্লম্মী। মত্ত মপুনা বাকম অসি কন্না থম্নরিত্তৈদা যুবরাজদি হৌখিবা চুমিং হমিগী মথাংদগী এক্দশিগী পর্ব তৌখিবা, দরবারগীদমক লেংলকপদা রেসিডেন্সগী মথাংদা চুংগা কৌখিবা অমদি সনা হকচাং ইথিবা অচুপীত্ত মথক্তা থজাইদা লান্দ্রকপদগী মথং মথং ব্রিটিশকী লান্মীশিংগা থেংনখিবা লাল মরাম অসিগী অরাবনা চোকথখিবদগী কম্না কন্না তাইহাক্তং চেপ্লম্মী। যুবরাজনা চেপখিবগী থুদোংচাবা লৌরজনা থাজালনা য়েংকারবা (লেংখোয়বা?) কৌরগা যুবরাজনা মঙোন্দ (থাজালদা) ব্রিটিশকী অফিসারশিং অদু কিগাং শেংপশিংদা পীখোকখ্রে। হায়বা সনা য়াথং তৌরম্ম হায়না থঙহনাথ। মতৌ অঙম্বা সাহেব মরি অমদি ভুর্থাগী বেজল খোংবা অদুবু অঙাং ওলহনখ্রে। আসামগী চিফ কমিশনার অমদি মহাক্তা চৎমিন্নখিবা সাহেবশিং অদুনা হল্লকপা মরৈত্রবা অমদি সনা কোম্ব লোমদগী রেসিডেন্সি তম্না নোংমৈ কাপ্পা অমুক হৌগৎলক্লবা অদুদদি মণিপুর অমসুং ব্রিটিশ লৈবাক অনি অসিগী মরক্তা শান্তি ওইনা তাইশিন্নরক্তনি হায়না খল্লবা রেসিডেন্সদা লৈহৌবা ব্রিটিশশিংগী আশা অদু মাংখিরম্মী। মতম অদুদদি রেসিডেন্সিবু ডাক্লবগী বাকমত্ত লৈরমত্রে মরমদি গভর্ণমেন্টকী ট্রেজারিদা থাক্লনা থম্বা নোংমৈ মরু অদুক্তাওবা লোম্নখোকখ্রবনি। মবম অদুনা খৃঃ ১৮৯১ গী মার্চকী তাং ২৫ দা লেপ্টেনেন্ট গোর্দোন অমসুং বোইলুনাচিংতুনা গুর্খা সিপাই ২০০ অমদি লৈখিত্রবা এজেন্টকী হুপী মিসিজ গ্রীমউড লোয়নবা কাংবুনা তোংজৈ মরিলগী লম্বীদা কছাড যৌখিনবা চেল্লকখি। মখোয়না চেনখিবগী পাও অসি তাবগা বিসেনপুর, লৈমতাক অমদি থৌবুমদা লৈবা পুলিসকী থানাশিংদা মখোয়বু গীংনবা সনা কোম্বুংগী য়াথং পীখি। অদুম ওইনমক মিসিজ গ্রীমউডপুদি চেনখিনদা থী বিক্রম হায়না সনা য়াথং থঙহনখি। মণিপুরদা লাকখিবা টেলিগ্রাফকী সুপরিন্টেনডেন্ট মেলভিল অমদি মহাক্কা লোয়নরকপা মিঃ ও ব্রাইন হায়বা সাহেব অনি অমত্ত মণিপুরদা থোক্লকলবা ইরাং মরাম অদু থঙবদগী তম্মু তারা চৎকনি হায়না হোৎনরবা অদু তোক-খোক্লনা খৃঃ ৮৯১ গী মার্চ তাং ২৩ দা কোহিমাগীদমক মণিপুর থাদোকখি। তাররগা অঙাং ওলহল্লু হায়বা সনা কাম্বুংগী য়াথংগী সাহেব অনি অসিবু চরাই থাজালনচিংবা মথাংথাংগী প্রজাশিংনা ফারগা মার্চ তাং ২৩ গী লোংতাজবাইদা

মরাংথাজা অঙাং ওলহনখি৩৮এ। অদুম ওইনমক থিসিল গ্রীমউদ অমদি মহাকী লোয়নবশিং অদুদি থোইদোকপা খুদোং থীবা যাওদনা কছাড় লৌনবা নানথোকতুনা চেনবা ওমখি।

মণিপুরগী যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ সিংহবু দরবার তৌরগা কাগদৌরিখনি হায়দুনা দরবারদা লাকপিনবা কৌরুবা অসি আসামগী চিফ কমিশনার কুইন্টনগী যায়া চাউথবা অপোইবা অমনি হায়না ভারত সরকার অমদি ব্রিটিশ সরকারনা খুম্মখি। অদুম ওইনমক মতম অদুগী ভারতকী ভাইসরোই ওইরবা লর্ড লেন্সডাউনদি আসামগী চিফ কমিশনারবু শোপংখি। মহাক্না সেক্রেটারী অফ ষ্টেট তা অহয়া পাও থাখি: "........মথা পোনবা নেটিভ ষ্টেটস্‌শিংগী নিংথৌ খুডম শিন্নবগী বাকমদা করি করম তৌগদগে হায়না রায় ভাথোকপা হায়বসি ব্রিটিশ গভর্ণমেন্টকী মথৌ অম'দ মশিলনি·...মণিপুরদি মথা পোজবা নেটিভ ষ্টেটনি। লৈবাক অসি ঐথোয়না বর্ম্মাদগী কনবিবনি। মণিপুরগী নিংথৌ খুডম শিন্নবা থুদিংদা ঐথোয়না যারকুবনি অদুগা মরম কয়াযক্কমদ্ত লৈবাক অসি ঐথোয়না ডাক্কুবনি·· ...ঐথোয়না নি'থৌনি হায়দুনা যায়বা মীওই অমগী মথক্তা লাল হৌরগা লালহৌবা কাংকুমা মায় পাকথবদা মথোয়বু ঋন্দি পীদনা লৈথোকপা অমদি মণিপুর পুম্নমক্কী লৈবাক ডাক্কবগী শক্তিনা সেনাপতিগী (টিকেন্দ্রজিৎ) মথুক্ত লৈখিবা হায়বসি ঐথোয়না থক যাবা ওয়দে......সম্রাপতি অসিনা খৃঃ ১৮৯০ গী সেপ্তেম্বর লালহৌগী সুচি'বনি....... ··হায়রিবা বাকম মরাম অসি লৈবনা সেনাপতিবু মাগী মরৈবাকী বা'মদা পুথোক্লগে হায়বসি ঐথোয়না লেপ্লে...... কুইন্টনা তৌখিবা থৌরাংগী (সেনাপতিবু দারবারদা কানবা হোৎন-খিবা) অচুম চুথদগী মরমদা থম্নরবত্ত সেনাপতিবু কারগা মরৈবাকী বাংমদা পুথোকখিনবগী বারম যাওবা ঐথোয়গী রায় অসি দরবারদা হায়দোকপদা

৩৮এ। চরাই থাজাল হায়বসি থাঙ্গাল হাওবুলগী লুচিংবনি। সাহেব অমি অসিনা চেনকপদা মহাক্না থাংবা, থাংলুবা অমদি অথুম্রাচিংবা থাঙ্গাল থুমগী প্রজাশিং যাওনা সাহেবশিংবু কাবগা মরাংথাংদা সনা কোম্নুংগী যাথংদগী মার্চকী তাং ২৪ গী লোংঙায়মদাইদা অঙাং ওলহনখি। মরাল অসিগীদমক চরাইবু ব্রিটিশনা ফাঁসি তৌদুনা হাংখি: লেথক্না মথাংথাংদা ডীমাপুর নাকীগী হেক লোংপোক্তা লৈরিবা কেন্দ্রভিল অমদি ও ক্লাইনগী লোংফম তৌবা মতমদা থাঙ্গাল থুন্দা চৎতুনা যাক্নী চাথোং থীজিনবদা থাঙ্গাল থুম্নাকপা টাঙ্কু অমদি চরাইগী মত্ত সুংথোকুংনা থীক্নকপা যারীদগী।

অয়াবনা করিত্ত লৈতে ....[৩৯]। ব্রিটিশ সরকারনী ভারত সরকারনা চকখিবা লৌমিসি অসিদা য়ানখত্ত অহুগা কুইন্টনবু সরকার অসিগী মায়কৈ চৎপা বিশ্বাসঘাতক অমনি হায়না থম্বা অহু কাওবা তাকপিখত্ত ঊসব কেনাইমকা হৱবার তৌবনি হায়বা সংসার পুম্নমক্না খঙনরিবা মাকম অসি হন্থোক্লবা টিকেন্দ্রজিৎপু দরবারদা কৌরগা ফাওনি হায়দুনা হোৎনখিবা থৌরাং অসিমদি য়ায়া থীনা নিঙ্গা তৌখি[৪০]।

যুবরাজবু মণিপুরগী বাংমদা পুথোক্কবা হোৎনখিবা অসিগী মরু ওইবা মরমদি খৃঃ ১৮৯০ গী কোহুং লানহৌ অহুদা টিকেন্দ্রজিৎ সিংহত্ত য়াওই হায়না চিংনখ্রবনি। মাকম অসি কুইন্টনা খৃঃ ১৮৯১ গী মার্চ তাং ২৩ গী মমাংদদি টিকেন্দ্রজিৎ সিংহদা থক থঙহনখিদে। মরম অহুনা আসামগী চিফ কমিশনারনা ভারত সরকারগী মাথেপ অসি পাংথোক্লবা হোৎনবগী মতাংদা য়ায়া শাথিনা অয়ানদা অমা লেমখে। যুবরাজবু মণিপুরগী বাংমদা পুথোকখিবা হায়বসিত্ত পুন্সি চুমগী মত্তে। মরাম্ব‌ং মহারাজনা থুপথবা মতুংদা মণিপুরদা অমুক হন্নক্লনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইগদবনি। মারম অসিত্ত আসামগী চিফ কমিশনারনা যুবরাজদা মত্তম চানা থঙহনখিদে। মারম অসি যুবরাজদা থঙহনবদি লাইরকুনা কুইন্টনা যুবরাজগী শঙাইদা থঙহৌদনা লান্দাথি, গার্ড অমদি শঙাই ইখুংগী মনাই মশল হাৎখি অহুগা লৈকাই কয়ামকমবুত্ত লৈ থাখি। মরম মরাম অসি লৈনক্রগা আসামগী চিফ কমিশনারনা যুবরাজবু মণিপুরগী বাংমদা পুথোক্লবা হোৎনবা অসি লৈবাক মচা তাবা মতুংদা হোৎনরম্ববদি খৃঃ ১৮৯১ গী অবাবা মরাম অসি থোক্লমদরত্ত য়াথনি।

খৃঃ ১৮৯১ গী মণিপুরগী লাল :

আসামগী চিফ কমিশনার অমদি লোয়নবা সাহেবশিং অতাং ওনহনখিবগী পাও অসি ৪২তবা গুর্খা রাইফলগী জমাদার বিরবল নগরকোটিনা সিফাই ৩০ গা লোয়ননা তুমু তাম্না চৎখিদুনা ১২তবা মাদ্রাজ ইনফেন্ট্রিগী লেফটেনেন্ট জি:জে: দবলিউ: গ্রান্টতা তমখি[৪১]। পাও অসি কংবগা গ্রান্টনা ভারত সরকারদা টেলিগ্রাম তৌরগা মহাক মশানা মাদ্রাজ ইনফেন্ট্রিগী লাম্মী ৫০ অমদি

৩৯। ভাইসরোইনা সেক্রেটরী অফ ষ্টেটতা তৌবা টেলিগ্রাম, ৫ জুলাই ১৮৯১।
৪০। সেক্রেটরী অফ ষ্টেটসনা থারকপা ডেস্পেচগী মশিং ৯, ২৪ জুলাই ১৮৯১।
৪১। ফিসিক্স শ্রীবস্তবকী মথক্কী লাইরিককী লমাই ২৮৯ - ৩৯৫ দা গ্রান্ট মশানা মহাক্না থেংনখিবা থৌদোকশী মরমদা ইকবা অহুদগী।

নগরকাভিনা লোয়নরকপা গুর্খা সিকাইশিং অহু পুরক্লুনা খৃঃ ১৮৯১ কী মার্চকী তাং ২৮ দা তুম্মদগী মণিপুরগী কোঙ্গুং তম্না হাপখৎলকখি। গ্রান্টনা লান্থারকপগী পাও ফংবগা মনা কোঙ্গুংগী লাম্মী ১০০ য়েনখোম্বা মেজোরনা লুচিংলুনা লান থীংনবা থারকখি। মণিপুরী লাম্মীবা গ্রান্টকী লাম্মীবু ইম্ফালদগী মাইল ১৪ য়োম মখা থংবা মায়কৈদা হায়থরগা লৈবা থৌবালদা থী লুনা থমখি। মনাগ্গা মাইক্লুলাকপা অমদি মজাইবুংতো শক্লোইসনা মণিপুরী লাম্মী ১০০ পুরক্লুনা য়েনখোম্বগী মতেং পাংবা থৌবাল তান্না লাকখি। থুংথেংনবা শোক্লবা লানকপদা মনগ্গা মাইক্লুলাকপা অমদি মজাইবুংতো শক্লোইসনা মনাগী থর্ম কংখি। থৌবাল ক্লুরেল লানগে হোংনবদা মণিপুরী লাম্মীগী গুলিনা পাক্লুনা গ্রান্ট অমদি নগরকাভি শিবা য়ানা শোকখি। নাকন অনিমকী লাম্মী যান্না শিখি। হিংহৌরিবা ইংরেজ সিকাইশিংনা গ্রান্ট অমদি নগরকাভি পুক্লুনা লান হল্লোকখি[42]। লান হল্লোকখিবা ইংরেজ সিকাইশিংবু মণিপুরী লাম্মীনা তায়খি। অতুম ওইনমক মেজোর লেসলি অমদি কোঙ্গনা গুর্খা লাম্মী ৪০০ মাউন্টেন গন অনি পুক্লুনা গ্রান্টকী মতেং পাংবা লাকখিবদগী হল্লোকখিবা গ্রান্টকী লাম্মী কাংবু অহু মথ্বাই হীংখি। অমৌবা থাজিরকদবা ইংরেজগী লাম্মী ডাইক্লুনা লৈয়ু হায়বা ভারত সরকারগী পাও ফংবদগী লেললিনচিংবা ইংরেজগী লাম্মী অহু ঈম্ফালদগী মথারোমদা মাইল ২৩ চথরগা লৈবা পলেলদা লানথন শাক্লমা লৈখি।

গ্রান্টনা তুম্মদগী তৌথবা টেলিগ্রাম অহু ফংথগা ভারত সরকারনা খৃঃ ১৮৯১গী মার্চ তাং ৩১ দা মণিপুরগী মথক্তা লান তৌয়ে হায়না লাওথোকখি। মণিপুরবু মাইগৈ অহুমদগী, অবাংলোমদনা কোহিমারোমদগী মথারোমদনা তুম্বু রোমদগী অহুগা নোংচুপলোমদনা তোংজৈথরিলগী লথীদগী ব্রিটিশ লাম্মী থেজোল অহুম্না লান্থারকখি। মণিপুর লান অসিগী লুচিংবা ওইনা জেনেরেল কোলেটপু ওভরওল কম্যান্দর হাপখি। অতুম্না কোহিমারোমদগী চংলকপা থেজোল অসি ৮ত্তবা বেঙ্গোল মাউন্টেন বেটারী (সেভেন পাউন্দরগন মরিগা লোয়নন্না), ১৩ত্তবা অমদি ৩৩ত্তবা বেঙ্গোল ইনফেন্ত্রিগী সিকাই যয়াম জেনেরেল কোলেটনা লুচিংলুনা চংলকখি। কোহিমারোমদা চংশিল্লক্লিবা ইংরেজ থেজোল অসি মনথু্গা থুরাই লাকপদা লাম্মী ১০০০ গা লোয়ননা থেংনখি। মাইকৈ অশোমদা লাজংথিবা মণিপুরী অথৌবশিংগী মরক্তা লাইশ্রম অঙুবান মেজোর, মাবা

৪২। সেক্সপিয়র, কর্নেল, হিষ্ট্রি অফ দি আসাম রাইফলস, লমাই ১৭৮—১৮০।

তাম্বসিংহ সুবেদার, হৈক্রুজাখা পোইনানচিংবা শিংথানবা য়াই। তোংজৈ মরিক্তোমদা লাকখিবা ইংরেজগী লান্মী অসি ৮শুবা বেঙ্গোল মাউণ্টেন বেটারী (সেভেন পাউন্দর গন অনিগা লোয়ননা), কলিকতা ভোলুণ্টিয়ার রাইফল কোর্স, ৩শুবা বেঙ্গোল ইনফেন্ত্রি, ১৩ শুবা বেঙ্গোল ইনফেন্ত্রি অমদি গুর্খা রেজিমেণ্টকী অহানবা বেটালিয়নগী সিকাই ময়াম য়াওরকখি। তেজোল অসি লেপ্তেনেণ্ট কর্ণেল রেনিক্না লুচিংদুনা লাকখি। সনখ্‌রা কালামনানা লুচিংদুনা মণিপুরী লান্মী ১০০০ না তোংজৈমরিলদা লান্দারবগা ইংরেজগী সিকাইশিংবু লাইমতোন চাংখক্কা থিংখি। মাইকৈ অশোমদা সনখ্‌রাগী তুং ইনখিবা মণিপুরী অশুম অবৌশিংগী মরক্তা ডানবা লৌরুং পুরেল, য়েনখোইবা পোইনা, লোংজম পোয়লানচিংবা শিংথানবা য়াই। তুম্‌বুরোমদগী চংলকখিবা ইংরেজগী লান্মী তেজোল অসি ২শুবা মাউণ্টেন বেটারী রোয়েল আর্টিরী (সেভেন পাউন্দর গন মরিগা লোয়ননা), ৪শুবা বেটালিয়ন কিংস রোয়েল রাইফল কোর্স, ৪শুবা গুর্খা রেজিমেণ্টকী ২শুবা বেটালিয়ন অমদি মান্দ্রাজ ইনফেন্ত্রিগী ১২শুবা রেজিমেণ্টকী সিকাই ময়াম জেনেরেল টি: গ্রাহাম্না লুচিংদুনা লাকখি। মথক্কা নৈনখ্‌রবা গ্রাণ্টকী লান তকখোকখিবা য়েনখোয়বা মেজোরনা মণিপুরী লান্মী ১০০ কা লোয়ননা মাইকৈ অশোমদা চংশিন্নখিবা ব্রিটিশকী তেজোল অসিবু পলেল মক্তা থিংখি।

কোহিমারোমদগী লাকপা ব্রিটিশকী তেজোল অসিদি মণিপুরী লান্মীশিংনা ময়াংখাংদা তেজোল শাদুনা থিংখ্রে। মণিপুর লাল অসিগী ওভরঅল কম্যান্দর জেনেরেল কোলেট মশামক্না লুচিংবা ব্রিটিশকী তেজোল অসি মণিপুরী লান্মীবু মাইথীবা পীবা তমদদুনা লাল হন্দোক্লনা লৈখ্রে। তোংজৈ মরিলগী লালদি য়াম্না কম্না শোরুখি; লাইমতোন চাংখক্কা লানবন শাদুনা থীংলবা মণিপুরী তেজোল অদু থাংজম যোগেন্দ্র সিংহ, খুমন্নেম পাখর অমদি চাওগী মীওই কয়ানা অখুম্না লবী ময়াম ব্রিটিশ লান্মীগী লুচিংবদা তাকখোকখিবদগী মাইকৈ মখি মক্তা থোক্না মণিপুরগী তেজোল মথক্কা ইংরেজ সিকাইশিংনা লান্দারকখি। থাংবা বারবা সনা কোঙ্গুংগী লান্মীনা বিষ্ণুপুর মরা তাম্না লাল হন্দোক্লনা ইংরেজ লান্মীবু থীংখি। য়েরুবগী লান্মীনা অশুম খোমজিন্নকপা মণিপুরী লান্মীবা মরোং অশুম তাথরকপা অদুদা মজা ইবুংঙো কালাসুনানা অনৌবা লান্মী অমদি তোপ থাখিরক্লবা সনা কোঙ্গুং তাম্না পাও থারকখি। অদুবু মতম অদুদা পলেল মাইকৈদগী তকশিন্নকপা ব্রিটিশকী অচৌবা লান্মী তেজোল অদু থীংনবা অবৈবা মণিপুরী লান্মী ময়াম থাজিনখিবদগী তোংজৈমরিলগী মাইকৈদা মণিপুরী লান্মী

অমুক থাবা ওৎথিরে। নিংতম্বী মতম লোইশিল্লকলোরে থওলবা মণিপুরী লান্মীগী লুচিংবনংলেমহৌরিবা লান্মীশিংগা লোয়ননা অনৌবা লালওং কয়া পুখোক্তুনা ব্রিটিশকী লান্মীবু খীংনবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মণিপুরী তেংজোলগী কীতম অসি তাওবা হৌরক্লদুনা লাজগী য়াম্না লুরবা মতাং অমদা লাকপা হৌখ্রে। মথংদা কয়ি থোক্লবা মীপুম খুদিংনা ডাইহুনা লৈনখ্রে।

খোংজমগী লান:

খৃঃ ১৮৮৫ গী মতুংদদি বর্মা পুম্নমক অসি ব্রিটিশনা লৌশিনখ্রবনিনা কলিকতাদগী রেঙ্গুন, মন্দালে, নিংথি তুরেল অমদি তুম্মু তাবা লম্বী অসিনা চৎথোক চৎশিন তৌবা মতমদা য়াম্না খুদোংচাবা অমা ওীখ্রা হৌখ্রে। ভারত সরকারনা মণিপুরগী মথক্তা লাল তৌরে হায়দুনা লাওথোকখিবগা জেনেরেল গ্রাহামগী মখাদা মথক্তা পনখ্রবা সিকাই ময়াম অসি কলিকতাদগী তুম্মু তাবা মথং মথং থারকখি। ব্রিটিশকী লান্মীশিংনা ইঙ্গোত্তুনা থোমাজল্লকপা অসিদা খীংবা ঙানা খোক্লদুনা মণিপুরী লান্মীগী লুচিংবা মেনখোয়বা মেজোরনা সনা কোম্বুংদা অথোইবা লান্মী অমদি খুৎলাই থাজিনবিরক্লবা পাও থাখে। মরেবাকী লুরবা তাংকম লাক্লদুনা বরাচাউবগী লালহৌদা য়াওকবগী অবাকম তাদুনা লৈরম্বা চোংথামীয়াবু মহারাজ কুলচন্দ্র। মেজোর কম থীন্দোক্তুনা মণিপুরী লান্মী ৬০০ কা লোয়ননা খোংজোমদা লানবন শাদুনা লৈরিবা য়েংথোয়বগী তেঙ্বাংনবা থারকখি। চোংথামীয়াগী তেংজোলনা থুংলরবদা ঙানা থাংজম্বা মণিপুরী লান্মীশিং অদু অনৌবা পাজণ ফংলদুনা ব্রিটিশকী লান্মীবু ভকথোক্লবা হোৎনরক্লে। অদুবু ব্রিটিশকী লান্মীশিংনা অতম অতম ভকশিল্লকপনা হেন্দুনা মণিপুরী লান্মী পুম্নমক ঙানা থাংবা হৌরক্লে। লান্মীগী লুচিংবা অসিনা সনা কোম্বুংদগী অনৌবা লান্মী অমদি খুৎলাই নিখ্রে। খোংজোম মায়কৈরোমদা মণিপুরী লান্মীশিংনা থাংলিবা অবাবা পাও অসি ফংবগা মণিপুরী লান্মী ৭০০ কা লোয়ননা ঙাংথৈ মৈরাবা মেজোর খোংজোম পাংনা যাত্রা তৌরক্লে।

কয়া শোক্লরিবা খোংজোমগী লান অসিদগী মণিপুরী লান্মী উদম্মনবা হোৎনরগা নাথৈদুনা লাকপা অথম্বা ইংরেজগী লান্মী ৫০০ থক সনা কোম্বুং তাথিনবা ঙাংজিং ময়াদা হায়জিল্লক্লখী। মৈরাবগী তেংজোলনা খুমাং চাওশিল্লকবা ব্রিটিশকী লান্মী কাংবু অদুবু ঙাংজিংদা কৈগাক খীংথরে। মৈরাবা অমদি মণিপুরী লান্মীগী মমাংদা থাংবা ভমত্রদুনা খুমাং চাওশিল্লকপা ইংরেজ সিকাইশিং অদু মায়কৈ থঙদনা কাইদুনা চেনখি। অদুম ওইনমক খুৎথোংনা শোক্লবা

লানথম অদুগা মণিপুরী লান্মী কয়া অমদি বাংথৈ লৈরাবা সনাতন ধর্ম কংখি। মৈরাংবগী তেঙ্গোলগী লেমহৌবা লান্মীশিং অদুনা থোংজোমদা শাবিরা মণিপুরগী লানবন ভান্না চংখিদুনা মৈরাবা লৈখিদবগী বারী বাথোং তমখি। মৈরাবা লৈ'থবগী পাও তাবগা বরাচাউবগী লালহৌদা রাওরবগী অবাকম তাদুনা লৈরবা পাওনা ব্রজবাসিবু মেজোর কম থীন্দোক্না মণিপুরী লান্মী ১০০ অমদি হৈরাংখোংজা মেজোরগা লোয়ননা থোংজোম ভান্না থারকখি। খৃঃ ১৮৯১ গী এ'প্রল তাং ২০ দা ব্রজাবাসি "হল্লকপা তারগনা যাই পাক্না লানথম কীরাল পুরগা হল্লকপা ওযদবা থোক্লগনা যাই ওন্দবা লানথমদা ইরৈবাকীদমক সনাতন ধর্ম কংজবা" হায়বা অচেৎপা বাশক লোয়ননা থোংজোমগীদমক থাহ্রা থোখি। ব্রজাবাসিগী তোঙ্গোলনা বাং'অং মৌরকপা মতমদা চুজোয়সনানচিংবা পাওনাগী সেথক মণিপুরী নহারোল কাংবু অমা ওবাগী থৌগল ইনগনি হায়দুনা ওইহনা লৈরম্লে। মৈরাবগী তেঙ্গোলগী লান্মী অমদি ইংরেজ লান্মাগী অশিবা হকচাংসা লরেং ওইনা তাদুনা লৈরিবা অদুগী মরক্তা তাদুনা লৈরিবা মৈরাবগী হকচাংদা লমথাং খুল্লক্না কুপ্পগা মকপ হাংথিবগী লমদ শিংগে হায়বগী অশাওবা বাথল অমগা লোয়মনা পাওনাগী তেঙ্গোলনা থোংজোমদা থুংলখি।

ব্রজবাসিগী তেঙ্গোলনা থুংলরবদা মণিপুরী লান্মী পুম্নমক অনৌবা থৌনা অমদি পাকল কংখ্রে। অদুম ওইনমক ব্রিটিশকী লান্মীনা লাংথেন চীং, খুনাদা চিংজেন অমদি মনাক্তা লৈবা চীংকমশিং অদুনা তোপ থিজগা থেবচীং অমদি লাংথেন চীংগী মরক্তা লৈরিবা লমুক লমহাং অদুদা তেঙ্গোল থাদুনা লৈরিবা মণিপুরী লান্মীগী মথক্তা কাপথরকপগী সনা কোম্ফগী লান্মীনা থাবা থাংদুনা লৈরবা অদু পাওনানা তশেংনা উখ্রে। মরম অদুনা অনৌবা লালহৌং অমদা থেবচীং মথক্তা তেঙ্গোল শাবা অম নম্নগনা থো'জোম থাদোক্লগা ককচীং পম্লোমদা চংখোক্লগা চীংগী মকমদা চত্নুা ইংরেজ লান্মাবু থুগাইবা অদুগা পন্নিং পুদুনা থৌবালদা লৈহৌবা বাংথৈরাকপাগী তেঙ্গোল অদুনা নাকোইদা চীং লম্বীদা লাক্লগা ওইওইনা ইংরেজ লান্মাগী মথক্তা লান্দাবা অসি ব্রজবাসিনা হৌদোক্লমী। অদুম ওইনমক পাওনাগী লালওং অসি চোংথাম্বীবা অমদি লেমথোরকনা শিরমথৈ যারমদে। লুচিংবা অনিনা য়াত্রবা অদুদদি জৌনিংগাই উপাই লৈতদুনা থায়া শোক্লরবা লালওং অদুদা কোম তৌরগা শোক্লবা হায়বা অনৌবা মওং অমত্তং হাপচিল্লগা অদুমক লাংহেনবদা তারম্মী।

চাংথক্তগী কাপথরকপা ব্রিটিশ লান্মীগী তোপ শুদিনা মণিপুর লাম্মীগী অকোইবদা নোংচুবক্তম তাথরম্মী। রাজকুমার চাংলেন সনা পনম্যাং পুক্না লৈরিবৈদা বমদীয়ার মরুনা পান্দুনা সনাতন ধর্ম কংখি। মণিপুরী লাম্মীনা কান্না নোংবৈ শুদিনা ব্রিটিশকী তেজোল য়োবা থক ওমদবা অছু হৈরদুনা তোপ য়াওথ্রবদি য়ারোই থমদুনা পম্নিং পুরিবা বাংবৈয়াকপদা সনা কোয়ুংদগী তোপ পুরক্কবা পাও থাখি (মতম অসিদা মণিপুরদা তোপ তক্কক লৈরে)। শগোল পাও অহমলক থারবদস্থু সনা কোয়ুংদগী তোপ পুরকপা লৈখিদ্রে। কম্না শোক্কবা মাইয়োক্কবা লানকম্নি — কনানা কনাবুত্ত ডাইবিদে। খৃঃ ৮৯১ গী এপ্রিলগী তাং ২৩ গী ত্থুমিৎ তারকপগা লোয়মনা মণিপুরী লাম্মী কম্না মরৈবাকী নিংত্তবা ডাক্কবা হোৎনবদা শহিদ ওখ্রে। অরোইবা থুমিংকী মশেক্কা লোয়্রনা ব্রজবাসি থবচী থোংদা বৃন্দাবন যাত্রা ওখি[৪৩]।

থোংজোম লানদা মণিপুরীশিংনা মাংথীগী পাও অসি সনা কোয়ুংদা হেক য়োরকপগা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ সিংহনা থোংজোম য়োনবা লাল চংজখ্রগে হায়দুনা ময়াম্নুংদা হজৎলম্মী। মতম অসিদদি থোংজোম মাইকৈরোমগী অবাবা পাও অসিদা নত্তনা অবা অমদি মনিংলোমদা ইংরেজগী তেজোল ডাক্কিবা লাম্মীশিং অদুম মাইথীরে হায়বা পাও ক লম্মী। তেক্কবনা মাইকৈ থুদিংদগী থোমজল্লক্কবা অসি থিংথিরবা মণিপুরী লাম্মী লৈজ্রবনা অমদি চিরবা তাঞ্জা অসিদা সনা কোয়ুং শেল্লিবা যুবরাজনা কোয়ুং থাদোক্তুবা চৎখিবা হায়বা খবম অসি কুলচন্দ্র মহারাজ অমদি অতোপ অথৌশিংনা য়ানখিদ্রে। মণিপুরদা থোক্কিবা অবাবগী পাও অসি ফংবগা কছাড়, ঢাকা, শিলং, গোলাঘাট, অমদি নংদীগ্ধা লৈবা মণিপুরীশিংনা ব্রিটিশকী মথুক্তগী মরৈবাকপু কনবা তমত্রা খংগে হায়বগী বাখল অমা চপ মায়না কাওরকখি। অদুম ওইনমক মথোয়গী মতেং অদু মণিপুর য়োরকপা তমজিবৈদা জেনেরেল কোলেটকী তেজোলদনা সনা কোয়ুং পাইবনা হানখি। মতৌ অদুম্না মৈহৌরোলদগী মনিং মথা তম্না পাক্কবক্কবা মণিপুর খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল তাং ২৭ তা ইহান হানবা ওইনা ব্রিটিশ সরকারগী

(৪৩) ইস্কাললগী মাইল ১৯ থক মথা পাংনা চৎথরগা লৈবা থেবচীংল মেজোর জেনেরেল পাওনা ব্রজবাসিগী মিংশিংমথা থিজিবা পুং অদুগা অত্তুনা হক্কি: "চহি ৮৮ শুরবা মণিপুরগী অথৌবশিংগী অথোবা মেজোর জেনেরেল পাওনা বজবাসিনা মরৈবাকীদমক থীওইবদা ডক্কবা লান থেংনরগা খৃ ১৮৯১ গী এপ্রিল তাং ২৩ দা সনাতন ধর্ম কংখি''।

মীনাই ওইবা হৌখি লোয়ননা মতম কুইনা কাংলাদা হাযনা অমা পাইগক্লবা নিংতম্বা মণিপুরগী পাংবা য়েকপা কীরাক চিংথখিদুনা ইউনিয়ন জেক্লা মণিপুরগী অফিসদা পাইবা হৌখি[৪৪]।

খৃঃ ১৮৯১ গী মণিপুর অমদি ব্রিটিশকী লান অসিদা মণিপুরমা মাইথীবা নংখিবা অসিগী মরম থীবদা থোইদোক্লা বানা থোক্লোই। মরমদি ১৯ শুবা শতাব্দীগী লোয়রমদাই অসিদদি পৃথিবীগী মকম খুদিংমক্তা ব্রিটিশকী মপাঙ্গল অসি শংন্দোক্লুনা লৈথব্রনি। "ব্রিটিশ সম্রাজ্যদা নুমিৎ তাদে" হায়বা হায়নবী অহুমক মতম অসিদা চপ চানা থোক্লরবনি। অম্মা হায়রবদা মতম অসিদা ব্রিটিশ অসি পৃথিবীগী খুন্দগী মপাঙ্গল কনবা জাতি অমা হায়বতু ওইরবনি। অদুগীতা মথক্তা নিংখিনা ভর্থীরবা অমদি অকথা খুন্থু খুনাই নিংখিনা পাইছনবা ইংরেজগী কংফাল অমগা ঈশিংগী অকনবা লাম্মীনি। মরম অদুনা মণিপুরগুম্বা অপিকপা লৈবাকমচা অসিগী বাদি থমথক্লুনা ভারত অমদি বর্মাগী অচৌবা লাম্মীশিং কাওবনা থীংবা ঙমখিদ্রবা ব্রিটিশকী পাঙ্গলনি। অমরোমদা য়েংলুবগনা মণিপুরগীদি মতম অসিদা ঈশিংগী লাম্মী লৈতে। শগোল তোংবা লাম্মী থারগা অপুনবা কংফানগী লাম্মী (রেগুলার) ৫,০০০ থক্তগী হেল্লমদে। মসিগী মথক্তা 'লালুপ'তগী কংফালগী লাম্মী (ইরেগুলার) ১২,০০০ অহগা লৈরম্মী। অদুবু অকোনবগী লাম্মী অসিগীদি মথোয়না পাইজনবা কৎশিন্নবা নোংমৈ অগুবী অদু কাওবা মণিপুরগী লৈজরমদে। রেগুলার লাম্মী ৫,০০০ অসিদং নত্তনা অকোনবগী ইরেগুলার লাম্মী ১২,০০০ অসিমদি খৃঃ ১৮৯১ গী লালদা শকক য়াখিদে। মরম ময়াম অসি নিংখিনা নৈনরগদি মণিপুর অমসুং ব্রিটিশকী লান অদুদা মণিপুরনা ওনরোই হায়রগী মচুং অমদি অহুম্মক উবা কানবনি। অদুবু যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ অমদি থাঙাল মেজর মপুনা লাল য়াওখিন্নবা ইরেগুলার লাম্মী ১২,০০০ অসি পুথোক্তুনা খৃঃ ১৮৯১ গী লাল অসি হাকথেংননা থেংনরবা থোক্লবদি করি ওইরম্বা য়াবগে হায়বা বাকম অসি মরৈবাকপু হুশিজবা মণিপুরীশিংগী থমোইদা মতম চুপ্পগী ওইনা হংদুনতা অহুম্মক লৈরগনি।

বিচার :

মনা কোম্বংনা ব্রিটিশকী মথুংদা পুমতা তাখিন্নিটৈগী মমাংদা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ সিংহদি মণিপুরবু অমুক্তং কনবা ওমদ্রা য়েংখিনবগী অমোইবা উপাই

(৪৪) রীড, সার রোবার্ট, হিস্ট্রি অফ ফ্রোন্টিয়ার ইরিয়াজ বোর্ডরিং অন আসামগী লমাই ৫৮।

থীনবা ওইনা অথুমা লৈবীদা লোৎখিরম্মী। মথৈখংদা চাইনা চৎলগা চাইনিজগী মতেং লৌরগা মণিপুরদগী ব্রিটিশ তাম্বোকে হায়না খনখি। বাকম অসি পাংথোক্লবগীদমক যুবরাজনা চসাদ কুকিশিংগী খুন্দা লোত্তুনা লৈখি। অশোয়বনা যুবরাজনা অথুম্না লৈবী হেক চংখিবগা মহারাজ কুলচন্দ্রক থাঙালনচিংবা অঙম অখৌ থরগা লোয়ননা অথুম্না লৈবীদা চংখি। মণিপুর লৌরবা মতুংদা জেনেরেল কোলেটনা মহারাজ কুলচন্দ্র সিংহ অমদি মনাও ইবুংঙোশিং অতুগা জেনেরেল থাঙালনচিংবা অথুম: লৈবীদা লোৎখিবা মণিপুরগী অঙম অখৌশিংগী লৈকম তাকপা অমদি মথোয়বু ফারকপা ঙম্বা মীওইশিংদা মনা চাওনা চাওনা পীগনি হায়দুনা লাওথোকখিবদগী মহারাজমচিংবা অঙম অখৌশিংবু লোৎজিবা খুনগী পৈশা পাম্বা প্রজা থরনা বিশ্বাসঘাতক ওৌবা হৌরকখি। মরম অসিনা মহারাজনচিংবা অঙম অখৌ অয়াম্বা খৃঃ ১৮৯১ গী মে তাং ২৩ গী অহুবাইদদি মশানা য়ানা ব্রিটিশ সরকারদা সরেন্দর তৌখি। পৈশা পীগনি হায়বা পাও অসিনা চসাদ য়োথুবদা পৈশা পাম্বা কুকি মীওই থরনা টিকেন্দ্রজিৎ যুবরাজগী লৈকম তাকথোকলোরে হায়বা পাও ফংবদগী যুবরাজনা তম্পাক তাম্না কুমথ-রক্লগা থেলেন্দ্র সুবেদারদা মশানা য়ানা সরেন্দর তৌখি।

অঙয়া মতম কুইনাগী মমাংদগী মাবুতা কানবা হোৎনবদা ব্রিটিশ অফিসার কয়াগী মঙক কেনথুবা অমদি মাবুতা কানবা হোৎনবদা খৃঃ ১৮৯১ গী লাঙ্গাও থোকথুবা যুবরাজনা মশানা য়ানা সরেন্দর তৌররবদা যুবরাজবু মমাসুং কুলচন্দ্র অমদি মনাও ইবুংঙোশিংগা লোয়ননা বিচার তৌনবা ভারত সরকারনা স্পেসিয়েল ত্রিবুনেল হায়বা লেপ্তেনেন্ট কর্ণেল সেন্ট জোন মিটচেলনা প্রসিডেন্ট ওইরগা মিলিটারী আফিসার অনি অমদি সিভিল আফিসার অমা য়াওবা কোর্ট অমা শেমখি। হায়রিবা ত্রিবুনেল অসিনা (১) চোংথামীয়া মেজোর ; (২) শমুসিংহ লুরাং নিংথৌ, (৩) নীলমণি সিংহ অমা পুরেল, (৪) লোকেন্দ্রজিৎ সিংহ থাংথৈরাকপা ; (৫) উক্ত সিংহ উসর্বা ; (৬) অবুংজাও য়েংখোম্বা, (৭) খম্বা সিংহ লাইশংবা, (৮) ঘন সিংহ থোংত্রা ; (৯) চাউবী হাবদর মচাহল ; (১০) থোজো সিংহ মরেংবা ; (১১) বোবি সিংহ নেপ্রা মচাহল, (১২) ত্রিলোক সিংহ নোংথোনবা সভঝাল, (১৩) থোনো সিংহ শগোলশেম্বা, (১৪) জেনেরেল থাঙাল ; (১৫) কাজাও · (১৬) নিরঞ্জন সুবেদার অমদি (১৭) চয়াই থাঙালবুস্থ

বিচার তৌখি[৪৪এ]। মহারাজ কুলচন্দ্র অমদি মনাও ইবুংঙোশিংবু (১) ভারতকী রাণীগী মথক্তা লাল হোৎবা; (২) ব্রিটিশ আফিসার মরি হাৎখিবদুদা ঊনশিনখিবা অমদি (৩) মীহাৎপগী মরাল লৈরে হায়না চার্জ তৌখি। জিবুনেল অসিনা মরাল লৈরে হায়না চার্জ তৌরিবা মীওইশিং অসিবু মণিপুরগী মপান্দগী উকিল লেপচবা ফাওবা যাহনখিদে। মরম অদুনা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎনা ইম্ফালদা লৈবা জানকি নাথ বসাক হায়বা ইংরেজী খরদং ইবা পাবা ঙবা উকিলগুম নত্তবা অদুগা মহাক মশানা ত্রিবুনেল অদুগী মমাংদা পীজখিবা ষ্টেটমেণ্টতগুম আইন করিনো হায়বসি মশক খঙজদ অমদি মীহাৎ মীপুনগী কেশ কয়রা চৎথগদগে খঙজদে হায়দুনা যাজখুবা মীওই অমবু উকিলনি হায়দুনা লেকখি। মতৌ অদুমা চৎথরকপা কেশ অসিনা ব্রিটিশ সরকারগী মীচংদা শাক্তি ১৫ অদুগা মণিপুরগী নিংথৌ মচাশিংগী মীচংদা শাক্তি ৩ থক পুথোরকপা যাহনখি[৪৫]। ত্রিবুনেল অসিন যুবরাজবু অহানবা অমদি অনিশুবা চার্জগী মতুং ইন্না লাজে হায়না রায় তাখিদুনা ফাঁসিগী হুকুম পীখি। কুলচন্দ্র মহারাজ অমদি মনাও ইবুংঙো অঙৌসনানা কুইন এমপ্রেসকী মথক্তা লাল হোৎবগীদমক মরাল লৈরে হায়দুনা ফাঁসিগী হুকুম পীখি[৪৬]। মনাও ইবুংঙো জীলাঙম্বগুম রাণীগী মথক্তা লালহোৎবগী দমক মরাল লৈরে হায়দুনা মরল মথুং পুম্নমক ব্রিটিশ সরকারমা মৎলগা পেন্সন-চিংবা অমত্তা পীবা তৌদনা শিলট তায়া থাথিবা হায়না রায় তাখি[৪৬এ]। জেনেরেল থাঙাল, অংগুবা নেটিভ ইনফেন্ট্রীগী সুবেদার নীরঞ্জন, শ্রীমন্তদল অহানবা থুংমাখিবা কাজাও অমদি মেলভিল অদুগা ও ব্র ইনবু হাৎখিবা চরাই থাঙালবুগু বিচার তৌবদা অকানবা থাকী মীহাৎপগীদমক লাজে হায়না রায় তাদুনা ফাঁসিগী হুকুম তৌখি। চোংথামীয়ানচিংবা লেমহৌরিবা মহাকী অঙম অথৌ ভয়াহুমদোই অসিবুনা রাণীগী মথক্তা লালহোৎবগী মরাল লৈরে হায়না রায় তাদুন কালাপানীদা থাথিনবা হুকুম তৌখি।

ভারত সরকারগী বিচারগী মথি মথোং অসি লৈনক্তরগা কয়বা মওংদা মণিপুরগী মহারাজ, মনাও ইবুংঙোশিং অমদি মহারাজগী অঙম অথৌশিংবু করি

(৪৪এ) ফোরেন এবষ্ট্রেক্ট বিঃ ডিসেম্বর ১৮৯১ মশিং ৬৯৭—১০২, এচঃ এমঃ ডুরাণ্ড, ভারত সরকারগী সেক্রেটারীনা সহি তৌবা চেয়োল।

(৪৫) মজুমদারগী মথকী লাইরিক্কী লমাই ৭৫৯ দা।

(৪৬) মথকী য়াওফম অসিগী লমাই ৭০২—৭০৯।

(৪৬এ) ফোরেন এবষ্ট্রেক্ট বিঃ সেপ্তেম্বর ১৮৯১, মশিং ১১৬—১১৬ : জেনেরেল কোলেটনা ফোরেন সেক্রেটারীদা ইবা চেয়োল, আগষ্ট ১১, ১৮৯১।

দন্দি পীশিগে হায়বদু হায়না শেমলোক্তনা থমগা সাজ্য অগৎতা উৎনবা চৎনবী থাম্না অমা অদুক ডাক্লবা ওইনা ত্রিবুনেল অসি শেমদুনা বিচার তৌবনি হায়রবা থক ডগ্নোই। মহারাজ কুলচন্দ্র অমদি মনাও ইবুংঙো যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ সিংহনা ত্রিবুনেল অসিনা তাখিবা রায়শিং অসি য়ানিংদে হায়দুনা গভর্ণর জেনেরেলদা এপিল তৌখি। অদুম ওইনমক অইবা দরখাস্ত অমগুং থাহনবা নত্তনা উকিল তোংখোক্তনা মবৈ থেৎপানচিংবাদ তৌহনবা য়াহনাখন্রে। কালকত্তাদগী মনমোহন ঘোস হায়বা বারিষ্টর অমনা মহারাজ কুলচন্দ্র, মনাও ইবুংঙোশিং অমদি অতৈ মণিপুরী অডম অথোশংগী মহৎ শিন্দুনা অইবা দরখাস্ত অমদি গভর্ণর জেনেরেলদা থাখি। ভারতকী রাণীগী মথক্তা লাল তৌখিবা হায়বা মরাল অসিগী মতাংদা মণিপুরদি খৃঃ ১৮২৬ কী য়ান্দাবু সন্ধীগী মতু ইন্না মনিং মথা ওয়রবা লৈবাক্নি অদুগা মতুংগী ব্রিটিশ অমদি মণিপুরকী মরক্তা তৌনখিবা কন্নিগুম্বা সন্ধী অমত্তদা ব্রিটিশনা মণিপুরবু মীথা পোন্নবা লৈবাক্নি কাওনা তৌখিবা লৈতে হায়দুনা থোসনা দরখাস্ত অদুদা য়াম্না কন্না ইখি। ব্রিটিশকী লাগ্নীনা লাল তৌরে হায়বা লাঙ-থোকপা তৌদনা যুবরাজ শঙ্গাইদা লান্দাখিবনি, শঙ্গাই শেমবশিং হাংখিবনি, শঙ্গাই ইমুংগী মনাই মথল হাংখিবনি, ওঙব লৈকাই, য়াম্বেম লৈকাইঅচিংবা লৈকাই ময়াম অসিগী য়ুম মৈ থাখিবনি, সনা কোনুংদা লান্দাখিবনি অদুগা সনা কোনুংগী সিকাইশিংনা মথা কক্কনবা খুৎলাই পাইদবা য়াদদুনা পাইজখিবনি হায়না থোসনা ইখি। মরম অসিনা মণিপুরনা ভারতকী রাণীগী মথক্তা লাল হৌখি হায়বা চার্জ অসিদি চুম্ফম য়াওদবা চার্জ নি। লাল হৌবগী দন্দি কংবা ভারবদি মনিংতম্বা মণিপুরগী মথক্তা লাল হৌখিবগীদমক ভারত সরকারনা কংকম থোকপনি মণিপুর সরকারনা থক কংকম থোক্তে। অদুগা অনিশুবা মরালগী মতাংদা অহানবা থাক্তী মীহাৎপদা য়াওখি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা অসিগু মহারাজ কুলচন্দ্র অমাদি মনাও ইবুংঙো টিকেন্দ্রজিৎ মচিন মনাও অনিমক থোদোক অদুদা চুম্না য়াওরম্বা য়াই হায়না। ইংনবা নত্তনা মচিন মনাওগী য়াথংদগী সাহেবশিংবু হাংখিবনি হায়বগী প্রমাণ্দি থুথোকপা ডমপ্রে হায়দুনা থোসনা মহাক্কী দরখাস্ত অদুদা মরিক চুম্না ইখি।

মণিপুরগী নিংথৌমচাশিং অমদি মণিপুরগী অডম অথো শিং অসিদা ত্রিবুনেলনা পীরিবা মরাল অসি অরানবনি হায়দুনা মনমোহন থোসনা গভর্ণর জেনেরেলদা অচুম্বা মথক উত্তনা দরখাস্ত থাখ্রবত্ত মথামক্রা ত্রিবুনেলগী মমাংদা নত্রগা গভর্ণর জেনেরেলগী মমাংদা চোংথোক্কুনা শাক্ষিশিংগী অবান হংনম্বা থুদোং চংবা অদুদি

পুবিথিদবা অমদি বিচারপতিশিংগা মাইয়োক্নবগা অচুম অয়ান মথৈ য়েংলমবগী থুদোং চাবা অছুত কংখিদবনা ভারত সরকারনা স্পেসিয়েল ট্রিবুনেলনা তাথুরা য়াম অচু অচুমনি হায়না অচুমক লৌখে অচুগা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ, জেনেরেল থাঙাল, নীরঞ্জন, কজাও অমদি চরাই থাঙাদবু ফাঁসি তৌনবা হুকুম পাওথোকখি। গভর্ণর জেনেরেলগী কাউনসিলনা য়ামা যুম্না থম্নবা মতুংদা মহারাজ কুলচন্দ্র সিংহ অমদি মনাও ইবুঙো অঙোসনাবুদি মথোয়গী মরক মথুম লোয়নমক ভারত সরকারনা মৎলগ, ফাঁসি তৌদুনা হাংথগী মহুত্তা কালাপানীদা থাখিবা হায়না হুকুম পাওথোকখি[47]। মতৌ অসুমা সরকারগী হুকুম অসি খৃঃ ১৮৯১গী আগষ্ট তাং ১৩দা হায়রোকপগা লোয়নবা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ, জেনেরেল থাঙাল, নীরঞ্জন সুবেদার, কজাও অমদি চরাই থাঙালবু কাংলৈকুদা ফাঁসি তৌদুনা হাংখি। কুলচন্দ্র মহারাজ অমদি মনাও ইবুঙো অঙোসনানচিংবা অতৈ মণিপুরী অহুম অথৌ ১৩ বুনা মণিপুরগী বাংমদা কালাপানীদা থাখি[47এ]।

---

(৪৭) হোম ডিপার্টমেণ্ট পাব্লক বি, আগষ্ট ১৮৯১, মশিং ৫৩; ফোরেন সেক্রেটারীনা কোলেটতা তৌরকপা টেলিগ্রাম, মশিং ১৬০৩ ইঃ ১০ আগষ্ট ১৮৯১।

(৪৭এ) ফোরেন একষ্টর্নেল বি; ডিসেম্বর ১৮৯১গী মশিং ২১৫—২১৬তা অতুম ইথি: মথাদা পীরিবা মণিপুরী বন্দি ১৫ অসি পোর্ট ব্লায়রদা খৃঃ ১৮৯১গী নবেম্বর তাং ২৩দা কলিকতাদগী এসঃ এস শাহাজহান্দা তোংদুনা য়ৌরক্লে:—

মীগী মমিং	তেজপুর জেলদা থুংলবা	অন্দমান্দা থাখিবা
(১) কুলচন্দ্র ধ্বজ সিংহ মহারাজ......	সেপ্তে তাং ৪,১৮৯১	৫ নবেম্বর ১৮৯১
(২) অঙোসনা সিংহ সেনাপতি ...	,, ,, ,,	,, ,, ,,
(৩) লোকেন্দ্রজিৎ রাংথৈরাকপা ...	,, ,, ,,	,, ,, ,,
(৪) নীলমণি সিংহ অমাপুরেল ...	আগষ্ট ১২,১৮৯১	,, ,, ,,
(৫) শম্ভুসিংহ লুরাং নিংথৌ .	,, ,, ,,	,, ,, ,,
(৬) মীরাসিংহ মেজোর	,, ,, ,,	,, ,, ,,
(৭) অবুংজাও য়েংথোয়বা... ...	...সেপ্তেম্বর ৪, ১৮৯১	,, ,, ,,
(৮) উক্রাসিংহ উসর্বা	,, ,, ,,	,, ,, ,,
(৯) থম্বা সিংহ লাইশ্রবা	,, ,, ,,	,, ,, ,,
(১০) ঘনসিংহ থোংত্রা	,, ,, ,,	,, ,, ,,
(১১) চাউবা হাওদর মচাহল	,, ,, ,,	,, ,, ,,
(১২) ধোজো সিংহ ময়েংবা	,, ,, ,,	,, ,, ,,
(১৩) মোমি সিংহ সেপ্রা মচাহল ...	,, ,, ,,	,, ,, ,,
(১৪) ত্রিলোক সিংহ নোংথোমবা সটয়াল	,, ,, ,,	,, ,, ,,
(১৫) ধোনো সিংহ শগোলশেম্বা	,, ,, ,,	,, ,, ,,

এচঃ এমঃ ডুরান্দ:

সেক্রেটারী, ভারত সরকার

স্পেসিয়েল ত্রিবুনেলনা মণিপুরী নিংথৌ মচাশিংবু বিচার তৌখিবা অমদি তাখিবা রায় অসিগী মওং অসিদি য়ায়া শাখিনা দোষ পুখোকপা য়াবা বাকয়ি। খৃঃ ১৮২৬ কী য়ান্দাবু সন্ধীগী অনিশুবা ধারাদা মণিপুরগী অশেংবা মশক কয়িনো হায়বদু নিংথিনা পরমতন্ত্রবত্ত মতুংদা তৌনখিবা সন্ধীশিংগী করিশুব মতাং অমত্তরুত্ত লৈবাক অসি ব্রিটিশ এম্পায়ারগা বর্মাগী মীথা পোল্লবনি হায়বা তাক্নুনা ইবা ধারান-চিংবা অমত্তত্ত লৈতে। অশেংবা হায়বা ভারতদা ব্রিটিশ সরকারনা মণিপুরগী মপু ওইরবনি হায়কনবগী মরম করিত্ত লৈতবনি অদুবু সরকার অসিনদি মণিপুরবু মথোক্ষগী মথাদা লৈরবা লৈবাকত্তৌনা লৌথি। বাকম অসি আইনগী থোংদগী য়েংলক্লবত্ত ওইবা য়াররোইদবা বাকায়। অদুবু খৃঃ ১৮৪৮ দগী হৌনা শিংজনবা হৌথবা ব্রিটিশ সরকারগী অকনবনা অশোনববু নমথরগা অকনবগী মপাঙ্গল অমুক হেনগৎহন্নবা শিনগদবান[৪৮] হায়বা বাকম অদুনা পুনশিনাথদুনা মণিপুরবুত্ত ব্রিটিশনা মথোয়গী মথা পোল্লবা লৈবাক্কি হায়না লৌথবনি। য় পর্বয় অসি ব্রিটিশনা থুত্থুম চনখিবা থক লৌথত্তি অদুগা মণিপুরনা ব্রিটিশকী মথা পোল্লবান হায়দুনা য়াখিবা রেকোর্ডত্ত অমত্তা লৈতে। সন্ধী থরগী মতাং থরদা মণিপুর অসি ব্রিটিশনা মত্তে পাংবা লৈবাক্ক হায়না তাকপা য়াবা বায়থ থর দ য়াওপে অদুবু মতুমক্তা লৈবাক অসি ব্রিটিশ গভর্ণমেন্টকী মথা পোল্লবনি হায়রুবাদ থক য়ারোই। খৃঃ ১৮৩৩ গী এপ্রিল তাং ১৮ দা মণিপুর অমসুং ব্রিটিশকী মরক্তা তৌনখিবা সন্ধীগী ৭ত্তবা ধারাদা অত্তম্মা ইরি : "নোংপোকথংবদা লৈবা ব্রিটিশকী শীমানাদা করিশুব্বা থরা থোরকপা থোক্লবদি মণিপুরগী মহারাজনা ব্রিটিশ সরকারবু মহাকী লান্মী থরা থাদুনা তেংবাংগদবনি"। মহাক্কা গভর্ণর জেনেরেলদা থাখিবা এপিল অদুদা মনমোহন ঘোসনা অত্তম্মা অমুক্কা হায়থি : "খৃঃ ১৮৬৫ অমদি খৃঃ ১৮৬৭ দা কলিকত্তা হায় কোর্টনা মণিপুরগী মহারাজদি রাণীগা মরুপ শায়দুনা লৈবা এশিয়াগী মসুংদা লৈবা মনিং তম্বা লৈবাক্কি হায়না লাওথোকখি"[৪৯]।

মরম ময়াম অসি লৈবনা মরাল লৈরে হায়দুনা পুথোকখিবা মণিপুরগী মহারাজ, মনাও ইবুংঙোশিং অমদি অত্তম অথৌ পুম্নমক অদু ব্রিটিশকী প্রজা মত্তে। মথোয়বু বিচার তৌনবনি হায়দুনা ভারত্ত সরকারনা শেমখিবা স্পেসিয়েল ত্রিবুনেল অদুনত্ত মথোয়বু বিচার তৌবা ওথগী হক লৈতে। অদুগা বাকম অমনা

(৪৮) মজুমদার, আর: সিঃ মথক্কী লাইরিকী লমাই ৭৩৩।

(৪৯) মথকী লাইরিকী লমাই ৭৩৪ দা।

ইন্দিরান পেবাল কোতকী ধারা পাজগা রাণীগী মথক্তা লাল হৌবগী মরাল লৈয়ে হায়রিবা অসিগী মরাল লৈয়ে হায়দুনা পুখোরক্লিবা মীওইশিং অসিবদি পাদুনা থক যাদে। অসিগী নত্তনা ত্রিবুনেল অসিগী প্রেসিডেন্ট ওইরিবা লেফটেনেন্ট কর্ণেল সেন্ট জোন মিটচেল অমদি ত্রিবুনেল অদুগী জর্জ ওইরিবা মীওই পুম্নমক আইনগী মরমদা কারিগুম থজবা ডাক্তর অদুগা মীহাৎ মীপুনগী কেশতা করি করম তৌরগা বিচার চথগদগে হায়বগী থজবা মীওই ডাক্তনি। অদুগা খোইরোক হেন্দোকপা বাকম অমনা কেশ অসি চথরকপা মতমদা মরাম লৈতনা হায়দুনা পুখোরকখিবা মীওইশিং অমদি ত্রিবুনেল অদুগী মমাংদা পুখোরকখিবা শাক্ষিশিং অদুনা খুমখিবা জবাব পুম্নমক মণিপুরীদগী ইংরেজীদা পার্থা সিংহ হায়বা মীপা অমনা হন্দোকখি। পার্থা সিংহ ইংরেজী লৈতবনি। মণিপুরীদা খুমখিবা জবাব পুম্নমক্তু মহাক্না উর্দু লোন্দা হন্দোকপা অদুগা উর্দু অসিদগী ইংরেজীদা হন্দোকপজা কেশ অসিদা সরকারগী উপকল ওইদুনা চথখিবা মেজোর গ্রেজুবেল হায়বা মীপা অমনা তৌখিবনি। মরম অদুনা অশেংবা অদুবা জবাব অদু উর্দুদগী ইংরেজী লোন্দা তারকুবা হন্দোকপা মতমদা হায়নিংঙাই লৈতবা অরানবা অমদি অবাংবা মাওরক্তুনা নিংথৌ মচা কাক পোকপগী কীভমদা তারকখি[49]এ। যাত্রা সিংহগী শাক্ষিগী জবান্দা অসুমা হায়খি : "যুবরাজনা (টিকেন্দ্রজিৎ) জেনেরেল থাঙালগা, জেনেরেল অসিনা মাথং পীদুনা হাৎখিবগি হায়রিবা সাহেবশিং (কুইন্টন অমদি মহাকী লোয়নবশিং) অসিগী মরমদা করি করম তৌগদগে ডাংনবা হৌগৎলকপদা যুবরাজনা থাঙালদা করি পাওথুম পীখিবগে হায়বদু তানবা ডাইরমদনা ঐহাক অদুম খোক্লকখি"[50]। অদুবু স্পেসিয়েল কোর্টনদি "যুবরাজক্তু করিমত্তা হায়খিদে" হায়দুনা ইশিনখি। মত্তৌ অসুমা উসর্বানা পীবা জবানগুম অসুমা হায়খি : "যুবরাজনা থাঙালদা সাহেবশিং অদু থক হাৎপা যাদে হায়দুনা হায়খি"[51]। অদুবু উসর্বাগী জবান অসিদি ত্রিবুনেল অদুনা ইশিনখিদে। জানকি নাথ বসাক হায়রিবা মীপা অসিনা উকিল

(৪৯এ) মণিপুরীশিংগী হায়নবী অমা লৈ : নিংথৌ অমদা মামা অমা মচা অমা পোকখি। অদুম অথৌশিংনা নিংথৌ মচা কাক মুক মুবা অমা পোক্লে হায়দুনা ডাংখি। কোন্থুংগী মাংমদা লৈকেৎলদা অমদি থুমক লৈরক্তা প্রজাশিংনা নিংথৌমচা কাক অমা পোক্লে ডাংখি (মুক মুবা হায়বদুদি হন্দোক্লমগা)।

(৫০) মজুমদার, আর: সি: দা মাগী মথক্তা হায়খ.বা লাইরিকী লমাই ৭৩৬ দা ইরিবদুনি।

(৫১) মথক্কী লাইরিক অমিদা।

মতৌবনিনা মীহাৎ মীপুনগী কেনতা মতৌ করম্না শাক্তিশিংবু অবান লৌগদগে হায়রবগী মরম অমদি মওং থঙহনবা অমদি মণিপুরগী থাংমদগী অথঙ অহৈ উকিল নেকচবতা য়াহন্‌খিদবনা স্পেসিয়েল কোর্ট অসিনা তৌখিবা বিচার অসিদা অচুম্বা মশক কন্নবা হায়বদুদি পুথোকপা থক ঙমখিদ্রে।

মথক্কী মরম মখাম অসি নৈনক্করগা টিকেন্দ্রজিৎনচিংবা মণিপুরগী অঙম অথৌশিংনা কংখিবা দন্দি অসিদি খৃ ১৮৯১ দা মথোয়গী মথক্তা শিখিবা মরালশিং অদুগীদমক্তা কংথিবা কংকম থাকপা। দন্দি নংত্রে : মথোয়না লৌশিন্নগে হায়না থল্লবা লৈবাকশিং অদুগী নিংথৌ মচাশিং অমদি অঙব অথৌশিংনা মপাঙ্গল কনথৎলক্লবদি থাংবা থক ঙগজত্রবা ব্রিটিশ সরকারগী য়েংখিবা অদুগীদমক্তা অথৌবশিং অদুনা কথিবা দন্দিনি[৫২]। চাম্‌রবা বাকম অসি অচুম্বনি চুমদবনি হায়বদুদি ব্রিটিশকী পার্লিয়ামেন্টতা টিকেন্দ্রজিৎ সিংহগী মথক্তা ভারত সরকারনা তাখিবা রায় অসি লাক্লি হায়দুনা অন্দর সেক্রেটারী ওফ ষ্টেট ফোর ইন্দিয়া, সার জোন গোর্ষ্টনা পীখিবা স্পীচ অসি য়েংলগা তশেং ফজশেংনা থঙবা ঙমগনি। যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ সিংহগী মপাঙ্গল মথৌনা অমদি তৌবা ঙম্বা শক্তিগী মতাং অমদি মণিপুরগী প্রজাশিংনা যুবরাজ অসিবু লুনা তৌজবা মখাম অদু নিংখিনা পল্লগা অন্দর সেক্রেটারী অসিনা টিকেন্দ্র অৎকুম্বা মীওইদি ব্রিটিশনা লৌশিল্লগে হায়না থল্লবা লৈবাক অমদা পোক্লকপা অসি মতম অদুগী ভারত সরকারনা থাংবা থক ঙম্মোই হায়না চায়খি। "সরকার হায়বসিমক্তবু মনিং মথা তম্বা পাম্বা অমদি মশাগী মথৌনা অমদি মবুধী লৈজবা মীওইশিংবুদি মতম পুম্নমক্তা তুক্কচনবা থল্লি অদুগা য়াম্না তেবা, মগিল য়াওদবা অমদি মীগী মপান তাংবা পাম্ব ময়াই ওইরল চৎপা মীওইবুদি মতম পুম্নমক্তা ফংশিনা তৌই। বাকম অসি অনৌবা পোলিসি থক নত্তে। মসিদি য়াম্না লিয়বা বাকমি। হৌজিক্কী অনৌবা যুগ অসিদদি কা হেন্না থাংথৎলকপা উজাওশিংবু ককথৎনবা ঐথোয়না হোৎনজবত্তা ঐথোয়দা খুদোং থীবা পীরক্তবা মচিন তুমথৎলকপা মীওইবুদি থয়দং মীচুংশি থঙবা উপাই শিজিন্নরগা মহু য়াওব্রবা কীভমদা নমথনবদি হোৎনদবা নত্তে[৫৩]"।

(৫২) মথক্কী য়াওকম অসিগী লমাই ৭৩৬।

(৫৩) খৃঃ ১৮৯১ গী জুন তাং ১৬ ড। হাউস অফ কমন্‌সতা মণিপুরগী মথমদা তৌখিবা ডিবেটতা অন্দর সেক্রেটরী অফ ষ্টেট ফোর ইন্দিয়া ওইবা সার জোন গোর্ষ্টনা পীখিবা স্পীচ: হেন্‌সার্ড্‌স পার্লিয়ামেন্টরী ডিবেটস অহুমশুবা সিরিজগী ভোল্যুম ৩৫৪, লমাই ৬৫৭ ড।

মণিপুরগী মহারাজ, মনাও ইবুংঙোশিং অমদি অঙম অথৌশিংবু তৌখিবা বিচার অসিদি 'বিচার' কৌবদা মতিক চাদবনি অদুগা ভারত সরকারনা তাখিবা রায় অসিগী, মকওইনা টিকেন্দ্রজিৎ সিংহগী মতাংদদি বিচারপতিনা মী হাংপনি হায়দুনা অথক অহৈ পুরমক লেংথ্রবা মত পীনখি। মরম অদুনা ব্রিটিশ সরকারনা মথক্তা তৌখিবা থৌদোক অসিদি আইনা যাবা অমদি সরকার অসিনা মতম পুরমক্তা চাওথোকচনা 'পৃথিবীগী সাভ্য জাতি-শিংগী মরক্তগী খ্বাইদগী সাভ্য ওইরবা লৈবাক্নি' হায়দুনা লাওজবা অদুবু ইকাই খুম্নবা পীবিবা যাবা থাকমদি থক নত্রে। সরকার অসিনা মণিপুরদা চংখিবা শাজং-মিচুং অসিদি অকনবনা অথোনববু তুহংগীবা লৈবাক শন্দোকপা পাম্বা ব্রিটিশ পোলিসিগী মনুংদা চেন্নিবা নৈরবা ঈচেল অদুনি হায়বা সাভ্য জগৎনা লৌরগদবনি, লোয়ননা ইংরেজ জাতিগী ওইবা ইতিহাসকী লমাইদা কোল্ল-য়োইদবা দাগ ওইদুনা অদুমক লৈহৌরগনি। মনমোহন ঘোসনা অঙম্না হায়রম্মী। "... ..... ত্রিবুনেল অসিগী মওং নিংথিনা য়েংলগা অমদি বিচার তৌখিবা অদুগী মরমদা মুন্না থীজিল্লবদি ব্রিটিশ সরকারগী মথাদা লৈবা তোনখ্রবা প্রজা অমা কাওবনা কংকম থোকপা রাইটনি হায়না ক্লেম তৌবা মীচং শজন য়াওদবা অচুম্বা বিচার অদু মণিপুরগী মহারাজ, মনাও ইবুংঙোশিং অমদি অঙম অথৌশিংনা কংখিবদি লাইরদুনা মশাগী মরাল অদু নিংথিনা ঙাকথোকচনবগী খুদোংচাবা অদুকাওবা কংখিদ্রে"। মহারাণী ভীক্টোরিয়ানা মতম অদুগী সেক্রেটরী অফ ষ্টেট ফোর ইন্ডিয়া ওইরবা লর্ড ক্রোসতা খৃঃ ১৮৯১ গী আগষ্ট তাং ৮ অমদি ১০ দা ইখিবা চিঠিশিংদা মহারাণী মশামক্তা মণিপুরগী যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ সিংহবু ফাঁসিগী হুকুম পীখিবা অসিদা যাম্না শুংঙাইতবা ফোংদোকখি[৫৪]। যুবরাজ অসিগী মথক্তা থাংগৎলকপা মরাল মরাম অদু নিংথিনা য়েংলগা মহারাণী মশামক্তা ভারতকী গভর্ণর জেনেরেল ওইরবা লর্ড লেন্সডাউননা ভারত সরকারনা টিকেন্দ্রজিৎকী মথক্তা ফাঁসিগী হুকুম তৌখিবা অসি ঙাকপিবা য়ত্রা হায়না হংখি। অদুবু মণিপুরগী নিংথৌ মচাশিংদা তাখিবা ভারত মচাশিংগী রায় অসি তোংদোকপা তারবদি ভারতকী গভর্ণর জেনেরেল ওইবা কাওবা তোকনি হায়দুনা লর্ড লেন্সডাউনা সেক্রেটরী অফ ষ্টেট ফোর ইন্ডিয়াদা ইখিবদগীদি রাণীগী বাকম অদু থম্নবা অদুমক ওমখিদ্রে। ভারত সরকারগী রায়

(৫৪) আর: সি: মজুমদারনা খাগী বকী লাইরিকী লমাই ১৩৮—৩৯ দা পীরিবা মহারাণী ভীক্টোরিয়াগী চিঠিশিং অয়দগী।

অসিনা আসাম অমদি বেঙ্গোলদা লৈবা মীপুম খুদিংগী থজোহৈদা লেপ্পনা থাকচ্ফু অমা য়াম্না কন্না পোকহনখি। বিচার অসিগী মরম মখাম অসি মুন্না নেংথকপা মতুংদা কেপ্তেন হিয়ার্সেনা অস্তুম হায়রিঃ "মরাল লৈরে হায়রুনা বিচার তৌখিবা মণিপুরগী নিংথৌ মচাশিং অসিগী বিচার অসিদি ভারত আইনগী অসি কাওবদা অমুক্তং থেংনখ্রিবা খুৎহৈদগী কাগী কারাং মানবা বিচারনি[৫৫]।" ব্রিটিশ হায়বা জাতি অসিনা সাজ্য অগম্বা মথোমগী সাজ্যজানা খুৎহৈদগী হেক্তি হায়না চাওথোকচবা অহু ভারত সরকারনা মণিপুরগী নিংথৌ মচাশিংগী বিচারদা তৌখিবা য়াম অসিনা ওনবা তারবদি "ঐহাক্না এংগ্লো ইন্দিয়ান ওইরবা অসি লাইবক লৈ" হায়রুনা হিয়ার্সেনা অমুক্তা মথা তাথখি।

যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎনচিংবা মণিপুরগী অহম অথৌশিংনা ফাঁসিগী শগাই কাথিবগা লোয়ননা মণিপুরগী মনিং মথা অমত্তা মাংখি। ভারত সরকারনা চহি মঙাদা ওাইরিবা চুড়াচাঁদ সিংহবু মণিপুরগী নিংথৌনি হায়রুনা লাওথোকখি অদুগা মহাকপু নিংথৌ ওইরে হায়বসিগী মরি মথোং তাকপা সানাদ অমত্তা পীখি। সানাদ অসিনা হায়রিবদি (১) মহাক্না (চুড়চাঁদ সিংহ) মণিপুরগী মহারাজ হায়বগী মিংথোলগা লোয়না তোপ ১১ গী সলামী ফংগনি ঃ (২) সিংহাসন শিন্নবা খুদিংদা ভারত সরকারনবু য়াম্নবদি মণিপুরগী নিংথৌ, মিংথোল অমদি সলামী পুন্নমক মচা অহন্না সিংহাসন ফংবা হায়বা নিয়ম অদুগী মথাদা মহাক্কী মচা মচাশিংতনা ফংগনি ঃ (৩) সানাদ অসিনা মতৌদ্দা পীরিবশিং অসিগী অকুই কুইদগী থাকমদি মহাক মশামক অমদি মহাক্কী মচা মচাশিংনা লৈবাক অসিগী লৈঙাকলোনগী মতাংদা, চীংগী কাংলুপকী মতাংদা, লৈবাক অসিগী লাম্নীশিংগী মতাংদা অমদি ব্রিটিশ সরকারনা খুৎথীংজিল্লিংবা হৌরম করাগী মতাংদা ব্রিটিশ সরকারনা পীথরকপা ওর্দরশিং অদু মহাক্না পাংথোকপগী চাংদা লৈগনি ঃ (৪) মহাক অমদি মহাক্কী মচা মচাশিংনা 'ব্রিটিশকী ক্রাউনবু ইকায় খুম্নবা অদুগা সানাদতা হায়রিবা অসি ইল্লবদি মহাক অমদি মহাক্কী মচা মচাশিংনা ব্রিটিশ সরকারগী থৌজাল অমদি মতেং ফংগনি[৫৬]। মথক্কী য়ারোল অসিদা নত্তনা সানাদ অসিনা মণিপুর অসি ব্রিটিশকী মখা পোন্নবনি হায়বা মতাং অমা পনবগা লোয়নন্না চহিগী লোয়শোং লুপা ৫০,০০০ খুঃ ১৮৯১ গী আগষ্ট

(৫৫) হিয়ার্সে, এ· ঐচঃ মণিপুর, লমাই ৭।

(৫৬) এপেনডিক্স—জিদা

তাং ২ দগী হৌনা ব্রিটিশ সরকারদা পীবা হায়নত্ত মরেক লানা ইরি[৪৭]। অদুগা ব্রিটিশকী আফিসারশিং হাংখিবগীনি হায়দুনা খৃঃ ১৮৯২ দা লুপা ২,৫০,০০০ পী ত্তরি অমত্ত তৌখি। হায়রিবা অদু অসিদি মতাংক খোক্কা খিগংপ' য়াহনখি।

ঘক্তৌ অতয়া খৃঃ ১৮৯১ হায়বা চহি অসিনা মণিপুরগী ইতিহাসতা অহোংবা অমা পীরকখি। কৈরেংরোলদগী হৌনা মনিং মথা ভয়া পাক্কদবা মণিপুর অসি চহি অসিদগীদি সানাদকী মথাদা ব্রিটিশকী মথা পোয়া লৈরবা লৈবাক অমা ওইবা হৌখি। চহি অসিদগীদি মমাংদৈদা তৌরম্বশিং অদুগী ওয়া তৈনবদা চাক্তা ওইনা ব্রিটিশকী মথা য়াওত্রবদি অতোপ্পা লৈবাক অমত্তগা লান তৌনবা অথদি সক্তী তৌনবনচিংবত্ত য়াথিত্রে। মরৈবাকী মতুংগী ওইজবা লৈবাক ত্তাঙ্গোন্দা অমদি মণিপুরগী সীমানাদা লৈরিবা চীংগী কাংলুপকা তিয়রবা কাওবদা মণিপুরদা লেংদনা থম্বা পোলিটিকেল এজেন্টকী মথা য়াওত্রবদি মণিপুরগী মহারাজ মথমত্তগী খুজিয়া শিজ্ববদি য়াহনখিত্রে। মরম অদুনা খৃঃ ১৮৯১ গী সানাদ অসিনা মণিপুরদ ব্রিটিশকী শক্তি লিংখৎপা হৌখে।

(৪৭) ভারত সরকারগী ফোরেন ডিপার্টমেন্টনা থোবা নোটিশ মশিং ১৮৯২—ই : আই-চিনবগী লম্বী অদিনচিংবগী ভোলুম ৫, লমাই ২৩৯।

এপেনডিক্স—জি

চাউবীয়াইবাগী মচা অহুগা মণিপুরগী মহারাজ নরসিংহগীনা অথাং চূড়াচাঁদ সিংহদা পীখিবা সানাদ (নোটিফিকেশন নং: ১৮৬১—ই, ১৮ সেপ্তেম্বর ১৮৯১)

"মণিপুর স্টেট অমুক হন্‌জিনা পীবগী মতাংদা খৃঃ ১৮৯১গী আগষ্ট তাং২১ দা ভারতকী গেজেট মশিং ১৭০০—ইদা তৌখিবা নোটিশ অদু পজগা অন্তা থৎহন্জি মহুদি গভর্ণর জেনেরেলগী কাউনসিলনা চাউবীয়াইবাগী মচা অহুনা মণিপুরগী মহারাজ নরসিংহগীনা অথাং চূড়াচাঁদ সিংহবু মণিপুরগী নিংথৌনি হায়রুনা থজে।

চূড়াচাঁদ সিংহদা পীখিবা সানাদ অদু প্রজাশিংনা খঙনবা কোংলোক্নি।

গভর্ণর জেনেরেলগী কাউনসিলনা চানবিরুনা চাউবীয়াইবগী মচা চূড়াচাঁদ নংবু মণিপুরগী নিংথৌ ওইনা থজে; নংবু মহারাজ হায়বা মিংথোল অমদি তোপ ১১ গী সলামী অমত্ত পীরবনি।

মণিপুরগী শিংহাসন শিন্নবগী মতাং থুদিংদা ভারত সরকারনবু যারবদি মচা মুপা অহন্দা সিংহাসন শিন্নবা হায়বা চৎনবী অহুগী মথুং ইন্না মণিপুরগী নিংথৌ থুঙম অসি নং অমদি নংগী চারোল ওয়োলদা মিংথোল অমদি সলামীগা লোয়ননা শিন্নবত্ত য়াহনগনি।

পৈশা কয়ানো হায়বদি তুংদা লেপ্নগদবা লোয়পোৎ নং অমদি নংগী চারোল ওয়োলশিংনা চহি খুদিংগী ব্রিটিশ সরকারদা কাগদবনি।

অহুগা সানাদ অসিনা নংত্তোম্বা পীরিবশিং অসিগী অকুই কুইদগী মতাংদদি নহাক নশামক অমদি নহাকী নচা নত্তশিংনা লৈবাক অসিগী লৈত্তাকলোনগী মতাংদা, চীংগী কাংলুপকী মতাংদা, লৈবাক অসিগী লাম্মীগী মতাংদা অমদি ব্রিটিশ সরকারনা থুৎ থীংজিন্নিংবা হীরম কয়াগী মতাংদা ব্রিটিশ সরকারনা পীথরকপা ওর্দরশিং অদু নহাক্না পাংথোকপগী চাংদা লৈগনি।

নহাক অমদি নহাকী নচা নত্তশিংনা ব্রিটিশকী ক্রাউনবু ইকায় থৌরবা অহুগা সানাদত্তা হায়রিবা অসি ইজবদি নহাক অমদি নহাক্নী নচা নত্তশিংনা ব্রিটিশ সরকারগী থৌজাল অমদি মত্তেং কংগনি হায়বসিদি শোয়দ্রবনি"।

তরেৎশুবা পন্দুপ

ব্রায়েন থৌদাগী অহোংবা অমদি মশক নাইবা চাউখৎপা :

লালহৌবা অমদি লৌতুনবগী থৌদোক কয়াযক্কা খুমক হাংদবমথে থেংনখ্রবঙ মণিপুরদি য়ায়া ওনবা মতমদগী নোংচুপকী সভ্যাতাগী মমি অমদি তাবা কংথি হায়কবদা হায়মনবা থক থোক্রোই। মতিক মগুন লৈবা অকবা নিংথৌ অমা ওইগে হায়রবদি প্রজাশিংগী হুংশিবা নত্তনদি লাম্মীগী মতেং-তমদি থক ওইথোকপা য়াররোই হায়বাস মহারাজ গম্ভীর সিংহ, মহারাজ নরসিংহ অমদি মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তি সিংহনা মমুৎ তানা থংথি। প্রজাগী হুংশিবা কংগে হায়রবদি মথোয়বু লুনা চায়া তৌবিবা, ময়াল লৈবশিংবু ময়ালগী মতিক চাবা দান্দ পীনবা হোৎনবা, অকবা থবক তৌজবা কাংবুবু মনা পীববা, খুৎকা হৈবগী থৌরাং চাওখৎনবা হোৎনাববা, মহৈমশিং তম্মনব স্কুল লিংখৎপীবা, অমাবশিংগী লাইয়েংবিনবা অনাশং শাবিবা, লম্বী নিংথিনা শেম্বীবা, মলোন ইতিক চাওখৎনবা লোৎনবিবা, শেঞ্জা থুমজা তৌবা কাংবুবু কানবা হোৎনরুপা ময়ালগী মতিক চাবা দান্দ পীনবা হোৎনবা অসিনচিংবা অংবা-অনা প্রজা কয়াগী মাইক থৌরাং শিমবিরবতম্মা মথোয়গী হুংশিবা কংগনি হায়বসি মহারাজশিং অসিদি নিংথিনা থংথি। মরম অতুন লৈবাক্কী মাইকথৌরাং পাইখৎনবা হোৎনবদা মহারাজশিং অসিগী অয়বা মতম শিজিন্নখি। চহী তরেৎ খুম্বাকপা লোয়খ্রপা মহারাজ গম্ভীরসিংহনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইবা মতমচুদদি মণিপুর অসি অশোংবা অকলনা কুপশিনবা লৌউ শিংউ তৌরবা অপাকপা লৌশিং অমত্তমা তৌরম্মী। অতুবু মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তি সিংহগী মতমদদি কাচিন কোইরা য়োবা কাওবদা চাওখৎপগী মতাল কংলবা চাওখৎলবা লৈবাক হায়বদু মণিপুরঙ ওইথি। মণিপুরগা ব্রিটিশকা মরি লৈনবা হোৌগৎলকপা মতম অদুদদি লৈবাক অসিগী মীশিং অসি য়ায়া য়ায়মদবনি অদুবু ১৯শুবা শতাব্দীনা লোইশিন্নরাই অদুদদি মকম মকম থুদিংদা চাওখৎপগী মতাল কংলবা মণিপুরিশিংনা খুদ্দাতুনা লৈবা, অনৌবা যুগকী ঈচেল কংলবা অমদি মী য়ায়া তায়বা মণিপুর অমা ওইবা হৌথি। তম্বীথোং ককক-গী মাধক ২০ ফে জ ই ১৮৫ অমাদ লৌউ-শিংউবগী

মখক্তগ হেন্না হেন্না চাওখৎপা পীরকপা হৌখি, লোয়ননা খায়েম খোলাগী অয়োংবা কয়া অমসুং মখক নাইবা চাওখৎপা কয়া অমত্তু লৈবাক অসিগী পুরকপা হৌখি।

মণিপুরদা লৈরবা লৈবাক ডাক্রোন্দি নিংথৌ পানবা লৈবাকী লৈবাক ডাকলোম্নি মরম অদুনা মহারাজনা লৈবাক অসিগী থৃাইদগী মরুওইবা মীওইনি। মহারাজা মণিপুর পুন্নমক্তা মপুনি অদুগা প্রজা পুন্নমক্তাগী মবুংলোনি। পাখংবগী খায়া নত্তনদি মণিপুরগী নিংথৌ ওইবা য়াদে হায়বসি লৈবাক অসিগী প্রজাশিংগী বয়া খাজনবনি। মণিপুরগী নিংথৌ পুন্নমক চানবী হৈ। অদা অনা অমদি ভৎ-লৈবকী খোলোক য়াথোক পুন্নমক মহারাজগী মনাক য়োনবা মতম হায়বা লৈত্তনা খাকৎপা য়াই। মণিপুরগী নিংথৌদি মণিপুর সরকারগী মপুনি, বিচার-শংগী মকোক্লি অদুগা আইন শেয়বগী থৌবুরেলনি। নিংথৌগী য়াথংগী মহু দা মাগী মাগী তোঙান তোঙানবা মথৌ পাংথোকপা অত্তম অথৌ কয়ামকম অমনা মণিপুরগী নিংথৌবু লৈবাক ডাকপদা তেংবাংই। পাজি পাক্সবা নিংথৌ অদুগী মনাওইবুংতোশিং অমদি মজাইবুংতোশিংনা লৈবাক অসিগী থৃাইদগী চাওবা কমথোন কংই। থৃাইদগী হৃদবা মনাও ইবুংতো নত্রগা মজাইবুংতোনা য়ুবরাজ, মথংনা সেনাপতি, অতৈনা কোটবাল, শগোল হঞ্জবা অমদি লোলাইয়োই হঞ্জবা হায়বা কমশিং অসি ওই।

। লৈবাক ডাকপা থুদোংচানবগীদমক মণিপুরবু খাবম পানা, অহল্লুপ পানা নহারুপ পানা অমদি লাইকম পানা হায়দুনা পানা মরি থেক্না থাদোক্লম্মী। হায়রিব। পানাশিং অসি তোঙান তোঙানবা মন্ত্রি অমমগী মখাদা থম্লম্মী। হায়রিবা মন্ত্রিশিং অসিদা নত্তনা মত্তম অমদা মনিং মথা ভয়া লৈজরবা অতোম, মোইরাং, লুবাং অমদি খুমন্ন চংবা কাংলুপশিংগী য়েংশিন্নবা মন্ত্রি কাংবু অমত্তু 'নিংথৌ' হায়বা কমথোন কংদুনা মণিপুরগী লৈবাক ডাকপদা তেংবাংনবা হায়্রম্মী। নিংথৌগী কৈ অমদি পুকৈ পায়বা অত্তোপা মন্ত্রি অনি অমত্তু লৈরম্মী। মরম অদুনা হায়রিবা মথক্তা মন্ত্রিশিং অসিনা মণিপুরগী নিংথৌগী মন্ত্রি সভা ওইরগা লৈবাক অসিগী সুংতিগী ওইবা লৈডাকলোম্না নিংথৌবু তেংবাংলমগনি হায়রুবদা হায়মনবা থক থোক্লোই। মন্ত্রিশিং অসিনা মণিপুরগী খাওনরম অত্তম অথৌত্তু অদুমক ওইরম্মী অদুবু য়ায়া লুবা মতাংদদি মীপুম থুদিংমক্তা কক্লরবা 'নিংথৌ ওবা অওবা' হায়বা মন্ত্রি অমগী পাওতাকবু মণিপুরগী নিংথৌনা লৌরম্মী। হায়রিবা 'নিংথৌওবা অওবা' অসিদি নিংথৌগী

অনিংবা অহুংকাওবা হোৎলোকহনবা ঙম্বা অঙবনি। অহুম ওইবমক নিংথৌবা লাওতাক লীবগং নম্বনা অচৌবা অতোপ্পা মতাংদা অতৈবা অমিনা নিংথৌগী মথক্তা বা হাকবা ঙমবগী শক্তিশুদি লৈরমদে। অতৈবা অসিগা থবক্তৌমিনবা মীওই করামক ম লৈরম্মী। মণিপুরগী অতোপ্পা অতৈ অথৌশিংনা 'নিংথৌ ওবা অহুম্বা' অসিদা হেংশিনবগী শক্তি লৈরমদে। অতৈবা অসি চাহোন অরোন কাওবনা ওইগদবনি হায়বা লৈরমদে। নিংথৌনা অপাম্বা মীওই অমা থম্বগ মতোম্দা কম অসি হেক্তা থিম্বোকপা য়ারম্মী।

থুম্বংগী ওইবা লৈবাক ঙাক্তোম্না থুম্বং থুম্বংদুদা লৈজবা 'শিংলুপ' হায়বহুনা পুরম্মী। 'শিংলুপ' হায়বসি ভারত্তা লৈরবা অ রবা মওংগী পঞ্চায়ৎ অহুম্বনি। শিংলুপ হায়রিবসিনা থুম্বং থুম্বং অদুগী মকোক ওইবা হুপা মতুংগী লীচিংবা মাগী মাগী থুম্বং অদুগী মেংথোক হেংশিন তৌবতা নত্তনা থুম্বং অদুদা থোক্লকপা থৎনা চৈনবা মথা মত্ত কাওবা বিচার তৌবা ঙমবগী শক্তি লৈজরম্মী। চৌংগী লৈবাক ঙাক্লবগী মওংদি তোঙাজম্মী। মরমদি মণিপুরগী প্রজা পুম্নমক হুকপ অমম্বগী মীওই ওইরবা য়াই হায়না লৌরবত্ত মতম অদুগী ওইরবা লখৌথোংগী থুংলোংবীবশিং অদুনা চৌং তম অনিমকপু য়াম্না নক্লহনবা হোৎনবা অদুদা থম্না থানা থোক্লম্মী। চৌংমীশিংত্ত 'লালুপ'[১] কারম্মী। চথোক চৎশিন য়াম্না থাবা লমদা লৈবা চৌংমীশিংদি চহীগী ওইনা য়ুম ১গী লুপা অমিদং মণিপুর সরকারদা থীরগা 'লালুপ' কাত্রবত্ত য়ারম্মী। মরম অদুনা চৌংগী লৈবাক ঙাকপগী থবক অসিদি চৌংমীশিং অদুগী কাংবু কংবুগী খুল্লাকপদা শিন্নথোক্লম্মী। হায়রিবা খুল্লাকপা অসিদি চহীগী ওইনা মণিপুরগী কেংসুদা অমুক্কং কাদবদি য়ারমদে। শম্না হায়রবদা মণিপুরগী নিংথৌনা চৌংগী লৈবাক ঙাকপা অসিদি থম্না থম্না কোমতক কোমত্তক্লা চৎলম্মী। মরম অদুনা খুল্লাকপাশিং অসিনা মাগী মাগী কাংলুপতুগী নিংথৌওয়া শক্তি লৈরম্মী।

মণিপুরগী লৈবাক ঙাকপা মতমদা মণিপুরগী নিংথৌগী মখিংদা লৈবাক অসিগী অতৈ অথৌশিংনা মাগী মাগী মথৌ পাইথৎপা য়াহনবনিনা মরাল লৈজরবা প্রজাশিংবু অতৈশিংনা য়াম্না থাদিনা ওৎ-লৈবিরম্মী। প্রজাশিংনা য়াক্লিবা অদুগী মরম থংলক্লবত্ত মরি লৈনবা মগ্রি নঙ্গপা অতৈবা অহুম অকনবা চৈরাক পীবদি মণিপুরগী নিংথৌনা ঙমলমদে। মণিপুরীশিংদি লালহৌবা

১। অহুংবা লৈজবকনি।

হায়ধনি য়ায়া পায়রম্মী। মরম অদুনা থরা শাখিনা দম্মি পীকনা অদুগা অমনা নিংথৌ ওইনিংবা রাজকুমার অমগী মীচং চংলক্কুনা যাম্না মথক্তা লাল হৌরক্লে। হায়না কীবদগীনি। মাকম অসিনা লৈবকনা মণিপুরগী নিংথৌনা য়াম্না অশুম অথৌশিংগী মথক্তা কাপ্তেন অকনবা দম্মি পীরবদি ওক্লবদে। মশিগী খুদোংচাবশি লৌদুনা অশুম অথৌশিংনা মণিপুরগী প্রজাশিংবু ওৎ নৈরম্মী।

লৈবাক ঙাক্লোন্না ফগৎহনবা :

বর্মাগী অহানবা লান লোইরদুনা মণিপুরনা ব্রিটিশকী মরুপ ওইবা হৌথ্রবা মতুংদগীদি মণিপুরন ইংনা অমদি মরা তপ্প। পানগে হায়রবদি প্রজাশিংনা য়াবা অমদি মপাঙ্গল কনবা সরকার অমা শেম্ব। সরকার ওই হায়বসি গম্ভীরসিংহ মহারাজদি য়ায়া নিংথিনা থগথি। মাকম অসি থবক ওইনা পাংথোক্লবা মহারাজ অসিনা মণিপুরগী লৈবাক ঙাকপগী মরম পুন্নমক হোংদোক্লম্মী। মথক্তা পনথ্রবা পানা মরি অসি নত্তবা মণিপুরগী কোম্নুংগী অকোয়বদা লৈরিবা লৈকাই ময়াম অসিবু থাংই, য়াইস্কুল, খুরাই অমদি বাংখৈ হায়দুনা শরুক মরিথোক্লা অমুক থাগদোক্লগা শরুক খুদিংবু নিংথৌমচা অমমমগী মখুত্তা শীন্নম্মী। বর্মাগা মণিপুরগগী মরক্তা তৌনরম্বা ইরাং ময়াম অদু য়ুম্না য়েংলগা বর্মাগী মতাংদা থোরকপা থবক খুদিংমক খীজিন থোক্চিন তৌনবা অয়াপুরেল হায়বা অনৌবা কম অমত্ত শেম্নমা। মহৌশানা আইন শেমবগী মথৌ অসিদি মহারাজগী শক্তিগী মচু দা থনম্মী অদুবু মথৈথংদদি আইন অমা শেম্নবা হোৎনবদা অশুম অথৌ ময়াম তায়া থোৎনরগা অমদি নিংথিনা নৈনরগা ময়ামগী অপুমবা মতনা তাবা মাকম অদুনা আইন শেম্নম্মী।

মথক্তা নৈনথ্রবা অদুগুম্বদুনা মণিপুরগী নিংথৌ খুত্তম শিয়রবগী মতাং অসিদি থৎনা চৈনবা থোক্লিংঙাই য়ায়া লৈবা মওং অমা ওইরম্মী। পাজম মহারাজগী মজাইবুংঙো খুদিংমক্ল লৈবাক অসিগী নিংথৌ ওইবা য়াবগী রাইট অমা লৈরম্মী। মাকম অসিনা নিংথৌ খুত্তম কংহৌম্রবা মজাইবুংঙোশিংনা নিংথৌ ওইথ্রবা মজাইবুঙোগী মথক্তা লালহৌনবগীদমক দম্বী অমা তথেংনা য়াৎলম্মী। সিংহাসন শিয়রবগী মতাংদা খুদোংথীবা থোক্লবা ময়াম অসি মপামক্তা থেংনরক্লবা চন্দ্রকির্তি মহারাজনা মহাক্কী মতুংদগীদি মণিপুরগী সিংহাসন অসি মজাইবুং-ঙোশিংগী মরক্তা অহল নহ। থাহরগা মথং মথং শিন্নবা অসি পাম্নম্মী[২]। অদুবু

(২) ফোরেন পোলিটিকেল এ, জানুয়ারী ১৮৮১, নম্বর ১১৫—১১৬।

মহারাজ অসিনা খুনবিক্লিনা মথেৎ মচা ছুপা অহক্তনা লিংথৌ ওইবা হায়বা চথখী অসি মণিপুরনা হৌদোকপদি চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা হায়মদে[৩]। মহারাজ অসিগী অনিংবা অসি ভারত সরকারনা ইকাই খুমথি মরম অদুনা মহাক্না খুপথিরিভেদা মদাইবুঙ্কে অহল সুরচন্দ্র সিংহবু মপাবুংগী মফুংদা মণিপুরগী লিংথৌ ওইরমনি হায়না খীপুম খুদিংনা থজনবা লাওথোকখি[৪]।

বিচারগী লোয়নশঙ :

হরান চিনথি অমদি মীহাৎ মীপুমগী লৈবাক ভাক্লোন্দা খুদোং চানবগীদমক মণিপুর অসি সার্কল মরিথোক্না থায়দোক্লমী। সার্কল খুদিংদা পঞ্চায়ট কোর্ট অমমম থমম্মী। কোর্টশিং অসিনা লুপা ৫০ দগী হেন্দবা সিভিল সুইট অমদি অহুক হাক্ন মকাওইদবা ক্রিমিনেল কেসশিং, খুদম ওইনা হায়রবদা ফুনা চৈনবা, লুম্বগা ফুরকপা, মীগী হুপী ভাংনবা, আইন কাইনা মীগী লযদা চঙলুবা অমদি অৎবা হরান চিনবিনচিংবগা মরিলৈনবা কেসশিং বিচার তৌরম্মী। খুন্দদা লৈরবা পঞ্চায়টশিংনা ময়াল লৈরবা মীশিংবু লুপা ৫০ দগীদি হেন্দবা দন্দি পীবা ঙম্মী। ঈম্ফালদা লৈরবা শহরগী পঞ্চায়টনা লুপা ১০০ কাওবদগী দন্দি পীবা ঙম্মী। লোয়ননা পৈছা অশুক য়াম্না সিভিল অমদি ক্রিমিনেল কেসশু বিচার তৌবা ঙম্মী। সহরগী পঞ্চায়ট অসি নত্তবা অতোপ্পা পাটচা, গায়োদ অমদি চৈরাপ হায়বা অচৌবা কোর্ট অহুম অমশু ঈম্ফালদা লৈরম্মী।

পাটচা হায়বা কোর্ট অসিনা হুপীগা মরি লৈনবা কেস ভাক্তা বিচার তৌই। মরম অদুনা মীগী হুপী ভাংনবা, হুপী হুবা, থাইনবা, মচা হুরবা অমদি লুহোংবগী মরি লৈনবা বাথোক পুম্নমক কোর্ট অসিনা বিচার তৌরম্মী। গায়োদনা সিকাইগা মরি লৈনবা বাথোক ভাক্তগী বিচার তৌরম্মী। চৈরাপতি মণিপুরগী হায় কোর্ট ন।) মরম অদুনা চৈরাপ্প অরোইবা থাক্তী থাকৎকম (কে টনি।) লৈবাক অসিগী থাইদগী চাওবা মীহাৎ মীপুনগী অমদি সিঙলগী বাথোক্তা মরি লৈনবা কেসশিংগী বায়েনশংদি নিংথৌগী বায়েনশংনি। নিংথৌনা থাইদগী চাওরবা বিচারপতিনি। মথাগী বায়েনশংগী বায় পুদিংমক মহাক্না হোংথোক হোংজিন তৌবা ঙম্মী। অদুম ওইনমক মতম অদুগী মনিপুরদদি সিভিল কোর্ট অমদি ক্রিমিনেল প্রোসিডিওর য়াওবা য়াবগী হুকুম তৌবা

(৩) মখাগী রাওজম অসিগী এপ্রিল ১৮৮১, মশিং ৩০২—৩০৬
(৪) কোহেম সিক্রেট—ই : আগষ্ট ১৮৮৬, মশিং ৮১১—৮১৫।

তন্না বামেনশং অমত্তা নৈপ্রনম্লি[৫]। বামেনশংগী অত্তবশিংনা অশোইবা প্রজা-শিংবু মখোয়গী মতুংদগী কাওবা কাছনা পুমক্কনা জেলদা থমখিনবা অমদি মখোয়না অপাবা পৈছা অছু কায়ক্লিবা প্রজাশিং অছুনা পীবা তঙ্গ্রশনা মায়া শাখিনা ফু-চৈবা তৌরগা ওইদবা মরাল কনা হায়জিনুনা "বামেনশং অমদা পুখোক্নুনা কেশ তৌবা কাওবা তন্নী[৬]। শক্তি পাইরিবা মীশিংনা মখোয়গী মথাদা নৈবা প্রজাশিংবু লুপা অমত্তং তোনবগী কাওবদা প্রজা অছুবু মতুংদগী কাকনগা ফুচৈদুনা ওৎ-নৈবা তৌরমী[৭]। মণিপুরগী অতম অখোশিংনা তৌরিবা প্রজাবু ওৎ-নৈবা মরাম অসি চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা খংলকপদগী অমোংপা মরাম অসি শেমদোক্নবা মহাক্না মায়া কনা হোংনরমী। অছুবু প্রজাবু ওৎ-নৈবদা হাপ্পশ্রবা মন্ত্রীশিং অতুগী মতেংনদি মহাক্না থজিবা অপাবা থবক অছু পাংথোকপা তঙ্গরোই নিংলতুনা মহাক্না শেমদোক শাদোকে নিংশিংবা থবকশিং অসি পোলিটিকেল এজেন্টকী পাওতাক লৌরগা তৌরগনি হায়না থংহনবা তারমী। মরম অছুনা এজেন্টনা হায়বা পাওতাক লৌরগা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা কমাণ্ডবা প্রজা অমত্তনা অতোপ্পা প্রজা অমবু মতুংদগী হেক্তা কাবা য়ারোই হায়দুনা লাওথোক্লমী। অচুবা বিচার তৌরবা তৌরিবরা হায়বছু প্রজাশিংনা খংজনবা মহাক্না য়াম তাথবা কেশ অছুনা লুপা ৫০০ কাওবা জরি তৌবগী ওইরবা নত্রগনা জেলদা থম্নবগী হুকুম তৌথ্রবদি প্রজাশিং অছুনা অচুবা বিচার তৌবিয়ু হায়দুনা পোলিটিকেল এজেন্টতা অমুক এপিলু তৌজবা য়াগনি হায়নত্ত চন্দ্রকির্ত্তিনা লাওথোক্লমী। যুবরাজ অসিগী মজাইবুংতো মরি, যুবরাজ থানা, অমদি মণিপুরগী অতম অখো মরি অমগনা শেনা তোপ গায়োদ হায়বা বামেনশং অমত্ত চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা হোৎখোক্লমী। হাকথেংননা কেশ হৌবা য়াবা অমদি অতোপ্পা বামেনশং অমনা তাথবা য়াক্কী মথক্তা থারকপা এপিল লৌবা ঙম্বী শক্তি অছু বামেনশং অসিগী

(৫) ফোরেন জুডিসিয়েল—প্রি: প্রোসিডিংস, নবেম্বর ১৮৬৩, নম্বর ৯, দিল্লমা এসিষ্টেণ্ট সেক্রেটারীদ ইবা ১০ অক্টোবর, ১৮৬৩।

(৬) ফোরেন পোলিটিকেল—এ, সেপ্তেম্বর ১৮৬২, নম্বর ৬৩৬, দিল্লমা আফিসিয়েটিং অন্ডর সেক্রেটারী, গভর্ণমেণ্ট অফ ইন্দিয়াদা ইবা চেঠোল; ১২ আগষ্ট ১৮৬২।

(৭) ফোরেন পোলিটিকেল এ প্রোসিডিংস, নবেম্বর ১৮৬৩, নম্বর ৯।

[illegible] ; মহারাজ [illegible] রাজেন্দ্রনা অসিনা থোক্‌ত্রবা বিচার তৌবা [illegible] রাজেন্দ্রনাং অসিনা তাবিনা রায়, রাজেন্দ্রনাং অসিনা অসিনা রাজোত্তমচিংবা অমুদি চুমিং খুদিংগী মহারাজনা পাও লৌদনা লোক্লমদে। মহারাজ চন্দ্রকির্তিগী [illegible] পেনায় লোক্তবী বাবা শারণা বিচার তৌবা হৌবা রাজেন পাথাপ [illegible] লৌকেরম্বী[৮]। মণিপুরদা লোক্লিবা রাজেনগী অমোংনা মরাম অসিগী [illegible] অসি [illegible] চিফ কমিশনারনচু পোলিটিকেল এজেন্টতগী তারম্বী। মণিপুরগী রাজেনশিংবু অসিদি চুমিংখুদিংগী করমদে। মরম অদুনা প্রজা অমদমক অমি চুমিত্তা করি কেশ তৌগদবে হায়বা থাশেংবা অমদা থবা [illegible]। অসি কেশ থোকই হায়দুনা কাজককপা প্রজাশিং অদু হেক্‌ থোকই হায়দুনা হুদুনখিবা লোকাই অমা থাওরম্বী। মরম অদুনা অমদা চুমিংকী অমদা খুংদা অমা অমাগী কেশ থোকপা হায়বদু প্রজাশিংবা থংনবা লোক্তবী শঙেং অমা থেংনবা আসামগী চিফ কমিশনারনা মহারাজ চন্দ্রকির্তি ক্রিয়েদা তৌরম্বী। অদুম ওইনমক মহারাজ অসিনা লোয়াশিনখিবা মথৌদি মণিপুরগী রাজেন পথাপতা থুংশিংজিনবা চিফ কমিশনারনা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টতা হায়রম্বী। যুবরাজ সুরচন্দ্রনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইরক্লবা মতমদি লৈবাক অসিগী রাজেন পথাপতা অদুম অরান থেংনবা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট মশামক্তা দরবারদা চুমিং খুদিংগী কাগদবদি হায়দুনা চিফ কমিশনার অমিনা ওমুক্তা হয়া থাজরম্বী। মণিপুরগী প্রজা খুদিংমক অচৌ-অবিবক অমদি লাইরব ইনাকখুনবা থায়বা তৌদনা চপ মাথবা রাজেন পথাপ অমগী মথাং পুরক্লবা হোৎনবা অসি চিফ কমিশনার অসিনা পায়রম্বী। মণিপুরগী চংনবীদা রায়া গৌড়িয়া তৌবা মও অমদি সাহেবশিং অমদা [illegible] লোহামাদান অমদা নত্রগনা চীংমী অমদা রাজেনশংদা চংহনবা য়াংকদে (চংবুবা লোক্লবদি লেংলোক্লম্বী) মরম অদুনা লোহামাদান অমদি চীংমীশিংবা শাক্তি পীরকপা মতমদা রাজেনশংগী মপান্দা লেপ্পগা পীনরম্বী। অমাং অশেং তৌরিবা অসি মণিপুরীশিংগী মরম্নাইগী মথুমদা তৌজবদা ভারত সরকারনা থুংহিনজিনদুনা য়ামকচু প্রজাগী ওইবা অমদি লৈবাকী ওইবা রাজেনশংদা অদুম্না অমাং অশেং তৌবা অসিদি থীংনবা সরকার অসিনা হোৎনকম থোকই

(৮) জ্যা: রয়াইল, পোলিটিকেল একাউন্ট অফ মণিপুর, লমাই ৮৩।

হাবহনা শাসনগী চিক কম্মিশনরনা হায়রমী[৯]। চিফ কম্মিশনরগী চিঠি অমদা ভারত সরকারনা মণিপুরদা লৈবা ব্রিটিশকী প্রজাশিংবু লৈবা অসি থৌরকাঙবকবৈদি লৈবাক অসিগী রাজনা থৌদাং কা হেক্না খুৎ শিংশিনবা থৌকনহ্নু হায়হনা থংহনখি[১০]। মণিপুরগী রাজন থৌদাং লেপ্তোক লেপ্তনবা থৌনবগী অপাঙবা অহু মরমাইদি থাবক ওইনা অদুক লোংলোক্কনবা মতমদা মশিংবা থৌরসি হায়হনা হেক হোৎনবোকনুবা অদুগী পোলিটিকেল এজেন্তকনা থৌহনজনবা ভারত সরকারনা চে ইরকখি।

পুলিস :

মণিপুরগী প্রজাশিংগী মথাই অমদি মরল মথুম ভাঙনবা পুলিসকী কাংলুপ অমা লৈবাক অসিগী লৈজরম্মী। মণিপুরগী পুলিস অসিগী মকোক্তি কোৎ-বালনা ওইরম্মী। পাক্সম-পাক্সবা মহারাজ অদুগী মনাও ইকুংতোশিং অমা নম্বগনা মজাইবুংতোশিং অমনা কম অসি ওইরম্মী। পুলিসকী অলিকপা মশা কয়ামকম থোক্না থায়দোক্লম্মী। মশা অমমমবু 'থানা' কৌরম্মী। থানাগী মকোক অদুবুনা থানাদার নত্রগা দারোগা কৌরম্মী। দারোগা খুদিংমক্তা মরাল লৈরে হায়না চিংনবা মীওই খুদিংমক কায়গা বন্দিথবা অমদি সনা কোজুংদা থাথিজ্রিজৈগী মমাংদা অথায়চিংবা লৌহনা অহানবা থাক্তি বিচার তৌনা কাওবা ওইরম্মী। মতম অদুদদি পুলিসকী মথৌ অসি মণিপুরগী সীমানা ঙাকপা অমদি লমশিং অদুদা লৈবাক মরা ভগা পায়বা হোৎনবনা মরুওইবা থবক ওইরম্মী। মরম অসিদগী লৈবাক অসিগী সীমানা মমাদা লৈবা মকম তাবা লমশিংদা থানা থম্মী।

সনা কোজুংদগী থাপ্পা লৈথিবা মরম্না অমদি মথক থোংবা অদুম শাহজৌ-শিংনগু চংথোক চংশিন তৌহনা মথোয়না করি করম তৌরিবগে হায়রহু য়েংশিনবা ঙমজনলিনা মতম অদুগী মুগতাদি পুলিস হায়রবা য়ায়া [illegible]

(৯) ফোরেন সিক্রেট—এ, এপ্রিল ১৮৮৫ নম্বর ১২৩, ইন্ডিয়া চিফ কম্মিশনর ইসা চেৎলাল, জুলাই ১৮৮৫।

(১০) মথকী য়াওকন অসিদা, নম্বর ৯—৭, বার্তনা ভুরাম্বা ইবা চেয়োল, ১৭ মার্চ ১৮৮৫।

লেঙ্গা খুবক্তা য়াম্না তৌবা অমদি প্রজাবু য়াম্না ওং-নৈবা কাংলুপ ওইনা থংনরম্মী। লেঙ্গা খুবক্তা য়াম্না তৌবদগী পৈছা পীজবা ওয়েদবা ইচুম চুমজবা প্রজাশিংবু পৈছা পীদে হায়রদুনা অয়ানবদি তৌরম্লগা লেলদি পীজবা ওনা মীশিংগী মীচংদা তোংখিদুনা ওং নৈবগী থবক অসি য়াম্না তোইনা চখরম্মী। ফজিন্নবা খুদং অমদা হাংন-তনবা, ফুন-চৈনবা অমদি হয়াক চিনখিনচিংবা তৌরবা কাওবয়া খুদং অদুগী প্রজা মযাম্না পৈছা থাবনরগা দারোগাদা লেঙ্গ পীজদুনা মখোয়গী মরাল অদু খুমজিন্নবা তৌয়না হোৎনরম্মী।

অজন্না মোৎলবা মণিপুরগী পুলিসকী থৌরাং অসি মণিপুরনা ব্রিটিশকা মরুপ ওইবা হৌরকপগা লেংদোক্লবা কয়া হোৎনথুবত্ত অমোৎপা অসিনা মাস্মজবনা পাক শেংদোকপা ঙম্লমদে। থৌরাং অসি ফগৎনবা হোৎনবদা চহী কয়ামকম চংখি। অদুম ওইনমক মনিং মথা তম্বা মণিপুর ওইরিবৈদদি অমোৎপাশিং অসি শেংদোকপা ঙমখিদ্রে। খৃঃ ১৮৯১ দা মণিপুরনা ব্রিটিশকী মথা পোনবা লৈবাক অমা ওইথুবদা অকনবা ব্রিটিশকী সাসন মথাদা পুলিসকী অমোৎপা ময়াম অসি শেংদোক্লবা মথং মথং হোৎনরকখি।

দন্দি পীনবগী আইনশিং :

মরাল লৈরবা মীবু দন্দি পীনবা মণিপুরদা চৎনরবা আইনশিং অদুদি য়াম্না চন্নমী অদুগা হৌজিকী যুগতা চৎনরিবা নিয়ম অসিগা য়েংনক্রবদি য়াম্না শাথিরম্মী। বিচার লোইশংদা বিচার তৌদ্রিবৈদা পুলিসনা মরাল লৈরে হায়রিবা তুপা নত্রগা তুপী অদুগী মরাল অদু অচুম চুমদা থাজিন্নবা আইন অমত্তা লৈরমদে। মরাল লৈরে হায়দুনা কারক্লবা মীওই অদু বিচার লোয়শংদা পুখোক্লগা ফু-চৈবা তৌদুনা নত্রগনা চিন্নতা ওইরবত্ত জবান লৌনবা হোৎনরগা বিচার তৌবা হৌরম্মী। দন্দি পীনবগী আইনশিং অদুদি তশেংনমক য়াম্না শাথিবা আইন ওইরম্মী। ইন্দিয়ান পেনাল কোডকী মথাদা চহী অনি নত্রগা চহী অহুম কাওবা জেলদা থম্লগা তোকপা য়াবা দন্দিশিং অদু মখোং মথুং ককথংপা অমদি হাংপগী দন্দি কাওবা মণিপুরনা পীরম্মী।

মণিপুরদা থুবৈদগী চাওবা মরালদি নিংথৌগী মথক্তা লালহৌবনি[১১]। মশিগী দন্দিদি হাংপনি। অদুম ওইনমক নিংথৌনা লালহৌবা মীবু কনখিবত্ত ঙম্মী। মথংগী অচৌবা মরালদি মীহাৎপনি[১২]। মশিগী দন্দিশু হাংপনি।

(১১) ডাঃ ব্রাউন, ষ্টেটিষ্টিকেল একাউন্ট অফ মণিপুর, লমাই ৯৩।
(১২) মখক্কী রাজকুমার অসিদা।

মীহাৎপগী হুকুম কংলবা মরাল লৈবশিং অদুবু অদুমা হাংকদবনি হায়বগী অকংবা নিয়মদি লৈরমদে। মীহাৎলুবগী দন্দি কংলবা মী অমবু হাৎপা তাবদি মহাক্না মী অদুবু হাৎলুবগী মগুং মতৌ অদুগা চপ মান্না মহাকপু হাৎকদবনি। অদুমা চৎনরম্মী। জোনষ্টোন্না মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেণ্ট ওইনা লাক্লবা মতমদা মণিপুর সরকারদা মীহাৎপগী দন্দি কংলবা মী পুম্নমক মগুক কক্না হাৎসি হায়বা নিয়ম অমা হোৎলোক্লম্মী। জোনষ্টোন্না হায়বা অসি লৌহুনা খৃঃ ১৮৭৯ দগী হৌনা মণিপুরদা হাৎপগী দন্দি কংবা মীশিংবু মগুক কক্না হাৎপা হায়বা নিয়ম অসি হোৎলোকখি[১৩]। অদুম ওইনমক মণিপুর অমসুং ব্রিটিশকী লৈনরকপা মরি অদুনা মণিপুরগী দন্দি পীবগী নিয়মশিং অসি শেমদোক্লবা হোৎনবদা মহৈ ইয়াল য়াল্লমদে। জোনষ্টোন্না নত্তনা মণিপুরদা লাকখিবা পোলিটিকেল এজেণ্ট পুম্নমক্না নিয়মশিং অসি শেমদোক্লবা য়াম্না কম্না হোৎনখি অদুবু কায়বা কন্নিমত্তা কংখিদে। মরম অদুনা মণিপুরমা মনিং মথা তবা মাংখ্রবা মতুং কাইনথং কাওবদা হায়না চৎনরবা নিয়মশিং অদু অদুমক চৎনরম্মী।

মন হাৎলুরবদি মণিপুরগী আইন্না অদ্রি চাওনা তৌই। কনাগুম্বা মী অমগী ইংখোল মঙ্গুংদা অসিবা মন লৈরবা থেংনরবদি দুপা অদুবু অকন্বা জরি তৌই[১৪]। নোংমৈ হুরানবদি মণিপুরদদি য়াম্না চাওরবা অকন্বা কেশনি। কনাগুম্বা নোংমৈ হুরাদুবা মী ফাবা থোক্লবদি মাবু জেলদা মতম কক্না থম্না য়ারম্মী[১৫]। হুমা চৈনবা অমদি হুরান চিহি মচাশিংগীদমক্তা অকক্লবা মতম থম্না জেলদা থম্না নক্লগা অরিথরা তৌবা নত্রগা কৈথেল্দা পুথোক্লগা য়াইরিনা কুরগা অদুমক তোক্লম্মী। মণিপুরদদি ব্রাহ্মনবু হাৎপগী দন্দি থক পীদে। ব্রাহ্মন অমগী মথক্তা পীবা য়াবা থ্বাইদগী চাওবা দন্দিদি মহাকপু মণিপুরদগী তানথোকপনি।

মণিপুরদি অরিবা হিন্দুগী আইন চৎলি। মরম অদুনা খুনীদা হাৎপগী দন্দি অমদি অচৌবা দন্দি থক পীদে[১৬]। কনাগুম্বা খুনী অমনা য়াম্না ফুক্ষনা

---

(১৩) জোনষ্টোন, মাই কেবন. মথকী লাইরিকী লমাই ১৩৮ দা।

(১৪) কোমেন পোলিটিকেল এ. পোলিসিলেস, অক্টোবর ১৮৭৩, মশিং ৬।

(১৫) ডাঃ ব্রাউন, ষ্টেটিষ্টিকেল একাউণ্ট অফ মণিপুর লমাই ৯০।

(১৬) জোনষ্টোনগী মথকী লাইরিকী লমাই ১৩৮ দা।

মরম্না মায়া ইরাইরিংবাই ওইবা মরাক তৌকখবদি মহাকপু 'খুনোম্বনবা' হায়বা হুন্দি মখল অমা পীরম্মী। হন্দি অমং কংলবা হুপী অম্বুরা মখুংগী লেমগা অশিকপা কয়েক অমত্তং নত্তনা মশাদা কি অবস্থা থোংহল্লে। মহাকী মখম্বাক্তা খঙ্গাংবা ঠৈরিদির অহুগা মরেগম অনিগী মরক্ত তুমিংং অমা পুল্লিম। মখুংগী খৌরিম অমা পুলিসপা বাবু হরিদাংবাইরম মী মায়া চিনখওকপা মখম্বা ঠৈরেংলমা চিংহুনা পুম্মনবনি। মকি মাওম্বা মনিংদা য়ুম অমত্তা পুনশিনখবমি অহুগা মাদি মঙ্খুংদা হংপা হুপা অহুনা য়ুম অহু ঠৈরম্বনি। মশিগী মওং অদিনা মরাল ঠৈরকপা হুপী অহুক্তনু হন্দি পীবা নত্তনা অটৈ হুপীশিংগা খুরুম অমা ওইনা লোকহল্লি। অতোপ্পা মরমলশিংগী হুপীদা পীবা মমা হন্দিদি লোয়ে থাবাদা লোয় থাবা হায়বা অমসু চংনরম্মী[১৭]। ডাঃ ডিলনা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরিবৈদা 'খুনোম্বনবা' হায়বা অদু মুথংনবা মায়া কম হোংনরম্মী[১৮]। অহুর চংনবী অসিনা মরা চেৎনা তাথবনিনা পম্বক থেক লৌথোকপদি মাথিদে। অংংনা হায়রবদা হন্দি অসিদং লৌথোকপা লেমহোকপা মাদবনিমা মণিপুরগী হন্দি পুম্মমক্তী মওং মতৌ লেমহোক লেমজিন তৌনবা হোংনবা তাবনা চহী কয়া চংথি।

জেল :

মণিপুরগী জেল লেংশিনবা নিয়ম নাইবা মওং অমত্তা লৈরমদে। ব্রিটিশকা শরুকখনা জেলগী মতাংদা অহোংবা থরদং পুরকখিবা নত্তনা মায়া লেমগৎ শাগৎ-পদি উমখিদে। খৃঃ ১৮৮২ দা আসামগী চিফ কমিশনারনা মণিপুরদা লাকপা মতমদা মণিপুরগী জেলদা মী কয়ায়া বন্দি ওইহুনা লৈবা কাদোকাশিং অহুনা তৌকবা মরাদনা করি করিনো হায়বা ঙবা মীওই অমত্তা মণিপুরদা লৈরমদে। মরম অহুনা জেলগী রেজিষ্টর অমা লেপ্পগা মহুদা কাদোকী মমিং, মথোক্তনা তৌকবা মরাল, জেলদা পুরকখিবা তারিখ অমদি থাদোকখিগদবা তারিখ ইশিন্দুনা থম্না আসামগী চিফ কমিশনারনা হোংকোক্লম্মী। মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেল এজেন্টপুদু জেলদা চংথোক চংশিন তৌহনবা মাহনখিনু হায়দুনা মখাদা ভারত সরকারদা হোংকোক্লম্মী[১৯]। পাও অদি কংথপা ভারত সরকারনা

---

(১৭) ফোরেন প্রোসিডিংস, মার্চ ১৮৮০, মমিং ১৩৬।

(১৮) ফোরেন পোলিটিকেল—এ, প্রোসিডিংস, ফেব্রুয়ারী [illegible], মমিং ২৩, ডিলনা আইচিসনদা ইবা, ২০ জানুয়ারী ১৮৮০, মমিং ৬, রিপোর্ট অন মণিপুর।

(১৯) ফোরেন সিক্রেট এক, এপ্রিল ১৮৮৫, মমিং ১২৩, ইলিয়টনা [illegible] ইবা, ২ জুলাই ১৮৮৪।

অমসুংনগী ডিপ কমিশনারদা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টনা মণিপুরগী জেলদা চংশিনখিবদি মতু মানবা মহারাজ চন্দ্রকির্তিনা হায়জখিনি মতুং জেলগী সুপারিন্টেন্ডেন্ট থবক মতাংদদি এজেন্ট অসিনা মণিপুরগী মহারাজদা থখসি থমগদ্রসি হায়রকখিবা মায়োই হায়জনা থংহনখ্রে। মণিপুরগী মরমদা চাওখৎনবা করিগুম্বা খুদিং থোরাং পাইথৎকে হায়রবদি মতু তারক সরকারদা হায়রকপগী দরকার লৈতে মহাক মথক্কী মযুকথোক্তবা বাকম ওইহনগদবনি হায়দুনা তাকক সরকারনা মখা অমুক তাখনা হায়রম্মী। মেংশিনকম থোকপা অতুগী চাংদগী হেক্না মেংশিনবা হায়বসি সরকার অসিনা যাদিংবে হায়দুনা থংহনখিরম্মী।

জেলগী মচুংগী থোংচাম থুংহান্দুনা, ইকমাইথকখ্রংগী পুন্নমক কগংনবা শেমগৎলম্মী। অনৌবা শেমগৎ শাগংপা অসিগী মতুংদগীদি কাদোক ১০০গী মচুংদা ৫ থোমতমক শিরক্লে[20]। কাদোক পুন্নমক জেলগী মপান্দা পুথোক্লগা থবক ইনথাং তৌহল্লম্মী। মণিনত্ত শিবগী চাং অসি থরা হুহংলবনি। জেল মচুংদা নিয়ম নাইনা চাবা, থকপা অমদি তুখা হায়বা পাথাপ অমত্ত হোদোক্লম্মী। পাথাপ অসু কাইনা চংলকপা কাদোকশিং অতুদি চৈনা কুয়ম্মী, খু লুমথবা হেলহল্লম্মী, অতুগা মিয়াৎ শাংথহল্লম্মী[21]। মণিপুরগী জেল হায়ববু ইম্ফালদা লৈবা জেল অসিমত্তা মঙাইরম্মী। অতুবু মণিপুর জেলগী কিত্তম, মুমকৈ অমদি কাদোকশিংগী মখা কনবগী মরমদদি মণিপুর সরকারনা পুক্নিং মায়া চংশিল্লম্মী। কাদোকশিংগী মখা মত্ত কনবগী মরমদা থবাই যাওশিনবা অমদি মেংনশিনবগী থবক অতু লৈবাক অসিগী সিভিল সার্জনগী মখাদা থনম্মী।

মীনাই থমগী চংনবী :

মণিপুরদা মীনাই থম্বা চংনরম্মী। মনাইশিং অসি চারোল তরোল কাওবা শাথনরম্মী। কনাগুম্বা মীওই অমা মশাবু মীনাই ওইনা থম্লগা মীগী মরল পুক্রবদি পুক্রিবা মীগী থরল অতু শিংবা ঙমদ্রবথেদি চারোল তরোল কাওবা শেন্দোইগী তাবত্তা মী অতুগী মীনাই ওইনরম্মী[22]। কনাগুম্বা মীওই অমনা মশাবু য়োনথোকপা য়াজবা, মহাক্না তোল্লবা মীগী মরল শিনবা মহাকী হুনী অঙাংবু য়োনথোকপা য়াবা নত্রগা মীগী মরল তোনশিনবা শিংবা উমন্নপ বাকেন-

(২০) ডা ব্রাউন, স্টেটিষ্টিকল এ কাউন্ট ওফ মণিপুর লমাই ৯৩।

(২১) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

(২২) তোমখোমগী মথকুকী লাইরিকী লমাই ১১৯ দা।

লৈং অমগী মায়না মখোয়বু য়োম্হোকপা মাবা নত্রগা মীওই অহুনা মীগী হুপী ডাংনরুবা নত্রগা হয়না চিংথি তৌরকপীদমক মহাকপু অরি তৌরক্লবা মতমদা অরি অহু পীনমগীদমক মহাক মশামক অমদি মাগী ইযুং মচুং পুন্নমক মীনাই ওইনা য়োম্হোকপা মাবা চৎনবী অমা মণিপুরদা লৈরম্মী[২৩]। অসিদগী নত্তনা কনাগুম্বা হুপা অমনা মীগী মীনাই ওইরবদি মানা পোকপা মচা অহুম মীনাই ওইনা অহুমক পোক্লম্মী। অহুম ওইনমক মীনাই ওইবগী চৎনবী অসিদা মীনাই ওইরিবা হুপা হুপী অহুবু মায়া অমাবা পীহুনা লৌং-নৈবা হায়বহুদি তৌনরমগে। মীনাই ওইরিবা হুপা নত্রগা হুপী অহুবু কজনা পীজ-পীথক অহুমক তৌরম্মী মহুগা কয়া নোমজা তজরবদি মীনাই ওইবা অহু হন্দোকচবত্ত মানরম্মী। মীনাই ওইনা য়োম্হোকপা হায়বা অসি মায়া তৌযনা থোকপা চৎনবী অমনি[২৪]। মপুরোইবগী সোয়াং শোয়বা মশাবু অমদি মচাহুপীবু মীনাই ওইনা য়োম্হোকখিবা থোক্লোক অমা জোনষ্টোনা পন্দুনা ভারত সরকারদা মণিপুরদা মীনাই থমা চৎনৈ হায়হুনা ইথি। মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তি সিংহনা নোংমা ত্রৈতৈদা, নংথোম্রগনা মজাইবুংডো সুরচন্দ্র যুবরাজনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইরবা মতমদগী দি মণিপুরদা মীনাই ওইবগী চৎনবী অমা লৈরিবসি পুম্মুং মুংথৎনবা আসামগী চিফ কমিশনারনা হোৎজোক্লম্মী। হায়রিবা য়াকম অসিদা মণিপুর সরকারনা পুময়া য়ানিংত্রবত্ত হুপা সবালপ ওইরবশিংনা মশানা মাজনা মীনাই ওইজবা নত্তনা হুপী অমাংশিংবু মীনাই ওইনা য়োম্হোকপগী চৎনবী অসিমদি মুথৎনবা চিফ কমিশনারনা কয়া হোৎজোক্লম্মী।

চিফ কমিশনারনা হোৎজোকপা য়াকম অসিদা ভারত সরকারনা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা পাক্লিষ্ঠে মতমদ দ অহোংবা অসি থুনা পুরক্লবা হোৎনক্লরগা মনিপুরগী প্রজাশিংনা য়ানিংলমদবা থোক্লমদি কয়া চুংডাইয়োইদবা মাল্লি অহুগা মজাইবুংডো সুরচন্দ্রনা মহারাজ ওইরবা কান্দ হোৎজোকদবা য়াকম অসিত্ত চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজগী মতমদা হেক্তা হোৎদাকলুবা হায়বসিত্ত অশিংবা থবক মাম্মে হায়হুনা মত্ত পীরম্মী[২৫]। মরম অহুনা মণিপুরদা অহোংবা অম সুরচন্দ্রগী মতমদা পুরক্লবা হোৎনগে হায়না

(২৩) ফোরেন সিক্রেট এফ, এপ্রিল ১৮৮৫, নম্বর ১২৬, ইলিয়টনা ডুরাণ্ডা ইবা চেয়োল ২ জনুয়ারী ১৮৮৫।

(২৪) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

(২৫) মথক্কী য়াওকম অসিগী নম্বর ১২৭, ডুরাণ্ডা বার্ত্তা ইবা চেয়োল, ১৭ মার্চ ১৮৮০।

ব্রিটিশ সরকারনা থনবদি মচু চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা নোংগাপ্রিঙৈদা থক হৌরোক- লোইরবনি হায়না ভারত সরকারনা লেপখি। মতুম ওইনমক ভারত সরকারনা মণিপুরদা লৈবা পোলিটিকেল এজেন্টতা মহাক্কী অপাবা অমদি করি কয়বা উপাই শিজিন্নগা মণিপুরগী চৎনবী অসিত্ত কাইহন্দনা চহী থরগী মতুংদা মণিপুরগী মীনাই ওইবগী চৎনবী অসি মুথৎপা ঙমগদগে হায়বা মত পীরকই হায়রম্মী[২৬]। ব্রিটিশ সরকারনা কনা কয়া হোৎনজন্নবত্ত মণিপুরগী চৎনবী অসি মুথৎনবা চোৎনবদি পাক ঙম্মদে। অহুমক ওইনা ওইনা খৃঃ ১৮৯১ দা মণিপুরনা ব্রিটিশকী মখা পোনখ্রবা মতুংদগীদি লৈবাক অসিদা মীনাই ওইবাগী চৎনবী অসি লৈহনখিদ্রে।

লাম্মী :

মণিপুরদা চৎনরম্বা "লালুপ[২৭]" কী মথাদা থোংজেক মিৎত্তাং থম্মোকখ্রগা লেমহৌবা চহী ১৬তগীনা ৬০শুবা হুপা খুদংমক লাম্মী ওইরম্মী। লাম্মীশিং অসিনা য়ায়া কয়া শিজিন্নরম্বা লানগী খুৎলাইদি থাংথাংনি। থাংথাং অসিদা নত্তনা মণিপুরগী লাম্মীশিংনা তা, থাং, লিকং-তেন, হুং হায়বা খুৎলাই জাৎ অমা অসিনচিংবশিং অসি লান্দা কয়া শিজিন্নরম্মী। মণিপুরগী লাম্মীদি শরুক অনিথক্তা থোক্লা থায়দোক্লম্মী— শগোল তোংবা লাম্মী হায়বা অমা অহুগা খোংমী হায়বা অমা। তীরগী অদমনচিংবদা শমু মরাং কায়না কংলম্নবত্ত শমু শিজিন্নখিবা লানগী ইতিহাস অমত্তা মণিপুর ইতিহাসতা থেংনদে।

মণিপুরগী সগোল তোংবা লাম্মীদি মথোনা লৈবগীদমক মমিং চৎলি। শগোলতোংবা লাম্মীশিং অসি য়ায়া নিংথিনা ট্রেনিং পীরম্মী। মথোমনা থাং তা শিজিন্নবগী মথক্তা 'অরাম্বাই'[২৮] হায়বা লাংসোইত্তা হমগা শিজিন্নগদবা

(২৬) মুথক্তী য়াওকম অসিদা।

(২৭) মতুংদা লৈনরকনি।

(২৮) অরাম্বাই হায়বসি য়েক্রবদা হমগা শিজিন্নগদবা খুৎলাইমি। শরুক অনি থোক্লা থায়দোকই, মপান অমত্তং মথুং। মপানগী শরুক্তনা য়াহোং মচু অশাংবা ১০ নএগা ১২ থক্লা পূনশিল্লগা লেম্মী মথুংগী শরুক্তা তাত্তনা মচিনতুবা অরুবা য়োংকি শরুক্তি। য়োংকি তাজিল অসিবু য়াংহোং মতুশিং অসিনা থোমশিল্লি। মরম অহুনা য়াহোং মতুশিং অসিদা মথুম ওইবা উত্তোং অহোবা যানবা মরিল অমা লেম্মী। হায়রিবা অহোবা অসিদ' যাগী মথোক অমা খুৎ পাইকদ ওইনবা হুক্তি ৫ য়োম শাংবা হেন্দোকহনগা শাল্লি। কেৎনা পাইবা য়ানবা থৌরি অমনা

খুৎলাই অমত্থু পাইরম্মী। শগোলতোংবা লম্মী খুদিংনা শগোলগী নাক অনিদা 'অরাবাই' তেন্দোং অময়ম য়ারম্মী। থেক্রুবগী মথক্তা লান্দারা মতমদা 'অরাবাই' অসি মাংলোমদা অতুগা লাল হন্দোক্লকপা মতমদা তুংলোকদা লংলম্মী। মরম অতুনা খুলাই অসি লাম্বাবা অংদি লাল হন্দোরকপা অনিমক্তা শিজিন্নবা য়ারবনিনা য়ায়া মক ওইবা খুৎলাই ওইনা শিজিন্নরম্মী। থোংমী লাম্মীশিংগী মতাংদদি মথোমবু য়ায়া নিংখিনা 'ট্রনিং' পীবরা পীদবয়া হায়বগী মরমদা চিংনবা য়াবা থাকম কয়ামরুম লৈ। মরমদি মতম অতুগী মণিপুরী লাম্মী অয়াম্বা 'লালুপ' কাবশিংনা ওইরমনিনা তুম্মিং ৫নি খুদিংগী তুম্মিং ১০ নি থক্তং মথোমবু ট্রেনিং পীনবা মতম কংলম্মী।

মণিপুরগী লাম্মীশিংদি থাগী ওইনা নত্রগা চহীগী ওইনা অথক্লবা তলব কংলমদে। লাম্মী খুদিংনা পৌ একর অনি নত্রগা অহুম থাজনা থিদনা কংলদা অতুনা লোয়রে। মরম অতুনা মথোমন ফংলিবা লৌ অসিনদি চয়া অমি চাবা কাওবদা কোয়রমদে। ফংলিবা তলবকা শিজিন্নরবা থংকত্ত য়ায়া থেংনরম্মী। লাম্মী অম ওইবগী লানগী মথৌ তৌবতা নত্তনা মণিপুরগী লাম্মী পুন্নমক যুম শাবদা, থোংশাবদ, উ য়ানবদা অমদি মথল মথা অয়াম্বা থবক চৎতৌবা মতমদ শিজিন্নরম্মী। থবক হেয়া তৌবগীদি এলায়েন্সনচিংবা অমত্তা কংলদ নত্তে। মরম অতুনা মথ্যাই হিংনবা অমদি মমুম মকৈ থাকপা ওয়বা লাম্মী অয়াম্বনা খুলোংচাবা হেক কংবগা খুনংশিংদগী লুট পাট তৌরম্মী।

অতুবু নোংমৈ শিজিন্নবগী যুগ লাকপা অমদি মণিপুরনা ব্রিটিশকী মকপ ওইরকপদগীদি মণিপুরী সাম্মীশগী শেংগৎ শাগৎপদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকপা হৌখি। মণিপুরী লেন্ডী হায়বা লাম্মী কাংলুপ অমা শেমখিবা অসিনা (গম্ভীরসিংহগী মতমদা) য়াম্দাবুগী সন্ধো লোয়রবা মতুং ফাওবদা মণিপুরবু চাক শেরম্মী। অতুম ওইনমক গম্ভীরসিংহ মহারাজনা নোংগাথুবা মতুংদা মণিপুরদা পোলিটিকেল এজেন্সি থম্বা হৌখুবা মতুংদগীদি ভারত সরকারনা

অমুক য়াগী মথোক অসিদা য়েংলি। হৌবা মতমদা য়াগী মচৈ অসিদা পাইরগা হুনগদবনি। অমবা তাজিন অসিনা অবাম্বাই অসি পাইদুনা চৎহনগনি। য়াগী মথোক অসিদি খুত্তা অহুম্মক পাইশিন্দুনা লৈহোৎলদবনি। য় হোং মতুগী উতোং অসিনা লংবা মতমদা খুৎ চুমহলি। শগোল তোংবা লাম্মী খুদিংনা অরাবাই হুনবা নিংখিনা হৈনবা তম্মী। হৈত্রবদি খুম্বা য়াদে।

মণিপুর লেৎপীগী সিকাইশিংগী তলবনচিংবা পীরম্বদু তোকখি[২৯]। অদুবু 'লাল্লুপ' কাবগী চৎনবী মথাদা সিকাইশিং অসি লাম্মী অতুম্বক ওইরম্মী অদুগা মণিপুর সরকারনা থাজনা লৌদনা সিকাই খুদিংগী ওইনা একর অহুমোমগী লম তলব ওইনা পীরম্মী[৩০]। অশুম্না লাম্মী ওইরবা মণিপুরীশিংগী মচা মশিং অদুত লাম্মী অতুম্বক ওইরম্মী। মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট খুদিংমক্কা মণিপুরগী লাম্মীশিংগী ড্রিল তবদা অমাদ ট্রেনিং তৌবগী নিয়মদা চাওখৎনবা অমদি ট্রেনং তৌরিউ মহুৎদা লাম্মী খুদিংগী শেল ওইনা তলব থরা থরা পী'বনবা ভারত সরকারদা হোৎজক্লম্মী। লোয়নননা মণিপুরী লাম্মীশিংদা অকবা নোংমৈ অমদি মতিক চাবা মরু পীনবত্ত হোৎদোক্লম্মী। মরম অদুনা ১৯শুবা শতাব্দীগী ময়াই চয়কপা মতমদগীদি মণিপুরগী লাম্মী অ'স খুজু খুৎলাই নিংখিনা পায়রবা লাম্মী কাংবু অমা হায়বদু ওইবা হোরে।

অশুম্না শেমগৎলবা লাম্মী অসি রেজিমেন্ট ৮ খোক্লা থায়দোক্লম্মী। তুলিহল রেজিমেণ্টনা কম্প্যানি ১২ না শায়ম্মী: তুলিয়াইমা রেজিমেন্টনা কম্পানি ১১: তুলিনাহা রেজিমেন্টনা কম্পানি ১২: ভীতনা রেজিমেন্টনা কম্পানি ৮: বিষ্ণু সৈন্য অহল রেজিমেন্টনা কম্পানি ৯। বিষ্ণুনহা রেজিমেন্টনা কম্পানি ৯: তোপ তুলি রেজিমেন্টনা কম্পানি ১২: অদুগা অয়াপুরেল তুলি (মসিগী রেজিমেন্ট অসিদি মপানগী লৈবাক্লা মরি লৈনবগীদমক্তা শেম্বনি) অশুম্না থায়দোক্লম্মী। মথক্তী অসি নত্তবা অতোপ্পা অদুক হাক্লা মরুওইদবা তুলি কয়ামরুম অমত্ত লৈরম্মী। মখোয় অদু কাং তুলি, কাংনাও তুলি, ওইনামনোং তুলি অমদি নাবা তুলি অসিনি। তুলি অসি মেজোর অমা অদুগা পোইলা অমগগী মথাদা থম্মী। কম্পানি অমগী অফিসারনা সুবেদার অমা, জামাদার অমা, আগারি হোলদার অমা, হাবিলদার অমা অদুগা অমান্দার অমা য়াওরম্মী। অশুম্না শেম্বা রেগুলার মণিপুরী লাম্মী অসি পুম্না ৫,০০০ থক্লি। মসি নত্তবা 'লালুপ' কী থৌবুদগী লাম্মী ওইবা ইরেগুলার লম্মী ১২,০০০ অমগা লৈরম্মী। হায়রিবা ইরেগুলারগী কাংবু অসিদি নিংথিজনা ট্রেনিং পীবা অমদি খুজু খুৎলাই নিংথিনা পাইবা লাম্মী কাংবু নত্তে। মহারাজ চন্দ্রকির্তি সিংহগী মতমদা পোইলা কম্পানি

(২৯) হদশন, টি: সি: দি মৈথৈজ, লমাই ৫৮।

(৩০) ফোরেন পোলিটিকেল-এ, সেপ্তেম্বর ১৮৬৫, মশিং ৩৯, দিলয়া ভারত সরকারগী অফিসিয়েটিং সেক্রেটারীদা ইবা চেঠোল; ১২ আগষ্ট ১৮৬৫।

হায়বা অমা লেপ্নখি। কম্পানি অসিগী আফিসার অমদি সিপাই পুরমক অচৌ অমাং ইমুংদগী চাত্তনা ওইরম্মী। মহারাজ মশামক্না কম্পানি অসিগী মেজোরনি।

মরম অসুনা কবিগুণ বর্মাগা লান ত্তৌবা তারবদি মণিপুরী লাম্মীশিং অসিনা অমা য়ায়া থবা য়ারে হায়না ভারত সরকারনা খল্লখি। অদোংবমকও খৃঃ ১৮৭৯ গী কোহিমাগী লানহৌ অমদি খৃঃ ১৮৮৫ গী বর্মা লান্দা মণিপুরী লাম্মীনা ব্রিটিশশক্তি পীখিবা মতেং অদু য়েংলুরগা হায়বা তারবদি মণিপুরী লাম্মী অসি মতম অসুদা য়ায়া নিংখিনা তম্মীরবা অমদি অকবা থুংলাই পায়রবা লাম্মী কাংবু অমনি হায়দবা ঙমোই।

থাজনা :

মণিপুরীশিংদি শেল ওইনা থাজনা পীরমদে। মণিপুরগী লম পুম্নমক মহারাজগী ওইরম্মী। লম অসি শানবা মীওই খুদিংমক্না চহীগী ওইনা কৌ থরা থরা তমলম্মী। মক ওইবা থাজনাদি মশানা নিংথৌগী থবক তৌবিবগী মওং অসিনি। অমুক্না থবক তৌবা অসিগী মমিং 'লালুপ' কাবা কৌই। 'লালুপ' অসি ব্রিটিশশিংনা থংকাত্তনা হায়রম্বদি 'নমতুনা থবক তৌবনি' অসিনি অসুবু মওং অসিদি আহোম নিংথৌশিংগী মতমদা আসামদা চংনরম্বা মওং অসুগা য়ায়া মান্নৈ[৩১]। চহী ১৬ তগীনা ৬০ কাওবগী নুপা খুদিংমক নুমিৎ ৪০ নি খুদিংগী নুমিৎ ১০ নিদি 'লালুপ' কাগদবনি। 'লালুপ' অসি মণিপুরী খুদিংমক্না অচৌ অপিশক অমদি লাইরা ইনাকখুনবা থাবদনা কাদবা য়ারমদে। অদু ওইরবসু শৈেছা পীরগদি 'লালুপ' কাদবা য়ারম্মী অসুবু ইনাকখুনবা থম্মুংবা নত্তবা প্রজা অম্মাখদি শৈেছা পীনবা লৈতবনা লালুপ অসুমক কাবদা তারম্মী[৩২]। নুপীদি 'লালুপ' কারমদে। য়োংশাবা, সনা শাবা অসুগা উত্তবা নত্তনা অতৈ প্রজা পুম্নমক্কি 'লালুপ' কাবা অসিদা লৌ উই, সিপাই ওই, লম্বী শেম্মী, লৌথোং তৌই অসুগা অতোপ্পা মণিপুরগী কাম্নদবা থবক কয়া তৌই। খৃঃ ১৮৭১ দা 'লালুপ' অসি মুথৎখবা মতমদা জোনষ্টোন্না অমুক্না

(৩১) জোনষ্টোনগী মথক্কী লাইরিক্কী লমাই ৯১৩।

(৩২) ফোরেন পোলিটিকেল এ, সেপ্টেম্বর ১৮৬২ মশিং ১৩১, মিলনা অফিসিয়েটিং অন্দর সেক্রেটারী গভর্ণমেন্ট অফ ইন্ডিয়াদা ইবা চেথোল, ১২ আগষ্ট ১৮৬২।

হায়খি : “মণিপুরবু ঐখোয়না হেক লৌবগীদি লালুপ অসি মুত্থত্লে হায়না ঐহাক তারে, মণিপুরীদমক ফুংবা ঐখোয় শোয়দনমক ফুংঙাইয়ক্লোই।”৩৩ অদুগ ‘লালুপ’ কাবা অসিগী কংবা লৈঙাকী ওইবা শেলগী চাগাদি যায়না হন্থরগনী। মরম অদুনা ডাঃ দিলরা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইবা মতমদা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজদা লৈবাক অসিগী খাজনাগী মতাংদা অহোংবা অমা শেমবা য়াম্না কন্না তকখিরগনী। মহারাজন্ত এজেন্টনা হায়বা যাকম অদুনা যানিংবদি পোক্লগনী অদুব করম্না ভোগদগে হায়বত্তুদি থংলবরে। মণিপুরগী প্রজা খুদিংমগী চহীগী ওইনা লুপা ৫ | ৫ দং ‘লালুপ’ কাবগী মহুত্তা লৌরবদি (প্রজাশিংনম্ন হয়াওনা যায়কনি হায়বসি দিলনগী অনিংবনি) শেলগী ওইবা অচৌবা চাগা অমা মণিপুরগী কারকনি হায়না দিলরা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজদা কোংদোক্লগনী৩৪। অমনা মতম অদুদা মণিপুরগী লান্মীনি হায়ত্তুনদি লৈরগা খবক্তি তৌবা ওমত্রবা কাংবু অদুগী মখোয়না কংলিবা লৌচা অদু খাজনা লৌবগী মহুত্তা লুপা ৫ | ৫ চহীগী ওইনা খাজনা লৌরবদি অচৌবা চাগা অমত্ত কংগনি হায়তুনা এজেন্ট অসিনা মহারাজদা হায়রক্লী৩৫। দিলরা হৌদোরক্লিবা বাকম অসি অকবা বাকম্নি হায়বা খঙলবত্ত প্রজাবু ওং নৈরগা ফুংঙাইজবা অঙম অখৌ থরনদি ‘লালুপ’ অসি মুথৎপা পাক্কবগী বাকম অসি মহারাজনত্ত যাথোকপা ওমখিত্রে।

অদুম ওইনমক ওপ্না ওপ্না হোৎনরকপদগী মণিপুরদগী মপান্দা থাদোকখিবা পোৎ থুদংমক্তগী খাজনা লৌবা হৌরম্নী। মণিপুরদা থাজিনকপা পোৎশিংগীত্ত খাজনা লৌরম্নী। অদুগা পোৎ থরদি মণিপুরদা থাজিনকপা মতমদা খাজনা লৌরমদে অদুগা মণিপুরগী পোৎ থরনা মপান্দা ত্তকথা থাদোকহল্লমদে। খৃঃ ১৮৭৩-৭৪ দা মণিপুরদা থাজিনকখিবা মরু ওইবা পোৎশিংদি কা, আমেরিকান ক্লোথ, লোং ক্লোথ, মুল মুল, সাটিন, সাবন, মোংকী থাং, মোংপী, রেশম, শান্তিপুরগী কৈজোম, জোয়পুর কী, একতারি, ছাটিন' ফিংশেন, হিদাকফু, কী মচু, মক মরাং, কুদাম, চিনি, লংখৌরি, যাইঙং, মোংকী থাং, শিংজং, কাটারী,

(৩৩) ক্লোমষ্টোনগী মথক্কী লাইরিকী লমাই ১১৫।

(৩৪) ফোরেন পোলিটিকেল—এ, সেপ্তেম্বর ১৮৬২, মশিং ১৩১, দিলরা অফিসিয়েটিং অন্দর সেক্রেটরী, গভর্ণমেণ্ট অফ ইণ্ডিয়াদা ইবা চেঠোন, ১২আগষ্ট ১৮৬৪।

(৩৫) মথক্কী যাওরন অসিদা।

ফোরাই, বাইথু সো, ফুংথং অমাদ য়েংতুরা মরু ওইবনি[৩৬]। লাইরিক, লিক্লি, থোংউপ, নাম্বাবালি, ছপা, মৌইবুং, হিদাকফু মখোং, জাচম্বন, তাস অমদি ওন্নুনাচিংবগী মণিপুরদা থাজিনকপা পোৎশিংনি[৩৭]। লাইরিক, লিক্লি, হিদাক লিক্লি, থোংউপ, নামাবালি, ছাপা অমদি মৌইবুং পুশিনকপশিদি থাজনা লৌরমদে।

মথক্তা পীথিবা পোৎশিং অসিগী মচুংদা অহানবদগীনা কুনগুবা কাওবগী হায়বদি কাদগীনা ছাটিন কাওবগী অসদি ভোডানবা থাজনা অমত্তু লৌরম্মী। থাজনা অসি পোত্তা পোত্তা য়েংদুনা লৌরম্মী। মণিপুরদা থাজিনকপুগীদবক মথাগী পোৎশিং অসিদগীদি মমল অতাবী অদুদগী লুপাদা অমাগী হিংদা থাজনা অমত্তু লৌরম্মী। পোৎশিং অদুদি মিংশেল, হিদাকফু, হিদাকফু মখোং, কী মচু, মরু মরাং, মোরোক, জাচম্বন, তাস, লংখৌরি, কুদাম, চিনি, মাইডং, উপু, মোংকী থাং, শিংজং, কাটারী, বাইথু সো, ফোরাই, ফুংথং অমদি য়েত্তুম্রি।

চহী অসিমক্তদা মণিপুরদগী মপান্দা শমু মযা, থোইক, মুগা, মচু শংলবা লং, কাংথন, শালুকনেক, হিগোক কনেক, মোন্দাকফিদক, মারং ফি, লাইফি, ইনফি, কুমলং ফুরত, থৌনফি, লাইয়েং, লাশং ফি, মুগা কৈজোম, মুগা কনেক, ইরোই, শগোল অমাদ শমুনাচিংবা থাদোকখি[৩৮]। অদুম ওইনমক থামেন চৎপা, লৈথাং থুজক অমদি নিংথৌ ফিদি মণিপুরগী মপান্দা থাদোকহল্লমদে।

খৃঃ ১৮৭৩—৭৪ দা মণিপুর সরকারনা কছাড়রোমদগী পুশিনকপা পোত্তগী থাজনা ওইনা লুপা ১,৯৭৫—১—৯ অদুগা লুপা ৩,৫০০—১—৯ না লৌবা অসোমদা থাদোকখিবা পোৎকী থাজনা ওইনা ফংলম্মী[৩৯]। হায়রিবা চহী অসিদা বর্মাদা থাদোকখিবা মুগাগী থাজনা ওইনা লুপা ১০০, উ বা অমদি লী মানবগী থাজনা ওইনা লুপা ৪০৫—২—৬ অদুগা জীরীগী অকলদুগী কাবা শমু য়োনখিবগী লুপা ৭,০০০ অমগা ফংলম্মী। মরম অদুনা চহী অসিদা

(৩৬) ডাঃ ব্রাউন, মণিপুর এজেন্সিগী চহিগী রিপোর্ট, ১৮৭৩—৭৪, লমাই ১১—১৬ : ডাঃ ব্রাউনগী ষ্টেটিষ্টিকেল একাউণ্ট অফ মণিপুরগী লমাই ৮৪—৮৯দসু য়েংউ।
(৩৭) মথক্কী মাওকম অসিদা।
(৩৮) মথক্কী মাওকম অসিমক্তদা।
(৩৯) মথক্কী মাওকম অসিমক্তদা।

মণিপুর সরকারনা কংখিবা অপুনবা থাজনা অদি লুপা ১৩,০১৪—০—০ য়ৌখি[৪০]। অতুয়া চহী চহী থুডিংগী মণিপুরগী শেল থুমগী ফিভম ফুদি কপৎপা অতম অতম হেনগৎলন্নী। মসি মণিপুরনা ব্রিটিশকা মরুপ ওইরবা অতুগী মতৈহনি।

চৎনরম্বা শেল:

মমাংথৈগী মতমদদি মণিপুরদা সনা অমদি লুপাগী শেল চৎলম্মী[৪১]। মতম অদুগী ভারত সরকারগী সেক্রেটরী ওইরবা প্রিনসেপনা য়ামদ্রবদা খৃঃ ১৭১২ দগী মণিপুরদা লুপাগী চিথেক নাইবা শেল অমা চৎনরম্মী হায়রি[৪২]। অদুবু হৌজিক্কী মণিপুরদা সনা অমদি লুপাগী শেল চৎনরম্মী হায়বগী প্রমান অমত্তা ফংদ্রে। সনা অমদি লুপাগী শেল অসি অদুমক চৎননবা য়ায়া কয়া মণিপুরদা হোৎনরম্মী অদুবু হোৎনবা অদুনা মতৈ য়াল্লকত্রবদা থেল-বেটালনা শাবা অপিকপা শেল মথন অমা মণিপুরদা শিজিন্নখি। অনৌবা হৌরোক্লিবা পৈছা অসিগী মমিং 'সেল' কৌই। লপোন ইতিক পূময়ক পৈছা অসিনা লোইনমক তৌনরম্মী। শেল অসি পীকই, লুমনা রেত্তি ১২৪গী ২৭ কাওবা লুম্মী অদুগা কৈথেলগী মশুমশু থেংনৈ। শেল অসি অতৈয়া শারম্মী। অহানবদা শেল অসি শাগদৌরিবা থাতু অসি পেকেটশিংদা হাপলগা মৈ ইকই অদুগী তুংথং অমনা কোইবপ কোইবা মওং ভারক্লবা য়েথোকই অদুগা থুংলাই অমনা মমাইদা দেবনাগরি ময়েক হকই। নাকল অমদুমদি অদুমক হাংনা থম্মী[৪৩]। মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরবা কেপ্তেন গোর্দোন্ন দ থেলদা হক্লিবা দেবনাগ'র ময়েক অসি অর্থ লৈতে হায়রম্মী। মহাক্না পীরিবা মতলা 'সেল' অসি শাহন্নিবা নিংথৌ অদুনা অতৈ অশিং পন্দিত তায়রগা দেবনাগরি ময়েক অসি নিংথৌ অসিগী মিংচৎ পুরক্কদবা থুদম অমা ওইনা অদুক হকহনবা

(৪০) কোবেন এ পোলিটিকেল প্রোসিদিংস, ফেব্রুয়ারী ১৮৬৩. মশিং ৫০ ; দিল্লা আইচিসন্দা ইবা, ২০ জানুয়ারী ১৮৬৩, মশিং ৬০ ; রিপোর্ট অন মণিপুর।

(৪১) পোলিটিকেল কন্সলটেসন্স, ৮ আগষ্ট ১৮৩৮ মশিং ১৪৫—১৫৯ : গোর্দোন্না প্রিন-সেপ্পা ইবা চেঃরাল, ৮ জুলাই ১৮৩৮।

(৪২) বোথাম, এঃ ডবলিউঃ কেটলোগ অফদি প্রোভিন্সিয়েল কোইন কেবিনেট আসাম লমাই ৫৪৮।

(৪৩) মথক্তা মাওফম অসিদা।

থাংনি হায়রি[৪৪]। মরম অসিনা মণিপুরগী অডম অথৌরচিংবা প্রজা পুম্নমক্তা মরেক অসি হোংদোকপা পাময়বগী শেল পুম্নমক্তা মরেক অসি হকপনি হায়না পোর্দে'ল্লা অমুক্ত মথা তাথনা হায়রম্মী। অদুবু লাইবক থীবনা পোর্দে'ল্লাদি শেলশিং অসি নিংথিনা য়েংশিন্নবা থক কোৎনরমম্বে। কমিশনা এজেন্ট অসিনা থরা নিংথিনা শেলশিং অসি য়েংশিল্লবা থোক্রবদি হক্লিবা মরেক থুদিংমক অর্থ লৈবা ডাক্তনি হায়বসি মাদু থজলমগদবনি। শেলদা দেবনাগরি মরেক্সা হক্লিবা বাটেংশিং অসি মতম মতমদুদা পালবা নিংথৌ অদুগী মমিংগী অহৌবা মরেক ডাক্তনি। অদুম্না ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা (খৃঃ ১৭৫৯ – ১৭৯৮) পানবা মতমদা পাথিবা শেলনা মহারাজ অসিগী মিংগী অহৌবা মরেক 'ভা' হায়বসি ই· লাবন্তচন্দ্রগী (খৃঃ ১৭৯৮—১৮০০) শেলদনা 'লা' ; মধুচন্দ্রগীদনা (খৃঃ ১৮০১ – ১৮০৩) 'ম', চৌরজীৎকীদনা (খৃঃ ১৮০৩ —১৮১২) 'চৌ', মার্জীৎকীদনা (খৃঃ ১৮১২ —১৮১৪ 'মা', রাঘব সিংহ (খৃঃ ১৮২৩ – ১৮২৪) গীদনা 'রা' ; গম্ভীর সিংহগীদনা (খৃঃ ১৮২৬ – ১৮৩৪) 'গম' অদুগা নরসিংহগী খৃ ১৮৪৩ – ১৮৪৯) দনা 'ন' ইরম্মী।[৪৫]

মণিপুরনা ব্রিটশক মরুপ ওইবা হৌরুবদগীদি কম্পানীগী লুপা, মথায়, শিকি অমদি আনা কাওবা মণিপুরদা চৎহন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরম্মী। অদুম ওইনমক মণিপুরগী প্রজাশিংনদি মণিপুরদা কম্পানিগী লৈছা চৎপবা হৌদোরকপা অসি অদুক হাক্ক য়ানিংবা পোক্লমদে।[৪৬] মণিপুরগী ললোন ইতিক পুম্নমক হায়রগী শেলদা অদুমক তৌনরম্মী। কম্পানিনা হৌদোক্লক্লিবা লুপা অসিদি শিক কোল শানবা অমদি কাছাড় অদুগ বর্মাদা চৎপা ললোন ইতিক তৌবা কাংবুদা য়োনথোক্লবা ওইনা লৈনরম্মী। মরমদি মতম অসি থাওনদি প্রজা পুম্নমক্তা হায়না চৎনরবা শেল অদু নত্তবা অটৈ মথলগী লৈছা পুথোরকপা অদু পোৎ লৈথোকলৈশিন তৌবদা কাওবা লৌ হায়বা য়ারমদ্রি।[৪৭] অমরোমদনা ব্রিটিশশিংনা মণিপুরদা হায়না চৎনরম্লীবা শেল অসিদা পোৎ লৈথোক লৈশিন তৌবা ভারবদি

---

(৪৪) পোলিটিকেল কনসলটেসন, ৮ আগষ্ট ১৮৩৮, মশিং ১২৫—১২৯ পোর্দে'ল্লা গ্রিমসেপ্তা ইবা চেবোল ৮ জুলাই ১৮৩৮।

(৪৫) বোথামগী মথকী লাইবিকতী লমাই ৫৫২—৫৫৩ দা।

(৪৬) কাইনাল এ. অক্টবর ১৮৬০, মশিং ১৩ দিলয়া ভারত সরকারগী অফিসিয়েটিং সেক্রেটরীদা ইবা চেয়োল ৩, সেপ্তেম্বর ১৮৬২।

(৪৭) পোলিটিকেল কনসলটেসন, ৮ আগষ্ট ১৮৩৮ মশিং, ১২৫—১২৯, পোর্দে'ল্লা প্রিন্সেপ্তা ইবা, ৮ জুলাই ১৮৩৮।

মখোয়গী য়ায়া য়াংজনা থোক্লম্মী। মরমদি কম্পানিগী লুপা অমগা শেল ১২৮০ পা য়াম্নম থোকপা অদু মতম অসিদদি লুপা অমগা শেল ৪৮০ খক্তগা য়াম্নহল্লম্মী[৪৮]। মরম অদুনা ভারত সরকারনা মণিপুরদা আনা শিকি চংনবা য়ায়া কয়া হোৎনলম্মী। সরকার অসিনা কয়া কয়া হোৎনজরবসু লৈবাক অসিদা কম্পানিগী আনা সিকি চৎপা অসি প্রজা অমদি সনা কোয়ুংগী মীওইশিংনা চপ মায়না য়ায়মদ্রি। খৃঃ ১৮৬৬ তা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরবা মেকক্লোক্ল মণিপুরদা ভারত সরকারগী কোয়িগী পৈছা চংনবা হোৎনক্লবা পৈছা কয়ামরুম ভারত সরকারদগী লৌরম্মী। কৈখেল কাথী হুপী অভাংশিংনা অনৌবা হোৎনক্লিবা কোয়িগী পৈছা অসি লৌ হায়বা য়াদবদগী মেকক্লোক্লা হোৎনজবা অদু মহৈ য়ানখিদ্রে[৪৯]। অদুম ওইনমক খৃঃ ১৮৯১ দা মণিপুরনা মনিং মথা তথা মাংখিবগা লোয়ননা নিংতম্বা মণিপুরনা চংনজরবা 'সেল' অসিসু মা'বা হৌখি। লোয়ননা ভারত সরকারগী লুপা, মথাম, শিকি, অনা, পৈছা অমদি পাইগী পৈছা মণিপুরদা মপুং ফানা চৎপা হৌখি।

মহৈমশিং :

মণিপুরগী প্রজাশিংদি ইংরেজী তম্নিংবগী অপাম্বা লৈয়মদে। লৈবাক অসিগী নিংথৌশিংনসু ইংরেজীদা মহৈ মশিং তম্বা শংলোক্লবা হোৎনবা হায়বসিদা শুকয়া য়ানিংলমদে। মরম অদুনা মৈহৌরোলদগী চৎনরকপা মহৈ মশিং মতম, থাংতা শিজিন্নবা তম্বা, শগোলতোংবা তম্বা, হকচাং কনবা মুক্না কাংজৈ শান্নবা তম্বনচিংবা অসিদমক তমদুনা লৈরম্মী। মরম অদুনা কেপ্তেন গোর্দোন্না মণিপুরগী অহানবা পোলিটিকেল এজেন্ট ওইনা লাকপা মতমদা মহাক মশানা শেল থুম পুথোকচরগা মণিপুরদা ইংরেজী তম্বা স্কুল অমা লিংখৎনবা য়ায়া কয়া হোৎনরম্মী[৫০]। গোর্দোন মশামক্না ইংরেজীদগী বাংলা, মণিপুরী লোন্দা ইবা ডিক্সনারী অমা সম্পাদন তৌদুনা স্কুল অসি লিংখৎনবা য়ায়া কয়া হোৎনজখবসু থৌগৎপীবা বাৎপা অমদি মণিপুরগী নিংথৌশিংনা য়েংশিনবা

(৪৮) জোনষ্টোনগী মথক্কী লাইরিক্কী লমাই ১৫৩।

(৪৯) থোথাগী মথকী লাইরিকী লমাই ৫৩৮ দা।

(৫০) ফোরেন পোলিটিকেল এ, প্রোসিডিংস, নবেম্বর ১৮৬৬; কখিং ৬।

বাংলগী স্কুল অমু হিংখৎলা ওয়দনা অভুমক তৌকখি[৫১]। মহারাজ চন্দ্রকির্তি নিংহন্না অদুং ওইরিঙৈদা ইংরেজী তম্বা ভারত সরকারনা থা খুদিংগী লুপা ৫০ । ৫০ পীরম্মী[৫২]। অদুম ওইনমক শরাই ইমুংগী অতম অশৌশিংনা মহারাজনা ইংরেজী তম্বীবা হায়বা বাকম অসি হায়বদগী মণিপুরী ওঝা অমনা মণিপুরী অমথি বাঙলা তম্বীরম্মী[৫৩]।

খৃঃ ১৮৭২ দা মতম অদুদা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরবা মেজোর জেনেরেল ভবলিউঃ একঃ নথালনা হায়বদগী ঈম্ফালদা ইংরেজী তম্ফম স্কুল অমা শানবা হোৎনরম্মী[৫৪]। বঙ্গাল সরকারনা লুপা ৫০০ রোমগী লাইব্রিক অমদি মেপ্পচিংবা মরাম দান তৌরকখি। অদুক থবাই য়াওনা হোৎনজরবসু যৌগৎপীবা রাংপা অমদি ছাত্রশিংনা কানিংবা মতমদা কা কানিংদবা মতমদা তোক তৌবগী নাথালগী স্কুল অসিসু নিংথিনা চথবা ওয়রদে। খৃঃ ১৮৭৭ কাওবদা ছাত্র ৫০ । ৬০ দগী হেন্না কাররক্তবা অমু মেংলগা জোনষ্টোন্না স্কুল অসি চাওথৎনবা হোৎনবদা অপনবা য়াম্না পীরি হায়রুনা মত কোংদোক্লম্মী। মরম অদুনা নাথালগী স্কুল অসিসু মপুং মথৈ ফাত্রিঙৈদা অদুম শিখি। মতুং চহী থরা লৈরগ জোনষ্টোন্না মহারাজ চন্দ্রকির্তিগী য়াথং লৌয়গা খৃঃ ১৮৮৫ দা অতোপ্পা ইংরেজী তম্বা স্কুল অমা অমুক লিংথৎখি। হন্দক জোনষ্টোন্না হোৎনরক্লবা স্কুল অসিমদি মথৈ য়ানখে। মতৌ অসুমঃ তপ্পা তপ্পা মণিপুরগী মফম খুদিংদা স্কুল লীংথৎনবা তৌখি। মরম অদুনা মণিপুরদা ইংরেজী তম্বা হৌবগী মথৈ য়ানবা চহী অমু খৃঃ ১৮৮৫ নি হায়না লৌরবদা অয়ানবা লৈত্রে। মণিপুরনা মশিং তম্বা মাংথবা মতুংদগীদি লৈবাক অসিগী কাচিন কোয়া য়োবা কাওবা ব্রিটিশ সরকারনা স্কুল লিংথৎতুনা অমৌবা য়ুগকী ঈচেলদা মণিপুরীশিংবু মথৈ মশিং তমহনবা হৌখি। মসি মণিপুরনা ব্রিটিশকা মরি লৈনরবগী অহৌবা মথৈ অমনি।

(৫১) পোলিটিকেল কন্সলটেসন্স, ৭ আগষ্ট ১৮৩৭, মশিং ১২৯—১৩২ : গোদেন্না মেকরাথদা ইবা চেরোল, ২৬ মার্চ ১৮৩৭।

(৫২) পোলিটিকেল কন্সলটেসন্স, ১২ জুলাই ১৮৪৯, মশিং ৮৮—৯১।

(৫৩) ফোরেন পোলিটিকেল এ, প্রোসিডিংস, নবেম্বর ১৮৮৩ মশিং ৬।

(৫৪) মথক্কী মাওকম অসিদা।

হকচাং ফনবগী থৌরাং :

মণিপুরগী য়াম্না শাথীনা মাংহল্লবা লাইনাশিংদি পুকচৎপা অমদি লাইঙাও থোকপনি। লাইবক থীবনা মতম অাসিগী মাণপুরীশিংদি টিকা থাবা অমদি হিদাক কাপ্নগী মরম অাস করি অমত্তা থংলমদ্রি[55]। মরম অদুনা লাইনা অসি .য়ংনবা হোৎনবা হায়বসি তশেংনবক অরুবা থাকম অমা ওইরমী। চহী অমা অানি অমা অানি কায়রগা লাইনাশিং অসিনা লাইচৎ ওইনা লৈথাক অসিদা হেক হেক শন্দোক্লমী। মরম অদুনা মেজোর গ্রান্টনা মণিপুরদা হেক লাকপগা লৈবাক অাসিদা টিকা থাবা অমাদি হিদাক কাপ্পা হোৎনাকপা য়াম্না দরকার লৈরে হায়রদুনা ক লকতাদা লৈবা মীওইশিংদা পাও পীখৎখি। বাঙ্গলা সরকারনা গ্রান্টনা পীখৎলকপা বাগ্লোল অদু য়ুম্না থম্নরগা ডা। মোহাম্মদ নাজিম হায়বা মুপা অমবু থাদা লুপা ৩০ তনব পীদুনা মণিপুরগী নেটিভ ডাক্তর ওইনা থারকখি[56]।

লাইনাশিং অসি ডাকথোক্লবা হোৎনরক্লবা থৌরাংশিং অসিবু মণিপুরী-শিংনা অহানবদদি অতুক থরাই য়াওনা শোগৎলমদে। অসিগী মতম্তা হিদাকশিং অসি কালিকতাদগী ইম্ফাল তাগ্না পুরকপা মতমদা মতম কুইনা কুইনা চংবদগী কংহন্দদুনা হিদাকশং অসি তৌরুবনা অানাবা খুদিংমকপু হেক্তা কহনবগ ওয়মদ্রি। লাইথোকপা ফনবনি হায়রদুনা টিকা থারুবা মীওই থরদি লাইনা অসি ডাকথোক্লবা মহিক অদু মপাংগন শোন্থরকতুনা শিথিবা কাওবা য়াওখি[57]। থৌদোক অসিনা টিকা থাবা অমদি হিদাক কাপ্পনা লাইথোকপা অমদি পুকচৎপা কৈ হায়বসি মণিপুরীশিংনা থাজবা ওমখি.ব। অদুম ওইনমক মসি পূম্নমক অসিদি অরি অনৌ শিন্নবগী অত্তনা থোকনবা থৌদোক ডাত্তুনি। মরম অদুনা চহী ১০ মুক্তী মতুংদগীদি মণিপুরদা টিকা থাবগী থবক অসি য়াম্না পান্না লৌনরকপা হৌখি। তপ্না তপ্না অত্তম চৎথরকপনা মণিপুরদা সিভিল হোস্পিতাল অমা লিংখৎখি[58]। মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরবা ডাঃ ডিলন হায়রদু এম। ডি: অমা ওইবনিনা ওপরেসনচিংবা অচৌবা থবক কয়া মহাক মশানা

(৫৫) ইন্ডিয়ান পোলিটিকেল দেসপাটচ টু কোর্ট অফ ডাইরেক্তর্স, মশিং ৮৮৩০গী ৯৭।

(৫৬) পোলিটিকেল কন্সল্টেসন্স, ২ অক্টবর ১৮৫৯, মশিং ৬৫।

(৫৭) এডমিনিস্ট্রেটিভ রিপোর্ট অফ মণিপুর, ১৮৭৩—৭৪, লমাই ৯৭।

(৫৮) ফোরেন পোলিটিকেল এ, অক্টবর ১৮৬৯ মশিং, ১৫১, দিল্লী ভারত সরকারগী সেক্রেটারীদা ইবা চেঠোল, ১৮ সেপ্তেম্বর ১৮৬২।

জৌথি। মণিপুরগী প্রজাশিংগী মমাংদা মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তি সিংহনা এজেন্ট অসিবু থগৎখিবা রাইহে কয়ামরুম অচুনা অথাজা অমদি অনকপদগী মীওই কয়াথক্কয়া (বর্মা কাওবদগী অনাবা পুরকতুনা লাকখি) অনাবা পুম্নমক ডাক্তর অসিগী মনাক্তা পুরকখি[৫৯]। থোদোক অসিনা মণিপুরগী প্রজা খুদিংমকী মমিত্তা মিথ্রেং অমা ওইনা থোকহনখ্রে অদুগা মীপুম খুদিংমক্তা মেডিকেল সাইন্সকী চাওথংলকপা অসিবু হেন্না হেন্না থাজনবা হৌরকখি। মতৌ অসুম্না চৎথরকপনা খৃঃ ১৮৯১ গী মতুংদগীদি মণিপুরগী মফম অয়াবদা অমা লায়রেংশং অমদি হিদাকশং কয়ামরুম মথং মথং লিংখৎপা হৌখি। মণিপুর ষ্টেট দরবারগী মেম্বর অমনা মেডিকেল ডিপার্টমেন্ট অসি য়েংশিনহল্লমী অদুগা ইন্দিয়ান মেডিকেল সার্ভিসতগী আফিসার অমবু লৈবাক অসিগী সিভিল সার্জন ওইনা হাপ্লমী।

মশক নাইবা চাওথংপা :

মণিপুরদি লৌউ শিংউবা লৈবাক ওইরকই। লৈবাক অসিদা ফংবা পোৎশিংগী মরক্তা চা মঙ্গ. শমু ময়া, মুগা, ইন্দিয়ান রবর, থোয়ক, গম. মণ, ইরোই, কফি, শগোল, সনা, লশিং, চৌংত উ, ভারতকী মহুংদা থাইদগী কথা চেং, হন্জাম থাও, কেপে থাও, আলু অমদি কর্পুর ফংই[৬০]। কোবি, কোবি থমচেং মানবি অদুগা অতোপ্পা ইংলিশকী মনামশিং অমদি উবৈ রাইহে কয়ামরুম গোদোনগী মতমদা মণিপুরদা হৌদোকখি[৬১] অদুগা এপল, নাশপতি থোরোই, চুমবৈ, এপ্রিকোট, হিমালয়ান এপ্রিকোট, হৈজাম্পেৎ, অঙ্গুর, ফিগ, বাইন (অঙ্গুর মথল অমা), রাম্পবেরী অমসুং স্পেনিসকী চেসনট অসিনচিংবা উহৈশিংনা জোনষ্টোনগী মতমদা মণিপুরদা হৌদোকখি। মসিগী মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তি সিংহগী মতমদা হৌদোকখিবনি। খৃঃ ১৮৭০ দা মণিপুরদা লোকখিবা গেহু মন ২৫ থক্তনি। মন ২৫ অসিদি মহারাজ অমদি অতম অথৌশিংনা অচুম শিজিন্নখি। চহি অসিদগীদি মণিপুরদা গেহু থাবা অসি চাওথংনবা কন্না হোৎনখ্রে। অসুম্না হোৎনবনা খৃঃ ১৮৭২ দা মণিপুরদা গেহু মন ২৫০ লোকপা ঙমখি[৬২]।

(৫৯) মথক্তা রাওকম অসিদা।

(৬০) ফোরেন—এ, পোলিটিকেল প্রোসিডিংস, ফেব্রুয়ারী ১৮৭৩, থিলগা আইটেমদা ইসা জেন্নোল, ২০ জনুয়ারী ১৮৭৩ মশিং ৬১।

(৬১) মণিপুরগী চহিগী রিপোর্ট, ১৮৭৩—৭৪, লমাই ১৩।

(৬২) মথক্কী লাইরিক অসিগী চহি ১৮৭৭—৭৮গী লমাই ১৮।

মণিপুরীশিংদি চা অমদি মুগাগী ইন্দষ্ট্রি তৌরবদি লৈবাক অসিগী সেন-থুমগী কীতম কয়ায়া কপংলকদগে হায়বা থক থওবা ঙম্লমদে। মরম অদুনা মুগা তীলশিং অদু নিংথিনা য়োকপীরমদে। অদুবু অয়োকপা তীলগী কংবা মুগা অদুদি য়ায়া অকবা অাংকী মুগা ওইরম্মী। মুগাতীল নিংথিনা য়োকপী-রবনিনা কংকম থোকপা থাজনা অদুদগী য়ায়া হন্না মণিপুর সরকারনা কং-লম্মী।[৬৩] চাগী মতাংদদি খৃঃ ১৮৬৩ দা চা পাম্বী ৫,০০০ য়োমদগী হেয়া য়ান-থংথি অদুগা ইন্দিয়ান রবর পাম্বীশু চীংমীশিংনা অকং অকংবা মকমদা পংম্লাক্ত য়াম্লোক্লম্মী।[৬৪] মণিপুরদা মুগাগী ইন্দষ্ট্রি অমা তৌগে হায়বসি ফিলদি চাননা থরম্মী। মণিপুরদা মিত্রস মন্টেকাউলিস (মলবেরীগী মথল অমা) য়ায়া কজনা হৌবা অদুগা চাগী পাম্বী য়ায়া নিংথিনা হৌবা অসি এজেন্ট মশামক্না থংলম্মী। মরম অদুনা লৈবাক অসিগী চাগা য়ায়া পুরকপবা পোৎ অমি অসি মনিপুরদা নিংথিনা শেমগৎনবা ফিলম্না চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজদা হৌদোক্লম্মী। অদুবু মহা-রাজনা থবাই য়াওবিরক্তবদগী ফিলম্না থজরম্বশিং অদু থবক ওইনা পাইথংপা ঙমখিদে। চা থাবগী মতাংদদি চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা য়াথিত্রিবা অসি চিংনদুনা তৌবনি। খৃঃ ১৮৪০ দা মূতুকপু ব্রিটিশনা লৌশিনখিবা অদু লৈনক্নরগদি মহারাজনা থম্নিবা অসিত্ত অচুম্বনি হায়দবা ওম্লোই।[৬৫] মহারাজনা চিংনেখিবা অসি জোনষ্টোনগী মতম ফাওবা কোকখিদে। জোনষ্টোনগী মতমদা এজেন্ট অসিনা মরম্নাই থকচনবা চা থজিন্নকং থাজগে তৌবদা মহারাজনা মী থারক-তুনা অম্নম্না হায়হল্লখি : "নহাক্না চা কয়ায়া পাবা, মত্ত পূর্ণমক মহারাজনা শেল লৌদনা পীগনি, অদুগা চা থাবগী বাথল অদুদি তৌগদ্রু" হায়রকই।[৬৬] অম্নম্না তৌবদগী মণিপুরদা চাগী ইন্দষ্ট্রি তৌবগী বাকম অমা ফিলম্না হৌদোক্লবা অদু মহৈরানবা ঙমখিদে। ফিলম্না মণিপুরগী চীংদা সিনবোনা পাম্বী থাখি[৬৭], অদুগা ভারত সরকারনম্ব মণিপুরগী মহোশাগী লৈজরদা থুংশেমগী মপুং ফাবা

(৬৩) ফোরেন পোলিটিকেল এ. অক্টোবর ১৮৬২, মশিং ১৫১, ফিলম্না ভারত সরকারগী সেক্রেটরীদা ইবা চেঠোল, ১৮ সেপ্টেম্বর, ১৮৬২।

(৬৪) ফোরেন পোলিটিকেল এ, জানুয়ারী ১৮৬৩, মশিং ১০০।

(৬৫) জোনষ্টোন, মথক্কী লাইরিককী লমাই ৭৯ দা।

(৬৬) মথক্কী য়াওবম অসিদা।

(৬৭) ফোরেন জেনেরেল—বি প্রোসিডিংস, মে ১৮৬৩, মশিং ১৫, ফিলম্না আর্কি-টিলদা ইবা চেঠোল, ২০, জানুয়ারী ১৮৬৩।

অদি থীদোক্লবা ডাঃ জিঃ ৱাট হায়বা বোটানিষ্টচুমদু লৈবাক অসিদা থা-রকখি।[৬৮] ডাঃ ৱাটনা মণিপুরদা থীজিন খোৎশিনবা লাকখিবা অসি চাহনা মহৈ য়ানখি। মহাক্না মমল য়াম্রবা উ কয়া পুখোক্লম্মী অদুগা কংবদা য়ারবা মনা মশিং অমদি উপাল ৱাপাল কয়াবু নিংথিনা অমদি চেকশিন্না শেম্নবিনবগী মণিপুর সরকারদা হায়রম্মী। অদুগা বোটানীগী য়াম্না কান্নবা পাম্বীগী চায়া কয়ামকমগী কলিকতাদা লৈবা বোটানিকেল গার্দেন তান্না থাখি।

লৌউ শিংউবদগী থোকপা পোৎশিংগী মেলা অমা ভারত সরকারনা কলিকতাদা খৃঃ ১৮৬৫ গী জুলাই থাদা তৌবা হায়না লেপ্লরবা মতমদা মেলা অসিদা য়নলাবা, য়নবী, শগোল, ইরোই, চীং হামেং, মুগা, থোয়ক, শামু-মরা, ইন্ডিয়ান রবর, শাল অরোনবা অমদি খুৎনা শাবা লশিংগী কীরোন উৎশিন্ননবা মহারাজ চন্দ্রকির্তিদা সরকার অসিনা বার্তোন কৎলকখি[৬৯]। বার্তোন কংবগা মহারাজগী মথক্কী পোৎশিং অসিগী অকবা নমুনা কংনবা কয়া হোৎনখি। ভারত সরকারনা মণিপুরদগী পুখোরক্কদবা পোৎশিং অসিগী তোঙানবা মনা অমত শেমখি। থ্বাইদগী কবা য়নলাবা অমগী মনা লুপা ৫ : থ্বাইদগী কবা য়নবী জুরা অমগী মনা লুপা ১০, থ্বাইদগী কবা ইরোই লাবা অমগা অমোম অমগগী মনা লুপা ০৫, থ্বাইদগী কবা শগোল অমগী মনা লুপা ২০, থ্বাইদগী কবা গাধা অমগী মনা লুপা ২০, মুগা চহুম ১০০ গী মনা লুপা ১০, ইন্ডিয়ান রবর সের ৫ গী মনা লুপা ৫, থোয়ক সের ৫ গী মনা লুপা ৫, চীং-হামেং লাবা অমা অমোম অমগগী মনা লুপা ৫, মেটনা লাবা অমগ অমোম অমগগী মনা লুপা ১০, শাল অরোনবা অানগী মনা লুপা ১০ অম্সুম্না পীরম্মী।[৭০] অদুগা মণিপুরগী লৌউ-শিংউবদা চাওথৎনবগী উপাই কয়ামকম অমত্তু তৌরম্মী। অদুম ওইনমক অনৌবা যুগকী চাওথৎ থোরাংগী মতাল কংলবা লৌউ শিংউ-বগী মওং অদুদি মতম আসদদি মণিপুরনা কংলমম্রি।

খুৎ শা হৈবগী থবক :

হৌজিক্কী মতমদা লৌনম্নিবা খুৎ শাহৈবগী অর্থ অশোমদা য়েংলুরবদি মণিপুরদি খুৎ-শা হৈবগী থবক চাওথৎলবা লৈবাক অমদি থক ওইথিদ্রি। অদু

---

(৬৮) ফোরেন /জেনেরেল—এ প্রোসিদিংস, অক্টবর ১৮৬৩, মশিং ১৭।

(৬৯) ফোরেন পোলিটিকেল এ. প্রোসিদিংস, মার্চ, ১৮৬৬, মশিং ১০৬।

(৭০) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

ওইরবত্ত লৈবাক অসিগী প্রজাশিংগী সরকার লৈবা অমু কোননবা কাওবগী থাক্তদি মণিপুরদত্ত মৈহৌরোলদগী লৈজরক্লবা খুৎ-শা হৈবগী থবক অসি অহুম্বক লৈজরম্মী। হুমিং খুদিংগী সরকার ওইবা পোৎ খুদিংমক লৈবাক অসিদা শারম্মী অমদি কংলম্মী। মণিপুরী শংনা লশিং থাবগা কী শারম্মী অমদি আপকপা মওংদা মুগাগী ইন্দষ্ট্রি তৌরম্মী। হায়রিবা অসিদা নত্তনা মণিপুরদা খুম, ম্বোৎ অমদি কারিগী ইন্দষ্ট্রি তৌরম্মা।

মণিপুরগা ব্রিটিশকা মরূপ শাররুবা অসি মণিপুরগী খুৎ-শা হৈবগী থবক্তত অহোংবা য়ায় পীরম্মী। খৃঃ ১৮৮১ দ চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা মণিপুরদা শউরা শাবা থবক্কী ইন্দষ্ট্রি অমা লিংখৎনদগীদমক মহাক্কী মী ৪ থক কানপুরগী লেদর ফেক্তরীদা ট্রেনিং থাগে হায়রুবদা ভারত সরকারনা য়ায়া হরাওনা য়াখি[৭১]। হায়রিবা মী মরি অসিদি মণিপুরদা য়ায়া কুইনা মহারাজগী কার্পেত, বুট, খোংউপ অমদি লগোল শাবরচিংবা অসি ই রেজগী মওংদা শাবা হৈরুবনি। অতৈত পোৎশিং অসি শাবদা য়ায়া ফজরবত্ত কার্পেত্ত শাবগী মত্তাংদদি মথোয় অসি য়া। চংথোরবা মীওই ওাক্তনি[৭২]। অত্তয়া জোনষ্টোনগী মতমদত্ত চফু শাবা তমলুনবা মীওই থবা খোষে ভায় থাখিনবা য়ায় কয়া হোৎনরুম্মী। মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তিগী থোরাং অসিদা খোরাই য়ায়া য়াওবম্মী। অহুবু স্কুল অফ আর্টকা চে ইথোক ইশিন তৌনবদা মতম য়ায় চংখিবদগী মহারাজ অসিনা শাওরক্তগা মমৈথংদদি মাগী প্রজাশিংবু ট্রেনিং অসিগী থাবা কাওবদা য়াখিত্রে[৭৩]। চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজদি হুণ্ডরোপ্পা শাবা পোৎশংবু য়ায়া পায়া তৌরম্মী অহুগা ইউরোপকী পোৎশংগী অচৌবা কলেক্সন অমত্ত লৈরম্মী[৭৪]। মহারাজ অসিগী মতমদা মণিপুরদা গ্ল স শারম্মী, শেঞ্জে অমদি কোরৌগী পাজনচিংবত্ত শারম্মী।

কারাবার অমদি ললোল ইতিক্কী থবক :

মণিপুরদা পোলিটিকেল এজেন্ট অমা লৈরম্বা অসিনা মণিপুর অমদি থংননা লৈবা ব্রিটিশকী জীলাশিংগা কারবার অমদি ললোল ইতিক্কী থবক জোবদা মওং তানা চথবা য়াহলম্মী। অদুম ওইনমক বজাল অমদি বর্ম্মাদা

(৭১) ফোরেন পোলিটিকেল বি, ফেব্রুয়ারী ১৮৮১, মশিং ৬৯।

(৭২) জোনষ্টোনগী মথক্কী লাইরিকী লমাই ২২০।

(৭৩) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

(৭৪) মথক্কী য়াওকম অসিদা।

লোন ইতিক জৌবা চংপগী চাং অসি মণিপুরগী মহারাজশিংনা মথোইগী অত্থাশিংনা হায়বা ইন্দুনা খিংনবা কয়া হোৎনরম্মী। চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজগী মচানুপা ওইনা হায়বা তাবরবদি য়ায়নসিংহ, ঐ মচা পোয়েমসিংহ, পজাই শেন্দুংবা, মেপ্রা মেজোর অমদি বালারাম মেজোর (হায়রিবা মীওইশিং অসিদি মতম পুম্নমক্তা মণিপুরদা চাওখৎ থোরাং অমত্তং পাইথৎলুবদা খিংগাইনবতা হোৎনরবা মীওই ওাক্তনি)গী পাওতাক লৌদুনা লৈবাক অসিগী লোন ইতিকী চাওখৎ থোরাংদা অয়েংপা পীনবা কয়া হোৎনরম্মী[৭৫]। মরম অদুনা মতম অদুগী মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টনা মথক্কী অওব শিং অসিবু ভারতকী অথাং নোংচুপ প্রদেশ তায়া থাখিনবা হোদোক্লম্মী। অদুম ওইনমক মনিংমথা তথা লৈবাক অমাগী নিংথৌগী অওম অথোবু মরৈবাক্কী মপান্দা পুথোকখিনবা হোৎনবা হায়বসিদি য়ায়া কা হেনবা থবক্তি হায়দুনা এজেন্টমা হায়বা বাকয় অদুদা ভারত সরকারনা য়ারমদে[৭৬]। অদু ওইবত্ত মণিপুর অমদি ব্রিটিশ অনিগী মরক্তা লোন ইতিক নিংখিনা চখনবা হোৎনবদা অমদি বর্মাগা লোন ইতিক তৌনবা হোৎনবদা মণিপুরগী মহারাজনা তেংবাংকন্নবদি ব্রিটিশ সরকারনা হুংডাইত্তবা কোংদোকপাগা লোয়ননা মণিপুরদা পীরবা মথোয়গী মতেং পূম্নমক্ত লৌথোকখিগনি হায়না চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজদা থংহনম্মী[৭৭]।

মপান্দগী মী অমত্ত' মনিপুরদা পাশ য়াওত্রবদি চংলকপা য়ারমদে অদুগা মণিপুরদগী মী অমত্ত লৈবাক অসিগী বাংমদা পাশ য়াওত্রবদি চংখিবা য়ারমদে। নিয়ম অসি ওাক্লা চৎনবগীদমক কছাড় তাবা লম্বী অমদি কোহিমা তাবা লম্বীরোমদা মণিপুরগী থানা য়ায়া কমলম্মী। মণিপুরী অমত্তা লৈবাক থাদোকতুনা চৎপা য়ারমদে। ব্রিটিশকী প্রজা অমত্তনা লোনবগীনি হায়রবদি পাশ য়াওদনা মণিপুরদা চংলকপা য়ারমদে। পাশ অসিগীদমক মীকোক অমদা আনা নিপান লৌরম্মী। লৈছ য়ায়া তিংত্রবত্ত পাশ অমা কংনবা হোৎনবদি মতম য়ায়' কুইনা চংলম্মী। মণিপুরী অমনা লোন ইতিক্কীদমক লৈবাক অংস থাদোকে হায়রবদি লুপা ৮০ মহারাজদা হায়না পীশিনগদবনি। লৈছা অসি পীশিন্নবগী মরমদি মহাক মণিপুরদ অমুক হলকখিনি হায়বগী থাজনবনি।

(৭৫) ফোরেন—এ, পোলিটিকেল প্রোসিডিংস. ফেব্রুয়ারী ১৮৭৩, মশিং ৫০, দিলয়া আইচিসনদা ইবা, ২০ জানুয়ারী ১৮৭৩, মশিং ৬০, রিপোর্ট অন মণিপুর।

(৭৬) মথক্কী য়াওকয় অসিগী মশিং ৬৩।

(৭৭) মথক্কী য়াওকয় অসিদা।

কমিশনবা লৈবাক অমিদা হন্নক্লিংবে হায়বগী চিংনবা থরক কংথবদি মহাক পাশ তক্কং কংলমদে। মণিপুরীশিংনা মণিপুরগী বাংমা লায়া চৎপা তায়বদি ইমুং মচুং পুরগা চৎপদি থক মাহল্লমদে[78]। পাশ অসিগা মরি লৈনবা পাও পুরমক থোয়বা মতুংদা আসামগী চিফ কমিশনারনা মণিপুরদা লৈরবা পাশকী চৎনবী অসি মুথৎনবা কন্না হোৎনখ্রবী। কনাগুম্বা মণিপুরী অমনা পোলিটিকেল এজেন্টকী মমাংদা লাক্লগা মণিপুর থাদোক্লগা ব্রিটিশকী প্রজা অমা ওইথগে হায়রমবদি মহাকপু মণিপুর সরকারনা পাশ পীগদবনি হায়নত্ত আসামগী চিফ কমিশনারনা হোৎলোক্লবী। মলোম ইতিক তৌবগী ওইরবদি ব্রিটিশকী প্রজাশিংগী পাশতি পোলিটিকেল এজেন্ট মথক্তনা অদুথ পীগদবনি হায়নত্ত কমিশনার অসিগী মত পীরম্বী। খৃঃ ১৮৩৩ দা[79] তৌনখিবা সন্ধীবা হায়রিবদি মলোম ইতিক অসিদদি অখীংবা পীরোইদবনি অসিনি। অদুবু ব্রিটিশকা মলোম ইতিক তৌনবা অসিদা শৌগৎতনবা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা মলোম পোৎ অয়াবা মা মথমক্তনা থোপশিনথে হায়বগী বারুৎ কমামেরম ভারত সরকারদা থোরকখি[80]। মরম অদুনা আসামগী চিফ কমিশনারনা পাশ অসি লৌথোকথ্রবদি মলোম ইতিক অসি য়ায়া হেয়া চাওখৎকনি হায়রম্বী অদুগা কমিশনবা পাশ অসিনা মুথৎপা মায়বদি পাশ পীবগী চৎনবী অসি মণিপুরদা লৈরিবা ব্রিটিশকী পোলিটিকেল এজেন্ট অসিনা তৌহনগদবনি হায়নত্ত কমিশনার অসিনা হায়রম্বী। চিফ কমিশনারনা হোংলোকপা পায়খশিং অসিগী বায়োল নিংখিনা লৈনরনা মতুংদা মণিপুরদা পাশ থবগী চৎনবী অমা লৈরিবা অসিনা মলোম ইতিক! অথিংবা অমা তশেংবা পীরে মরম অদুনা মণিপুরগী মহারাজনা পাশ অসি চাউখৎ থোরাংগী মৈথায়বা অমনি হায়না থম্লুনা চৎনবী অসি মণিপুরদগী মুথৎকদবনি হায়না ভারত সরকারনা মত পীরম্বী[81]। মলোম ইতিকী মতাংদদি খৃঃ ১৮৩৩ গী সন্ধীনা মণিপুর অমসুং ভারত সরকারগী মরক্তা অথিংবা লৈকবা মলোম ইতিকী বাকম অমা অদুক পীরবগী বানি। খুৎ থীংজিননবগী পাজলদি পীরমদে। অদুবু বর্মাগা মলোম

---

(৭৮) কোয়েম সিক্রেট এক, এপ্রিল ১৮৮৫, মশিং ৮৭৬। ইলিয়টনা ডুরান্দা ইবা চেয়োল, ২ জুলাই ১৮৮৫।

(৭৯) এপেনডিক্স—সিদা য়েংউ।

(৮০) কোয়েম সিক্রেট এক, এপ্রিল ১৮৮৫, মশিং ১৫৬, ইলিয়টনা ডুরান্দা ইবা চেয়োল. ২ জুলাই ১৮৮৫।

(৮১) মথক্কী য়াওকম অসিগী মশিং ১২৭, ডুরান্দা কার্ডতা ইবা, চেয়োল, ৯৭ মার্চ ১৮৮৫।

ইতিক তৌরম্বী মতাংদদি ভারত সরকারনা মণিপুরগী খুনোংশীবা লোকনবা তাক লেপ্লিবনিন্না খুৎ-থিংজিনবা মাগনি হায়দুনা সরকার অসিনা কোংলোক্লম্মী। মহারাজা চুড়াচাঁদ শিংহনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইরবা মতমদা ব্রিটিশকী প্রজাশিংনা বর্মাগা লোল ইতিক তৌরবদা মণিপুরগী নিংথৌনা অপনবা পীরোইদবনি হায়না সুপ্রিম গভর্ণমেন্টমা তানশিল-লম্মী[৮৪]। খৃঃ ১৮৯১ দা মণিপুরনা ব্রিটিশকী মখা পোনথবগীদি মণিপুর অমদি বর্মা অমা ব্রিটিশকী প্রজাশিংনা লোলোন ইতিক তৌবা মতমদা অখিংবা করিত্ত পীখিদ্রে।

লম্বী-থোং :

কছাড়দগী মণিপুর তাবা য়াবা অপিকপা খোংলম্বী অমতং নত্তনা অদুগা চীংগী চীংলম্বী থরদংগা নত্তনা মণিপুর অসি অতোপ্পা সংসারগা মরি লৈনকনবা লম্বী-থোং অকনবা অমত্ত লৈরমদে। লৈবাক অসিগী লম্বী থোং কত্তবগী মতাংদদি মথকী পলুপশিংদা লৈনখ্রে। অহানবা বর্মাগী লাল হেক লোয়বদগীদি কছাড়দগী মণিপুর তাখিবা য়াবা লম্বী অমা শেম্বা অসি ব্রিটিশকী লাশ্মীশিংনা মণিপুর য়ৌনা থুনা চংখিনবগী উপাই অমনি হায়না থররম্মী। বর্মানা অমাং নোংপোক সীমানাদা লান্দারকপা থোক্লবদি মণিপুর য়ৌনা ব্রিটিশকী লাশ্মী থাখিনবগী মতাংদা। অকনবা লম্বী অমা কছাড়দগী মণিপুর য়ৌনবা শেম্বা দরকারা ওই হায়বসি ভারত সরকারনা থররম্মী। খৃঃ ১৮৩৩গী সন্ধীনা কছাড়দগী মণিপুর তাখিবা য়াবা লম্বী অমা শেম্নবগী পো কাংলরবত্ত চীংলোল কয়া কাওরগা লম্বী অসি শেম্নকপা তাবনা থবক ওইনা পাইখৎপদদি অয়াইবা ওইরমদে। হায়রনা লৈরম্বা কছাড়দগী মণিপুর তাখিবা য়াবা খোংলম্বী অসিদগী থরদং হোংদোক্লগা লম্বী অসি শেম্বা য়াগনি হায়না কেপ্তেন পেম্বরটনা হোদোক্লম্মী। পেম্বরটনগী মত্ত অসি লৌরগা গোর্দোন্না পোৎ পুবা শ য়ারচিংবা চৎপা য়াবা লম্বী অমা কছাড়দগী মণিপুর য়ৌবা কাওবদা শেম্নবা ভারত সরকারদা হোদোক ক্লম্মী। হীজ লর্ডসিপকী কাউন্সিলনত্ত রাকম অসিদা য়ারদুনা ১৮৩৫বা তিথিজনগী এক্জেকিউটিভ ইঞ্জিনিয়ার ওইরম্বা কেপ্তেন (মতৈখংদদি কর্ণেল ওইখি) গথ্রিদা

(৮৪) ফোরেন সিক্রেট ই, আগষ্ট ১৮৮৩, নম্বর ৮১৬; ডুরান্ড আসামগী চিফ কমিশনারদা ইবা, ৩ আগষ্ট ১৮৮৩।

লম্বী 'অসি শেমবগী তাম পুবা শিন্নখি। গথরিনা খৃ ১৮৩৭ তগী কছারদগী মণিপুর তাবা লম্বী অসি শেমরম্মা হায়বা পরিং ইমসা শেমবা হৌখি[৮৩]। মরম অদুনা লম্বী অসি বাঁসকান্দীদগী হৌরক্লগা কালানাগা চীংখাং অমদি কৌপুম চীংথাং হন্দোক্লগা বারাক অমদি মকু তুরেলগী তিরকমগী মথা ওইরপা লাক্লগা বিশেনপুর তারগা ইম্ফাল তাবনবা শেমখিবনি। মসি মণিপুর অমদি ভারত সরকার অনিগী থরচনা শেমখিবা লম্বীনি। খুদোংচাবা কয়ামকম থেংনরবা মতুংদা লম্বী অসি খৃ. ১৮৪৪ দা শেমবা লোয়খি অদুগা অপুনবা থরচমা লুপা ৯০,১৬৩—৯—১ চংখি[৮৪]।

লম্বী অসি থোংলম্বী অকবা অমা ওইবতা নত্তনা পোৎ পুবা শ-মন কাওবনা চৎপদা য়ায়া করবা লম্বী অমা ওইরবনু য়াদা খুবা অমদি ওবনা লম্বী অসিদা চাকা পানবা গাড়ী চৎপদি খুদোং য়ায়া চায়মদে[৮৫]। লম্বী অসিগী কায়বা নিংখিনা খঙলদুনা ভারত সরকারনা লুপা ১০,০০০ থক লম্বী অসি মোরামত তৌনবা অমদি ইরং তুরেলগী মথক্তা থোং শানবা কায়রম্মী[৮৬]। অদুগু বারাক, মকু, অমদি জীরি তুরেলশিংগী মথক্ত থোং শাত্রবদি ইরং তুরেল মথক্তদা থোং শাক্রবনা ক মবা করিত্ত পুরক্লোই হায়বসি মখেদদি খঙনরম্মী। মরম অদুনা ইরংগী থোং শানবা শিন্নখিবা মি. ক্রেইগ অদু থোং অদু শাক্রম্ন হায়দুনা অমুক ভারত সরকারনা কলিকত্তাদা কৌখি[৮৭]।

অহানবা বর্মাগী লান হেক লোইবগা মণিপুর অমসুং আসাম অনিগী মরক্তা চংথোক চৎশিন তৌবা য়াবা অকবা লম্বী অমা শেমবা দরকার ওইরে হায়বসি সরকার অমিমক্তা খংখি[৮৮]। মতম অদুদা কেক্তেন পো-র্দোমসু অঙ্গামীশিংগী লমদা ব্রিটিশকী পোষ্ট অমা থম্মগা থানানচিংবা থবগী

---

(৮৩) পোলিটিকেল কনসলটেসন, ১৬ জানুয়ারী ১৮৩৪, মশিং ৩৯—৪০, পেম্বরটনা থেকথাখদা ইবা, ১৩ ডিসেম্বর ১৮৩৩।

(৮৪) পোলিটিকেল কনসলটেসন, ৩১ জানুয়ারী ১৮৩৭, মশিং ৮৭—৮৮।

(৮৫) জোনষ্টোনগী মথককী লাইরিকী লমাই ৬৩ দা।

(৮৬) ফোরেন ডেমেসেল—বি প্রোসিডিংস, অক্টবর ১৮৬৩, মশিং ৬৩, থেকতোকপা ডয়ান্সা ইবা চেৎরোল, ২৮ মে, ১৮৬৩।

(৮৭) মথক্তী য়াওবা অসিদা, ভারত সরকারগী ফোরেন ডিপার্টমেন্ট, জেনেরেল, জুন ৩০, ১৮৬৪ দা থম্মখিবা অয়ুদগী লৌথোকপা।

(৮৮) পেম্বরটন, রিপোর্ট অন দি ইষ্টর্ন ফ্রোন্টিয়ার অব ব্রিটিশ ইন্ডিয়া; লমাই ৫৯।

কারবত ঊংতুনা পাও থাগৎখি। মরম অদুনা আসাম থকদি মণিপুরগী মরক্তা চংখোক চংশিন তৌবা রাবা লম্বী অমা শেম্বা মহাক্না হোৎনোকখি। অদুম ওইনমক লেফ্‌তেনেন্ট বিজিনদি মাহাকি অশোয়বা লম্বী অমা শেম্বা লুপা ৪০,০০০ রোম চংগনি হায়দুনা ভারত সরকারদা পীখ্রিবা খরচ অসিদি অদুক মায়া কাম্বা পুরকদনা খরচ ওইগনি থাজদে হায়দুনা মহাক মত পীখি [৮৯]। মতাং অমিরকীদি আসাম অমসুং মণিপুরগী মরক্তা চংখোক চংশিন তৌবা রাবা লম্বী অমা শেম্বা সরকারগী অমত্তমত্ত হোৎনখিরে মরম অদুনা খৃঃ ১৮৮০ গী মথাংদদি ঊম্ফালগী মাও তাবা রাবা অকবা লম্বী অমত্তা লৈরমদ্রি।

খৃঃ ১৮৮০ গী লোইরমদাইদা জোনষ্টোনা মণিপুরগী মাও তাবা রাবা অকবা লম্বী অমা শেম্বা কন্না হোৎনরম্মী। মরম অদুনা আসামগী চিফ কমিশনারগী ওইরবা ষ্টেয়ার্ট বেলীনা রোয়েল ইঞ্জিনিয়ারগী লেফ্‌তেনেন্ট রাবানবু মণিপুরগী মাও তাখিবা রাবা লম্বী অমা শেম্নবা থাদিরকই হায়জখি [৯০]। খৃঃ ১৮৮০ গী ডিসেম্বর তাং ৩০ দা রাবান মণিপুরদা থুংলখি। হেক থুংলবগা ঊম্ফালগী মাও তারা রাবা লম্বী অমা শেম্বা হৌখি অদুগা লম্বী অসি খৃঃ ১৮৮১ গী জানুয়ারী থাদা শেম্বা পুম্নোই লোইখি। মতমগী মতুং ইন্না লম্বী অসি ডিমাপুর য়ৌনবা শেমখি।

মণিপুরগী চুম্মু তাখিবা লম্বী অসি মিংথিনা য়েংশিনবিরমদে। লম্বী অসি চীংথক্তা অমুক থাংখৎ অমুক নেমথা তৌদুনা চৎলবনা বর্ষাকাশিংদা লাম্মারকপদগী ডাকখোক্নবা ঊপাই অমদি ওইরম্মী। অদুম ওইনমক এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিনিয়ার মিঃ মিটচেলনা মণিপুরগী চুম্মু তাবা লম্বী অমা থণগাড়ী চৎপা য়াবা শেমখিবা অসিদগীদি লানগী মতমদা খুদোংচাবা কন্না মরম কাংলদুনা লম্বী অসি কগৎহনবা কন্না হোৎনখি [৯১]। মতৌ অসুম্না মাইকৈ অহমগী লম্বী অসি নিংথিনা শেম্বা মতুংদগীদি মণিপুর অসি মপানগী সংসারগা য়াম্না নকসিন্না তিন্নবা হৌখি।

(৮৯) ফোরেন পোলিটিকেল-এ, অক্টবর ১৮৬৭, নম্বর ১৪১, দিলমা ভারত সরকারগী সেক্রেটারীদা ইবা চেরোল, ১৮ সেপ্তেম্বর, ১৮৬৭।
(৯০) জোনষ্টোনগী মতকী লাইরিক্কী লমাই ৬৩ দা।
(৯১) ফোরেন সিক্রেট—ই প্রোসিডিংস, মার্চ ১৮৮৭, নম্বর ১৪৮, ঐচঃ পোদেগীদা ইবা চেরোল, ১৮ ডিসেম্বর ১৮৮১।

পোষ্ট অমসুং টেলিগ্রাফ :

মথাংথোক্তি মণিপুরদা দাক্তী চৎনবী অসি লৈরমদে। লৈবাক অসিদা দাক লৈবা হৌখিবা অসি ব্রিটিশকা মরি লৈনবা হৌরকপা মতম অসি-তদগীনি। অমুখ ওইনমক খোংনা চৎপা দাক পুরমক যদদা লৈবাকতগী মণিপুর মৌরকপদা চয়োল তনক চংলম্মী [২২] অদুগা কছাড়দগীনা হুমিৎ মরিনি চংলম্মী [২৩]। মরম অদুনা মণিপুরগী দাক অসি চাওখৎনবগী মরমদা লৈবাক অসিদা পোলিটিকেল এজেন্ট ওইদুনা লাকখিবা মীওই খুদিংমক্তা যাম্না কন্না হোৎনরম্মী। আসামগী চিফ কমিশনারসু কছাড়দগী মণিপুর ফাওবা টেলিগ্রাফ তার তিংবা দরকার ওইয়ে হায়রম্মী [২৪]। কছাড়দগী ইম্ফাল য়ৌবা ফাওবদা মাইল ১৪০ খক্তমক থাম্নি। মণিপুরদা বর্মানা লান্দাগ্রকপা মতমদা অমদি মণিপুরগী ইমুং মচুংগী ওইবা থৎনচৈনবা কয়াদা ব্রিটিশকী মতেং নিরকপা খুদিংদা টেলিগ্রাফ তার অমা তিংলবদি কয়াম্না কান্নবা ফংলমগনদগে হায়বগুদি হায়রকহুনা কায়দে। অদুমক ওইরবসু তার অসি তিংবদা চংগদবা শেল অমদি তার তিংনবা মতুংদা য়েংশিন খোৎচিনবা হোৎনবদা খুদোংথীবা থোকদবা মরাম অদু থলবগী গভর্নর জেনেরেলগী কাউন্সিলনা কছাড়দগী মণিপুর তার তার তিংবা অসি য়াখিদ্রে [২৫]। অদুম ওইনমক কছাড়দগী মণিপুর য়ৌবা ফাওবা হুমিৎ খুদিংগী চৎপা দাক্তী চৎনবী অমদি হৌদোক্লম্মী অদুগা কোহিমাদগী মণিপুর অমদি তুম্মু য়ৌখিবা টেলিগ্রাফ তারসু তিংবা হৌখি [২৬]। অদুম্না শিনখিবা খুজিল খোয়াংশং অসিনা মণিপুরগী ঊপাও অসি মপানগী সং-সারনা অরেম্না হায়বা লৈতনা অদুমক তাবা ফংখি। কমিশনা থংহৌদবা

(২২) ফোরেন পোলিটিকেল এ. প্রোসিডিংস, নবেম্বর ১৮৬৯, মশিং ৯৪।

(২৩) মথক্কী য়াওকম অসিগী আগষ্ট ১৮৮২, মশিং ৫২৪ প্রাপ্তনা আসামগী চিফ কমি-শনারদা ইবা চেয়োল, ২০ জুলুমারী ১৮৮২।

(২৪) মথক্কী য়াওকম অসিগী মশিং ৫২৬, প্রাবেলকিনা প্রাপ্তকা ইবা চেয়োল, ৫ ডিসেম্বর ১৮৮১।

(২৫) মথক্কুকী য়াওকম অসিগী মশিং ৫২৮, প্রাপ্তনা আসামগী চিফ কমিশনারদা ইবা চেয়োল, ২০ জুলুমারী ১৮৮২।

(২৬) ফোরেন একষ্টর্নেল বি: জুলাই ১৮৮৬, মশিং ১৫৫ : কার্ডদা চ্রাম্বা ইবা, ১৪ জুন ১৮৮৬।

খুদোং থীবা অমা মণিপুরদা থোক্লকখদি পাও অদু কছার অমদি কোহিমাদা লৈরবা ব্রিটিশকী কাংবুদা য়াম্না থুনা থুনা কংবা ওখি।

ব্রিটিশকা মণিপুরগা শমনবগী নোংচুপকী সাত্তা অসি মণিপুরদদু লৌরকখি। মথক্তা মৈরন্ত্রা অহুনি—শুরচন্দ্রসিংহনা পানবা হৌজক্লকপা মতম অদুদদি লৈবাক অসি কাং থোং চাইবা, লৌউ-শিংউবা তৌবদা, মীশিং য়াম্না লৈতবা অমদি লমোন ইতিক্লাচিংবা অমত্তা তৌত্রবা লৈবাক অমা ওইরমদনি। ব্রিটিশকা মকপ ওইকবা চহি ২০ মুক্তী মতুংদদি অথাদা চীংনক্তা লৈবা থুদং কাওবদা মতিক চাবা অমদি প্রজাগী মাইকনবা তৌবা সরকার অমা মণিপুরদা লৈবা হৌবগী থৃদম তশেংনা ঊবা হৌরকখি। লৌউশিংউবা অমদি লমোন ইতিক্তী মাইকৈদা, লৈবাক ঙাক্লোন্দা অমদি নোংচুপকী মক্তেমশিং ভথাগী মতাংদা অনৌবা মাওল অমা লৈবাক অসিদা লাকপগা লোয়ননা মণিপুরীশিংগী মাথংগী ঊওদদু অনৌবা মাইকৈ অমদা চেপ্পরকপা হৌখি। লৈহাও লৈবা লৈবাক্তা লৈজবা মণিপুরীশিং অসিগী অপাঙগী শকক অসি মাল্লমদবনি মরম অদুনা মীপুম খুদিংমক্তা অকংবা অচৎবা চিল্লাক চাজনগা অমদি লৈবাক আসদা কংবা অচবা কীরোল শেংচনগা অদুমক পুক্তি লেজ্ররমলিবনি। অদুবু ব্রিটিশকা মরি হেক লৈন-কবদগীদি মথোয়গী মশাদা লৈরবা পেন্থোকপা হৈবা হায়বা হায়গী মাথল পুরমক অদু থংহৌদনা মাংখিরগী। লোয়ননা হায়গী চংনবী মত অমদি মথোয়না চারোল তরোল কয়াদগী হৈনজুনা লাক্লবা অমদি হৈনকবা মাথল-শিং অদুগী মায়মোক্তা অনৌবা লালহৌ অমা ভোরকপা হৌখি। মণিপুরী খুদিংনা অকবা চিল্লাক, অকবা কি-রোল, অকবা যুম অমদি মণিপুরগী মাংথাদা করি কয়ম তৌবা হায়বা অদু থংনবা অমদি কংননবগী মাথলনা অত্তংপা লৈতনা মথোয়গী থমোইদা ঊহৌরককপা হৌখি। মসমম অদুনা ব্রিটিশকা শমনবা অসিনা মণিপুরী খুদিংমক্তা হায়গী মাথল চাওদবা অমদি পুকচেল শীকপা হায়বা শকক অদু লোথোকহনথগা মণিপুর অমদি মথাকী প্রজা পুম্নমক্তু অনৌবা মুলকী অনৌবা চাওখং থোঙাংগী মাইকৈরোমদা হেন্না নকশিন্না অত্তম অত্তম পুশিন্নকপা হৌহনখি।

বিব্লিওগ্রাফী সেলেক্ট

ক: প্রাইমারী সোর্চশিং

(১) ফোংদ্রিবা ডোকুমেণ্টশিং

১। নেসনেল আর্কাইভস ওফ ইন্দিয়া, নিউ দিল্লী অমদি ওয়েষ্ট বেঙ্গল ষ্টেট আর্কাইভস, কলিকতাদগী কংবা :

(এ) ফোরেন ডিপার্টমেণ্ট :

পোলিটিকেল কন্সলটেসন্স, ১৮১৭ দগী ১৮৫৯ কাওবা।
সিক্রেট কন্সলটেসন্স, ১৮২৪ দগী ১৮৫৯ কাওবা।
পোলিটিকেল এ অমসুং বি, ১৮৬০ দগী ১৮৭২ কাওবা।
সিক্রেট ই অমসুং এফ, ১৮৬০ দগী ১৮৯২ কাওবা।
পার্ট এ অমসুং বি, ১৮৬০ দগী ১৮৭২ কাওবা।
জেনেরেল এ অমসুং বি, ১৮৬০ দগী ১৮৯২ কাওবা।
এক্সটর্নেল এ অমসুং বি, ১৮৬০ দগী ১৮৭২ কাওবা।
ইন্টর্নেল এ অমসুং বি, ১৮৬০ দগী ১৮৭২ কাওবা।
জুডিসিয়েল এ অমসুং বি, ১৮৬০ দগী ১৮৭২ কাওবা।
মিলিটারী এ অমসুং বি, ১৮৬০ দগী ১৮৭২ কাওবা।
ফাইনান্স এ অমসুং বি, ১৮৬০ দগী ১৮৭২ কাওবা।
রেভেনিউ এ অমসুং বি, ১৮৬০ দগী ১৮৭২ কাওবা।
পোলিটিকেল প্রোসিডিংস ভোলুম, ১৮৬০ দগী ১৮৯১ কাওবা।

সিক্রেট প্রোসিদিংস ভোলুম, ১৮৩০ দগী ১৮৭১ ফাওবা।
জুডিসিয়েল প্রোসিদিংস ভোলুম ১৮৩০ দগী ১৮৭১ ফাওবা।
ফাইনান্স ১৮৩২ দগী ১৮৭১ ফাওবা।

(বি) হোম ডিপার্টমেণ্ট :

পোলিটিকেল কনসলটেসন্স, ১৮৩০ দগী ১৮৫৯ ফাওবা।
সিক্রেট কনসলটেসন্স, ১৮০০ দগী ১৮৫৯ ফাওবা।
পব্লিক অমদি ইণ্টারনেল, ১৮৩০ দগী ১৮৫৯ ফাওবা।
জুডিসিয়েল, ১৮৩০ দগী ১৮৫৯ ফাওবা।
পব্লিক প্রোসিদিংস ভোলুম, ১৭৭২, ১৭৭৩, ১৮৩০ দগী ১৮৯১ ফাওবা।
পোলিটিকেল লেটর্স টু এন্দ ফ্রোম দি কোর্ট অফ ডাইরেক্তর্স, ১৮৩০ দগী ১৮৫০ ফাওবা।
পোলিটিকেল লেটর্স টু এন্দ ফ্রোম দি সেক্রেটারী অফ ষ্টেটস, ১৮৩০ দগী ১৮৫০ ফাওবা।
ইন্দিয়া পোলিটিকেল ডেচপাটচ টু এন্দ ফ্রোম দি কোর্ট অফ ডাইরেক্তর্স, ১৮৩০ দগী ১৮৫০ ফাওবা।
ডেচপাটচ টু সিক্রেট কমিটি, ১৮৩০ দগী ১৮৫০ ফাওবা।
হোম মিসেলেনিয়স সিরিজ মশিং ২৪১ দগী ২৪৪ ফাওবা অমসুং ২৫৭ তগী ২৫৯ ফাওবা।

২। সেক্রেটারিয়েট লাইব্রেরী, ইম্ফাল, মণিপুর :

এডমিনিষ্ট্রেটিভ রিপোর্ট অফ দি মণিপুর পোলিটিকেল এজেন্সি, ১৮৭৩ দগী ১৮৭৯; ১৮৯১ দগী ১৮৯২ ফাওবা (১৮৮০ দগী ১৮৯০ ফাওবগীদি ফংদে ; ১৮৯১ গী লাল অমুদা মাংহনবা মাই)।

(২) ফোংলবা লাইরিকশিং

১। ডোকুমেণ্ট অমদি রিপোর্ট :

আইচিসন, স্যার, সি: ইউ, ট্রিটিজ, এনগেজমেণ্ট এন্দ সানাদস, ভোলুম ১ অমসিং ২, কলিকতা, ১৮৬২ অমসিং ১৮৭২।

ব্রাউন, ডাঃ এন্যুয়েল রিপোর্ট ওফ দি মণিপুর পোলিটিকেল এজেন্সি ফোর ১৮৬৮—৬৯ ; ১৮৭৩—১৮৭৪ ।

করেসপোন্ডেন্স রিলেটিং টু মণিপুর, লন্ডন, ১৮৯১ ।

ক্লার্ক, জে প্রেসিজ অব করেসপোন্ডেন্স রিগার্ডিং মণিপুর এফিয়ার্স, ১৮৯১ ।

ডোকুমেন্টস ওফ দি কমীজ বার, উইলসন্স সম্পাদন ভৌবা ।

হেনসার্ডস পার্লিয়ামেন্টারী ডিবেটস, সিরিজ ৩, ভোল্যুম ৩৫১ দশী ৩৫৬ কাওবা, লন্ডন ১৮৯১ ।

পেম্বরটন, আরঃ বিঃ রিপোর্ট ওনদি ইষ্টর্ন ফ্রোন্টিয়ার অব ব্রিটিশ ইন্ডিয়া, কলিকতা ১৮৩৫ ।

সেলেক্সন অব রেকোর্ডস, গভর্ণমেন্ট অব ইন্ডিয়া, ভোল্যুম ৫, ৯, ১১, ১৩, ১৪, ১৮ এমদি ১৭ ।

সিংহ, মুমজাও, বাহেংবম, রিপোর্ট ওনদি আর্কিও লাজিকেল ষ্টডিজ ইন মণিপুর, বুলিটিন ১,১৯৭১ ।

২। একাউণ্টস এমদি মেমোইর্স :

বুচানন হামিলটন, ফ্রানসিস ; এন একাউন্ট অব আসাম, গৌহাটি ১৮৪০ ।

বটলর, জেঃ ট্রেভেলস এন্ড এডভেঞ্চর ইন দি প্রোভিন্স অব আসাম, লন্ডন, ১৮৪০ ।

ব্রাউন, ডাঃ ষ্টেটিষ্টিকেল একাউন্ট অব দি ষ্টেট অব মণিপুর, কলিকাতা ১৮৭৪ ।

গ্রীমউড মিসিজ, এেথ্ল ক্লেয়ার, মাই থ্রী ইয়ার্স ইন মণিপুর, লন্ডন ১৮৯১ ।

হীয়ার্সে, এঃ এচঃ কেম্বেন, মণিপুর ১৮৯১ ।

হডশন. টিঃ সিঃ দি মৈতৈজ, লন্ডন, ১৯০৮ ।

হডশন, টিঃ সিঃ, দি নাগা ট্রাইবস অব মণিপুর, ১৯১১ ।

হন্টর, ডবলিউঃ ডবলিউ এ ষ্টেটিষ্টিকল একাউন্ট অব আসাম, ভোল্যুম ২, লন্ডন, ১৮৭৯ ।

হত্তন, জেঃ এচঃ দি অঙ্গামী নাগাজ, লন্ডন ১৯২১ ;

জোনষ্টোন, সার জেমস, মাই একসপিরিয়েন্স ইন মণিপুর এন্ড নাগা হীলস, লন্ডন, ১৮৯৬ ।

মেককোক, উবলিউঃ ম্যাকল, একাউন্ট অব দি ভেলি অব মণিপুর, কলিকতা, ১৮৫৯ ।

ম্যাকেঞ্জী, আলেকজেন্ডার, নোর্থ ইষ্ট ফ্রোন্টিয়ার অফ বেঙ্গল, কলিকাতা ১৮৮৪।

ফেয়ার, সার আর্থর, হিস্ত্রী অফ বর্মা, লন্ডন, ১৮৮৩।

রোবিনসন, ডবলিউ, এ দেসক্রিপ্টিভ একাউন্ট অফ আসাম, লন্ডন ৮৪১।

রোবর্টসন, টিঃ সিঃ পোলিটিকেল ইনসিডেন্স অফ দি ফার্ষ্ট বর্মীজ ৱার, লন্ডন ১৮৫৩।

স্নোদোগ্রাস, মেজোর, নেরেটিভ অফ দি বর্মীজ ৱার, লন্ডন ১৮২৮।

সীমস, এন একাউন্ট অফ এন এম্বাসি টু দি কিংডম অফ আবা ১৮০০।

উডথোর্প, আর, জিঃ, দি লুসাই এক্সপিডিসন. লন্ডন, ১৮৭৩।

খ। সেকেন্দারী ৱার্কস

(এ) গেজেটিয়ার্স :

এলেন, বিঃ সিঃ ডিস্ত্রিক গেজেটিয়ার্স অফ আসাম, শিলং, ১৯০৫-১৯০৭।

[illegible], এফঃ গেজেটিয়ার অফ মণিপুর, কলিকাতা, ১৯৬০।

ডুন, কেপ্তেন, গেজেটিয়ার অফ মণিপুর, কলিকাতা, ১৮৮৬।

ডুন কেপ্তেন, ই: ডবলিউঃ এব্রিজ গেজেটিয়ার অফ মণিপুর।

ইম্পিরিয়েল গেজেটিয়ার অফ ইন্দিয়া, ভোলু ২ অদ্ধ্যা ১৭, লন্ডন, ১৯০৮।

(বি) অদর ৱার্কস :

বেনর্জী, এঃ সিঃ ডাঃ, এনেক্সেসন অফ বর্মা, কলিকাতা, ১৯৪৪।

বেনর্জী, এঃ সিঃ ডাঃ দি ইষ্টর্ন ফ্রোন্টিয়ার অফ ব্রিটিশ ইন্দিয়া, কলিকাতা ১৯৪৩।

বর্পুজারী, এইচঃ কেঃ ডাঃ, আসাম ইন দি ডেজ অফ দি কম্পানি গৌহাটি, ১৯৬৩।

ভূঞা, এসঃ কেঃ ডঃ এংগ্লো—আসামিজ রিলেসন্স, ১৭৭১—১৮২৬ গৌহাটি, ১৯৪৯।

[illegible], [illegible] ডবলিউঃ নোটস অন দি নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়ার অফ আসাম, শিলং ১৯০৬।

বোথাম, এঃ ডবলিউঃ কেটালোগ অফ দি প্রোভিন্সিয়েল কোইন কেবিনেট আসাম, এলাহাবাদ, ১৯৩০।

চক্রবর্ত্তি, বিঃ সিঃ ডাঃ ব্রিটিশ রিলেসন্স উইথ দি হাল ট্রাইবস অফ আসাম সিন্স ১৮৫৮, কলিকতা, ১৯৬৪।

চৌধুরী, পিঃ ডিঃ এন্দ দাস, এমঃ সিঃ, এন্সিয়েণ্ট রেমেন্স অফ আসাম এ আসাম ষ্টেট মুজিয়ম, শিলং, ১৯৫৯।

দাস তরাক চাঁদ, দি পুরুমস, কলিকতা, ১৯৪৫।

দেসাই, ডবলিউঃ এসঃ, হিস্ত্রি অফ ব্রিটিশ রেসিদেন্সি ইন বর্মা, ১৮২৬—১৮৪০, রেঙ্গুন, ১৯৩৯।

ডোডবেল, ঐচঃ ঐচঃ দি কেমব্রীজ হিস্ত্রি অফ ইন্দিয়া, ভোলুম ৫।

গেইট, সার এডবার্দ, হিস্ত্রি অফ আসাম, কলিকতা, ১৯২৬।

হোল, দিঃ জিঃ ইঃ ইউরোপ এন্দ বর্মা, কলিকতা, ১৯৪৫।

হোল, দিঃ জিঃ ইঃ এ হিস্ত্রি অফ সাউথ ইষ্ট এশিয়া, লন্দন, ১৯৫৫।

হার্ভে, জিঃ ইঃ, হিস্ত্রি অফ বর্মা, ১৯২৫।

লাহিরী, আরঃ এমঃ ডাঃ এনেক্সেশন অফ আসাম, কলিকতা, ১৯৫৪।

মজুমদার, আরঃ সিঃ ডঃ ব্রিটিশ পেরামাউন্টসি এন্দ ইন্দিয়ান রিনাসা, বোম্বে, ১৯৬৩।

মজুমদার, আরঃ সিঃ ডঃ এন এডভান্স হিস্ত্রী অফ ইন্দিয়া, ১৯৬০।

মেকমন, সার জর্জ, লেফ্টেনেণ্ট জেনেরেল, দি রোমান্স অফ দি ইন্দিয়ান ফ্রন্টিয়ার্স, লন্দন, ১৯৩৬।

রীদ, সার রোবর্ট, হিস্ত্রি অফ ফ্রোন্টিয়ার ইরিয়াজ বোর্দরিং অন আসাম, ফ্রোম ১৮৮৩ টু ১৯৪১, শিলং ১৯৪২।

রোই, জে: হিস্ত্রি অফ মণিপুর, কলিকতা, ১৯৫৮।

সেক্সপিয়ার, কর্ণেল, এল: ডবলিউ: হিস্ত্রি অফ দি আসাম রাইফলস, লন্দন, ১৯২৯।

সিংহ, ইবুংঙোহল, লাইরেনমযুম, এন ইন্ত্রডক্সন টু মণিপুর, ইম্ফাল, ১৯৬৩।

সিংহ, খ লন, মুতুম, বিজয় পঞ্চালি, পার্ট ১, ১৯৪৩।

উইলসন, হোরাস হেমেন, নেরেটিভ অব দি বর্মীজ ৱার ইন ১৮২৪-২৬,
লণ্ডন, ১৮৫২।

উইলসন, হোরাস হেমেন, হিস্ট্রি অব ব্রিটিশ ইণ্ডিয়া, ফ্রোম ১৮০৫ টু
১৮৩৫।

মেথাই, নবজিউ ; এস:, এ পিজেন্ট অব বর্মীজ হিস্ট্রি।

আবদুল আলি, নোটস অন আর্লি হিস্ট্রি অব মণিপুর।

লোইরবা